লাইবংখী শাবোংই ([illegible] কংরিং সংতে মৈরিকপা হাংসে) [illegible] ১৭ [illegible] 'চ ঙ (ওম উই ফ্রাং চিং থং শ্রোং) থাংজ [illegible] লেদ্বনা কৌইরেল লৈমাগা লোইনদনা থাংহিং [illegible] যংবা হৈ [illegible] অফংববু পুহনা থংলবে। মুবং কেগে লিকলমদা কাইরেল তম্না কমলে ॥

নোংচুপ মক [illegible] অশিংনা নোংচুপ পনশা অকোইবদা [illegible] হৈরাং লৈরাং অচা অথক পামেন উরেংবা পামেন উরোই-পান্না [illegible] পুবক্নো যম্বোং পুনেম্বগী ওইথম মাইগৈ অরাং থংবদা [illegible] যমলে ॥ ×

কৌবা অশিংবগী লাইশা পিশান্নু কেত্তিকেৎ কৌবা শান্নু অত্তৌবদা মহামনিকমা [illegible] কৌবা শগোল লাইশাগা অমিত্তু কাবক্[illegible] লাইবুংদা থুংলবে ॥

নোংদম মরু লাইমিংথোই লিকলা পুলগী মঙুংদা লৈবগু লাংয়েন ত.রংতা—নুংবা.থন, পামবোমমক অনি, লাইবক নাক য়েন্না মালেম লৈবা.বা লেইরতুনা অশংবা ফিগে কৈচোন মোকতোক হাপ্না থন, অঙৌবা মচুগী কোনখাং শাচোনবা, থাদা মেখানবা কোনখাং শা ককপা ফিগে লৈচু মাপনগী চংপুন খাংসিথা, থাগী মচনা নমশা শলাই কোকথোল হাপ, খোংশ নাশি, খুংশি লৈতেংনা অঙৌবা ফিয়াই নমথাং লোংয়ান্না লাইবুং কারক্লে ।। চিংউ কৌরুচি চেংচা মিংথোইনা লাইমিথোইগী খুদাবু নোংচুপ মরু অশিবগী য়েৎলম যম্থোং কাজাওদা থানা ফম্বাক্লে।

মৈতৈচু পাখংবা কোঞ্জন তু থোকপা মশানৌশু মালেম লৈকংপবু লোইরম্বনা ফিগে ভাংভ্রানবগী খ্বাংশেং কৈচোন মোকতোক লাইথন ফিবাক্সা য়াইরি চম্না খেঙাওনা শেংলে ।। অশংবা মচুগী কোনখাং শককপা খাদা লা স্না অহিংবা মচুগী কোনখাং শাচোনবনা থক্তা নমলে ।। ফিগে লৈচু ৭ না লোনবা খ্বাংমিনা লিফারে ।। ফিয়াই নমলাং অঙৌবনা লেংদা য়াননমশা লচু অঙৌবনা ফেয়েংনা থুংশি নশি খোংজি হাপনা ময়ুম য়েলুপকী পিবা তক্রা মাগী মাগী কিরোন লৈচু কশেংনা থোগম্না খোংগারক্লে ।। চিংউ চেংচা মিংথোইবনা খা লৈফমগী কাইরেল কম থাংজিংগা যা রেনগা অনিগী ময়াই শুমদোং কাইরেলফমদা ফম্বালহল্লে ।।

শলাইলেল অময়া=অতিয়া মরুগু মালেম লৈকংপা লোইহুনা নোংকেৈারৌগী ফিরোন লৈচু কৌর অহিংবা=নোঙৌবী উচোক মচুবু খ্বাংশেং কৈচোলবু শেং, খুংশি নাশি, খোংশ, পামবোম য়াইরিনচিংবা লিফানা কোনখাং শাককপা লিং, ফিগে লৈচু ৯ না লোনবা খ্বাংলবু ফা, খ্বাং নিংতুগী অকোইবদা লিথাং মথাং

খোইরো লিরৌনা য়াইরি থানা য়াম্বা লৈতেংলে নমশা তোলে'কী মথক্তা পচেং ফিরান লৈচু ৯ বু থেৎনা লাইবুংথৌ থাংবাইনা নোংকোরৌগী থৌখন থৌরমগী লুচিংবা ওইনা মাগী লারোই ১৪ গনা থৌখম্না মথংলেংনা লাইবুংথৌ ৬ না থৌখম্না চংলক্লে ॥

চিংউ থোংনা থাবনা মরুগী কাইরেলগী য়েৎলমদা কাইরেল থাদুনা ফম্বাললে ॥ ইমা ইখেলেল লাইলৈমা—লৈসিরেল লৈপুবীগু মালেম্ব, লৈবাংজবা লোইদুনা কোরি মচুগী ফুময়িন কানো থাবা পোৎলোই, কোনথাং ফুরিৎ থাককপা, পামবোম য়াইার পুক্সল্লে । খোংজি খুংশি নাসি হাপ্পুনা ফিকে লৈচু ৭ না লোনবা খুাংলি কানা ফিবান্দা য়াইরি কানো থাবনা লাইখন হাপ খ্বাংনিংহু অকোইবদা লিথাং নথাং খোইরৌ লিরৌনা য়াম্বনা ফিশেৎলে ॥ লুরেল লৈচাও লৈচিন লৈথেংনা ফিয়াই নমথাং অাউবনা লেংয়াম্না নোংকোরৌগী থৌখনবু থৌশিনবী ওম হুং শ্রী আং থ'বৈমা ল ইরৈমনা মাগী লুন্‌িংবী ৭ না তুংইন্না কারক্লে ॥ কাইরেল ফমলেনগী ওইথম্না থারিবা কাইরেলবু লাইলৈমা হৈবোং লৈমনা কত্তনা ইমাবু ফমলে ॥

লাইশঙ্গী খা থংবা নোংপোক শাই ইচুংগি ময়া য়েত্তা চিংউ থোংনাং থাবা চিংবৈ মরুগী কাইরেল য়াৎলে ॥ অরাংথংবা শাইচিনগী ময়াদা শানিক লাইনৌ, ভ'বা, হৈরোং লৈনা, ললৈনা, সিল লৈনা খুম্বোংঙানবী মরিগী কাইরেল য়াৎলে ॥ অবাঙ্গা নোংচুপকা চুহিং লাইবা ল ইচিগী খাথংবা কাইরেলকনদা চিংউ ওম কুরুমলেন কিনাইবা কৈরুংবগী কাইরেল থাদুনা সিয়ু থে ইনা য়ান্না হরাওবদা চঙ্গদবা পুম্নমক কৈরুংবদা শিনদুনা ফমলে ॥ অরাং লৈমরেল কাক্লাও ফমদগী হৌনা ইমা ওম শংখুপলেল নুংমু

ফুমদ মাংদবীনা লুচিংনা কোইরেল লৈমা, মইত্রৈ লৈংরেংমা খোংনাং লৈমা অহল্লা লুচিংবা ফম্বাল থানা কমলে ।X

চিংউ পুম্বনা কমদে-লওদা খোইবিফাবনা থিকাপেং নুবু সাংশস্তুনা লাইবুংথৌ পুংবু থিকপেং থাহাইরে। [illegible] অমনু শাংবহনা লাইচাবশী পুরণ [illegible] (৩ [illegible] (৩ [illegible] (২) শ [illegible] থারদে। [illegible] চাইবনু [illegible] চাইরেল [illegible] মথক্তা [illegible] [illegible] লৈমরেল [illegible] ইকো [illegible] ইরুমবা [illegible] লাইলেন [illegible] থাকভা [illegible] লুরেল [illegible] লোলথক [illegible] X

● মিরেন ইকৌবা থাগোনবা চংশা ॥

লাইলৈমা [illegible] মাংদা লাইনোঙথাথীগা [illegible] লৈমগা পোৎরে [illegible] পুতিংবা [illegible] থোংজাওল [illegible] লিখংপনা মাংথরে । [illegible] লিকং [illegible] শাহারোং পায়রগা থারে ॥ [illegible] চিংউ [illegible] কোইরেল [illegible] কিবগা, [illegible] । থারে ॥ মাংদ কিরাল লৈহু ● পায়রা লাই [illegible] শিগীমাংদং অবাঙ্গাঙ্গুবা থাজোই [illegible] অরাঙ্গাইনা [illegible] থারে । [illegible]

আংঙৌ বনা থারে ।। থৌখন লাইলৈমা ৮ গী তুংদা লাইপাখং থা চুংসাই পাম্বা ২০ টা-চুং পাম্বা ২ থংলে ।। মথংদা লইংখোইগা মৈতৈঙ পাখংবা পিবারেলগা থংলে। মথংদা অভিন্না নকংগা খেংশিরেলগা ঈফু নারেকপা ২বু অমমম থংগোন্না থংলে ।। তোংনারেংগা পাম্বা লাইবুংথৌ ২ না চা থান্না থৌখরে ।। হুমাই পায়বা লাইবুংথৌ ২ থংলে ।। মযাইদা থেঙ্গুংচিংদা লৈবী ওম হ্রীং ঐং চিংবা লৈমামা ঈবান ফুরেঙ্গ অচৌবা হৈনৌ মনা থেংপবু লুরাইদা থৌ না লৈরে ।।

য়েং ওইদা লোইনবী লাইলৈমা নিংনাই খাংলি পুনবী ওম ভমথোং লৈমগা ওম নোংখোং সুবিগনা উলুক খুদেং ভকশি থরাম্বু পায়না থৌখরে ॥ মথংদা য়েংলমদা লাইবুংথৌ থবাইনা লুচিংনা লাইবুংথৌ ভনা শমথনা মথংদা মমুম ভকী লুচিংবা পিথাগা লাইবুংথৌ পুম্বনা শাংথা শমথরে । ওইলমদা লাইলৈমা ওম হুং শ্রীং আং থামৈনা লুচিংনা লাইলৈমা ৭না শমথারে ।। মথংদা লাইবেম্বী নিংনাই ফিরোল খাংলি ফাবী লাইলৈমা পুম্বনা শমথা শাংথরে ॥ ইকুম্নবগী যৌশিনবু লোক্তরবদা লাইলৈমা ওম ঐং হ্রীং শ্রীং ক্লীং হোসৌ লমলৈমগা ওম হ্রীং হোসৌ খুস্থোংভানবী ঐং সিললৈমগা লাইলৈমা অসিনা য়েং-ওইদা থৌখমা মৈতৈ লৈমলেল সিনাই কমলেন ৭ পু লৈপুনবী আং উং মোরোংপি সিনখোম্বী অনচি শংকুপলেল। স্না থোংনাং লৈমনা থোরক্তুনা থৌখন পোংলোই পুবী ৮ গী মাংদা থানা লুচিংলরে ।। চিংউ থোংনাং থাবা চিংথৈ মকনা মাইদা থং ।।

য়েংলমদা খোইরি কাবনা নহাইযুবু থাংগাননা নাপি। শিংখি। ভাইরেন পুংফাই হাপ্পবু পায়হনাথং। চিংউ কৈকংবা কুকমলেল কিনাইবনা ওইদা থংনা লাই পাথং শাইরোং পায়বগী

ঙাংদা থ'বরে।। চিংউ থংজা মাংগ্রো য়ে ৎক পায়বা অনিও চংলক্লনা ঙংবা মহারাবা, চিংউ থংমু তুমদ মাংদবী অনিগী মাংদা খোৎন চংলক্লনা হৌ চৌ লাওনা খোংশারে ।। হয়ম হয়িচং ।।

হয়ুংলে হয়মলে, হয়মদা নিংশিং তম্মান্না খোইদানদে পাওশাবা, কুবু খোইদাবিনবা, খোইমা য়াম্না লৈহাপনা, শাদম্বা শাথোক হৌরাগেযে, কুবি খোংকারো ।। চিংউবা নদাইরেন পুম্বনা, মিকোনবু লাকপব কুবি থকসিননবিও ।। হয়িচং হয়িচং ।। ×

ইকৌ মিরেন থাগোন খোপুবা লাইরকচন

ম্নংকেং পাম্তা থুংলে ।। থোৎন পুম্বু অমাইবীনা শনিম্না, অমাহবনা খিকপেং ইচাই লমশেংনা মম্নং থাইনা চিংউ মক অনিবু চোং চমাই খোথম্না ম্নংকেং ইপাল য়োনা পুশিল্লক্রে ।। চিংথৈ মক থোংনাং থাবনা স্নাগা লুপাগা পায়ম্বনা ইরৈমবু থের নৌনা থাগোন থাকৌরক্রে ।।

হাউং লৈরংলেল লৈতকপা ওম লৈপুরেল ডাম্বারেং ইহিংসং ইপুংথোক ইয়াবি মিরিহিং লৈয়োম্বী ইরৈমা ইকম অসিদা ইহৌ ইশেংলোল ৯ বু হৌফহল্লো ।। উংচিরি, উংচিথোম, উংচিনা, উংচিরিৎ, উংচিতক, উংচিসো, উংচিলা, উংচিথা, উংচিথুম হৌফারো ।। × (স্নাগা লুপাগা থবিনা খুৎনিংথৌদা নমানা পায়ম্বনা পাওশানা লৈহল্লে) ।।

হয়ম হয়িচং চং হৌ ইরোক ইমাতোল কংলৈগী ম্নংকেং পাংকি তরং ইপাকপু ইমাহল্লো ইমুলোল তকক ইথৌলোল তরকমক ইথাবি ইয়াম্বী ইপোকচম্ন ইচৌই য়াবী ইপাল ইওক ইশেংক য়াম্নীরো ।। ঐবু সিজবা লাইমিংথোই ইথৌলেল ইথৌনা ঈপাথোই ইপুথেই ইবোনি ইয়ানি ইরেংপাঙ্গা ইবাইরেল চোং চিংউ নোংদেম য়াইবি ফোলগী নোংদম্বু মিরেন থাগোনগে

অহুঙ্গদৈবকপু খিক নোংলু অপালবনা মিরেল লৈগ্না অঙাংবনা ইমুংলোন ডকক ইঙৌলোন লোন ডককপু যিথানগ্না তংইরগে যিমু নগ্না ইভাইবগে হৌ হৌ হৌফয়ো ওবা ॥ (কোলম্লাই চন্নে ইম্নংপুদা) ॥ ×

নোং দ দ থৈয়োম লৈহৈলানা য়োম্নবু খুংশা ১০না থম্লাদ লানা লম্লা পায়রগা নোংথোয়েংনা অমংথেলগী—থবাক্কী মপাদা থৈয়োম্নু পায়রগা চায়জরে ॥ হুয়ম হোয়ানবিও চিংউ ইবুংঙো নেংদবা মংলেন্নু কুব্বিবা কোরৌবু কাপলিবা, মালেমদা বাতেম্না নোংলোম্না বায়েলবা, ভেবানথগী মপুবেল মিরেল য়াইবি অহিংব নিংসিং থাগোনজবব ভানফংজগে হাইবগী ইবাল লৈফমনজরি অসি কোরৌ মকাপ—লৈবাকপোকপনা পুবা মুংথিদ পোপ্পানা চথরকপা ইংম, থজা কোঙ্গনা স্নাঙাল—(থাজা কালেল) হয়িপানবা কোরৌদবু লৈংগো কৌবা লানা নাওয়োম্না তুম্নৌনা পুংখি কা, কা, চেংঙৌ কাহংপনা লংথালৈনা পবিং লাংশম ওঙ্গ, তাওজিং লৈশানা কাংখিন ভম লুপ, চৈনা পাদম্না স্না চৈনা খন ওয়া লংথৈবু লৈথেংন শাঙ্গমাকথাবু লাংজবা কুখি নোংদম্না লৌবিও নোংদম্না য়াঈবি কোন্দগা কুবি থংকথারক্লনা হয়ম বাবু অহিচংদা ভমজনা থোঈমা য়াম্না লৈহাপনা লৈরাংজগে থৌশিনবু থৌয়াওনা সিস্তক নোংদম্নীহনা কুবি মিংযং ভুম্বিনা থোঈচং থোঈনানবিও অহুম্নবু মাহোন ব কংচাংএ ।

আয়েং থানা ফংগৈ তাওগা হুঙ্গনংগুম্না চিংশাঙ্গা লাঈখি থোঙ্গ অরিবাও কোরৌ থক্না লৈবও না লৈন মংশিংকৌ মহংদা অমদা ক্ষংশিংনা ম্যোমতুন, শিগ্না থুডনা লৈদও স্না নিংলোম্না

মি মি মি পিং পিং অকোং হিং লয়োমলং তনৌবা। নোংখৌদা লৈবগী মাইয়োকথাবু লৈবাক্তরিএ হো রো সো নেংথৌ পাংনা খৈয়োমদা ঊয়ুম্লে। রেরেরে হাইনা পাওশানা খৈয়োম্বু থমলে ॥

ইনুংপুঙ্গী খৈয়োম লৈখিনবু পানরে

৮ বিলানা নাওয়োম্লিবা খৈয়োম্বু মঙক্তা য়েংকী থুংনা পাংবগ ওইগি থুবাক্তা মনিংদা পমলে। অমংখেলদা থমলগা হপ কপ্পা কুমলগা পাওশাবক্তে ।।

হয়। হুখিচং চা হাযচা শাগাং থমলকা চৈথপাং পলবা নোংথৌ লোৎলবা চিংদা হৌবা লা, হোগা লতোল তেংদমলা, চংবি তুংশংলনা তনা থা কাচেংগৌ ফাশাপনা লাগবে লৈপোপ মাবনা পাবং নাংশম ফানা তাওজি হৈশাংনা কাংখল তম, লুপা চৈনা, পাদম্মা স্না চৈনা খনতম্মা লংথবৈনা। লৈথেৎনা মবোলবু নোংতাইহন। মালেন লৈস্না অঙাংবনা মালেন লৈদু লৈতাইনা উতং চেপ্পা কাপ্পনা খৈয়োম ঙকশি লিফামা নয়াথংবু থৌপুনা ইনুংপুঙ্গী মাইয়োকথাবু থাজনা হিরি লিকলম লহিং থাজবে খিং খিং খিং কানরশে ।। ইনুংপুংদা হোবোসে। পাওশানা লৈয়িল লৈবাংলে ॥

থুদক্তা শনিক খিংলয়গী শনিকপু ওইগী থুংনা খিং হিরি লংহিংতং লৈয়োম্বু কানা ইনুংপুংদা ইকুম্মা লৈয়োম্বু নয়া থম্লগা লফোই হৈফাং মচা ১ দা লংচা ৯ গী নংদোনবু পুন্দুনা মকনা কোঞ্জল্লিবা ইকৌকুদা হাপ্লে ।। হৈফাং মচা অমনা লংফাই ৭ কি হিরি লংদোনবু, পুন্দনা তেংবানবগী ইনানা কোল্লিবা ইকৌ ফুরেলগী মনুংদা থমলে ।। লংচা ৯ ফাইবগী লিংতাম্না অউশ লানা লংথৈ, লৈপোপ ১৪ যোম্বব, ৩ লফ য়েংনা পুম্ন ।। লংচা ৭ ফাইবনা অবোলানা লৈপোপ ৭ য়োম্বু অহনলক য়েংনা কারে ।

৫ শনিক লাইনৌ তাবিনা ইনুংপুংদা লৈয়োম্ব খুৎয়েৎনা পায় ওইনা শা নিক্লা রাখনবা ॥

লৈযোম্ব ইনুংবুংদা লুপ্লগা শনিক্কী য়ারা ইথোলবু রাখন্না অহানবদা ক্লং ক্লং ক্লং শংং শংং শংং ভুং ভুং ভুং মথংদা নিং নিং নিং রি রি রি পাওশানা শানিকলক্রে ওম ক্রাং হায়বিং আনচি তেংবানববু ইতাল লৈশা নোংদম্বা চিংউ লাইমিংথোই হো মনিক বোমনিক সোমনিক মনিক মনিক নঙাগি মকুদি হো বো সো ক্লং শ্রীং ক্রুং ওম হায় ওরা ॥ পাওশানা লৈযোম্ব ইনুংবুংদা নৈতুনা থেমনৌ য়াকৈ পওশানা হিংব যানা লৈযোম নোবানবকলে । ইনুংবুংগা থোবম্বু মক থোংনাং থাবনা উবতুনা ইশালদা নোংদম্ববু নিংশিং থাগোন্না নোংদম্বগী মিবেলবু থাগোন্নরক্রে ॥ হয়ম হে উং লৈহিংফ উংলো য়ার্কবিরেল সিদবা চিংউ নযাথং লাইয়েক লৈথম্বীববু রাহোম রাকংনা নিংশিং থাগোন্নজবিএ কুবিও ॥ পোহরৈ তোম্না খুম্বিবকপা পাওশ র ॥ তেংবানবগী ইমা হখেলেলবু পোইনাও তাবানা খুন্দানলকপা পাংনোইন অতুঙৈবু খুন্দান্নখিদো হে মক মকুথোকা কুবও ॥ উং লৈহফা লেফা ওনএ উংলো য়াইবিরেন নয়াথংবু থোপুনা থোতম্নবগী পোইরৈ তোপ্না খুম্বিরকপা পোইনাও তাবিনা খুন্দানলকপবু থম্মং শু গুংবু খুন্দানজবনে পিওমলো লাওও অঙালবা নিরল মিথুলেল সংলো লেম্বা লৈয়োননাং তনৌলেল কৌবা নোংদবা নংবু কৌবনে অঙালবদা লৈবা শুংগুংরেম্বাও শাওল্লে নোংপোক লৈনা নিংনাইদবী পান্থোইবীও শাওল্লে নোংদম্বও শাওন শাথোকনবিরো হিনি থোঙ্গানরশি কাইরেল লাইশং শংলেন শাবা থৌরোইববু লৈবি শংকাবিনবা লৈঙমদে কারশে ॥ লৈহৌ নোংহৌ পরমবু মথংলেংনা লৈহাপ শাদম শাথোকনা থোখনববু পিনৌও নোংদম খোরম লৈহাপ্না থোখন রাতেম লাংলগে খোইমা য়াম্না হরাওজবা তানকংবদো পিনৌও

থোইচং খোইদাবা কুবি নোংদম তপীরো ।। নী নীং নীং ।। রী রী রীঃ পাওশানা লিংশাগী ইহনবু ইগুংপা নী নাংশেংনা চিংশিন্না নিংশ বু থিংনা চংলক ।। শানিক লাইন ... মাবল কাইনা মশা মউ তনিক তংশাইনা লৈযেংবু ইবাক ইথমনভ লে । হৈরোং লৈমানা ইংপুদা চোংশন্না লাইনৌ তাবিবু ... লৈগাক লিকাবে ।। খোইবিফাবনা লৈযোম্বু লাইনৌ ... খুবুগী লৌড়ং ... লৈংহদনা ছিবিবু বী রী বী হ ইনা পুবক্লনা মরু থোং ... পিররে ।। মরুনা লৈয়োম্বু বে বে হাইনা লৈযোমগা ছিরিগা কোলসিন্দুনা যো রো রো পাওশানা ইকৌ ... ২দা লৈযাম্বু কাইদনা হাপ্পে ।। খুদক অতুদা হৈংগাং লৈমানা থুনা য়াংনা ইকুমহুনা ইবান থুরেলবু ইবান্নানুনা লাহলৈমা চিংনা লৈমাগী লুবাইদা হাপ্লিন্নুনা পুবক্লে ।।×

ও কৌবা হল্লকপগী পরম ।

ইন্দ্রা থোংগী ময়াদা টি উ থোংনাং থাবা মরুনা লৈমাই থক্ত লশলম৫না মেংহৌনা মৈবোস ৯ বু কৌরে ।। মথা লমদা (উং মৈমুংশং) বু থাইরে ।। মস্তোংলমদা (উং মৈকেমগুগী বু থাইরে ।। উং মৈশামুবি তরংডা ওবা ।। উংগান তুহিং মৈশামুবি ওবা ।। উংগান তুংগাম মৈশানুবি ওবা ।। উং মিংতুরং মৈ শামুবি ওবা ।। উং মৈ হিংশন মৈশানুবি ওবা ।। উং সং তরং মৈশানুবি ওবা ।। উং সংগাওত্র মৈশানুবি ওবা । মৈশেং ৭তা চেং থোটনিং ... নিহমগা খোইজ্রগা লৈথাম্মগবু মৈথানা মাইওকথা মৈ ... ।।×

তিনা ... মাইদোকপা

লফোই ... চন লাইমিংযেক্লে নাম্মা অমদা লাইরকচ ... লাইমগী লাইমিংবু মেক্তুনা

লাইবুঙ্গী খোংদা থমলে ॥ (কিরিক কিরিক তিয়োকফা তিয়োকফা নপ উং শেং) পাওশানা লাইমাঙ্গী মমিংনা মপাললোমদা লাইরকচনগী লাইমিংনা লাইবুংলোমদা লংশিল্লে ॥ চিংউ পুম্বা চংলক্কনা লাইশং ইচুম তাফমলোমদা লেপ্লে ॥ চিংউ খোংনাংথাম্বানা ইকৌ ফু অনিদগী লৈয়োম্নু য়েংশিবা হিরিগী লংচিনবু খোইরিফাবদা পিরে ॥ খোইরি ফাবনা লংচিন অনিবু ইরান ফুরেলগী মপান নাক অনিদা হিরিবু খাইনা নমতুনা থমলে ॥ মরু খোংনাং থাবনা লৈয়োম অনিবু লৌখৎলগা ইরান ফুরেন্দা হাপলে ॥ অতিয়া মরুনা ইকৌফুবু কোন্দুনা লাইশংঙুংদা চংলক্কনা নোংদম্বগী কাইরেল তাংবনগী লুমাংদা য়েক্লিবা কানোগী মথাইদা হাপলিবা ফৌগী মথক্তা ইশাইফুবু থারে ।। ইশাইফুগী মপান্দা খুং য়েং থংবগী খুংয়াইগা খুংনিংথৌগী খুংতোলগনা পায়রগা খুংতোম্বী খুংনাওবী ২ গী খুংতোলবু থজিক কাংখৎলগা কুং নোংলুম ওয়া হাইতুনা মরুগী রাখন্দা তেংবানবা মপুবু চংলক্কনা ফমকাবিররে রাখন্না থমলম্মগা হৌগৎলক্কনা নোংদম্বগী য়েংলমদা থারিবা খুদাদা ফমইনা নোংদম্বগী থোগনবু চংজারি রাখন্না ফমদেংলে। তেংবানবগী হৃমা লৈশিরেল লৈপুনবিশু মরুগী তুং হন্না চংলক্কনা কোল্লিবা ইকৌ ফুরোলবু মরুনা থারিব ফুরেলগী মথক্তা খিন্না তেংবানবগী নোংদম্বা চিংউবু নোংলোন্দগী থকথারক্কনা মালেম লৈয়াইলেম্বা লৈগদবগী লাইশঙ্গী মথুংদা কম্বাস লাংখিরে রাখম্না থমলগা ওইথংবগী কাইরেলদা চংনা মরুগী থৌখনবু ওইনা ফমদেংলে ॥

খোংনাং থাবা মরুনা লৈয়োম অনিদা য়েংশিবা লংবু হন্দোক্লুনা লংয়েং অমমমবু থাক্লগা লৈয়োম লংচা ১ না য়োম্ববু খোইরি ফাবদা পিহনা ইকৌ ফুরেলগী য়েংথংবগী মপালদা শোক্না পায়হল্লে ॥ লংচা ৭ না কারয়া লৈয়োম্মা লাইবৈমা হৈরোং

লৈমদা পিন্নুনা ইরান পুরেনগী ওইথংবা মপালবু শোক্না পায়হল্লে ।। ময়াইদা ইরান পুরেল পুরিবী চিংবা লৈমানা লৈরে ।। লংচিন অনিবু য়েং, ওই কাইহন্দনা হিরি অনিবু খজিক খজিক পিংলকে ।। ফিডৌগী মনশা তোলোক য়েংপা কৈচোল লাইখল তুংযেন্না কোমথাং শাচোনবাগি মথক্তা নমথাং খুংয়েংপা ৭ (লাইবুংথৌ চকমরিবা তাংমাবিবা, মুংমারিবা, পামারিবা, হাইশোন্না মাঞ্জবা, ভুমারবা) চিংউ ৭ তা লৎচা ৯ গি হিরবু পিন্নুনা পায়হল্লে ।। ফিডৌগী নমশা কোকশেংলবী নিংদাই খুংলি হান্না শম্লাং লক্ষুং কিশবী লাইবেম্বী (শাজবী, পিথাইবী, হিলৈমা, খোংদ্রাইবী, চরৈন্দ, নোংখো ৎবী, পিশিলখাম্বী,) লাইবেমা ৭ তা লৎচা ৭ কি হিরবু পিন্নুনা পায়হল্লে ।। শানক লাইনৌ তাবীনা শনিকপু নিক্তুনা মাংদা থানা হিচংলম্মু লমচিংলে ।।×

চিংথৈ মরুনা (হী, ই) পাওশানা হীথৌরক্লে ।। লাইবুংথৌ লাইরেম্বীনা (হী) হাইনা রাখুম্না হিরিবু খজিক খজিক পুশিলক্লুনা লাইশং মথংদা হিবিবু থাংলে ।। মরুনা হিরি অনবু কোক্লিলক্লুনা লৈযোম অনিবু খুংয়েংনা পায়হনা লৈযাম্ব নংবানবা মপুগী কাইবেন্দা থনলে ।। হিরি কোক্লিলিবশু কাইবেন্দা থমলে ।। ইরান পুরেন্না অরাং থংবা লৈমরেল কাজাও কমলেন্দা কাইরেল লৈশাবগী মথক্তা ইরান পুবী চিংবা লৈমাবু থাহল্লে ।। মরুনা খুবি খুদোম্বী অনিগী মতোনবু শমবগা অহুমলক কাপথোক্না লাইশোললক্লে (ওম ইমা ইরৈমা ওম পোকপি হহিংসং ইপুংথোক ইয়াবী তেংবানবগী অরান খুবম্ব, নোংদম্বা মিরিহিং লৈরোম্বী অচৎপা চওবা পুমমক্কী মিরেল য়াইবি ওইবি) ইমাগী কাইরেল ফম্বান্দা ফম্বীহনা হৌথবিরো পাওশানা মাইয়োকখা চেংবা পুখম্না ইরান ফুরেলবু কুপলে ।। ইকৌফ ২ বু চিংবা লৈমানা লাইমাংদগী লৌখোক্লুনা থৌপুনবা থাইবে ।। মথক থংবা ইকৌফনা হৈকৎ লৈকৎনবগি

লাহাই খিকপেং ইশাই, চিংউসিংবু খিকপেংনবু থমলে ।। মথা থ বা ই কৌ ফুনা কোরৌ থুদঙ্গী নোংদম্বগী খিকপেং ইচাইনবু খাইনা থমলে ।। মুরেল শিবু খাইবদা চিং উ পুনা মরু অনিগী তুংইনা থৌখন ওইন চ ফুনা মপুগী থৌখ বু তানফংনরে ॥ ×

(মরোং = নোংমাইজিং নুমিৎকী লাইবুংথৌ ৯ লাইলৈমা ৭)

লাইবুংথৌ ১। কোংটিংলেন, ২। অঙাইবা, ৩। থবাই, ৪। থৌঙাইবা, ৫। চেংঙা, ৬। য়ুহা, ৭। উকোংলেন, ৮। য়ুচেং ৯। লাইলোংবা, লাইবুংথৌ ৯ না অতিয়া মরুগী তুংইন থৌখন্না নোংদম্বগী থৌখনবু তানফংজরে ।। লুচিংবী লাইলৈমা :

১। ওম হ্রীং হ্রাং ওম লাইরেম্বী পুকশিথোন্বী ।।

২। ওম ঐং ক্রুং ওম লাইরেম্বী অঙাইবী ।।

৩। ওম হুং শ্রীং আং লাইরৈমা থাবৈমা ।।

৪। ওম ঐং হ্রীং শ্রীং ওম লাইরৈমা থোঙাবী ।।

৫। ওম হ্রীং হুং হ্রীং লাইরৈমা থিংবা লোইথোবী

৬। ওম হ্রীং শ্রীং ঐং লাইরৈমা কোটিংলৈমা ।।

৭। ওম ঐং হ্রীং শ্রীং ঐং লাইরৈমা য়ুচেং লৈমা ।।

লাইরেম্বী ৭ না তেংবানবগী ইমা লৈসিরেনগী তুংইন থৌখন্না নোংদম্বগী থৌখনবু তানফংনরে ।। কৌক্র লাইচিদা লৈবী থৌয়াংবী ওম হ্রীং ঐং লাইলৈমা চিংবা লৈমা, ওম ঐং হ্রীং লাইরৈমা চিংচেংলাইবীগা অনিনা মপুগী থোংহাম ফমথাবদু থৌপুনা কাংহাই হুম্না থৌখল্লে ।। চিংউ শিঙ্গী থৌরম্বদু মরু অনিগী কুবি থৌরম্বদু চিংথৈ মরু থোংনাং থাবানা নোংদম্বদা কৎপা অঙ্গাম লানা য়োম্বা উহং লৈরাং লৈতোন ৫, লংথৈ লৈপোপ ৯ বদু

পায়হুনা লৈরাং উহং লৈপোপ ৫ বু নোংদম্বগী নমন্ডা লৈবু লাংলে ॥ লৈপোপ ২ পাযহুনা হয়ম হয়িচং উ লৈহিংকা ওবা ॥ অমুক ২ পায়হুনা কুং নোংলুম ওবা লৈহুপ্রে ॥ লৈপোপ ৯ বু লৌহুনা ওম হ্রীং হ্রাং শ্রীং শ্রীং শালাইলেন অমম্বা নিংশিংজরি ॥ হুং শল পুংলেন চিং পিক খিকথবা অতিয়া মরু ওম সনা থমলে থাং ওবা ॥ মরুদা লৈহল্লে ॥ অবোংবা লানা য়োম্বা লৈপোপ ৭ পু লৌখৎনা ওম পোকপিতু ওম পোকপিতু ইথৈলেল লাইলৈমা হনাবু নিংশিং থাগোজার ওন সনা মুহেন্থু নোংসনা মনিক খোম্বী ৩ বানবগী ইমা লৈশিবেল লৈপুনবী ওবা ॥ পাওশানা লৈহল্লে ॥

মরুদা লৈহুনবা লৈপোপ ৯ বু লৌষ্ঠনা চিউ খোইরি ফাবদা শিন্নবে ॥ লৈপোপ ৭ পূ লৌহনা শনিক লাইনৌ তাবীদা শিন্নরে ॥ নমন্ডা লৈবু কাইথোক্তনা লৈপোপ ১ দি নোংদম্বগী থুয়াখাদা থমলে ॥ লৈপোপ ২ না শলাইলেল অমম্বা—অতিয়া মরুদা লাংলে ॥ ২ অমনা ইমা ইথৈলেল—লৈশি লেন্দা লাংলে ॥ খোইরি ফাবনা লৈপোপ ৯ বু পায়হুনা লৈপোপ ১ বু শ্রীং লাইয়েক্পা নাওয়োমলিবা লাইমিংথোই, ওম হোহিক রোহিক সোহিক মোহক সনা ভান ভরং লিকলা পুন্দা লৈবও লাংজরি লৌবিও মহি শানালেন নোংদম্বা ওবা ॥ লৈপোপ ১ না ওম লৈ নোংথাং তরেংবা চাতং কোবা মৈতৈও পা—থংবা লাংজরি ॥ লৌবিও সনা কোঞ্জল তুথোকপা ওবা ॥ ×

৩ বদা ওম কুরুমলেল কিংনাইবা চিংউ কৈরুংবা ওবা ॥
৪ বদা ওম শাকুার পুংথৈবা হঞ্জবা চিংউ ইম্বাংথেন পুমিন্নবা ওবা ॥
৫ বদা ওম অশৈবা হঞ্জবা পেনা খোংবা চিংউ পোহরৈ মোইরেংচাম্বা ওবা ॥

৬ বদা ওম মিরেল থুং শাথোকপা চিংউ থুংথুং অচিবা ওবা ।।
৭ বদা ওম খেইবো লিংং শাফোংবা চিংউ থোংডাবেল ওবা ।।
৮ বদা ওম ক্লীং হ্রী কং কোয়ং লাইমংখোই অশিবা ওবা ।।
৯ বদা ওম ক্রো চিংলেদা লৈবা মুংকো পাত্তা য়াথোকপা কংলৈ পিবা নমডাদা লৈবা তরংলৈসনা লৈডোলসি কোবা লৌবিও ওবা । ×

শনিক লাইনো ডাবিনা অবোং শ'না য়োমবা লৈপোপ ৭ পুক্ষা ।

১ বা ওম ঐং হ্রীং ইমাগী মহাক ওইবা চিংচেংইগী ওবা ।।×
২ বা ওম হ্রীং ঐং মহক্কী মহাক ওইবা চিংবা লৈমা ওবা ।।×
৩ বা শ্রীং লাইযেকনা নাওয়োম্বী ওম ঐং হ্রাং শ্রীং ক্লং হোসো ললনৈম ওবা ।।×
৪ বা ঐং লাইয়েকনা নাওয়োম্বা ওম হ্রাং হাশো থুম্বোংডানবী ওবা ।। ঐ হ্রীং শ্রা হ্রং হোসো সিদ্ধৈমা পুরারা মবেম্মা লৌবিও ।।
৫ বা ওম কুমদম লৈমা ওম ঐং হ্রীং শ্রীং ক্লীং ফোওইবী অরাই কংদবী চেংলৈমা চাকশৌবী ওবা ।।×
৬ বা ঐং হ্রীং শ্রীং ইমা ইরৈমা ইহিংসং ইপুংথোক ইয়াবীমিরিহিং লৈয়োম্বী কোরো মালেম শিমা লৈকোই থুংনা লৌরবীও ওবা ।।
৭ বা ওম নোংপোক লোইরং পানফবী ইমা লাংডাবী নিংথিবা খোরম থোডমদবা য়াদবী নোংপোক অডাই চমু ইমা লাইরুম নথাং ...ল লাইথম ফিরোল শাথোকনবী লৈমরেল শিনাই ফমলেন থেংহৌ ওম লাইফুলেম্বী লাইয়েক লাইথং চমু লাইফুলেম্বী থাথোনাং লৈমা লৌবীও ওবা ।।×

৭ চিংউ পুম্বদা লৈ লাংবা লাই লুচিংবা পাইমিং

চিংউশিংন্না পুনরকপা লৈরাংসিংগী –ইশিংশা, উরেংবা, উরোইপান তক্লুনা মহি লৌরগা লৈরাঙ্গী লৈনাদা খিকপেংনা নোংদম্বদা কংননবা লৈরাংববু কাইতুনা চিংউ পুম্বদা থুংনবা লৈরাংলক্লে ।। খোঙরি ফাবনা তাক্লুনা লাইপাখং খরনা তাক্লুনা লাইঙং লাইচং থাইনা লাইলৈমাসিংবু লৈরাংলে ।

লাইবুংথৌ লাইরেম্বী পুম্বদা লৈরাংবা—

১ বা ওম শেল নবেং তরংবা নোংদম্বগী লৈমন লৈরাং শাগোইদাক অমুবগী মপালগা, হে খাগোক লৈরাঙ্গবু চিংউ লুংবা মহারাবা লৌবিও ।।

২ বা পামেল লৈনম্বা উরোইপাল অতকপা মহি খরগা হে খাগোক মনা ৩ লোংবগা থম্বাল অশংবা ১গা পুশিনক্লুনা শনিক লাইনৌ তাবিনা ওম শংথুপলেল নুংমু তুমদা মংদবী লাংজরি ।। হেখাগোক মনা ৩ লোংববু উরোইপাল মহিদা লুপ্তুনা ক্রোং হ্রীং হ্রীং পাওশানা খিকপেং চাইতুনা হেখাগোক মনাবু লাংলে । থম্বাল অশংবদা উরোইপানবু চাইতুনা ওম ঐং হ্রীং ক্লীং হ্রীং হ্রীং ক্লীং নুংমু তুমদা মাংদবী ওম হ্রীং থৌরম খুজিংনা থৌওমদবা লৈংবী কুবিও ওরা ।।

৩ বা লৈরাং লৈহাওদা উরোইপানবু খিকপেংনা পাইতুনা ওম হাই চিংপা হাই ফাহিং চিংউ কৌক্র লাংজরি ।। ওম লাইলোংবা চিংউ অশুম্বা লৌবিও ওরা ।।

৪ বা ওম উইফ্রাং চিংথংশ্রো থাংজিং পাখংবা লৌবিও ওরা ।।

৫ বা ওম হিংক্রেকফা হ্রীং ক্রং কংফা বাংক্লেন পাখংবা লৌবিও ওরা ।।

৬ বা ওম য়োং পোকপা খমলাং পনশাবা লৌবির ওরা ।।

৭ বা ওম মিংথাংলেন মনিক কৌবা চিংউ নোংপোক অপাম্বা লৌবিও ওৱা ॥×

৮ বা ওম চিংউ মহৌমিংথোই। নোংপোক লৈহৌ মহৌ মহারাবা লৌবিও স্লিং ওৱা ॥×

৯ বা ওম মিরুহিং পুরৈচি কৌবা চিংউ থোংনাং থাবা চিংথৈ মরু লৌবিও ওৱা ॥×

১০বা ওম ফৌরুচি চিংউ চেংদা মিংথোইবা লৌবিও ওৱা ॥×

১১বা ওম পিৎ পিৎ হোচি কৌবা চিংউ মাজিং পাখংবা লৌবিও ওৱা ॥

১২বা ওম ক্লীং সংতে হিংতে চিংউ মাজিং পাখংবা লৌবিও ওৱা ॥×

১৩শুবা ওম চিংউ খাংৱাই নারহনবা রি ওইম্না পারি শোম্বা কোলতে নারকপা লৌবিও ওৱা ॥×

১৪শুবা ওম নোংচুপ মরু থ্রীং ল ইয়েকপু শংহৈকপা মরু লৌবীও ওৱা ॥×

১৫শুবা ওম হ্রীং হৌ মম্বোং মিংথোই ওম হ্রীং ওম লৌবিও ওৱা ॥×

১৬বা ওম হ্রীং শ্রীং ক্লেং হুং কৌবা লাইমিংথোই নোংশাবা লৌবিও ওবা ॥×

লাইবুংথৌ লাইরেম্বী পুম্বৰ লৈবাংবা লোইরকুনা চিংউ পুম্বা হয়ম ঙৈদা শাথাক্পাখবদু হন্দাক শাদম্বরিবা আসনা থোইনা য়াম্না চংখোম্না শিডাক্তবদু লৈতনা থোপুনওম্নরে শুংডাই মথোই কাবও থোইনহেল্লি পাউশানতুনা নোংদৰণী থোখন লৈবনা হনখরে। হন্দবা শিংলোই লারোইনা য়ারেক থোখম্না লৈরে।

২ নং থাক্তা ৪নি পানবা নিনি চনবগী য়াকৈবা লাইরকচন (অসিৎ নুমিৎকী থৌখন)

অশৈবা পোইবৈ মোইবেং চায়না মকোক ইথুম মাইতা লোইহনা হকলেল লৈফম ৭ তা মালেম লৈকৎনা মখুৎশু পেনা পায়থনা লাইশং থোংলেলগী ময়াদা (কফুৎ কৈজাও কোয়া) কন্থান্দুনা থৌখন শৈহৌরে ।।

হয়ম উং উং উম চিংউ ইবুংঙো ইণ্ডাল লৈশা লৈহৌবা, তরাং ইহৌনা মালেম, কুবিনা কোরৌবু কাপ্রিবা নোংদরা নখোং খুয়া অম্বালগী ইণ্ডম, চাদনা থৌবয়া মাইয়োকথাবু লাংজনা, ইয়া নাপি চিক লুবাই শমকাংফাই, ঙও়া চরে মেৎ লৈমাই থক্তা কোং-য়াংচৈনা তাবগুম হশা কোঙ্গন তুথোকনা ৱাকৎ ৱাহোমজবু কুবি নোংদম পঞ্ছ ।।

নোংপোক চিংখৈলোল লমলেল ইণ্ডালবা লোক্লোকোন, চিংখৈলাবা য়াওল্লে, হিদেন মতাকবদা তুবি লাইরেল শাংবনা তুথুপ লিকোননা, থুবিনা শাংখা লেমথা য়াহপ য়াতাবগুম মোন্দুম মোংনুকী থগো য়াহপ য়াতাবসিবু য়োইময়াই ইতম ওইদনা নোংঙাল তু শু উরাক্ল, চিংউ ইবুংঙো য়াকৈরশি, থবি লানংদবনা থাবা লায়ংদবনা হুমাখি কানখিনখিনি চিংউবগু য়াকৈরশি ।। চি থৈ মবোল তরেৎনা ইশেং ইবানজহনা চিনখু মাইতা থৌখয়া খোংহাম ফমথা তানফংজগে ইঙাই থকনা ঙাইজারি চিংউ ইবুংঙো লেংখৎলসি হয়ম ।।×

শনিক লাইনৌ তাবীগা হৈরোং লৈমগা ২ শু খিকপেং থৌখন লাংনবা ইশোকলক্লনা থোকানবক্লে । খোইরিফাবাপা

মক থোংনাং থাবা চিংথৈগশু চংশক্লে । মরুনা চংলকপা উবদা শনিক লাইনৌ তাবীনা লাইশংবু থোং হাংদুনা 'নাংদম্বগী অযুক্কি থোখন থৌপূনবা পোৎলম শিল্লদুনা থমলে ।

মথা মাইকৈদা লৈবী লাইরেম্বী ওম ঐং শ্রীং শ্রীং ওম চিংউ থৌডাইবী, মচু মডাঙ্গা অডাংবা হংচেং মচুনা লংনা ভানবী ফিবোল লৈতেংনা অডোবা থাগি মচানবু শাথোক্লা লৈতেংবীনা তেংবানবগী ইমাগী অযুক্কি নোংনম্বদা লৈকৎ লৈরাঙ্গে নিংবা পোৎলম্বু রাত্তনা শেম শাহনা উবে না উবেগী পানগী মচি তক্কনা মথল মথেন নাইনা থিকপেংনা থমদুনা লৈবাং উচুং পোমশাং-নবা লৈপোপ ৮ বু চিংথৈ ওনবা চংবি লাংতোম অমদা যোমদুনা লৈবাং মযামগী মনুংদগী থাহনা থমলে । অচা অথক মথল মথেন নাহনা শেমদুন লোইননা লৈতেং ফিবোল লৈদু মাঙ্গবী লাইরেম্বী তবিৎনুগা লাইবেম্বী পিশিলখোম্বীগ অনিনা ফুংইনা চংলক্কনা ইমা লৈশিরেলগী থৌখনবু থৌপূন অডোবা থাগী লৈদু ফিবোনবু খুংশেৎ কানথাং নমথাং ফিবোল ফিশেৎ লৈতেং লেইরগা নম্বাশু মশী থৌখন লাংশংদা থাম্বাবক্লে ।।×

শনিক লাইনৌ তাবীনা খিকপেংবু পাযদুনা (নাপিগা শিংবিগা) লুপ্পনা খিকপেং থাশেংববে । লৈশিরেল ইমাগা লাইরেম্বী ২ গবু হৈরোং লৈমানা হৈরাং লৈবাং লাকোই লতংনা চিংববু থাংজিদুনা লাইমাংদা থমলে ।। খুদক অতুদা লাইলৈমা (তাবিৎনুগা পিসিল খোম্বীগা) তানিবু মুংথিলগী শাম্নগদবা থোরম্ব অতিয়া মরুগী মফমদা থোচৎনহল্লে ।। লৈতবা লাইবুংথৌ লাইবেম্বী পুম্বশু মানা মানা লৈবাংনিংবা পুরক্কনা খিকপেং ইচাইনা লাইমাংদা শেম শানা থমলে ।।

শপ্লাইলেল অমম্বা অতিয়া মকুগী থৌখন— থাগী লৈচু অঙোৈববু তমজনা খুাংশেৎ কোনখাং নমথাং খুাংয়েৎ, নমশা শলাই, খোংশি নাসি, খুজি পাম্বোম য়াইরি লৈতেংবা লাইবুংথৌ থৌডাইবনা ফিশেৎ মান্নব। লাইবুংথৌ শিংলোই ১৪গা লোয়নন্ন। কারক্কুনা মকুগা থৌখন লাংলরে ।।

(১ অমাইবগী মুমিৎ খুদিঙ্গী থৌরম)

লাইলৈমা লাইনৌ তাবীগা হৈরোং লৈমগা অনীনা তান্নহুনা লুমাংদা হৈথা লৈরাংনবা শেম শাবা লোইরে ।। অউপ্পা লাশেৎ (৩) দা লংথৈ, লৈপোপ ৭ য়োমহুনা লৈয়োম অনী শেমহুনা থমলে ।। কাইবেল ফাংথোং (৪) দা মাইয়োকথা হৈরাং লৈরাং চেং কাহাপ্পা হৈকাং চংথোকপা হাপনা থারে ।। ইরান লৈমগী লুমংদা হৈবাং লৈবা চেংডৌ ফাহাপনা মাইয়োকথা থারে ।। নোংদম্বগী কাইবেল মথাইথংবদা ফা চেংডৌ ফাচাপনহুনা হৈরাং লৈরাং হাপনা চনং চেংবা থাহুনা থৌরোইজরে রাকংলে । থোইরি ফাবনা থমলিবা পুংবু নোংদম্বগী খিকপেংফু মকনা ভারাং থাগোন্নখিববু পায়হুনা ফুগী মপাম্বা খুল্লোল (৪) শোক্লা খুখিনা ফুগী মঙক্কা নমহনা ইকৌরক্লে ।। ডুং চিরি, উংচিখোম, উংচিখা উংচিবাক, উংচিতক, উংচিশা, উংচিলা, উংচিথা, উংচিরিৎ, উংচিখুম ।। ওম লৈরংফেল লৈতকপা ওম লৈপুলেল তালথরেং হুংহহিংসং ইপুংশোক ইয়াবি মিরিহিং লৈয়োম্বী ; ইকৌফুগী মমুংদা হৌকতমলরো নোংদম্বগী থৌগল থৌপুশে । চেং থোইদিং লৈ তিংথৌ খর পায়হুনা ইশাইখুগী মমুংদা (ওরা) পাওশানা থারেরো ।।

২ অনম অথৌ খিকপেং

ইশাইখুগী মমুংদা নাপিগা শিংবিগা লুপ্তনা খিকপেংলে । হয়ম হাউং হায়েং নাপিনা শিংবিনা ইখোং ৯গী ইশেংনা খিকপেংনরবদা নোংদম্বগী থৌদা থৌপুবা লাইমিংথোইনা মরোল

মরিল ফাইনা অভক অঙাও তানথেংনা-নোংদম যাবু থৌওমদনা লৈববু নোংদম্বনা চিংউ ৱাবু পাওশানা খিকপেং ইচাইনবদা মবোল মরিলবু ৱাশেংলে অনম অহাবু কোক্লহনা নমু মিতম্বা তাইবং তরেৎপু শেমগৎ শাগৎপিন্নুনা মালেম ইভাল লৈশাববু মপুং মরৈ কানা থম্মখিবগুম্না হৈৱাং লৈরাংনবগী মাইযোক থানা লাংজরিবা পুম্বশে অনম্বা অহাবা নামুংবা যাওবম্বা খিবিকপু থাশেংনরগে, মনম্বা থানম্বা পুম্বা হনখরো তিনৈশং লাইশেংলশিংদা হয়ম হয়িচংচং ॥×

নোংদম্বগী থোখনবু থৌওম থোপ্পনবা ৱাবৌকালগা তিনথং লাঙথৎনরগে লাইজা নামুংবা থৎলগে তিনমু লাইমু থৎলগে ॥ নখোই পুম্বগী ৱাইথুং লৈতেমদে হাইগান, হাওরৈখা পাংনা কুমলো, নথং নমান্নবা খিকৱাং থাৱানি মখা লৈতেং শেম্বী মমিৎ পেবাও পাচাওবী, কোফাল ফান্দেং ফম্বা চোম কাইদোং শিবী, মাথক মথারক্লা লৈচং লৈবিম্না লেম্বে ॥ উংহৈ উংহৈ উংহৈ ॥×

হুম, হুম, হুমহুন কেং য়েংইগা মেনগা য়াং ॥ থোকে, থাবুং লাংবুং থোগে থৌদন লাংবু থোগে থাবা পোংথো তমালয়ে মুমিং মাবু লান্নংদে ॥ য়াবা কোংগা শাগ পোংথো, পোংথৌ মথংলেনগী কুমজা ফানম থোগে খাজা ফানম থোগে ভাল্লবে তেররে ॥ নহামো ককশানোং ইশানোঙ্গা, হাথন নোঙ্গী, খোংদো নোঙ্গী ভুতেংনোঙ্গা, কাইবা নোঙ্গী তেক্লা নোঙ্গী থাবা পোংথো তমালয়ে থাবা মাবু লান্নংদে, মুমিং পোংথৌ তমলিয়ে মুমিং মাবু লান্নংদে ॥ যুমশানা তোকপনা, কমবানা, পিশিল নাওশংনা খুম্বাদা উবাদা কৈইখোংদা, শেনখোংদা নারিন্দা হম্বুদা পবৈদা হোংলাদা চানাদা, হরুদা কাইরা নোঙ্গী থাবা পোংথৌ

নামন নোঙ্গী লাকলা নোঙ্গী থাগা পোংথৌ তমলিয়ে থাবা মাবু লান্নংদে শুমিৎ পোংথৌ তমলিয়ে শুমিৎমাবু লান্নংদে ॥ ×
ঙাহনা, খুহনা, কাহরৈনা য়েলচানা, তেকপিমা ওকচানা, কাওরেল লমযন চানা, যগ্নী কৈইথোংদা পাইবিদৈংদা পরিং লাংশম হুনদৈদা তংলা নোঙ্গী কারা নোঙ্গী নাকথা পোনম্না কমদা, তংলা নোঙ্গী তেকলানোঙ্গী কাহবা নোঙ্গীবু থাবা পোংথৌ তমলিয়ে থাবা মাবু লান্নংদে শুমিৎ পোং ॥ তমলিয়ে শুমিৎ মাবু লান্নংদে ॥
য়বা কোমাবংশ গা পোংথৌ মথংলেনগা চাকে, কুমজা কালম থোগে, থাজা কালম থোগে ॥ নহান্নোং পোং খুৎকাই শাক ওবনা খুজেং পালোই পাইদৈগ, খুৎকাই শাকাইদৈগা, খুৎকাই শাকাইবনা খুজং শাজিং শুঙ্গাবু তেকনা নোঙ্গা কাহবা নোঙ্গী নামল নোঙ্গীবু থাবা পোংথৌ তমলিয়ে থাবা মাবু লান্নংদে, শুমিৎ পোংথৌ তমলিয়ে শুমিৎ মাবু লান্নংদে ॥ কুমজা লৈপান কালন থোগে থাজা লৈপান কালমবু থোরগে হাং হাং হাং হুম হুম হে লেংনারাগা হাং হাং হুন হয়ম ॥ ×

উং হে উং হে কেগা য়োহগা মোঙ্গা য়াইগা থৌরি থৌয়াং লাং থৌরি থৌদয়াং থাবা মাবু লান্নংদে শুমিৎ পোংথৌ তমলিয়ে পোংথৌ মথং পিজগে শুমিৎ মাবু লান্নংদে ॥ য়ারা কোঙ্গা শাগি পোংথৌমথং পিজগে কুমজা লৈপাল থোপু নোংদম থৌরগে ঙাল্লরে তেররে উং হৈ উং হৈ উং হৈ ॥ নাহান্নোং মোংবা তুজো থোংদোকে হুদেং খোংদেং নোঙ্গা থৌরি থৌয়াংলং, থৌরি থৌদল থাবা মাবু লান্নংদে শুমিৎ পোংথৌ তমলিয়ে শুমিৎ মাবু লান্নংদে উং হৈ উং হৈ উং হৈ ॥

হাউং হায়েং থৌবিতেং লোইবিতেং চোলৈনাই তাংলৈনাই, উংঙাংদৈ, সিনগু লনগুদৈ, চরোইনা খোংদোকৈ য়ামবীনা

লৌখাইদৌ, তুইখৌনা চিনফংদৌ, কৈবেলনা য়াখোকদৌ, লংবা তুইচিল তুইযা থৌবনা লৌখাইদৌ, চিংউ নোংদম থৌপুবনা লুমলাংবু অতক অতাও চুনা থৌওমদনা ওক্রবদা থৌওম থৌ- শিনবা অতিয়া মরুনা উহংনানা, নাপিনা, শিংবিনা তাইমরেং নারোংবগা পুংফাইগবু লোংনা পাই, নাইজা ইশিংবু লপ্তুনা পাওশা তরং খিকপেংনা হচাইবিবদা চিংউনা লাইমিংথোকবু অমম্বা অহাবা আযেং আখোং থৌখাই য়েখাইবা লুমলাং অমমনববু তিনশেং লাইশেংলক্লনা নোংদম থৌদাবু থৌওম থৌবোইনখিদো, অতুংগুম শিনশেং লাইশেংনবগী খিকপেংনা থাশেংলবনি শেংনরাশদে। । ডং যেং ডং ডং ডং হয়ম হয়িচংচং ।

পোংলম পুম্ববু খিকপেংলগা লৈযোম ও বু চবী লাংতান অমদা থাইনা কাইরেলগী মাওদা থমলে । অমাইবীনা মৈরা থাম্লে, মেক্রুক নৈথু লাংলে ।। ময়ম পুম্বা থৌবা জরে হাযনা চিংউ থোংনাং থাবদা পাওদম্লন্দা চৎথা একাা ইমা লৈ- শিরেম্লগা আনও চঙলক্লনা যৈবু শংগা কাইরেলযক্লা কম্বান্দুনা থৌখত্রে।

ও হৈরাং লৈবং পুম্বা থোংনাং থাবগী পরম

(কোবৌ খুদিং খোপুগান)

খোইরি ফাবনা নোংদম্বগী নাহাইনবা থুরেন্দা ইহাপনা উহুং মবা অনগা নাপাগা শিংবাগা ও বু ইশাহকুগী মন্নুংদা হাপ্তুনা মরুদা লানাশিল্লে ।। থোংনাং থাবনা মরু অনিম্ব পুরুম লৈপাম্বনা থৌনিরক্লে —

হয়ম হোয়াহে চিংউ লাইমিংথোহ থম্রবু ইওাল লৈগা নোংদম্বা, তন ইপোকপা মালেম্বু কুবিনা কোবৌবু কাপলিবা খুয়াখাদা হনা হন্না লেপাই খাকংচবু ক্লাবও ।। নয়াথং

মোংদম থোঁদাদি থোঁপুদবা য়াদেদো ইতিক ইঙমদি নৎচদে, থোঁপুদবা য়াদবা নোংদম নয়াথংবু থোঁখন তানকংজরগে লংজববু অয়োন লাকপবু কুবি লৈকয়বিও ।। হয়ম ওম লৈরংলেল লৈতকপা ওম লৈপুরেল তাম্থারেং হুং ইহিংসং ইপুৎথোক ইয়াবি, মিন্নিহিং লৈয়োম্বী, ফুরেল ঙংদা ফম্বীও, ইখোং ৯বু কোঙ্গিল্লো নোংদম্বগী খোঁখন তানক জাহৌশে ওয়ম ।। X চিঙ্গোই পাওরল ঈ, কুনশং ইখোং ঈ, ফিশং ইখোং ঈ, তুবি ইশেং ইখোং ঈ, তুম্বা ইখোং ঈ, পাওবি ইখোং ঈ, চরোং নারোং ইখোং ঈ, পুমশাই ইখোং ঈ, হৌ থংকেং কংলোইবা ইখোং ঈ, ইখোং ৯ বু হৌকংবা ।।

পওশানা নাহাইকুবেলন, থুবাক অনিনা যুগী মপুক নাক য়েংনা পাযহনা ইকৌবগা নাপিগা শিংবিগা পায়বগা ইশেংব, লুপ লুপ তুনা কোংবানবগী মপুদা ইচাইনা পাওশারক্লে ।। আ, কা, খা গা ঘা ঙা অা ই চা ছা জা ঝা ঈ ।। উ টা ঠা ডা ঢা ণা ঊ ।। এ তা থা দা ধা না ঐ ।। ও পা ফা বা ভা মা ঔ ।। অ যা যা বা লা বা, শা ষা সা হা ক্ষা আং ।। উ য়ং ঙং ঙং ঙং ওব্রা ।। নোংদম্বব, খিকপেংনা মিয়েলবু থাগোন লৈফারে ।। ইমা লৈশিরেলনা নোংদম্বগীদমক্তা চিথে ওনবা চংবি লাতোম্না য়োমলিবা লৈয়োম উহং লৈরাং লৈয়োম্বু পায়তুনা "উং লৈহিংকা, লৈফা ওংএ, কুং নোংলুম উংলৌ যাইবলেন" ওব্রা পাওশানা লমতা লৈবু লাংলে ।। লংথলৈ লৈযোম অনিবু পায়বে (ওম হ্রীং হ্রীং শ্রীং শ্রীং) চিংউ শলাইলেল অমম্বা চিংউ ঈথৈলেল সাইলৈমা, ওম সনা থমলে থম অতিয়া মরু ওমসনা মুহেন্থ মোংসনা মনিক খোম্বী ওব্রা ।। পাওশানা লৈপোপ ১৭ য়োম্ববু মরু অতিয়াদা লাংলে ।। লৈপোপ ৭ য়োম্বনা ইথাদা লাংলে ।। লুমাংদা থমলিবা হৈরাং লৈরাং

অচা অথক মৈশেং মেক্রুক মৈখুনা চিংবা লাংলে ।। ইবান লৈমা ইমাগী মাইয়োকথাবু লৈহুনলক্নে । চিংউ লাইলৈমা তেংবানবগী ইমা লাংক্লি (ওম ক্লীং হ্রীং ক্লীং শ্রীং হ্রীং ক্লীং ক্লেল লৈমা ওমা ।। ×

৪ অতিয়া মরুনা কোরৌ খুদিংগী থৌরম থংহনবা

অতিয়া মরুনা ফম্বাল্লাংদগী শাথোকলক্লনা নোংদম পাওশানৈ ॥ চিংউ পুন্না অসিগী নুংথিলগী থৌরম তেংবানবগী মপুগী থৌখন শাদম শাথোকপা থৌরম অসিগী হয়মদা খোহৌহিবগা কাইদনা তেংবানবা অশিবা মশক মওং মতৌবু থংহন উহন্দুনা থমম্লুং অমম্বা হাইকম থংদনা লৈবদগী মশকপু করি কমদৌনা থংহনশিবনো লুমলাংবু শৈরেংবদগী হৌনা মথংলে না থৌপুনা নোংকোয়ৌগী থৌথনশি হাইনা তেংবানবগী ইমানা নোংদম্বীরকইদো, থৌরম্ব থৌওমবা থৌপুদবা য়াদরে নৈকা থোঙ্গা ওমশিদো থৌরম্বু বাত্তনা চিংউ পোইরৈ মোইরেং চাম্বানা আশৈ খোংফাংনা শৈরাও শৈশক পিনিদো ।। আমাইবানা থৌরম্ব পাওশানা চিংউ, থোইমুম তাইবংশিংদা তাহন থংহনবিহুনা অনোই শাথোকনবব তেংবাংবিনিদো ।। থোংনাং থাবা মরুনা থৌরম্ব থোইচং মিংয়েংবিহুনা বাংলবব হাপ্পীহুনা অহেনবনা লৈশং থৌপুনা নোংদমদা নিংশিং পরম্বু লৈকং লৈরাংবিনিদো নোংদমলে ॥

৪ নুংথিলগী থৌরম থৌপুবা লাইরকচন ॥

লাইলৈমাগী ফিরোম্দি নোংমা নোংমাগী মচু হোঙ্গনি ।।

লাইলৈমা ৮ বব থাজাগী মচু ঙৌনা ঙানবা কুমম্রিন পোংলোই, কোলথাং শাককপা নমথাং ফিরোন থৌথমা

খুজি নাসি লিকথাং মথাং, নুরেল লৈচাও থেংনা থৌখম পোৎলোইবু পায়রা থৌখনজগদবগী কাররে ।। লাই পাখং ... পাংচৌবা কৈচোব খুাং শেংনবা, কোল খাং শাংচোনবা লিংপা ৪, শ ককপা লিংপা ৮ না শাইরোং পায়বা, লিকং তেন পায়বা, থাং চুংকোই পাবনা, টা-চুং পায়বা নমশা কৈদি কোকয়েং খদাং লিপ্পনবা ।। শাচোনবা লিংপা নমশা শলাই কোকয়েংপা নমথাং খুাংযেংপা চোংখানবা হুমাই থনবমচিংবা কানবক্লনা থৌডাইনে । মাইকৈ ৪ চিরা ৪ অকোয়বগী লাই-বুংথৌ লাইপেম্পীগু শুনা কাবক্লনা কমলে ।। লাইবুংথৌ ৭ লাইরেম্বী ৭ গু মাসী মাসী ফিরোল্স ফিশেংনা খোংজি, নাসি, খুজি, পামরোম যাইরি, নমশা শলাই কোকয়েং, নুরেল লৈচাও থেংনা কাররে ।। মক্ল ২য় চংডক্লনা নোংমবগী য়েংকা ওইপা থৌখনা কমলে ।।

শানক লাইনৌ চাবিগা টৈরোং লৈমগা অনিনা কম্বাম্বদা মাইয়োকথা তনোইলোন লাংলে ।। মথংদা চিংবা লৈমা, চিংচেংাইবা, নুংমু তুমদা মাংদবী, কললৈমা, পিললৈমা, নোংপোক লৈমা=মৈতৈ লৈমবেল সনা খোংনাং লৈমাকাররে ।।

হোই লাওবা,

হুমিচক্লী হরাওবা— হৌহে হো হোই হা হা হা— হোই হা হা ।। রেবিলে হে লিলা, ও—হে লিলা ।। হরম লাইশোল-নডেন, চিংটনা নিংশিং থাগোনক্লববু, তুব থোইমা য়ামা হরাওবা হুমিচংদা হৌদোবে, খোইথুম তাদবা তাররো, উদবম্ব উহৌররো, হোই হোই হরাওবা থৌহৌরে থৌহৌরে ।। হুমিচংদা থোক্লবে, হাইযুতে খুলাইতে, হাইযুহে হাইযুহে ।। অঙোএ অঙোএ ও অঙোএ ।। অঙো খ্রীং খুং নোংতম কাংবিরু, নোংদমলে

হরি ওবা ।। হা উং হুং, হা উং হুং, হে হে হো হোউ হো-ঙমলসিদা । চিংয়া পামেল অমুলাইহ সেমজবনা চাবলাইহ, সে সে চাবিরো শায়ানরাসে ।। ×

মস্তোংদগী হোই লাওনা চিংউ খোইয়ুম কারক্তবাশিংমু থৌহৌদৌরে তাহন খংহল্লবা লৈকৌ থাংকৌবমু চিরা মবু থুংনা পাওশা থৌরোইনরে ।। মাগী মাগী ফমফমদা হুপ্লিন্দুনা চাইহাক ফমলে ।। ×

কোরৌ খুদিং তেংবানবা মপুগী নমঙা লৈমনবু মরু ২ দা লাংবা ।। মরু ২ গী লৈমনবু লাইবুংথো ৯ লাইরা ৭ তা লাংবা লৈরাংবা—

থোংনাং থাবা মরুনা লাংবা লৈয়োম্ম থোক্তনা লৈপোপ ৯ বু খোইরিফাবদা শিন্নরে ।। ইমাদা লাংমা লৈয়োম লৈপোপ ৭ পু শনিক লাইনৌ ভাবিদা শিন্নরে ।। থোংনাং থাবানা খমহৌবা লৈপোপ লংথে ৫ বু আংয়া মরুদা লৈপোপ ২, ইমা লৈশিরেন্দা লৈপোপ ২, ইবান ফুরেল লৈমা ইমাদা লৈপোপ ১ লাংলে। নোংদম্বগী নমঙা লৈ লাংবা লৈয়োম লৈরাং উহং পোমশাংনবমু থোক্তনা লৈপোপ ৮ বু পায়তুনা লৈপোপ ১ না নোংদম্বগী খুয়া খাদা লাংলে ।। লৈপোপ ২ অমুক পাইতুনা চিংউ শলাইলেল অমম্বা—অতিয়া মরুদা লাংলে।। লৈপোপ ২ অমুক পায়তুনা চিংউ ইখেলেল লাইলৈমা—ইমা লৈশিরেলদা লাংলে ।। লৈপোপ ১ না ইবান লৈমা—ফুরেল লৈমদা লাংলে ।। লৈপোপ ২ অমুক পায়তুনা লাইশং মমুংদা মপান্দা থোক্তনা লৈপোপ ১ না মস্তোং কাজাও কাইরেলবা লাইমিংথোইবা লাংলে ।। লৈপোপ ১ না মরাই গুমদোং কায়ল লৈকম্বা মৈতৈভ

পাখং কংলৈ পিবা ওমসনা কোঞ্জন তুথোকপদা লাংলে ।। হঞ্জিল্লক্লু না নোংদম্বদা লাংখিবা লৈরাং পুম্বা ক'ই'থ'ক্লুনা খোইরিকাবা। লাইনৌ তাবি ২ দা শিন্নবগা থোবক্তনা মপালগী কাইরেলদা থোংনাং থাবা কম্বাল শাংখ্রে ।। ×

লাইবুংথৌ ৯ লাইরেম্বী ৭ তা লৈথোম লৈ লাংবা খোইরিফাবনা নুমিৎ খুদিং খোপুনি ।।

লৈরাং লাংথেু লৈপোপ ১ গা অচোইবা লৈরাং খবাগা মিশেং মবা থান মেক্রুক মৈখুলাং টরোইপাল অতবপা মহি খরগা লৈবাক্তি কম্বি ১ দা হাপ্লুনা

১ । শ্রীং লাইয়েক্তা নাওয়োম্বা লাইমিংথোই লাংজরি ।। ওম হ্রোহক ম্রোহিক শোহিক মোহিক শনা তাল তরংবা লিক্লা পুনগী মপুংদা লৈনাও লৌবিও মো হি শনালেল নোংদম্বা ওবা ।।

২ । লংথেু লৈপোপ ১ গা অচোইবা খবাগা অমুক লৌতুনা ওম লৈনোংথাং তরেংবা চাতেং কোবা মৈত্তেঙু পাখংবা লাংজরি ।। লৈবাক লুচিং পিবারেল কংলৈ স্না থম্বাল লৈশংবা স্না কোঞ্জন তুথোকপা ওবা ।।

৩ । ওম কুক্রুমলেল ফিংনাইবা লাংজরি। চিংউ কৈরুংবা লৌবিও ওবা ।।

৪ । ওম শাকুরি চিংউ পুংয়ৈবা লাংজরি ইরাংথেন পুংমিন্নবা লৌবিও ওবা ।।

৫ । ওম কোরিৎ চিংউ অশৈবা পেনা খোংবা লাংজরি। পেইরৈ মোইরেং চাম্বা ওবা ।।

৬ । ওম মিরেল খুং খোংবা। চিংউ খুং খুং অচিবা ওবা ।।

৭ । ওম শ্রীং রাং খোইরৌ লিখৎপা চিংউ থোংঙাবল লৌবিও ওবা ।।

৮ । ওম শ্রীং হ্রীং কুং চিংউ বৌক্ল অশিবা লৌবিও ওবা ।।

৯। ওম বা, ক্রোংচিংদা য়াংথাকপা কাংলৈপিবী নংঙাম্বা লৈবা ওবং লৈম্মা লৈতোনাশ তাশংবাইলাং থাবা পাথংবা লৌবিও ওবা ।।

লাইলৈমা ৭ কী লৈ লাংবা

শানিক লাইনৌ তাবীন। অবোহবা লাম্রোন ৩ না রোমলিবা লংথৈ, লৈপোপ ৭ পু অচোইবা লৈ থংগা লৈবাক্কি কনী ১ দা হাপ্লগা মেক্রক মৈখুলাং, ডাংনাইপাল মহি হাপনা অমমম লাংলে ।

১। ওম রীং হ্রীং তেংবানবগী ইমাগী মহাক্কি মহাক ওইবী চিংচেংইনা লাইলৈমা লৌবিও ওবা ।।

২। ওম হ্রীং গীং তেংবানবগী ইমাগী নহাক ওইবী চিংবা লৈমা ইমাগী লৈহুম লৈমনবু লৌবিও ওবা ।।

৩। শ্রীং লাইয়েক্লা নাওযোম্বী ওম ঐং হ্রীং শ্রীং ক্লং হোসৌ লললৈমা স্না লুপাবু শাথোকপি অবাই কংদবী ওবা ।।

৪। ঐং লাইয়েক নাওযোম্বা ওম হ্রীং হোসৌ খুথোং ভানবী ঐং হ্রীং শ্রীং হুং হোসৌ শিজলৈমা মাবা ইথোল পুবু শাথোকপী ওবা ।।

৫। ওম কুমদম লৈনা তেংবানবগী মিরেল থবাই ওইরিবী ওম ঐং হ্রীং শ্রীং ক্লীং কোওইবী চেংলৈমা চাকশৌবী লৌবিও ওবা ।।

৬। ওম হ্রীং শ্রীং হুং ইরৈমা ইয়াবী লাংজরি ।। চিংউ ইহিংশং ইপুংথোক ইয়াবী মিরিহিং লৈয়োম্বী কোরৌ মালেম সিম্মা কাইরেলবী লৌবিও ওবা ।।

৭। ওম নোংপোক লোইরাং পানকবী তেংবানবগী ইমা ওম লাংঙাম্বুবী নিংঙকপাবু থৌঙমদনা য়াদবী লাইকম নবথাং,

থাংলি লাইখল কিরোল শাথোকপা, হইয়েল লাংজেং থৌনু হৈশিংবী, লাইয়েক লাইখং চহ্ন লাইখুলেম্বী লৈমরেল সিদাই কমলেল তরেং লৈপুবী মাথোংনাং লৈমা লৈনুং মাখুরাবি লৌখিও ওবা।। লাংলে ।।

লেচা লৈফমবা চিংউ পুমবু লৈওক লৈরাংবা ।।

শানিক লাইনৌ তাবীনা লাইরকচনবু শিন্তাক্লা লাইশক খংবা লৈরাংবু লৈশক থাইনা পোলাং ১ দা হাপ্লে। কম্বী ১দা উরোই পালগা, উরেংবগা, ঈশিংশাগা (৩)বু তক্তনা অহুম থোক্লা হাপলে।। মৈপেং মৈরা মেক্রুক মৈখু লাংবা লোইমবী শিংদা পিরগা লাইরেম্বীশিংদা লৈরাংহল্লে ।। খোইরি কাবানা শিন্তাক্লা লাইবুংথৌ নোংকোরোগী থোকাবা শিংলোই, লারোই-শিংবু লৈশক লৈচু থাইনা লৈরাংলক্লে ।।×

কোরো খুদিংগী থোখল পোংলোই শমপোং থোখনবগী থোঙাইকম য়াংনা থোঙাইহনবা ।।

শনিক লাইনৌ তাবীনা কিভৌ কৈচোল খুাংশেংনবা কোনখাং শাককপা লিংপা লাইখন মোমতোক তুংয়েপ্পা, ফিরেল নমথাং থৌরনবা, নমপা কোকয়েং শলাই খদাং য়াইকাবা, থাং চুংকোই পাযবা (২) বু লাইশন্দী খা মৈরম, লাইবুঙ্গীনা মন্ত্রাং পাংবা, থোঙাইনা লৈহল্লে ।।

থাং ফানবা ২ গী মমাংদা লাইলৈমা ৮ মা অচৌবা মচুগী কুপ্রিন কানো পোংলোই খুাংশেংপী, কোনখাং শাককপা লিঙনা খাংলি লাইখন ফিমাম্বা মাইরি কানো হাপ্লা খুাংলি কানা, ফিমাই নমথাং থৌরম্না, লিকলি খোইশি খুজি নায়িন লৈজেনা

নুরেল লৈচাও হন্থিকু 'লেম্বক 'শেলখা, খুংশেং খুঙ্গাই লাই থৌখন পোংলোই পায়রবা অনি খারাংনা পা'রা' শানা লৈহল্লে।

লাইলৈমা ৮ গী মমাংদা লাইপাখং অচৌবা কৈচোল খুংশেংনা লাইখন মোক্তোক তুংয়েপ্পা, কো-খাং শাককপা লিত্তনা নমশা শমজিন হাপ্পা চুং-টা পায়রবা থংলে। অনিগী মাংদা লিকুং তেন্দোং পায়রবা অনিনা থংলে॥

২ গী মাংদা শাইরোং পায়রবা পাইতু হানবা অনিনা থংলে॥

লাইশঙ্গীনা অরাং চিংখৈ, লাইরুঙ্গীনা কৌরু লাইচিঙ্গী হৈনা ফিভৌ কৈচোন শেংপা লাইখন মোক্তোক লাইখন নাকায়প্পা কোনখাং শাচোনবা লিংপা শলাই কোকয়েংপা নমথাং অচৌবা খুং রেংপা লাই পাখং চোং খানবা ২ থমলে।

মথংদা লাইখুদেং উলুক পায়রুনা লাইকি লেংযানবী নিংথম খুংলি ফাবী শয়াং লুতুং কিশিবী, কিয়াই নমথাং লুখুমী লাইলৈমা নোংকোরৌগী পাওচংপী (নারিংনুগী পিসিনাখাম্বীগী) অনিনা থংলে॥

মথদা হুমাই পায়রবা লাই পাখং (২)না থংলে॥

মথংদা অসিং মুমিংকী থৌখন লুচিংবা খাগী মচুনা কিশেং লৈতংবা লাইবুংথৌ থৌডাইবনা থংলে॥

মথংলেংনা লাইবুংথৌ মুহা, লাইবুংথৌ উকোংলেল, লাইবুংথৌ য়ুচেং লাইবুংথৌ কোংটিংলেল, লাইবুংথৌ অঙাইবা, লাইহৌ মুনিংকী থৌখনখিবা লাইবুংথৌ খরাই, মথদা শিংলোই ৫৬ লারাই ৫৬ কনা শমথনা শাংথরে॥×

ওই থংবা হুমাই খনবগী মথংদা অসিং মুমিংকী ইমাগী থৌখন লুচিংবী ফিভৌ কিরোনগী কুময়িন পোংলোই খুংশেংনা খুংলি লাইখন কিবান্দা য়াইরি কানো থাবনা লিকাবী ওর ঐং খ্রীং শ্রীং অম লাইয়েক্লা নাওয়োম্বী লাইলৈমা থৌডাইবীনা থংলে॥

মথংদা ওম হ্রীং গ্রীং হুং হ্রীং থিংবা লোইখোম্বী ॥

মথংদা ওম হ্রীং শ্রীং ঐং কোং চিংলৈমা ॥

মথংদা ওম ঐং হ্রুং হ্রৗং শ্রীং ঐং য়ুচেং লৈমা ॥

মথংদা ওম হ্রৗং হ্রৗং ওম পুকসিখোম্বী ॥

মথংদা ওম ঐং ক্লং ওম লাইলৈমা অঙাইবী ॥

মথংদা লাইহৌ য়ুমিংকী থোঔনন লুচিংবী ওম হুং শ্রীং আং থাবৈমা লাইরেম্বীনা থংলে ॥

মথংদা লেংইনবী লাইরেম্বী ১২না শমথনা নিংখম খুাংলি পুনবীশিংনা ফিরাই নমথাং কোকখুমনা লুপুং শমলাং কিশিবী পুম্ববু শমথনা খোঙাইনা থমলে ॥

শানিক লাইনৌ তাবীগা হৈরোং লৈমগনা মরুদা য়াহোনা অনোই পোথনবা, অশেবন খোবম্ব, শৈশকপা ॥

পোইরৈ মোইরে চাম্বনা শৈহৌগদবগী পেনা মরুবু থবাক্কা থমলে চেচিংবু য়েৎনা পায়দুনা মর অনিবু শরুনা থমদুনা নোংদম্ববু থাগোন লৈপাইনা চিংডু খুং খোং, খোইরৌ লিখৎপগা অদুম্না মথুংগু পায়দুনা খোঙাইরে ॥ চিংউ ইরাংথেন পুংমিন্নবনা পুং মাইপাকপবু তানয়েরক্লে ॥ অহানবদা খোং খোং খোং মথংদা তরখেম তরখেম ॥ অশৈবনা উং য়েং ঙং ঙং ঙং লৈবিতো ইহুনথোক ইহুংসো হহুংসো, শৈহৌরক্লে ॥×

শানিক লাইনৌ তাবীগা হৈরোং লৈমগা অনিনা খুৎ য়েৎ ওইগী খুৎশা খুৎনাওবী খুৎনিংথৌ আনিগী খুরুক্তগী হৌনা য়েৎ— লোমদা লৈপোপ (৩) ওইরোমদা লৈপোপ (৩) লৈপোপ (৬) লৈথেৎলে, ল ইমিংবু (খুবকলৈ লেখেৎ লৈরাংবা) কৌরে ॥ অতৌবা ফিনেক অতৌবা কোনখাং শাচোন নিংককপা, ফিরাই নমথাং অতৌবা ফিবান য়াইরি চনবনা খোঙন কারন থানা খুাংলি নিংখম

লিফানা লাইশঙ্গী মমাংদা খুৎশা ১০ বু উম্না থম্বাল অপোম্বগী মগুংবু শাদম্না খুৎকী খুৎতোম্না লাইপাংনা ওন, খুৎচেং অনিনা অমংথেম্বা থম, খোং অনিবু য়েৎলোমদা অমুক থাং, ওইরমদা অমুক থাংনা নোইহনা তেংবানববু খংহন্দুনা থম্নুং (অমম্বা) ওইনা লৈরম্বদগী শেমগৎকদবা মচাক (মৈ, ঈশিং, মু শিং, মালেম, লৈচিল) মঙানা মথং লেংনা নাওয়োম্হনা হয়ম কৌবা নোংদম্ববু য়োমহুনা ৬ মক্বা অমতা ওইনা লৈরম্ববু নিংশিংনা থৌখম্নরে ॥ অশৈবনা থৌরম্বু শৈশক্লে ॥×

অমাঙ্গবা নুমিৎ খুদিংগী লাইবুং শাক্লোইরমদাইদা তোগদবা থৌরম

লৈরাং লংথৈ, লৈপোপ ৩।৩ বু খুরকলৈ ওইনা য়েপনহুনা অনোই থৌখনবদি নোংদম্বগী রাখনবু খোহৌবদা থমখিবদি (লৈরোল, নোংলোন, লৈখাম্বোম) মরোল ৩বু শানা ইতম (৩) বু খাইনা নাওয়োম থানা শানাহনা ইশকপু খঙংনগে ঐগী য়েনব। কুমৈগী থৌরম্বু ওইনবা থৌয়েঙ্গে রাখনখিববু নিংশিনা থৌখনবনি।

মথংদা অমংথেনগী মপাদা খুৎশা ১০বু মফৈদা লোম্নহুনা ওইনা অমুক লোং, য়েৎনা উপ্নুনা খোংলম্বু নাক য়েৎ ওইদা অমুক অমুক থাংহনা, মিৎ অনন্না লইশংদা ফংহন্নিবা মক'৩'বু য়েংনা থাগোম্না, য়েৎলোমদা খোংথাং এরক থাংলগা লৈশিন লৈশিন্না অনোই থৌথল্লি ॥ লৈহৌনখিবা থৌরম্বু নিংশিংনা নোইববু অশৈবনা শৈশক্লি। লৈহৌনদরিবৈ ইতম মশক মগুংবু হাইকম লেপফম খঙদনা লৈরিবৈদ। অমাং তমুৎ নাইদবনা খনখিবা "ঐবু থিকলেল উংলৈনুং অনামদগী লাব। থিরাং থোক্না শাথোকহুনা ঐ লৈ হাংবা অসবু বন্দোনা খঙহনব্বা থো-য়েংবদা লুনলাং থেন্দা চৈশিং কৌংবু অমদগী হৌনা লাইখমলেন

হাইবা চৈশিং অমদা লুম্বু (২১) হাপ্পা চৈশিংগা, হক লাইয়েক কৌবা ৩৫গা, য়াইবী কৌবা লাইয়েক ১২গা, অপক মা লাইয়েক ৯গা, তিলু লাইয়েক ৭ কা চৈনপ চৈগা, লাইরেক লৈশংপা ১৪ গা লুপ্লং থেন্দা উখিবা থৌরম্, নিংশিংনা অনোই শাদম্না লৈকংলি।

মথংদা থুংপা কপু ৩/৩ লক খুত্না লৈশোল্পা য়েংলমদা (৩)লক ওইরোমদা (৫) লক ওন্না ওন্না লৈরাংলি ॥

অশৈবনা শৈশকনৈ— কৰি করাবু মশক খংনা লৈরমলবদগী নোংদম্বগী নিংসা ইন্তনবু কামত্তুনা ওংহনা লৈবদা তরং ঈশিংবু চাংজো লৈফম খংদনা লৈখিবা, তরং ইন্নং-পুংদগী মালেম লৈশা তাওবু পুখত্তুনা থম্লগা কোরৌ কাপ্তুনা মালেম্ কুবিনা, লৈখা লোনবু লৈযাংনা মশক লেপনা লৈরম্না হযম কৌবনা মশকপু লুতুংনা খংজতৌনবা থিকলেল উংলৈমুংদগী লাবা থিকয়াংথোক্পা মালেম থক্তা চৎ থোক্তুনা থোংনাম্নানা লৈদা নেং, নাম্মানা ওইগী খোঙ্গী খুদা ঙা, ওইগী খুৎশানা থম্বাল লৈনা শানা হৌকংলে হেলমুংদা উপ্লগা, য়েংকৌ খুৎশাম্না লৈবা শানা থাঙ্গত্তুনা কংলোইয়া থেলপুঙ্গী হামুল কিশিকমগী মখা লুরাইদা লোংনা থমহনা নোংদম্বা মাগী শাথোক শাবোং অশিবু করিনা মখংবু ইঙাল লৈশানবা থোহো নোংদমলিবা বাখল লৈপুনা লৈওম্বু অশৈ থোংকাংনা লৈবংলে ।×

মথং শাদম ৪/৫ শুবদা — খুংপাক অনিবু লোংনা থম্বালগী লৈনাবু শাদম্না মাংলামদা খুত্তোলবু খজিক লুবলপনা খুবি, খুদোম্বি, খুৎয়াই, অহু্ খুত্তোল শোক্পা খুৎনিংথো খুৎনাওবী অনিবুগু শোকনরগা মথং মনাও কাইদনা খুৎশাবু খজিক খজিক ফাক্পা কাংলক্তুনা থংলী লৈনাবু তমজনা লেংলমলগা খুৎশা অহুম্ কপথোক্তুনা লৈলংবৰু শথোবলম্মগী য়েংলোমদা থোংকম (৩) ওইরমদা থো কম (৩) হুন্দহন্দা চক্তুনা মাই অমদি

লোংজুম্ব, লৈনা মাইবু ওন ওন্দুনা য়েংংলামদা অমুক, ওইরোমদা অমুক থুংকি থুংতে লবু শাপখোক কাপখোকনা অনোই শাখোক্লা পৌথল্লে ।×

মথংদা — য়েংলেমদা ৩ নক ওইরমদা ৩ লব চখোক চংশিন্না থুং, নিং... শাক্লা নোইহুনা হকচাবু তিংনা শাদম্না কংলে ।।×

অশৈবনা লৈংহৌ থৌবমু লিংশংচ করি বরা অমত্তা লৈত্তনা মথন্তা লৈবদা ঐবু কাংদ নীশিবা ৱাখল্লবগী উম ইশাল লৈশানবা থৌপুংদি নোংংক্লা হান্না লৈশানবা তৌভম্মু নোংদম্মিদনা, মেপা বা খুংকি খংপাক্লা লুবাইদা লোংনা থম্মুবা অসিদি নীনা নেৎলিবা লৈফম অসিনা লৈয়াইলেল লৈফাম্ম হাইবনিদনা ।। য়েথংবা থোঙ্গী খোংনিংনা ওইগী খংদা ভাবদি লৈমাই থক্তা খোংদি অনি শুরগা খোং নাম্মতনা লেপলিবগী পাওশানা লৈফম অসিনা মখাদা লৈফম অমত্তু লৈভমলি ।। মরোল অহম থেক্লা ই শাংখংব, মালেম্মু হন্নংপুংদগী লৌখংনা ইপাল্লাংদা থম্বা মতমদা লৈতাকপনিদনা অতুংদ মালেমবু কুবিরে, কোরৌশু কাপ্লিবে ইশাল লৈশানবা খৌশিন থোহৌবাদ ৱাংবনবু কুবিনা, বাংবা নোংথোদা থৌরমবু পানচুম্না আতেম থৌপু হাইবানলনা ৱাখং কতুনা মালেমদগী নোংথোদা থকখংলক্কুনা লোংথে অহংবা ফমলে । মিৎশাংবু উইন ৱাখনবদা মকমবু খংদনা স্না হকচাংদনা ভান্না লংনা লৈচু ৯ বু কাপখোরক্কুনা থবি নুমশুম্না নোংদম্বা নংবু শিন্না ভান্দুনা লৈহল্লেদো ।। চিংউবা নথম্তা তৌভম্বা থৌরাংবু ভকচানবা ওইনা সিবু কদাইদগী ভাল্লকহ ।। হভালনা পাওশানা মিৎয়েংনবদা মভাল লৈচু ৯ বু মন্নাহ থাহনা ভংলেদো ।। য়েৎলোমদা তাবা মভাম্না লাই পাথং অমগা পাথংবু ওইরেদো ।। ওইরোমদা তাবা হভালবু লাইলৈনা অম হনা লৈরদো ।। মশক অনিবু য়েংলগা নোংদম্বা হয়ম নংনা

থাকৌনবিদো — শনাইনলাল অমস্বা. ইথৈলেল লাই ওইবী [illegible] হ্রীং হ্রীং শ্রীং শ্রীং [illegible]ইরেরা নাওয়োম ওইবী পন্থৌ ইপী অরিবা, পলেম ইমা অবিবী চিংউ অনিনা নচা ঐনা নিংলিবা বাখল অসিবু থৌবম ওইনা থোপুবিহনা থম্নং ইশক অসিবু ইভাল লৈশানা [illegible] হ [illegible] [illegible] অমাবু থম্বাতুনা নচা ঐগী ইশক ইওম্ন কোবৌ মাংলেম সিন্না খংনবা থোপুকৌবো চিংউ অনিনা শাম্নবা থৌবম পুম্নবু [illegible] [illegible]জনবা বুমৈ ওইজগে চিংউবা হয়ম নোংদম্বনা নোংদম্নীদো । [illegible] শনিনা বা[illegible]ম্ম, নোংদম ইপা ইপুলেল ইবাঙানিবু ইত্তলকইদো। চিংউ [illegible] [illegible]বৈদ, ইবাঙানিগী পন্থৌ পানমদা খংজা উজানবা ।। [illegible]হংলকপা ইতমদা রাখুমফমদি খংলবোই তাথি [illegible] [illegible]নো চিংউবা হয়ম নংবু কনানো লৈফম্না কদাইদগীবু লাকপানো তাকপিও ।। কুবি নযাথংবু থৌপুনা থোরোইত্রিবমথৈ থে[illegible]ন্নবা যা[illegible] বা[illegible]ম্নখিদো ।। চিংউবনা নোংদম্মিদো. ঐনা ইশক ইরাং নোংখ্রৈ ভৈদদি মশক মরোং করি লৈবমদে মশক পুনা [illegible]সিনা ইশকপু যোমতুনা নোংলুমগুন্না ভাসিন্দুনা অমা হাইবা [illegible] [illegible] [illegible]গুম্না লেরম্বনি ।। মশক পুথনা নাওয়োনতুনা [illegible] [illegible] [illegible] পুম্বগী মনুংদা ইথন্তা মরোং মবিন থ দনা লৈববু [illegible]লক্তুনা ইশক অশিবু ওইরিবনি পাওশানা হয়মা লৈ.হী বো[illegible]হৌবকপবু মথংলেংনা ভাহন থ হল্লগা নোংদম্মিদো ।। গ্রহাকত্ত নহাক্কি, নহাকত্ত ঐহাক্কি লাইয়েক্না হো বা সে, [illegible] সো, সো রো হো ওইবনি ইং ইশকপু উ লৈহিংফা লৈফা ওম এ কুং নোংলুম [illegible]লো য়াইবিরেন [illegible] চিংউবা হয়ম কৌবা ঐনি ।। পাওশানরগা চিংউ অনিনা নথৌ থৌপুনা নউম্ন শাকোংতুনা থোডনলো অহুগা ঐনা [illegible] অশিদগী [illegible] থৌবম্ন বুমৈ ওহনা য়েংহনা নোংদম য়াহ[illegible]কোদা থকথ[illegible]না [illegible]রুব.গ নোংদম্না লৈউমলম্বা লৈকম্ব, মভাং হৈখোক হৈউং লাগিং মিংহুনলম্নগা হয়ম্ন থকথংশিন্দুনা য়াইবা কোন্দ [illegible] থোনে [illegible] । হযন ।। ×

অমাইবীনা অনোইলোমনা থোকনবা, অশেংনা শৈশক্তুনা থোকনবা ।।

লাইলৈমা শনিক লাইনৌতাবীগা হৈরোং লৈমাগা অনিমা লৈহৌনখিবা পরম্বু খোংনা খুৎনা ভক্লা হকচাং পুম্বম্বু হাইনা হুমা নোইরক্লে ।। অশৈবনা পুরাবু নিংশিংনা খোংফাংনা থোকময়রক্লে ।। নোংদম থৌদাবু থোপুনা চিংউ ইথৈলৈমানা লৈচিলগী মশকপু শাথোক্লে ।। লাইমিংবু "হিং হুং সং তরেং লিয়োম্বা লৈচিল পুমচিল" হৈহুনা ইথৈলেঙ্গ লাইলৈমানা হবাওনা থোপুরগে হাইহনা যাহিপ সাংথা লেমথনা থোকোরে ফালম্ব উবদা শলাইলেলনা মউ মচাক ওইনবা মহাক্তগী মহাক ওইবা অমা শাথোক্লগে নিংহবা কংলৈ থেলপুঙ্গী য়েৎলমদা, য়েৎথংবগী নাক্লমগা লৈফম অনিসিদা রাখল মিৎলাং থোংয়েংনা থাকৌনবদা চিংউ তরুং তহেনবা অমা শাথোক্লে ।। লাইমিংবু ওম হ্রীং হ্রীং সুমিৎ লৈহুম্না থমলে । মকুগী থৌওম্বু উবদা ইমানা অমুক কংলৈ থেলপুঙ্গী ওইথমদা রাখনগী মিৎলাংবু থম্না ওইথম্বা নাক্লম, থোয়েংনা থাকৌরকপদা তরু তহেন তরংবা অমা শাথোক্লে ।। লাইমিংবু ওম ঐং ক্লীং চিংউ থাজা লৈশাতাও তাওরোইলাই মিংহুম্না থমলে ।। মক্লনা অমুক চুবা য়েংথম্বদা তেংবানবা অশৈবু অনৌ এম্লীং চোংনা পানববু ডম্বা মিংয়েংবু থাবদা লাইবু থো অমা শাথোক্লে ।। লাইমিংবু ওম হ্রীং ক্লীং হুং চিংউ হ্রীং শাকোং শারৈ লৈহুম্না থারে ।। ইমানা অমুক চুবা ওইথম্বদা মিংয়েং থানা মক্লনা নোংদমলকপা থৌরম পুম্বম্বু তেংনা চুপনা থোওম থোপুনবা অমবু থোইদানা থাকৌথোক্লুনা লাইমিংবু ওম হ্রৌং শ্রীং ওম থারোই থাপা লৈহুম্না থারে ।। মরুগী রাখনবু কারি কমদোরগা নিংথম্বম্বু খুঙ্গবা থন্দুনা ইমা ইথৈলেসনা লৈচলগী মথক্রা কোইনা চেন্দুনা মশম মনা কাহৌনা তনিক তনিক। পামবোম অনিবু তিংনা।

খুত্থমশিং থদাংচিক্তুনা মুংডাই খোইশাওবগা লোইননা লৈরক্লে ।। তু'রক তুখো শিন্না রাথন মিংয়েংবু থবদা নোংথৌ অকোইবদা মশক মঙানবু ইংনা ল'না চিংউ ২৭ না লুচিংনা মশিংবু হাইওমদন শাথোক্লতুনা লৈরে ।। লুচিংবা ২৭ গী লাইমিংবু মিংহুন তমা থারক্লে—অহানগা শাথোক লুচিংবনা—

১। থবাই পিচা খোংজোংঙুবী মিংহুল্লে ।।
২। ,, ,, অপকমা ,,
৩। থবাই পিচা শাচুংতেলহৈবা কৌনা থারে ।।
৪। লিংগা শাকবা। ৫ চিংচেংহৈবী। ৬ চুংশেন্নবী।
৭। নোংথৌ নাকা। ৮ নোংথৌ থুবা। ৯ নোংথৌ শামু। ১০ শমুপিচা। ১১ উকোংতু। ১২ মোংকাংশাক্লা। ১৩ লুরাং শাক্লা। ১৪ নাপ শাক্লা। ১৫ ওকপুরোইবা। ১৬ তাওহুইরেং। ১৭ তোংচেংগুবী ১৮ থয়াইনু ১৯ থাবাদোন। ২০ নোংথৌ মান্থ। ২১ চারৈমন্নে। ২২ কোরৌনু শাফাবি। ২৩ খ্যাব লৈতেং। ২৪ শিল্লিলিরেন। ২৫ রাইথুরো। ২৬ শাকোংশারৈবু হাপ্লে। ২৭ থারোই থাবাবু হাপ্লে ।।

কারথেওনা খোমদে । মরু অান তান্নতুনা নোংলোম্না লৈনবা মশকপু থাওনবা শাথোক্লা থমলে ।। মতুদগী করি তৌওমদে— মশক্তী লৈরগা মথৌ মতম থৌপুনদবা উবদা খোইশাওনরে ।। মশক পুম্বু ইমাদা শিন্নরে ।। নথাম্বংদা কোঞ্জলম মরুগী নাক্তা চত্তুনা মতিক ময়াইবু লৌরুগে হাংরম্মগা কোরৌ থক্তা থকথংগ্রে ।। নোংদম্বনা য়েংঙকপদা মখোং প ইহুনা লৈরম্মে । চিংউ ইপা অরিবা নংদি কদৌ রবা রাহংবদা মরুগী নোংদম্বগা নিংসা হুজিনবদা লাংওরিক ওইনা চংখিতুনা লুমলা থেনদা য়াহিপ য়াতানা লৈখরে ।। করিবু অশুক খোইশাওনা মুংগোল্লীবনো থোকওমলরোইদবগুম য়াতানা লৈরিবা আশবু থেমথোক্লাবা নোংদম্বনা রাখল্লে ।।

৯ মরু ২ বু খেমথোকপা অনৌইলোন

খুবি, খুদোম্বী, খুৎয়াই অহুমগী খুত্তোনবু শম্নরে ।। অমুক খুদোম্বী খুৎনিংথৌ খুৎনাওবী অহুম, হাইদোক কাংথোকলে ।। খুৎপাকপু লোংনা লৈশারে ।। মাংলোমদা খুৎপাক খুৎতোলবু খজিক য়িল্লম্মগা মুংবাথেলগী মথা অমংথেল লোমদা চিংশিন্না (৩) লক লাংলে ।। খোং (২)বু চংথোক চংসিন্না লেংজুম ওই য়েত্তা খজিক খজিক লেংহনা কংলি ।।×

অশৈবনা পেনাগী মরোলবু নিং নিং নিং রি রি রি য়াবাবু খুংখৎনা মরু (২)বু কাইরেল কমদগী হৌগৎপিরো পেনাগী মরোলগা লোইননা চিংখৎ থাংকৎলওম্মি ।। খোইরৌ লিথৎপনা ইংখালবু " লৈফাওংএ " লাইশোন্না থৌওাইবব, থংহল্লে ।। খুং খোংবনা মরোলব, উংয়েং ওং ওং ওং ইখোনথোক্লা ওাহনা হন্নুংপুংদগী মালেম, লৈশৎনা কোরৌ কল্পিবগু থৌরোইরে থম্মংব, ইচাল লৈশানবা থৌপুনরশে রাহোয়ৈ ।। মরু ২) ব, নোংদমগী থৌখনজবব, থাদবা য়াদহনা লাইশং মপুংদগী লেংথোরক্লে ।। মরু অনিনা খোরকপা উবদা মথোংদা থৌওাইরিবা থাং চুপ্লেই ফানবা ২ গী মকুংদা, য়েৎলোমদা লাইমিংথোই শংলেন মপু-মহি শনারেলনা থংলে ।। ওইরমদনা মৈতৈগু, পাথংবা কোপ্পন ক্রুমথোকপনা থংনা মরু অনিব, থৌখনগদবগী লৈরে ।। মপারি অনি শারেপনা লৈরবদা মরু অনিওবা লাইচিদা ওাইরিবা চোংখনম। নোংপোক চিংখৈ অচিবা পিং পিং হোচি কৌবগা ফৌরাচ চেংচা মিংথোইবা অমিগী লৈচংনা নাক্তা চওসক্লনা লৈরে । শারেপনরবদা শনিক মরু অনিনা লৈচংনা লাইনৌ-তাবীনা লাইশং মপুংদা লৈতম্না থমলিবা হৈরাং লৈরাং লফোই লফোই হৈক্রাংনচি বম চংবি লাতোন্দা হাপ্তনা লাইবুংদা মাই-য়োকথা লৈরাংলে ।। শনিক লাইনৌ তাবিনা শনিকপু নিকল্লে ।।

অশৈবনা পেনাবু " রি রি রি " হাইনা খোংদুনা লিকলমদগী মরু অনিগা লোইননা চিংউ পুম্ববু পুখৎলক্লুনা শম্বোং পুমবদা তাইরিবা মপারি অনিগা তাইনরে ।। অশৈবা খোইরৌলিখৎপা, খুংখোবা, পুং মাইপাকপা তানয়েবা পুম্বনা শাইরোং পাম্বগী মমাংদা বারক্লুনা লুচিংনা শনিক নিক, পেনাখোং (রিকো রিকো " খোংদুনা, খুং খোইরৌ লিখৎ, পুং, শেল য়েতুনা লাইবুংবু অনিরক শাকোইনা ইবি লাংশম লেপ্লে ।। শাকোই অনিরক শুরকপদা মরু অমিনা শাথোক অহানবা খোংতন্নখিবা লাইচিগী চিন্না য়েৌরকপদা শাকোইনরকপবু খামলে । শনিক লাইনৌ তাবীনা শনিকপু লাইশঙ্গী মপুংদা থমলগা থোরক্লুনা লৈররে ।। অশৈবনা লাইবুঙ্গী মথইদা চংলক্লুনা মাইয়োকথা থারিববু মাংদা থম্না লাইশংবু মাইওনশিন্দুনা নোংদম্ববু নিংশিং থাগোম্না—(চিংউ শলাইলনা নোংদম্বগী পিপুকনুংদা লৈখিববু নিংশিংনা অমদি নোংদম্বনা কুবি নোংদম্না থাকৌনখিববু নিংশিংনা লাওরক্লে)।। ✱

হোইরৌ লাওবগী থৌরম

" আহা ইহে হোইরৌ, হোইরৌ, হোয়ানগেগে, ইংসো ।।

চিংউ ইপা অরিবা

করিবু খোইশাওনবনো,

চিংউনা থৌওমদবা নত্তেদো, ও ।।

ঐনা লৈশিন্নবদা—আ ।।

ইপুক রাখনবু থেনবনা

লৈরাং থৌশিননরমলে—এ ।।

চিংউনা হাইবা পুম্বদো,

ঐবু থৌওন থৌয়ারে—এ ।।

লৈশক্লা ইথৌ ইশন্নু–উ ।।
তক্লা হোইনা পুরগে হাইবদো।
হোইদোক্ক্লা পুররো—ও ।।
নংনা নিংবা পুম্বু ঐগী ইথৌ চাক্লনি—ই ।।
থৌওম্বা পুররো—ও
ঐগী হাইবা খাক্লরোই
লাওদা লাওদা থোরক্লো।
ঐগী ইতিক ইওমদি চিংউ নবাখানি ওইবনি।
লৈওমলিবা মাইম্বু চৈশিং ইশেক অশিশা
মাবা ইনিল লাইয়েকা লৈওমলিবা অতুমি ।।
তকহোইহনা পুখরো—ও ।।
লাইশক লাইয়েক ৩বু পন্থৌ নঙ্গী ওইত্তমলো।
লাইয়েক ৩৮ না—আ ।।
চিংউ ইমাগী ওইশল্লু— ।।
পলেম পন্থৌ অনিনা তিল্লু লিফানহনা—আ ।।
ইতাল লৈশা শাথোক্লো—ও ।।
হোইয়ানরে ঐহাক্লা।
থৌপু থৌরম পুম্বু ঐগা মশানা তৌবনি।
থৌশেম থৌশিনবনা ইমানি।
নংনা তৌবনি খনগন্নু—উ ।।
ঐখোই অহুন অসিদা—ও ।।
ইশক্লা ইতম ওইতুনা
কোরৌ মালেম্বু লৈশিল্লা
লিফা লিপুননতুনা—আ ।।
লৈথম্নীগদবনি—ই ।।
নওম্বু হোইদোক্লা থোরকলো—ও ।। থোরক্লো—ও ।।
অওম্মা শৈশক্লা " রিকা রিকো কোম্বিং " খোংলে ।। ×

অমাইবীনা লুচিংবা নোইবা হৌরে ॥

মরুপী পিবুরুংদগী নিংশা ইহনগা লোইননা মখৌ মতম্ তম্না হোইদোক্না লাংওরিককুম পিকশিন্না মাইবি কোম্বপী খোরকে। চিংউ ইমাগা উনরে লাইয়েক ৩৮ ব শিররে ॥ থৌরম পুম্বা পাওশানহুনা হরাও মথোই কানরে ॥ লৈতমলিবা পুম্বম মতিক মতম পিনবা থৌশিনররে ॥ লাইবুংবু অমুক কোইকরগা— মরু ২ না লুচিংনা লাইবুংথৌ ৭ লাইরেম্বী ৭ কবু মরাইদা চংনা শাকোইবহুনা অনোই থৌহৌনা লৈহৌনখিববু নিংশিংনা থৌথররে ॥ চোং থানবা অনিগা লাইবুংথৌ লাইরেম্বীশিংদা লোইননা লাইমিংথোইগা মৈতেম্ পাথংবগা অনিবু শন্না পরেং লৈকোইনওনা লাইবুংথু কোইনা মরু অনিবু থৌথররে ॥ ×

অশৈবনা শৈগকপা, অমাইবীনা পাওশাবা, মরু অনিনা লাইবুংথৌ ৭ লাইরেম্বী ৭কনা অনোই শাথোকপা ।

লাইমিংথোই লাইলৈমাগী মতাইলোই চিংউ পুম্বা, থোইয়ুম তাইবংপুম্বা—করি ওইরগনো ॥ লাইবুংগী মরাইদা মরু অনিনা লুচিংনা লাইবুংথৌ লাইরেম্বী ১৪ গা লৈহৌনখিবা থৌরম্ নিংশিংনা শাথোকপনিদো, থৌরম্ অশৈবনা মথংলেংনা শক্লিদো-শাক্ল শক্লি । পুন্থনত নিংশিংবা ওইনা ঐথোইত পাওশাসিদো তাকপিও তাজাগে ॥

অনোই শাথোক্নবিবশে চিংউশিংনা মতমু শাকোনবা মরু অনিনা থৌপুবনিদো—মানি মানি ॥

থৌরম মশকপু হাইগেকো—হাইবিরো হাইবিরো ॥

নোংদম্বনা নোংদমলকপা লাইয়েক ৯ গা ইমাদা থবা লাইয়েকপী লাইয়েক ৮ গা ভিলু থানা পন্থৌ শলাইলেনগা মরুলোন ৭ পু শাদমলগা লৈকম ৬ পু শামা নোংদমলকপা লাইয়েক ৯ না (শেমগংপা) কৌবা লাইবুংথৌ ৬পু শাথোকনবগী অনোইলোন্দো মানে মানে ॥

মকলোন ৭পু শাবা লাইয়েক্কি (অ, ই, স, ট, হ, এ, য়, ভ, শ, ম, আ, ব, ত, ক, প) অশিনিদো— মানে মানে ॥

লাইশিংদি (অসিং, হয়েং, হংশিং, মশেং, মরোং, মশিং, মকাপ) লাইমিং ইথোল ৭ অসিবু শাবগী অনোই শাদখনিদো — মানে মানে ॥

মরু পন্থোদা পিবা লাইয়েক্কী (অ, ভ, ক, হ, ন, স, উ, আ ও) অশিনিদো— মানি মানি ॥

শাথোক্লখিবা লাইবুংথৌদি (অংকহং, নং সং, হুং, উ ভা, কোং) শেমগৎপা লাইবুংথৌ ৬ অসিনদো— মানি মানি ॥

লাইহেক ১৫ দগী মকলোল ৭ শেমগৎপা লাইবুংথৌ ৬পু শাথোক্লবা উবদা ইমা ইথৈলেনা মরুনা নিংলিবা থৌরমবু থৌরমবা বাখন তৌনা পিথবা লাইয়েকপু লুমলাঙ্গী মিৎয়েংনা থৌখিনখিদো — হ ইবিও, হাইবিও ॥×

পিবুকনুংদা থমলিবা লাইয়েকশিংবু বাখন তৌনা য়েংলুরগা ইমাগী হকচাংবু, শেশই তনিক্লা হৌগৎলক্কনা নোংলোনগী মাইকৈ মরি চির ৪বু শিন্না চেন্নুনা "শাগৎপী লাইলৈমা ৩৬ নথোয়বু কাদবনো, মরুগী মথৌ পুগে নিংতুনা লোৎতুনা লৈরিবরা মরুদি নথোয়বু ভাইরি" হাইনা কৌরকপদা ইমাগী হকচাংদগী শাথোক্লখিতুনা মাইগৈ ৮ দগী চেনশিল্লক্কনা ইমাবু কোইশিনদুনা লৈপখ্রদো— লৈঙম্মী লৈঙম্মি ॥×

অহুবু নিশিংনা মরু আনলা নিংশিংনা নোইরিদো— নোইরি নোইরি ।×

শাগৎপী ৩৬পু য়েংতুনা মরুনা থৌশিল্লিদো— শিল্লিয়ো ২ ×

শেমগৎপা ৬ তা শাগৎপী ৩৬ পু শাথাইবা

লাইবুংথৌ কোং শেমগৎপগী / মকমদা (ঠা) লাইয়েক্কা নাওয়োমলিবা শাগৎপী লাইলৈমা ঠারো লোংবীগা) খুং শাগৎপী (থাবা লেমগা, (এীং শাগৎপী) তেংবান লৈমগা,

(ইং শাগৎপী) ইংকোই লৈমগা, (লোং শাগৎপী) লোরাং লৈমগা, (লং শাগৎপী) লারোই লৈমগা ঙপু শিন্নেদো—শিন্নৈ, শিন্নৈ । ×

সং শেমগৎপা লাইবুংথৌদা (নোং শেমগৎপী) নোংথোংঙুবীগা, (নলীং শাগৎপী) নোংথাং লৈমগা, (চিং শাগৎপী) চিংগু লৈমগা, (চুং শাগৎপী চুমথাং লৈমগা, (ভুং শাগৎপী) ভাশোই লৈমগা, (য়িং শাগৎপী য়িকোই লৈমগা, ঙপু শিন্নরেদো – সিন্নৈ, সিন্নৈ ॥×

উংঙা শেমগৎপদা— (হুং শাগৎপী) হাইনু লৈমগা, (থুং শাগৎপী) থাদোন লৈমগা, (চুং শাগৎপী) চেগু লৈমগা (লিং শাগৎপী) লাইরিবী, (চিং শাগৎপী) চিংচেংইবীগা, (এং শাগৎপী) এরাং লৈমগা, ঙপু শিন্নেদো —সিন্নৈ, সিন্নৈ ॥ ×

হুং শেমগৎপদা— (রোং শাগৎপী) রোংচংবী, (ক্লীং শাগৎপী) কাশাখোম্বি, (মুং শাগৎপী) মৌনুবী, (টলীং শাগৎপী) চেংখাংনুবী, (হলীং শাগৎপী) হিঞ্জিংবী, (অং শাগৎপী) অকোং লৈমা অকুম্ন কৌবীগা শিন্নরেদো—সিন্নৈ ॥ ×

অংকং শেমগৎপা—লাইবুংথৌদা (চিং শাগৎপী) চিঙ্খৈলৈমা, (রাং শাগৎপী) বাঙলৈমা (চাং শাগৎপী) চাকশৌলৈমা, (হীং শাগৎপী) হিপোকপী, (যিং শাগৎপী) যিমোইনু, (ওম শাগৎপী) আবৈনুগা ঙপু শিন্নরেদো— শিন্নরে শিন্নরে ॥ ×

নং শেমগৎপা লাইবুংথৌদা টলীং শাগৎপা টিংকোইলৈমা, (কুং শাগৎপা) কোটিংলৈমা, (ঠোং শাগৎপী) ঠোংঙাইবী, (আং শাগৎপী) অঙাইবী, (চেং শাগৎপী) চেঙা লৈমা, (ঠুং শাগৎপী) ঠালৈবাগা ঙপু শিন্নদুনা মরু অনিগা লুচনা থৌতাক্ল থৌখল্লিদো— থৌখল্লি থৌখল্লি ॥ ×

লাইমিংথোই মরুগী লাইলৈমা ইমাগী মঙাইরোই পুম্বা, মরুনা য়েলবা লোইরইনা শেমগৎপা ঙপু শাগৎপা ৩৬ গা নোংদমলক্লেদো —নোংদম্বীয়ো ২। ×

শেমগংপা ও শাগংপী ৩৬ নঙ্গী নঙ্গী শাখাইগা লোইননা নওম্ শাথোক্কনা লৈরিবঃ যৈ, ঈশিং, সুংশিং, মুখিং থা থবাই পিচা পুম্বগী হকনুংদা ।নোংদম্বগীদমক্কা কাইরেঙ্গ লাইশং ও পু শারিবদা ।নওম্ শাকোংম্নুনা নঙ্গী নঙ্গী কাইদোং ইম্মরো নোংদম্মীদো—নোংদম্মী নোংদম্মী ।।×

থৌরম্ লুচিংবা মরু অনিবু য়া য়া অনোইনদোরে ঐথোয়গ য়া য়া থৌথম্নশিকো—থৌথবশে ২।।×

থৌদায় থৌওন লৈওম্বা মশক পুম্বদা শেমগংপা ও শাগংপী ৩৬ কা মওম্ লৈচাই লৈহাম্বরক্লে—হাম্লে হাম্লে ।।×

করি তৌওমদনা লৈওম্বা চিংউ পুম্বু অমতা ওইনা মওম্ শাফোংনরক্লে—শাফোংলক্লে শাফোংলক্লে ।।×

নোংলোন্দা ইভাল লৈশা থৌহৌবা, অশেবনা থৌরম্ শৈশক্লা মরু ২ না লুচিংনা লাইবুংথৌ লাইরেম্বী ১৪ গনা অনোই-লোম্না শাদনবৈ ।। অনাইবীনা থৌরম্ মথংলেংনা তাহল থংহল্লি ।।

মোংখোং নিক্লে নোংলাওরে, মৈথি শভাইশেল পাইরে, নোংথাং কুপনে নোংলাওরে ।। থৌওমদনা লৈরম্বা, মকম মরাং খংদনা ইভম পরম নাইদনা শাখোক শাহৌনওমলে, অওক অভাও চুওমলে য়াহোইয়া, য়া য়া হো য়া ।। মকুম মথা নাইওমদে অমতা ওইনা শাথোক্করে ।। শাখোক উবদা ভাওদবগ ওমদরে, নোংদম-শিম্নোং কাওওমলে ।। য়া হোইয়া হোইয়া ।।×

লাইমিংথোই লাইনৈমা মভাইরোই মরু ২ গী শিখোং ওকচানা অওক অভাও চুওমলে ভাইহাক ছুমিন্না শাকোইমিকো—কোইশে ২।।×

নুমিৎ, থা অনিগী থৌরম্ব্, য়াংনবা রাখন পাওশানা লৈয়াং তবা ॥

মরু অনিনা চিংউ মরাম্না মতম্ব্ ইতম অমতা ওইনা থৌপুতুনা মতম্ব্ শাথোকনবা উবদা শিংহোং থংখিদতুনা রাখন থৌপুববু য়ানবা মরু অনিনা পামথোম অনিবু থাঙজিনা। খুৎশা তবাবু নিকলনা চিংউ পুংবু নংতম্বু কৈকা লৈথমথো নঙী নঙী ইতম্ব্ খাইনা নংমবু শাকোং থৌপুনশে লৌখামল্লেদো — খামলে খামলে ॥×

চিংউ পুম্বনা মতম্ব্ হুঞ্জিম্না লৈতমলবদা মরু অনিনা পাওশানহনা রাখনৈরেদো ॥ মরু অনিনা পাওশা রাখনখিবা লাইবাবু হরাও মথোইনা য়াযা তৌবা পাওশা অনোইনসিদো- নোইসে, নোইসে ॥×

হোংহ য়া য়া হোইযা, যা যা যা হোইয়া নুংগা লৈরে নুংলৈরে, নুংলৈ শলৈরে ॥ লোলো নোলো ও থানুংগলৈ ॥ লাইলৈমাগী তিলিখোং লাইদিংথৌগী তিলিকাঃ থানুংগালৈ ॥

মরু অনিগী চিংউ মতাইহবোই পুখা — কবি হাইবনো ॥ মরু অনিনা সিম্বোংবু রাখমহনা লৈকম অমতদা য়েংকা ওইগা নাহনা তিপু ফমাল্লাংমিম্নখিবগী লাইশকপু লুহুংনা খংনবগাদমক্তা রু— লাইয়োক মশকপু থমবা হৌখিদো - হৌখিএ ২ ॥×

হৌজিক্তি মরু অনিনা নাওমোম্বু লাইমিং লাইয়েক নোংদমখিববু অশেঙনা শৈশরুতুনা মরু অনিনা লুচিংনা অনোই লৈহন শাথোক্রক্লেদো, ঐথোইত খুৎশা ১০ বু থকখা থেক্লা নোমা খুত্তোলব্ মিৎচিনা য়েংনা অনোই থৌখন তুংইনপিদো — তুংইনশে, তুংইনশে ॥×

মৈ ঈসিং নুংশিৎ মালেম্, নাও'য়াম লাইমিং তম্বা ॥

"হুং শংবুমলেল চিং শিং খিকথানা চিংউ অমিবু পংকম লৈপাইজগে ॥ শন্নহলো শন, ইথৈলো লাইলৈমা থাগোম্না পাওশাগে। নোংদমখিবা পংবাম নিংসিংজবা ওইনা অরাংপবু মেনখিও অহেনববু শংপিজুন কুবি নোংদম্না তাবিও" ॥

শুলতরং অতিয়াগী লাইমিংবু "উই য়ুংকেৎ কবলাচিং শং কুরেং" কৌইদো ॥ অতিং কোক্না অমম্ববু নাওয়োমলে, এ ॥ অমম্বগী লাইমিংবু "উম কিক ফক বুক উং" কৌরেদো, এ ॥ অমম্বগী মশক্না মালংববু নাওয়োমলে ॥ মালংবা নুংশিৎকী লাইমিংবু অা "ইহুংসং তরেং লিয়োম্বা" মিংহুল্লে, এ ॥ মালংবনা লৈচিলবু নাওয়োমলে ॥ লৈচিলগী লাইমিংবু "উং লৈচিল পংলচিল পংমলেল লিকলা পংন ইয়োম্বা" মিংহুল্লে, এ ॥ লৈচিলনা তরং ইরিক ঈশিংবু নাওয়োমলে, তরং ঈশিংগী লাইমিংবু "লৈহিংসং ইপংংথোক ইয়াবী, মিরিক্নিং লৈয়োম্বী" লৈহুল্লে, এ ॥ তরং ঈশিংনা মালেম ইমাবু নাওয়োমলে, লৈশাতাও ইমাগী লাইমিংবু "ইপংথোক লৈশিলেল লৈশাতাও মিরহিং লৈপংবি" থাকেম্নে, এ ॥ ইতম কৌবা নোংদম্বনা "হয়ম" লাইশোন্না থৌয়েংনৈএ ॥×

লাইমিংথোই লাইলৈমা মণ্ডাই পংম্বা মরু অমিবু নাওয়োম শিন্থোং মাংপা লোইরবদা মখৌ মশিনবু থোঙবলনি রাখমতুনা পাওশানখিববু নিংশিংনা অনোই খোংথাং হোংনা কংলম্লে, ঐখোইগী থোখন ওইনা পাওশানা নোইশিকো—নোইশে নোইশে ॥×

"পিত্তরং পিত্তরং কবসং করসং, সনসং লাইশং সম্পিৎপিৎ ওবা ॥"

নোংলোনবু থুমনব থৌশিনবা

লাইমিংথোই লাইলৈমা মঙাই পুস্বা হাইবিও করি কমথৌশি হাইবনো । মরু অনিনা নাওয়োম থানা সিস্কোংবু য়াংপা লোইরবদা নোংথৌ মরোলবু ইঙাল লৈশানা থম্বা য়ানবা রাখনবু থৌশিন্না লৈঙাক্রবা থমখিববু নিংশিংনা অশেবনা শৈশকনা মরু অনিনা লুচিংনা লাইবুংথৌ লাইলৈমা ১৪ গনা অনোই শাথোকনরক্লেদো। শ্রীথোইশু মরু অনিগী থৌখক্লবা ওইনা ইংনা মেংনা অনোই শাথোক থোখনশে—থৌখনশে থৌখনশে ।।×

শললৈলেল মরুনা নোংথৌ অহাংবগী লাইমিংবু "ইকুংকেং কনশ চং" মিংথম্না থেকববু "সং কুবেং' লৈহল্লীদো–কৌই কৌই ।।

নোংলোনবু থুমরবা মখাক্কি মথাক শইবা চিংউ অহুম শাথোক্লা থমখিববু নিংশিং শাথোকশে–শাথোকশে শাথোকশে ।।

১—স্নান [illegible] না—পায়রে ।

নপুক [illegible] লফম অহুদা থোইচংনা নিং নিং নিং, বিরিরি হাইনা নিশাবু কামশে–কামশে কামশে ।।

নিংশাবু কাম্বদা "কুরুমলেন কিংনাইবা" শাথোক্লেদো থোক্লে থোক্লে ।।×

২—অমংথেন পাম্বদা–পায়রে ২ ।।×

লুমলাঙ্গী মিংথেনা থাইচংনা য়েংশে—য়েংশে য়েংশে ।।×

লাইবুংথৌ অমশু শাথোক্লেদো—থোক্লে থোক্লে ।।×

লাইমিংবু "কুরুমলেন থাশানাইবা" কৌশিকো কৌশে কৌশে ।।

৩—কংলৈ খেলপুংদা অমুক পায়ল্লো—পায়রে পায়রে ।।

খোইচং লৈতানা য়েংশি য়েংলে য়েংলে ।। নিং নিং নিং রি রি রি হাইনা নিংশাবু চিংথত্তুনা ইপাল্লাংদা কামশে— কামলে কামলে ।।×

লাইবুংথৌ সমশু শাখোক্লে— থোক্লে থোক্লে । লাইমিংদি "কুরুমলেন মৈনাইবা" কৌশিদো— কোশে কোশে ।।

চিংউ অহুম অসিবু শৌরা শানা থমদুনা অহাংবা অতিংকোক অসিবু ডাকহনশিকো, ডাকহনসি ডাকহনসি ।।

চিংউ অহুম্না নোংথৌ অহাংবা অসিবু শৌরা শানা শাকোইদ্মা পুরবনিনা মরুনা থৱাইপিচা ২৭ কি মফমদা নোংদমখিবা রাবু নিংশিংনা ভশৈবনা পাওশানরগা মরু অনিনা লুচিংনা য়াবা ইখোল শাখোকপবু ঐখোইগী নোইনা থৌখনশিকো ।

—থৌখনশি থৌখনশি ।।

থৱাইপিচা ২৭ তা লাইয়েক নাওয়োম পীবা

থৱাইপিচা নখোই ২৭ না লুচিংনা কোরৌ অমগী ওইনা থৌপ্নবো, কৌবো হুমিং থাবু শাখোকলবদা থৌপুরিবা থৌৱাইপিচা নং মক্কী নাওয়োম লাইয়েক্কী লৌরগা হুমিং অতুদা সাথোকলকপা মশক্কী লাইদিংবু কাপ্না মিংহুনবু তাদ্রিও নোংদম্মিদো— নোংদম্মি নোংদম্মি ।

১ । চু, চে, চৈ, লৈ লাইয়েক মতানা খোমজোমবু বীগী নাওয়োম ওম্বীয়েদো ।।

২ । লি, লু, লে, ল, লাইয়েক্না অপথমাদা থমল্লে ।।

৩ । আ, ই, উ, এ লাইয়েক্না শাজুং তেলহৈবদা পীরে ।।

৪ । ও, ব, বি, বু লাইয়েক্না লিক্লা পিদাদা পিরে ।।

৫ । পে, থো, কা, কি লাইয়েক্না চিংচেপ্ইবিদা পিথম্লে ।।

৬ । কু, ঘ, ঙ, ছ লাইয়েক্না চুংশেন্নবীদা পীরে ।।

৭ । কে, কো, হা হী লাইয়েকপু নোংথৌনাকাদা পীরে ।।

৮ । হু হে, হু, রা লাইয়েকনা নোংথৌ তুরেন্দা পীরে ।।

৯ । ডি, ডু, তে, তো লাইয়েক্না নোংথৌ শামুদা পীরে ।।

১০ ।	মা, মি, মু, মে	লাইয়েক্লা	শামু পিচাদা	পিয়ে ॥
১১ ।	মো, তা, তি, তু	,,	উকোংচুদা	,,
১২ ।	তো, পো, বি	,,	মোকাংশক্লাদা	,,
১৩ ।	পু, ষ, ন, থ	,,	নুবাং শক্লাদা	,,
১৪ ।	পে, রো, রা, রি	,,	নাকা শক্লাদা	,,
১৫ ।	র, রে, রু, তা	,,	ওকপুরোইদা	,,
১৬ ।	টি, টু, টৈ, টৌ	,,	টাওহইরেলদা	,,
১৭ ।	নি, ন, নু নে	,,	তোংচেংমুবীদা	,,
১৮ ।	নো, ঙা, দি, জু	,,	থরাইমুদা	,,
১৯ ।	চে, জো, ভা, ভি	,,	থাতোন্দা	,,
২০ ।	ভে, বা, ভা,	,,	নোংথৌ মাগুদা	,,
২১ ।	ভে, ভো, জা, জী	,,	হারৈময়েদা	,,
২২ ।	খি, খু, খে, খো, মি	,,	কোরৌমুদা	,,
২৩ ।	গি, কা গি, কু, গে	,,	খাবি লৈতেংদা	,,
২৪ ।	পো, ঘো, শু, গু	,,	শিক্লিলিয়েলদা	,,
২৫ ।	শে, ঘো, দা, দী	,,	রাইখুরোক্লা	,,
২৬ ।	ডু, থ, শ, ন	,,	শাকোংশারৈদা	,,
২৭ ।	তে, দে, চা, চি	,,	থরোই থাপদা ॥ X	

শকোং শারৈ কৌবগা থরোই থাপাগা অনিগী মকমদা লৈরোল নোংলোন মরোল অহুমদা লৈওম্বা মশক পুম্বু অনৌ য়েল্লিং চেংমবা—শক্তিক য়েনিং হুমক্লবা চিংউ অনিমা নোংশকিক ওইঙলো কুবি লৈশিন্নরেদো তাকপীও তাকপীও ॥ X

নুমিৎ থাগী লাইমিং তম্বা

লাইমিংথোই লাইলৈমা মওাই—হাইবিও ॥

মক অনিবু অনোই পরম অমা ওনখরে, অশৈবত্ত পুরারি অমা লৈপমখতে ঐখোইগী লৈহাং কুংইমা থৌখমশে শাবিও শাবিও ॥

নোংদম থোংবা খোঁপাল্লা তে মরু অথোইবা মরু অনিন্না তিলু ফম্বান লাংলা লেপদম মডু লিপ্পা পাওশানহনা। ফংগাল লাংখিবগী লাইখীনবু নিংশিংনা লেগক পাওশানজবা কুবিও ।। মন্ত্র অনিগী লাইথিংনা ওম হ্রুং হ্রীং, শ্রীং শ্রীং শলাইলল অমম্বা. ইথৈলেল লাইলৈমবু নিংশিং থাগোম্বরমগে ।। হে চিংউ মালেম খিন্না ওাল্লিবা থংদা-উদা লৈভবা চিংউবা লাইদিং লাইয়েকপু " ওম হ্রীং হ্রীং " ওম মালেম অওানবা কোংগেকো, নফমলাংদাবু ইফমলাংদা লৈরিবা লাইয়েক লাইশক ঐগা ইমাগী মফমদা থম্বা লাইয়েক ৩৮ দগী লাইশক ৮ বু তিংলু থাম্না মরুরোল লাইমিং ৭ শাদম শাথোকনবশে নফমলাংদা লৈথমনরগে ।। অদু অহুমগী নওান শাথোকনববু লৈচু ৭ না কুয়োম্না শাথোক লৈফমনভমলো ।. ×

চিংউবা নফমলাংদবু নোংদম্বগী মহুম লাইশং ওইহনা ইতম পুম্বদা থাঙমলো ।। থংদ-উদববু থংহন উঙল্লশে ।। মরুরোল ৭কি লাইমিংদি— ১ অ.স, ২ হয়েৎ, ৩ হংশিৎ, ৪ মশেং, ৫ মারাং, ৬, মাশৎ, ৭ মফাপ লাইশক লৈচ ৭ পু লেথম লেপুরা লৌপনা লৈরেদো ।। নোংদম থোংশলবু ডবদা লেংবানবগী নখা হথেলেলনা মরুগী হঙ্গা লোংববা লাইয়েক ৯ বু । তলু লেফানা লাইমিং ৭ পু নোংদম্না লৈশাতাও থাগি মফমদা কুম্ব থোপুনরক্রে ।। চিংউ নঙ্গী অওানা মালেম নোংলোনবু সিন্না ইংনা ওান্না থম্বীবা ওইবিও ।। নোংদম্বগী মহাক্তি মহাক ওইবগী তুংনফম্বু ওইমলে ।। লৈচু ৭ কি মতিক অওানগী লংকবা লাইয়েকপু মফমলাংদা সম্নহনা থমলগে ।। তেংবানবগী মশক্সা ওইগদবা মশকপু তাংলংদবা থোরমবু শিস্তাক নোংদম্বগু ওইবিও ।। চিংউ নঙ, নংগয়োম মেরুববু "ওম ঐং ক্লীং " থাজা লৈশাতাও ওম মুঙ্গাং লৈমা লৈহনগে ।। ×

লৈনুং থরো তাওরোইলাই শাথোকপা ॥

থৌরম্বু শলাইলেম্মা থংহনা ভুমিং থাগী পরম্বু লৈথাই লৈয়েন্না লাইদিংবু চুকথাদবা য়াদয়ে, পরম অশিবু করি কমদৌনা লৈফা

তিলু য়াগবা লুমলাং নৈনা থৌয়েংনবদা মরুগী কংলৈথেনপুংদা মরুবু থৌখগ্না লৈজবা "মরি লিশাবা, তাপোপ তয়াংশাবা, চংনিং হেনবা" কোবা শিংলি অহুম্ব কোনশিগ্না মমৈবু ময়ানা চিক্কনা লৈওমলিগা মশকপু লুমলাঙ্গী মিংথেংনা লৈতানা লৈথরগা লোইননা "ও, ক, প, স খ, ব, অ, কু" লাইয়েক্কা নাওয়োম থানা লৈববু ইপাল্লাংদা থেমথোক্লে ॥ কৈগোকচরোই ঐহাক্তি মরুগী থৌখনবু থাদোকপশু থৌডমলোই নুংলেল লাইশংবু পুরুম লৈকোল জহনা লৈজরগে থৌনিদো ॥ খাবা নংবু থাদোক্লগে থাকৌদে, ঐগী শাদোং ওইডমলো কৌবনি, নঙং ইতম ওইরেদো ইপান থোক্লা লৈরশে ॥ নোংদম থৌদানা কনবনা, থাদোকপিরোই হাইগ্নবদি থোকচবগে পৌয়ারে ॥ তোকালন লিপুন পাম্না মচু মখল ৯ গী কুং—হি য়াইবু য়েংন, কোরো থক্কা মকোকলেলনা পেগা চহুম শাজুনা, মশানা ফৈদি কাইবেল শানা মরু অনিগী খো খাদা চংলক্কনা স্না ফমলেল ওইবরে ॥

তোক্লন্দা খেৎপা হি য়াইবু লৈচু অঙাংবা, অশংবা, অঙৌবা, নাপু, তিগোক, অমুবা, কোবিমচু, মুনা বাওবা, মচু ৯ না স্নাগি থকখল ওইনা খললেদো ॥ মরুগী খুদা ওইনা থৌখনবা উবদা মরুনা লাইমিংবু কুাব মিংহুন তমলক্লে ॥ ঐগী তুবি তাওরোইলাই "রাং ঙরং লৈস্না লৈতোনসি" কংলৈ থেলপুংদা পানফবা লাইমিং লৈহন তমগেকো ॥ হায়রিডৈদা তুবি, অমা শু থোরক্লে ॥ তুবি মশকপু উবদা মরুনা কুবি থাকৌনা কোঞ্জল্লে ॥ "ওম তিলমুবা তাওরোইলাই তুবি তিলবাওরেল চিংউনা শাথোকলবনিনা নোংথৌ লৈফম অনিমদা কাইরেল ওইহুনা লৈফমনঙমলো ॥ নোংদমলিডৈদা চিংউ মতা অমত মরুগী হক্কুগী লৈফম খংদনা শাথোক্কনা

লৈঙমলে। চিউ লৈহক্রেল লৈশোবা, তুবি থিনবিরেল কামাম্বিবা। ঙাইরৈমা, থাবি লুকোকচা, নখোই মডাগু তিলমুরেলগা লোইননা নোংথৌ মরোল অসিমা পুক্কা লৈঙমলে। নোংদম্মা লৈথমলে ॥ ×

চিংউ থাবা তাওরোহলাই তরং লৈম্না লৈতোনশি নহাক্কো ঐগী কাইরেল শাদোং ওইনা ঐনা লৈবা লৈফমদা লৈকোইনা লৈউমশে ॥ এনগু নংবু থানরোই, নংনগু ঐবু থাদোক্কগে রাথনগনু নবু শাদোং ফগ্লাল্লাদনা লৈডম্বা মরোল অসিদো "নোংথৌ মরোল শঙ্গাই পুন্সিবা কাইরেল লেফন" হাইগেকো ॥ মেরুবা লাইয়েক্কা "মহিং তোংলৈরা, তোংনানক" কোরগে নোংদম্মা তুবি থাবা তরং লৈম্না লেতোনাস, তুবি লৈরোং শাবনু কাইরেল শাদোং নাদনা ইতম অহুম্বু য়াৎনা কোরৌ থাজা কুমজা থম্মবনু থুনা হেথম্মরক্কে লাইমিংথোউ লাংলেমা মডাই হাতাবগু হায়াবগে ॥ ×

মরু ২বু অনোই পরম অমা হোংখরে ॥ থোরম্মদি ইতম অহুম্বু—হুমিৎ, থা, কুমজা থম্মবগি থোপুনাথবনু নির্ংশংনা অনোই শাথোক আংবনিদো, এখোইগু তুইম্না অনোই শাদনশে-লোইশে২॥ ×

ইতম অহুম কোরৌ থাজাশেল লৈশা নোংদম্বা ॥

মরুনা নোংদম্মি—চিংউবা হুমিংনা ইতমম্না কেজিনবিগু ॥ ইতম অহুমগী লাইম্মিংদি অহানবা শাথোক থোপুনবিব॥ লাইমিংবু "ভং পোংলেল হুথবা" মতাং মম কুমজা ৭৫০ পুন্সিবা কোজগে ॥

মথং নোংদম্বীরগী লাইমিংদী 'হুংমিত্তোংলেল' লুরাং মরু কুমজা ৫৬০ পুন্সিবা হাইজগে ।। অরোইবা নোংদম্বগী লাইমিংবু "ওয় লুমলেল তুংগী থুমন মরু কুমজা ৩৬০ পুন্সিবা লৈহুনজগে মিংহুনখিদো—মিংহল্লি মিংহল্লি ।।

মথো মঙ-গী মশকপু নোংঙান কোলুপ ইতম্বা কুবি সিন্তাক অহানবা ইঙাল শাফোং খোহোবা ওহবিবু ।। অনিশুবা ইতমদা ইতিক ইঙম্ব কয়ো মালেম সিম্মা নৈফম খুদিং মিৎয়েংনা 'শাম্বা পাঙ্গন নোংদম্মা কোনাজল নোংদম্মবিও লাইমংবু ইপোক 'য়ুংথক] খানবা কোউম্মা পাওজেল খংহনাবও ।। অহুমশুবা ইতমদা মুংথিল [illegible] থাবা ইতক হউম্ব লৈশাম লৈখোম থোহোনা থুপাশন [illegible] "য়াচংবা—[illegible] তাবা' কৌনা তেংবান অশম্বা শাপোক্লাপদনা ইতম অহুম অশিবু লেঙম্বনি সিন্তাকনবিবু [illegible]—শিন্নৈ শিন্নৈ ।

অহুগা লেশা তাও থাজা ফাওরোইলাইনশু ইতম অহুম অমগা পুরিহনা তেংবানববু কুবি নোংদম্মা সিন্তাকনবিও ।। তেংবানবনা মালেমদা খুন্দা লৈতানা লৈঙম্ববু থুংলবদা নোংদম ইতম্ব, থোপুদবা [illegible] হাইববু কাওদনবা ইতম অহুমদা সিন্তাক্লবিও ।। পুরিবগদবা হউমদি নুমিদাং মরু "য়াচংবগা, অহিং মরু য়ুংথক থানবা—নোংযাই চবুক কোনা, অনম অচান সিন্নবা—নোংঙনলমদাই কৌবা" ইতম (৩) বু থোপুনা কুবিও ।। চিংউগী নশক নঙাম্মা সিন্তাক্লবিও নোংদমলেদো—নোংদমলে ২ ।।

অহুগা থবাই পিচা পুম্বনশু ইতম অহুম অসিদা নঙমগা নঙালগা শাথোক থোপুনা চিংউ থাগী মতেংবু থোপাংনা মালেমদা মরু ইহন তাগদবা থোরম্বু থংনা পাওজাকপিবা ওইবিও নোংদমলেদো —নোংদমলে ২।। ✕

লাইমিংথোই লাইরেম্বা মঙাই— হাইবিও ।
মঙ অনিবু মিকুপ নাহুম কোলুপ শাদমা অনোই শাথোক্লরে শাশিকো— শাশে শাশে ।।

শলাইলেল অমম্বগী হকচাংদা মোংদম্বগী মহুম লাইশং শানা লৈঙম্বা লাইশংদা তানিয়ে ইপোম শাথোরকপা ইহুম পরমগী চৎলম্বু লৈকানা মকনা চাংঙেং রায়েন থৌপুরক্লেদো— থৌপুবিও, থৌপুবিও । ×।

মকুগী হকচাংদা তানিয়ে হুম্বুগা তরামঙা =৭৫ শুমবু 'নাহুম অমা' মিংহুম্বা শাথোকলেদো— শারে, শারে ।।

মিকুপ নাহুম কোলুপ য়াৎপা

নাহুম্ব হুমক্‌ চৈশুবদা "কোলুপ অমা" মিংহুম্বা য়াংলেদো— য়াংলে য়াংলে ।

কোলুপ্‌, কুনগা মরিনা তেংবানবা মপুগী "মিহিং অমা— নোংকোরৌ অমা" কৌনা রাতেমলেদো —রাতেমলে, রাতেমলে । ×

মপুগী মিহিং অমা শাবা কোলুপ ২৪ গুবা নোংকোরৌ অমা' হায়বা অসিগী লাইমিংবু "অসি মঙ হায়না লৈহুল্লগে নোংদম-লেদো— নোংদম্মী নোংদম্মী ।।

অসি কৌবা মরুবু লাকয়েল অমনা অনি থোক্লা লৈথাই-মহুনা। লাকয়েল অমনা "চিংউ মালেম অঙানবা" হুমিংনা তেংবানবগী কুবি নোংদম্বু থৌপুবিরো ।। ইতম অহুম থম্মা, ইতম অহুম অসিনা তিলু থানা থৌপুববু "ঙুংথিল কোলুপ" কৌনা ইতম (৩)বু নোংদম্বিরো থৌথাইরেদো— থাইরে ২।। ×

লাকয়েল অমনা "অহিং কোলুপ" থাকৌনা চিংউ থানা ইতম (৩)বু চুক থাবিহনা তেংবানববু কুবি সিন্তাক্লবিরো শিন্নরেদো— শিন্নরে শিন্নরে ।। ×

নোংদম্বগী মিহিং অমা শ'থোকপা অহিং ১ নুংথিল ১ কৌবা লাকএন অনি অসিদা শেমগৎপা ৬না শাগৎপী ৩৩ খু মঙ্গী নঙ্গী লোইনহুনা কোলূপ ২৪বু কোলুপ্প, থায়না নড়নু শাকোনা থৌখন চংঙ্. নোংদম্বিবে — নোংদম্বি নোংদম্বি ॥ ×

শেমগৎপা ৬না শাগৎপীশিঙ্গা লোইনহুনা নোংকোয়োগী থৌখঞ্জবা ইতমবু হাইগেকো — হায়বিঙ ॥ ×

লাইমিংথোই লাইরেমা মঙাই — হয়বিঙ ॥

কোং শেমগৎপনা মাগী শিংখাং ওইবী শাগৎপী লাইরেমা ৬কা লোইমহুনা আহৈগী মুংথক থানবা মতুং কোলুপ অমা তাবদগী থোহৌনা কোলুপ ৫ তাবা ফাওবা অশৈ খোংকাংলাং অনোই শাথোক্লহুনা আনৌ য়েনিংবু চোংনবা মপানবু শম্না শাংনবা নোংদম্বগী থোথমবু তানকং য়ম্লদো — তানকাল তানকংলি। ×

লুং শেমগৎপনা মাগী শিংখোং ওইবী শাগৎপী ৬কা লোইনহুনা অনোই শাদগ্না নোংদম্বগী অবাম থৌরাংববু পরম কাইদনা থোপুগ্না "নুংথিল পোণ্ডা হুনবগী কোলুপ অমা তাবা" মতুংদগী কোলুপ ৫ তাবা ফাওবা থোথাল্লদো — থৌথল্লি ২ ॥ ×

উড়া শেমগৎপনা মাগী শাগৎপা ৬কা লোইনহুন নোংতাল কোলুপ ৯ তাবদগী নুংথিল পোপ্পা কোলুপ ১ তাবা কাওবা অনোই শাথোক্লহুনা ওলাং ওনশাওহনবা, থোইশাওনববু থৌথল্লিদো — থৌথল্লি থৌথল্লি ॥

অংকহং শেমগৎপনা মাগী সিংখোংপুবী শাগৎপি লাইরেমা ৬কা লোইননা নুংথিল পোপ্পা কোলুপ ৫ তাবা ফাওবদ্. থৌপুনা অরাম থৌরাংবব্. থংনবা, হুকচাংব, কপরাং তাংয়াংবা পামবা শাথোক থৌপুহল্লিদো — থৌপুরি থৌপুরি ॥ ×

নং শেমগৎপনা মাগী শিংখোং পুবী শেমগৎপী লাইরেমা ৬কা লোইননা মুমিদাং কোলুপ ৯ তাবদগী মুংথক থানবা

মতুং কোলুপ ১ তাবা কাওববু থৌপুনা পুক্লিং হক্তাংবু চংখোম্বা লুম্লাংবু লৈতকা থৌগম থৌপুনবা নোংদম্না থৌপুহল্লিদো— থৌপুল্লি থৌপুল্লি ।।×

সং শেমগৎপনা মাগী শিম্বোং পুবী শেমগৎপী লাইলৈমা ৬ কা লোইননা নোংতাল কোলুপ ৫ তাবদগী কোলুপ ৯ তাবা কাওববু থৌপুনা তেংবানববু অনৌ য়েক্লিং চোংনা মপান্ন শম্না শাৎ, মহৈবু চুম্না য়াঙনা পাম্নববু থৌখল্লিদো—থৌখল্লি থৌখল্লি ।।×

নোংকোরৌ শাবগী লাইমিং য়াৎপা

লাইমিংথোই লাইলৈমা মতাইরোঙ্গী মরু অনিনা লুচিংনা লাইবুংথৌ লাইরেম্বী ১৪ না অনোই শাথোক্না নোংদম্বগী মিংয়েং কুমৈবু লৈরাংলক্লিবা থৌরম্বদ্ নিংশিংনবা ওইনা পাওশাপে তাহৌ খহৌদো—পাওশাবিও তাক্কহৌগে ।।

নোংদম্বগী থৌখন নোংকোরৌগি থৌশিনবা লোইরম্বদা কুমিংনা পুবা ইতমগা থাবা৷ পুবা ইতমগা অনিবু নোংকোরৌ অসি কৌবা মরুগী লাইমিংবদ্ অসি খুদিঙ্গী মিংলেনবদ্ মথংলেংনা মিংচুম্না খঙ্গিগে খন্দুনা মরু অনিনা নোংদম্মিদো পাওশাবিও খংজহৌনবা ।।

নোংদম্বনা কুমিংপু " মুঙ্গাং নোংথৌ " মিংচুল্লে৷ থাবদ্না " মুঙ্গাংলৈমা " খাকৌনা মরু অনিগী মথৌ মতম্বদ্ তিদু থাবা নোংকোরৌ অমা হাইবা " অসি কৌবা মরু তেংবানবা মপুগী কাইরেল খুদা শাখিববদ্ লৈচু তরেৎ লাইমিং তরেৎপু খংনা তেংবানবা অসিদা খবলশি লাইবগী মরুনা পাওশাইদো "মুঙ্গাং লৈমা৷ মুঙ্গাং নোংথৌ" অনিনা তিদু লৈকম নিনচুবা মরুম তরেৎ পোকলশি বারেপ বাতেম্মীদো—কমথৌনা বাত্তেম তিদু থাবনো তাকপিও ।।

মরুগী কাইরেল ৭ কি লাইমিং শাগৎপা লাইমিং লৈচু

নুমিৎকি ইতম অহুম্ "নুংথিল কোলুপ" কৌনা মরু অহুমগী খুদা লাইমিংবু লৈথম্না রাতেম্খিবগা থানা ইতম অমাগী মরুগী লাইমিং অহুম্ অমাতদা তিলু থানা 'অহিং অমগী কোলুপ' থোপুবা হাইনা রাতেম্খিবা কোলুপ ২৪ শুবদা অসি কৌবা মরুগী লৈফম অমা ওইবিনবা শাশি রাতেম্খিববু নুমিৎ থানা কুম্রাং'মরক্তুনা অসি মরু খুদা—লুম ১ বু পোকখি হাইবনিদো—মানি মানি খজবনি।

কাইরেল—লুম ৭কি লৈচু লাইমিংবু হাপ্লিহুনা লুম ৭ পোক্লে পাওশানবনিদো ॥ অহুদি কবি কমদৌনা লাইমিংবু হাপখিবনো হাইনদা ইতম অহুম্দি চৎলমদি থৌলিংদবা নোংদম্বগী শাথোক অহুনা থোরোই চৎলম লাইরকচন ওইনা থম্বগে খনখিবা চৎলম্ ইতম অহুদা লৈঙম্শিংনা তুংদা ওইরণদবা থৌরম্ খংনবগীদমক্তা চিংউ অনিদা লাহামং পাওশা ওইনা থৌহৌরিবনিদো— হাইবিও হাইবও ॥

চৎলমদি ইতম অহুদা পাওশাদি মথম্মা থৌরমদি থোপুদবা ওইবনা খোঙ্গুন লৈতানদে ॥ মিংলেল অহুদি চিংউ হয়ম কৌবা ইতম্দি থুগ্রগে নিংতমলক্নুনা মরুম ইহুনবা চৎলম্ থৌশিমবিহুনা চিংউ হয়মনা তেংবানববু ইঙান লৈশা শাথোকনরম্বদা পন্থৌ পলেম নাইনা "খোইযুম তাইবং ইপোক" হাইনা ইপোক ইহুন তম্গদবা নোংকোরোদগী "হরিচং" মিংহুন্না ইতম্ চিংউ নমু মিতম্বনা শাথোকনখিবগি মতুংদা থৌপুনররিবা লাইমিংবু থক্তা মিংহুনবু থমখিবনি খজশনু কুমি পাওশাবনিদো—মানি মানি ॥ ✖

লাইমিংবু তমখিবদি খোইযুম তাইবঙ্গী ইপোক ইহুন থৌরাংবদা পন্থৌ মপানা হান্না পুরগা পল্লেমদা ইহুন তমবিহুনা

শাথোক্লববু নোংদয়া হুমিংপু মুঙ্গাং নোংথৌ কৌনা মাগী লৈফমদা য়াৰা ইথোল চেংহু ৭ পু শিন্নদা থমবিখিববু নিংশিংনা মিংলেন ৭ পু লৈহুনবনিদে — মানি মানি ॥

অসি কৌনা মরুগী কাইরেল অহৌবা নোংকোয়ৌগী লাইমিংবু "অসিং মরুনা লৈপুবা" হুমিং কৌরশি হৌখিদো— হৌখি হৌখি ॥

মথং অমশু হুমিং থানা পুবা থংলরুবদা নোংকোয়ৌ অশিমনা "হয়েং মরুনা লৈপুবা" অনিশুবা নোংকোয়ৌ থাকৌশি নোংদম্মিদো—নোংদম্মি নোংদাম্মি ।

অহুমশুবদা "হংশিং মরুনা লৈপুবা" নোংকোয়ৌ হাইশিদে —হাইশে হাইশে ॥

মশুম্না মথং মথং ৪শুবদা "মশেংমরুনা লৈপুবা" হাইদো ॥ ৫শুবদা মবোং মরুনা লৈপুবা, ৬শুবদা মাসং মরুনা লৈপুবা, ৭শুবদা মকাপ মরুনা লৈপুবা নোংকোয়ৌ হাইরশি নোংদমলে— নোংদমলে নোংদমলে ॥

আস নোংকোয়োনা মথংলোংনা থোপুবা মরুম ৭কি মিংলেন ৭ অশিবু লুম অমা হাহনা থনসাপ নোংদমাখিববু শাদম্না মরু অনিনা নোংদমদা খোংলস্র লৈশানা থোখাল্লদো — মানি মানি ॥

থোশিনাশবু উবদা শাকোং শারৈ, থারোই থাপা থবাই পিচা অনিনা হাহোমখিদো ॥ মরুলোন য়াৰা ইখোন তরেং থম্বৌবশু মরুম ৭ না কোয়ৌ হুদিঙ্গা থোপুহল্লে, হুমিং থাগীশু মখৌ মওম তম্না পুহল্লে অদুগা ইবাঙানিবুদি ইথৌ ইওম অমতা থোহাপ্তবা অসিবু অমত্তনি ক্লাও থোনিদো ॥ থোরম অদুবু নিংশিংনা অনোই শাথোক্লা অশেবনা থোতাক শৈশক্লা নোংদমকাদা থোপুনববু পাওশাগে ঐখোইশু থোখনসিকো — থোখনশে থোখনশে ॥

নোংদম্বনা কুবিদো "থারোই থাপা" হংদি হুমিংনা মতম্ খোমজিল্লকপগা লোইনা চুপশিন্দুনা "কোরৌ মালেম শিন্না চাইথাইদুনা লৈতম্বা পুম্নমক মুংতাইনবা নোংদম্বীবা ওইরো অদুগা "হৌংসিং মরুগী সিন্থোং ওইনা" তিল্ থানা লৈদুনা মথৌ নতম্ খোঙমপো খোংসিনবনিদো— মানি মানি ॥×

অদুগা "শাকোং শাবৈ" নংনা হয়েং মরুগা তিল্ লৈকপা থানা পুব অহিঙ্গী কোলুম্ লোইরমদাই মুংথিল কোলুপকা শিন্নরমদাইগী মরক অসিদা মুমিংকী মমাং থানা খোকতুনা থাগী মতম্ লৈতক্না লোশিন্নগা লৈতম্বা পুম্নমা কোরৌ খুদিঙ্গী শক্তিক যেম্বিং চোংবগুম চোংহনবা নোংদমখিবন্ নিংশিংনা নোংদমকাদা লৈরাংলরিদো— মানি মানি । ×

মুমিংকী মিংলেনবু ফানা থাজা শেল শারকপা

লাইহাংথোক্তই লাইলৈমা মতাই পুম্না থানা পুবা শিন্নরমদাইদু নোংতাম্নমদাই শক্রক য়েৎসিং তনবা হকম মিংতল্লে ॥ মুমিংবা পুবা [illegible] শিংবনবই ইতমবু "মুমিদাংবাই— মুংথিল পোম্পো লৈগাম্ব বোনা বোরৌ অনা শাবগী মমুংদা "নোংতাম্নমদাই· অপুক অতনবা· মুংখিল পোম্পো হুনখংলকপা= যুংথক থানবা· মুংখিল পোম্পো থুনবা· থামদাংবাই—য়াচংবা অহিং যুংথক তানবা· নোংয়াই যুংথক থানবা· যুংথক তুইথবা হাইবা মিংলেন ৮ বু থমলেদো— থমলে থমলে ॥

হৌজিক্ক মরু আনবা মুচিনা অশেবনা শেহৌনা থাজা শেলবু শানবা· থাজা অমগী মমুংদা থানা মতানবু লৈরোন নোংলোম্না লৈতম্বা পুম্নদা খোতাক নোংদমাখবব্ নিংশিংনা থোপুরক্কদো খেরমব্ পাউশাগেকো —পাওশাবও পাওশাবও॥×

মুঙ্গাং লৈমা মুঙ্গাং নোংথো অনিনা তিল্ থানা অসি খুদিঙ্গী মরুম অমমম কোক্ক্না মরুম তরেং ওবগী লাইশিংব্ লুম অমা কোনা চৈথকনা থম্মিদো— থম্মি থম্মি ॥×

চিংউ অনিনা কোকপা মকম ৭ অশিনা মথংলেংনা লৈফমশী লাইমিং লুম কৌবনা ৪ লক শুবগি মখক্তা মরুম অনিগী লাইমিং তিন্দুনা কোবৌ (৩০) কুন্থ্রা শুবা অশিবু " থাজা শেল অমা হাইনা শারশি নোংদমলেদো—নোংদমলে নোংদমলে ॥

মথংদা পুগদবা মরুম অসি নোংকোরৌ লৈচু অতুদগী শিংথ। শিংথৌনা লুম ৪ শুনবা চৈগাপ্পা কোরৌ (৩০) শুবা হাইনা শিংথানবশি থৌযানৈদো—যানৈ যানৈ ॥

থাজশেল অমা কোবৌ (৩০) নি অশিগী মরুমদা কোবৌ খুদিংগী থানা পাওচেন পাওতাক্লা শাথোকদবগী চৎলনদি কোবৌ খুদিঙ্গী নঙানবু খজিক খজিক চাওথোক্লা শাথোকপনা কোরৌ ১৫ নি শুবদদি নঙালবু শন্না শারেপ্লহুনা নোংদমাববা ॥ কোরৌ ১৬ (তরা তরুক) চংবদগী নঙালবু কোলুপ অময়ম চোইনা শাথোকপিবা ॥ চৎলমশিবু নোংমা নোংমশী নশক নপালবু শামথা থেংথনা শাথোক্লম্বদগী কোরৌ ১৪ তরামনি লৈরম্মদা শিংথেকপা চৈ (৩০) চংবা কোরৌ অসিমদি নশকপু লৈরোংনঙম্না মালেম ইমাগী পিবুকনুংদা লোত্তনা লাইমিংবু লৈশাতাও চিংউ তাওরোইলাই " থাকৌনা লৈবিক্লনা নোংকোরৌ (৩০) নি শুবগী খুদম পাওচেলবু পিবিও নোংদমখিবগী অনোইলোনবু মরু অনিনা লৈকৎ লৈরাংলকলিদো—লৈরাংলি লৈরাংলি ॥

মথঙ্গী কোরৌদা হকি পুঙ্গোইবু মুৎপদি য়াদবনিনা লৈমি পুঙ্গোইদা উহন্না শাথোক্লবিও ॥ কোরৌ অহুবু " থাজা নোংমা পাদবা " মিংহুন্না থৌপুশি ॥

মথং মথং হেনগৎলকপনা পুঙ্গোইবু উহনবিহনা কোলুপ অময়ম চোইনা নউব নঙানবু হেন্না শাথোক্লবিহ্নুনা পাওচেনবু পাওতাক্লবিও নোংদমখিবা চৎলম্বু নিংশিংনা অনোই থৌখলনরকইদো —থৌখলি ২ ॥

অসি কোরৌ ১৫ নি চংতুন' থানা মণ্ডপ্‌দ্‌ শগ্‌না শাখোক্না ইতম্‌, মালেম শিন্না য়েংজ উক্‌চৌশম্‌ খৌপুমবু নিংশিংনা নোংদম্বগী মিংয়েংবু মক্ত অনিনা খৌপুমক্লে ঐখোয়ম্‌ তুংইন খৌথল ওইনা নোইশে— নোইশে, নোইশে ।।×

অসি নোংকোরৌ ১৬ নি পাললে পাঙ্গল খজিক হামোই-নরে— হৌরে হৌরে ।।

থাজ ১৭নি পাল্লে— হামোইরে হামোইরে

থাজ ১৮নি পাল্লে খাং নাবা হৌরে— হৌরে হৌরে ।।

থাজ ১৯ নি পাল্লে মিং য়াগী মণম হক্লে— হাইবিও ২ ।।

থাজ ২০নি পাল্লে কপ্লাক কুক শুংলেদো—শগ্‌লে ২ ।।

থাজ ২১নি পাল্লে, নিংশা চনিং খোইদাদরে—খোইদাদরে ২ ।

থাজ ২২নি পাল্লে, নিংশাবু হৈক্টনা মাংওইনরে— মাংওইনরে

থাজ ২৩নি পাল্লে লৈকোই খোংশানলক্তরে— চর্‌শি চুশি ।।

থাজ ২৪নি পাল্লে লৈকোই লৈথুংদবা হৌরক্লে — হৌরে ২।।

থাজ ২৫নি পাল্লে, ঈরম খোংলম ফুল্লক্লে— ফুল্লক্লে ফুল্লক্লে ।।

থাজ ২৬নি পাল্লে, মশক মচু খোক্তরে মউ হৈচেং হৈকাই-নবনা য়ামলক্লে ।

থাজ ২৭নি পাল্লে, তিনখোং দাইখোং খিনি লক্লেদো— খওনিংলক্লে খওনিংলক্লে ।

থাজ ২৮নি পাল্লে, খরাই তোংওল্লে হো হা শাখোক্লরক্লে —হোই হোই ।।

থাজ ২৯নি পাল্লে, "হো''দা ইহোমরক্লে মিহুং অমুক মৈরগা লেপ্পনা কুংলক্লে ।

অসিদি থাজ ৩০নি শগ্‌বা মণ্ডানবু লোংখিবা হৌহিবা থাঙ্গাশেল শাবা হৌবা "থাজ শাওল্লাং শজিবু থাজ চৈহৌবা" মিংথম্না থাজ শেল অমা থম্বা হৌরশি—হৌরশি হৌরশি ।।×

অদুদি মথং মথং কোরৌ ৩০ হেক শগ্‌রকপগী লাইবি

অশিবু মথংলেংনা ল ইমিং ১২বু শুমবা মথৌ মওম গা লোয়ননা নোংদমখিববু নিংশিংনা মক অনিনা অনোই শাদমলক্লে, লাইখিং মওম খঙ্জিক পাওশাগে — পাওশাবিও পাওশাবিও ॥ ×

থাঙ ১২ গি লাইমিং মথৌ মশিল

১বা থাঙ শাওল্লাং — চৈহৌ থাঙা শজিভু কৌগে ॥

২ সুবা থাঙ অনিশুবনা কৌইনা স্নাওান = কালেন থা কৌরসি ।

৩ সুবা শেলবু "য়াইথুতোল — ইঙাখা" কৌরসি ॥

৪ সুবা শেলবু লোইনুংয়াই — ইঙেনথা ,,

৫ সুবা শেলবু থানুংয়াই — থরানথা ,,

৬ষুবা শেলবু লৈথম্বা — লাংবনথা ,,

৭ সুবা শেলবু থানোলেল — মৈরাথা ,,

৮ সুবা শেলবু কুপম্বা কুপয়োং — হিয়াঙ্গৈ ,,

৯ সুবা শেলবু থাজলেল — পোইন্ন ,,

১০ সুবা শেলবু থানৌতোল — বাকচিং ,,

১১ সুবা শেলবু থাঙ থানুংশি — কাইরেলথা ,,

১২সুবা শেলবু থাঙালেং — লমতা থা ,,

অসুমা থাঙ শেল মথং মথং শাবনা মিংলেন ১২ সুনখিবা অসিগী মিংলেনবু কুমজা অমা, অনি, অহুম হাইনা শিংথেক শিংথাবনুনা ইঙমগী চৈশিংবু থংবা থৌপুশি বাতেমখিববু নিংশিংনা অনোই-লোলবু থৌখল্লিদো — থৌখল্লি থৌখল্লি ॥

থাঙ ১২গী মওম আইরুকচন

কালেন, ইঙা, থাঙা অসিগী মথৌবু ইশৌ লাংহমবা লোংদমলেদো — তাকপিয়ু তাকপিয়ু তাজহৌনবা ॥

পোইন্ন থাদা হুংশিং নোংহম, — অকা অপুনবা, লাইপুং আইনাবু শাথোকবা নওম ওইয়ু লোংদমলেদো ॥

থবান, লাংবন থাজ অনি অসিনা মৈচাক মৈহৌনবা, চনিং নৈতানা থুমলিংবা য়াদনবা খৌপুরো নোংদমলে— হাইবিও তাকপিও ॥

কাইরেল লতা থাজ অনিসিনা থব্বাই ময়েং তাবা পুক্নিং পিকহনবা, অরা মুংশি তানকংবনু খৌপুরো নোংদমলে— থংজরে থংজরে ॥

শাজবু, ইডেন, মৈরা, হিয়াংকৈ, রাকোং থাজা নখোয় ম[illegible]াদি তেংবানবনু [illegible]—মুংশাই [illegible]নোংদমীনবা খৌপুরো খৌ য়াংপাথিদো— থংজরে ম[illegible]দি [illegible] [illegible] [illegible]রি কমদৌবা ॥ মশাক্কু মরু অনিনা [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] পাওশাগেকো— পাওশাবিও তাক্নগে ।

নুমিৎ থাগী মশক, নরাক মচুং, লিকথোং লাইথোং খুন্দন দা পা

লাইমিংথোই শাইলৈনা মও [illegible] [illegible] হায়বিও ॥

নুমিৎ, থা কুম্মত ব [illegible] । [illegible] [illegible] [illegible] মরু অনিনা খুৎলোল অমা [illegible] [illegible] [illegible] । [illegible] [illegible] তিলথোং লাইথোং লালুপ লাইথুন্দনবু [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] [illegible] বানিদো পাওশারগে— পাওশা[illegible] পা[illegible] য়ও ।

মশেং মকাপ, হয়েং মরুম অশাংলা [illegible]নবু থৌগী মশাক্কি হাইতুনা মপুং কানবা ওইহনসি নোংদম্লা থ[illegible]খিদো— য়াংপিও ২॥

মশিং, অশিং, হংশিং তমুম অাশংনা শাগৎপীগা মশক্কি হায়তুনা মকৈ ওইনা থম্মশি হায়তুনা মফে হ[illegible] রাহৈবু থমখিদো —থম্বিরে থম্বিরে ॥

মরোল্তি মপুং মকৈ অনিমক্কী মচমবু খোংপুনা লৈতম্মু ॥ তুম্বিংকী কাইরেল থুদা ওইনা লৈরো জতুগা মরুম ৬াত নুমিৎকী

কাইরেন্দগী কাপথোরকপা মচু মঙাল ওইনা থৌপুনরসি বাতেমনখিদো— তাজরে তাজরে ।।

হিয়াঙ্গৈ, পোইসু, বাকচিং, কাইরেন লমতা থাজা এদি লাইবুংথৌগী মশক ওইনা মমুং বাবা ওইওম্ব খয়ীখিদো— য়াংপীয় য়াংপিয় ।।

শজিত্তু কালেন, ইঙা, ইঙেন, থরান থাজা ৫ অসিনা শাগৎপী লাইলৈমগী মশাক্ক মরাক ওইওমসি নোংদমখিদো— নোংদয়ীয় ।।

লাংবন, মৈরা থাজা অনিদি মরাক মপুং ওইনা নোংদম্বগী থৌখনবু চংনো য়াংাপখিদো— য়াইফবে য়াইফবে ।।

থাজা লেখয়া = লাংবন থাজ শেল অসিনা িলাথোং থৌপুনি—থাপু শ থৌপুশি ।।

থাজা থানৌশেন— মৈরা থাজানা চিংউশিঙ্গি শাথোক লৈপাইবা ওই শ নোংদম্মে— য়াইকৈ য়াইকৈ ।

থাজা য়াংখুতোল — হঙেনথানা থোকা থৌপুনবা ওইশি নোংদনাখদো— মানমানি । থাজা অসি চিংউশিঙ্গ থৌয়ম তান্নবা ওইশি হাইবনিদো— খংজরে খংজরে ।।

থাজা থানৌথোন — বাকচিং থানা চিংউ পুম্বগী অমদি পুতুঙ্গী খোইয়ুমশিঙ্গীগ খুন্দিন য়াকা লৈকবা বারেপ বাতেম্নবা থাজা ওইশি থৌশিল্লিদো— য়াইকবে য়াইফরে, য়া য়া হো য়া য়াহোয়া য়াংহোয়া ।×।।×

শেমগৎপা লাইবুংথৌ ৬কা শাগৎপী লাইলৈমা ৩৬ কনা থাজা পরম থাইনা মপুগী থৌখন চংবা

লাইমিংথোই লাইলৈমা মঙাই চিংউ খোইয়ুম তাইবংপুবা হৌজিক্কি মুমং থাগী মরাক মযুং থাইবা লোইরদুনা লাইবুংথৌ লাইরেপী ১৪ গা লোয়ময়না মক অমিনা নোংদম্বগী হিংরেংবু

লৈকৎনরক্লেদো ঐখোয়মু নিংশিংবা ওইনা পাওশাশিকো— শাওশাশি তাকপিও ॥

হকচাং হায়বা মশক অশিগী মহুৎদা মপুগী খমুং ওইববু ইঙাল লৈশানবা মহুম লাইশং ৬পু কাইরেলনা লৈকম লৈথম্লিদো. লৈকম ৬ অশিদা লৈচংনা থাঙ্গা ১২ বু চৎলম ৬ থাইনা নোংদম্বগী খোথনবু খোপুনরিদো— তাকপিও খংজহৌগে ॥

অহানবা লাইশঙ্গী লাইমিংদি "কংলোইয়া—কোক থামুন পুনকম" অসিনি। লৈকম অসিগী অকোইবদা লাংয়েল ৭ পু য়াৎলিবা লৈকম্লিদো— মানি মানি ॥

লৈকম আসদা কোং শেমগৎপা লাইবুংথৌনা মাগী সিন্থোং পুবী শাপৎপা লাইলৈনা ৬ কা লোইনহুনা শজিতু, কালেন থ.জ. অনগী মথৌ মওংবু থোপুনবা নোংদম্মাদো—নোংদম্নি ২ ॥ থেল অশিদা লৈনা ২ দা পানবা মচুনা চুমথাং মচু ওইবা মকম আংশবু লাইয়েক লইশক ৪৭ কা অপকমা, তিলুক, চৈকা, তিপুবা ৩০ গনা য়াকা লেকোহনা খোথাম্লবা মফম্লাদো—মানি মানি ॥

থোপুবনা চেংবানবগী হকচাং মুংঙাইহনবা. অরাম খোয়াংবমু ইতমনাইংম্লবা. শজিক এম্নিং হুম্মুনা কপয়াং তাংয়াংনা মথেং ভাদনবা মপানবু শগ্না শাৎহন্দুনা মহেবু চুম্না পুম্ন মুংশাংনা পালহনবগী নোংদম্লিদো—নোংদম্নি নোংদম্নি ॥

শাজিতু থাদা থোরমগী শিন্থোং ওইনা লোইনবী শাগৎপি শং লাহরোংবী. ঠং ঠ.রালোংবী. খুং থাবা লৈবা অহুমগা থোথলবু পুহল্লে—পুহল্লে পুহল্লে ॥

কালেন থাদা শাগৎপী ম্রোং-তেংপান লৈমা. ইং-ইকোই লৈমনে. লোং-লৈরোং লৈমনে অহুমগা লোইনহুনা মথৌ মওংমু থোপুনা খোথনহনখিবগী অনোই শাথোক্লা খোথম্লাদো-খোথালি খোথলি ॥

২। মুংবাথেম্না—লাইয়েক ১৬ না লৈনাওম্না কোইহুনা মহুনা অওৌবা লৈচুনা শাথোকবা লৈকম অহুনা খুং শেমগৎপা

লাইবুংথৌনা মাগী শিম্থোং ওইরিবী শাগৎপী ৬ কা লোইননা ইগা ইঙেলগী মথৌ মঙম্ থৌপুনহল্লি ।। থৌরম্না তেংবানবব চনিং লৈতানা পাম্নবা অরাম থৌরাং পাংশোই লৈহন্ননা থোংলম্ কাইদনা খংজনবা থৌরম্, থৌপুরে—পুরে পুরে ।

ইঙা থাজাগী মনুংদা শিম্থোং ওইরিবী শাগৎপী য়াং-ঙোংচংবী ক্লীং—কশাথৌগ্নি, গ্রীং—মৌগ্নবী লাইলৈমা অহুমা শৈখল্লি—খল্লি খল্লি ।।

ইঙেল থাজানা টলিং—টোংথাংমুবী, হ্রীং হীঙ্গিংবী, আং-অকোং লৈমগা (৩) বু লোইনহুনা নথৌবু থৌপুনা লৈঙম্, নোংদমখিবম্ নিংশিং থৌখনবা অনোইলোম্নি খংঙকো—তাকপিয়ু তাকপিয়ু ।।

৩। উংঙা, শেমগৎপা লাইবুংথৌদা মাগী শিম্থোং ওইরিবী শাগৎপী ৩ তা থৌরান, লাংবন থাজা শেল অনিগী মথৌ মঙম্, অমংথেল—লকা কৌবা লাইশংবু লাইয়েক ১২ না লৈনাগুম্না কোইনা : হু মঙাম্না ভাংঙ্গানবা লৈচুবু শাকোংলিবা লৈকম অশিদা থৌখম থৌরম্, "ওমাং ওনশাওহম্নবা, লুম্নাংবু লাংতকনহম্নব।" থৌশিম্নৌ ।। থবান থাদা শিম্থোং লোইনবীদি লিং—লাইরিবী, হং-হাইনু লৈবা, চেং চেনু লৈমা অহুমগা লোইনহনা থৌখল্লু ।। লাংবন থাদা শাগৎপী খুং-থাদোন লৈমা, এং-এয়াংলৈমা, চং-চিংবলৈমা অহুমগা লোইনহুনা থৌখম্লো নোংদমাখবগী থৌরম্, নিংশিংনা অনোই থৌখনবনিংদো খংঙকো—মানে মানে ।।

৪। অহুং লাইবুংথৌনা মাগী শিম্থোং ওইরিবী লাইলৈমা ৬ কা লোইনহুনা মরুগী লাইশং কংলৈখেল পুং—খোইদৌ কৌবা লৈকম্, লাইয়েক ১০ না স্না অহিংবা লৈচবু শাকোংনা মৈরা হিয়াঙ্গে থাজা ২ গী মথৌ মঙম্ কোরৌ খুদঙ্গী থৌখম্লে ।। থৌখনগদবা সিম্থোংদি তেংবানবগী পুক্লিংবু খোইচংনা অচা-অথক অনৌ অপেনবু মরাং কাইনা পিহুনা তনৌ তহের। লৈঙম্নবা

থোপুনা থোরমগী মপাল মহৈবু তেংবানবদা কংহল্লো ।। মৈবা থাগা খেখল চংবদি চিং-চিংখৈ লৈমা, রাং—রাংতা লৈমা, চাং-চাংশো লৈমগা অহুম্না সিম্থোং ওইনা থোখল্লু ।। হিযাঙ্গ থাদা থোপুগদবদি ওম অবৈম্ব, হুীং হিপোকপী, ইং-ইমোই অহুম্না সিম্থোং নোংদম্না থোখনখিবা চৎলম্বু নিংশিংনা মরু আনিনা অনোই থোখল্লিদো— থোখল্লি থোখল্লি ।।×

নং লাইবুংথৌনা শিম্থোং পুবী লাইলৈমা ৬কা লোয়ননা পোইম্ব রাকচিং থাজা অনিগী মথৌবু পুনা থোখল্লি ।। নুম্বাং-খেল—চ নং কৌবা লাইশং, মচুনা অশংবা লৈমুগী লৈনা ৬ না থক্তা, লৈবা ২না খাদা হাইথনা কোইনা থোখল্লি ।। মথৌনা তেংবানবগী পুক্লিং হুকচাংবু তনৌ তহেম্না পালহলবা অরিববু অনৌবনা শিম্নবা থোখনবনে ।। পোইম্ব খাদা থোখন চংবদি টলিং টিংকোই লৈমা কং — কোটিংলৈমা, ঠং— লৈমা ঠোংঙাইবী গা অহুম্না থোবম্বু থোপুনা থোখল্লু ।।

রাকচিং থাদা আং— অঙাইবী, চেং— চেংঙালৈমা, ঠং-ঠালৈমগা ওনা সিম্থেং পুহনা তেংবানববু নোংদম্ব, ডাকপি-খিববু নিংশিংনা মরু অনিনা অনোই লোনবু থোখল্লিদো - থোখল্লি থোখল্লি ।।

সং লাইবুংথৌনা লাইলৈমা ৬কা লোযননা কাইরেল লমতা থা অনিগী মথৌ মওম্বু পুনা মরুগী লাইশং তরুক ওবা শজুমখেল—কময়া কৌবা লাইশং লাইযেক লাইশক ৪ না চিবা মরিদা মচু মঙাল্লা প্রা ফিগে মচুবু শাথোকপা লৈকমদা চংহনা থোখনজৌ ।। নথৌ নওম্না তেংবানবা পুম্নমক মওম্বু ষেল্লিং চোংহন্দুনা মচু মঙানব কুবি নোংদম্না ওইযু ।। কাইরেন থাগীনা চুং-নাংথাংলৈমা, নোং-মোংখোংনুবী, চিং-চিংচেংইবীগা (০) ওইরা ।। লমতা থামা চুং-চুমথাংলৈমা লাইরেম্বী, মেং-ম্বিংকোই-

লৈমা চ্‌থীং-ভাশোই লৈমা (৩) না শিন্থোং ওইনা থৌপুরো নোংদমখিববু নিংশিংনা নোইষনিদো—মানি মানি ॥

উংভা লাইবুংথৌদা মাগী শিন্থোং ওইরিবী শাগৎপী ৬ কদা (থৌবান লাংবন) থাজা অনিগী মথৌবু নোংদম্না অমংথেন কোবা লাইশঙ লাইয়েক (ঘ ঙ চ ছ জ ঝ ঞ ট ঠ ড ঢ ণ) ১২ না কোইনা লৈনা পানবগুম্না থৌপুবা, মঙান্না ভাংঙ্‌নবা লৈচংবু শাকোংশিবা লৈফম অসিদা থৌরম্ব (ওল্লাং ওনসাওইম্নবা, মপুক লুম্নাংবু লাংতকুইনববু) শাথোথোক্লবা থৌখল্লু ॥

খরান থাজা শেলদা থৌপু শিন্থোং লোইনবাদি, শাগৎপী লাইলৈবা লিংং-লাইরবী, হুং হাইফুবৈ, চেং-চেম্ন লৈমগা অন্থুম্না থৌগল্লু ।

লাংবন থাজা শেলদনা শাগৎপী লাইলৈবা থুং-থাদোনলৈম এং-এর ংলৈবা, চংং চিংবা লৈমগা অহম্না থৌখললো নোংদমাখবগী থৌরম্ব শাদম্না অনোই থোখনবনিদো—মানে মানে ॥ ×

অঙ্কহং শেমগৎপা লাইবুংথৌনা মাগী শিন্থোং ওইরিবী ৬ কা লোইননা মরুগী লাইশঙ (কংলৈথেনপুং) কোবা লাইয়েক (ত থ দ ধ ন প ফ ব ভ ম) ১০ না কোইনা নোংদম থৌপুবা মঙান্না স্না অহিংবা মচংবু শাথোক্লবা লৈফম অসিদা (মেরা, হিয়াঙ্গৈ) থাজা শেল ২গী মথো নাশনবু নাঙ্গাংদনা থৌখললে ॥ থৌগনগদবা শিন্থোংদি-ঙংবানবগী পুক্রংবু থোইঠংনা লৈপাম্নবা অচা অথক অনৌ অপেনবু মরাং কাইনা, পুক্রংবু অনৌ অহেন্না লৈঙম্নবা ঙংবানবদা ফংহনলো নোংদমলে ॥

(মেরা থাজা শেলগী) থেখল লৈচংবদী শাগৎপী চৌং-চিংখৈলৈমা, রাং-রাওলৈবা চাং-চাকশো লৈমগা (৩) না শিন্থোং ওইনা থৌখল্লু ॥

হিয়াঙ্গৈ থাজগী থৌখনবদি শাগৎপী হুইং হীপোকপী, ইং ইমোইন্থ, ওম অবৈহুগা ৩ না খৌমুনা নোংদম্থিনা থৌখল্লিরো —থৌখল্লি ২ ।।

নং শেমগৎপা লাইবুংথৌনা মাগী শিঙ্গোং পুরিবী ৬ কা লোইননা পোইন্থ, রাকচৌং থাজ শেল ২গী মথৌবু থৌখল্লা কোয়রৌ খুদিঙ্গী থৌশিন থৌপুনা, মঙন্থ্ তেংবামবনা তানফংনবা থৌপুনা লুমলাংথেন কৌবা নোংদম্বগী লোইশঙ মচুনা অশঙবা শাথোকপা মরোং মশা ৮বু লৈহাপ্লা, মরোং মকা ২না খাদা থাদরগা মরোং ৬ না থক্তা থমহুনা লাইয়েক (য, য়, ব ল, র, স) কাইয়েক ঙনা লৈরোই থেংনা লৈযনা লৈযমদা থৌখল্লে ।। মঙম থৌবম্না - তেংবানবগী পুক্লিং হকচাংবু তানৌ তহেন্না লৈপান হম্নবা অরিববু অনৌ য়েম্লিং চোংহন্না, তনৌ তহেন্না লৈঙম্লবা নোংদম চৎলন্থ, থৌখল্লো ।।

পোইন্থ থাজ শেলদা থৌখনবদি টলিং — চিংকোইলৈমা, কং— কোংচিং লৈমা, ঠং — ঠোংভাইবীগা লোইনদনা লিঙ্থা শাকোংঙ ।।

রাকচৌং থাজ শেলদনা শাগৎপী তাং — অঙাইবী, চেং চেং লৈমা, ঠং — ঠালেমগা লোইননা নোংদমথিববু শদম্না মরুঅ ননা থৌখল্লি— থৌখল্লি থৌখল্লি ।।

সং শেমগৎপা লাইবুংথৌনা মাগী সিঙ্গোং পুরিবী লাইলৈমা ঙকা লোইনহুনা ফাইরেল, লমদা থাজ অনিগী মঙম্ শাথোক নোংদম্না মরুগী লাইশঙ ঙওবা শজুমথেল, কৌবা লাইয়েক (য স হ ক্ষ) ৪ন চিন্না ৪দা থোকনবা মহু মঙাম্না স্না ফিগে মহুবু শাফোংবা লৈফমদা লৈচংনা থৌখনজো ।। নখৌ নঙম্না তেংবানবদা লৈম্বিবা পুম্নমক মঙম্ অনৌ য়েম্লিং হন্দুনা অকংবা মশকপু শংহন নৌহন্না নিংথি চংখোম্না লৈপাল থৌমু তানফংনবা, তেংবানবম্ঙ কুবি নোংদম্বা ওইখু ।

ফাইরেল থাজ শেলগী সিন্থোংনা শাগৎপী ঙুং-ঙুংথাং লৈমা, নোংখোংমুবা, চিংচিংচেৎইবীগী ও না ওইরো ।।

লমদা থাজা শেলগী সিন্থোং পুবীনা চুং-চুমথাং লাইরেম্বী, য়েং-য়িংকোই লৈমা, ঙাৌং-ঙাশোই লৈমা না শিন্থোং ওইনা থৌপুরো নোংদমখিববু নিংশিং শাদমা থৌগল্লিদো—মানি মানি ।।

নোংথৌবু লৈফম ঙ লৈয়াৎ লৈথম্বা

লাইনিংথোই লাইলৈমা মঙাই পূম্বা—হাইবিও করি বাবু লৈবনো ? মরু অনিনা লুচিংনা অনোই পরম অমা হোংনা মপুগী মিৎয়েং কুমৈবু অশেবনা শৈশক্লা অনোই থৌখন হৌরক্লেদো, নিংশিংনবা ওইনা থক্লিক পাওশাগে তাওকো— পাওশাবিও ।।

১ । চাখা খোংচোম্নবী থৌরাই পিচাবু নোংথৌগী লৈফম অমা শিন্নহনা চৌংউ মিকুক হিং হিং কৌববু শাথোকহন্দুনা লৈমিন্নহনখিবা থৌরম্বু নিংশিংবনিদো— মানে মানে ।।

২ । হুৰুক শাদবলিবসিনা অপকঙা থবাহপিচাবু থম্বীছুনা শংম্নেং তকুপ তরংবগা, লৈফুরেল কিংনাইবগা, ঙাংঙোই লৈয়াম্বীগা তবু থমলগা অপকঙানা কোইশিন্দুনা লৈহনখিবগী থৌরম তমজবনিদো — মানে মানে ।।

৩ । হুন্দকৌশিনা থুনিৎনা মালেম্বু কোয়বা মঙানবু মালেম শিন্না উহল্লগা অমুক মঙান থোমজিন তাশন্দুনা নোংনাংকেল অপোকপনে, তরংঙাং ঙাম্বাঙান মিৎতরক্লা নিংলেল ও বু শাথোক নোংদমাখবা, অল্লগা থুমিৎপু থোবক্লনী পাওঙাক্লা শাকোংশারেবা শক্তিক্তা ভিলুক থান তেংবানববু শক্তিক য়েম্মৌ চোংনবা নোংদম শাথোকখিবব শাদমা নোইবান মানে মানে ।।

৪ । হন্দকমুক্লা শিনবাওলেন্দা লৈফম্বু য়াৎনা কোযনা লৈবো, ননাক্তা লৈহক্লে, থিনবিনে, কামরিবনে, যাইরৈমনে, খাবি লুকোকচানে চিংউ ৫ বু শাথোকহনা শিন্থোং ওইনা লৈহন্দ নোংদমখিববু নিংশিংনা নোইবান— মানে মানে ।।

৫ । হন্দকৌসিনা লৈশাতাও থানা মালেমবু কোয়না মঙানবু পিকশিন পিকথোক নাইনা তেংবানবনা 'কাইফ-হোংকদবা চৎলক্লি

নিংশিংনবা কারে লৈরাং সা ভানগ্রউষ্বগা লোয়ননা নমাংদা থাবোই থাপানা শাথোক্লহুনা কুবি নোংদম্, শিন্নখিববু মোইবনে —মানে মানে ॥×

৬। হুন্দক্লৌসিনা লৈচিন্দা থোংভারেললনা শাদোংনা মালেম ভাহবংশা চার-খক্লগদবা মশকপু নোংদম্না। অবা অবাবু কুমদম্না খোপুনখিববু নিংশিংনা নোইবনি —মানি মানি ॥

পুন্না লৈনরম্বদগা মশিনবু থানা তাম্না তাম্না লৈপুহুনা খোপুনখ্রেদো —হোই হোই ॥

থোরোইনবা থানি হাখহুনা থাক্ষ শেনগী লাইমিংবু তাম্না তাম্না লৈনহুনা শিহোংবু লাইখ কাওনবা লবতা খা কৌখিদো —মানি মানি ॥

অবা নুংভাই খোশিনবা

লাইমিংখোই লাইলৈনগী মভাইরোই ভাকপীও হায়বিও ॥ অতিয়ানা নিজবা ইখোরম্ উজবদা হরাওনা পাওশাইদো হায়বিও হায়বিও ॥

থাজা শাওনলেবু—শজভু মুরগা হোয়া য়াইকা বাতের থোহৌবা হাযনা খংনরশি লেনখিখবু নোইবনি —মানি মানি ॥ নোইরকপিবা অসিনা প.ল। পংম্বা ২ না রাহং রাখুম্নখিবা পাওশাগেকে. —শাবিও তাজগে ॥×

চিংভ্ হমানা রাহেংশিদা। "মক ইভম অসিবু নোংলোদা ইভাল লৈশাবা। থম্বাবা খোরম অসিনা লোমলবম্না। হরাও তয়াখনা খোইমা য়ামখিবনা থোকওখিবম্না লৈয়াইলেন অসিনা চিংভ্ কনানা খুন্দানা ইভাল লৈশানগদবা। নোংলোন অসিদা লৈরকপগু মহুইরে শিনবিব ও কৌওমদে খোয়া হৈবা ঐনা করিবু তৌশিবনে।" খোইশাও পাওশারম্না নোংলোন মাইকৈ ৪ চিম্না ৪ বু চেম্নম্না মশম ফাহোনা পামবোম কিংনা হাম্নবা হুম্না নিক্লনা নোংখে ? পাংনা য়েংহনা কৌরকইদো—কৌরে কৌরে ॥×

লৈফম্ব খাহো উহৌবা লৈওনা ইনাগী হক্তগী লাইলৈমা শাথোক্লনা ইমাবু কোয়শিন্দুনা লৈরেদো— লৈরে ২ ।।

১। ওম হ্রীং ক্লীং হুং রোংচংবী হিকুবী ।

২। ওম ঐং হ্রীং শ্রীং ক্লীং কশাখৌরি ।

৩। হ্রীং ক্লীং অবোকশা হিপোকপী ।

৪। হো সো রৈং হো সো, ক, ক, রিং, হো সো মাইপোকপী মৌম্ববী ।

৫। ওম হুং ব্রাং তং যট হৈবৈমা মোংশাওন্বী ।

৬। হ্রীং হিনজিংবী ।

৭। ক্রোং ক্রীং ক্লীং হুং হুং হ্রীং কশাব্রী ।

৮। শ্রীং ক্লীং হ্রীং ঐং মৈশাম্ববী চিংচাইবী ।।

৯। হুং হুং হ্রীং হিংনা লৈমং ।।

নখোয় ৯ বু কাদো ৎগে কৈথোক্লনা মরুগী নাক্তা কোয়না থৌথনখিবব্ নিংশিংনা নোইবান খংহনো— খ জাম উজরে ।। ×

থোঁরম্বু উবদ মরু গা হনেন অময়না শাথোরকপা ৯ বু উবদা থোঁান খোংলহ ওইনবা লাইবুংথৌ ৯ বু পুথোক্লবা ৎহাংনখিবা থৌরম্মদো—মানি মানি ।। ×

ইমানা পুথোক্লিবা অসিদি ৯নি অহংগা ঐনা পুথোকে নিংলিবা অুমিৎকি মকমদা লৈবদা অসদি তরেৎতনি ২ অমদি কদাইদগী কমদোনা থোশগে ডাইহাক খল্লিদে—খল্লি ২ ।। ×

মরুগী রাখন ৬কচানবব্ উবদা তিনবাওরেমা মতম আসিদা মাগীগু থৌরম অমা থৌহৌরগে নিংতুনা মহাকি মহাক অমা চোংথোক্লনা থুংশা ১০ লোম্নতুনা মরুগী মাংদা লৈররেদো— লৈরে ২ ।। ×

মশক অম্বু উবদা মরুনা কনানো কদায়দা কৈদৌবা লাকপনো হংডিদো—হংডি । ×

মরুনা রাহংবগী লোইননা মিংথে তাবদা মশক অহুব ময়াইদা তত্তুনা ২ থোক্কা লেপ্তুনা " মরুগী রাংলিবা মশক্কি মথৌবু পুজগে হায়হনা তিনবাওবেম্না শাথোকচবনি " খুমথিদো-খুম্মী খুম্মী ॥

মরুনা নংদি মশক অমত্তনা ২ থোকপনিনা নমিংবু (হুনি নারো) কৌনা মশক ৭ কা লোয়ননা থোপুনরো হায়দো—হায় হায় ॥×

শাথোকদবা মশকপু শুবনদা হুমিংকি নফনদা যাবা ৭ পু লাইবুংথো নোংদনা ওইনবা শাথোক মিংলেনবু হোংদনা লাইবুংথো ৭ পু শাথোকনদি নিংশংডনা —নিংশিংডি ২ ॥×

মরুগী নোংদম্বু থেপুনা থুমিংনা মডান লেহ্ ৯ বু ২ না হুনি নারোদা হাপ্লগ ॥ ৭ না মানা পুংবা ওইনা লাইবুংথো ৭ শাথোক্তুনা মরুগা নাক্না থোথনরে —লৈরে লৈরে ॥×

মরুন নোংদম থোশিনবা

১ । ওম হ্রীং হ্রাং লাইবুংথো মরোং ওম চিঙু অমংবা তমংহুইনা ওম পুখা থবানা পিচা ওবা শাজু তেলহেবা ওবা পিক্লা পিচা ওবা চিচাথোইবা তেনা পুবা মতমদা শাথোকপা মশক পুথগীবু খুমজা ৬ পু হংওই যাইক্না অবা অনাবু নোংদাম্বরো ॥ কুমজা ৬ পু পুবিবদা কুমজা থাজাবু য়েমনা লাইবুংথো ৭ নও নখংলেংনা পুবিও ॥ মরোং মরুগী সিংথোং পুবদি ওম হ্রাং হ্রীং হুং রোংচংবী কোবী ইমানা ওতাবও নোংদমাথবনু তমনা নোইবনিদো—মানি মানি ॥

১ । কুমজা ৬ পু থোপুবিবদা থাজা শেল ৪ বু হৌবা ওইনা হুংবংনববু ওইহন্দুনা পুবিও ॥×

২ । মথংদা মশিংনা থাজা শেল ১০ তেংবাংঙু ॥

৩। মথংদা মকাপ্না থাজা ৫ কোরৌ ১০ তেংবাংঙ্ ॥
৪। মথংদা অসিংনা থাজা শেল ১১ কোরৌ ১০ তেংবাংঙ্ ॥
৫। মথংদা মশেংনা থাজাশেল ৬ কোরৌ ২০ তেংবাংঙ্ ॥
৬। মথংদা হুয়েংনা কুমজ ১ কোরৌ ২০ তেংবাংঙ্ ॥
৭। মথংদা হুনিনা থাজা শেল ৮ ॥
৮। মথংদা হুংসিংনা কুমজা ১ থাজাশেল ২ তেংবাংঙ্
নোংদমখিববু নোইবনি —মানি মানি ॥×

২ নং ওম এঁ ক্লীং মাশিং লাইবুংথৌ ওম আঙাইবা উনবিরেম্না থবাইপিচা ৬ বা হুংশেম্বী০ ৭ বা নোংথোনাক্লা০ ৮ বা নোংখৌতুলেং০ ৯ বা নোংথৌ শামু কৌবা ৪ না পুবা মতমদা শাখোক্রবা মশকপু কুমজা ১৫ বু থৌপুরেল ওইনা নোংদম্বিও ॥ মাশং মরুপী তেংবাং থোশনবীনা ওম ঐং হ্রীং শ্রীং ক্লীং কশাখৌরানা তেংবাংনবিও ॥
১। কুমজা ২ থাজাশেল ১ না থুংভাই থাইদনা থুবি খোহৌবিও ॥
২। মথংদা মকাপ্না কুমজা ১ থাজা ১ কোরৌ ১০ নিবু অবা অনং নোংদম্না তেংবাংঙ্ ॥
৩। মাশং মরুনা কুমজা ২ থাজা ৪ কোরৌ ১০ ॥
৪। মশেং মরুনা কুমজা ১ থাজা ৪ কোরৌ ২০ ॥
৫। হুয়েং মরুনা কুমজা ২ থাজা ৭ কোরৌ ২০ ॥
৬। হুনিনা কুমজা ১ থাজা ৮
৭। হুংশিং মরুনা কুমজা ২ থাজা ১১
৮। মরোংনা থাজা শেল ১০
তেংবাংডো নোংদমখিববু তমজনা নোইবনি —মানি মানি ॥
৩নং ওম হুং শ্রীং মকাপ মরু আং লাংমেল শিদবনা ১০ শুবা থবাইপিচা শামু পিচা০ ১১শুবা উকোংচু০ ১২শুবা মাংকাশক্লা (৩) না পুবা হুমিংকী মথুংদা শাখোক্রুক্পা

মশকশিঙ্গী অৱা অনা সুংঙাই য়াইফা নোংদম্না কুমজা ৮গী থৌপুরেল ওইনা সুবিও ।। শিনথোং তেংবাংবীনা হ্রীং ক্লীং অকোকশা লাইলৈমনা থৌশিনৱিরো নোংদমখিববু নোইবনি—মানি মানি ।।

১। থাজা ৭ কোরো ৩ কোলুপ ২০ না অকি তুজুংহন্দুনা ওম্না তৈন হনবা য়াখনবু থৌপুহল্লু ।।
২। মথংদা অসিংনা কুমজা ১ থাজা ৩ কোরো ৩ কোলুপ ২০ ।।
৩। মথংদা মশেংনা „ থাজা ৮ „ ২৬ নাহুম ৪০ ।।
৪।। „ হয়েংনা „ ১ থাজা ৪ কোরো ২৬ ।। ৪০ ।।
৫। হুনিনা কুমজা × থাজা ১০ কোরো ২০ ।।
৬। হংশিংনা কুমজা ১ থাজা ৬ কোরো ২০ ।।
৭। মরোংনা কুমজা × থাজা ৫ কোরো ২০ ।।
৮। মশিংনা কুমজা ১ থাজা ১ কোরো ১০ ।।

৪ নং হুক্কিশীনা ওম ঐং ঐীং শ্রীং অশিং মক তোংকুপলেল নেংতংলে ... নোংকুপ.লন্দী মশক ওইবনা থরাই শিচা ১৩ শুবা সুবাং শক্না। ১৪ শুবা নাপা শক্না ১৫ শুবা ওকপুরোই। ১৬ শুবা তাওহুইরেং মার অসিনা পুবা সুমিত্তা শাখোকপা মশকপু কুমজা ১৭ কী মথুংদা থৌয়েম্না পূবিও ।। শিন্থো, তেংবাংবিগদবনা লাইলৈমা হো সো রৈ হসকলবিং হসরো লাইরেল্লা নাওয়োম্বী মৌবুবী হিপোকপীনা ওইবিরো নোংদমখিববু নিংশিংনা নোইবনি-মানি মানি ।

১বা অশিংনা কুমজা ২ থাজা ৮ কোরো ৩ কোলুপ ২বু অফা সুংঙাইনা তম্বীও ।।
২বা মশেংনা কুমজা ১ থাজা ৬ কোরো ২৬ নাহুম ৪০ ।।
৩বা হয়েংনা কুমজা ২ থাজা ১১ কোরো ২৬ নাহুম ৪০ ।।
৪বা হুনিনা „ ১ „ ১০ „ ২০

৫বা হ শিংনা কুমজা ৩ থাজা ৩ কোরৌ ২০
৬বা মরোংনা ,, × ,, ১০ ,, ১০
৭ মশিংনা ,, ২ ,, ৪ ,, ১০
৮ মকাপনা ,, ১ ,, ৩ ,, ৩ কোলুপ ২০

৫ নং পরম অমা অমুক হোংনা নোইরকলেদো — হায়বিও ২।।

ওম ঐঁ হ্রীং শ্রীং মশেং লাইবুংথৌ আহুইবা ঐং চিংঙু তোংচেংকোল শংনুংহিং নোংদংলেলগা মশক্কা থগাইপিচা ১৭শুবা তোংচেংগুবা, ১৮শুবা নবাই, ১৯ থাপাতোন (৩) শিনা পুবা হুমিত্তা শাথোকপা মশকাশংবু অনা অনং অফা মুংঙাইববু কুমজা ১০ নোংদম্বীরো ।। থোরম পুন্দগী তেংবাংবনা লাইলৈম্মা কুং ক্রুং ক্রীং হুং হুং হ্রীং হ্রৌং কশারী ওংয়াইম্মা ইমানা তেংবাংবিরো হায়নাখববু নিংশিংনা নোইবনি—মানি মানি ।। ×

মশেংনা কুমজা — থাজা ১১ কোরৌ ৩ কোলুপ ২০ বু লন থুম্বু মাংহনবা য়েক্রবনা পুহুম চনখিবা মথল নবা পীরো ।। ×
মথংদা হয়েংনা কুমজা ১ থাজা ৯ কোরৌ ৩ কোলুপ ২০
মথংদা হুনিনা কুমজা ১ থাজা ১ কোরৌ ১০
মথংদা হংশিংনা ,, ১ ,, ১১ ,, ১০
মথংদা মরোংনা ,, × ,, ৬ ,, ১০
মথংদা মশিংনা ,, ১ ,, ৪ ,, ২০
মথংদা মকাপনা ,, × ,, ৮ ,, ২৬ নাহুম ৪০
মথংদা আসিংনা ,, ১ ,, ৬ ,, ২৬ ,, ৪০

৬ নং ওম হ্রীং ক্লাং হুং হয়েং লাইবুংথৌ হ্রীং শং তরেং শক্তিক্কা কুমজা ১৯ থরাইপিচা ২০ শুবা নোংথৌ মাম্, ২১ শুবা হারেময়ে, ২২ শুবা কোক্লৌনা পুবা হুমিত্তা শাথোক্লকপা মশকপু আরা অনং মাইফা নোংবমা কুমজা ১৯ থৌপুরো ।। শিম্বা শিংথোং তেংবাংবাবনা ওম হ্রীং ম্লাং হুং কটনা নাওয়াম্বী হিরৈম্বা মোংশাংঙবানা নোংদম্বা হায়খিবা নিংশিংনা নোইবনে— মানি মানি ।। ×

হুয়েংনা কুমজা ৩ থাজা ৪ কোরৌ ১ কোলুপ ২০ মিপোই মীহেনবৰু নোংদম্মা থোপ্পরো ।।

হুনিনা কুমজা ২ থাজা ১ কোরৌ ১০
হংশিংনা ,, ৩ ,, ৮ ,, ১০
মরোংনা ,, ১ ,, ০ ,, ১০
মাশংনা ,, ২ ,, ৭ ,, ২০
মকাপ্পা ,, ১ ,, ৪ ,, ২৬ কোঃ নাহুম ৪০
মসিংনা ,, ,, ,, ১১ ,, ২৬ ,, — ,, ৪০
মশেংনা ,, ১ ,, ৯ ,, ৩ ,, ২০ " ০

৭ নং ওম ঐং হ্রীং লাইখুংধৌ হুনিনা লুচিংজুনা কুমজা ১২ বু থোপ্পুনা থরাহপিচা ২৩ শুবা থাবি লিত্তেং ২৪ শুবা শিল্লিলিরেং ২৫ মারা খুরো (৩) শিনা পুবা লুমিত্তা শাথোকপা মশকশিংবু আবা আনা নুংঙাইবা য়াইফংবু কুমজা থাজ বু নোংদম্মা থোপুরো ।। মিন্থেং তেংবাংবন। শ্রীং ক্লীং হ্রীং ঐং লাইলৈমা চিংচেন্নাইবীনা তেংবাংদো শিন্থাখববু নিংশিংনা নোইবান— মানি মানি ।

হুনিনা কুমজা ১ থাজা ৪ বু অবা অনাবু মাংওইননা লাইথুং লাইনাবু ফংহল্লু ।।

হংশিংনা কুমজা ২ থাজা ৪ কোরৌ ০ নাহুম
মরোংনা কুমজা ০ ,, ৮ ,, ০ ,,
মশিংনা ,, ১ ,, ৮ ,, ০ ,,
মকাপ্পা ,, ০ ,, ১০ ,, ০ ,,
অসিংনা ,, ১ ,, ১০ কোরৌ ২০ ,,
মশেংনা ,, ১ ,, ১ ,, ১ ,,
মরেংনা ,, ২ ,, ১ ,, ১

৮ নং ওম হ্রীং শ্রীং হংশিং ঐং ফিংঙ, শংথাকুপ কৌবনা থবাইপিচা ২৬ শুবা শাকোংশারৈ, ২৭ শুবা থরোই থাপা ১ বা খোংচোংখুবী ২বা আপকমানা পুবা লুমিং ৪ শিদা শাথোকপা

মশকশিবু কুমজা ২১ বু আরা অনং লুংওাই য়াইফংবা নোংদম্মা থৌপুবো ॥ শিহাংবু তেংবাংবনা হুং হৌং হৌং চিংবা লৈমনা থৌশিনবিবো নোংদমখিববু নিংশিংনা নোইবনি —মানি মানি।

হংশিংনা কুমজা	৪ থাংনা	১ কোরো	কোশুপ	নোংছুম
মরোংনা	,,	১	,, ২	,,	০
মশিংনা	,,	২	,, ১১		০
মকাপ্পা	,,	১	,, ৬	,,	২০
অসিংনা	,,	৩	,, ৩	,,	২০
মশেংনা	,,	১	,, ১১	,,	১০
হয়েংনা	,,	৩	,, ৮	,,	১০
হুনিনা	,,	২	,, ৪	,,	০

(নারোনা রাহোম্বা লাইবুংথো ৯ শুনবা নোংদম্মা)

লাইনিংথোই লাইলৈমা মতাইশা—হায়বিও ॥ লাইবুংথৌ নারোগী রাহোমনগী মকুনা থৌশিনহিববু নিংশিংলক্লে পাওগাগেদো—হায়বিও হায়বও ॥

নারো লাইবুংথৌনা মতমদি তয়ীবে মথৌদি তাকপীবে তাকপারো হায়দো — হায় হায় ॥

— থানগী হকচাং তখাগ ওইবহুনা হুনিনা থৌপুবদা য়াওগে হায়গবরা হায়বগী হায়দবান. অহবু নংনা খাইবিবু হায়রবনিনা থায়রগে—খায়বিও খায়বিও ॥

খোংলম অমা য়াংলগে ৩.ইবঙ্গী অমা অনংবু নোংদম্মরা থরাইপিচা খোংলমদা পরম অমা য়াংথদো— য়াংশিও য়াংশিও ॥×

(লাইবুংথো ৯গী পরম)

চিংথু লাইবুংথৌ ৮বক নারো লাইবুংথৌগা নথোয় ৯ না কুমজা খোংলম অমও আরা আনংবু নোংদম্মা তেংবাংসে হায়বিব বু নিংশিংবনে—হায়বিও হায়বিও ॥

১। থবাইপিচা ৩ শুবা শ'পচুংতেল্‌হৈবা ১২ শুবা মো ক-শাক্লা। ২১ শুবা হাইরেময়ে (৩) ন্যা পুগা নুখিল্লা শাথোকপা মশকপু মরোংনা কুমজা ৬ পু থৌপুরেল ওইনা নোংদমলো—

মরোংনা কুমজা থাজা ৪ কোলুপ নাছুম
মশিংনা " " ১০
মকাপ্পা " " ৫ " ১০ কোলুপ ১১ নোংছুম
অসংনা " " ১১ " ১০
মশেংনা " " ৬ " ১৩
হয়েংনা " ১ " " ২০
হুনিনা " " ৮ "
হংশিংনা ' ১ " ২

২ নং থবাইপিচা ৪ শুবা লিক্লা পিচা ১৩ শুবা লুবাংশক্লা ২২ শুবা কোরৌহু শাফবিগী কোরৌদগী মশিং মরুনা কুমজা ১০ মোংদমৌ হায়খিদো—হায় ॥×

৩ নং থবাইপিচা ৫ শুবা চিংচে্‌াইবী ১৪ শুবা নাপাশাক্লা ২৩ শুবা খাবিলিতেং (৩) শিনা পুবদা মকাপ মরুনা কুমজা ৭ নোংদম্মো হাযখিদো—হায হায় ॥×

৪ নং থবাইপিচা ৬ চুংশেম্লুবী ১৫ শুবা ওবপুবোই ২৪ শিক্লিলিবল (৩) শিনা ল।ইবুংথৈ হুনিনা কুমজা ৮ থৌপুরো হাযখিদো—হায় হায় ॥

৫ নং থবাইপিচা ৭ শুবা নোংথৌনাক্লা, ১৬ শুবা তাওহুইরেং ২৫ বারাথুবো (৩) শিনা হবেং মরুনা কুমজা ১৬ পুরো হায়খিদো—হায় হায় ॥

৬ নং থবাইপিচা ৮ শুবা নোংথৌহুবেং, ১৭ শুবা তোংচেং-মুবী। ২৬ শুবা শাফোংশবৈ (৩) শিনা মশেং মরুনা কুমজা ১৯ পুবো হাযখিদো - হায় হায় ॥

৭ নং থরাইপিচা ৯ শুবা নোংথৌশামু, ১৮ শুবা থরাই, ২৭ শুবা থরোইথপা (৩) শিনা অসিং মরুনা কুমজা ১৭ পুরো হায়খিদো—হায় হায় ॥

৮ নং থরাইপিচা ১০ শুবা শমুপিচা ১৯ শুবা থাপাতোল, ১বা খোংচোমুবী (৩) শিনা নারোনা কুমজা ৭ পুরো হায়খিদো—হয় হায় ॥×

৯ নং থরাইপিচা ১১ শুবা উকোংহু ২০ শুবা নোংথৌমাত্নু ২ শুবা আপকনা (৩) শিনা হংশিং মরুনা কুমজা ১০ বু থৌপুবেল ওইরো হায়খিদো—হায় হায় ॥×

অহুগা নারোগীদি খোংলম য়াংখিদবনা কুমজা ১০৮ বু শুনবা হুনিগী তুংইনা থৌপুরো হায়খিদো হায় হায় । ×

লাইমিংথোই লাইলৈমা মওাইশা হায়বিও হায়বিও ॥

হৌজিক্কি মরু ২ না নোংলোন থাা লোইবগে থদুনা চুতি লৈচু ৯ শাখোকপা তুবি লৈবোং শাবরু ওোনা নোংলোনগী মাহকৈ চিরা ৪ বু কোয়না মিংয়েং তারক্কে উজরে উজরে ॥

মরুনা থাবা তুবিবু তোংনা নোংলোন্দা লৈকম ৬ পু শিয়া থাজা ১১ বু ফম্বাম্না য়েংডিদো—য়েংডি য়েংডি ॥

থাজা ১২ বু চংলকপা থাজলেং লমতাগী নোংমা পানবদা লৈফমদা হল্লকনা চিংগু পুরদা পাওশাইদো—পাওশাবিও ২ ।

চিংগু পুম্বা লৈফম আসদা নোংলোনবু ডাক্কনা লৈতৌরো ঐদি মালেমদা কুমহুনা ইমাগী তুম্পাক থক্তা ইভাল লৈশানবা থৌপুরগে হায়দো—হায়বিও হায়বিও ॥

চিংগু পুথনা নোংলোনবু থাদোক্কনা চংশিগনু হায়জৈদো—হায়হনবিও হায়হনবিও ॥

মরুনা হায়এ, মখোয় খ্বাইনা লৈবিবা শঙ্গাই পুন্সিবা কাইরেলকম আসদগী ইবাওানিদি লেংদনা লৈপনি নপুম্বী থৌদাম্বীদমক

মালেমদা কৎহতনি নখোয়না ঐবানিবু থাদোকমী "
নোংদম্মিদো—নোংদম্মি নোংদম্মি ।।

মকশী নোংদম্বু থোয়াজগনি কোয়ৌ থরদংদি খোথনবু
মকম অসিদা কংজনবা পীনৌও নিখিদো—নিখি ২।।

চিংঙু পূথা অসি কোয়ৌ ১৪ নি চুপ্পা নোংথোঁদা হরাও
ভমান্না লৈমিন্নশি ১৫ নি পানবদদি মালেম লৈয়াইলেম্মা কুমদবা
মাদে পাওশানহুনা মরু ২ বু শাকোইনা অথৈ খোংফালংনা
থোইনা মান্না হরাওনা লৈরেদো—লৈরে লৈরে ।।

থোরমহবু মরু ২ না নিংশিংনা নোইবনি–মানি ২।।×

থাজা ১৪ নি পানবা ফাওবা নোংলেম্মা হরাওনা লৈমিন্নরে
১৫ নি পানবদা মালেমদা কুমলগে হায়রেদো—হায়রে ২।।×

মরু ২ না কুম্বদা থাবা তাওরোইলাই তরং লৈমা লৈতোনশিবু
খুদা ওইনা থোরাংলকপা উবদা শেমগৎপা ৬ শাগৎপী ৩৮
শাকাইনা মরু ২ বু থোথল্লে—থোথল্লে ২।।

থোরম্বু উবদা থাবা তাওরোইলাইনা মশাবু লিয়ৌ খোই-
য়ৌনা পাকথোক চাওথোক্লে—চাওথোক্লে ২।।

থাবানা চাওথোরক্লবদা শেমগৎপা শাগৎপী পুম্বত কাথকনা
মরুবু শাকোইনা 'ও গ্রুই শাচোংবা' কৌনা খোথল্লেদো—
খোথল্লে ২।।×

ঐখোয়শু পাওশানখিববু য়ায়া তৌনা তুং ইনশে—ইনশে ২।।

পাওশা

হৌ হে হয়ম হোয়াহে
উয়িতেবা উয়িতে
মিকিহিং মিকিহিং
চিংতেতে চিংতেতে নপম্ব ওবা ।।
শিরিং কিরিং কেতুরেং
অঙো শিরিং করিং
নোংতরেল নোংতাকাংবিক লিকপুন্ন ওবা ।
কিরিং শিরিং নোংতাকাংবিক
মুংপিরেল পুরিং হরি ওবা ।।

উয়িতে মুংতারেংবি শংথুপ।
উয়িতেবা উয়িতে তেম্ন নতেম্ন
চিংতেতে নতেপু ওয়া ।।
শেল তরেং তনৌবা
শেল তরেং তনৌবী
শংথুপলেল মুংতরংবী ওয়া ।।

মরু ২গী মঙাইরোইপুবা নোংলোনবু ইঙাল লৈশাবা লোইরহুনা লাইবুংথৌ ময়ায়া থোখয়া মরু ২ বু মালেম লৈরাইলেন্দা লেংদো—থুংলে ২।।

হৌজিক্ত নোংদমগী পাওতাকি মথুংইয়া মরু ২ বু পাচু লোইয়িন শামরগে নিংলে, চোং ২ গা হুমাই ২ গা চিরা ৪ দা মুংহুনা ফিচং থকথল্লশি—থল্লশি ।।

পাচু লোইয়িন শামবা লোইরহুনা মরু ২ বু লাইশঙ শঙলেন্দা চংথ্রেদো ঐখোয়গী পাচু শামরগা লোইর্যশকো—লোইশে ২।।

মকুগী মণ্ডাইরোই পুম্নমক খাবানা মকুবু কোঙ্গিন্না শুদা ওইখিবগী পাকনবু তমজনা কোইশে—কোইশো ২।।

লাইবুংথৌ শাইরোং৹ লিরুং৹ টা, থাং৹ চোং৹ হুমাই পায়বনা মাং থানা লেংলে ।। লাইলৈবনা ওইথংনা পরেং থাবাংনা লেপ্লে ।। ২ মকী মাংদা খোইরিকাবগা শনিক লাইনৌ তাবীগনা মাং চৌংলে ।। যথোং লিক্লমদগী হৌনা পাচু পাওশা হৌরে ।।

লাইমিংথোই লাইলৈমা৹ মকু ২ গী মণ্ডাইরোই হৌজিকি নঙী ২ নপা নপা কেংনা চ৲নশে—চ৲নরে ২।। ×

অচুদি ওইগী লারৈনা য়েত্তা৹ য়েংকি লারৈনা ওইদা য়া য়া তৌনা ওনশিকো—ওঙ্গরে ২।। (চিন্না (৪) মক পাচ৲নগনি)

মকু ২ গী মণ্ডাইরোই পুবা মখোয় ঐখোয় পাচ৲ তয়ায়রশে চাদা নাওদাবশ৲ তানকংদে রাখন মৈহৌনবনে পাইয়া খোয়দানরান্নসিকো—খোয়দাদে ২ ।।

লাইরেম্বী পরেংবু লাইনৌতাবীনা চিংনা লাইবুংবু য়েংথরনা কোয়রে ।। লাইবুংথো মথৈনা খোইরিকাবনা চিংনা লাইবুংবু ওইথয়া লুচিংনা কোয়রে ।। শাকোই ১রক ওরকপদা লাইবুংদা ২ মক চংমিন্নচুনা শণ্ডলেন্দা কারগা পোৎলোই শমপোৎ লোথোকরে ।। মচুংদা রাকোক্লোনবু পাওশা লংজা অয়োলবু তাকপীযু নিজরে ।।

রাকোক্লোন রাকোক্লোন রাকোক্লোন্না
খোইবা য়ান্না চাওবনা
নিংশিং থৌখন লাংজবা
লৈরাং লৈশন্নাখিবা
লংজা অয়োল য়াওববু
কুাব লৈহাপ লৈমেন্না
মেৎয়েঙ্গী কুবৈ ওইবিও
লংজা ইরাল কুবিও কুবিও ।।×

(৩ নং চুমনি চনবা থাঙ্গা ৫ নি পানবগী থৌরম)
হয়েং=শগোলশেল ন্থাবংকি থৌগল)

১ বা— অশৈবা মোইরেংচান্থনা মকোক মঙ ইক মাইঙা হুকশেংলগা মখুংমু পেনা পায়হুনা লাইশঙ মাঙদা ফৈদি কাইরেন থানা নোংদম্বু য়াকৈ থৌখল্লে ॥ খোঙহরিফাবনা চংলক্নুনা লাইশঙ থোঙ হাংঙরে ॥ হৈরোং লৈমাগা শনিক লাইনৌ তাবীগনা মুদেংগী ঈবাল্লক্নুনা ঈশাইফু ২ বু শঙদুংদা থমলরে ॥ চিংউ থোঙনাং থাবা চিংখৈ মরুম্থ খোঙ্গা চংলক্লে । ঈবাম্লকপা ফুরেল ১ না লাইফু ২ দা অত্তুগা ১ না কারকপা চিংউ পুম্বব ইচাইমবা থমলে ॥ খিক পেং ফু অমনা হৈয়াং লৈরাংলবা পুম্বগী লাইহেনবা থমলে ॥ ইরান ফুরেন অমনা খোইরক্লবনা নোংদম্বগী হুকশেংনবা পুশিল্লক্নুনা চিংউ থোংনাং থাবা=মাহবাদা লানশিন্দুনা ইক মাহতানা থাশেংলে ॥ ×

থৌরম অসি মুখিং খুদিঙ্গী তৌগদবনি)

(মরু ২ গী থৌখল নোংমা নোংমগী থোপুবা)

থৌরম অসি অয়ুক খুদিঙ্গী থৌপুগনি, থোপুবা, থৌপুবা, ফিখোন মচু হোংবতনি। অতিয়া মরুগী হয়েং থ্রামংকী থৌখল লেচনুনা—ককোই মপালগী ফিরোম্না খাংশেং, কৈচোল, কোনখাং ফুরেং শাককপা, শগাই নমশা কোকয়েং, খুংশি, নাশি, খোংতোপ খোংশি পামবোম য়াহারফা, ফিয়াই নমথাং ফিবান য়াইরি চনবনা খাংয়েংনারবা মুহানা মাগী শিংলোই ১৪ গা লোইনহুনা থৌখল চংলে ॥

লৈশিরেনগী থৌখল্লা—মম্থোংদা লৈবী কুময়িন পোংলোই ককোই মপালগী লৈচনুনা খাংশেংলবী কোনখাং শাককপা লিং, অঙাংবা ফিয়াই নমথাং থৌওন্না, খাং ফিবান্দা য়াইরি চনবনা

লাইখন কা, নুরেল লৈচাও হাপ, উরিশে থৌবোম থংজিবী (ওম হ্রীং ক্লীং হুং হ্রীং) থিংবা লোইথোক্নীনা মাগী লোইনবী (উম্ম লৈমাগা, শক্তিবীগা) লোইননা থোখল চংলে ॥ লোইনবী (২)বু চংহন্দুনা হুংথিনগী থৌরম্বু অভিয়াদা রাকত্তনা থংহল্লে ॥

(নুমিৎ খুদিঙ্গী কাইফ হোংফদবা লাইরকচন)

শনিক লাইনৌ ভাবীনা চিংথৈ ওনবা লাতোন ১ দা উহংলৈ পোমশাৎনবা ৮ বু য়োমহুনা নোংদমদা লাংনবা উয়োই পানগা, উরেংবগা ২ গী অতকপা মহিবু চাইত্তুনা থমলে ॥

হৈরোং লৈমানা লাশেৎ (৩) বু উপ্পা লোল্লগা মাংলোমদা লংথারৈ লৈপোপ (১৪)বু লৈয়োম অমা পুল্লে ॥ অরোংবা লাশেৎ (৩) দা লংথারৈ লৈপোপ (৭)কা য়োমহুনা থমলে ॥

খোঙ্গীরিকাবনা নাহৈফু (২) দা উহংলৈ মনা অমমম থাদরগা নাহৈফুগী মপানা য়েংকি খুত্তোন (খুৎনিংথৌ, খুৎমাই) না থম্মগা ঈহৌবোলবু পাওশানা কৌরল্লে ॥

(ঈকৌরোল)

হয়ন ওম লৈরংলেল লৈতকপী ওম লৈপুলেল ঙান্থরেং, হুং ইহিংসং ইপুংথোক ইয়াবি, মিরিহিং লৈয়োম্বী থিকশেং ফুরেন-মু শিদা ঈহৌবোল ৯ বু হৌফরো ওয়া ॥ উং চিরি, উংচিখোম উংচিবাক, উংচিরিং, উংচিতক, উংচিসো, উংচিলা, উংচিথা, উংচিথুম ॥ × নোংপোক চিঙ্গোন পাওরল ঈ, কুমশং-ঈশেংঈ, ফিশু ঈশেংঈ, তুবি ঈশেং ঈথৈখোংঈ তাওবি ঈশেংঈ, চরোং-নারোং ঈশেংঈ, পুমশাই ঈশেংঈ, নোংদম ঈশেংঈ, হুংগেং ইথিন ঈশেংঈ, ঈথিন ঈশেং ৯ বু হৌফররো ওয়া । ×

লৈ, তিংথৌবু ঈকুদা লাংলে ॥ (নাপিনে শিংপিনে, তাইরেন্নে পুংকাইনে) ঈচুদা লুপ্তুনা হৈর লৈরাংশব পুম্বু

থাশেংগে ।।— উংহৈ উংহৈ উংহৈ ॥ হাউং হাউং হাউং হাউং ।। হায়েং হায়েং হায়েং —নাহাইরোন্দী মথক্তা ইথে অসিদনশা নোংদম্বগীদনি শিজিন্নগা কাম্বদে ॥ অনম অথৌ লোইরগা ঈফুদা উহংনা ১০ নাপিগা শিংবিগা হ্রাতনা খোইরিকাবনা থোংনাংথাবা চিংথৈ মকদা লৈয়োম (৩)গা লানশিন্নে ! শলাইলেল ইখেলেল লাইলৈমা—লৈসিলেল লৈপুবী—অনিশ, য়েংকা ওইগা ফম্বান্না মপুগী থৌখনবু চংলক্রে ।। চিথৈ মকনা মরু (৩)বু খিকপংলগা উহং পোমশাংনবা (৮) বু য়োম্বা লৈয়োম্বু পায়তুনা নোংদম্বগী খুয়াথাদা (নমু লৈবু) লাংলে ।। (উং লৈহিংবা লৈকা ওমএ. কং নোংলুম) উংলোম্বাইবিরেল ওবা ।। লাংথালৈগী লৈয়োম (২) বু অমুক পায়তুনা ওম হ্রীং হ্রীং হ্রীং শ্রীং শ্রীং শলাইলেল অমম্বা ইখেলেল লাইলৈমা ওবা ॥ পাংশনা লৈপোপ ১৪ না অতিয়াদা। লৈপোপ ৭ না লৈশিলেল লৈপুনবীদা (ওম সনা খম লেখাং, ওম্না মুহেম নোংম্না মনিক খোম্বী) পাওশানা মরু) গী নমডা লৈবু লাংলে ।। খুবিগী মতোলগা খুদোংগী মতোলগা (৩) লক কাপ্পুনা হৈ-লৈ লুকমাংদা থাবা পুম্বা নোংদম্বদা কংল ।। লোইশিন ।। ×

অতিয়া পাওজেল্লে—চিংউ খোইয়ুম পুম্বু তারো ওসি নোংদম্বগী থৌখন থোপুবদি চিংউ ২ গা শাগংপা ৬, শাগংপী ৩৬ কা লোইননা মালেম খোংদাদা লৈরম্বগী হৌনা থৌখমগানা হায়না তেংবানবগী ইমানা বাহোমলক্কেদো অতুবু চিংউ.. ংনা কমদোৌবা? মরু ঐ ভায়ম্ব মরু ২গী ভুংইন থৌখন কংজগে ।। থৌরম্বু কাওদনবা মোইরেংচাম্বনা হৌত্রবা থৌরম্বু মথংলেংনা শৈশক্তনা চিংউ খোইয়ুম পুম্বু তাহনবিনদো ।। শনিক লাইনোংতাবীনা পাওশা শিন্তাক্লা অনোইলোনবু তেংবাংনা থংহনবিগনি নোংদমা অয়ুকী থৌরম্বু লোইরে ।। ×

(নুংথিলগী খোঁরম পরেং)

নোংদম্বগী পোৎলোই পুগদবী ককোই মপান মচুগী কুমহিন পোৎলোই শেৎপী৷ থ্বাংলি কিবান্দা য়াইহরি কানো থানা লাইখনকা৷ কোনথাং ফুরিং শাককপা লিং, ফিয়াই নমথাং খোঁশুন্না দুরেল লৈচাও য়াংগেন মপানবু কোকথেৎপী খুজি নাসি লৈতেংবী লাইলৈমা ৮ কারক্লে ৷৷ ফিডৌনা লৈতেংবা লাইবুংথৌ (১২)শু কারক্ত্‌না ত্তিল্লরে ৷৷ খোইরিফাহনা চিংউ খোইহুম বাংলৌবা পুম্বমু কারক্লো লিরোন পাওশানা ইবাংথেন পুংমিন্নবনা তানরৈনা লাইপাখংসিংনা শৈশথুয়া চিরা মরিবু কোয়না হোই লাওনা কৌরক্লে ৷

(যঙ্গোংনগী হোনা মুমিং খুদিঙ্গী হোইলাওবা পরম)

১। হোহে৷ হোহোই হাহাহা৷ হেরিলে হেলিলা হো হে,লিলা ৷৷ চিংউবা হয়ম শোলডৈদা লৈহৌরাবু নিংশিংবা ৷৷ অনোই শাদম থোঁখন্না ৷৷ নোংদম্বগীদমক্তা মিৎয়েং কুমৈ থোঁথনবা চয়িচঙ্গী ইতমদা ৷৷ খোইমা য়াম্না হরাওনা ৷৷ মৈনা বাইনা তাংশন্না ৷৷ খোইমা য়াম্না ফংলরে৷ ফংলরে-ফংলরে ৷৷ হোই হোই হরাওবা৷ খোইমা য়াম্না হরাওবা৷ হায়ুতে হোয়াতে হোয়াহে হোয়াহে ৷৷ হোই হোই হা হা হা৷ হায়ুতে হোয়াতে৷ হোয়াতে ও-হোয়াহে। অঙ্গোয়ে অঙ্গোয়ে ও অঙ্গোয়ে ৷৷ হাউং হুং হাউং হুং হয়িচংহো হয়িচংহো৷ হে হোহেএ হয়ানগেদা হো ৷৷ চিংয়াদা পানবা অমুলবা হৈ, শেমজবনা চানবা হৈ সে৷ সে চাজয়ো শায়ানরশে ৷৷ হো হে হো হো হে হো হয়ম হোয়াহো ৷৷×

২ নং (লৈলাংবা কুমিং খুদিঙ্গী তৌগদবা)

২ ৷৷ থোংনাং থাবা চিংথৈ মকুনা মমতা লৈ লৈপোপ ৭ য়োখবু কাইহনা শনিক লাইনৌতাবীদা লাইলৈমা ৭ তা ইমাগী লৈমনবু লাংনবা শিন্নরে ৷৷

লৈপোপ ১৪ গী লৈয়োম্বু লৈপোপ (৫) থাইহৌরগা লৈপোপ ৯বু খোইরিকাবদা লাইবুংথৌ অদা মরুপী লৈমনবু লাংনবা সিময়ে ॥

নোংদম্বগী খুরাখাদা লাংলিবা উহঙ্গী লৈয়োম্বু লৈপোপ ১না খুয়াদা থাকলমলে ॥ লৈপোপ ২ গা লংথৈ, লৈপোপ ২ গনা অতিয়াদা লাংলে ॥ উহং ২গা লংথৈ ২ গনা লৈশিয়েঙ্গা লাংলে উহং ১গা লাংথৈ, ১ গনা ইয়াল লৈমদা লাংলে ॥ উহং ২ বু য়োমহুনা খোইরিকাবদা সিময়ে ॥×

অচোইবা লৈনা ঃ— লৈকংলরিবা পুম্ববু কাইদুনা পোলাং ১ দা হাপ্লগা কম্বী ১/১ মমদা মেক্রুক মৈথু লাং, মৈশেং মৈরা থান, উরেংবাগ উরোইপানগগী মহিবু য়াওনা (চেংচা- মিংথোইবগা, হৈয়োং লেমগদা) শিময়হনা লৈকা লৈকমলিবা পুম্বদা লাংলে ॥

(লাইবুংথৌ ৯ লাইয়েমবী ৭ ডা লাংবা)

খোইরিকাবনা খু-লৈগা কুন্দুনা খুংশা ১০ না চাইরেন পুখমদা হাপ্লবা লৈপোপ, মৈরা মেক্রুক মৈথু লৈনাং পাশেন অতকপা মহিগা লোইননা হাপ্লিবদগী উহং ১ গা লংথৈ ১ গা

১। মখোংদা ফম্নিবা স্নীং মহি শনালেলদা নোংদম্বগী লৈমনবু ওম হো হিক য়ো হিক সো হিক শনা ডাং তরুংবা মো কৌবা ওরা ॥ পাওশানা লাংলে ॥

২। পাখংবদা উহং ১ গা লাংথৈ ১গা ওম লৈ নোংথাং তরেংবা চাক্তেং কৌবা ওরা ॥ লাঙ্গনি ॥

৩। ওম কুরুমলেল কিংনাইবদা লাংথৈ ১গা অচোইবা থরগা লৈরুংবদা লাঙ্গনি ॥

৪। ওম শাকুরি হঞ্জবদা লংথৈ ১ গা অচোইবা থরগা ইরাংথেন পুংমিমবদা লাংগান ॥

৫। ওম কোরিং অসে হঞ্জবা মোইরেংচাবদা লংথৈ ১গা অচাইবা থরগা লাঙ্গান ॥

৬। ওম মিরেল খুংখোংবা খু খু অচি দা লংথৈ, ১গা অচোইবা খরগা লাঙ্গনি ।।

৭। ওম শ্রীং রাং খোইরৌ লিংখৎপা খোংজারেন্দা লংথৈ ১গা অচোইবা খরগা লাঙ্গনি ।।

৮। ওম শ্রীং হ্রীং ক্রুং নোংদম থৌসিলবা কৌক্র অশিবদা লংথৈ ১ গা অচোইবা খরগা লাঙ্গনি ।।

৯। ওম ব্রাং ত্রবং লৈম্না লৈতোনসি পাখংবা থাবা তাওরাইলাই লৈনুং নোঙ্গ অবিবদা লংথৈ ১ গা অচোইবা খরগা লাঙ্গনি ।।

লাইরৌ ৭ ডা লাংবা : শনিক লাইনৌতাবীনা লংথৈ লৈপোপ ৭ কা অচোইবা লৈরাং খরা।। খুউ (২) খু লৈতাবা মৈশেং মৈরা থাম্না চাইরেন পুখমদা হাপ্তনা লাইরেম্বী ৭ ডা লাংলে ।।

১। ওম ঐ হ্রীং লাইলৈমা চিংচেংইবীদা লংথৈ ১ গা অচোইবা খরগা লাংলে ।।

২। ওম হ্রীং ঐং লাইলৈমা চিংবা লৈমাদা লাংথৈ ১গা অচোইবা খরগা লাংলে ।।

৩। শ্রীং লাইরেক্লা নাওয়োম ওইবা ওম ঐং হ্রীং শ্রীং ক্লীং হো সো ম্না পুগা শাথোকপী অরাই কংদবীদা লৈপোপ লংথৈ ১গা অচোইবা খরগা লাংলে ।

৪। ঐং লাইরেক্লা নাওয়োম ওইবী ওম হ্রীং হোসো খুম্নোং জানবী ঐং হ্রী শ্রীং হু হো সো পুরারিবু মাবা ইথোল শাকেংবীদা লংথৈ ১ গা অচোইবা খরগা লাংলে ।।

৫। ওম তেংবানাগী খরাই হাপ্পীরিবী ওম ঐং শ্রী ক্রুং— ওম ঐং শ্রীং ক্লীং ফোওইবীদা লংথৈ ১গা অচোইবা খরগা লাংলে ।।

৬। ওম ইরৈনা হাহংসং ইপুৎথাক ইমাবী মিরিহিং লৈরোবী কোরৌ মালেম সিম্না কাইরেম্নবীদা লংথৈ ১ গা অচোইবা খরগা লাংলে ।।

৭। ওম নোংপোক লোইরং পানকবী অঙাইবা চমু শাকবী লাংঙানুবী মৈতৈ লৈমলেল ওম পোকপীতু (২) তকুপ তকুপ হাওকুপ হাওকুপ মা খোংনাং লৈমদা লংথৈ ১ গা অচোইবা থরগা লাংলে ॥

নোংপোক্কা কথদা গুপ্রীকী লিকচাও পরেঙ্গা শগোইদাক লৈগা চাইবা থরগা

১। ওম শেল তম্বংবা ওমসুংবা মহারাবা ওরা লাঙ্গনি ॥ ওইথম কস্বাল্লাংবীদা মনা ০/৩ পানবা হৈখাগোক মশাগা ঈশিংশা হহিগা অচোইবা থরগা

২। ওম শংথুপলেল মুংতরংবী সুংমু/তুমদা মাংদবী হুরেল লালওম থৌপুবী০ আউম শোরোৎপী সিলখোম্বী অঙ্গী সংকুপ কৌবী লাইখুলেম্বী ওরা ॥

৩। কৌব্র০ লাইলোংবদা ওম হাই চিংবা হাই ফাঙ্কি ওরা ॥

৪। থাংজিংদা ওম উই ক্রাং চিংথং শ্রোং ওরা ॥

৫। বাংব্রেন্দা ওম হিং ক্রক ফা হিং ক্রক কংবা ওরা ॥

৬। মার্জিং পাথংবদা ওম ক্লিং শংতে হিংতে ওরা ॥

৭। চিংথৈ মরুদা ওম মিরুহিং পুরৈচি ওরা ॥

৮। থঙ্গাং পনশাবদা ওম য়োংপোকপা নুংবু চংপেম শাইগুম্বা ওরা ॥

৩ নং লোইবৌগী পরম থৌপুবা

থৌথন পোংলোই পুগদবা পুমমক মহোংদগী হৌবা লেপকনি থাও পারবা ২ গী মাঙদা লাইনৈমা কুময়িন পোংলোই অঙাংবা শেৎপী (৮) লেপকনি ॥ মমাংদা টা পারবা (১) মাংদা লিরুং পায়বা (২) শাইরোং পায়বা (২) পরেংনা লেপকী ॥

কৌরুদগী হেৌনা চোং খানদ ২ মাংদা উকক পায়বা ২০ ছুমাই পায়বা ২না লুচিংনা মাই মখা ওন্না মরু ২গী থৌখন ঙাইরে। তুংদা মাই মনিং ওন্না লাইবুংথৌনা য়েং লাইবেম্বী নিংথুম খুঃংলি ফাবী মথৈনা ওইথন্না লেংথনা লৈরে॥ লাই-মাংদা শনিক শাইনৌতাবীনা অনোই থৌখন্না। হৈরোং লৈমনা শনিক নিক। অশৈবনা পেনা খোং। তাম হৈবনা পুং য়েইনা অনোই থৌখনবু লাংলগা তুংদা (মরু অনিবু) লেংথোকপিরো রাখন্না লাইবৌ-লাইচিং হনোংনোল লাংলক্লে॥ অশৈবনা (নিং নিং নিং। বি রি বি) য়াবাবু খোংলক্লে। থাং ফানবগী তুংদা লাইমিংথেৌইগা পাখংবগা লেপ্তুনা মরু ২গী থৌখনগদ-বগী লেপলে॥ মপারী ২না থেৎকখিবা উবদা মরু ২ও নোংদম্বগী থৌখনলম্বদগী থেৎরক্তুনা লাইচিদা ঙাইরিবা চোং-খানবা ২না থৌখনবু কংলে॥×

লাইবুং লা থাবা

১। শনিক লাইনৌ তাবীনা নোংপোক চিংথৈ ওনবা লাম্ভোন অমদা মায়োকথা হৈরাং লেবাংবু ফাপ্তুনা লাইবুংগী কারন্দা লাংলে॥

হৈরোং লৈমনা শনিক নিক অশৈবনা পেনা খোংনা মরু ২বু লোয়নরক্তুনা লাইচিগী থোঙাইরিবশিঙ্গা লোয়ননা মখোংদা ঙাইরিবা লাইবুং থৌখনগদবশিঙ্গা শম্নরে॥ শাইরোং পায়বগী মাংদা অশৈবগা শনিক লাইনৌতাবীগা কাখৎলক্তুনা হৈরোং লৈমনা শনিক নিক্না লাইবুংবু ওইথন্না লাইশঙবু য়েৎথন্না শনিক নিক্না ছুংইন্না লাইবুংবু ২রক থুংনা কোইবে॥ ওলক শুবদা লৈহৌকম কৌরু লাইচিদা খামছুনা থমলে॥ হৈরোং লৈমও শনিকপু লাইশঙদা থদনুবগা শনিক লাইনৌতাবী ওইদা লেপ্লে।

অশৈবনু কারনথেন্দা চেলেক্তনা মাইয়োকথা লাইশঙবু মথাংদা থম্না লৈহৌ রাবু নিংশিংগদবগী থাগোল্লক্লে।।

(অশৈবনা হোইরৌ শঙ্ককপা)

অহানবদা— অহা ইহে হোইরৌ হোইরৌ উং উং উং হোইরৌনরগে এএএ। হেয়ম হয়াহে উংলৌ য়াইবিরেল চিংউ য়ারাবু তাবদা লাংথম থোইমু খোন্দানবনা চেংলৌ নশক থোংবু খোন্দান্নবা (আউম) মালেম্বু কুবিবা কোরৌবু কাপলিথা. অথাংবা নোংথৌ পানচুম্বা, রাংবম্বু কুবিব। (আ। নোংদম য়াইবী কোনবু শাথোক ফম্বাল লাংলিবা।। নখোং থুয়ালেস থম্বাল লৈকা লৈঙাংনা তম্জনা শাথোক্লববু নিংশিং থাগোন লৈপাইনা।। পাইমা সিল্লে লোম্বনা ভক্তা চরৈ নমথাং য়েং, কোংয়াং চৈনা তাবগুম ইশা কোঞ্জল ফুথোক্না পাওশা খজিকপু রাকং রাহোমনজবা লংজ ইরালব কংবিও।। লৈহৌ মালেম্না খৈনা চাওবনে, কোরৌ নোংথৌনা থোইনা রাংলৈবনে, লৈহৌ রাবু লৈকং লৈরাংজবদা লৈবাং লৈথংলনদবু কুাব লৈহান্না তাবি য়েংখিবা ওইবিও।। কুথোই থেংনমা য়াম্ববু কুবি লৈশংনহুনা মিংয়েংখিয়ুকো নোংদবা।। হয়মঙৈদা নোইববু নিংশিং থাগোমহনা হয়িচং ইতম অসিদা মৈনা রাই তাঙনা চিংউগী থোগল লাংজবা।। কোরৌখক্ত।। মালেম লৈকুমহনা থোথমখিবা, লৈহৌ রাবু রাংখিবা মথংলেংনা পাওশানা হনোই থোথন লাংলগে কুবি মিংয়েং তাবিরে।।

২থদা— হয়মঙৈদা নোইববু — উ।।
নিংশিং থাগোম্না নোইরসি ই।।
মালেম লৈদা য়োরবদা — আ।।
শালাই লেম্না নোংদমলে, চিংউ নখোয়দি লৈহল্লো, মালেম্বু লৈশা লৈথংদবশিনা থুম্দানবক য়াঙমলোই.

ঐনা লৈফম্বু লৈথিনখিগে তাম্বোংফব। ইতুমদা চিংউ পুম্বা নিংশিংনরক্কে কোরৌ থক্তা থৌয়েং লৈফম্না লৈরুরো নোংদম বাম্ব থৌগুনা কোরৌ থক্তা হনখরে ॥ মরু অনিনা খাবা শাদোং কম্বাম্না— আ ককই ইরাংবু লৈতবা মালেম্বু সিম্না লৈথিনবদা অতোংবা করিবু তানফংনদয়ে. কান্নদরে হাইতুনা লৈথুং অহানবা ককই ইরাং য়েৌঙমদবা লৈফমন্থুদা লৈহম্না অমুক য়েংলে অম্না অশেঁষনা লৈহৌ বাবু মথংলেংনা শৈশক্লি ॥ শনিক লাইনৌ তাবিগা হৈরোং লৈমগনা লুচিংনা লৈকোই লৈথিবব অনোই শাদম্না লৈহৌকমদগী মরু ২না লুচিংনা লাইবুংথৌ লাইরেম্বী ১৪গা লোইনম্না লাইবুং ময়াইদা চংলগা অনোই থৌখম্না নোংদম্বদা লাংলরে ॥

থৌরম অসি হরাওবা মুমিৎ খুদিঙ্গী তৌগদবনি ॥ লাই-মিংথোই পাখংবা ২না মরু ২ না লৈরবা মফমদা লৈরগা লুচিংনা লাইবুংথৌ লাইরেম্বী ১৬না মাংদা থানা হৈরোংলৈমগা লাইনৌতাবীগা ২না মরু ২ না শাথোরকপগী পম্মবু অনোই শাদম্না লাইবুং কোয়না পাওশানা উংকনি ॥×

৫। পাওশা— চিংউ মডাইরোই খোইয়ুম তাইবং পুম্বা— করি ওইবনো তাকপিও ॥ শলাইলেল অমম্বগা ইম্না ইথৈলেল লাইওইবীগা ২না লুচিংনা লাইবুংথৌ লাইরেম্বী ১৪গা লোইন-থুনা নোইনা থৌখাল্লবা অসি মরু ২ না লৈবদা মুংডাইগদবা মফমবু ফংদম্লনা লৈকুমখোংদা অহানবা লৈফমদা লৈশানবা য়েংথিবব নিংশিংনবা নোইবনিদো— মানি মানি ॥

মরু ২না লৈফম অসিনা পুম্নমক্কগী খজিক কংনা লৈওখি. মফম অসিদা খুম্বোক খুদানবা তৌরসি বাতানম্না কাইরেল লৈশাক্কমবু যিরকপদা ওইথম্না খোংনাম্নগী খোংফমবু লৈমাইথক্তা লৈরম্বু করি কমদৌমা কনাগী থনম্নো বাখনখিববু নোইররেদো — নোইরি নোইরি ॥

লৈকেমবু নোংদম্বনা শাথোকপদা নেংথিবা ওইরে খংজরহনা অকোয়বা মকমবু আকোয়পুং কোইহনা মকমহুবুনা হৌলজহানবা কৌনা পুম্নমক্কী হেন্না কংনা লৈরম্মী হায়হনা কংলৈপুংমাইরোম মিংহনা খংথিল চুপনা শান্নহনা লৈথিববু নিংশিংনা খৌপুররক্লেদো-খৌপুরি খৌপুরি ।।×

লাইনিংথৌ লাইলৈমা মঙাই — হুইথিও ।।

হঙকাশিনা মুমিংনা মহান শামথ্রবদা অহিঙ্গী কিক্লানা ইমাগী হবচাংবু চোৎকনি ইঙ্গনি হায়রনা মক্কী হবচাংনা কোম্বহনা লৈনবু উবদা খাবা তাওরোইলাইনা মকোকপু কন্দুনা মক্ক ২গী খক্কা চোং থনবগুম খান্দুনা অথিং চুপ্পা খোগননথিবা পরমবু নোইনা শাবনিদো— মানে মামে ।।×

খোঁরমবু খনশং শাবা কৌইদো— কৌএ কৌএ ।×

ইসুং তাল্লবদা হৌলম্মানবা কংলৈ পুংমাহাইয়োনবু কল্লি কমদৌনা কম্না পাক চাওনা শেমসিগে য়েংওনগে হায়বগী খাবা তাওরোইলাইবু কংলৈ পীনমঙদগী খেংথোকথিববু নিংশিংনা শাথোক্করক্লেদো ঐথোয়গু খুপাক লাইকা খুহনা খেমথোকশি — পাংশে খেমথোকশে ।।×

"(হয়িলে হয়িলা ও হয়িলা

অথিংকোরে থিংকোরে,

থিংকোলাংমৈ থিংকোরে,

লাইলেল কোকপা থিংকোরে,

হে হৌ তানহেহৌ নে নে নেনেমে,

হোইবৌ হোয়াসো, হোইরৌ হোইয়াসো ।।"

লাইনিংথোই লাইলৈমা মঙাই পুম্না — হায়বিও হায়বিও ।।

মক্কী পাওশা তাবদা কংলৈগী পিনমঙাদা থৌখল্লবদগী মকোক নোংথৌ পাংনা থাজংনা মঙক লুরাক্লনা মক্কবু খকখন

মথোন ৯ খ নবগুম্বা হি য়াইতনা ল ন' ফৈরা ফৈদি 'কান্না কাইরেল খুদ'বু ওইনা থৌখনখিববু নিংশিংনা শাখোক্করক্লে শাশিকো— শ শি শাশি ॥

মরু ২ না খাবাবু তোংছুনা লমকোয় লময়েংনবদা পাওশান-খিববু নিংশিংনা ঐখোয়গু পাওশানা নোইশে—নোইশে নোইশে ॥

(হাউ'হুম হাউংহুম)

উইতে মিকিহিং। সংচিংতে চিংতেতে নহেহু

অংকোশিরিং সন্নুরিকা নোংতা কানবিরু লিপুন হয়ম ওবা ॥

কিবিং শিরিং সন্নুরিকা নোংতা কাংবিরু

ন্যাপিরেল পুবিং উংলৌরেল ওবা ॥

উরেও মু'তা বে'বি সংথুপ্পু

উইহেবা উইতে মুংতেতে মুংতেতে

হয়ম হোয়া ওবা।

চিংতেতে চিংতেতে নহেমু পুরিং হয়ম ওবা ॥

ঐখোয়না লময়েংবা কংলৈ লমখৈবু তানকংলে। পন্নিং লাংশম থানা কারশি রাক্তেমলে—(হায়ুতে হোয়াতে হোয়াতে হোযাহে হোয নবগে হৌ) ॥

৬ (খাবা তাওরোহি লাইনা মালেম্বু তকথোকপা)

মরুগী মওাইরোই পুম্বা মরু ২ বু পরম অমা হোংলক্লে ॥ মরু ২ না লম্বাহানবা কংলৈপুংদা করবদা থজিক পিকই কমদৌনা চাওথোকহনশিগবা ওকচাননা লৈরবা খাবানা উরহনা ফৈদি কোল্লগা মবৈবু ময়ানা চিক্তুনা মালেম্বু শিন্না তকথোকখিববু নিংশিংনা অশেবনগু শক্লি ঐখোয়গু মায়া ভৌনা নোইনা থৌখনশিকো—নোইশে নোইশে ॥

খাবানা মালেম্বু পাক্লবা তকথোরকপদা লৈশাতাওবু লাপক্লে হায়বগুম হায়রবদা মরু ২ বু কম্ব। য়ান্নক্লে, ॥ মাইপৈ ৪ মক্তা

ঈ তাইনরিবদগী ঈথুংলকপনা মালেম্‌ লুপখিদৌরে ।। মরু ২না বা তাক্লহনা থাদাব্‌ পাওরো পাওশানা থামখিবব্‌ ঐখোয়গী লৌখান পাওশাশে —শাওশাবিও ।। ×

তৌহে হাহা পুরুমা পুরুম লিখাও খাও
খং খং খংচিন্না নাহৈ অনিগী মরক্তা
ফুনা লংহৈ হাইবদি কাকলেল খুৎসিন হুহু
হোৌরে থৌহৈনা সিন্তাক থৌহৌনবদা মালেম মাংবা তাবেনে
থোইমা যাঙ্গা নংম্‌ হঞ্জিল্লো হঞ্জিল্লো হঞ্জিন্নরশে
হৌহৈ যাহায় মালেম মাংদৌরে য়া
হোইয়া লৈহললসিল্লো য়া ।। ×

মরু ২ গী লৌথাম পাওশা তাবদা হঞ্জীন্দুনা ২ গী তাংবন খুদা ওইনা 'মুক লাংলং—লৈরে লৈরে ।।

মরুবু লেংবাংনংগী দমক ইখোলেল ইমানা সিন্থাং চৌবগে নিংহুনা লৈযে = লৈমাংদা শ্রীং লাইয়েকপু থংনা লল্লেম্মা মহাক মহাক ওইবী ১ খু যৎলমদ লৈশম্‌ ংজন নোইরক্লে—নোইরে নোইরে । ×

লৈমতান্দা চিংঙ ইয়েকপু থংদা মহাক্কী মহাক ওইবী শিহৈমা কৌরীগু ওইথংগা থোখল্লবে—লৈরে লৈরে ।। ×

মশক ংবু উবদা লৈল্লেমাবু নচু নঙাক্লা নাপু লৈচুবু শাথোক্লনা নঙাল্লনা ফিরোল মথল মখা পুথোক্লুনা শলাইলেনগী নিংথৌকপবু থোঙ্গবা থোপ্পুবো নোংদম্মা লৈমিন্নৈদো— তোই হোই । ×

ওইথবী শিল্লেমাবুনা অঙৌবা লৈচুনা লৈতেংনা ইঙাল লৈশানগে নিংঙমলিবা অসিগী লাইয়েব লৈগদবা পুম্বগী মরাবু পুথোক্লা নাওয়োবু ওইনা থোপুরো নোংদমলকখিনবু নিংশিংবা মরু ২না লুচিংনা নোইরিদো নোইরি নোইরি ।।

লাইয়েক শংথোকপ. পরম

শিল্লেমানা খোঁপুনবা কোইনা য়েংঙকপদা লম্মাহানবা হুংকেংপাংকি লাইচিদা হৌরমলে, মশক অতুপ্প উববদা লৈহৌলৈদ গী থারপা মশক্কি হায়তুনা (লৈহৌলা) কৌনা লাতম ৫ বু হেক্লে, লাতম ১ দা লাইয়েক (৪৭) পু য়েক্তনা শলাইলেন্দা খোঁহৌনবা তৌবিরো লৈহল্লেদো—হুল্লি হুল্লি ॥

শিল্লেমা খুন্থোংডানবী লাইয়েকসিবু কমদৌনা থমগদবা মশকপু পুথোকশিবনো পবম খজিক থাম্না সিত্তাক খোঁপুবিরম্বু হায়বিদো—হায়বি হায়বি ॥ ×

মক লাইয়েক ৩৫ অসিনা হক ওইবিরগা লাইয়েক ১২ দা লূপ ১ ওইনা লৈবনিনা মিরেল ওইনা হাপ্পবা তৌবিরো বাকংলিদো—কংলি কংলি ॥

লৈগদবদি লাইথনলেন ফাওবা নোংদমথি মশক মাপ্পদবনিনা মমিং মামবগু য়ারোই লাইয়েক ৪৭ সিডনা ঐবু করম শুনবা মাবা পুথোকশিবনো বাহোংমলিদো—বাহোংম্মি ২॥ ×

বাকংচো তাকপিরবনিনা থজিক পাওশাজগে কুবিন্নিদো, লাইয়েক ১ গা যৈশিন্নতুনা মাবা (থবেন) থাবিনিদো ॥ বাকংলি—কংলি ২॥

শিল্লেমা লাইয়েকশিং অশিনা কদাইদগী পুথোকপা মতম্বা কল্লি কল্লিনো তাকপীও হংডিদো—হংডি হংডি ॥

মক অহুদি ক খ, ঙ চ, জ, ঞ, ত, দ, ন, প, ব, ম, ট, ড, ণ, ১৫সিনা থবাই শোনবনিদো ॥

(খ, ঘ, ছ, ঝ, ঠ, ঢ, প, ধ, ফ, ভ) ১০ শিনা থবাই হকপনি হায়রেদো—হায় হায় ॥

(আ হ, ক, খ গ, ঘ, ঙ) ৭ সিনা খোঁরিদগী থোকপনি । (ই, ঈ ১ শ চ ছ জ ঝ ঞ) ৯ অসিনা ভোদগী থোকপনি ॥

(খ য়,য় রটঠডঢণব) ১০ অসিনা কোক্কী য়াবাদু খোকপীদু হায়দো—হায়রি হায়রি ।। ×

ল, স, ত, থ, দ, ধ, ন) ৭ সিনা য়াদগী লৌবিনিদো ।। (উ, ঊ, র, প, ক, ব, ভ, ম) ৮ সিনা চিলবান্দগী লৌবিও ।। (এ, ঐ) ২ সিনা খোরিগা ডোগাদগী শোক্লা লৌখিনিদো ।। (ও ঔ) ২শিনা খোরিগা চিলবানগদগী লৌবিও ।। (ক্ষ) সিনা হকী মশক ওইরিবা লাইয়েক ৩৪ বু চুকখোং ৪ বু ফাজবনিদো, হোকয়া (শেগাগা কমখোংগা) মফম ৪ সিদগী লৌরগা কাক্ববনি কংলিংদো —কংলি কংলি ।।×

লাইলৈবা নঙ্গী শিন্থোংদগী ঐগী অমম্বু ঙালহনবিয়ে অসিদগী লাইখিংবু (ওম হ্রীং হোসো ওম খুন্থোংঙানবো কৌরগে, ঐগী খোরম পুম্বদু নিংশিংবা ঐং লৈনৌভাবী, ওম হ্রীং হোসো ওম—খম্দুং ইঙাল লৈশাবা, য়াবা ইংখোল শাখোকপা) পুয়ারি, পুয়া নিংছুমা মক্ক ২৭, শাখোরকলে—খোরকলে খোরকলে ।।

৭ (মালেম্দু ইঙাল লৈশা খোহোবা হয়েং মুখিংকা)

মক্ক ২ গী মঙাইরোই পুবা, মক্ক ২ বু খোরম ১ হোয়ক্ক খজিক পাওশাগেকো—পাওশাবিও ।। ×

শিমৈমাগী মপান্দগী লাইয়েক ১ দগী লাইথমলেল কোবা কাশিং ২২ গা য়াইবি ১২/— হক লাইয়েক ৩৫/— অপকপা ৯/— ভিপু ৭/— টেকা চৈনশ ১৪বু কংলবদা মালেম্দু ইঙাল লৈশাগদবগী লুমলাংবদু থানা খিরক্লেদো – খিরে ২।।

ইপাম্লাঙ্গী লৈয়েকপু য়েংনা নিংশা চিংশিনবদা মরুগী অমংখেন মচু মঙায়া ঙাংঙানবা লৈরিবা মরোং মকাবদু লাইয়েক ১২থা কাইরেপীবদা (ঊং হ্লীং ক্লীং হ্রীং ব্লীং ফুং) য়াকাবদু হাপবা থমলেদো—থমলে ২।।

কমথোং ২ গী মরক্তা লাইয়েক (৪)না কাইরেল্লিবা (শাজুমথেম্বা) মিংথম্না মযাইদা শ্রীং লাইয়েকপু নিং নিং নিং য়াকাইনা ঝ্রি ঝ্রি বি য়াবানা কৌখত্তনা অমংথেম্বা তিদু থ না থওলেদো থমলে থমলে ।।x

নিংশা ইহুনৱ চাওনা ঙকখোংদগী পামবোম মরুনা কামথোরকপদা মশক মঙানৱ হুমিং থাদগী ইংবা লংবা মহাকী মহাক, ঐহাকী ঐহাক ওইনা শাথোকখিবৱ নিংশিংনা থৌপুবনি — মানে মানে ।।

মরুনা শাথে'কপৱ উবদা (ও, র) লাইয়েক ২ গী য়াবাৱ নিংশিংনা চিংশিনক্তুনা মহু মঙাম্না অহিংবা মচুৱ কুদোংনা লাইয়েক (১০) না কোইনা কাইরেল্লীবা (কংলৈথেলপুং) দা থম্লগা লুমলাংৱ থাখিদো—থাখি ২।।

মশক ১৩ লুমলাংদা উয়হনা থৌরম পুবা য়াওজগে নিজহুনা মরুনা ওম ক্লীং ব্রাং য়াবাৱ নিংশিংনা কংলৈ থেলপুং তম্না নিংশাৱ কামশিনবদা লৈমাইথক্তা কোংযাং চৈনা তাবত্তম — কোজব ছুথোক্লা মৈশেং মৈরা থানবগুম্না মরুগী মাংদা হুনা পুরুম লৈপাইনা লৈখিবৱ শাথোক্লরেদো—শাথোক্লে ২।।

মশক ২ ৱ কংলবদা পাল্লি লাইমিংথোক্তি অহনবা নংনা লম্নাহানবগী মাইকৈ ৪ চিরা ৪ গি নপা ঐবা লৈমাংলবনি অতুদগী হৌনা চিংবা ৯ ৱ তনবা লম্নাহানবৱ পনতাক পহিংবত্তম হোংমক, ইচাগী তোংবাংনবা শিম্নমজবত্ত ওইনবা কোজন ছুথোক-পৱত্ত পুবিথো নোংদম্মীদো—নোংদম্মি ২।।

থৌদাৱ থৌয়ানা মনাওৱ কোম্নিনা মরু ২ ৱ পুরমবা থৌত্তরগে হায়জবদা ইমা ইথৈলেম্না থোইশাওনা থামজনিংহনা পাওশানবিদো— পাওশাবি ২।।

৮ (থেংকো শাবা হয়েং নুমিৎকী লাইবৌ পাওশা)

পারি নংবু মৌজলি পম্বৈগী শিন্থা হকমল্লি চৎখিগনু শিন্তাক-খিগে থাম্মিদো—থাম্মি ২।।

পলেমগী কুবী নয়াথং কংলবদি নপারি ২ না উমমোইদবা লৈরোই খুম্মিদো—খুম্মি ২।।

পারি ইচানা লৈথিং লৈমেং লৈপু লৈচোংববু ইমিৎখিংনা কেংজহৌপে পাওমেল্লিদো—পাওমেল্লি ২।। ×

পলেমগী নোংদম তাবদা লাইমিংথোইনা থৌনুরুপদবা লৈথোম পরবু উৎলরেদো—উৎপি ২।। ×

লাকুবিংথোই লাইলৈমা মঙাইরোই চিংবা পনশাখিবনু নিংশিংশে—লিংশিংশে ২।

১। পারি ইচামা ফত্তবনু খপোক্লা অকরবু থনগত্তুনা খুদোমা হায়দোক্লা থৌপুবীবা নপা ঐনা পেঞ্জরে কংলৈগী থেলদা শাথোকখিবনু লাওদনবা (অকাও থেঙ্গৌ) কৌনা থমখিদো—থমখি থমখি ।।

২। চোংনা ২ খোংনিক্তুনা খুদোন হায়দোক্লা চৎপবু (অচাই থেঙ্গৌ) কৌনা ফরবু মাংহনবা অকবনু য়োকথৎপা খোংলম্মি লায়বিম্মিদো—হায়খি হায়খি ।।

৩। চোংথোক চোংথোক্লা মাইগে ৪ দা থিন্দুনা চোংবনু (মোংফাম থেঙ্গৌ) কৌনা লৈবাক অসিগী লুচিংবনা মপুক শেংনরক্তুবদা খোইশাওমা পায়গদবনি নপা ঐগী ওইনা থবলচে নোংদম্মিদো—নোংদম্মি ২।

৪। লৈমাইদা শিংনা চোংহনা ৩ লক চোংবা

অসিনা কংজোইয়া (অতান থেঙ্গৌ) কৌনা লৈবাক পুক্তিং মরা ভগ্না পাঞ্জনবা নোংদবা খোংজয়িদো—মানি মানি ।।

৫। খোংশিংনা চোংহুনা লৈকম ৫বু ফাবা

কাইরেল লৈশা লৈনেংনা ফাবনা (লৈনেং থেঙ্গো) কাইদো অসিনা অওবা পুরগী পুক্লিং তপা পান্নবা খোংলমনিদো—মানি ২॥

৬। চোংথোক চোংশিন্না ১ৱক নোইববু (লৈতক থেঙ্গো) কৌনা থোঙজগে নিংইববু নোইবনি—মানি মানি ॥

৭। লাহাংখোয়বা লৈনা লৈনা চোংহুনা কিশি (৩)লক কিনা নোংইববু মক্লনা শাবাও লামবাও থোক্লা পান্নবা চোংলম্নি মমিংবু লম্বাহানবা (লানবোন থেঙ্গো) কৌনা থমলগে নোংদমচিবহুনিদো—মানি মানি ॥

৮। খোংশা ১০না মাক্লেমদা শিক্লা ৭ খোংথাং ৭লক থাংলগং খোংলম্নু কিশি অমুক অমুক কিরগা কিশি ৭ পু থাব্নিবা আশনা লম্বাহানবু অফগু চাইনা পান্নবা খোংলম্নি নোংদমনা মমিংবু (আখম অচাহ খেঙ্গো কৌনা থমাখবু) নিংশিংবা শাশি—শাশি শাশি ॥

৯। হকচাংবু নীক্লা চোংথোক চোংশিন লৈথং লৈথিংনা (৩)লক হুন্না চোংবদি য়েক্লববু চংবা ওমদনবা লম্বীবু থিংবনি লাদম হোলালকক থেঙ্গো কৌনা থম্বীখিবব নিংশিংনা এথোয়গু নোইশে—নোইশে ২॥

১০। লাইমংথোইনা খেলপুংদগী লৈনা ২ খোংকাপ ৭বু থাংকিল্লক্লনা খুৎশা ১০ বু চেপনা লোম্নহুনা খোওমজগে নিথদো—নিচি ২॥

মক্লনা হংবচিদো পান্নি নংমা থোওমদবা লৈগনু হ্রাংলকপা মতমদা নপানা লানবোন লালফা পরবু থাগোম্না লৈওমগে লৈবাকী মাইকা কুবিরো নোংদম্নিদো—নোংদম্নি ২॥

ইমানগু তাকপীখিদো, পান্নি ইচাক্নী নওবু ইমানা উজনিংহুনা অমুক মজবনি চিংউ লাইবু পোক্লিবা পোকপন শাংপা

পোকলেন পোকপা ইপা মখিবনা যাইফা নোংদম্মুরো অরাংপা পরম্বং তেংবাংবা ওইনা নমা ঐশু লৈতানা লৈবগে মাইগৈ ৪ চিরা ৪ পনশা ৯ বু খিংবিনা লমাহানবু কুবি নোংদাঁইরুরো নোংদমখিদো—নোংদম্নি ২।।×

মরু ২ মী য়াথং লৌহুনা মশানৌবু খুজেং পালোইনা ক লৈদগী নোংপোক পাংনা খোংবাই তমলরে—তমলকলে ২।।×

থৌরম্বং উবদা সিলৈমনা বাহোম্নিদো মরু পাওশাদি য়েকচরে অহুবু লাইমিং অসিনা কমদোবা হুংডিদো—হুংডি ২।

মরুনা খুমখিদো—সিলৈমা থিরবদি মথংগনি অহুবু য়েক্তুনা থম্বা হায়রগে তাকখিদো—তাকখি তাকথি।।

১বা কিশিবু কিনা কিনা নোইবদি (লানবোন থেল) কৌইদো

২বা কিশি ৪/৫বু কিনা নোইবদি (অশুথী) কৌবনিদো।

৩বা কিশি ৭লক কিনা নোইবদি (কৈয়েন) শাবনিদো।।

লালফা মমিংশু হায়গে—হায়বিও ২।।

১দি—লানবোন থেল কৌগে—কৌবিও ।।

২দি—লাক্লোং হায়দো—হায় হায় ।।

৩দি—লালনি কাই কৌইদো—কৌএ ২।।

৪দি—শহুলোং কৌইদো— কৌএ ২।।

৫দি—লালফাং কৌইদো।। য়েকপা লোইরবদা মপারিগী থৌরম্বু মিংয়েং তাবিরো বাকত্তুনা ফম্মরেদো—ফমলে ২।।

৯ লাইবুংথৌ ৯ শাবোক্তুনা তাওরোইলাইবু লৈখায়োন্দা শম্বা।

লাইমিংথোই লাইলৈমা মতাইরোই তাকপিও ২।।

শম্লোগী য়াথংবু পুনা চৎপদা ককই ইরাং তাবা নেৎপদা পুথবা মকম হাক্তা ডাইবনা কদাইদগী লৈবাক্না লৌরগা কমদোনা পরশাশিবনো থজুনা মশানৌগা তাম্নরক্লদো—তাম্লে ২।।

মচা ২গী অরাবা রাখনবু উবদা মরু ২না তেংবাংনবা হোংনৈদো হোংনৈ ২

শালাইলেয়া হক্কঙ্গী মরোং ৮ পানবা মরেং ২না থাদা ৬না থক্লা হায়গংপা য. ব. র. ল. র. শ. (৬) না লৈনাপ্তম মচুনা অশংবা চুমথ ংগুম থাংগিবা লাইয়েকপু নিংশিংবদা লাইবুংথৌ ৮ চোংথোক্লনা খুংশা লোয়না তাকপিগনবা করি লৈবগে হায়রগনা চোংথোরকে—চোংথাকখি ২।।

মরুনা নোংদমখিদো হায়বিও ।।

যং লাংহক্লা নাংযোম থাবা—চকমবিবা।

য়ং ,, ,, ,, তংমবিবা, তুমরিবা হায়শোম্বা

রং ,, ,, ,, মুংমরিবা

লং ,, ,, ,, পামরিবা

রং ,, ,, ,, তুম হাবা

শং ,, ,, ,, মাঙ্গিবা

নখোয় ৮বু নৈগী তাওবোইনম থাবাগা লৈথারোম্বা ইওান লৈশানবগী কেথোবগা হায়খিদা—হায়াখ হায়াখ ।।

লাইবুংথৌ ৮না রাংহোম্ম মরু, করিগুম লৈত্রিবা মরুমচুদা লৈরু থোদবা কৈ জগে অহুবু তু না খঙ্গৌনবা মররুতুতদি কুবিও নিজেংলো—হায়বিও মথং মথং ।।

মরুনা নোংদমখিদো চিংচকমরিবা, তাং মারিবা, হাইশোম্বা, মুংমরিবা, পামারিবা, তুমরিবা, তু-হাবা, মাঙ্গিবা ৮মক শেশে অমাং অভা লৈতবা পুরুমকী মশক ওইথিবা উংলো য়াইবিলেল)গী মডাংগী ইবানিবু পুংথাকপিহনা ইমিংনা শলাইলেল অমম্বা, ওইথমলিবীবুনা ইথেলেল লাইনৈমা কৌনা মিরেম্বা (ওম হ্রীং হ্রীং, শ্রীং শ্রীং) কৌনা শিম্বরমহনা নোংলোনগী মশক পুম্ববু খোংরাইম =.লাইরগা মালেমদা তেংবান মশক পুম্বাবু থনম্ববা

লৈরুমলিবসিনি, ঐগী ইমৌবু তেংবাংবিতুনা লৈখারোম্না ঐগী তাওরোইনাইগা ইভাল লৈশানবা কৌথোকপনি থওইল্লীদো—
তাকরে তাকরে ।।

চিংউ ৮না ৱাকংখিদো মালেমদদা করিসু ! লৈত্রিবনিনা লুমলাং—ৱাখলুনা মাইয়োকথা ওইনা ওইনা লাংজগে (হুং মুং ৱং ৱং ল) মডাসিনা ওনাং মঙদা কাংহাই থৌথন ওই, ঈরামতুনা খোংহাম থৌথন ওই, মৈশেং মৈরা ওই, অচা অথকপু ওইতুনা লৈশকমক্লবু ওইতুনা লৈক্লুগে ।। মিংলেন্না (হুং শনা থমলে থম ; ওম স্না মুহেসু নোংস্না মনিক খোম্বী) কৌনা চংজগে কংলিদো— কংলি কংলি ।।

মরু ২না হায়খিএ ।। চিংউ ৮না তন্নীবা লাইমিং য়াবা ৱনা হৈৱাং লৈরাং, অথুব-অহাও পুৱবু ওইনা চংবিবা ঐগী পামজ ৱাহৈ ওইনা লৌজগে থুমখিদো— থুমখি থুমখি ।।

পাওশাবু তাবদা খাবনা নমুঙাদগী লেংখোকতুনা ঐদি মরুবু থাদোকতুনা চৎচবা ঙমজরোই হায়খিদো— হায়খিও ২।।

খাবা নংনা লৈখারোলবু থোহোনা ইতেং পাংত্রবদি লাইমিংথোইনা পনশাবা লোইররোই ।।

মরুনা পুথোকপাবদা থাদোকপীরোই তাকপীখিবদাই মরুবু থাদোকচবা ঙমজরোই ।।

হে খাবা নঙ্গা ঐগা থানগদবা নত্তে ঐনা লৈবা মকমদা নংগু লৈগদবনি ।।


অহুবু মরুদি কংলৈদা লেংদনা লৈগনি ;ঐখুনা লৈখাদা লৈরুবা করমবু থানমোইদবা রাহোম্নিদো— রাহোম্নি ২ ।।

রাহোম ৱাবু তাবদা মরুনা মহাক্তগী মহাক অমা পুথোক-তুনা খাবাগী কোক্তা ওইথংবা খোংনা নেৎ, য়েৎনা কারণ থানা নোংদোন্না নেৎতুনা মচুনা অশংবা চুচাং থানবতম অশংবা স্না ফিগে থ্বাংচেৎ ফৈচোলবু শেৎ, খুৎ ২না পোমশাংনবা থম্বালগুম্না লুখাই শমনাজী মথক্তা থাঙৎতুনা লেপতুনা লৈরে।।

মশক অহুবু উবদা মতম কৌবী ইমানা (হুং ষুং) পাঙশানা ইংলবে নামিবা মালংববু হোৌদোকতুনা হৈরাং লৈরাংতগী মনস্থু লোইননা খোৌধন লকইদো – খোৌঝনহনবীও ২।।

শিঙ্খোংবু ফংলবদা হাৱৈজেদো। বক ঐদি শাগী মপোক্তা পোকপনা নউস্থু থ দেদো লেংদনা লৈরমক্ষু নওাপ্পি মকম খুদিং লৈব'ন খংউদমক্ষা হাৱজকনবি লেংদবা মশক্কা ক'লৈদা লৈবি-হোৌবো পাঙশ ন' ফম্বাসগী পিনমওাবু কে'ঙ্গম্রা কংলৈবু কোইনা মমৈবু ময়ানা চিক্ক্না বানি খোৌনিদো— নিবিও ২।।

শাপাইলেস অশিযানা নেংাংদমখিদো ইপা অৱিবা (হুং লৈরংলেস ক্লীং নোংজরেল কৌবা। ক্বং শ্বং ক্বং ডালংারেল মকনা) নোংদম্বাতুনা লৈয়াইলেসবু ইঙাল লৈশানবা হোংনজ-জবদা অৱাৎপবু ভেংবাংবিযু বাঙানখিদো— জানখি তানখি ।।



খাবা নংদু নবুক তাখিবিগনু ঐসে নংবি, নংদো ঐনি। কেইশেম্লা, লৈত্তোনশি নংদি মতম পুম্নমক্তা ঐগী পিনমঙা কন্থান চুকখোং চংসিবু কোংশিন্না ঐগ। থানদনা লৈগদবনি কুমদবা যাদবগী অঙুক কুপদনি— যানি যানি ॥

খাবাগী কোক্তা মকুবু হাপ্পা কংলৈবু লিরোন ও লক হুন্না কোয়রগা কুহুন্না চোংনৈদো— হায়বিও হায়বিও ॥

মকনা শাদোংনা চংপদু খুবাক লাইকা শানা খুবাক খুহুনা লৈরাওনখিববু তমজনা ঐখোয়সু নোইসে— নোইসে নোইসে ॥

হেরে মকে নোইবে, মক্তাদি হাখে নোইরে ॥
কাখে কাখেকু মক্তাদি হখেপু হখেপু
হখেপুএ কারেল অমদি হাখে নোইরেরে ॥

লাইমিংথোই লাইলৈমা মঙাই— হাযাবও ॥

খাবানা মকুবু পুজনা লৈখা য়েংরদা মপুক পেল্লকখিহুনা মহাক্তুগী তাওরোইলাই ৫বু পুথোক্লে ॥ মখোয় ৫না হায়দো, খাবা— ঐখোয়বু করি ত্তোনবা কৌথোকপনো বাহোংশিদো— বাহোংশি ২॥

খাবানা হায়দো, কুকমলেল কিংনাইবা, কুরুমলেন মৈনাইবা, কুকমলেম বাশানাইবা, কুপত্রেংবা, শংত্রেং— তাওরোইলাই নখোয় ৫দি হোৎলম্মা হানবগী লৈকক লৈয়ারেন্দা লৈহুনা মকনা কৌরকপদা খোৎথমবা লৈকয়ো ঐনা লৈরংলেন লৈপুবগী খোৎথম্মা লৈরগে হায়দো— হায় হায় ॥

তাওরোইলাই ৫না হয়রাওনা কারকপদা 'খুবাক লাইকা শা, খুবাক খুহুনা কাথৎনখিববু মক ২সু শাদমরক্লে— শাদমলে শাদমলে ॥

মক অনিনা পাছু লোয়িন শামখিবা চোংখোং থকখল্লিববু লম্মা কানবগী পিনমঙাগী ম্না কম্বাল থোঙনি হায়না নিংশিংনা খোৎথনপদবনি— থক্লগে থক্লগে ॥

(হা হে হৌ হা হে হৌ)

অথিং কোরে খিংকোরে।

খিংকো শাংমৈ খিংকোরে ।।

লাইরেল কোকপা খিংকোরে ।।

হৌ হৌ ভানহেহৌ নেনেনে ।।× য়া য়া হোইয়া ।।×

থৌরম্বু মরুনা উরদুনা থাবাগী মনিং থুংহল্লগে নিংদুনা শ্রা হরুগী কংলৈ থেলপুংদা থমল্লিবা ক্লীং লাইয়েকপু রি রি রি হাংনা চিংখত্ত্রনা অমংথেলদা লৈরিবা কং লাইয়েক্কা (২) না নাওয়োমদুনা লাইবুংথৌ অমা কৌথোকখিবর মরু ২ না শাথোকপিএ— শাথোকনবিও শাথোকনবিও ২।।

মরুনা লোংদম্মি, কুরুমলেন কিংনাইবা নংনা তেংবানবা পুম্বগি চানা থরুবা পিবিদুনা চিংউ খোইয়ুম ভাইবংগী বাণ্ডনবা কৈরুংবা ওইবরো নোংদম্মিদো—নোংদমথি নোংদমথি ।।

লাইমিংথোই লাইলৈমা মঙাইয়োই—তাকপীও হায়বীও ।। পরম অমা হোংলক্রে, অরা লুংঙাই নোংদমগদবা মরুলোন ৭ত্তা লাইরমলেম্মগী শিংথেক্রুবা অয়েং অখোং—হিকাই শাখাইলাই ১৬ না লাক্রনা বাহোমখিদো ।। মখোইগী বাহোম ভাবদা চিংউ ৭না বাহাংদুনা চিংউ ৭কী মঙম্বু হাপ্তনা ল্যাইয়েক (ওম উং গ্রং মাং হাং) য়াবা ৫ না নাওয়োমবিদুনা মখোং ৪ পানবা শারুংদা মপা পানবা ময়াং মওক মমাই শাংবা মমৈ চুম্বা পানবা ১ বু শেমদুনা পিদো—পিবিও পিবিও ।।

অয়েং অখাই লাইনা মশক অশিনা করি তৌভম্বা হংভিদো— হিংভি হংভি ।।

চিংউ ৭ না মশিদি মহামনিকমা তেপাক কৌবা শগোল হায়বা অহানি ।।

অশিদি ছৌজিক মতম নত্রি চিংউগী শাথোক অমা হোংলবা মতমদা নখোই পুম্বানা শগোনশিদা তোংলগা অয়েং অখোং

হিকাই শাথাইনবা নথৌবু থৌহৌবা ওইয় শিন্নখিববু শাথোক্লরিদে —খংজরে খংজরে ।।

লাইমিংথোই লাইলৈমা মরু ২বু পাচু লোইন্নিন শান্নরক্লে ঐখোয়না লাইবুং কোইবশে লাইচি থেলদা ঙহাক শান্নববু য়েংনা লৈউংশে – লৈখিশি লৈখিশি ।।

(লাইবুঙ্গী মাইয়োকথাবু শনিক লাইনৌতাবীনা লৈখত্তনা খা মাইগৈদা থাদোক্লে ।। (চোং ২ হুমাই ২ না কান্নন থানা য়ুংলগা ময়াইদা কিঙৌনা কিচং খন্দনা মথাদা লিত্তনা চোংখোংবু কোইত্তুনা পাচু লোইন্নিন তান্নত্তুনা নোংদম্বগী থৌদাব থৌপুনরক্লে)।।

লাইমিংথোই লাইলৈমা মঙাইরোই তাকপীদুহায়লিয় ।। মরু ২ বু নোংদম্বগী থৌদাবু থৌপুনা পাচু শান্নরমগা শংলেন্দা লেংশিন্দুনা নোংদম্ববু থৌথন্না ফমখরেদো —ফমখরে ফমখরে ।।


খাবা তাওরোইলাই ওরং লৈস্না লৈংতানপিনা লৈখাদা কুমলমদাইদা কংলৈগী পিনমঙা ফংখোং ৪ বু চিরা ৪ ফানা লিংরাল ত'ওনা লিক্কারমগা কুমথিববু তমজনা থোখনবু পোখারশ —য়াইফরে খৌপুবিও ।।


বোলোক

খোইন্দ্রি ফাবনা লমন্নিংনা লাইবুংথৌ লাইবেম্বী পবেং অনিবু অমতা ওইনা লেংথনা নুপা নুপী মাং তুং কাইদনা খাবনা নৈংকোইববু লোইবেদো— লোইবে লোইবে ॥

হৌজিক্তি মপা মপা কাম্নদনা নৈবসি ঐখে যশু পাচু থোপুবদি— পূবসি পুবসি ॥

(যাংহোংদনী পাচু হৌনা পাওশারক্লে) লাইবুংথৌ লাইলৈমা পুন্নমক হৌজিক্তি ম্না যা হৌনা খুপাক লাইকা ওাতলক থুহনা লাইবু থোগা লাইলৈংগা লইম্না যা হৌনা খুপাক লাইকা ৩।৩ লক থুহনা লাইবু থোগা লাইলৈংগা লই- পাখংগা লাইলৈংগা, চোঙ্গ চোঙ্গ, হুম হা হুমাংনা, থাঙ্গ থাঙ্গ, টাগ টাগা নপা নপা পাচুনহনা নোংদম্বী মিংয়েংবু থোখঅসি, হোই য়া য়া য়া য়া পাচুনরো পাচুনরো । অতুদি লাইবুংথৌ লাই পাখংনা ওইলমদা, লাইরেম্বীনা য়েংলমদা নঙ্গী নঙ্গী নপা নপা অমুক ওংহাকসে, হোই য়া য়া য়া য়া— ওস্থেংক্লে ওস্থোক্লে ॥





[illegible] পুকম্বা মৈরম [illegible] ২।

[illegible] মথদা [illegible]

কম্বা [illegible] হবুংখোশিংনা মথংদা [illegible] পদা [illegible] পুদা [illegible]শিন্না [illegible]

[illegible]জিন্নরে।

মচা ২গী অরাবা বাখনবু উবদা মক ২না ভেংবাংনবা হোংনৈদো হোংনৈ ২।।

শালাইলেম্মা হন্নংগী মরোং ৮ পামবা মরোং ২ মা খাদা ৬ না থক্লা হায়গংপা। য. য়. র. ল ব. শ. (৬) না লৈনাওম মচুনা অশংবা চুমথংগুম থমলিবা লাইয়েকপু নিংশিংবদা লাইবুংথৌ ৮ চোংথোক্লনা খুংশা লোমবা তাকপিগনবা করি লৈবগে হায়বনা চোংথোরকে—চোংথোকখি ২।।

মকনা নোংদমখিদো হায়বিও ।।

য়ং লাংযেক্লা নাওয়োম থাবা—চকমরিবা।

য়ং „ „ „ তাংমরিবা। তুমরিবা হায়শোম্বা

য়ং „ „ „ মুংমরিবা

লং „ „ „ পামরিবা

বং „ „ „ তুম হারা

শং „ „ „ মাঙ্গিবা

নখোয় ৮বু গ্রেগী তাওরোইলাই থাবাগা লৈথারোম্বা ইওান লৈশানবগী কোথোকপনী হায়খিদো—হায়খি হায়খি ।।

লাইবুংথৌ ৮না য় হোৎপি মক, করিগ লৈত্রিবা মকমতুদা লৈক থোদাবা লৈজগে অহুবু তুংনা থংহৌনবা মমমতুভদি কুবিও নিজৈদো—হায়বিও মথং মথং ।।

মকনা মোংদমখিদো চিংচকমরিবা, তাং মারিবা, হাইশোম্বা, মুংমরিবা, পামারিবা, তুমরিবা, তুমহাবা, মাঙ্গিবা ৮মক এশে অমাং অতা লৈতবা পূন্নমক্কী মশক ওইরিবা (উংলো য়াইবিলেল)গী মডাংগী ইবানিবু পুংথোকপিহনা ইমিংনা শলাইলেল অমবা, ওইথমলিবীবুনা ইথেলেল লাইলৈমা কৌনা মিরেম্মা (ওম হ্রীং হ্লীং, ক্লীং ক্লীং) কৌনা শিন্নরমহনা নোংলোনগী মশক পুথবু থৌরাইম—লাইরগা মালেমদা ভেংবান মশক পুবাবু থনরবা

লৈরমশিংসিনি, ঐগী ইমৌবু তেংবাংবিদুনা লৈথারোম্বা ঐগী তাংরোইনাংবা ইভাদ লৈশানবা [illegible] কপনি থঙহল্লীদো— [illegible] তাজ্রাদ ।।

[illegible] চিংউ [illegible] মাঙ্গেমদদা [illegible] লৈত্রিবনিনা লুমথাং—রাখনা মাইথে [illegible] ওইনা [illegible] লাংজগে (হুং য়ং [illegible]) [illegible] থৌরম ওই, [illegible] ওই, অচা অথকপু [illegible] ।। [illegible] হুংশনা [illegible] খোংথৌ) কৌনা [illegible] ।।

[illegible] হায় [illegible] যাবা [illegible] কোয়াং [illegible] ঐগী পাংজ [illegible] ওইনা লীজ [illegible] [illegible] ।

[illegible] তাবদা [illegible] লেং [illegible] ঐদি মক্বু [illegible] চৎলা [illegible] —হাবিন ২।

[illegible] লৈথ [illegible] । ইতেং পাংম্রবদি [illegible] ।।

[illegible] তাকশীন্ববদাই মক্বু [illegible] ।।

[illegible] ঐগা থাংগদবা নাত্ত ঐনা লৈবা মফমদা নংত্ত লৈংগদবনি ।।


অত্তব্ [illegible] লৈদা কেংদনা লৈগনি ঐখনা লৈখাদা লৈক্লবা বরম্লন [illegible] বাক্তোম্মিদো— রাক্তোম্মি ২ ।।


রাহোং [illegible] মক্লনা মহাক্তগী মহাক অমা পুংথাক-তুনা থাবাগী কোক্তা ওইথংবা থোংনা নেং, য়েংনা কারণ থানা নোংদোমা নেংতুনা মচুনা অশংবা চুচাং থানবগুম অশংবা মা কিগে খ্বাচেং কৈচোলবু শেং, খুং ২না পোমশাংনবা মখালওমা লুবাই শদগাজী মথক্তা থাজংতুনা লেপতুনা লৈরে।।

খোইরি ফাবনা লমরিংনা লাইবুংথো লাইরেম্বী পরেং অনিবু অমতা ওইনা লেংথনা নুপা নুপী মাং তুং কাইদনা থাবনা লৈকোইববু লোইরেদো— লোইরে লোইরে ॥

হৌজিক্তি মপা মপা কায়দনা লৈরসি ঐথেয়ত পাচু থৌনুবদি— পূরসি পুরসি ॥

(মস্থাংদা পাচু হোৎনা পাওশারক্লে) লাইবুংথো লাইলৈমা পুন্নমক হৌজিক্তি য়া য়া ভোনা থুপাক নুংকো ৩৩ লক থুহুগা লাইবুংথোগা লাইলেগা। লাইপাথ্যা লাইলেগা, চেঙ চাক, গুন হুন হয়াঙগা, থাঙ থাঙ, টাগ টাগা মপা মপা পাইহুনা লোংদম্বী নিংথেংবু থোনম্রসি। হোই য়া য়া য়া য়া পাইনবো পাইনরো ও অহুসি লাইবুংথো লাইপাথনো ওইলমদা, লাইরেম্বীনা রেংলমদা নপা নপা নপা নপা অমুক ওঃহাকনো হোই য়া য়া য়া য়া— ওহোক্রে ওহোক্রে ॥





কৌব, লাইচি পচু লোইরগা লাইবুংথো লইনুংথো হৌরগা লইমাতু থাইনা লাইবুংবু কোইরগা অমুক পাদম খোংচংনা পুরুম্বা মৈরম থপ্লাংবগী মফমদা পাওচোা খংহনশ - খংহনশে ২।

(অশুম্বা নোংপোক চিংখৈদা, মথদা বৌক্ষু, লাইলেংবনা কম্বা মফমদা পাচু শান্নবা লইরে।। লাইবুংথো লাইলৈনা তুমু থাইনা হেমোইনা লাইলৈমশিংনা হেংখন্না। লাইবুংথৌশিংনা মথংদা লাইবুবু ওইথয়া ৩ লক কোইরগা ৪ লক শরকপদা য়েং ওই কাইদনা লাইশং করক্তুনা পোংলাই শপোং পুংগা লোইশিন্না থমজিনরে।।

(লাইমাঙদা পাওদম হায়জবা)

বাকোকলোন বাকোকলোন
চিংনা রাবু লৈংনা।
বাকোকপু শাদম লৈহনবা।
লংজ আয়োল ডংঙান ।।
বাকোক্না নোইখি চাওখিবনা
চিংশিং শাদমনবদা চিথা লৈরাংলবু।
কুবি লৈককবিহুনা
নোংদম মিংযেং তাবদা
অরাংপবু হাপ্পহনা
কুবি মিংয়েং পাবিনা
লংজখিবা ডাকশিও হো হে হো
হোই হোইয়নখিশি ।।
হয়মহে হাযচং শিনা খোইবা হরাওবে
হয়িচং হয়িচং হয়িচং হয়িচং হয়িচং।
শিমা খোইনা তাংগয়া শমলরে শমলরে ।।

৪ নং (হংশিং লুমিং থাজা ও নি পানবগী খোংবনবা)

অশেবনা নোংডালমদাইদা মোংদবু য়াকৈরে ।। শনিক লাইনৌ তাবীগা হৈয়োং লৈমাগা ২ না লুংকোংদগী ইরানলক্লবা পুরক্লে। খোইরক্লবনা ঈহৌলোন পাওশানা খিকপেংকু ২ না থাইনহনা থমদে ।। খোংনাং থাবা চিংদৈ মরুনা খিকপেংনা খোংহাম মাইড়া চিনকু-চিংশং ইকমাইড়া খোংপুরে।। মানা মানা কহেনিংবা হৈ-লৈবু হৈয়োং লৈমাগা শনিক লাইনৌতাবীগনা খিকপেংনা লুকমাংদা হৈথা লৈথারে ।। অতিগা মরু-শালাইদেন

অমম্বগী থৌখনবু কুহিগী মচা্বা টৈকেচান খাংশেংপা লাইবুংথৌ উংকোংদে লন্না মাগী ল'মৈ.ই ১৪ গা লোইননা কিশেং লৈচেং লোইথুনা কারঙ্গে ।। লৈশিলেল মরু—ইথৈলেল লাইলৈমাগী থৌখনবু নোংচুপ্না লৈবী উহি মচাগী কুমহিন পোৎলোই খাং-শেংনবী ওম হ্রীং শ্রাং ঐং কোংচিংলৈমানা মাগী পাওচংপী ইয়োং লৈমাগা পাঠ্যইবীগা লোইননা ইমানা নোংদম্বদা হুমিজুগী হৈকং লৈকংনবা মরম পুম্বা থৌরাংতুনা থোকা লৈফমলে ।। ×

থোংবাং খাবনা হৈরাং লৈরাং পুম্বম থোইরিকাবনা চিক-পেংবা লোইরহুনা নোংদম্বদা কংলে।। উরোইপান মহি চাইবা উহংলৈ পোনশাংনবা লৈপোপ ৮ বু চিংথৈ ওনবা লাতোম্না য়োম্বদ নোংদম্বদা লংথৈ লৈপোক ১৪ লাশেং আউম্না (০) না য়োম্বনা অতিয়াদা লাংলে ।। × লংথৈ লৈপোপ ৭ অরোংবা লাশেং (০) না য়োম্বনা ইমা লৈশিরেম্বা লাংলে ।। ।

নমঙা লৈখা লাংবা লোইরবদা অতিয়ানা নোংদম্মি-চিংউ পুম্বা ঙসিদি ইমা লৈশিলেম্না থৌখনবু ওরাংগী মখাদগী হৌনা মথংলেংনা থৌখনশি যাকংলিদো ।। অহগা ঙসিগী নোংদম্বগী থৌখন পোৎলোই চক্সবা লাইলৈমা ৮দি উহিগী মচু কুময়িন পোৎলোইবু খাংশেংনা কোনখাং ফুরিং কিয়াই নমথাং-নচিংবা শেংপীনা থৌখনবিনিদো ।।

নুংথিগী থৌরম

১। হোই লাওরে ।। ২। চিংউ পুম্বদা লৈ লাংলে ।।

৩। লাইবৌ থোখন পুম্বা মাগী মাগী থৌঙ'ইকমদা চংনহুনা ঙাইরে ।।

৪। শনিক লাইনৌ তাবীগা হৈবোং লৈমাগা অমোই থৌখম্না মরু ২ বু চিংথোক্নে ।।

৫। লাইবুং (৩) লক কোইবগী লাইচি য়ৌরকপদা খাম্মগা অশেংবনা হোইরো শৈরাওহুনা থৌরম্ তাকলক্লে।।

৬। শানিক লাইনৌ তাবীনা পুবারি ওইনা পাওশাবিদুনা মরু ২ না লুচিংনা লাইবুংগী ময়াইদা নোংদম্বগী থোখনবু তেংবাংনবা চংলক্লে।।

১ (লাইবৌ পাওশাবা)

লাইমিংথোই লাইলেমা মঙাই পুম্বা তাকপীও ২।।

চিংউ মচিন মনাওনা লৈথোরগনি চংখিবা লৈপেক্লবা লৈতবদগী মাইগা মাইগা ওনশিন্নরহুনা থোঙমদনা তোক্লগদবা খৈগ্নেদো—খনবিও।

মকমত্তবু রাখনখেল কোইদো—কোই কোই।।

মপারি ২ গী অরাবা রাখনবু উবদা মরু ২ না লানবোম লানক্কা নোংদম্বরক্লেদো—নোংদম্বীও নোংদম্বীও।।

ইমানা মচা ২গী মরক্কা লৈশোপুং ওইনা য়িনখংলক্লে। অতিয়ানা থোড়ুম্বগী মশক ওইনা মরক মরক্কা য়েপহুনা তেংথাংখিদো—পাংবিও পাংবিও।।

লাইমিংথোইনা থোঙম্নি হরাওহুনা চোংবা চোংনা লৈহোম লৈপেক্লবা হোৌখিববু মরু ২বু লুচিংনা থোপুরক্লে, ঐখোয়গু তেংবাংবা ওইনা থৌনিশে—য়িনশে ২।।

লাইমিংথোই লাইলৈমা মঙাই পুম্বা—হায়বিও ২।।

লাইমিংথোইনা লৈপেক্লনা লৈথোনববু পুখহুনা মাঙ্গদবা মকম তাক্লা ওইখিবনা লৈথোন লৈহৌকপু উক্লনা লৈদো—লৈহনবিও লৈহনবিও।।

থৌরম্বু লৈথ'রোন্দা লৈবা মরু হুং লৈরংলেল লৈপুবনা উরহুনা খাবা তাওরোইলাইদা নংমক লৈনা থংশিন্নদনা লৈরশিরা? নমথারকপা লৈপাকপু নঙ্গী তোক্লেমা তাকলবদি নং ঐগীগু অহগা

হাইবিংথোইনা পনশা ৯ বু লৈথোনবা য়াগত্রা হায়দো—হায়রিও হায়রিও ॥

থাবানা লাক্লনা লাইমিংথোই করিবু মতুক বাখনো ইকোকপী হেনা লৈথোনবিও হায়নহুনা পনশা ৯ বু শুববা নপখিববু মক্ক ২ ন লুপ্পিনা শারিরিদো শানরি ২।

ময়াম্বুংনা লৈথোনববু মনিং খুংদে হায়হুনা হরাওবগী মওম্বা লৌহুনা পনশা ৯ বু চাইখাইহনা লৈতেম্মিদো—তেম্বীও ২॥

পনশা ৯ ব ভুরে নোংপোকলমগী পনশাব লোইরগে য়েংলকপদা অমকবু শৈরুদহরদো—লৈহল্লো ২॥

লৈখাদা নমথথন্নে খদুনা পনশাবু ৯ লক শুনা লৈথোরে অহুদও চিংবা ১ দনী হেরা ২নি শুনা লৈবনদরে—হোয় হোয়। লাইমিংথোই লাইলৈমা মডাই পুম্বা—হায়বিও ২।

ইমানা লৈশিলেম্মা চিংউ শিঙ্গা মথাংনা ফিশেং ওইববু থাহনগে ফিরোন মশকপু লৈহনগে নিংলহনা মহাকি মহাক ওইবী হৈরোং লৈ াবু নথৈ ইথৌ পাংথোক্লরো কৌথোকইদো—কৌথোকহ কৌথোকই ॥

তেংবানবগী ইনানা লৈচ (৩) না খন্না শাবা (খুংলি লাইখনবা) হায়বা মশক ১ পুথোক্লনা লোইনবী ননা ফিরোনাশবু শেতুনা লৈথোনবিরবদি লৈমাংলোই। মাংলবও মশক খংনা মাঙ্গনি শিন্তাকনা লাইমিংথোইগী মকমদা লংথারকনা খাংলা লাইখনবা ফিরোনবু লাইমিংথোইনা লৈথোনবদা শেংনাখিদো—শেংহনবিও ২॥

হৈরোং লৈমনা হুল্লকুনা পাওদমলয়বদা ইমানা ঐং হ্রীং শ্রীং হুং লাইলৈমা নংনা মরুনা থৌশিল্লকপা ইতমদা চংলগদবা ফিরোল লৈতেংবু পুথোকবা তৌবিরুরো য়ানরহনা মকম খংদনা কোইচাইনা চংখিদো—চংহনবিও চংহনবিও ॥

লাইনিংথোই লাইলৈমা মঙাই হায়রিও ২।

মরু ২বু পরম অমা হোংনা নোইরংদা—নোইবিও নোইবিও ॥

লাইমিংথোইনা লৈথোনববু মাংমল্লবদা কদাইদা মাংখ্রিবনো লুমলাং থাবদা মশানৌনা মাংহনবা ওইরমহনা মশানৌবু খংহন্দনা শেগাদগী কমখোং ফাওবদগী (ক) লাইরেকপু পুথোক্তনা ফারগা নৌহৌননা লৈথোল্লকইদো—থোনবিও থোনবিও ॥

২ মরুনা মিংলু লৈমা (নোংথাংলৈমা) পুথোকপা

মরুনা মপারিগী লৈথোনববু য়েংলকপদা মশানৌবু ফাজিন্দুনা থম্বু উরহুনা লৈথোনবা লোইখ্রিবা ফাওবা নশানৌবু থমবা কংলৈথেলপুংদগী কুংগা লুমলাংথেলদগী হুইংগা তিল্লু থানা চিংখত্তনা মিংনছা (রাম) কৌবদা থমলে—থম্মীও ॥

মরুগী খুদোনবীবু মিং মপাদা থমহুমা কৌবদা চোংথোরকনা খুদোনবী মচোপা তোংহল্লগা অহাংবা নোংথোদা থাঙত্তনা মিংলু লৈমা কনা উবগে হংচিনবু নিংশিংনা নোইরংদা—নোইরি নোইরি ॥

মরু বনধু উদে মীমা ওরগা থোইদাদে হায়হুনা চাইথাই হোগাইবা অনদি লৈবা উজে খুম্মিদো—খুমহনবিও ॥

মিংলু লৈমা মশক অতুগীদমকনী ইপানা অহাংবদা থাঙংপদি হায়রগা মরুগী খুদোম্বী লৌথগ্রে—লৌথোকপিও ॥

খুদোম্বীবু লৌথখিবদা অহাংবদা লৈচিনবু ফাজিন খোমজিন্না ওরংতওান্না হায়না হুম্না লৈরেদো—লৈহনবিও লৈহনখীও ॥

মচৌহুবু কোঞ্জন কুথোকপনা উবদা অপাম নুংশি খোইরাংনৈদো—খোইরাংহনবিও ।

চিংউ ২ না নোংথক্কা মালেমগা পাওরৌ পাওপাখিববু তমজনা পাওশাশিকো - শাবিও শাবিও ॥

(লিরোল পাওশা)

হোইয়া হোইয়া খোইনৌ নংবু কনানো,
তরৈ তরৈ মিৎয়েংশেল, মি মি মিৎয়েংশেল
নঙী নওম উবদা ঐবু সুংঙোল্লে !
নোংথৌ তরংমথক্তা অহাংবগী মযাইদা
মৈহাগী মৈরি কাবওম তাম্না লংনা লৈরিবী
পেশ্না নংবু কনানো ।।
থৈনা খোইচং সুংঙোমবী খোইনৌ নংবু কনানো
য়াহোইয়া য়াহোইয়া ।।

(পাওথুম পাওশা)

হোইদা নাহাবা— লৈতুন তুম্না পাওশাবা
লৈকু মরুম খোইথাবা
লৈরাই মরুমদা খোইশাইবা
নঙী পাওশা লৈতুম্না
ইপলগী পুল্লাং কাইরেদো
পুল্লাং পুরেল কায়ববু
সিংবিও সিংবিও ।। ×
শিংবিরোইবু হায়ববা
শিংবিরোইবু হায়রগা
ইপাংথোইদা তাকনি
সিংবিরো লাওদনা নাহাবা, য়াহোইয়া ।।

লাইমিংথোই লাখলৈমা মঙাই চিংউ খোইথুম তাইবংপুম্বা— হায়বিও হায়বিও ।।

অওয়া ২ না পাওশানরিঙৈদা লাইমিংথোইনা নোংপোক পনশা ৩ লৈশাবা লোইচুনা ইরম খোংলম ইকোলফু ফাংলগা লৈবি— লৈমুং ঙোমশোন—লৈনুংদা চুংচুনা চৎপা য়ালবা থেংনা

মরিন (৩) ধু থম্মগা নোংপোক চিঙ্গী মিংবু (তিং হিং রেং ঙাংহুৎকংবা) নোংপোক লৈহৌ মহৌ নোংলেনাথং কৌখি দা -
কৌবিও কৌবিও ॥

ইখোং ১গী মরুমদা ইম্বাং (৩) থোক্লা ইকামহন্দুনা ইরম্বু অরাং পানা চেনহল্লা লাইনিংবু (তুথৈ হিংঙাংতরেংবা) চিংকোন তুরৈখোং কৌনা ফাংখিদো—কাংহনবিও কাংহনবিও ॥

মহৌ নোংলেল চিংবু মিকু থানবা পুং অমা থোন্দুনা মিংবু (চিংহিং রোং ঙাংহুৎকংবা) নোংলেল পুং কৌনা য়াংলেকো—
য়াংলি যাংলি ॥

নোংলেন পুংবু মিকুনবা—থোনিনবা হৌকংলৈদা চংলক্লুনা লৈফম্বু (শঙ্গাই লৈকম) বৌনা য়াংহে—য়াংলি ২॥

শঙ্গাই লৈকম্‌গী মিকু থানবা লৈচং ওইনবা লৈফম ১ শু য়াওনা (লুনাপান) কৌনা থারগা চিংলেনগী খোংলম্বু করি বাংলিমগে কোইনা য়েংবা চংলিদো - চংহনবিও ২॥

লাইনিংথোই লাইলৈমা মওই—হয়বিও হয়বিও ॥

অমুক য়ায়া তৌনা চিংই অনিনা পাওপানথিবু শাশিকো—
শাশে শাশে ॥

কোঙন তুখোকপনা হায়দো—

ঐনা হুনবা লৈহুমদি
পেম্মা নংদা হুন্দেনা
লেবাক শংদা লৈফম্মা
কোক্‌নি কাঙ্গাও ফমহনা
মানম হুংশা য়াইরবী
চোম কাইতোইশারবা
মাক্তোন্দবু হুনবান
হাদা পেনা নি থিবী
থিং থিং লৌনশে
পাম্না থোইনা লৈনশে শায়ানশিদা লাইলৈমানা
খুম্বিদো—খুম্বিও ২॥

হোইদা নহাবা নংমা ঐবু খংদবা
খংনবব শিন্নাক্কে তাঙম্দো ।
ঐগী লাইযেক লাইশক্পা
স. ক. ল. হুং. মবিনা নাওয়া
ঐগী লাইশোল লাইমিংনা
(ক্লীং লৈহিংনু ক্লীং নেং লৈহিংফা)
নোংথাংলৈমা কৌইদো ।
কুমশিদা মাপাল শাংলিদো
নোংলেন্দা মহৈ মাপ্নগা
নঙ্গী লৈঙম ঙৌরক্কে
নথৌ নঙম থোযাংনা সিহানবা ঙৌরো
ঐগীদি ইথৌ থৌবোইয়ে
লৈহৌরোদা হোইদা নহাবা ॥ X
পাওশারগা কোংযৌ খক্তা মাইগৈ সিন্না
পাইরম্মগা মাংখ্রে—মাংহনলো ২॥

(কেংজ্রল তুংথাকপনা মৈবু পুথোকপা)

চিংউ মঙাইরোই পুম্বা—হায়বিও ॥

নোংথাংলৈমানা মাংখ্রবদা মঙম শান্দে লেংবা ঙমদে শাওহুনা নিংশা ফুইনা হোনবদা ঃ কাম্বী—মৈ) ভাক্তা খোক্তুনা মালেম চিরা ৪ মক্তা কাম্বী মৈচাক্রে—চংকহনবিও ॥

চিরা ৪ মক্তা লেহৌ মৈচাকপব লৈচিল্লক্তা বিংলু লৈমামা উরহুনা বাহোম পাওশারক্রেদো - বাহোম্বীও ॥

আপাম্বা খোহশাও মৈহৌরে
কাম্বী মৈচাক মেকংঙা
মালেম চিরা মরিমক্তা
খোইশাও মৈহৌ মেচাক্তা
মালেম লৈশিল লৈথুলে ॥

কঙ্গাওলা মৈনা চাক্কনা
মালেম্বু লৈমুং লৈমাংথরবনি
চিংউবা কনা লৈবগে
কাম্বী মৈকন মৈমুংলো
কঙ্গাও কলক মৈহোৌরকপদা
মালেম্বু তাক্লা মাংহনগদৌরে ॥
শেমজা লৈবনা শেমলগা
কলক মিহোৌবা কাম্বীনা
সিম্না থুংনা চাক্কনা
মালেম্বু তাক্লা মাঙ্গদৌরে ॥
অনৌ য়েনিং চোংলবোই
থাবগী মৈহে যাল্লবোই
মালেম্না লৈমাং লৈমুংলবদা
কোয়ৌ নংশু লৈররোই
লৈথাবোলশু য়াংলরোই
চিংউবা কাম্বী মৈমুংখো ॥ ×

নোংথৌ পাওশা তাবদা লাইমিংথোইনা মেংথোকপদা মৈবু উরহনা লাও লাওহনা মনাওগী মনাক্তা চেনশিল্লিদো—লাওহনবিও ॥

ইশানৌ কোন্দে তনৌবা
খোইশাও কাম্বী মৈমুংলো
মালেম্বু লৈমুং লৈমাংনরমি
করিগী অহুক শাওবনো
খৌরম পুবা মাম্বনা
ইশানৌগীদমক শিনশু শিম্বানবনি ॥
পাওশানা থামখিদো—থাম্বীও ২॥
মমাম্বানা থাম্বু মনাওনা মাদেদো—থামবিও ॥

পাওশা ৪ রক থাববু ম্নাদবদগী খোইশাওরদুনা হায়দো—হায়বিও ২।। ×

মৈ শাদুবী কাম্বী নংবু
ইনাওগী শরুম ওইশা মরুনা শিমবি
নয়াম্বা শাদুনা অদুক থেমনৌবনি
নংনা শাথোকপবু ঐনদি মুৎপা ঙমলোইদরা
নঙ্গী মৈয়োম ৯ বু মুৎপা নম্লামনি কাওয়বোই ।।

ফুইনা মৈচাক মৈহৌনরলউ ম্নাম্বনা কাম্বী মৈমুৎকে শিম্বা চাকলম্বা মৈবু মুথৎতুনা নোংদমখিদো—নোংদখিও ২।।

লাইমিংথোই লাইনৈমা মঙাই ঈহৌলোন ৯গী মখিংবু হায়গেকো—হায়বিও ২।। ×

১ দি উং চিরি হায়দো
২ দি উং চিথোম ,,
৩ দি উং চিবাক ,,
৪ দি উং চিরিং ,,
৫ দি উং চিতক ,,
৬ দি উং চিলো ,,
৭ দি উং চিলা ,,
৮ দি উং চিখা ,,
৯ দি উং চিথুন ,, ।। ইথো: ৯ বু শিনথু:না হৌলম্বা হানবা কংলৈদা থম্বা হৌরেদো—লৈরি লৈরি ।।

মৈ শানুবি মৈহৌরোল ৯ গী মৈ (২) দি লাইরমলেন্দা তিনকদে হায়খি:দা ।। মতুদি উং মৈমুৎশং) কৌবনা খাৎবা মাইপৈদা উং মৈকেয়্‌বী) কৌবনা মম্থোং পাংখদা লৈরো৹ নথৌদি লৈচিনগা লৈমিন্নদুনা মখিংবু (মাইকৈ চাকপা) কৌনা পাওতাক পাওচেন্নুনা লৈরো৹ নথৌদি মদুং মতম লাক্লগা সিন্নাকে পাওশানা থমখিদো—থমখি ২।।

অহুগা উং মৈ শাহুবি তরংঙাং
" " ঙালহুহিং
" " ঙানতুঙাল
" " মিংতরং
" " মৈহিংশল
" " সংতরেং
" " সংরাওম্ন

মৈরম ৭ তি চিংউ মথোংচানগী থৌপুনবা ওইনা নোংলোন মালেম লৈথাদা শিনথুংনা লৈরগা হুমলেন্দা। তরং ঈশিংদা তিন্না ইতম খাইতুনা লৈঙশো নোংদমখিদো—নোংদম্মি ২।

(মৈহৌলোল মৈফু লিংবা)

লাইমিংথোই লাইলৈমা মঙাইরোই—তাকপিও ॥

মশানৌগী মশক মালেম শিন্না খুংহল্লগে নিংহনা কোরৌ অসিদগী ইশানৌগী কান্বী মৈরম ৯ বু মুত্তনবা নশক্তী লাইমিংবু (ওম মিত্তোংলেল আপান্বা) মৈ শান্নুবী কোনা মৈহৌ মৈশংতুনা কাই অহানবা ওইনা তম্মগে ॥ লৈবাক্তা অন্না অনা কংলবদা পুকন্নবা কান্বী মৈশেংবু নকমদগী নিনবা ওইরশন্ন ॥ মৈতিল্লবা ২বু নকমদগী খাইথ্রগা লেমহৌবা ৭ না মথৌবু য়াজোইনবা নোংদম্বীবা ওইবিরো হায়খিদো—হায়খি হায়খি ॥×

মশানৌ অপান্বনা (ওম মিত্তোংলেল) হায়খিল্লো নম্রাথংদি কংজন্নি কৌথোকদবা কান্বীগী লৈচুনা করি করিনো লাইমিংনা করি হায়না কোগবা তাকপিও নিখিদো—নিবিও ॥×

ইশানৌ কান্বি ৭ কী মশক মচু মমিংবু তারোঃ—

১বা উং ঙানতুঙাল না ম্না অহিংবা মচুনিদো ॥

২বা উং তরংঙান না অঙৌবা থাগী মচুওইবা ওমহামনিক খোম্বা কৌশি ॥

৩বা উং ভানতুহিংনা নাপু মচু ওইবা ওম তরেং ভরেং স্বাহিক
তরেং খোম্বা কৌশি ।

৪বা উং শনৱাওম্বনা মুরৈনবা মচু ওইবা ওম খাথং য়োমত্রেংবা কৌশি ।

৫বা উং মিতরংনা কোরি অহিংবা মচু ওইবা ওম মিংতাংলেন
মনিক কৌশি ॥

৬বা উং শংতরেংবা মুরৈ শংথাংনবা মচুনি ওম শনা লৈত্রেং
খোম্বা কৌশি ॥

৭বা উং মৈহিংশননা ৱাক্লেং খোইবী মচু ওইবা ক্লীং শ্রীং ক্লীং কৌশি
নোংদম্খিদো —নোংদমখি নোংদমখি ॥ X

মচিন মনাওগী থোৗরম্বু মরু ২না উরহুনা কংলৈদগী লাক্পবা
উনরৈদো—উনহনবীও ।

মরুবু লাকপদা লাইমিংথোইনা পুরুম লৈপাইনা ৱাহোশিদো
লাইমিংথোই ইচানা নোংপোক লৈহৌ পনশাবু লোইবিহুনা
মালেমশিনা সাংগ্রেমথৈ লৈহৌরনবা নশানৌগী কাইরেল অমবু
ভশিন্দো পলেম পম্বৌ (২)গীগু কাইরেলকম লৈকম অমতনি পিনৌও
নিখিদো- নিহনাবও ॥

মরু নচাদি নয়াথংবু থোপুনা শিম্বাজবনি লৈরিবা অমদি
লৈবগদবা পুমমক মরু ২ গী ভাক্তনি •চাগী থোইনা য়াওজদে
থোহদাবিবা লৈকমদা খুদা লাংবিও •চানা থৌখন লাংজগে
ৱাহোমজেদো —ৱাহোমবিও ॥ X

পারি লৈফম অশি মখৈবু কাওদনা লৈনবা অমম্বু লৈরববু
ইচানা করি করা লৈরমদববু লৈহনখিএ কাওদনবা (অমম
লোকশা লোক) কৌনা ইশক ইমিংনা (ওম শেল তরং তরংবা
ঙুংবা মাহাবা• নমানা ওম শংখুপালেল ঙুংতরংবী ঙুংমু তুমদ-মাংদবী)
কৌনা লৈরগে• অহুগা পারি নংও (ওম শ্রীং হ্রীং ক্লুং) মহৌশিংথোই
লাইমিংথোই লৈহুমা খোইদবা লৈকম্বু য়েংনা থুবম লিংবা

লৈবিও ॥ নশানৌবু তুংইন থৌখন হন্না লৈবাকী য়াইফনা মথংলেংনা অয়াংপা লৈতনা শেমগৎনবিও ॥ পান্নি ঐদি কংলৈবু থাবদি যাদেদো হায়রগা মরুগী মহাক্তা মহাক অমা লাথুপ লারেনা পুখোক্নে ॥ মরুগী থৌরম ইমাও মহাক্তি মহাক ওইবা ১ পুথোক্লুনা চিংউ নবাঙাম্বিদি (অমম শনচুলোক) অসিদা ইথৌবু থৌরেংনা লৈহৌরে শিন্নরম্মগা মরু ২ না কংলৈদালৈখিদো—হায়বিও ॥

মরুগী শিন্থা ফুংইন্না মচিন মনাও ২ও মহাক্তা মহাক ওইবা ১/১মম নোংদম্বাবা কাইরেন্দা থনম্মগা খোংশান্নক্লে—শান্নক্লে ॥

কান্থী মৈলিংলিবগী লাইমিংবু—ওম এরং চিংউ নোংপোক আপম্বা মিতোংলেল) কৌইদো—মানি ২॥×

(মরুনা লাৈর শাথোকপা)

লাইমিংথোই লাইলৈমা মঙাই—হায়বিও ॥

লাইমিংথোইগী মঙম্ মরু ২ না লুম্ভংনা খংহৌনবা মরুগী মঙাং, ফকচাং, লুমলাংদগী কাপথোকথ্রিবম্ নিংশিংলক্লে—নি শিংহনবিও ।

থৌবন্ শাযগে তাবোকো—হায়বিও ॥

(উং যং বং থং চং থং পং লং আং) লাইয়েক য়াবা ৯ ম্ ভংনা লাওনা মাইগৈ ৪ চিরা ৪ য়েংনা নিংশাম্ কামথোক কামশিন্না লৈরকপদা মাইগৈ ১০ দগী লাইবুংথো তরাগা অনিম্ থোরক্লুনা মরুম্ কোইনা থৌখনখিদো—থৌখমবিও ॥

মশকপু উরবদা মরুনা লাইবুংথো নথোয় ৪দি লম্বাহানবগী অকোইবদা কোইচাইনা নথৌবু যিনা লুমলাংদগী থোকপা খুংলাইনা নখুংগু ওইনা ঐনা কৌরকপা মতমদা মরুম অশিদা নখুংগুবম্ পায়ম্বনা খুংলগদবনি নোংদম্না চংহনখিদো—চংহনবিও চংহনবিও ॥×

১। মশক্তী পুং মাইপাকপাগা (কুং য়াং শাংকোরি) পুংগা শাথোকপা ওম ইরাংথেন পুংখিমবা তানয়ৈথিরিবশিনিদো —মানি মানি ॥×

২। অমনা য়ীং য়ীং লাইয়েরা নাওয়োমলিবা পেনাবু শাথোক পা পোইরৈ মোইরেংবাম্বনিদো —মানি মানি ॥

৩। অমনা হুং খুঙ্গী মশক শাথোকপা (ওম খুং খুং অচিবা) কৌবনিদো—মানি মানি ॥

৪। হুয়ম লাইয়েক (৩)না নাওয়োমবা থোইরো লিশং কৌববু পায়বা থোংঙারেন—কৌবনিদো—মানি মানি ॥

৫। ১না (চোং) শাথোকপা চেংঙানিদো—মানি মানি ॥

৬। ১না (হুমাই) শাথোকপা থমাইনিদো—মানে ২॥

৭। ১না (উলুক) শাথোকপা উকোংলেননিদো—মানে ২॥

৮। ১না (লিরুং টেলবু) শাথোকপা কোংটিংলেলনিদো— মানে মানে ॥

৯। ১না (পাইরোংবু) শাথোকপা মুহানিদো—মানে ২॥

১০। ১না (কদেং থাংলেলবু) শাথোকপা অঙাংবনিদো— মানে মানে ॥

১১। ১না (টিবেন—টাবু) শাথোকপা মুচেংনিদো—মানে ২॥

১২। ১না (অরাম্বাইবু) শাথোকপা থৌডাইবানিদো—মানে ২॥

মরুগী থৌরম্বু উবদা ইমাও খোইশাওনা ঐগীদি করিগী লাওচুনা মগম কাহৌনা হকচু নিরা পামবোম তিংনা চিনবান

মথক মখা চিরা মাইকৈ শিন্না চেল্লে—চেল্লে ২॥

ঐথোয়ও য়ায়া তৌনা চোংশে—চোংশে ২॥

লাইখিংথোই লাইলৈমা মঙাইপুম্বা—হায়রিও ॥

ইমানা খোইশাও মাংওইনা অঙাওবীগুম চোংলম্মদগী মাক না গেপ্তুনা তাংজা লুরা লুমলাং থাররেদো—পাওখাবিও ॥

(ইমা মরুগী লারৈ থাবা)

১। মিউবী যেংলম থম্বদগী (ওম ঐং হ্রীং) না নাওয়োম থানা চিংচেৎ্লাইবীবু কৌথোক্লে ।। ওইথম্বদগী (ওম হ্রীং ঐং) চিংবা লৈমাবু কৌথোক্তুনা ফাইবোকি মশক্তুন্না এংকা ওইগদা থৌখন্দুনা লৈখিববু নিংশিংনা নোইশিকো—নোইশে নোইশে ॥

এংলম থম্বদা চিংচেৎ্লাইবীনা (কুম্নাগী) লৈচুবু লৈতেংনা থৌখল্লিদো—থৌখল্লি ২।।

২। ওইলমদা থৌখনবনা মচু মঙাম্তুনা যান্দৈং থোইবি মপানবু তমজনা ঙাল্লিবী লৈতেং ফিরোম্না নাপু লৈচুবু তমজনা লৈতেংবী চিংবা লৈমানিদো—মানে মানে ।।

৩। ওম হ্রীং হ্রীং ওম লাইযেকপু নিংশিংনা লুমলাংনা ইমাগী য়েৎথংবা মিত্তা যেংনা কৌবদা মঙাম্তুনা থবাই পিচা শাকোং শারৈগী মচু ওইনা চৎ্খাং অশংবা মচৎ্বু লৈতেংবী (পুকশি থোম্বীবু) পুথোকাখিদো—পুথোকখি ।।

৪। অমুকশু ওম ঐং ক্লীং ওম লাইয়েকপু নিংশিংনা কৌবদা ওইগী মিত্তগী মঙাংনা মুরৈ শ থাংনা ঙাল্লিবী লৈতেং ফিরোম্না (অশংবদা নাপু চংবা) শামলিবা মঙাম্না লৈতেংবী আঙাবীইবু পুথোকখিদো মানে মানে ।।

৫। ওম হুং শ্রীং আং লাইয়েকপু নিংশিংনা কৌথোকপদা লৈগাওগী মচৎ্বু ওইনা ঙাল্লিবী ফিশেৎ লৈতেংনা কোরি অহিংবগী মচৎ্তনা লৈতেংবী থাবৈমা কৌবীবু ইমাগী মুংবাথেনগী য়েৎলম থংবা পুংকোইদগী পুথোকখিদো—হায়বিও ২।।

৬। ওম ঐং শ্রাং শ্রীং ওম লাইয়েকপু নিংশিংনা মুংবাথেনগী ওইগম্বা পুঙ্গোইদা য়েংবদা মুংচেৎ অঙাংবগুম লংনা ফিশেৎ লৈতেংনা (থাগী মঙাল ঙৌনা নাপু শংথাংবা) মচৎ্না লৈতেংবী থৌঙাইবীবু পুথোকইদো পুথোকখি ।।

৭। (ওং হ্রীং ক্লীং হুং হ্রীং) লাইয়েকপু নিংশিংবদা লাংয়েল ৭না তিল্লিবা মাইথোং যেৎলমদগী মচ মণাম্না স্না অহিংবগুম ঙাললিবী ফিশেৎ কৈতেংনা কফোই মপানগী মচুনা ফিশেৎ লৈতেংবী (থিংবালোইথোম্বী) বু পুথোকখিদো—পুথোকখি ২॥

৮। ওম হ্রীং শ্রীং ঐং লাইয়েকপু নিংশিংবদা ওইথম্বী মাই-থোংদগী থম্বাল লৈরিক্কুম ঙানবী ফিশেৎ লৈতেংনা কুহিগী লৈচবু লৈতেংবী কোংটিং লৈমবু শাফোংনৈদো—মানি মানি ॥

৯। ওম ঐং হ্রীং শ্রীং ঐং লাইয়েকপু য়েৎথংবা খুবাকি লৈয়ি কানো অহুম থাবদা য়েংবদা ঙাংঙাননা ঙানবী মাহোং মচগী ফিরাঙনা লৈতেংবী য়ুচেংলৈমাবু শাথোকহনা লাইলৈমা ৭শিনা কোইনা থোখনখিদো—মানে মানে ॥

হন্নানা নোংদমখিদো—হায়বিও ২॥

হতায়োই চিংবালৈমা, চিংচেন্দ্রাইবী ২না পরম খুদিংবু লাইলৈমা ৭দা ঐনা নিংজবা মরুগী থোখনবু কাইদনবা নোংদম্বীও শিন্নেদো—সিন্নবিও ২॥

লাইলৈমা ২না ওনশিন্নহুনা পাওশানা কৌথোকইদো—কৌবিও ২॥

চিংচেন্দ্রাইবীনা হায়দো, ঐগী হক্কা লৈবিরিবা লাইলৈমা নখোযবু তাদা উদবরা নন্নুং ইতম ওইয়ে খোরক্কো কৌথোকপদা লাইলেমা ৭ অমগুম পুখোকনা চিংচেন্দ্রাইবীগী মনাক্তা কোইনা লৈখিবমু হায়গেকো—হায়বিও ২॥

চিংচেন্দ্রাইবী চৌংবা লৈমা ২গী লাইরে

১। চিংচেন্দ্রাইবীনা কৌবদা মিৎ ২দগী লাইলৈমা (ওম খাম্বী য়াংদেগা, ওম খোংত্রাইবীগা) পুথোকইদো—পুথোকপিও ২॥

২। নাকোংদগী (ওম চাকশৌবীগা, ওম চরৈমুগা) ২বু পোকখিদো—হায়বিও ॥

৩। নাতোন লিকলম ২দগী (ওম তমথোংলৈমাগা, ওম মোংথোংঙ্গবী) ২ বু পুথোকই ।।

৪। লৈযংদা (ওম তাবিংঙ্গু) থোকইদো—থোকই ২।।

১। চিংবা লৈমগী মাইথং লাংযেন ৭ কী লৈকম মিৎ ২দগী (ওম উমু লৈমগা, ওম শাজিবিগা) পুথোকই ।।

২। নাকোং ২দগী (ওম ইরোং লৈমগা, ওম পিথ্রাইবীগা) পুথোকই—

৩। নাতোন লিকলম ২ দগী ওম অপোং লৈমগা, ওম হিরৈমগা) পুথোকই—পুথোকই পুথোকই ।।

৪। চিন লৈখেংদগী ওম পিসিলহুবু শাথোক্লখিবদো নিংশিংনা কোইবনি—মানি মানি ।।

লাইমিংথোহ লাইলৈমা মঙাইরোই—হায়বিও

মক ২ বু পরম অমা হোংলক্লেদো, নোংদম থোদাবু থোপুনা লাইমিংথোই মচিন-মনাওবু কোঞ্জিনা লৈঙমগে নিংছনা থোপুনখিবা থোরম্লিদো পাওশাগেকো—শাবিও ।।

মালেম সিন্র লৈঙমনবা ইথোং ৯ থম্বা

মক ২ গী য়াহিপ চাকচা থোদা নোংদমলম্বু থোপুনা বোংপোক লৈহৌ চিংদা থুবম লৈমি অমা য়াৎনা থোপুনরেদো—য়াৎপিও ।।

মশানৌবু কোঞ্জিনা লৈমিন্নগে নিংছুনা ইথোং মক ওইনা (খুছুপ ৩পা কাপলেল ১ বু) পাকনা শাংনা লুনা তরং ওমথিবু শাথোক্না লাইমিংবু (পুংথোং) শমচুলোক কোনা মচুমঙান্না (হিকোক লোইয়াম্বা) মচৎ ওইনা শাথোক্লনা ইথোং মক অমা থমলেদো—থমলি থমলি ।।

লৈকম অসিগী চিংথক্তা (লুংবামাহাম্বগা তাওবিলোইনাইগা) ২বু থমছুনা লাইমিংবু ওম রুপারাক য়োমসং) লৈছন্না লাংলেদো—লৈহল্লে ২।'

পুংখোং কৌবা ইকোম্মু মাশানৌদা শিন্নহনা মশকপু লাইরে থানা (ওমখিংতোংলেল মৈশানুবি) কৌনা ইখোংবু শংহনা লৈদো—লৈরি লৈরি ॥

লাইখিংথোইনা লৈবাক্লিদমক্তা য়া ইফনা ইখোং মরু অসিদগী মালেম সিন্না লৈসুং তোমশোল মরিল ফওনা। ইরম্ম লৈনখিনবা য়াংপিহনা মনাওদা শিন্তাক্ন পিনৈদো—পিবি পিবি ॥

মফম অসিদগী লম্মাহানবা কংলৈপুং মায়ানগী ওইনা ইশেং-খোং ৯বু য়াংনা ইপাল্লাংদা থম্বিদো— থমলি, থমলি ॥ ×

ইখোং ১দি (ওম মুরাখোং) পাং কৌই ॥
,, ২দি (ওম কোংঙা খোং) পাং কৌই ॥
,, ৩দি (ওম নোংদম খোং) পাং কৌই ॥

ইখোং ইফম অসিদি ইখোং ৯গী মম্নুংদগী মওম চাওবা ইখোংনি পাংনিদো— মানি, মানি ॥

ইখোং ৪দি (ওম ফিচ খোং) কৌবা পাংনি ॥
,, ৫দি (ওম তুম্বা খোং) কৌবা পাংনি
,, ৬তি (ওম তাওবিখোং) কৌবা পাংনি
,, ৭দি (ওম চরোইখোং) কৌবা পাংনি
,, ৮দি (ওম পূমশাইখোং) কৌবা পাংনি
,, ৯দি (ওম কুমদমখোং— কুমশং খোং পাং কৌনা লৈরিবাশিনিদো— মানি মানি ॥

লাইখিংথোই লাইলৈমা মঙাইশা—তাকপিও ২॥

মরু ২বু পরম অমা হোংনা পাচ লোইরিন থোখল্লগে নোংদমলে, ঐখোয়গী ঙাইফম থুংকম (লাইচি লৈকম) অসিদা মরু ২না শানাবব, য়েংবা ওইনা ঙাইশিকো— ঙাইশি ২॥

৮ লাইখিংথোউ লাইলৈমা মচাইশা—তাকপীও ।।২

কৌজিক্তি চোং ২ হুমাই ২গা মাইকৈ ৪ বু চুকথানা মথক্তা থকথনবু থম্না মক ২ না চোংথোং লিংনা পাচ়ু লোই'রল শানাথবু লোইরছুনা মক ২মক নোংদম্বগী থোথন শংলেন্দা লেংশিনবেদো ।। হৌজিক্তি তাওরোইলাই থাবানা ক-লৈপী পিরমচাদগী থোরকুনা মকপী থোদাবু থোপুনা মেন থুদা চ়ুকথোং ৪ বু কোইরম্পগা লৈথারোন্দা কুমথিববু ভমজনা লুপ ২মু লুপ ১ক্তা ওইনা শাংথা লেমথরো—লেমথাঙরে ।। ×

থোইরিক্ষাবনা লুচিংনা চোংথোংবু লিংনা কোইনা চিন্না ৪ দা ভুথুপ ৩'৩ হম্না শাম্নরগা লাইবুংথৌ লাইলৈমা ভুলুথাই তানা লাইবুংথৌনা লাইবুংবু ওইথম্না লাইলৈমানা লাইবুংবু য়েংথম্না হেমোই থোথম্নরম্মুগা মপা মপা পাদম কারক্‌ন্না থোইনা ম্না হরাওকবগী পোংলোই শনপোং লৈতেংবু পুশিন্দুনা লাইবুংথৌ লাইরেম্বী পুম্না বাকোকলোলবু বাহোমলুরগা লোইগনি ।

বাকোকলোল৹ বাকোকলোন বাকোকলো'লবু চিংনা বাথন লৈতনা৹
বাকোক লৈহৌনবব নিংশিং শাদম শাথোক্তা
চিংতবা থোগল লাংজবা অয়োন লংজা কনবিগুদে ।।
বাকোক লৈহৌলকপনা নোইথি চাওথিবনিনা
লৈরাংলম্বা ম্রাওথিবা থোকাও লৈথম্নাথবা
চিখা পরম পুম্ববু লৈহাপ লৈমেনবিম্না
কুবি মিংয়েং তাবিয়ুদে তাথিম্নদে ।।
নিংশিং থাগোজবব পামজনবা ওইহনা
নিংশিং পাওশাজবনি নেংকোরো অমগী
নোংদম্বগী থোদাবু থোচন থোপুজবনি
মিংয়েং কুবৈ ওইবিনবা নিংশিং থোরম থরাবু
থোথন লৈহন লাংজবা লৌবিদবা তৌবিনে।
লংজা পুম্না লৈকম্না কুবি মিংয়েং থবিয়ুদে ।।
হৌ হে হৌ হোয়ানখিও ।।×।।×

চিংউ পুখ্রা মাগী মাগী হংকমদা হন্নথ্রে ॥ থোংনাং থাবনা নোংদম্বব পোথা য়হিপনবা পাওশা থোথল্লে ॥ থোকাবী লাই-লৈবশিংনা কাংহাই হুমাইনচিংবা থোথম্না পোথারে ॥

৫নি (চনবা মশেং নুমিৎকী)

নোংঙান তুউরক্লে চবোইনা তেথোং কাহবৈনা ম্লেলখেং ওম নোংপোক চিংথৈ উম্লক্লে লৈমনেল ৭না হং ৭ না ইরানলক্লনা চিংকু চিনকেং মাইত খোথঙগে থোকাহরে । অশেখা মোইরেং চাখানা মাকৈ লিরোলনরক্লে ।

ইমাগী থোথম্না অরংদা লৈবী মচনা পুংচেং অঙাংবা লৈচবে, শাথোকুবী, খাংখেং ফিরোম্না রাকোং মতুগী মচনা কুমম্লিন কানো পোংলোই শেংলিবী (ওন ঐং হ্লীং শ্রীং ঐং) মুচেং লৈমনা মাগী লোইনবী ওম আশোং লৈমগা ওম হীলৈমগা অনিগা লোইনহুনা ইমাগী থোথনৰ্ বাঙনবা তাইহুনা লৈরে ॥

শলাইলেল অমম্বা—অতিয়াগী থোথম্না রাকোং মতুগী মচ ফিরোম্না কৈচোল থাংয়েং কোনথাং তোলোকনচিংবা লৈতেংবা লাইবুংথৌ মুংচেংনা মাগী লারোই ১৪ গা লোইনহুনা মরুগী ফিশেং লৈতেংনচিংবৰু থোথল্লি ॥ ওম আপোং লৈমাগা ওম হীলমাগা ২ না ইমাগা লৈহৌনখিবা থোরম রাকোকলোনবু শানাহুনা মপুগী কুমৈবু থোথমগদবগী পাওবু পুরকনা অতিয়া মরুদা পাওশারগা মরু ২০ নোংদবগী অয়ুকী থোরব রাজনা থোগ্লরে ॥ অতিয়ানা কাবকলগা চিংউ পুখদা পাওশানা নোংদমগদবগী মিংয়েং থোথনগদবৰু ডাহল্লে। অসিদি—ভসিদি পোংবাই ওন্না কানশি রাতেম্নহুনা কুম্নয়ে ॥

১বা নুংথিলগী থৌরম

লাইবুংথৌ লাইলৈমা পুমশু কানবক্কনা হাপ্পী। মরু ২ শু কানবক্কনা শংলেন্দা চংহনা যেংবা ওইগনি খঙ্গদবনি ॥ শনিক লাইনৌ তাবীগা নৈনরোং লৈমগী ২না লোংদম্বা মাইয়োকথা অনাই থুংলান থোংলোল থাগোম্বা থীঙ্গজরে ॥ থোইরিফাবদা তাময়েবা ইরাংথেন পুংনিংবগা, অশেংবা মোইবেংচাবগা (৩) না লুচিংনা লইবুংশিংগা লোইনবনা লাওনুংগী চিবা ৪ দা হোই লাওহনা চিম্বা নম হৌবা চংক্ত খাইনুম পুমনক থুনা লৈকাররে থৌজাহবে কামু।

থেংনাংথু বাম্মচিংথ মক্তনা মরু ২ গী মাংদগী লৈযোম্বু লৌখত্তুনা অতিয়াগী মাংদগী লৈপোপ (১৮ যোংদগী ৫ খাইহৌরগা লৈপোপ ৯গা লৈপোপ ৭না যোংগী থোইরিফাবদা (৯) শিন্নরে, (৭) না শনিক লাইনৌ তাবীদা শিন্নবে ॥ লোংদম্বগী খুরাখাদা লাংলিবা (উহং পোমশাংনবা) চিংথৈওনবা লাতোম্বা য়োম্বা নমত্তালৈ লৈপোপ ৮ বু থক্র ॥ খুবাখাদা ১ থংম্মগা, অতিয়াদা উহং লৈপোপ ২ গা লংথৈ লৈপোপ ২ গা লৈতম্লে ॥ ইমাদা লৈপোপ ২। লৈহুম্লে ॥ ইবাংদা লৈনাদা উত্ত ১ গা লাংলে ॥ উহং ২ না থোইরিফাবদা শিন্নবে। মাইয়োকথা লৈরাং কয়াও লাইপাখং লাবোই শিংলোই নোংমাহুপী থোপুবশিংদা লৈ লাংনবা শিন্নরে ॥

১। থোইবিফাবদা উহং ১গা লাংথৈ ১। লাইমিংথোই মথোংকবদা থুট ২ লৈক্তানা বেংজোংবা খুংগানা ওইহনা লাংলে ॥

২। " উহং ১গা লাংথৈ ১ গনা পাথংবনা কোঙ্গলাংবদা লাংলে ॥

৩। " ওম কুরুমলেল কিংনাইবা চিংউ কৈরুবদা লাংথৈ ১ লাংলে ॥

৪। " ওম শাকুম্বি পুংয়েবা ইরাংথেন পুংনিংবদা লাংথৈ ১ লাংলে ॥

৫। ,, ওম কোরিং পেনা খোংবা খোইরেংতাবদা লাংথৈ ১ লাংলে ।।

৬। ,, ওম মিরেল খুং খুং খোংবা খুং খুং অচিবদা লাংথৈ ১ লাংলে ।

৭। ,, ওম শ্রীং রাং খোইরৌ লিথংপা তাল খোংবা খোংঙাবেলদা লাংথৈ অমা লাংলে ।।

৮। ,, ওম শ্রীং হ্রুং ক্রং কৌর অশি'দা লাংথৈ অমা লাংলে ।।

৯। ,, ওম রাং ভরং লৈরা লৈতোলশি থাবা তাওরোইলাইদা লাংথৈ ১ লাংলে ।।

শনিক লাইখৌ তাবনা লৈপোপ ৭ পুঃ—

১ না ঐং হ্রীং চিংচেং'ইবীদা লাংথৈ ১ ।।

২ না ওম হ্রীং ঐং চিংবা লৈমদা ,, ।।

৩ না শ্রীং লাইরেরা না'ওয়োমথাবী ওম ঐং হ্রীং শ্রীং ক্লীং হোসৌ অললৈমদা লাংথৈ ১'।

৪ না ওম হ্রীং হোসৌ পুবারি শাথোকপী ওম হ্রীং শ্রীং হুং হাসৌ সিলহৈবী ঐং খুরোংতানবীদা লাংথৈ ১ লাংলে ।।

৫ না ওম ঐং শ্রী ক্লীং কৌওইবীদা ১ ।।

৬ না ওম হ্রীং শ্রীং হুং ইরৈবা, ইহিংসং ইপুংথোক মিয়াবী মিরিহিং লৈয়োবী লৌবিও ।।

৭ না লাংওনুবী ওম পোকপীতু (২) তকুপ তকুপ হাওকুপ হাওকুপ মাখোংনাং লৈমদা ১ লাংলে ।।

মথং মথং নুংবা মহারাবা হুংমু হুমদ খাংদবী তাওবিলোইনাই নচিংবা ঈলশকরেনা লাংবা লোইরে ।।

১—বাহোং মচুগী কুমরিম পোৎলোই থাংশেংনবী খিবাম কানো হাপ্পিগী থাংলি লাইথন কাবা নুরেল লৈচাও হাপ্পী

লাইলৈমা ৮. লাইবুংথৌ ফিডৌ শেৎপা ১২ গা আপোংলৈমগা হীলৈমাগা ২ না উলুক ২ বু পাইদুনা মাগী মাগী থৌডাইফমদা মথং—মনাও কায়দনা লৈরে ॥

২—শনিক লাইনৌডাবীগা হৈরোং লৈমগা ২ না লাইশঙ মাংদা লাইবুংথৌ লাইলৈমনা পংবং ২ থোক্পা ডাইরিবগী মরক্তা কেপ্লুনা পেনা খোংবগা. তানয়েবগা. খুংথোংবগা. খোইরো লিখৎপগনা অশৈ খোংকাংনা লাইলৈমা ২ না লাইকৌ অনোই লোনব থৌখনগদবগী লৈরে ॥ থোইরিকাবনা লাইবুং ময়াই কারুপা মাইযোকথা (হৈরাং লৈবা' হৈকাং) হাপ্পা লাইবুংদা থারে ॥ লাইবৌ অনোই লোমা কৌরকপদা লাইমিংথোইনা অসংবা ফৈচোন শেং পাথংবনা ডাংডানবা ফৈচোন শেঙ্দুনা শম্লোংদা ডাইবিবা থং ফানবা ২গী মথংদা য়েং ওই কাইদনা লেপরে ।

মরক ২ শু লেংথাবক্নুনা যেং ওই কাইদনা লাইচিদা ডাইবিবা চোংথানবা ২গী মাংদা লেপ্লে ॥ অশৈবনা পেনাবু (রে রে রে) যাবানা লাইনৌ তাবীনা শনিক নিক্না মরু ২বু লাইমাং থংনা চিংথগ্নুনা শম্লোংদা ডাইবিবা পরেং ২ গা শম্নরে ॥ অশৈবা. লাইনৌতাবী তানয়েবা. খুংথোংবা. থোইবৌ লিখৎপা খোইরিকাবা ৬ পু শাইরোং লিকংতেল. টা থৌখনবগী মাংদা কারক্নুনা শনিক নিক. পেনা খোং. খুং খুং. থোইবৌ খোংনা লাইবুংবু ওইথম্না লাইশংবুনা য়েংথম্না ২ রক কোইরে ॥ ৩ লক শুরকপা লাইচি য়োবদা থামদুনা থমলে ॥ অশৈবনা মরাই চংদুনা লৈহৌবাবু শৈশক্না (হোইরৌ) লাওরক্লে ।। মথংদা শুমিত্তুগী শারগদববু মথংলেংনা শৈশক্লে ॥

শনিক লাইনৌ তাবীগা হৈরোং লৈমগনা লুচিংনা নৌহৌনা কোইরক্লে ॥ শম্নোং মপা য়োরবদা মরু ২ না লুচিংনা লাইবুংথৌ ৭ লাইরেম্বী ৭ না থৌখমা থাইনা কারন থেলপুংবু কোইশিনা

অনোই লাংলে ।। চোং কানবা ২গা স্নামছি৹ পাখংবগা মথং-লেংনা শন্নহনা লাইবুংবু কোইনা মক ২গী থোখন লাংলে ।।

(থোরম অসি মুমিং খুদিংগী থোপ্পগনি)

লাইবৌ পাওশা

লাইমিংথোই লাইলৈমা মঙাই পুম্বা—

মক ২না মিংয়েংবিনবা নোইরিবা অসি ঙরাং থোখনবদা য়োঙমদবা অরাঙ্গা নোংপোক্কা ২গী চুহিং হাইনবা —(লাংদাই) ওইনবা চিংখৈ চি লেনবু বাপ্পনা পনশাখিববু নিংশিংনা নোইবনি৹ থোরমু পাউশাগেকো— শাবিও শাবিও ।। ×

লাইমিংথোইনা হায়দো—

ইশানো কোন্দে তনোবা য়াম্বনা শিল্লোবা পুখশে ইনাও-গীদমক্তনি পনশা ৯বু লৈয়াং থম্বালগী মশকপু শাথোক্কা লৈনা হাপ্পবু হেনা চিংথক্তা লৈখুং তোমশোন মরিন (৩)বু থম্বা ইতম অসিগী চিংউ খুবম থাববু লোইরেদো৹ অরাঙ্গা নোংপোক্কা (চুহিং লান্নং হাইনবা —মিংলখু হাপ্পা পনশারগে ইনাওদি পোথাহনা লৈঙম, য়াওনিংবা লৈববশু ময়াওবিযু শিনশুবা য়াওদে হায়হনা নয়াম্ববু থনম্না চংখিবশু তোগম্ন থেমনোনা থনমগা মিংলম চিংবু পনশাখিববু মক ২ না লোইরিদো— নোইরি ২।। ×

(মিংলম চিংখৈ থোনবা)

লাইমিংথোই লাইলৈমা মঙাই—হায়বিও ।।

মিংলম চিংথৈ চিংবু নাপ্পা লোইরহনা চিঙ্গী মমিংযু (আং উং সোরোংপা) কোরেদো—কৌই ।।×

চিংবু ঙাক্লবা খুবম শেম্নবা হোৎনরেদো—হোৎনবিও ২।।

চিংতোন্দা শঙ্গাইলেনগী লৈফম্বদ্ যাৎলেদো—য়াৎলি ২।।
মনাক্তা ইকোম ১ থম্মি—থম্মি ২।।

লাইমিংথোইগী হক্তগী চিংউ (৩) বু পুথোক্লদুনা কাইরেল (৩) য়াত্তদুনা শিরৈদো—শিরৈ ২।।

লাইমিংথোইগী (কংলোইয়াথেল) লৈনা ২ পানবা মপুগী কাইবেল লাইশঙ থারিবা (হামুল কিশি) ফমদগী শাথোকপা চিংউবু (উং মিরুহিং পুবৈসি চিংখৈমরু হোরোসং রোহোসিং সোহোসি) চিংউ থোংনাং থাবনিদো—মানি মানি ।। X

মুংবাথেন কৌবা লৈনা ১৬ পানবদগী থোকখিবা চিংউদি (ওম কৌরুচি চেংচা মিংথেইবনিদো – মানি ২।।

অমংথেন লৈনা ১২ পানবা লৈফমদগী থোকখিবা চিংউদি মশানৌনা চিংউ অসিদি ননাওগী তিলু ইশক থানা লৈজগে নিবদগী পিখিবা (ওম স্রীং সিং সিং হোচি চিংথৈ নোংপোক অচিবা কৌনা লৈবিবা অসিনিদো মানি মানি ২।।

শঙ্গাই লৈফমগী মনাক্তা লৈফম ৯ অমত্ত থাইদো—হায়বিও।।

লৈফমগী লাইমিংদি ১ দি (হোরেং) কৌই) ২না (অহোচি) কৌই ।। ৩না (সোহিক) কৌই ।। ৪না (হোরোচি) কৌই ।। ৫না (খোহোচি) কৌই ।। ৬না (তেহোচি) কৌই ।। ৭না (ওহোচি) কৌই ।। ৮না (রোহোচি) কৌই ।। ৯না (রোনিক) কোইনা থমলেদো—থম্মি থম্মি ।।

লৈফম ৯গী তিলুবা লাইমিংবদ্ (সারাহিং য়াহাহিং সিং হাসিরা) কৌইদো—কৌই ২।।

চিংমাইগী অরাংদা লোকশা অমা য়াৎলগা ময়াইদা লুহুঙ্গী থৌগুনবা মফম অমবদ্ (শিনত ঙাওং যনলৈবা) শাথোক-মিক্কৌথেল কৌনা য়াৎলিদো – য়াৎলি য়াৎলি ।।

শিলগী ভাংগী কৌবা কাওবেলদি ফুংবাদহারাবনা থেমখো ক্ষুনা শাদোংলিবা অসিনিদো—মানে মানে ।।

পনশা অশিবু করি করি বাৎলিবগে রাখনতৌনা নিংশাবু খজিক কল্লাওনা থবাক মৈশা লাংনা অবাং পাংনা য়েংভিদো—য়েংবিও ।।

লাইমিংথোইনা থবাক মৈশা লংনা রাখনববু ইরৈমা ময়াই কাবী ওম ক্লীংনা পোথাবা খজিক ওইগদ্রা খন্দুনা অবাংদগী থা পাংনা ইচেল অমা চেল্লক্কুনা লাইমিংথোইদা ইচেরৈদো— চেলহনবিও ২।।

লাইমিংথোইনা ময়াই কাবা ঈশিং থকপা:

ইথো লাংবগী পরমগী থংদববু ইচেল্লকপা উবদা থবাক মৈশা মৈহৌনববু খদুনা থুচোক (৩) বু চোক্কুনা থকউরে৹ মৈশা মুত্তেদো—হায়বিও ২।

লাইমিংথোইনা খোইশাওনা মালেমদা উপ্না ইচেলবু চিল্লা থকপবু য়াম্না থকমনখিবনা অওক অঙাও চুহুনা খোপু খোরম থংদনা মালেমদা য়াতানা লৈরেদো—লৈহনবিও ।।

লাইমিংথোইনা ফুংবং য়াতাববু কুইমল্লবদা ময়াইকাবী ইরৈমানা অকি ফুজুনা করি মুঙ্গী শিল্ল'ববু য়েথাইনবা থোপুকবা হায়ল্লুনা মশকথোংবু শাথোক-শাকোংনা লাইমিংথোইবু থাকৌ-মরে—কৌবিও ২।।

লাইমিংথোই থোপুনরিবা অক্ষুদি মঙ্গং মতম লৈমিবু লৈতরি করি মুঙ্গীবু থোপুবহনা৹ নোংদম থোদাবু লৈপনবা ফুংশাংদে থোদাবু থোপুনবা তৌবিগে য়াকাইদো—য়াকাইবিও ২।।

কনানো ঐবু থাকৌনবা ঐবু করি কদোকবনো মিংয়েং-লক পদা লৈরম্বা মশকপুগী ইরৈমা মুংদি কনানো মকম অসিবা বমদৌরিবা? লইমিংথোই ঐদি ইরৈমা ময়াই কাবী কৌবীবি

ইখৌলাংবব্‌ কোকত্রা খঙ্গহনা তরং ইথোং ওইনা চেন্নকপব্‌ লাইমিংথোইনাইখৌ লাংবগী থকখিবদা নত্তনা ইচেলব্‌ উকংহনগে মতাওম থকউবহুদা মপুং মতম ওইত্রিববু থৌহৌনা থচ্‌ং শরাত্তান, অমংথরৈ কুম্বা—(অশিবা) মশকপু ওইনা লৈরুবা নিংশিংবরা লাইমিংথোই য়াকৈনবা শাথোক্তুনা লৈরম্বনি ।।

ইমা ঐদি নঙ্গী থৌজালগী মরুগী থৌদাবু শিকপরবি কাওরুম্নবোই, ঐমকপু অতুম্বা থম্বা ওম্নবা ইমা নংমা মালেম্নবা ইথোং ইচেম্না লৈরবদি তুংদা করি ওইহৌনি অমাংবা নত্তনা, কোংরৌ অসিদগী ইমা নংদি ইচেন ওইনা লৈমাইদা লৈকদে, নশক লেপ্তুনত্ত লৈবিগু, লৈমাই থক্তা হৌবিবা উরি-থারি, হৈ-লৈগী মশক্তা লৈবক্লবদা লৈচং লৈপক্না লৈবিম্ন, ওসিদগী ইচেন অসিবু নচানা চাইথাইনা মাংহল্লগে, ওসিদগী ইমাগী মশক্তা শাথোরকপা মশক্লা চংলকপা ভৌবিম্ন চংলবদি মচাবু মাংহল্লবা থৌপুবা লংজা মরালবু কংলশলু, নচা ঐও ইমা নথোয়গী নকাদা থোংদাগে থল্লকপদা পলেম মমাবু মাংম্নবা থৌমুবগী মরালবু কংবা ওইজগে মরাই কাবা ইথোংবু চাইথাহনা মাংহ, খিদো—মাংখি ।।

লাইমিংথোই অশিবা থোনশিবা

লাইলৈমা ময়াইকাবীনা হাইজৈ " নয়াথংব্‌ থৌপু থোং ।। । মাকগে পুতুংনা থংজহৌনবা লাইমিংথোইগী মকথদা মিংলেন অরুডদি কচেপে কোবৌ অমদি ময়াইকাবী ইরৈমব্‌ থকউবদগী লোকনমত্রিবা মশকপু তমজখিববু কাওদনবা (শ্রীং লাইমিংথোই অশিবা) হায়না মিংহুনজগে লৌবিও " ।।

ইবা নয়াথংবু মিংলেন হুদিংদা য়াবা ইমিংবু থানবা লৈড়না লৌজগে বাজেমনৈদো—য়াইকরে য়াইকরে ।।

শিরোই চোং থোনবা

লাইমিংথোই লাইলৈমা মঙাই পুম্বা—হায়রবিও ।। X

মক ২ না দুচিংনা লাইবুংথৌ লাইরেম্বী ১৪ গা লোইমনা অনোই পরম অমা হোংনা শাদমলক্লেদো থৌরমু থজিক পাঙশাগেকো—পাঙশাবিও ২।। X

লাইমিংথোই অশিবনা থৌদাব থৌপুনা চিংথৈ মিংলম পাংনা হনজ্‌না অমুক পনশারেদো, মমিংবু তুংনা খংহোনবা (ওম শিরোই চৌঙলেন) কৌরেদো—কৌরে কৌরে ।। X

চৌঙলেন অমনা য়াথোকপা (স্ব'চৌঙলেনচোং) কৌনা য়াংলিদো —য়াংলি । X

অমনা য়েংতৌ থোকপা (মুংতৌ চিঙলেন) কৌনা য়াংলিদো—য়াংলি য়াংলি ।।

অমনা (কোরি থোকপা) নোংদমা য়াংলিদো—য়াংলি ২।।

নোংপোক চৌঙশাংবু কোয়না চক্‌না হী য়াই অঙাংবা, অতৌবা, অমুবা, নাপু মথল মথাবু থম্বমগা হল্লকইদো— হলহনবিও ।। X

নোংপোক লমদগী পনশাবু লোইরগে নীংতুনা নাপোম ১দা লৈহুং তোমশোন খোংলম (৩)বু য়াংতুনা ইপাল্লাংদা (চংনা খোং, থোক্লখোং) ২বু য়াংকেদো—য়াংলি ২।।

য়াংপবু লোইবদা মিংলম পনশাবু লোইসি তুংনা থংনবা খোংলম ১বু (থমখুই লৈথুন) কৌনা থনম্মিদো—থানি ২।।

লৈথুম (০) কাংবগী মথক থংবা খোংলমগী মথক্তা য়া খোংনাং শাখী ১ পুথোক্‌না থারে ।। মনাক্তা মহাকী মহাক অমা লাইমিংব্‌ (ওম হ্রীং হৌ চিংউ লমতাক লমচিংবা থমখুইমহাবা কৌনা শিমরম্মগা থনম্মিদো—থমলি ২।

মকপু থংনবা খোংনাং মরাখ্‌ তোমশোন মলুং মরাইদা য়াক্সিবনিদো—য়াক্সি ২।।

৩। লাইমিংথোই লাইলৈমগী মচাইরোই পুম্বা, অশিবনা মশানৌগী রাখনবু থুংহনগে খংদববু খংহনগে লৈথোন অসিনা হৌলমহানবগী থৌখন চংনবদা চৎনরম ওইশনো খন্দুনা মরু ২ না কয়ালিবা কংলৈবু য়েংথরা পনশাগদববু ওইথরা ইশানৌ নঙীদমক্তা রাম্বনা রাক্তনবা খৌশিনবনি অসিদগী খংলো বাম্বনা পরৈ য়েংনা লৈনা পনশাগে নিংবনি তোকলগে কংলৈবু ওইথরা পরৈ থ'না পনশারম্মগে (য়েংনা লৈগদবা পনশাবু ওইনা লৈনা পনশাবশি) নোংদম্মা মনাওবু খুজেং পলোইনা অরাং পাংনা থোংশাল্লক্লনা পনশা ৯ বু থোম্মা (খাথোংবু) থিংলে ।। ×

য়েংনা লৈগদববু ওইনা হন্না চাউলেনগী মঙ্গিংবু (ওম ফোং ফোং হাই হাই ওম ফোং ফোং হু ই, ওম ফোং ফোং হাই হাই, ওম উক হুং) কৌনা (শগোল্বু শাগ্থাক শাফাফম) যাংলে ।।

মিতম মিবেল লৈকাক্ষবু শাগুনা খোঙদৌবু য়েংনা (ওম হ্রিং ওহশনা পাবি শেষ্ক কেন্দ্রে বৈরিকপা) মাবহনবা নবু কদৌবিবগে কৌথোকপদা লাইবুংথৌ শাবোই (ওসনা ওমলৌরেল কৌবা ২০ গা লোইননা থে'রক্লনা থৌরম্মু শিন্নহনা লৈকম্বু তাকহল্লিদো— ফম্মি ২।।

মশানৌনা খজিক থোইশাও'গ তৌইদো ইশানৌ নংবু কদৌম্বুঙ্গী শাওবনো নঙ্গী শাবে ইনি, নঙ্গী কাইবেম্মি মতম্বু বাৎলিবনা নহুৎ নাবেং থম্বনি, অরাং নোংচুপ চুহিং হাইনবা পনশা লৈকম্বু য়েংঙ্গবশি হায়রহনা মশানৌগী খুজেং পাযহনা চৎমিন্নশিববু নিংশিংনা মরু ২ না শাথোকনবি.দা—শাথোকলি ২।।

অরাঙ্গা মো'চুপক চুহিং হাইনবা মকম্বু থিবদা ফংদবনা অশিবা উহাক রাখন ফকচন্না য়েংজিদো—য়েংহনবিও ।।

লাইমিংথোইনা রাববু লৈগুং খাবানা উবহনা ইথৌ লাক্লে খৌঙ্গমদবা ম'দে হাযহনা চিংউ ৪ বু কৌথোকই'। শাদোংনবা ১গা পুথোক্লনা লৈথাদগী থককৎহল্লকইদো—লাকহনবিও ।। ×

(থেঙ্গৌগী মথক্তা থেংক্রু চৌংলেন নাপ্পা)

লাইমিংখোইনা লাক্লিবা মশকপু উবদা "নখোয় কনানো কদৌরিবা মকম অচুদা" হংঙিদো—হংঙি হংঙি ॥ ×

ঐখোয় ৫ শাথোকপিহনা লাইমিংখোইগী খোরম হেংবাংনবা কাজরকপনি । ঐখোযনা শাদোংঙিবা (মরুতিক্তা) কৌবা চিংউ থেংক্রুং লৈপুবগী মথক্তা অরাং পনশা ৯ গা লিপকনা নোংচুপ পনশাগদবগা চুহিং—লাংহিং হাইনবা চৌঙলেনবু নাপ্পনা পনশা ৯ বু শাবিয় ॥ ঐখোয় ৪ না পনশা ৯ গি চিরা ৪ দা শোরা ওইনা হাকচগে ॥ মরুতিক্তা মথক্তা নাপকদৌরিবা চৌঙগা খাথোং থিংলিবা পনশা ৯ গা হাপ্পিবো ॥ ঐখোয় ৪গা মিংদি ঐনা (লৈপুং খোমসিলেঙ্গ) কৌই । মানা (লাইরেল পোরোং থেংপা) কৌই ॥ মানা (চিংউ থারো) কৌই ॥ মাহাক্না (নোংয়াই মরিবা) কৌই খুমখিদো খুমহনবিও ॥

পনশা ৯ বু নাপ্পা লোইহনা চৌঙগী মমিংবু (আ চিংরিক কংলোইরা শনা থেংক্রুং চৌঙ) কৌরেদো—কৌরে ২ ।

লাইমিংথোই লাইলৈমা মঙাই পুন্না মরু ২না চৌঙলেনবু খুবম থানা য়াংখিববু নিংশিংনা নোইররেদো খোরম খজিক পাওশাগে—পাওশাবিও ॥

কংলোইরা থেংঙ্গুং চৌঙ কৌবা চৌঙলেন (কুরুতিক্তা খিং কুরুং) কৌবা থেঙ্গৌগী মথক্তা খোনবা হৌবা চৌঙলেম্বা কুপ্পো খোপুনবা খোথি খোপুনবা লৈকনগী লাইমিংবু (পোকপী লোইশাম্ন) কৌবা শামু অঙৌবগা মচা মনাও শামুশিংবু কৌখোকনবা খঙা হৌরেদো লৈরি লৈরি ॥

চৌঙশা নাপোম ৪ না কৌয়হনা নোংচুপলোমদা ইখোং কাংনা ইশাইকু ইকোম অমা য়াঙনা মমিংবু (অজি ইশাইকু)

কৌনা ইকোম মন্নুংদা তেংবামবগী খুঁবম্ ইকোম মন্নুংদা (লৈরাং লৈশানা) লাইমিংবু (খুংলোন থম্বান) কৌনা ইকোমগা কাইরেল কম্বালগবু উংলো ম্নাইবিরেলদা লৈরাংলগা (লালবোন লানকা লানঙম) শৈশকলিবা (শলাইলেল, ইখৈলেল) মরু ২ দা লৈকং লৈছনা থম্মিদো—থম্মি ২।।

চৌওদোন্না কাইরেল কম্বাল ১গু য়াত্তনা (ইশাইকু ১ পা) তৌহনা থমলেদো—থম্মি ।।২

মুঙ্গী গুম্বন, গুক, য়াক্লেকপু শাথোক্তনা থম্বা হৌইদো—লৈরি লৈরি অনৌ য়েনিং ওইনা ।।

ইকোম অশিগী মনাক্তা শনাথোংনাং পাম্বী ১ বু লাইমিং—থে ইগী হ্‌মুম্নগী শাথোক্তনা থাইদো—হৌরি হৌরি ।।

নোংচুপ পাংবদা (নোংথৈ, কোংঙা পোহাল, চরিকপু মিরেল থাকৌবদা শাথোক্লবা থমলেদো - থমলি থমলি ।।

নোংপোক পাংবদা (মিরেল পনয়ানফম্) য়াংলিদো—য়াংলি য়াংলি ।।

মিরেল পনয়ানকমগী মনাক্তা লৈবি—লৈম্নুং তোমশোন খোংলম ১ হুত্তনা খম্বোংলমদা খোংদানবা থম্মিদো—লৈ লৈ ।।

মনাক্তা চৌংউ শামুলাই শাথোক্লবা অমগু য়াংহুনা লাইমিংবু (পৌশান্নু কেত্তিয়েং)কৌনা থমলেদো—থমলি ২।।

অবাং পাংবদা অমগু য়াংহুনা লাইমিংবু (ওম পাম্বা শাম্বা—কৈয়েক খোকপা) মিরেল থাকৌফম পাওশানা থম্মিদো লৈরি লৈরি ।।

থা থংবদা ১ গু (ওম থুপহিংখিক চৌবা) কৌনা থম্মি ।।

মকম অসিদা (চিংউ ওকলাই) গী মিরেল থাকৌফম্মিদো—মানি মানি ।।

চৌওদোন্না অতিয়া মরুমীদমক্তা কাইরেল অমা কয়া থমলেদো—লৈ লৈ ।।

ফুংদা থোক্লরগদবা ইরম ভোমশোন মরিনবু নোংলেল চীঙলেল অমম শমচ্লোক্নগী কারক্লনামক্নগী থৌখম্নরগদবনু য়েংনা লৈহ্নংদা ভোমশোন মরিনবু য়াংনা থম্জীদো—থম্মি থম্মি ইতারকপর্বাদ উই অহুগা ইকা ভোমশোন মরিন্দি থিনবনিনা উনদে ।।

ডাম্নং খুনুবু মিকৌনবা য়াংলিদো—য়াংলি ২।।

মথংদা কাইরেল য়াকৈ থেমথোককম কাইরৈ এলবু মিকৌকম্বু য়াংনা থমলেংদো—লৈ লৈ ।।

চিংউ ওকলাই লৈপু শাথোক্নথিবগী মথংদা স্নাগা. লুপাগা থোক্লবা মউলেংযুবু তম্না মমিংবু (শ্রীং লোইচিংস্ন চাকশৌবী) স্না, লুপা লংকৈই শাথোকপী মিংহুম্না থর্মখিবনু শাদম্না মরু ২ বু নোইনরকইদো—নোইরি নোইরি ।।

মরু ২ গী মঙাইরোই পুম্বা—হায়বিও ।।

মরু২না চিংনা লৈহৌ থৌরম অমা হোংনা নোইবক্লেদো হাযগেকো—হায়বিও ।।

থেংক্লুং চীঙবু মিকুনবা চীঙ ১ চীঙশা নাপোম ১১ পান্না অরাং ইরোক ১২ বু শুনা হাপ্না থোন্দুনা চীঙগী মমিংবু (ওমতিক্না লৈত্তোংলেল)বুরুম চীঙলেল মিংহম্না থারেদো—থারি থারি ।।

কুরুমচীঙবু মিকৌনবা লৈথোনবা অশিবনা হৌলম্না হানবা কংলৈপুংদা চংলক্লনা লৈমি অমাবু (নোংহুমপুং) কৌনা থমম্মিদো—লৈ লৈ ।।

নোংহুম পুংদগী লৈপী থজিক ফোইরক্লনা কুরুম চীঙলেনবু মিকুনবা পুং অমা থোন্দুনা লাইমিংবু (লমলালপুং) কৌনা লাইচি লিকলমগী চক্থোং অমা ওইনা থাহুনা কুরুম চীঙবু মিকৌনবা শেম্মিদো—শেম্মি শেম্মি ।।

লাইমিংথোইনা অমাদা নোংচুপকা চুম্নিন—চুহিং হায়নবা চীঙলোলগী খুরম থাবনু থারগে—লোইরগে রাখন্দুনা চীঙলেলবু কোইনা চৎতুনা য়েংভিদো—য়েংবিও ।।

মশানৌ কোঙ্গল হূংথাকপা থোইপাওরে পাওশাদি ঐগী-দমক্তদি ইশানৌ নংবু থংজরো য়েংবা লৈনা পনশাগদবনি অহুবু নঙ্গীদমক্কি থংবা ওইবা পনশারগে পাওশানা পনশাগি খুবমু য়াংনা কাইরেল তম্বদি ঐগীনি হায়না কাইরেল তম্বীবনু য়াওদে অঙ্গদি নিংশিংবা ওইনবা কাইরেলবু পনশানা লৈফমগে হায়দুনা। (কুরুম চাওদা) ফবালাং থেঙ্গুং চাওদা) নমঙা ওই য়েংথংবা খোংদোম্না লৈমাইথক্তা নেং খুত খুথোম্না কোঞ্জিন্না ওইথবগী খোংনিংনা কাংলৈপুংদা থম, খুদোম্না নোংথোপাং খুবোম খুত্ত লৈফগল ভিং, মবাই মৈয়ন পাংনা মিংথম্না য়েংকী খোংদোম্না। লেংপবু (থপনা নিকতুনা) ময়াখু হমা মক্তা য়েংদনা লৈখিববু শাথোকলক্লেদো — শাথোকপীও শাথোকপীও ॥

লাইমিংথোইনা য়েংবা লোইরগা মনাওবু কোঙলংগে নিংতুনা থেঙ্গুং চাওদোম্না হমক্তনা মনাওবু য়েংলকপদ। মনাওনা লৈকন পনশারবা উবদা নোক্লিংজিদো। মনাওগী করাম মিহোবা চংলম অসিবু কনদোনা কোকহনশিবা থুনখিবা—হলহনবিও ২।

থোরম অসি ঐনা কোকহনবদি ওয়ল্লেই মরু ২বু মিংয়েং তাহল্লগা বারক বাতেমহনগে চংলম অসিনা লৈবাকী লুচিংশি। কথৈ কম্বদি লৈবাক বাথোক ওইরনি খন্দুনা মরুবু কৌইদো —কৌবিয়ু কৌবিয় ॥

কৌখিবদি ঙাহৌরে পাওশাখিবদি তাহৌনা মরুনা মপাগি লাইমিংথোইবু কৌনা কৌনা চংলকইদো—হহ বিও ২।

চিংউ হনা কৌমহুনা বাহং পাওশানখি অতুলুঙ্গীবু থেঙ্গুং চাওলেনবু (মানা মানা কৌনবাচাও) হায়তুনা (কৌরু চাও) হায়দো— মামি মানি ২।

মরু নচানা অবাক তম্না কৌজবা লংজা ইর'নবু কনবিও পুকশীদো পুকশি ২। ×

প'রি নপা ঐদি ইচাগী থৌরব খুদিংদা থানবা লৈতনা নমাক্তা লৈরিবনি ইচাগী অয়োন অয়াম লৈতে য়াবিদো—যাঙনবিয়ু ২।।

ইচানা কৌবা মখম অশিদা লুকুংনা থংদক্লনবা ইচাগী ক'ইরেল তমজবা ওইনা লাথুপ লাইরেনবিতুনা (শ্রীং মিহিংলেল মিপোকপা চিংউ লাইমিংথোই কৌত্র, অশিবা) কৌনা লাইবুংথৌ শারোই (লাইলোংবা হাহিং অশনবা) কৌবা ১৪ অশিবা লোকইল থৌখয়া লৈবিয়ো নোংদম্নিংদা—চাঙবিয়ু ২।।+

অতুগা মকম অমা ইচানা কাইরেল য়াংপিরিবা অসিনা মমিবু (হুং মানা মানা কৌনবা চ'উ) কৌনা ইশকপু (হুং নোংখাক নোংনিংথৌ) কৌনা নপা ঐনা লৈরগে হায়তুনা লাবৈ শাথোক্লা লৈখিদো—লৈএ লৈএ।

শাথোক্‌না শায়বা মশকপু উবদা মকনা পাওশাইদো—পাওশাবিও।।

থপ্লাংবা শাথোকপা খুবম থ'বা

পাম্নিওম লৌতোল লৌথিবা নপুক করাম মিহৌ চাওবগী লুমলাংবু নয়াম্বনা থংজশঙ্গ হায়বগী নক্লীদমক্তা য়াইফনবা শেম্বনি য়েংনা কোইনা পনশাগদবু ওইনা লৈনদা পনশাবিবা অশিবু পেন্সবদগী নথোং খুদোন থপ্না হাইনা লমদম্বু কদাই য়োগবা থন্দনা কয়খগি নমিংদি (চিংউ থপ্লাং পনশাবা) কৌগেদো—নোংদাম্মদো—নোংদয়াও ২।।

য়েংকৌ খুদোলনা থপ্না চোংলিবা মকম অসিদা (উরেল পোকপা লমঙ্গুংশি) কৌরগে, নথোং খুদোলনা নেংনা চোংখিবা ১ফব অতুগা কাইরেল অমা থাহনা নশকপু থম্ম নোংদয়া থমহনথদো—থপ্নি থপ্নি লৈ।। ৪

ফু'না খংনবা মকম অসিদা লৈবা নওস্থু (উরেলপোকপা লমংশি কুকম লমকলচীঙদা শাথোকবা থেঙ্গু্ম কৌবা চীঙদা নযঙানা, চীঙলেল মরি থবাক চুপ্পই নাদুমলেদ কংলৈপুংদা চাক্কবা) কৌরগে মোংদম্মি—তম্বীও তম্বীও ।।

পারি লাইমিংথোই ইচ'না শিনওবদা থুরৌ থাংঙিবা নমাওশে নপানা ক লৈ পুংদা পুম্রগে ইচ'না তেংবানবগী ম্রাইফা নোংদম্রা মালেস্থু চংথোম্না শেম্বিবো শিম্নরবগা মপারি কোঞ্জন তুথোকপবু কংলৈ পুংদা পুবকইদো—পূরকই ।।

লাইমিংথোই লাইলৈমা মঙাই পুম্বা—হায়বিও তাকপিও ।।

মপারি কোঞ্জন তুথোকপবু কংলৈদা থম্নবদা লাইলৈমা ৭না পাওশানহনা লাংনখিবব পাওশনা ঐথোইশু ম্রায়া তৌনা পাওশানশিকো—পাওশাশে ।।

ওকথ্রুবি মৈকাম্লো ম্না হোইযা
ইচিনতুম্লে কামল'বাই, মৈকাম্বদা মৈহৌবা থৌওম্নরোইয়া হোইম্লা।
থেঙ্গুও নহাবা, লৈবাক মরোল থানবা
পরম খায়না লৈথোনপে মালেম ইমাবু পোররো
ইনম পোল্লি লৈবোল থাবা য়াঙমলোই ম্রাহোইম্না ।।
ননম পোল্লি হায়হনা পোদবা য়াদে নথৌনি য়াহোইম্না
কলক চাওবা ওকথ্রুবী নংনা মৈকামবিদম্নবদি
লৈবাকশু মরোল থারনি য়াহোইম্না ।।
মৈকাম্বশু হোররোই নওমশু থোইমা ম্নাম্বরোই ম্নাহোইম্না।
মিহৌচাওবা ম্না, কনশাও মৈহৌবা ম্না হোইম্না ।।
লাইমিংথোই মরুগী লাইলৈমা ইমাগী মঙাইপুম্বা—তাকপিও।

মরু ২ পাচু লোইরিন শানরশি নেংদমলক্লেদো থৌম্লেংকমদা শাংথা লেংথনা তাইরসিদো—ম্লেংঙশি ম্লেংঙশি ।।

মক ২বু পাহুনবা চোংখোং কোইবনু লোইরগুনা মপুগী খোংবন চংশেদো হৌজিক্তি ডাঙবোইলাই থাবনা মকগী কাইরেলবু কোজিলবগু নিংশিংবা শাখোকশে—শাখোকশে শাখোকশে ॥

লাইবুংথৌ লাইউলবা মকী নকী মপাবু হোংনদনা শাংথা লোংথরশে—লোংলগে লোংলগে ॥

হৌজিক্কী পাওজেলগী থৌদাবু নিংশিংনা পাচু পাওশানা চিরা ৪মু শানাশিদো—শানাশে শানাশে ॥

হা খেক্ পাওশা হোৌবা

চিংউ মতাইরোই পুবা অসি কোরৌ অসিংনা কোরৌ মতানি চনবা থাজা ৭ বি পানবনিদো—মানি মানি ॥

হুয়মতৌদা লৈখৌবাবু নিংশিংনা হরাও ভয়াম্না লৈকৎনখিবু হরিচং অসিদা পাহুনবা চাবনা অসিগু থোইমা য়াম্না লৈহাম্না পাচ্ পাওশাবদি পাওশানরিদো—পাওশানরি ২॥

অতুবু লাইবুংথৌ লাইরেম্বী ২না পাচু থাইনহুনা লাইবুংবু (শমচিন পুথাইনা) কোইরগা থাপ্রাং পাচ্ কাবা অসিদা চুংবোন অরা-বাখনবগী পাওশাদি নোংমতবু লৈরাংনদরিদো—য়াওদে য়াওদে ॥

অতুদি ওসিদি খোৌরম অসিদা (হাখেকুবু) পাওশানা কৎনশিকো—কৎশে কৎশে ॥

হাখেকু প্রাও প্রাও, হোপরা হৈ
হোরিংলিং লোমক থাওক ক ক ক ॥
কদি কোইচিন মকোইচিন য়েবা হজিন
লৈকোই পাচ্ লৈকানা নোংদমবু লৈপাইশে
য়াম্না হোইরা য়া য়া য়া য়া য়া নোংদমলে ॥

শওদা লৈবা লৈসংনা পুকমহুনা লাইবুংথৌ লাইরেম্বী পুরবক খোৌবম পোংলোই থবজিকুনা লৈহৌনমবদা বাকোক লৈহৌবাবু থিংথা পয়ম পুদিংমক ভাকপীও হুয়মতগা থৌবিরা থোরোইরে ॥

৬ নি চনবা মরোং থাক্সা ৮ নি পানবা

অতিয়াগী থোখনগদবা কোংচিংলেম্না কিরোন মচ্‌ চংমথাংনা তমজনা শেত্তনা মাগী লোইনবা শারোই ২৮ গা লোইননা নোংদম্বগী কিংশং লৈতেংলে ॥ লৈশিরেল ইমাগী থোখনা চিংথৈদা লৈবী কিশেংনা থোৱাই পিচা শাকোং শারৈগী মচ্‌ বচ্‌ চংমথাং লৈচংগী কুমখিন পোংলোই কিবান্সা শংবাগী মিংমু শাথোক্সা য়ারি চনবনা লাইথন কাপী, পুরেল লৈচাও হাপনা লাইরেম্বী ওম হ্রীং হ্রীং ওম পুকশিথোম্নীনা মাগী লোইনবী থোগন পাওচংলী (ওম লাইলৈমা থাবি য়াংদেঙ্গা, ওম লাইলৈমা খোংহাইবীগা) ২ বু লোইনচুনা থোখন থোরবু থোপুরে ॥ লাইলৈমা ২ না লুপিত্তগী লৈহৌনবিবা থোরবু নিংশিংনা থোখঙ্গবা ওইনা অতিয়াদা য়াকংলগা নোংদম্বগী অহুম্বী থোরবু কোইবগা অতিয়ানা পাওশানা তাহন থংমল্লগা অমুক্কী থবক থোরোইরে ।

৬নি চনবগী মরোং নুমিৎকী নুংথিলগী থোরম

শনিক লাইনৌ তাবীগা হৈবোংলৈমগা ২ না মরু ২ পী অহুগা নোংদম্বগী অনোইলোল থোখল্লে ॥ মাইকৈ ৪ হোই লাওনা লাক্তবশিংবু হৌদোরে থংনবা পাওচেন্নে ॥ মরু (৩)গা লোইননা লাইবুংথৌ ৯ লাইরেম্বী ৭ কা চিংউ পুম্বগা লৈলাংলে ॥ কুমখিন পোংলোই থাংশেংনবী পুরেল লৈচাও থেংপী লাইলৈমা ৮ না মখোং পুনেমকমদগী হৌনা মচুংদা থাং চুঙ্গোই ওবা ২ শেনথক শেঙ্গা পুরিবীগী মাংদা টা চু পায়বা, লিরুং, ঢেন পায়বা খুং খোংবা, খোইরৌ লিথংপনা মাং থানা লৈরে ॥

কৌব্র, লাইচিদগী হৌনা চোং থানবা ২ না লুচিংনা উলুক পায়বী ২, হুয়াই পায়বা লাইবুংথৌ ২গা মথং মথং লাইবুংথৌ লাইরেম্বী ময়াম্না শন্নথনা লৈরে । লাইবুঙ্গী মাইয়োকথা হৈন্লৈনা লৈকংলে ॥

লাইলৈমা ২ না অনোইলোম্না অশৈবনা শৈশক্না মরু ২ বু থাকোথোক্লনা থৌরমগী লুচিংনবা লেপ্লে ॥

লাইচিদগী মরু ২ গা লোইননা চিংউ পুম্বু চিংথংলক্লনা মপ্লোংদা ডাইরিবশিঙ্গা শরহনা লাইবুংবু ২ রক কোয়রে ॥ (৩)লক ভূরকপদা লাইচিদা থাম্মগা অশৈবনা হোইরৌ লাওহনা লৈহৌ-থিল্লবু থৌথনা শৈশকলক্লে ॥

লাইনৌতাবীনা পাওশাররে—লাইমিংথোই লাইলৈমা মগুাইবোই পুম্না মরু ২ না লুচিংনা লাইবুং ময়াইদা লাইবুংথৌ লাইবেরী ১৪ গা লোইননা অনোইলোনবু শাথোকনা তেংবানবা মপুগী থৌথনবু অশৈবনগু শক্লি ঐখোয়গু পাওশানা নিংশিংশিকো—হায়বিগু ২॥

লাইমিংথোই অ'শিবনা উরানলমদাইদা হায়বা

উরিপোকপা লমলুংশি য়েংথম থোংকাং খুডোম্না লৈনেংপা
ক্রুমচাওলেল মমডালং কুরুম চাওবু কম্বাল কাইরেল লাংনা লমকনবা
লমলাল পুংবু কোলজিলনা কংলৈ পুংদা চাক্লাবা
কংলৈ থেলগি চিন্না চিথেক মরিদা কিয়াল মরি যুংহনা
অবাং কাইনালোক চিংথৈ মরিদা কিয়াল মরি যুংহনা
অবাং কাইনা লোক চিংথৈ লৈনা মুংবু থোয়েংনা কোলোইচিংথাংনঙবা
মৈতৈ লৈমরেম্না খুন্দাম্নবা চাও, লৈবা নিংনাইদবী খুন্দানচাও,
চাও, মরি থবাক চুম্বাই নালুমলেং,
তাওইনা লুমলাং কিশি লৈনা খুন্দানবা,
থবাং কৌবা লোকতোমপোক চরৈ কিওৌ কিকৌ চাও,
চারি মপান থা, নোংদম মউ লিংবা চাও,
পোইরৈ য়াংলৈ তাওবা শাকপচাওনা নমঙা ওইহনা থেঙগ্রংচাও—
কৌক্রু চাও

কুরুম চাওদা কাইরেল থানা লমকলবা।
নঙ্গী ভাক্তনি য়াম্বনা শিনশু শিল্লংবা পুম্বশে
কাইবেল শিলথোং চালুপ অমগা নিপানবু শুনবা
শিন্না থৌপুবমগে য়াম্বনা শিনশুববু
কংলৈদা ফন্না মিৎয়েংবিনা পোথাবিও
পাওশানবিতুনা মরু অনিগী নাক্তা মনাওবু শিন্নেদো—শিন্নবিও।

লাইমিংথোইনা নোংচুপ উরাল্লক্লুনা নোংপোক থোংবু থিংনবা পনশা ৯গী হৌফম্বু থুংদাবিবা ককই ইরাংডনা লৈকম খুদিং শিন্না লেবা উবদা য়াখন খজিক ডকচাননা লৈদে—লৈহনবিও ॥

থেঙ্গুগী মথক্তা পনশাব

খৌবম্ব লৈখাবোন্দা পুবিবা (হুং লৈরংলেল লৈপুবা) কৌবনা উরতুনা লাইমিংথোইসিদি লৈপুনবা মশকপু কৌথোক্লবা। মশক অতুনা লৈনাইবেন্দা মথংলেংনা থোক্লনা লৈহন্নবা য়াক্তুনা থম্মগা কাওরেদনা অতুদি মাগী ফালম্বু থৌপুদবা য়াদ্রে খন্দুনা লাইবুংথো ২গা লাইলৈমা ৮গা লাৱৈ থানা থোক্লনা থেঙ্গুং চাওদা য়াৎলিবা মফমদগী (ওম থুক হুংখিকশৌ ওকলাববু) কৌথোক্লনা চিংউ (০) গা উনহন্দুনা শিন্নরেদো—শিন্নহনবিও খংজগে ॥

লাইমিংথৌই কোম্বনা য়েংলকপদা হুংখিদো—হুংবিও ॥

নখোয ৪ দি কদায়দগী করি ভৌবা লাকপনো? "লাইমিংথোইগী পনশা লৈহৌফম্বু ওইজরু তাকপিতুনা কৈথাদা লৈবা মরুনা লৈযাৎপিবম্বা থেঙ্গুং চাওদগী কৌথোকপিহুনা থাবিরকপনি হায়খিদো—হায়বিও ॥

ঐগী ইশক্তি ওম থুক হিং খিকশৌ কৌবা ওকলাইনি। ঐগী ইথক্তা পনশ ৯বু লৈহৌ লৈথোনবিও হায়দো হায়বিও ॥

চিংউ নখোয় (৩) না কদোবা ?

লাইমিংথোই ঐদো (ওম শুরাইমিংতোংবা) কৌএ ॥ মানা (ওম চাওরা মপালখিবা) হায়বহুনি ।। লাইলৈমা ইমা অসিনা (ওম লৈনুং পিসিন্নু) কৌবী অহুনি ।। লাইমিংথোইনা ওকলাইগী মথক্তা পনশা মথক্তা লৈনাপুনা নোংপোক থোংবু থিংবদা মখুং মতম চাদনা নিথাইদনবা শৌরা ওইনা লৈমু থারকপনি হায়দো —পুহল্লো ।

পাওশাবু তাবদা লাইমিংথোইনা ওকলাইগী মথক্তগী হৌনা নোংচুপকী পনশা ৯ বু নাপ্পা লোইরহুনা নোংপোকথোঙ্গী থিংনবা মকম্বু য়াংকদবগী য়েংলকলেদো—য়েংবিও ২।।

লাইমিংথোইনা থা পাংনা নোংচুপ চীঙশাংবু মশক মখেং মামনা চীঙদোন ৭পু য়াংনা থমলেদো—থম্বিও ২।।

য়াংশবু লোইরগা মশানৌগী খুবমবু থাববু করি কবয়া থাশিগে খদহুনা ওনিক তু চুংনা তাহাক ভাওচংনৈদো— ভাওহনবিও ।।

করি তৌরিবনো মখুং মতম নত্রিদ্রৈদা য়ায়েংলাই কনানা কদোবা শাবা খন্দুনা অমুক অরাং পাংনা চোঙ্গালক্লেদো— কাহনবিও ।।

লৈহৌ থোরম্নু নিংশিংনা মরু ২ না লুচিংনা লাইবুংথৌ লাইরেম্বী ১৪ না নোংদম্বনা কৎলিদো—কংলি কৎলি ।।

অরাং থোংকারকপদা চীঙদোন অমতনা ময়াইদা অনিথোক্লা চেশাইহুনা লৈরম্মেদো—লেহনবিও ।।

(নোংচুপ ভাপ্রতমলিংনা নোংপোক থোং য়াংপা)

লাইমিংথোইনা হায়দো, ইতম নতম্নু ওইদ্রিদ্রৈদা করিগী থৌহৌবা হায়হুনা চেখায়রম্বা চীঙদোন ২বু থোংতনা তাশিন মেনশিনবদা কোরি মচু মানবা মকোক মচিন মমৈ পানবা কোংয়াং চৈগুম তাহুনা লৈদো—লৈরি লৈরি ।।

হুংভারেল ভাপ্রুম নংদি করিগী থোরকপা হংবদা হুংভারেন্দী লাইমিংথোইগী মথোংদা চংহুনা লৈখিএ ।। অয়েং অথোং লাই ৭তি থোরক্লুনা হায়জৈদো — হায়হনবিও ।। ×

হিগাই খিঙ্গাইলাই ৭ না লৈফম ঐখোয় ৭ কী থোংচং থোকফম ওইজগে নিখিদো— নিহন্নো ।। ×

থোংকম্বু থৌনিহৌম্রবদি লাইমিংথোইনা থো' খিংগ্রগা ঐখোয়না করম্না চংবা ভমগদবনো কুবিও পাওখুম লৈনি তাবদা লাইমিংথোইগু ভাহাক ভকচানিদো — ভকহনবিও ।। ×

লাইমিংথোইনা হুং ভাবেল নংনা হুমিশা লৈরিবনা কদোবা— হুংভিদো ।।

ঐবু করি মাথুম্ম হায়বনো থংজদে— খুম্মিদো—খুম্মি ২।।

নংবু ঐনা তাথোক লুবকনিনা নংনা ঐবু কংলৈদা মরুগী নাক্তা পুরো মরম অসি মাহংদবা য়াদে হায়দুনা হুংভারেন্দা তোংজুনা কংলৈ থোঙ্গাবক্লুনা রাকংলেদো — রাকংহনবিও ।।

রাহোম রাবু তাবদা মরুনা হায়দো, "তেংবানবগী মুংতাই য়াইফা অবা অনং পৌপুবা নওাম ৯ গা পাওশাবু পুনা য়ৈখিঙ্গাই ৭ না লৈনিবনি, লেভখা পুম্নাক ২ফমদা সিন্দুনা নোংদমদবা য়াদবা চিংউ মরু মণ্ডাল ৯ না ৮ দা লেপ্পরিবনিদো পিদবগু য়াদে ইনুং ইভমগু নত্তরি, থিংদবগু যাদে" নো দমথিদো—নোংদমহনসো।

নোংদম অসিদি কাত্তবগু যাদে থিংদবগু যাদে থৌরম ১ থোক্লা নোংদম্মিদা রাথন্দুনা হুন্নকইদো —হনহনবিও ।।

লাইমিংথোইনা মরুং মরেং শিন্নবা মহাত্তি মহাক ওইবা কং শ্রীং হ্রীং মাবানা মুংবাথেন্দা হাপ্লুনা শ্রীং লাইমিংথোই মোংচুপ মরু অশিবা কদোরিবনো হুংভারেলনা কাইরেল খুদা ওইদুনা থোংভাক লৈফমলো কৌথাক্লুনা লৈফম্ম (হুংভারেল ভাপ্রুমলিংবা) কৌনা থৌলিংলেদো—লিংলি ২।।

লোইচিঙ খুবম থাবা

লৈঙাক্লবগী থোৱম্ লোইরহনা পরম অমবু চৌনা নোইরক্লে পাওশাপেকো—শাখিও ॥

চিংউ মণ্ডাইরোই পুপা—করি হায়রবনো ॥

থোংঙাক লৈখিংবা লোইরহুনা লাইমিংথোই থোরক্লেদো—থোকহনবিও ॥

মকম অমবু থেংনহুনা চীওগী লাইমিংবু (মকুবিচীঙ) কৌনা লুতুঙ্গী খুবম্ য়াংপিরম্মীদো—য়াংপিও ॥

য়াংপা হৌরকপদা মুংবামহারাবানা চংলক্ল্না মাগী কাইরেল লৈফম অমতাদ পিনবিম্ নিখিদো—নিবিও ২॥

লাইমিংথোইনা খুবম্ (লোইচীঙ মকুবি চীঙলেন) কৌনা লৈহুল্লিদো—লৈহুল্লি ২॥

খুবম্ থারবদা মুংবামহারাবনা (ওম হুই সনা বা হুই মাং চিংউ কোরোহনবা হুং রারিং) কৌনা ফমলেদো—ফমলি ২॥

থোরম্ উরহুনা মুংমু তুমদ—মাংদবীগু চংলক্ল্না মাগীগু লৈফম অমতা পিনৌ নিখিদো—হায়হনবিও ॥

লাইমিংথোইনা "ইমাগী কাইরেল ঙাও নি খুাইদাবা মকমদা নঙম্ হাপ্পিহুনা লৈবিও কংলদো—কংপিও ২॥

লাইমিংথোইগী পাওশা তাবদা মুংমু তুমদ-মাংদবীনা (ওম হুময়ি খিংথবী চাঙলৈমা আরৈনু) কৌনা লারৈ লাথুপনা লৈরেদো—লৈরি লৈরি ॥

থোরম্ নিংশিং থাগোম্না মরু ২ না লুচিংনা লাইবুংথৌ লাইলৈমা ১৪ বু আনোই শাথোকনরক্লে পাওশাগে তাওদো—তাজগে শাবিও ॥

লৈকম অসিদগী লাইমিংথোই থাম্পাংনা তুমলক্লেদো—তুমহনবিও ॥

চীঙলেন অমবু যেংহুনা চীঙগী মমিং খোল্লমদবা য়াদে হাপ্পহুনা মমিংবু 'কোং কুক ফেং ফেং, কোং কুক ফেং ফেং, কোং কুক ফেং ফেং কোং কুক ফেং ফেং, কোং কুক ফেং ফেং মুরাও চীঙলেল পোক্লোকোল) কৌনা থনম্মগা খাপাংনা অমুক কুম্লক্লেদো—

থনম্বা চীঙলেল চীঙদোন ৭ লোংবদা থুংলেদো—থুংহনবিও ২॥

লাইমিংথোইনা লুমলাং থানা চীঙদোল ৭ পু য়েংনা খল্লিদো—খলহনবিও ২॥

চিংউ থাংজিংগী কাঙবেল চাও খাবা

চিংউ মঙাইবেই পুম্বা—হায়বিও ॥

লাইমিংথোইনা হাবাথেন্দা (হ্রীং) লাইয়েকপু তুবং হৌনা থমলেদো— থম্বীও ॥

কংলৈ থেলপুংদগী (ক্লীং) লাইয়েকপু শাথোক্না চিংখল্লুনা শ্লীং লাইয়েক্তা ত্রিলুথানা লম্মাহানবদা মকপী নাক্তা লৈরিবা মশ মৌ কোজন তুথোকপবু নিংশিং খাগোম্না তিললু থাবা লাইয়েকা তিলু থানা মঙম তরং গৌনা খাকৌনৈদো—কৌবিও ২॥

ওম চিংউবা থংনারেল থাংজিং নংবু কদৌরিবনো চিংউ কোইরেললাই ইশানৌ ককথাপ অরিবা চিংউ থাংজিং মঙ্গী কাইরেলফমু থাগে অসিবু খোইদাদবরা থোয়েংলো কৌইদো—কৌবিও ২॥

মিরেল খাকৌবদা তরং হৌনা থোরক্কনা করি তৌগে হায়বনো বাহোম্মিদো—হংহল্লে ২।

চিংউ থাংহিং ভাংঙো ই কোইরেললাই চীঙলেল লাইমিংবু (ওম শাক্তোনবা লায়োন লাংদবা) কৌবা মাপোম চাংদোন ৭ অসিদা চিংউবা মঙ্গী কাইরেল লৈফম ওইহনা নথৌ নঙম শাকোং শাখোক্কনা থৌয়েং লৈঙাক কেংবাংঙো নোংদম্মিদো—নোংদমহনবিও ॥

থোৌদাবু তানফংলবদা চিংউ থাংহিং ঙাংঙোই থাংজিং কোইরেল লাইনা মহাকি মহাক ওইবা অমা শাংখোক্লদুনা লাইমিংবু (লাইবুংথৌ শারোই) কৌনা চিংউ ১৭পু শাংখোক্লদুনা নোংদম্বিদো —নোংদম্বি নোংদম্বি ॥

শারোই (ওম চিংউ য়োক তিংকংরিং সংতে মৈরিকপা হাংশে) কৌবা শারোইনা শারোই ১৬ অসিগী শারোই লুচিংবা ওইনা লাইমিংথোইনা শিল্লংনারবা থৌরমদা অয়েং অখোং মৈখাই থিরাইবা খোংদারকপবু ঙমদনবা অসিদগী থোপুাশ নোংদম্মা লৈরেদে।—লৈ লৈ ॥

থাংজিঙ্গী পাওশা নোংদম্ব, তাবদা লাইমিংথোই অশিবনা " হে থাংজ, নঙ্গী কাইরেল ফম্বান ৭ অশিদো লম্বাহানবা কংলৈ পুংমায়োনগী ইশাবো কোজন চুখোকপগী ফম্বাল চুকলেল ৪ গা মম্থোং পুমাবা চুকখোং অমা ওইরেদো। চুকলেল অসিবু পুবা চংউ নঙ্গী লাইমিংনা (ওম উই ফ্রাং চিংথংশ্রো) চিংউ থাংজিং লৈরাংনা মিরেনবু থাকৌনবা ওইরশন্ন নঙ্গী কাইরেল ৭ পু চুঙ্গীদমক খুম্বং থানবা ঐও শিম্বারগে চিংউ নংও থোম্বুরো নোংদম্মা ফমলেদো—ফম্মি ফম্মি ॥

কংলৈদা (লানবোম লানকা লানঙম) শৈশক্লিবা মকম্বা মইম্ব, থাজা কুমজা খুদিঙ্গী অনৌ ময়োল চোংনবা ফুংলোল অমনা লুচিংনা ফুংলোল কয়ামুক শাখোকহল্লিদো—শাখোকহনবিয় ॥

ফুংলোন ২ বু লৌদুনা থাংজিংগী কাইরেল ওইনবা থাবিদো— থাম্বি থাম্বি ॥

ফুংকাল ১ মা পাময়ন উপাল-১ বু শাখোক্লা অমিংবু (উখুম) কৌনা থারেদো—হৌম্বি হৌম্বি ॥

উখুম পাম্বিগী মনাক্তা তোমশোল মম্রিল অমা য়াম্ভনা ফুংশিংলম (৩) থারেদো—লৈয়ে লৈয়ে ॥

লৈথুল ১না চিংথোদা ফাওনা থেংহ অকোইবা ১না মথুম থুরুনা থমলেদো—থমলি থমলি ॥

লৈথনল ১না মমাই পাকনা কুৎপা থোঙ্ ১ না থুমলেদো—থুম্বিএ থুম্বিএ ॥

থোরম্ব নিংশিংমা মরু ২ না লুচিংনা নোংদম্বী থোখনবু কংলিএ—কংলি ২॥

লৈথুন ১দি থোঙ ১না থুমোক্কি মশকপু শাথোক্তনা থুবম তমজনা অনোই থোখনব শাথোক্লক্লে—শাথোক্লি ২॥

লাইমিংথোই অশিবগী থেরমু ইমা ইথৈলেল—লৈশিরেল লৈপুবী—থুংমু তুমদা মাংদবীনা মশকপু লারৈ থানা (ওম) লাইরেক্লা নাওয়োম থানা লাইমিবু আং উং সো রোং পি পিমথোবী) লৈহুমা নোংপোক লমদগী থেক্লকতুনা বন্থোং পুনেম্বা চীঙশাঙদা লাকতুনা (মঙমবু তর হৌনা) শাথোক্লরেদো—থোকহনবিও থোকহনবিও।

লাইমিংথোইনা চিংউবগী থুবম ২ বু মাৎপিরগা থুবম ১দি চিংউবা থাংজিং বন্থোং চুকথোং পুবনা কমদে। ১দি হাংমা লৈরিবা অশিবু ইবাগী কাইরেল ওইনা থমজগে নিখিদো—নিহনবিও ২॥

লাইমিংথোইনা ইমাগীদমক তমা থমজবনি কুবি লৈকয়ীৱ কংলিদো—কমলি ২॥

লাইশঙ যুমকমগী মনাক্তা লাইমিংথোইনা (ইকোম ইফু) ২ফু মাঙনা থম্মিদো—লৈমি লৈরি ॥

ইকোমসিগী মঙম্ব থংনবা হায়গে তাওকো—হায়বিও ২॥

ইশাইবু ১না শোক্তনা থকউবদা তুবি পাথোক শাইওনবা মঙমু হাপলেদো, ইথোং ১ না ওনখিবা তুবি অহুনা অহানবদা লৈরবা মশকপু হপ্তিরবা মঙম্ব হাপ্পা থম্বনিদো—মানি মানি ॥

কাইরেল মহুম—লাইশংগী মনাক্তা ইথোং ইচেল ইথোক-লক্লবা থৌহু মুঙ্গী (খোইপুং মানবা) অমা পুথোক্ল্লনা ইথোংহুগী ইশিংবু থোক্লবা মউ লেমফু ১ থারেদো—থারি থরি ॥

ইথোং মক (খোইপুং—মোইবুঙ্গী মশক মানবগী) মথাদা লাইমিংথোইগী লমজৈ ৬ না কোইবা লৈকম ১বু য়াওনা লফুগী মশকফু শাথোক্লনা থাবিরেদো—হৌরি হৌরি ॥

লৈকম অসিবু থংমালেল থাংজিংগীদমক্তা নোংজন্না তোমশোন ৪ বু য়াংবা লাইমিংথোইনা থমখিবৰু নিংশিংনা শাথোরক্লেদো হায়গে তাওকো—হায়বিও ২॥

অবাং থংবদা লৈবা তোমশোল খোংলমগী মমিংদি (ম্নাথোংমানবি) কৌইদো—কৌই ॥

মুংগুক য়োংগুক পায়বা চিংউ থোংঙাক লাই অমা শাথোক্লনা ঙাকহল্লিদো—লৈরি লৈরি ॥

তোমশোন মরিন ১ দি মহোং পাংবা লমদা খোংদাজবা য়াংপানিদো—মানি মানি ॥

নোংচুপ থংবা তোমশোন মরিনগী থোঙনা নোংচুপ লমদা খোংদা লৈহন্নবা থোঙনিদো—মানি মানি ॥

নোংপোক পাংবা তোমশোনগী থোঙদা থোং ঙাকলিবা (য়োংগুক মুংগুক) পায়বা চিংউদো লাইমিংথোইনা মেংথংবা কৈকল মকদগী তাথোক্লনা লাইমিংবু (ওম থংগ্র) কৌনা থম্লিবনিদো—মানি মানি ॥

খোংলম অসিদো চিংউবা থাংজিংগী লাইকোলদা থুংনবা খোংনিদো—মানি মানি ॥

থা পাংবা হুৎকুনা থোং থিংলিবা অশিদগী ওই থাবা কৈকল মকদগী তাথোকতুনা লাইমিংবু (ওম মংগ্রো) কৌনা মুংগুক য়না ঙাকহল্লিদো—ঙাকলি ঙাকলি ॥

খোংলম অসিদো লম্মাহানবা কংলৈদা খোঙ্গানবা খোংনিদো —মানি মানি ॥

অহুমশুবা ফম্বাল চ্নুক খোং থাবা

চিংউ মণ্ডাইবোই পুম্বা—হায়বিও হায়বিও ॥

অনোই খোংলম অমা হোংনা শাথোক্লরক্লে পাওশাংগেক্কো—শাবিও শাবিও ॥

মশানৌগী মিরেনগা থাংজিংগী মিরেমগা তিলু থানা মিংহনবা চিংউ থাংজিং (ওম স্না নোংনাং খৌ তরেংবা) থংনরোল৹ ওম উই ক্রাংচিংথংশ্রোং) মিংহুম্না মাশানৌগী কাইরেল খুবম চুকলেল মখোং ৯ ওইনা থমখিবৰু নিংশিংনা নোইবনিদো—হায়বিও ॥

লাইমিংথোইনা (শংকুরৈ লৈরাংবু) পুংথাক্না শগুলেম মহুম লাইশগুগী মনাক্তা থাইদো—হৌবি হৌরি ॥

অনিগী লোম্নবা মরক্তা ইকোম অমা যাওনা থম্বিদো—থম্বি থারি ॥

মনাক্তা মুংফান (ওবু থাবে—থাবি ২॥

মুংফাল ১দি থাংজিংগী কাইবেম্নিদো—মানি ২॥

মুংফাল ১না লাইমিংথোইনা স্নাগী মশক্তা শেমজুনা মশকপু চিরবান মৈথু লাংনবা (কাংচুপ) কৌনা থাংজিংগীদমক্তা থম্বিবা মুংফাননিদো—মানি মানি ॥

১দি (স্না লুপা৹ হী য়াইবু) শাথোক্নবা মিরেল থাকৌকম্নিদো —মানি মানি ॥

লাইমিংথোইনা (শ্রোং হীং খোম্বীমা) কৌবা শিদবা মউ মপাল ৬পু পুথোক্নুনা থারেদো—থাবিও ২॥

মশকপু থংনবা হায়গেকো—হায়বিও ২॥

মউ ১দা মানা ৭ (তরেৎ) পানবনি৹ মশা মউদো মচনু ভাবনি৹ মউগী মকুনা ভাংবনি৹ মরানা ডৌবনি৹ মপালবা শংবনি

মইরেনা মুনা য়ানবনি মনাদি খুৎনাএবিমুক পাকএ শাংঙে, মচুনা বাওথাংনবনি খংশিকো—খংলে ২॥

শানা খোংনাং মিংহুনা পাযেল ১ ও পুথোক্লনা মনাক্তা থায়েদো—হৌরি ২॥

মনাক্তা (কুম কাংদবা ইকোম) অমা তৌহুনা থমলেদো—থমলি ২॥

শিদবা উপালগী মনাক্তা সুংকান ২বু থাবিদো—থাবিও ২।

সুংকান ১না হুংশলাইলেল অমহা মকগীদমক্তা থাবনিদো—মানি মানি ॥

অঙৌবা থৌহু মঙম তরং হৌখদো (নোংক্রেংশোবা) কৌইদো, মকম অহুদা (শামু অঙৌবগা, লাইরমলেম্বি শিংদিন্দবা লাইমাংশিংবু) মিকো শাথোককমনিদো—মানি মানি শাথোকখি ॥

থৌহ অরাংবা ১বু (ভেককিকি লোইহিং) কৌনা কাইরেল থারকপবু নিংশিনা মক ২না লৈবনশকইএ—লৈহনবিও ২।

(লাইমিংথোই নোংশাবা পুথোকপা)

কাইরেলবু শাহুনা থমগা ৱাকবা চিংউ পুথোক্লবগী রাখনবদা অহিং ১গা সুংখিল অমগা চুপ্না লৈখিববু নিংশিংনা নোইরক্লেদো—নোইরক্লে ২।

নোংঙাল্লবদা লাইমিংথোইমা মহাকি মহাক অমা (আং হ্রীং ক্লৌ ক্রোং হুং) লাইয়েক ৫না নাওয়োম থানা ওম চিংউ থোংনাংনিংথৌ নোংশাবা) কৌনা কাইরেল থারেদো—থারি ২॥

নোংশাবগী মকমদগী হুংনা খংনবা শাগী মকোক ওইবা মশক ১বু শিরেদো—শিরবিও ২॥

লাইমিংথোইনা থাংজিঙ্গী কাইরেল ৭ পু মামনা মশকপু থংনদবমখৈ শেমজুনা তুংদা লাকদবনু য়েংনা লাইবুংথৌ ৯ শি কাইরেল ওয়া শিরৈদো—শিরৈ ২।।

করি করা য়াংলিগে হায়না লাইমিংথোইনা খল্লিদো—খনবিও খনবিও ২।'

নিংশিংলকনা লাইমিংথোইনা থৌহু ৭পু লৌতুনা তক্লীদমক থাবিদো—থারি থারি ।।

মুংকান ৭ কি মঙমা ম'লেম শিংবা থুংনা সনা, লুপা, কোরি, শেঙ্গেং পিথাই তমকা, মনিকপু চাইনা পিননবু য়োংদমা লাইমিংবু (ওম ঐং হ্রীং শ্রীং ক্লীং) লোইহিংনু চাকশোনী, তেংবানববু মুংঙাই কাইক' নোংদম্বী) লৈহুমা থমলেদো—থম্লি ২।।

চিংউ মঙাইরোই পুম্বা তারিবা—হান্নবিও ২।।

মরু ২বু অনোই পরম অমা হোংনা অনোই শাথোরক্লে পাওশাগেকো—শাবিও শাবিও ।।

লাইমিংথোইনা নো চুপকি পনশা ৯গী লৈনাগা থা মাইগৈদা হাপকদবা পনশা ২গী চুম্বিন—চুহিং হাইনবা লাকয়েনবু লাংদাইনবা চিংউবা পনশা ৯ লৈনা পানববু লাইমহুনা চিংউ পুম্বুগী থুমবু তমলক্লেদো—তবীও ২।।

চুহিং হাইনবা পনশাবা চীঙ্গী মমিংবু (ওম লোংলোং হাই হাই) মঙ্গোংমিংথোইগী কাইরেল চীঙ কৌরেদো—কৌই ॥

চীঙদোম্বা মহুম লাইশঙ শানবা কাইরেল কম্বু য়াংলেদো —য়াংলি য়াংলি ।।

শঙলেনকমগি ককথোকপু য়াংনা বাই মঙা পাকপা থৌহু ১মা মুংথোংবু খিংলেদো—খিংলি ২।।

লাইথন তাবা মুঙ ১বু শেমজুনা মঙ্গোং পুমাবদী মহুম লাইশঙগী থোঙবু খিংলেদো—খিংলি খিংলি ।।

উয়ুং কৌবা পাঃমেনবু পুথোক্লুনা চিংখোংদা থারেদো হৌরি হৌরি ॥

ভুংদা কম্মগদবা থৌরবু থোয়েংনা যম্থোংদগী থা পাংবদা চিংবাগী মহুম লাইশঙ ১ও য়াংবা থমলেদো-লৈরি ২॥

খাদা পনশা ৯শাগা অবাং থোং খিংবা

লাইমিংথে ইনা মহাক্কি মহাক ১ও পুথোক্লুনা লাইমিংবু যম্থোং মিংথোইনা নোংলাইগী মঙ্গুংদা লৈবগী লাইমিংবু (ওম শাওলা হোং পিংলুপ ও ও ও শনা খিং কারংবা উংঙা হুংঙা) লৈহুনা মকপু শিন্নহুনা কমহল্লেদো—কল্লি কল্লি ॥

লৈহো পরম অমা মরু ২ গা লাইবুংথৌ লাইরেম্বী ১৪গনা নোইররক্লেদো পাওশাগেকো—শাবিও ২॥

লাইমিংথোইনা হৈতৌফম্বু য়েংলকপদা লৈতাদ্রবা ওইবমা ওহাক ওকচানববু কংলৈদা কম্মীনা মরুনা উরহনা থেংগ্রুং চিংদগী লাইমিংবু (ওম লো ভোংকে মশেং চিংঙ শামু লাই নংদি কদৌরিবা নথৌ নন্নম লাক্লে কৌথোক্লুনা থারক্লেদো-থাবিও ২॥

মশকপু লাইমিংথোইনা উবদা কনানো কংঙিদো-হংবিও ২॥

খা-গী পনশা ৯ নাপ্পবু ঐগী ইখরুগী হৌবহুনা য়ুচেংবগা থৌবি লৌকানবিগা৹ পীশাভাওগা ঐথোয় (৩)না শৌরা শানা পুজগে খুম্মিদো-খুমহনবিও ২॥

পাওশাবু তারবদা লাইমিংথোইনা পনশা ৯গী লৈনা পানবা লোইরেদো— লোইবি ও ২॥

মরুগী মঙাইবোং পুম্বা মরু ২ বু পরম অমা হেংনা লোইররক্লেদো-হায়বিও ২॥

লাইমিংথোইনা নোংপোকা থাগা ২বু চুম্নিন হাইনবা পনশা ৯অমা নাপ্পুনা চীঙ্গী মমিংবু (ওম হোশ্বিক থা নৈরব পনশাবা নোংপোক লৈহো চুম্নিন॥ গাইনচীও) কৌইদো—কৌই ২॥

মশানৌনা কুকম চৌওদা ফম্বাল লাংলগা লমথৈ লনয়েংখিববু নংশিংলক্তুনা মনাওগীদমক্তা কাইরেল ওইনা থাগে খল্লক্তনা কাইরেল কম্বু (ওম হোবিক চিংউ খমলাং পনবাবা ওম হুং শ্রীং আং কাইরেল চৌঙ কৌনা চৌওশাং অকোইবদা যোংকি মশকম্বু থোক্তবা মালেম্ব, লৈথানা তুঙ্গী য়েংনা থিরো-থমলি ২॥

খা শাংনা লাক্তুনা চিংশাং নাঙ্গা অমাবু (অং রং তকুপ তরেংবা। চৌংলেল চিংউবা শুকমু খিংঙ্গৈ'ই ক'ইরেল থোং কৌনা। খারেগো—লৈবি লৈবি ॥

খাপুংলেম্দা অরাংথোং থিওনা খুবম থাবা

মরুগী মত্তাইরোই পুম্বাহাযবিও হাযবিও ॥

হৌজিক্তি মরু ২না লুচিংনা খাপুংলেলগী লাইমিংবু লৈহুনা চিংউ খুবম্ব, য়াংনা অরাঙ্গী থোং থিওখিবগী থৌরম্ব, শাথোক্তা নোইহুনা মপুং কুমৈবু ওইবিমবা নোইরকলিদো থৌরম্ব, মিংশিংনা শাওশাগেকো—পাওশাবিও তাজগে ॥

খা-পুংলেল চিংলেনগী লাইমিংবু (ওম হোরিক ওম হোরিক ওম হোরিক লুক নাক খাপুংলেল) লৈহুনা অরাং থোঙ্গারকপবু ওমদনবা থোওথিংলেদো থিংলি থিংলি ॥

চৌওশিগী চৌওদোম্দা মুংফান অমা থামা লৈতাক লৈকনবা খুবম্ব, খারেদো থারি থারি ॥

কাইরেল লাইশওবু শানবা থারিবগি মনাক্তা তুদা লাক-ওমগদবগী য়েংনা মুংকাল ৯বু থানা (উংপাই ৯গী) কাইরেনবু তমলেদো—থমি ২॥

মুংকান ৯ অসিদো মওম্ব, থাজা কুমজা খুদিংবু অনৌ য়েনিংবু হুদবা হুওনিদো—মানি মানি ॥

মনাক্তা ইকোম অমা ভৌহুনা থম্নগা থুদা নুঙ্গী ন-লোন্দা "পামেন উচানমু" পুথোক্না থাবেদো—থাবি ২।।

নমঙা ওইনবা মচু মঙালন্ন "অশংবা লৈচু শাথোকপা" থোক্ন অমা থাবেদো-- থাব্রি ২।। ×

অবাং পাংবদা নুঙথোঙবু থীংনবা য়াংলেদো য়াংলি ২॥

তুঙ্গীদমক্তা য়েংলা মনাক্তা নুংফান কাইবেল ওবু থারেদো —থাবি থাবি ।।

নুঙ অসিদা মঙম্বু তবং হৌবা নুঙনিদো, অমুবা লৈচুগী মশানানা।। নুঙী লাইমিংবু "ঙাহিং শাহিংথোক" কৌইদো "ঙারেগগা, ইবোই থরোবিগা" খোকখিবা অহনিদো—মানি২॥

মচু মঙাম্না লংনা ঙৌবা নুঙ্গী লাইমিংবু পুকমহি লৈহুন্দুনা হৌজিক শবে ঙাতেল, ঙাহৌ ঙানোই, পেংবা, থাযাক, থাবক, ঙাক্তেন, ঙাতোন অঙৌবা লেমলৈবু মিকৌনবনিদো—মানি ২॥

মচু মঙাল তবং হৌনা অশংবা, অঙাংবা, নাপু মচু থাওথাংনবা নুঙ (ও)গী লাইমিংবু "ঙাহিংপোক পুকমহিপোকপিশংম্নু" লৈহন্না লেমলৈ ঙামু, ঙাক্রা ঙথা, ঙচিং, ঙামহাই, ঙাথি, ঙাক্তিন, মুক্লাং অযাম্বা মিকৌনবা নুংনিদো—মানে মানে ।। ×

লাইমিংথোইনা কোইনা চক্লনা করি করা য়াংলিবগে য়েংজিদো - যেংবিও ২।।

চীঙ্গোল অসিদা থমগদবা ইতমদি হক্না ব্রাংলি হায়বমু য়াংলমদবদি যাদবা থৌরমনিনা নিংশিংলক্লনা থানবা য়েংজিদো — য়েংবিও ।।

অশিথোং খোংলম্ন থাবা

থা পাংনা লাইমিংথোইনা কুমলক্লনা তুঙ্গীদমক "থম্নং আমং থাবৈ লৈহন খোংলম্ন" হাহংনবা খোংলম অমা থা পাংনা খোঙ্গুম হাহংনবা থমলেদো — থমলি ২।।

লৈহন খোংলম্বু হাংলবদা চিকসখু পাওহংনবা নোংদম্বা থম্বু লোইবৰদা। লৈকম অসিনা চিংড কনাদা সিন্নবমশিবা বাথলিদো—খসইনাবও ২॥

লাইমিংথোইনা পিবুরুংদা নোংদম্বগী মহুম লাইশংবু থম্বলিবা মঙাওবা কাইরেল (লুমলাংথেল) কৌবা লাইশংদা (রাং) লাইয়েকপু থমাগা মশানৌবু নিংশিংনা (ওম রাও তো হাং হুং ওা ওম হেংকপ) কৌবা নংবু কমদৌরিবগে নঙ্গী কাইরেল থাৱে নাথোবু খোপুনবা ফমলরো কৌইদো কৌবিও॥

থাগোম্নরকপদা লাইপাখং অমা শাংথাক্লনা লাইমিংথোইগী ওইথম্বা থাংলেল (ক্রাং ক্রীং ক্রীং) কৌববু মখুৎও ওহনা পায়ন্থুনা লেপ্পুনা লৈদো—লৈহনাবও ২॥

মশক মথৌবু উবদা লাইমিংথোইনা নোংদম্বিদো—নোংদম্বীও॥

চিংউ রাং পুরেল (ওম হিং ক্রক ফা হিংক্রক কংফা) কৌবা নঙ্গী কাইরেম্নিবো। থাং পুংলেল "ওং হোরিক" কৌবা অসিদা চিংউ নঙ্গী কাইবেল ফম্বাল অসিনা ইশানৌ ছোলম্মা হানবা কংলৈবু কোঙ্গিন্নবগী ফম্বাল কাইরেলগী "চুক মখোং অমা ওইরবনি" নোংদমাখদো—নোংদম্বিও ২॥

চিউ নঙ্গী লোইয়িন খোথম্বা নহাকী নহাক ওইবা চিংউ "শ রোই শাহিংলেল চাকাবনা" লুচিংনবা শারোই ২০ অসিনা নোংদম্বু থোপুনা লৈমিন্নরো শিন্নরেদো—লৈৎমলি ২।

শাথেক লৈয়াং লৈথমফমদগী লাইমিংথোইনা "শিলংগু-ইংবাই থ রোইবা" হায়না কৌথোকতুনা বাংক্রেন নঙ্গী শাদোং-নিদো অতুগা (ওম দ্রং দ্রম) কৌবা অসিনা নখুৎ ওইরা নোংদমাখদো—প মরি পায়র।

থঙ্গদবাঃ— লাইমিংথোইনা খা পাংনা কুমলকতুনা থম্নুং আমং থারে লৈহন খোংলম্নু বাহংনবা থম্বা হায়বশেংাইবং ঐথোম্বনা অশি পোত থীওবা হায়না থওনরিবা অশিনি। করিগুম্বা লাই হরাউরিঙৈদা মীশি মীনা খোক্কনা য়েথোক্কবা য়াদহনা য়েথোক্লগা খা বাংনা লাল্লগা লোইবা তারবদা বাংব্রেন্দায়ন অমা য়েলাহং পীরগা লোইগনি। অদুগা অমনা হরাওরিঙৈ মনুংদম্নু মীশি মীনা খোক্কনবা বাংব্রেন্দা হান্না য়েলহিং পীহোরবদি শোমদা হরাওবা য়েথোক যৈশিন তৌরগা হরাওবা কায়দনবা হোংনহৌরবদি হরাওবা লোইদ্রি ফাওবা অকায়বা লাক্কে। তৌবদাদ য়েলহিং থাবা মতমদা বাংব্রেম্না শুবা ধ্রুম ধ্রুম কৌবা থাওনি হায়দুনা থাও অমদি পায়রগা য়েলহিং পীগনি।

মসিদা মুমগী মীশি মীনা থোক্লবগু মংথোং থীওবা হায়রিবসে বাংব্রেম্না থীওবীযু হায়জবনি। তৌবদদি মুমগী লান্ন থোরম থোক্লিঙৈদা মীশি মীনা খোক্কনবা অদুগা লৈখিত্রিবা অদুগী মথৌ মতম পন্দোম লোমদ্রিঙৈদা অকায়বা অমমুক থোক্কনবা হোংনৈ অদুম্ন মওংথাও থীওবা হায়না খওনৈ।

মওংদি নাকথা অবাঙ্গী ইচুমতাফমদা নত্রগা মান্দোপ থম্লগনা মান্দোপকী মনুং মনিং থংবা চুম্নগী মপাদা তৌগনি। হৈকক পানা, মৈরা, বাখৈশেল, থাও, অমা মনিঙ্গী মাইগৈদা লং অতৌবা অমনা নত্রগা থুদৈ অতৌবা অমনা শাংনা তিংলগা মায় মনিংওম্না ফমদুনা খিঙ্গনি। বাহৈদি মওথিও মওথোওথিও অশিথোও থিংও অচওথোও হাংও লাইগী হৈথৈ ৭। ৭ না পম্বাংলে, মীগী হৈথৈ ৭। ৭ না পনথারে থীও, থীও, থীওলবনি হায়না থাওদুনা মেৎলোমদা মতোমা চিংলমগনি। অসি তৌহোরবদি লান্ন-থৌরমহম্ন কাইরোই লৈহৌবা মীদম্ন মুংথাই য়াইফনা পালহোই।

শঙলেন লাইশঙগী মমাংদা (অশিথোং অচংখোংবু লাইমিং ক্রুং হিংহোখম সোহং) লৈহুন্না খোঙবু খিাক্তনা মমুং ইতম চাদনা খোং হাংফদে নোংদম্না থশিদো— থমলি থমলি ।।

তুঙ্গী শাথোক লৈঙম্নবগীবু ইনোংদম্না লাইমিংবু (খানা চাওবা। খাজিংম্না সিং থিক্লেল লোক নৌমুপা মিহিংচি) শাথোক কাইরেলকম নোংদমনা য়াংথলদো— যাংনা লৈরি ।।

মরু ২গী মঙাইংবাই পুম্না হায়বিও — ২।

খোইমযাই ইঙম্মু থেংলহুনা মরু ২বু পাচু লোইয়িল শাদম্না খোপুরক্লেদো ঙাইহাকপু থোঙাইকমদ থোংদনা কমসিকো— কমশে কমশে ।।

মরু ২না পাচৃ শান্তুনা চেংখোং কোয়না লৈবাংবা লোইরতুনা শঙলেন্দা চংতুনা নোংদম্বগী থোখম্না লৈত্রে ।।

হৌজক্কি তাওরোইলাই তরং লৈম্না লৈতানসিনা মরুগী কাংখোং ৪বু কোয়না লম্মাহানবরু পুরুম লৈপায়নথিবরু লৈনিং- শিংনা নোংদম্বগী খিংয়েংবু থোখম্নশে— থোখনশে ২।।

পরম্ব কায়ক-তেকফদে খুঙ্গাওনবা লৈকোয় থাগোনবনিদো —মানি মানি ।।

থিকশেং নহাইবা খোইরিকাবনা লাইবুংথো লুপ পয়েন্দী মাং থানা লুচিংলে ।। শনিক লাইনৌতাবীনা লাইলৈমা লুপকী মাংথানা লুপ ২বু মথং লেংনা শমথনা চোংখোং ৪বু কোয়না শাম্নরে ।। পয়েং ২বু হায়ঙ্গুম্না থাঞ্জাং লেপ্নরে ।।

লাইমিংথোই লাইলৈমা মঙাইপুবা হৌজিক্কি মাগী মাগী মপা মপা পাচম্বনা য়েংওইবম্ব শিন্দোক্না খুবাক খুতুনা য়ায়া তৌনা চিন্না ৪বম্ব লৈরাংশিকো— লাংশে লাংশে ।।

হো য়ায়া য়ায়া— হোয়া য়া য়ায়া ।।

চিন্না ৪বম্ব শান্নবা থুংলে মরুগী মঙাইরোই পুম্নমক হায়বিও ।।

হৌজিক্কী লাইবুংথৌ কাইলৈম্বা পরেংবু তুম্লু খাইনা লাইবুংবু কোইনা (হাথেকপু শৈরাওনা কোয়না থৌখনসিকো থৌখনশে থৌখনশে ।।

(শংজি থাইনা কোইরববু লোইরদুনা য়েংবা ওইগা কায়দনা চংলক্লুনা পোংলোই শমপোং লোইশিল্লে ।। লাইশং মমাংদা য়াকোকলোননী মঙবু চাওখিবনা শোইখিবা পুন্নমক ঙাকপিয়ু থৌনিনা নোংমগী থেংবোইরে ।।

৭ নং মশিং মকুনা পুবা থাজ ৯নি পানবা

মরু ২গী থৌখন চংনা ইনাগী থৌখল্লা নোংপোক্কা লৈবী মচু মঙাল্লা নোংথোংগী লৈচু শাথোকপী, ফিশেংনা অশংবা মচুগী কুথম্নিন থাংশেংপী "ওম ঐং ক্লং ওম" লাইরেক য়াবানা নাইরোম্বী "হঙাইবী কৌনীনা মাগী লোয়নবী "চাকশোনীগা চরৈন্থগা" লোযনন্থনা নো মন্তগী থৌখন চংলে ।।

অত্তিয়া মরুগী থৌখল্লা অশংবা মচুগী থাংশেংপা লাইবুং-থৌ অঙাইবনা মাগী লোয়নবা লাইবুংথৌ ১৪ গা লোয়নহনা থৌখল্লে । মশিং মকুনা পুবা হুমিংকী নোংদম্বগী কুমৈ শাম্নগদবা থৌরম্বু ওন্নাং লৈহনখিবা অতুগী মথাদগী হৌনা মথংলেংনা থঙ্গগে হান্নদা পাওপুরক্কনা লাইলৈমা পাও চৎপী ২না বাহোম্নে ।। ভেংপামবা মপুগী অযুক্কী থৌখনবু লোইহনা চঙ্গবা থৌরম্বু অতিবা মকুনা পাওশানা চিংউ পুম্বদা তাহল্লগা মাগী কাইরেন লৈহনকমদা কুন্নরে ।।

নুংথিলগী থৌরম

লাইরেম্বী লাইবুংথৌ পুন্নমক কানরক্কনা ফম্নরে ।। শনিক লাইনৌ তাবীগা হৈরোং লৈমগা ২না লাইশংগী মমাংদা মায়োকথা অনোই থৌখনবু কংলে ।। মতুংদা লাইলৈশিংশু

থোরক্লুনা অনাই লোম্মা মাইয়োকথা লাংলে। চিংউ খোইরি ফাবনা পুংচংনা লাইবুংথৌশিংনা শৈঙক শৈথুম্মা (হোই লাওহুনা) লাকপবা চিংউ খোইযুম তাইবং পুমমক কারকলো হায়না মাইগে (ও)দা লাওরো ॥

চিংথৈ মরু খোংনাং থাবনা (নমঙা লৈবু) কাইখোক্লুনা মরু ২দা ১দি ইরান লৈমাদা ১০ অহুমা লাইমিংথোইগা পাখংবগদ ১/১মম লাইবুংথৌ ৯ লাইলৈমা ৭ কদা লাংলে ॥ মথংদা লাইবুংথৌ লাইরেম্বী কারকপশিংদা লাইরকচনবু য়েংনা থিনা লৈলাংলে ॥

অশংবা কুমায়ন পোৎলোই শেৎপী কোলথাং শাককপা ফুরিংনা থায়োম্বী পুবেল লৈচাও হাপ,, কিয়াই ন-থাং খোঙম্রাং ফিচিন্দা মাইরি কানো হাপ০ খাংলি লাইখন ফাবী লাইলৈমা ৮ না থোখন পোৎলোইবু খনগদবগী ২/২ খাম্রাংনা লেপ্পুনা যন্থোং পুনেম্বা চিরাদগী মাই নোংপোক ওয়া লেপ্পুনা ডাইরে ॥ মাংদা টা০ লিকং০ শাইরোং পায়বনা থারে ॥ লাইলৈমা ৮গী তুংদা থাং ফানবা ২না থংলে ॥

কৌব্রু লাইচিদগী হৌনা চোংথানবা ২ লাইলৈমা পাওচৎলুবী ২না উলুক থোখমবগী মথংদা হুমাই খানবা ২না থংনা লাইবুংথৌনা য়েং০ লাইলৈমানা ওইদা ঔরাং পাংলমদা শাংথা লেংথনা থোডাইরে। হৈরোং লৈমগা শনিক লাইনৌ তাবীগা ২না লাইশঙ্ মমাংদা নোইনা মরু ২বু থেমথোরকতুনা চোংথাম্মা থোঙাইজবদা চংনা লৈরবে ॥ লাইমিংথোইগা পাখ বাগ৩ যথোংদা চংলকতুনা থাং ফানবা ২ গী তুংদা মরু ২গী থোখনবু লমজিং মাংথানা লময়ামবা লৈরে ॥

শনিক লাইনৌ তাবীনা লাইবুংগী মাইয়োকথা হৈরাং লৈরাংলে। হৈরোং লৈমগা অশেবা মোইরেং চাম্বগা ২না মরু ২বু লাইবুংথৌ

লাইরেম্বী পুম্বগা বিরিরি হাযনা পুখৎলক্কনা মপাবি ২গী ভূ'দা চুম্বিন শয়ে।। খোইবিফাম্বগা, খু' খু' অচিবগা, খোঙডারেনগা (৩)না। লাইবুংবু ওইথম্না ২বক কোযবগা (৩) লক শুবগী লিক্লম রোম্বকপদা রো রো বো হাযনা খায়ে ।। অশেবনা লাইবুং মাইযোক থাম্বিবগী মযা শঙলেন লোম্বদা মাই ওনশিন্দুনা হোইরো লাওনা নোংদম্ববু লুমশাংখেন্দা কোনশিন্নক্লে।। লাইনৌ ভাবীনা শনিকপু লাইশঙদা থম্মুরগা। লাইলৈমা লাইনৌ তাবী হৈরোং লৈমা ২ না (খুংখোংবা) খোইরো লিখৎপা, তানৈবা পুম্বমক্তী মমাংদা লৈরগা পাওশাবক্লে ।।

মরু ২ গী মঙাইবোই পুম্বা হৌজিক্তি অশেবনা শৈহৌনা নোংদম্বগী মফমদা থৌথন পবম্বু নিংশিংনা হায়জ থৌমিবা পাওশাগদৌবেদা নশা নউ লেংদনা মরুবু থাগোন্না তাসিকো— তাজগে ২।।

লাইমিংথোই লাইলৈমাগী মঙাই পুম্বা শাকোয় খোংলম য়াংলশে—য়াংলশে ২।।

লাইবুংবু শাকোই শাগদবী মরু ২না লুচিংনা লাইবুংথৌ লাইরেম্বী ১৪গা লোয়মনা কাইবেন্দা চংছুনা লৈঙৌনখিবা থৌরম্বু নিংশিংনা থৌখম্ববকপশিদো পাওশংগেকো—শাবিও ২।

মাইগৈ ৪ চিরা ৪ বু চুম্বিন হাযনা পনশা ১না কোয়না লৈনা পানবগুম লৈথেংনবা লোইবত্নবা করিবু বাংলিবগে য়েন্দে থন্দুনা লাহামংথোই থাদগা অরাং পাংনা খোংশাল্লকইদো— খোংশানহনবিও ২।।

লাইমিংথোইগী মাংদা (তরাং ইকোল ঈপাক ১না) লম্বী থংছুনা লৈবম্মীদো, ঈপাক্কুবু লান্দবা য়াদছুনা লাল্লকইদো— লামহনবিও লানহনবিও ।।

লাইমিংথোইনা ঈরানবম্ব ঈরোনমুংদা খুবৌ খাংনা খোং ২বু ফাম্বগুম ভৌইদো—ফাহনবিও ২।।

কনানা ফাব্রিসনে খন্দুনা ঈখুং পুংদা লুরাক্কনা য়েংঙিদো য়েংবিও য়েংবিও ।।

থৌরম্বু তনজনা মরু ২ না নোইরিদো—নোইরি নোইরি ।।

লাইমিংথৌইগী মিরেনবু ইরোম্নুংদা লৈবর উইদো—উহনবিও উহনবিও ।।

লাইমিংথোইনা "উন অসিনা ওইরে ঐবু ইমুংবুংদা ফারি থাজীবদি হায়রুনা ঈকম অতুবু (লোথাম ঈরেল=লোতাংপাং ওইরে হায়গে—হায়হনবিও হায়হনবিও ।।

কেগে থংকং চীংলেল থাবা

লাইমিংথোই খোং নাম্না থাংজিঙ্গী কাইরেল চীঙদা। মাম্মানা বাংব্রেনগী কাইরেল ওকমু চীঙলেন্দা নেং খোইদোনা লোথাম—লোতাঙ্গী ঈরেলদা হাপ, নিংকোং নিংশানা ষঙ্খোঙ্গী চীঙলেন্দা। পিন্নাইনা কন্নাং চীঙদা, শেন=তোংনা ঈথিংদা। শজুমথেলনা লোথাম ইরেলগী য়িত্তোলপোক্তা। খুৎনাম্নবা লিকলম থেঙ্গুম চীঙলেন্দা। খুৎ নাম্না অবাং মারহন্‌বগী চীঙলেন্দা। য়ুংপুংনা মিনামুংদা পৈগা থোপকনা লুংবা মহারাবা। লুংমু তুমদা মাংদবীগী কাইরেল নোংপোক চীঙলেন্দা থম্না লৈঙম্বা মশক্তম্নু থোইমা মাম্না উঙম্মীদো—উহনবিও ।।

মশক অশিগী থৌরম অসিবু ইমুংমুংদা মরুনা ঐবু য়েংহল্লিবা অসিদি মশক অসিবু থাঙ্গত্তুনা ইপান্নাংদা থাঙ্গত্তুনা থম্মথো থাম্বনিদনা খন্দুনা উরিবা মশকপু কেনা নৌনা থাজত্তুনা চীঙলেন ১বু শাথোক্তুনা মমিংবু (হৌকেকে থাজংচীঙ) কৌনা খবম, মাংপিরম্মীদো—লৈরি লৈরি ।।

থৌরম্ব মরু ২মা লুচিংনা নোইরিদো—নোইরি ২।।

লাইমিংথোইগী থৌরম উরদুনা লম্মা হানবদা লৈরিবা অত্তিয়া ১ দি লৈশিরেম্না মশকপু লারৈ লাথুপ্না লাক্লনা নোংদম্মিদো—নোংদম্নীও ।।

ইচাগী হকংলেলনা চীউবুরোই তম্বুরোইবু কোপ্তিন্না লৌথাম পাংকী ইমাইদা শাথোকপা কোক থাঙ্গং চীংদা থারিবা (কোয়া মুংঙোনচৌং) কৌবা কাইরেল অসিবু পন্থৌ পলেম ২গী কাইরেলফম পইরাগ নিংদা নিহনবিও ।।

লাইমিংবু (ওম স্না মনিক খোম্বী ওম লাইমিংথোই মিঙ্গোংলেল মনিক) কৌনা লৈরেদো —লৈরি খুবম থাবা ।।

মফম অসিদা ইমাগী মমিংবু (রেহিং) কৌইদো—কৌই ।।

চীঙ্গী ফিহুংনা থুং ২না থুমাং ওই খোং ২না খুহুং ওইনা মন্না কুন্দুনা বৈগুম থম্বিদো—থম্মি থম্মি ।।

খোইদৌবা খোত্র স্থংপাক ওইনা লৌতাং ঈরেম্বা থম্মিদো—

লাইমি বু (সমা য়িপাবপু তানকংলিবা লৈমরেল লাইমিংথোই) কৌইদো—কৌই ২।।

ইনুংবুঙ্গী লাইমিংনা (ইতোম লৈমা ইতান নিংথৌ য়িথৈ লৈমা) কৌইদো কৌই ২।।

চিংউ ২গী মশক্কী অত্তিয়া মফমগা লৈশিলেল লৈপুবীগা মফ ২গী মশক্কিদো—মানে মানে ।।

লাইমিংথোইমা হুংদা শাথোক লৈওনবগীদমক্কা চিংউশিঙ্গী খুবম থমলকইদো—তম্নীও ।।

সেলোই মতাই লংমাই লমলেনপাং কৌনরিবদগী লৌহনা (পুমলেনপাং) হায়নরিবা মফমদা থারেদো—থারি থারি ।।

লৈফম অসিদগী লৌতাং থরোইকুদা থাহনা চীংশা নাপোম ১২ হাপ্না মমিংবু (চিংখুচৌ) কৌনা থাইদো—থারি থারি ।।

খৌঙ্গ ২ না লৌতাং ইৰেদা থমজুনা ভুংদা শাম্নৰগদবা পৰম্ উজুনা মমিংবু (ঙুংমাং ৱাই ভুং ৱাইপি) কৌনা থম্মিদো — থম্মি থম্মি ॥

কেগে থাঙ্গৎ চীং অসিদো নাপোম্ অৱাং পাংনা থাইদো —অৱাং পাংই পাংই ॥

চীঙ্গী মপুক্তা মথা ওনবনিদো—ওল্লি ওল্লি ॥

মমৈগী মকোক্তা ২না তিম্না থাবানিদো—মানি মানি ॥

নাতোম নিংশা হোন্দোক হোম্লিনকম্না চিংউ ২না কাইৰেল কম ওইৰিবা মফম অহানদো—মানি মানি ॥

লৈকম অসিদগী নোংপোক পাংনা তাথাৰিবা নাপোম অসিনা চীঙ্গী মতোক হল্লীবানিদো—মানি ২॥

লৈবাক্কী ঙংহাইনবা য়াৎপা লোইৰজুনা কৰিমু ৱাংলিমগে থম্জুনা খোংশাল্লকইদো—লাকহনবিও ২॥

লাইমিংখোঃ লাইলৈনা মডাইপুম্বা— হায়বিও ২॥

হৌজিক মরু ২না পৰম ১ হোংনা শাদম্না নোইৰকই পাওশাশিকো—পাওশাবিও ২॥

লাইমিংথোইনা মম্থোং চীঙবু—থাংহৌ চীঙবু মিকুনবা হৌলম্বা হানবা নোংজুম পুংদগী কোইদোক্লনা পুং ২বু থাবিদো —থাবিও থাবিও ২॥

পুং ১গী মমিংনা চীঙচাক কোইশ ১না পীওম পুং কৌইদো মানি মানি ॥

চীঙচাক কৌবগী নোংপোক্তা তুঙ্গী য়েংনা লাইমিংখোই লাইলৈমা শিঙ্গী থুবম্ ৱাংমা লাইকা লাইথৎ লাংবু—লাংথাক থেলবু থম্মিদো—থম্মি থম্মি ॥

কংলৈ পাওগী কোইদোক্লনা শাবা থাপুলেল শংকুপ কেৎ কেৎ ওকমু চিংলেনবু মিকুনবা কংলৈগী কমালখেন্দগী কোই-দোক্লনা থোইবুমচীঙ থাইদো–থাৰি থাৰি ॥

থা পুংলেনবু মিকুমবা খোইয়ুম চীঙ থোনবা

চীঙলেন অসিবু মতম থং হৈন থাবিদুনা তুংদা লৈহৌ পনা খোরক্তনা কাঙরেলবু থ নবা লৈকন্দু থম্মিদো—লৈএ লৈএ ।।

তেংবাংনবা কুমিনবা অবা অনংবু লৈঙাক লৈথিংনবা মতম তমং হৌমা যাংপিদুনা লাইমিংবু (হোং হিং বোং রিং চিং চিলপা) কৌনা লাংইদো লাংহ ২।।

চীঙলেল অসনা লৈরোবাই চবদা অহানবদা লৌদুনা চাইথোক্তবগীদমক্তা লেকপা লাইমং (পাথ্রা চাংচেল) কৌনা থম্মিদো—থ ম্ম ।।

লাইলৈমা মতাং পুবা—বায়বিপ হায়াবিও ।।

মক ২না লুচিংনা অনোই থোবম অবা হোংলক্লেদো পাওশাগেকে—শাবিও শাবিও ।।

মাহগে ৪ চিবা ৪ব পানশানা হৌলবা হানবগী অকোইবদা লৈনাওম পানবা লোইবদুনা চিংউ খোইযুমশিংনা শাথোক কাইবেল শানা কেওয়বু পনশা ৯গী মনুং অকোইবদা চিংবা— পুংলেন থোনাবু নিংশিংনা চিনোংদম্বগী কুমৈ লাংবনিদো— —লাংবিও লাংবিও ।।

পুংলেন চীঙ অমা থোন্দুনা লাইমিংবু (হিংনপ ওমফা, হিংনপ ওমফাহিং নপ ওমফা) মালংচীঙ—মকাংমা চীঙ লৈহল্লিদো— মানি মানি ।।

কাইবেল ৩ থোন্দুনা থাবোদা মমিংবু (ওমসো ওমসো কিং) লৈকোই লমদাই পুং কোরেদো—কোই ২।।

কাইবেল ১৩ যাওনা (কিংরা হাই হাই, কিংবা হাই হাই, কিংরা হাই হাই) লেতোং মি হুম্না থারেদো—থ রি ২।।

অমুকও কাইবেল ১বু য়াওনা লাইমিংবু (শংকুক ফেং ফেং, শংকুক কেং কেং, শংকুক ফেং কেং, শংকুক ফেং ফেং) ওমাইচল কৌনা কংলৈ পাত্তা থারেদো—থারি থারি ।।

অমস্তু থোন্দুনা চাউদোন্দা ইকোম ইশাইফু অমা য়াওনা (স্না থম্বালবু) থানা লাইমিংবু (মুন্না খুবিপোক) কৌনা থারেদো—থারিএ থারিএ ॥

১ত্তু য়াংলে লাইমিংবু (হোং রোং সোং রোং হোং সোং সোং হোং সোং) চাউথাঙ থাংতেক কৌনা লৈবাকী অন্না অনংবু কোক্লথৌনিনবা থাইদো—থাবিরি ২।

চিংথম কৌবা ১ত্তু থোন্দুনা মত্তোন্দা (লাই মিন্নুলেলশীদমক্না খুবম য়াংলিদো—য়াংলি য়াংলি ॥

চাউয়াংদা (লাইমিংথৌ হিস্না মিরেলখোম্বগী) কাইরেলবু তন্না থাইদো—থারি থারি ॥

চাউথাদা লাইরেম্বী (মিহিংলেল মিথোমচু) কৌবী লাইরেম্বী থকী তন্না থাবিদো—থারি থারি ॥

তমগী মনুং অকোইবদা খুবম য়াংপা

চাংগু কৌবা ৬ত্তু থাহুনা চাংদোন্দা লাললুমথেলবু য়াওনা পোংথীংমবত্তু মথক্তা য়াওনা লেম্লৈবু বাক্তা থেংক্লবা ওাপী লাই অমম্ব শাথোক্তনা লাইমিংবু (ওাহিংম্না ওাহিং ওানিংথৌ) কৌনা থমলেদো— থমলি ২ ॥

থৈবম্ব মুংমু ফুমদা মাংদবী ইমানা উরহুনা লৈকম লাইমিংথোইদগী মিজহুনা মহাক্কি মহাক ওইবী ১ পুথোক্তনা লাইরেকপু (ওম ক্লীং হ্রীং ঐং)না তিম্নুথানা শাথোক্তনা লাইমিংবু চিংথাংলৈমা লৈহুমা য়াম্নাবু (শো ম্নো হিং সো ও চি) লৈহুমা কাইরেল থানা লৈরেদো—লৈরি ২॥

চাওলেল অসিদা লৈপু লৈফম্না য়াঙ্গোই লৈপালবগী লাইমিংবু (লাংস্নামিংহিংনপ) লাইলৈমা পাঙ্খোইবী লৈহুমা ফরেদো—ফম্নি ১॥

ইকোম ১শু তৌক্লমা মশানৌবু নিংশিংনা লাইমিংথোইগী য়েংথংবদা লৈবা শিংলি চংনিংহেনবরবু থয়গা লাইমিংবু (ইথৈলেল পাখংবা) নংবু কদৌয়িবনো কৌথোকইদো—কৌবিও ।।

নোংদম থৌদাবু কংলবদা শাথোরক্তনা ইকোমগী মথুংদা ঙাশী ঙাম্মা ২বু শাথোক্লনা ১মা (হিংকুপলেল ইহিংসং) কৌয়ং ১মা (ম্লাসংব্রেং ভনৌবা) কৌনা কমলেদো—কমলি ২।

লাইথুং চিংদংবু কোক্লবা মঙম্ন হাপ্তনা থারেদো—মানিং॥

লাইমিংথোইনা খুবম থাবা লোইরবদা চৌঙলেল মথল মথা থাখিবদু নিঙঙমলক্তইনা চৌঙঙা পৌতম চৌঙ্গী পুংদা হন্‌না চংলক্লেদো—চংহনবিও ॥

পৌতম পুঙ্গী মথা থংবা চৌঙমাইদা থোঙ ১বু পাম্মা লাইমিং (ম্লা চিং তরেং চিং হিংনপ) কৌনা থমলেদো—থম্মি ২।।

চৌঙথোংদা তুংনা লৈবকী খুখিল পাওশাবু থৌয়েং থৌপূনবা লৈফম ৬পু য়াঙ্‌না থমলেদো—থম্মিএ ।।

লাইশক্তি ওকলাই ১ গা মণ লাই ১গা লাইরোলবু পাওশা লোম্মিরদবা লাই ১গা শাথোক্তনা পুঙ্গী মতোম্দা চুক থানা কাম্নিদো—কারি কারি ।।

চৌঙঙা পূঙ্গী নোংপোক পাংবদা মশানৌ নোংপোক আপাম্বগী খুবমদ্ তম্না লাইমিংবু (পিং পিং সংতরেং হিং চি) চিংউ নোংপোক অপাম্বা কৌনা থারেদো—থারি থারি ।

মথা থংবা লাইশং ওবদ শানবা নোংদম্মা থারেদো—থারি ২।।

মথক্তা লাইলৈমা ৭ কী কাইরেলবদ থাবদ্ তেংবানবগী ইমাম্মা উরহনা ইমানা লাইলৈমা ৭ পু শাথোক্তনা য়াংলিবা কাইরেলবু নিহনা লাইলৈমা "ম্লামহা মনিক চৌঙলেল থোম্মী" কৌনা লৈরেদো—লৈরে লৈরে ।।

চৌঙ্গী মংভোন্দা (লাংচৈবু) থানা য়ুংলেদো—য়ুংলে ২।।

অঙৌবা খৌহুবু কুমজ্জা খুদিঙ্গী অনৌ য়েম্বিং লৈহুন্না কাইরেল ১বু শানা "মোংপোক লোইরাং পানকবী লাংগ্না ভরেংরি" কৌবীনা শাথোক কাইরেল ওইজনবা থাবিরেদো—থারি ২।

চৌঙলেন পুং অসিবু লাইলৈম্মা (লোইহিংনপ মিহিংকা) কৌবীদা শিন্নরেদো—শিন্নে শিন্নে ।।

তুঙ্গীদমক্তা লৈধাক্কী পুটিং পিবানা তাক্লবদা থৌনিনা পিবাবু লৈহাপনা য়াইফা নোংদম্বু কুবিনবা পুং ১ বু থোন্দুনা মম্বিংবু (লোকচৌঙ) কোনা অ'ঙয়া শিন্নবগী কাইরেলবু ভন্না মমাক্তা "হৈনিংশিদবা" কৌবনু থারেদো—হৌরি হৌরি ।।

কাইরেল অদিদা ফগৎলক্তদবা মরুপী লাইমিংবু "আসনতরং" লৈহুন্না লাইমিংথোইনা থারেদো—থারি থারি ।।

চৌংখোংদা "ইকোম—লৈকোম" ১ থারেদো থাক্রে ২।।

চৌঙ্গী চৌংখাংদা মরু ২ গীদমক্তা কাইরেল ১ ও য়াৎনা থারিদো—থারি ২।।

মরুনা লাইমিংথোইপী থৌশিনবু থৌপুনা মশকপু লাইরে শাথোকপ্মা লাইমিংবু ": ওকলাজা, রাইরজা" কৌনা কমলেদো—কম্রি কম্রি ।।

মেরুবা লাইমিংশা "সনা সং রেং" কৌরে, ১না "লোইয়াম্বুবী" কৌইদো—কৌই ২।।

লোকলৈমা লোকফু লৈমাগী লাইমিংবু (লোক লোক হিং লোক হিং সং) লৈহুন্না থারেদো—লৈরি ২।।

অরাং থংবা লোকি মন্নুংদা লাইমিংবু "কোনাত" কৌবা মুঙগী লাই অমা থাইদো—থারি ২

লোক্কী চউরোন্দা তুম্মী থৌপুরনবা থৌতু "তাংখোম্ব" কৌবা ১বু থানা হৌলম্মা হানবগী মন্নুং মপান অকোইববু কুবি নোংদম্মা লৈখোন লৈতেম্মা উরি রারী হৈরাং লৈরাং মখল মথাবু থাবা লোইরেদো — লোইরে ২ ।।

লৈপীবু লোইরব্রা য়েংবদা লৈপী লৈস্নিবু করিমতা কাইদনা শৌতুনা লৈরম্মি। লৈথোনবস্তু করিবু রাংলিবগে থনবদা উরে মসিদি মরোল অমা রাংলিনা হায়তুনা নোংপোক উরান্নরক্লেদো — উরানবিও ২।।

লাইমিংথোইনা লৈপী লৈশৌবু কুকতুনা নোংপোক চীংবা পনশা ৯ বু উরান্দুনা লৈপা লৈশৌবু লৈখাম্বু তেংবানবগী য়াইফা নোংদম্বু য়েংবিহুনা লৈপীগী লাইমিংবু "ওং হিমরু য়াইমরু" কৌনা থারেদো — থাবিও ২।।

চিংবা হিমরুদগী থাইদোকতুনা নোংপোক চীঙ্গী কিহুপ্প শৌতুনা চিংবা ১ম্ব নোংপোক মিংলম পাংবদা থোন্দুনা মমিংবু "ওং শ্রীং সনা ভাংক্রেংবা" সনা চাংলেন চিংদোনপোক কৌনা থারেদো — থাবিও ২।।

অমুক নোংচুপ উরান্দুনা অরাং পনশা হিপোক য়াইপোক লৈপী চীংলেম্মগী থায়তুনা লৌরগা অহিং লিক্লা তাবনা মুংখিল লিক্লা তাক্তবা চীংলেন ১বু নাপ্পনা মমিংবু "ওম তরং হুই উনাবলেন" হিমরু কৌনা থারেদো — থারে ২।।

মালেম্বু তকথোকতুনা ঈরম তুরম থোংলমবু য়াংনা কোয়না য়েংনা রাগুনবা চিংউসিঙ্গী খুবমবু য়াংনা থম্বিদো — থম্বিও ২।।

লাইমিংথোইনা ঈরাংমদা পনশা লৈথোম্না ঈরম থোংলমবু থিরিডৈদা হৌ লম্মা হানবা কংলৈদা ইমা লৈশিরেলনা ফুংদা লৈবাক্কী থৌপুন্না "অংকুরি শাকুরি" চংলমবু লৈহৌনবা থমলগে থৌপুনৈদো — থৌপুবিও ২।।

লাইনিংথোই লাইলৈমা মঙাইরোই পুম্বা—হান্নবিও তাকপীও ॥

ইমা লৈশিবেলনা শনা হকচাং কংলৈ থেলপুং কৌবা মকমদা লুমলা বু থানা "স, ন, আ, থ, ও, ঙ, ল, ঐ, ম" লাইরেক ৯বু নাওয়োম থানা লাইলৈনা " ওম হ্রীং শ্রীং স্নাখোংনাং লৈমা, হ্রীংনো পোক লোইস্নং পানফবা"বু কদো বরনো থাকোনৈদো— থাকোযোকাপও ॥

নোংদম থাকোব্রাবু তাবদা কফোই মপানগী মচু ফিরোম্না লৈতেংনা মরুগী মাংদা লেপ্পুনা লেবেদো—লৈহনবিও ২॥

ইমানা নোংদম্বীদো, "চিউ নোংপোক অঙাইবা নমোম সেম্বী স্না খোংনাং লৈমা নোংপোক লেইরং পানফবীসে কোয়ো অসিদগী নাওয়োকচবো সিন্নরেদো"—শিন্নবিও ২॥

স্নাখোংনাং লৈমা নোংপোক পান্থোইবীগী পরম

হমাগী নোংদম্বু হাবদা অঙাংবনা মমোম শেনবীবু মশাই-কোন্দা পুজরগে নাহোমজেদে—খেরাংবিও ২॥

অাতম্বা মরুনা নোংদাম্ম, "পরি লাংলেন ইমোম ইচানা পম্বৌ নপাগী নরানস্নাইদা লেবদা (চবৈ নমথাং)" অমতাবু শাফুনা পুন্নকউ নপা ঐনা ইমোম্না শারকপা চবৈ অতুবু তেংবানবগী মপু পোকলেন শাংপদা ফিরাংজহনা চবৈবু ফিশেং লৈতেংবু লৈহু থান্নবা লৈতেংবু হোগে" নোংদম্বীদো—নোংদম্পিদো ॥

নোংদম পাওশাবু তাবদা স্নাখোংনাং লৈমনা করি কমদৌ হায়রিগবা থম্না য়েংলকপদা "পানেম চিথংও" কৌবু শাথোক্না মপান পোক্লেক লোম্না (ঙাংনা ঙৌনা লাংনা) শাংতুনা কংলৈপুংদা হৌব উজেদে—উহনবিও ২॥

লৈরাঙ্গী মশকপু উবদা খোইচং খোইদাজবা ওইহনা মিংনা য়েংবা উরিবা মখৈবু য়েংহনা অঙাইবগা লোয়নদুনা নোংপোক খোংশান্নরক্লেদো—খোংশানবিও ২॥

কাইবেল লৈফম্ ইমানা নোংপোক লোইরং পানফবীবু মঙাইবগী মরাম য়াইদা থৈত্তুনা থম্মি হায়রা "হৌ থৈয়োং অঙাইপুং) কৌনা লৈবেদো—লৈরি ।।

ফিবোল লাইরুম পুথোকনবা য়াথন

মরু ২গী মঙাইবোই পুন্না—হায়বিও হায়বিও ।।

মরু ২বু অনোই পরম ১বু নিংশিংনা লৈহৌনথিবা পুরাবু নিংসিংনা নোইমৱিৱিবসি পাওশাগেকো—পাওশাবিও ২।

লাইরৈমা খাংলি লাইথন ফিবোন লৈবাংবী হৈয়োং লৈমনা "হৌ থৈয়োং অঙাইবগী" মফমলাংদা শ্না খোংনাং লৈমম্ নোংকম্বা থৈথাখিববু উবদা থনখিদো - থনবিও ২।।

থোদা নোংদম অসিদি ঐগীশু থোপুবা ইম্নুং ইতম ওইরে হায়ত্তুনা খাংশেং, নমথাং, খাংলে, লোলোকপু শাথোক্নবা থোৱাংনৈদো - থোবাংবিও ।।

ফিবোনবু পুথোক্নবা "লুঙ্গী মশকপু" থিবদা পামেল অপিচা মকুদা মশিংবু লাংনা যওববু কং কংহনা চিংশা নাপোম ১দা হোত্তুনা লৈবম্মিদো—লৈহনবিও লৈহনবিও ।।

পামেন অহুগী মকুবু খোঙ্গনা লৌবদা মশা নাম্না লংনা ঙৌনা লৌথোকপা য়াই হায়হনা পামেন অহুগী মমিংবু "অনালবা" কৌনা লং অহুগী মমিংবু ঈশিংদা ঈবিত্তুনা থম্মগা লৌথোকই হায়ত্তুনা "লিমোন" হায়দো, মচুবু লংনা ঙৌএ হায়ত্তুনা "অরংবী" হায়দো—মানি (২) হায়বিও ।।

লিমোন্দগী লৌবা অরংবা লংহনা খুংনা লোন্দুনা উকাদা তিংওগা পরম্ "মাথং ফিহৌ" হায়না খাংশেং কৈচোল, কিয়াই নমথাংবু শাথোক্লৈদো—থোকহনবিও থোকহনবিও ।।

থুংনা লোন্দুনা ফৈরোই ফিশা, লিথাং—মথাং, ফিরৌ খোইরৌনা পুখোক্তনা খাদা শেংনবা, য়ামবা হৈয়োংকৈমনা নিংঙক নিংঙকপা ফিরোনবু উরি রারিগী উকুদগী মচু মথল মথল লৌতুনা মথল মথা ফিরোনবু শাখোক্লরেদো—খোকহনবিও ২।।

কপক্রেং পুখোকপা

লাইমিংথোই লাইলৈমা মঙাইরোই পুন্না—হায়রিও ২।।

মরু ২না লুচিংনা অনোই শাখোক্লারক্লে—খাঙশাবিও ।।

অঙাই থৈযোং পানকবী মা খোংনাংলৈমনা অঙাইবগি চীংজোন্দা লমরেং লমকোইবদা চীঙশা মাপোম ১দা কৈরাং লশিং কৌবীনা লৈমাইথক্তা নোংথোগী লৈচিন্না কিহনা খুরক হাংদনা লৈরখেযো— লৈহনবিও লৈহনবিও ।।

লৈবাং মাবু খোইদাজহনা লৈমাই থকগী তক্লা খোমহুনা পুরকইদো—পুহনবিও ।।

অহিং লিক্লানা চোংপবু কংনবা হাবহুনা মালেম্বদা অন্দো— ক্তনা ফোদোকইদো—ফোদোকপীও ২।।

লিক্লানা চোংপবু কংলহুনা অমোংপা পকপবু মহোকইদো মহোকপিও ।।

মযোম্না লশিং মঙুংদা য়াওবা মরুবু মথুংনা শেং শেক্তবু লোথোকপবু উবদা চপ্তনা লেখোকপা য়বা খুংঙাই অমা পুখোক্তনা পীদো পিহনবিও ।।

লশিংবু চপ্তনা মরু লোথোকপা মতমদা কপ লাওবগী খোঙ্গেলগুম খোরকই হাবহুনা খুংলাই অহবু "কপক্রেং" কৌনা থমথিদো—থমলি ২।।

মযোমগী শিলশু খাঙনবা হায়হুনা মচানা নিংঙক নিংঙকপা খুংলাইবু পুখোক্তনা পিদো—পিবিও ২।।

সিথিবা খুৎলাইগী মনিংদি হুইত্রি. কাপোম্নিদো—মানি ২॥

৫০ তরেংমে, ভওংনে, লংচৈনে, ফিশা-উতোং, নাচৈ, এশু, ঙেম, শনম ফিবন থোরিনিদো—মানি ২॥

য়োৎ পুথোক্তুনা খুৎলাই শাবা

মরু ২গী মঙাইরোই পুসা—হায়বিও ।।

নোংপোক অঙাইবনা মমোম ম্নাখোংনাং লৈবগী খুৎতু খুৎলাইরু র'ভুনবা শেমগৎ শাগত্তুনা শিৎবু অতিয়া মরুনা উরুত্তুনা চিংউশিংদা নোংদম্মিদো—নোংদম্মীও ।।

চিংউ পুসা গৌজিক্কি নঙ্গী নঙ্গী লুমাংনা ফংবা তেংবানকনা মথংঙলংনা শিজিন্নবগী থৌও শিন্নংবা হৌমশি নোংদম্মিদো—নোংদম্মি ২ ।

নোংদম্বু তারবদা চিংউশিংনা চিংবা পনশা ২গী অকোয়বদা কোয়না থিনগ্গনা মালেমগা পক্লা লৈরম্বা কোয়িমা, শেলসেংমা হি-মাইনচিন্বনা মখল মখা অয়াম্বা পুথোক্তুনা থম্মক্লেদো—থম্মি থম্মি ।।

মৈরমগী থপ্লাং পনশাবনা শুকমু চিংশাংবু কোয়না থিরুবগা লৈম্নংদগী ফংবনা শুংদোক্তুনা য়োৎকি মশকপু পুথোক্তুনা অঙাইবনা মমোমগীদমক্তা খুৎলাই পুথোক্তুনা থপ্লাং পনশাবনা য়োৎনা "তরেৎ ময়োৎ" হায়বা অমা পুথোক্তুনা তেংবাংঙিদো—পাংবিও ২।।

লাইঙ্গিংথোই লাইনৈমা মঙাইরোই—হায়বিও ।।

অতিয়া মরুনা নোংদম্বা মপুদা ফিরোল অমা কৎলি খোংদমথিবদো ম্না খোংনাং লৈমনা থৌঙম্বা শিনতম্নক্লেদো ঐথোরও ঋংশিংবা ওইনা নোইশে—নোইশে ২।।

লশিং মনশে—মনশে ২॥
লশিং তকশে—তকশে ২॥
লশিং কাপশে—কাপশে ২॥
মোইথাপ তারশে—তাসে ২॥

মোইথাপ্পুগী লঙ্গী মশকপু চিংথোক্লবা তরেঙ্গী মনা ২ বু পুনশে—পুনশে ২॥

লংহিংবু খাইনা উম্নংবু হাপ্লুনা তরেং ময়োংশু হাপ্লুনা লংহিবু খৌওন্দুনা লংহি পান্নশে—পান্নে ২॥

মোইথাপ পায়রো মচিন খজিক চিংছুনা তরেং ময়োক্তা নপ্লুনা তরেং মশাবু লৈহনা লং চিংলসে—চিংলসে—চিংলসি ২॥

লং নাইবা লং চিংথোকপা

তরেং মশাবু ২ বক লৈবগা খুংলৈ ৩ লক শুবদা বোই খজিক চন্দুনা চিংথাক্লিগা লংবু তরেং ময়োক্তা হানজিন হাজিন্দুনা থমশিকো—থমশে ২॥

নেং নেং হায়বদি লংচিংবানে—মানে মানে ॥
কোরোং ল'ওবদি লংবু হাজিনবনিদো—মানে ২॥

মোইথ'প্পুগী লংচিংথোক্লুনা তরেং হাজিনবা লংবু লংহুম ছায়দো—ছায় ২॥

লংনাইবা লোইরবনিনা লাংহুম ৫/৫ বু তাওট কৌবা অসিদা লংশমহুনা লংবু খাইহুনা লং লংশিকো—লংশে ২॥

লংখাই খাইনবা লং লংবা লোইরবনিনা লংগুদোক চামথোকশে—শুশে ২॥

লংখাই ৭ অমনা অমুগা কুমগী মচু শংশি, ৭ অমনা নাপু মচু শংশি ৭ অমনা নাপু মচু শংলশি অহুগা ১৪ শিনা ভৌনা থমহুনা লৈচু(৩) অসিনা কিরোল নমথাং অমা শাথোকশে—পুথোকশে ২॥

লঙ্গী মচু শংবা লোইরবনিনা লংকোশে, লংকনশে-কনশে ২॥

লং লোক্তনা লংচাক চাক্তনা নমথাং ফিরোন হোনবা তৌশে—তৌশে ২॥

ফিবন খৌবি ২বু হাপ্লবা, য়েৎপু চৈবু লেংনবা যুম্বী উবুং ২বু হুত্তনা যুংসাংশ—যুংশে নাবেংনবও হুংলে ॥

য়েৎপু লেংহুনা ফিবন খৌবি য়াল্লো—য়াল্লে ২।

ফিহৌ কৈরাক্পা অমুবা, নাপু, অঙৌবা লংচাকপু মযুং কানবা মচু খায়না লেংশিল্লো—লেংলে ২॥

য়েৎপু মচিন্দা শানম খৌরি মচিন পুন্দুনা খাংদা শানম থারশে—থারে ২॥

ফিংহৌরপে লংগাক্তগী লংচিংলগে ফিবন খৌরিদা লেংলিবা য়েৎপুদা লংবু লৌশিন্দুনা হাপ্লো লংকোৎলগে—কোৎপিরো হাপ্লগে ॥

নায়েক্তনা ফিশা উতোংবু মরক্তা খল্লে, নায়েৎচৈগী মাংদা তেম লোন্দুনা লং ২গী মরক্তা থমলে—থমলে ॥

ফি হৌবা লোইরে ফি শারশে—শাশে ২॥

শুনা কাংলো—কাংলে ২॥

লাংজিংইবা মমুঙ কারিবা মথক মখা ২গী মরক্তা মকেন লাংনবা (পাংঙাতেম)বু ওইরোমদা থুংনবা লোন্দুনা লংলো—লংলে ২॥

তেম্না মকৈ লংবু য়ৈশল্লো—য়ৈরে ২॥

শুনা অমুক কাংহুনা লংবু মথক মখা ওনশে—কাংলে মথক মখা ওল্লে ॥

তেম শংলে অমুক পাংঙা তেম্বু লংবু মরক খায়না য়েংলোমদা লংঙগা তেম থেংল্লো—থেংলে—য়ৈশিল্লে ॥

(লাইরুম ফিরোল শাবা)

ফিশাবা লোইরবনিবা হৌখিবা ফিরাক মরিবু কবলংশে ককশে ২।।

ময়ুংদা থুনিং ৬ শাংবা মরাক্তা কাপ্লেন (৩) পাকপা ফিরাক মরি অশিদো চিংউ নোংদক্ক্ত লাংনবা ফিগু শিচাংশে শাংশ ২।

কন্দুনা মুংশাদা কংনবা ফৌশি ফৌশে ২।

ফিগু কংলে ফিরাক ৪ বু চংয়িন লাকএন ভাইরশে—ভাইরশে ।।

ফিগু নমথাং ফিরোনবু শেম্বা শাবা লাইরহুনা নোংপোক অঙাই খৈথবী স্নাখোংনাং লৈমনা অতিয়া মঙ্গী মফমদা চরেবু লাংবদা পাওশাখিববু থক্তিক নিংশিংশে—নিংশিংশে ।।

ইবেম্মনা খোঙ্গারক্লনা অতিয়াগী মাংদা পামেন উশা গী মথক্তা ফিবু হাপ্পুনা লাংইদা—লাংবিও ।।

মরুনা মিথং তানা "অঙাই খৈয়োং" লৈমা ফিরোল অসিগী মথিং করি কৌবাগ হংভিদো—হংভি ২ ।।

অঙাই চন্থনা "চরৈ নমথাঙ্গী মথিংদি মরুনা ভম্বাও মরুনা নোংদম্বীবা অহদা নযোম্মা শাজবনিও হায়দো—হায় হায় ।।

অতিয়ানা ফিরোনবু য়েংহুনা "থৈওং লৈমা ইযোম্মা শারকপা ফিরোন তেংবানবগী মপুনা মহু মতান ১ বু শাফোংনরগে থল্লকপদা ইতম (০) বু লেপ্পুনা ইতাল লৈশানখিববু নপা ঐদা থোংক্লগে। ফিরোন অসিদি হৌ লম্বা হানবগী চিংউ লাইগী ফিরোল ওইনা ফিরোন অসিগী মথিংবু (লাইরুম নমথাং) কৌবা থম্লগে হায়হুনা উশা মথক্তগী চরৈবু লৌখংলেদো—লৌখংলে ২।।

লাইরুম নমথাংবু লৌখংখিবগা ইমা উপা অতুদা অপংবগা লাপুগা, অঙোবগা মচু অহুম্না চুপ্না কৈয়ংশিদো— লৈরাশি ২॥

পামেল মচ়, অহুম কৌবু শাথোকপা

মচু অসিবু কমদৌনা পক্লিবা লাইরুম অসিবু চথুনা তৌবরা হায়বগে চোংদে, মশক অসিদি ঞুঙ্গীদমক মচু মঙান অসিবু তমজনা ইলৈমা ইমানা লাইলৈমাসিঙ্গীদমক্তা শাথোক-পিবনিদনা অহুদদি লৈরাং মচু অহুম অসি মফম অসিদা থাবা তারে থন্দুনা লৈরাং মাবু "মচু অহুম— হম্বরৈ" কৌম' উপা অহুবু থাইদো— থাই থাই মফমু মরু অহুমগী কাইরেলকম হায়না ॥ ×

মরুনা নোংদমখিদো চিংউনা ফিরোল অসি মরবু থৌনিনবা মতমদা ইতম অহুমদা শেংননবা অসিদগী কুচ় শঙলেন্দা থমলগে চিংউ মত্তিক মচম লৈবনা শেংনবা ফিরোল ওইরশনু নোংদম্না থম্মিদো— থম্মি থম্মি ॥

লাইমিংথোইনা মরুদা মালেমবু লৈকংপা

লাইমিংথোই লাইলৈমা— হায়বিও ।

মালেম্বু লৈথোনবা লাইমিংথোই অশিবনা কংলৈগী পনশা ১ যু উরানাখিহুনা নোংপোক্কগী মথা, থাদগী নোংচ়প, নোং-চ়পতগী অরাংবু কোযনা য়েংনা চিংবা কয়াবু থোন্দুনা ঈথোং ঝুরৈ কয়াগু থম্বিবা লোইরহনা নিংথমবদি ঝুংদা লৈরগদবনা শেমজবা ওম্মরগনি থন্দুনা লোইশিল্লকপদা লৈপি লৈমি— লৈথুম কোকথোং অমতং লেমহুনা লৈরম্মেদো— লেমহৌবিও ২ ॥

লৈহুমু ফুকপদা অমা মুক লৈহৌদুনা থাপাংনা চোং-লক্কুনা মরুগী মাক্তা পুরকহুনা বাহৌশিদো— বাহৌবিও ২॥

থৌরম্বু নিংশিংনা লাইবুংথৌ লাইরেম্বী ১৪ গা লোয়ননা নোইররেদো— লোইবিও পাওশাবিও ॥

লৈপি লৈমি হন্নকপা তোক্পুং থোনবা

মকনা নোংদম্বি. পাব্রি ইচানা জেবানবু সুংঙাইনা পাঙনবা লৈথোনবদা লেবলকপা লৈপি অসি লৈবাক্তি মঙ লেমকুনি থংগনবা লৈকম ৪ দা থমসি মঙা থোক্না খাইবিয়ো অমদি নপা ঐনা নোংকোয়োগী ইমাবু নিংশিং লৈকৎচবা ওইজগে নি থদো – নিহনবিও ২॥

লৈপিবু মঙাখাক্ত য়েন্নগা ১ না মকদা কৎলিদো—কৎলি ২॥

নোংপোক লৈহৌ চাওশাংদা থেলুপ অমা থম্মিদো – থম্মি ২॥

লাইমিংথাইনা লৈথোববা লোইশিন্নবু ওইনা বোয়না লৈথান থৌরাইরগে থম্দুনা ওইনা লৈবা পরৈবু য়েৎনা কমা থৌত্তৈরগে হায়হুনা এলুপ ১না শুকমু বাংপুবেন রাওশংদা থারে – থারি ২।

লৈপি লৈমি অমনা থেজ চাওদা থমলোদো–থমলে ২॥

লৈপী অমনা কুকম চাওদা থমলে—থমলে ২॥

লৈকম ৪ দা থম্বা লোইরতুনা হন্নকপদা ওইথংবা থুংপাক ময়াইদা লৈপি কুঞ্জবিমুক চাওবা অমা লেমলমহুনা মকদা বাকৎলিদো–কৎলি কৎলি ।

মকনা নোংদম্বি. পারি ইচাগী হক্তা পক্লিবা অসিগা তিন্নবা লেবথি পক্লিবা মালেমু খোমজিন্নগা লেম্বিবা লৈপি অতুগা তিন্নবা লৈপি অতুগা ইচাগী লাংয়েন ৭ না তিল্লিবা লৈকম ৪ দুদা চোংলিবা অশিবু খোইজংলে নপা ঐত লৈকম ৪ শিদা লৈরাংজবা ওইজগে পিনৌও হায়দো–হায়খি ॥

মকপী পাওশা তাবদা লৈকৎ লৈরাংনবা মকম ওইবিয়ো কৎলিদো—কৎলি ২॥

মকনা মচাগী হক্তা পকলকপা মালেমগা লেমলকপা লৈপিগা তিন্দুনা থবগে. মকম অশিনা লৈথোন লৈচাইকবগী অয়েবু তিনা

খম্মগা কৈথোনববু তোঙখি খং বা মফম ওসিবু (লংথ্রাপুং) কৌগে মতম। অবা চৈবি তানথেংববু ঙিনাংনাং লাইশেংনা পানংম্নবা নোংদম্বা খম্মগা থৈরোইখিদো—লোইখ ২॥

লাইমিংথোইনা লৈফাবা

লাইমিংথোউ লাইলৈমা মঙাইরোই—হায়বিও ২॥

মরু ২ না পরম অমা হোংনা নোইরক্লে পাওশাগেকো—পাওশাবিও ॥

লাইমিংথোইনা মালেম অরেম্ববু তাশিন্দুনা তোক্রপুং কৌনা থম্বা লোইরবমা মরুনা হায়দো৷ "ইচানা চিংউশিংগী খুবম থানা লৈথোনাবঙদি লোইহবিরে অদুবু মালেম অসি ওরংদা তাওবগুম তৌঙাম্ম কারওম্বা (লপট্রে—হাইবা) তৌরকনাবদি ইপুংখুংদা লুপথাখুগদ্রা ইচানা চুকথা লৈফানা ১গা ১গা তাহাশনাবরমদ্রবদি ঙানরান ইমাগী মতমবাক্তা চাইখোক্রা থাবিরম্মু" নোংদাম্মদো—নোংদম্মি ২॥

লাইমিংথোইনা বরি কমদৌনা ফাজৌ হায়বনো হংউদো৷ "ইচাগী হকচাংদগী পুথোক্তুনা ঈতোংনা মালেমগী মরেক মহাও কংবী কংনাও উংঙানাচংবা পুথোক্তুনা মালেমগী মথক্তা চাইথোক্তুনা থাবিয় হায়দো—হায় ২॥

মরুগী নোংদম্মু তাবদা লাইশোনবু (হযম উং সেং ফট৷ ফস ফস) শোমা লাওহুনা মাইকৈ ৪ চিরা ৪ থকথা ১০ বু চোংহুনা মালেম্মু শিন্না য়েন্না লৈফানরে—ফারি ফারি ॥

মিং ২গী মচম মঙানবু খ্রামং থাদা থ রেদো—থাখি ২॥

থয়াই পিচা থোংচোংহুবি৷ শাকোং-শাইঁ৷ থরোই থাবা অবা ছুংঙাই নোংদম্বা মফলোন ৭তা থারেদো—থাখি ২।

লিথুপ (৩) —শিংলি তাপোপ তম্লাংবা, মরি লিপাবা, চংনিংহেনবা) (৩)না ঈথোং (৩)দা হায়বদি (থাথোং মরোংথোং লাইখোং) ওগী মরুদা থমলেদো - থম্মি ২॥

মকা ১০ লোংবা মচুনা মা অহিংবা ওইবা (কংলৈ খেলপুং) মা নিঙ্গম পুংদা লাইমিংবু চিংপুংলেন কৌনা থাইদো —থাই ২॥

খেং থংবা খোম্না নমলান পুংদা (মাহিং মানসৌ পুং) কৌনা থারেদো—থারি ২॥

ওইথংবা খোম্না কোনবা পুংদা (মিংসং মানলোংপুং) কৌনা থারেদো—থারি ২॥

নিংশা ইহুন কামথোবকপানা মালংবদা অয়ুক হৃদোবকপনা নৈচিন অরাওবা মচু মানবা (থাথং য়োমচেংবা) কৌখিদো— কৌই ২॥

য়ুংথক থাম্রকপদা নিংশাগী নৈচনু নোংখৌ মচু মানবা কুং শংং কুং কৌনা থমখিদো—মানি ২॥

তুনিদাংবাইগী নিংশাগী নৈচম্মা মা অহিংবা মানবা, মাচিং নোংমংখোংদা হায়না ইত্তম (৩)দা মাসংগী নৈচ থামনা থম্মিদো —থম্মি ২॥

মশিং থানা মৈদা তরেং তরেং মা চিক তরেং খোম্বা কৌনা থারেদো—থারি ২॥

মমুং কমগা পৈগনা চৌমান লোক তাইদা চাইহৰা থমখিদো—থাখি ২॥

মচাওবা মালেম শিম্না চাইহনা ফুংদা হৌনিংবা মশকপু হেৌরকনবা থাইদো—থাই ২॥

শিংনা শনাচৌঙ কৌবা চৌংদা থমলেদো—থম্মি ২॥

শকাংনা অরা মুংঙাই নোংদমদা মাওরিবা হনি নারোদা থাইদো—থাই ২॥

মথলগা মপুংকনগনা মুংবামহাপগা মুংমু ভুমদবিগদা থারেদো —থারি থারি ॥

লৈনা ১৬ লোংবা মচানা অঙৌবা মুংযাথল কৌরম্মা চীঙমাই নাপোমদা থোগী মশক ওইনা থাইদো— থরি ।২

হকচাংদা হোংবা ফুনা চিঙমাদা উশ্রা উচি-রাবি, নাপি-শিংবি, হে-লেন্নী মথল মথা শিংথাবা ওমদনা থরেদো— থাবিও থাবিও ॥

খোংজাবিনা পী-পাম্ল মিউবা-মিউবীদা থারেদো— থাবিও ২॥

মানা য়োংশোপুংদা বাংউনবা থারিদা— থাবিও ২।

লুগী মশক্তা থোঙ্গী মশকপু বাংউনবা থারেদো=থাবিও ২॥

য়েংথংবা খুংশানা শিঙ্গী মশকপু পুথাক্‌না থারেদো— থাবিও থাবিও ॥

ওইথংবা খুংশানা শিংথাবু পুথোক্‌না থারেদো— থাবিও২।

খোঙ্গারম্মা কোরিগী মশক ওইনা থারেদো—থাবিও ২॥

মহাও অমম্ভ মরিলথ দগী পীথ্রাইবু পুথোক্‌না থারেদো— থাবিও ২॥

মতিংনা শেনশেংবু পুথোক্লেদা পুথোকপিও ২॥

নাকোংংনা কোঙৌগা মিশিগা পুথোকই পুথোকপীও ৩॥

অমুকশু নাঙোম্মা ওশোবা উয়েলনচিংবা পুথোক্লেদো— পুথোকই ২॥

লুরাই হামুন্দগী শম্মা পাংমেল লৈনম্বা উরোই পানবু পুথাক্‌পা থারেদো— হৌরি হৌরি তক্‌না শিজিমরি ॥

লুরাই লেম্ফুদগী ফু-শম্মা লিকলাং লিকচাও ওইনবা "উরৈপাল" কৌবহ থাবিদো— হৌরি হৌরি মুংবা মহারাবগী লিক্লাং ওইনরি।

য়েংথংবা চবাদা হৌবা ফুনা "উশিংসা" কৌবা পাহেনবু পুথোক্‌না চম্মগা অঙাংবা মহিৱ মুংমু ভুমহ—মাংদবীগী

লাইবক্তা নমহুনা লৈতেংনরি ।। ওইথংবা চুবাদগী তুনা পামেন লৈনখা " উরেংববু " পুথোক্তুনা থাবিদো— হৌরি ২ মহি লৌরগা খিকপেং চাইহুনা মপুদা কংনরি ।।

থদাংদগী তুনা পামেন থমংবু পুথোক্তুনা পাইদো — থাই থাই ঐখোয়গী লাইমিং ইরগা লিক শিনরি ।।

খোইদগী তুনা লৈরাং লশিং কৌনা থমলেদো — থয়ি ২।।

য়েংথংবা খুবিগী তুনা লৈরাং লংথৈ, পুথোকইদো··থারি থারি হয়মদগী চিংউ ঐখোইনা চিন্নরি ।

য়াংলেন ময়াই মিহিংযমদগী তুনা তাইরেনবু পুথোকইদো— মানে মানে ।।

চনিংদগী তুনা তাইমরেং নারোংবা ন'হাইনববু পুথোকইদো —নাহাইনরি ।।

শাজুম্বা=কময়াদগী তুনা শংগোই হিদাক মেমানবু পুথোকইদো - মানি মানি সুংবামহারাবগী লৈথেং ওইনরি ।।

লুমথা পুঙ্গী পাইত্রি — থাউদগী তুনা হৈরি খাগোকপু পুথোকইদো—থারি ২ সুংমু তুমদ-মাংদবীগী লৈথেং ওইনরি ।।

কময়াগী মথক্তুগী তুনা খোকউগা খোকবাগা পুথোকইদো — পুথোকই ২ তালবারেনগ , কংদিরোঙ্গা ২গী নাহাই নাপী ওইনরি ।।

খোইদোদগী তুনা নাপীগা শিংবীগা থিকশেংনরি ।।

মুংবাথেন— থবাক্তুগী তুনা হুপকা-হুপ্লাঙ্গা পুথোকইদো— মানি ২ " পোরোংখোক হাইবগা মপারি রোংমুবাওগা ২গী মাহাইনরি ।।

লবাগী মথাদগী তুনা নাপুগা-শেমুগা পুথোকনা থাইদো — থারি (২) তাওবুংলেনগা মপারি চিংহিরেলগা, চাওকুপকলগা মপারি শারিরেলগা য়ুম ২গী মাহাইনরি ।।

ম.লেম্বু কানবা মথদ মথাবু বাত্তবা পুথোক্পা লোইরবদ, লাইমিংথোইগী মশা অত্ম অমুক হন্বিরগে থক্লে—তাকপীও ।

লাইমিংথোই লাইরেম্মা মঙাইরোই—ভাকপীও ২॥

লাইমিংথোই ঈরিক খোংবু শেংলগে হায়দুনা হমুলদগী কৌথোকদুনা পুংহিংপাংতা হনবা থরাই য়াইবিরেল মেরুবু "ঈ হিং সং শং নৈ" পাওশানা খোমজিন্দুনা মশকী লাইরেকপু ওম শ্রীং থুম্মোংদাই লাইমিংথোই হায়না হৌ লম্ব হানবদা চংলকইদো—চংহনবিও ২॥

লাইমিংথোইনা চংলকপবু অতিয়াদা উরদুনা মচাবু খোই-চংবা য়েংঙিদো। লাইমিংথোইগী হকোদগী ঙুব চোংথদুনা লৈরাং চবু হইনা হৌবদা উবদা "বরি করম্বা লৈরাংনো খোই-জংঙিদা" হংঙিদো—হংবিও হংবিও॥

নচানা হক্তকপদা মরুগী মাযোংবগী য়াংদবদু উংদুনা নোংদহনা শাথোরবিবু ওইরবা লৈরাংগী লাইরেকপু নোং-দংহরপা নোংদম কোন্দা লৈহনবিও বংলিদো—কংলি ২।

মরুনা লৈরাঙ্গী লাইরেকপু শ্রীং হ্রীং ক্লীং ঐং ওম লৈরাং উহংলৈ কোনা নপা ঐনা ফংজরগে নিখিদো—নিখি ২॥

ইচাগী কোংদমদগী যংজবা উহংলৈ শাসমু চিনগবৰাদ পোকলেন শাংপগী মকমদা কংলগা লেমনবু নপা ঐগা নম-লৈশিরেলগা পারি নঙ্গা নশাংনোংগা এংথায ৪না লৈথেং লৈথুনশি কাওরদুনা কংলৈ উংগী লাংনওগী ময়াদা নোংহৌনদা থারোদো—হৌরি হৌরি॥

মফমু উহং লৈরাংপুং কোনা থমলেদো—থমি ১॥

শা-উচেক লেমলৈবু পুথোকুনা থম্বা

লাইনিংথৌ লাইরেম্মা মঙাইরোই—তাকপীও

পারি ইচানা ঈরিক ইথোংদি শেংবিরে মাংলেমবী মথক্তা মংগল মথা কয়াদি উজরে অহুবু ইমাগী তম্পাক্তা শামগদা মশক্তি অমত্তা উংদ আসিবু চিংউ কনাদা থবিবা ওমগবা হংহদো হায়বি হায়থি।

মোংবম হাবু কংজবদা থনহা মকম থুদিং লাকুনা মিয়েল থাকৌনরকইদো—কৌবিও কৌবিও ॥

চিংথৈদা চংদুনা কাওয়েলবু কৌবদা, শিরৈমা মনও ভাংও কৌননা লুচিংনা থোরকুনা লৈহৌ চৌওগাং শিলনা লৈখিদো —লৈহনবিও লৈহনবিও ॥

থাংবাই মারহনবশী মপাইংকাল অয়াং মালং চৌনী লোক্তা চংদুনা শগোলবু কৌবদা মাংহাং মনিকমা কৌবা শগোলনা লুচিংনা শগোলবু মপীং লাকওমদনা মালং চৌওবু শিনা লৈয়েদো —লৈয়ে লৈয়ে ॥

থেংগ্রং চৌওদা চংদুনা কৌবদা পোকপী লোইশাংবু কৌবা শাবু লাই মপক্লা লুচিংনা শামুগী লুপ, শান্দগী লুপ, শক্তি শওাই, য়েল, ভাগ্য, খুম্ব, স্না-লুপা মথস মথা থোরকুনা থনখিদো— থম্বিও থম্বিও ॥

কুরং কৌবা মকুনা সুচিংনা উচেক্কি মথল মথাবু থোরকুনা মাইকৈ শিয়া লৈনখিদো— লৈরি ২॥

লমখন, লমওক, শওম, থয়াম যন্দংবু পুথোকুনা থয়েদো —লৈরে লৈরে ॥

ভংগীদমক য়োইমরিবা কামরিবনে—কমরিবনে চিংউ হবু থল্লাং পনশাবদা শিনহুনা য়োংকী মপকপু বাত্তনবা "লৈকু তোংকাম" হোদোকুনা শিনওনবা নোংদম্মিদো—শারি ২।

থাপুংচৌওদা চংদনদো—চংহনবিও থংহনবিও ॥

য়েংওকপদা শাশিং হাংজনগ ... থানা কৌরকপদা ইরোই থরোবা, থরোনী, ইরোই ... না, উংমনবা করাবু পুথোক্লবদা বাংজেনা খোইদাজনা ইরো থবোরীবু নিজহৌদুনা শাদোং ওইখিদো— ওইরি ওইরি ॥

অমুক লেয়ে শাথোকপুংদা কৌবদা ঙাহিংঙ্গা ঙাহিং' কৌবা ঙাপীনা লুচিংনা থোবক্তনা তরং ইপাক ইথোংদা লৈবা হোইদো —লৈরে লৈরে ॥

থাংহিং চীঙদা চংহুনা লাইমিংথোইনা 'লাইহিংঙ চাকশৌবী' হায়না কৌবদা মা লুপা কোরি পিথ্ৰাইনহিংববু থে রুবা মউবু থাহনা রাজলথা থাঁয়দো—লৈরি লৈরি ॥

শাথোক্তিবা তুংদা থোরকদবনা কমদোবা রাথন্দুনা শাকা ১. ইমুংদা লেগদবা মশক ২. মশক (৩) বু খাকলমলগা শারুব ১০০ উচেকী মরম ১০০ শুনবা থমলেদো—লৈরে ২॥

শামু অঙৌবা 'নোংলেন খোম্বা' কৌবা লাইমাংবু মিকোহনা থোক্লেদো—থোক্লে ২।

লৈফম অসিগী মনাক্তা থম্বা খোই মচুনা লংনা ভিলখাক মচু মানবদা চংহুনা লাইমিংথোইনা মিকোনৈদো—কৌবিও ২।

অমুক মুংথিল মুমিদাং মতম অহমদা কৌরবু মশক্তি উদনা ইনিম্বি খোইশাওনা ঙংহুনা লৈদো—লৈহনবিও ২।

হমা হমা (তেকীকী লোইহিং) হায়না কৌবদা খাংবা রাক্রহনা নোংঙানতু উবা মতমদা মখোঙ (৪) পানবা ১ বু থোরক্লেদো—থোকহনবিও ।

মশক অহবু উবদা লাইমিংথোইনা নোংশাবা শ্রীং লাইয়েকী মশাক্ত হায়হুনা 'শ্রীং নোংশাবা লাইমিংথোই' করিগী অতুক খোইশাওনবা ভাইথো পাওশানখিশি হায়দো—হায়বিও ২।

পাওশা ভাবদগী শারাক তমগে হোংনরম্বদগী লুকথখিহুবা শারুপ চাক্তারিবদা চোংশিনথিহনা শারাক তম্মা ভামরকইদো—ভামহনবিও ।

লাইমিংথোইনা থাম্ববু যাদহুনা মকম খুদিং চেন্দুনা শারুপ চাবদগী শারুপ কাইনা চেন্নরেদো—হায়বিও ॥

নোংশাবনী লাকচম কাওরনবা উবদা লাইমিংথোইনা শাওবহুনা তারহনা নোংশাবনী মখোং থমুবা খুং নাম্বনা পাই-মচিরা নাম্বাবা কাহুনা শাখোককনদা পুশিন্নকইদো-পুশিনবিও ২।

থৌবন অশিবু থুংমু ভম্বদ-মাক্কবী ইমানা উরহনা লাই-মিংথোইগী মাক্না লাকনা মাখী শাদোং ওইরগে নিখিদো—নিহনবিও নিংবিও ।।

ইমাগী থৌনিবাবু তাবদা লাইমিংথোইনা হরাও তরাম্না শিববদা ইমানা শিং-নাম্না লৈজগে শাদোংনিংবা মতমদা কোবিবকউ লাকচগে নিববু রাবিহুনা লৈখিদো—লৈথ্রে ২।।

নোংশাবনা লাইমিংথোইবা শাখোককনদি কংজয়ে ইবাংমা লান্না লৈজরগে কোরে অশিদগী মতম্ শোনববু কনবিবা চিংউ " ম্বাং হ্লীং ক্ষোং কেদ্রীংহুং নোংশাবা " মিংলেন অশিবু হৈরাং লৈরাংগী মহুতা লাংজনা লান্না লবী ওইজগে কুবিও বাহোম্নিদো—বাহোম্নি বাহোম্নি ।।

নোংশাবনা বাহোমবাবু রাবিহুনা মকম অছুদা মাও " শ্রীং লাইমিংথেই আং হ্রীং ক্ষোং কেদ্রীং হুং নোংশাবা খোংনা মিংথোই " কৌনা লৈকম অশিদা ইশক অমা থনম্বগা কংলৈ খোঙ্গারগে নংগু ইবাংমা লান্না রাজোইকরো হায়রম্বগা হল্লকইদো—হৈরে হৈরে ।।

লাইমিংথোইনা চংলকপবু উবদা মকনা কৌরকইদো, পাবি ইচানা থৌরোইকরবরা নকম লাংদা কাইরেল কম্বালো পাওশাম লাইমিংথোইগী খুজেং খুত্তোলবু পাদোইনা মকগী মেৎ থংব কাইরেলদা কমহল্লিদো—কমথি ২।।

লাইমিংথোই লাইলৈবা মডাইরোই পুবা—হাররবিও ২।।

মক ২বা লুচিংনা অবোই শরম অমা হোংবা নোইরগে পাওশাদিকো—পাওশাসে

হৈরোং লৈমনা পামেন অনানবগী মকুদগী লংবু লোহনা খুৎনা লোন্দুনা মমথাং খুাংশেৎ ফিরোন শাখিবয় পুথোক্লে পুথোকপিও ॥

মথংদা পং ফিরোনবু শায়ে—শারে ॥

হৈকোই লাইয়ং ফিরোনবু শাথোক পরম্বু তমজনা নোইরে —নোইরি নোইরি ।

খোইরৌ লিবৌনা মথাং মথাং য়ান্নবু নোইনা শায়ে—শারে শারে ॥

ফিরোন পুম্ববু কৈরুংবদা শিন্নহুনা থমথিববু শাদম্মরক্লে—শাদল্লি শাদম্মি ॥

চিংউ মঙাইরোই পুম্বা শাথোক লৈপাল্লিবা পুম্ববু চিক্সাক চাহনা পানঙবা চৎলম্বু হৌরগে রাখন্দুনা তেংবানবগী ইমাদা কুহিং য়াইফুবু পিবদা ইমানা মাইকৈ ৪ দা চেন্না তান্নহুনা লৌরগা য়াইফুবু খুাংচপ্পনা কোন্দুনা চিংউ ময়াম্বু পিজখিবা থৌরমদো ঐখোয়গু য়ায়া তৌনা নিংশিংশে—তৌশে ॥

খোইনৌও তুথরো, নাওবা ঐখোয়’ খুম্নগে ।
নকা ইকা খোংথিল্লোই, করিবু তৃথারে…দে ।
হঙম্নবা লিও লিও, খোইনৌ চিংউ নাওবা ও…দে ।
কবোক পোককুম মকারাম, থোইমা য়াম্না মকেরে দে ।
লিও লিও লৈয়েলবা, থোইমা য়াম্না মকেরেদে — … …
য়াহোইয়া, য়া য়া হোইয়া ॥

লাইমিংথোই লাইলৈমা মঙাইরোই—হায়বিও ২॥

চিংউ পুম্বনা “ অসিগী পিজ পিথক্লিবা অসিবু থোইমা য়াম্না হাওখরে কোইরৌ খুদিঙ্গী কংজগে” হায়দো—হায় হায় ॥

চিংউ পুম্বা সিবু করিবু থোইনা হায়বনো সিদগী হেন্না হাওবা মালেম ইমানা খখিরি অসিদগী হৌনা মালেম থিজাই পাম য়ান্দুনা নিশি অহাওববু বাত্তনা ফঙনি নোংদমখিদো—নোংদম্মি ॥

মরুগী থৌদাব্ থৌপুবা থাংশাবা, য়োইমরিবগা য়োং শুবা, কক্‌মরিবগা চিংউ হনা শিনশুবদা চঙদবা থুংলাই ওইগদবা পুরবু বাক্তনা পুথোক্ল্‌না কৈরুংবদা শিন্নহনা থমখিববু নিংশিংনা পামরাল্লোনবু শাদম্নরক্লে পাওশাশিকো—পাওশাশি ২॥

পামরান উয়ানলোন

লাইমিংথোই লাইলৈমা মস্তাইরোই পুম্বা মরু হনা লৈহৌ পরম অমবু হোংনা নোইরক্লে, ঐথোয়গী থৌপুনা থৌপুশিকো—থৌপুশে থৌপুশে ॥

থৌপুরকলিবা থৌরমদি নখোয় ঐথোয়না শা-বনগী মতৌশুম চিঙ্গাক মশক থংদ লৈফম্বু থৌলিংদনা ফিশেংপু মশক থংদ লৌরি ইংখোলবু নাইদনা লৈরম্ববু মশক পরম খায়না নোংদমখিবা অহনিদো—তাকপি ২॥

অতিয়ানা শিনগী শিল্লংবদা চংগদবা মচাকপু কৈরুংবদা শিন্নখিববু 'থাঙ্গোল, শিংজং, "য়াংপাক, থাংজৌ, মুংথং, থেঙ্গু, পাইজা, হাংমৈ, তোকশনচিংবু পুথোক্ল্‌না চিংউ পুম্বদা য়েল্লিদো—য়েল্লি ২॥

লাইমিংথোইনা লুচিংনা চীওদা, লোক্তা তমদা কোইনা পুহনা নখোয় ঐথোয়না থোয়দাবা মফমু য়েংহন্দুনা কাইরেল লমকননখিববু নিংশিংবনিদো—মানি ২॥

লমকন্নববু লোইরহনা থাঙ্গোল পায়হনা শহু য়াঙ্গেলবু খাওশে—খাওশে ২॥

উখোং বাখোং পেংবা শহু য়াঙ্গেল থাওবা লোইরবনিনা খোমজিনহনা হামুল—মপুন শানা ঠৈপহনা থমশে—থমশে ২॥

উখোং বাখোং শেংবা লোইরবনিনা হৌরিবা উ-বাবু য়ান্দুনা থমশে শিংজং হাইবি পায়ম্লো—পায়রে ২॥

পামেন উবু য়ানবদা উনা হৌবা মকমদা হোংনা হোংনা চোংহনা য়ানবদা পাওশানখিববু নিংশিংনা ঐখোয়গী য়া য়া ভৌব উয়ানশে—য়ানশে ২।।

হো য়াল্লো শিংজং হাইবি পায়হনা
ঐখোয়না য়ানবা নত্তেদো ----- হে
খোংদম্বগী থৌদা থৌপুনা ----- হে
৩ য়ানবনি য়ানবনি ----- হে ।
হো য়াল্লো খেনচোরে খেনচোরে ----- এ
খেঞ্জো লাংনা চোংহনা
শিংজং হাইবি হাইহনা
পামেল উবু উয়ানশে।
হামেংনা খেঞ্জোং লাংবগুম
চোংনা কারন লৈয়েংনা
পামেন উবু য়ানশিদো ।।
খেঞ্জোরে খেঞ্জোরে খেঞ্জো লাংনা খেঞ্জোরে

১। অচিং চিরো চিচিরো
হমেংনা খেঞ্জোং মখেঞ্জোং

২। খুয়োল৩ লৈখোংকাই মরি৪ লৈখোং কাই

৩। চিঙ্গোই লিক্লা বাইবংখু
কোইশাই মোইদাং ময়াংঙান

৪। হিথা থাংমৈ অচোংঙান
হোয়াল্লো শিংজং হাইবি পায়হনা হোয়াল্লো

১। বাহম্বোক মচি কাব কাব য়েংহুনা ।।
২। মরা চেংন শম্না লৈববু থিঙ্গাই য়াম্বত্তনা
৩। অহিং লিক্লাবু কংদন উনা বানানা খন্দুনা লৈরম্ববু ।
৪। লৈকম কয়াবু চোং চোংনা য়ান্দুনা লম্বু কোকহল্লে। কাবী থানবগুম্না ভালহল্লে ।।

লাইমিংথোই লাইলৈমা মঙাই পুম্বা, অমুক মচি কাবা সুংশা ফঙ্গদবা য়েংদুনা মশা ককশে—থাশে—ককশে ২॥

মনা মশাবু কংথিশন্থ মউ মপালবু পুশিন্দুনা থমশে—থমশে ২॥

মউশিংবু পৈশিল্লবনিনা লৈবাক লৈহাও কানবা মৈ থাদে কশে—থাশে ॥

মৈ থারবনিনা মমা মশিং মক্ক মরাবু মঙ্গী ঐগী অপাম অশাম্বা থানবা লৈক্কম খংনা পাম য়ান্নবা হোৎনরশে—য়ানশে ২॥

পাম য়ানবা লোইরবনিনা পল্লেং মাইনা লু শেমদুনা কাংথুল হন্দুনা মইশ মবো, পাল্লকবা হোৎনরশে—লু হায়গংলে কাংথুলগু 'ল্লে হল্লে ॥

পাংথোক এনদেম হরাই, চুচাক, চু, লমুমচিংবা লৈরিবশি থাবশে থাবে ২।

য়ুম ইংথোল নাইনা লৈহননবা নোংদমবা

লাইমিংথোই লাইলৈমা নশাইরোই—তাকপিও ॥

অতিয়া মক্কনা খাংরাই নাবহনবদা হায়দো, "নংবা পামেল লৈবিবা মপৈ পুগশে তুরুশী থোকম যে না শাদোক্কনো শিনগুবিও."

তাযবগী মাগী লাকপুথোন—তাইরোই ২০ শা লোইনমা হাংমৈ হাইবিবু পায়দুনা মথন মথা শেমদুনা থনখিবব নিংশিংমা মক্ক ২না লোইবক্লেদো—নোইগি ২।

লাইমিংথোইনা চি ও পুম্বদা নাংদমখিদো—তাকপিও ২॥

নখোয় ঐখোবনা পোত্থাকম খংদনা উথোং বাথোংদা য়াহিপ্পবু মক্কনা যেংবদা সুংহাইরহনা লৌর ইংথোল নাইনা (য়ুম হায়বা মশকপু) পুথোক্কনা য়াহিপ পে থাহন্নগে অল্লেদো থোরম অসি নং ঐগী হকচাংবু মপান্দা পুথোক্কনা তমক্কনা থমবনিদো—মানি ২।

লৌরি খোপলিবা ইংখোল অতুগী মহুংদা যুমফম ১ গী মখিং তোঙাদা লৈদো—তাকপিও ২।।

ইংখোল অতুগী কারন—ছায়বদি ময়াই শুমদোংপাল অহুবু শজাই যুমফম কৌইদো—মতুদি নং ঐনা লৈবা ওমবা নত্তে, মওম চাওবা চিংউ শুবদনা লৈগদবনিদো· লৈকম ১ অতুগী মহুংদা য়াইফগদবা মকলু য়োনা ঝুম্ন শানা লৈগদবনি—তাকপিও ২।।

শজাই যুমফমগী চিংথৈ পাংবা যুমফম্ন অংজা—লংজা যুমফম কৌইদো—তাকপিও ।।

শজাই যুমফমদগী মোংপোক থংবদু ফিরান যুমফম্মীদো—
মৈরন্না মৈথু যুমফম হাইদো—
মখা থংবদনা নোংশাবা যুমফম্মিদো
মহোং পাংবদনা লমছুই যুমফম্মিদো
নোংঙ্গপা তমফা—হিপু য়াইপুবা যুমফম্মিদো
লাইজি পাংবনা লাগী যুমফম্মিদো
অবাং থংবদু শামু যুমফমনি হায়দো ।। থৌরম্ন থৌথিনা যুমফম থোমগদবনি নোংদমা থৌপুনখিবদু মক ২না অনোই শাখোল্লিদো—মোইরি নোইরি ।।

লাইংিংথোইনা য়ুমশারোল তাকপা

ইংখোলগী কারণবু মাঙ্গোনগী উথোংতেন নোংপোক ইচুম তাকমগা তাইনবগী মথোংদা থম্না শাবা যুমদি ইমুম মাঙ্গোনদা শনা কৈথেল ওইরেএ—তাকপিও ।।

ইংখোল অতুদা যুম অমা শারগা থা—বাংদা লেমহৌবা অহুবু (য়েমাখাক) কৌই ।। খাল্লিবা ২তুগী অপিকপা লম ত্থনা (য়েমাখুন) কৌইদা—তাকপিও ।।

যুমগী বাংদা লেমহৌবা লম্ন থেজোং—ওমাং কৌনিদো—কৌশে কৌশে ।।

যুম শাবা হৌবা, লোইবা, লৈবা হৌগদবা থাদি—শজিভু, ন্নিংতেন, মৈরা, হিন্নাঙ্গ, রাকচৌভ থা ৎশিবা যুমহৌ যুমশাবা লোইবা হোংজিন্দুনা লৈগদবনিদো—থংজরে ২॥

থবাংগ্না নাংমা পানবদা হৌবদি করা ফত্তবা ১দি শোইদনা ফঙ্গনি রাখন তৌনা য়েঙ্গনিদো—তাকপিও ২।।

থবান ২নি পানবদি অরা অনা ফংইদো••

থবান ৩নি পানবদি মুংঙাই য়াইকবা ওইদো—

থবান ৪নি পানবদি লন থুমবু মাংনবা ওইদো—

থবান ৫নি পানবদি যাইফডি ম্না যুম্বী খিনবদি নামুংঙি—

থবান ৬নি পানবদি অনা অয়েক নংঙি—

থবান ৭নি পানবদি থরাই পানবা (৩)দি শোইদনা মাংংঙদা—

৮নি পানবদা পোং চৈদি ফংঙি অহুবু থুঙ্গাদদি অরাবা নিগনি দা—

৯নি পানবনা যুম অহুগী মপু লৈতে অমাওবা ওই—

১০নি পানবদা হৌবদি অফ মুংঙাইদি মফডি লাইচাদি থরাই পানবা চাই—

১১নি পানবদি লাইমিং পরম্ব কুবিনি—

১২নি পানবদি অরা অনংবু পিগান—

১৩নি পানবদি ইমুংহুগী থরাই পানবা ৪দি শোইদনা মাদনি

১৪নি পানবদি যুমহুগী থরাই পানবা (৩)দি মাদনি—

১৫নি পানবা থানিল হায়বশে পৌরম পুরা কৈ অহুগা লৈতৌবা, উরেপ উযুং খিনবদি নামুংঙি থকথাদা ফত্তবা লাই লৈদো—

১৬নি পানবদি শোন্দম মাদম্বি অরা অনা কংই—

১৭নি পানবদি থরাই পানবা থুদিংনা চাবদি মুংশি—

১৮ নি পানবদি থবাই পানবা ময়েং তাই—
১৯ নি পানবদি মুমঙ্গদা লৈবাশিংগী তিঙ্গং কাইক্লংগনি—
২০ নি 'পানবদি মচাক মরম্মী পিগনি অহগা মা য়ুম্বী থৌনবদি নামুংউ—
২১ নি পানবদি পুক্রিং অমা মুংশি মুংডোনববু কংই—
২২ নি পানবদি ময়ুর মকৈদি কংই মা য়ুম্বী থিনবদি নামুংউ—
২৩ নি পানবদি লল থুম্বু লাকপগা চংপনা হেনবা ওইগনি—
২৪ নি পানবদি মৈচাক মৈহৌবা খোইশাও লিশশাওবা ওইগনি—

২৫ নি পানবনা মুম অহুদা লৈবা থবাই পানবা (৩) দি শোয়দনা মাংহল্লনি—

২৬ নি পানবদি থবাই পানবা ১ দি শাংনবা তৌবনি—
২৭ নি পানবদি অফ—মুংতাই কুমিবা ওইগনি—
২৮ নি পানবদি রাথোক লাম্বোকপা ওই—
২৯ নি পানবদি মুম্বু অহুৎ মাঙনবা থৌমুবনি—
৩০ নি পানবা—থাঙদি মিথোই মীহেম্না য়ুমালংবা হকচাংবু তনৌ তহেম্না পাক্লেএ ॥ লাইচাদি থবাই পানবা চাইদো—থংজরনি ॥

লাইমিংথোই লাইলৈমা মঙাইরোই পুম্না শিনত শিল্লংবদা মুমিংকা থাবানগা তিমবগি য়াইফা নোংদম হায়গেকো—হায়বিও ॥

মুমিংকা থবানগা তিম্বা পরম

হংশিং মরুনা লুবা—নোংমাইজিং মুমিত্তা থাবাম্না ১০ ৬০ ১১০ ১৬০ ২১০ থোক্লবদি মুমিং অহুদা থৌহৌনখিবদা থৌরম্বু ঙমদবা হৌনদে খুৎলো পল্লৌদনা থৈপাঙ্গনিদো ॥ অসিং মরুনা—ওইরবদি

হিয়াই ফংবা মুংঙাইবা পাওতাব ওইনিদো ।। মরোং মরুনা পুবা ওইরবদি থৌরম্বু মাওনবা ওইবনিদো হৌহেদে ।।

(২) অসিং মরুনা—নিংথৌকাবনা পুবা মুমিত্তা থাবামা ২.৭, ১২. ১৭, ২২, ২৭ পু থোক্লরবদি শিনণ্ড শিল্লংখিবদি য়ৈথায় খিঙ্গায় লৈচনা ঙমগনিদো ।। মকাপ মরুনা পুবা ওইরগনা মুংঙাই য়াইকংবা, পাও-তাবা ওইগনিদো ।। মসিং মরুগা হংশিং মরুগনা পুবা থোক্লবদি নামুঙবা অমাঙবা ওইদো ।।

(৩) মকাপ মরুনা পুবা—লৈবাকপোকপা মুমিত্তা থাবামা ৩, ৮, ১৩, ১৮, ২৩, ২৮ থোক্লবদি অপনবা লৈতনা থোঙমজে ।। হয়েং মরুনা পুবা ওইরগনা কান্নবগী পাও তাই ।। অসিং মরুবা পুববাদ নামুঙবা ।।

(৪) মশেং মরুনা পুবা—থাংজ মুমিত্তা থাবামা ৪, ৯, ১৪, ১৯, ২৪, ২৯ থোক্লবদি য়ৈথায়বা লৈতনা থোঙমগনি ।। হংশিং মরুনা পুবা ওইরবদি মুংঙাইবা ই পাও তাবা ফংই ।। হয়েং মরুনা পুবা ওইরবদি নামুঙবা কান্নবব অমাঙবা ওই

(৫) হয়েং মরুনা—শগোলশেল মুমিত্তা থাবামা ৫, ১০, ১৫, ২০, ২৫, ৩০ ওইরবদি অপনবা পিদনা থোঙমজে ।। মরোং মরুগা মসিং মরুগনা পুবা ওইববদি অক-মুংঙাই পাওবু তাবা ফংই ।। মশেং মরুনা পুবা ওইববদি নামুঙিও ।।

লাইমিংথোই লাইলৈমা মঙাই'রাই পুম্বা মরু ২ না পরম অমা হোংনা লোয়রক্লে পাওশাশিকো—তাকপিও ২।।

থৌরম অসিদি লাইমিংথোইনা তাকপিখিবা নোংদমমী মিংয়েং থৌহৌ থৌরোইবা, চিংঙশিঙ্গী মফমদা থৌনি লৈপাইবা ইপা ইপুবু থৌনি শিনগুঙবদা খবান খুদিঙ্গী লাইচাবু থৌখিনা থৌপুনগনি তাকপিখিবা অহুবু নিংশিংবনিদো—তাকপিও ২।।

থবান	মিদা লৈবা	থবাইনা কপা	লাইশিংনা লৈবা	লাইমাং শিঙ্গী চিঙাক	ঈখুদোং মাপলম	লাই খুদোং লোং-লোন
১	খুদোম্বা, লুচুংদা	থবাক্পা খোঙদা	মৈদা	লাই চায়	লৈতে	লৈতে
২	থবাক্পা, লাইবক্পা	খুৎনমদা	লাইদা	য়েন চায়	লৈতে	লৈতে
৩	ওইগী খুৎতা	খোইদৌদা	কাইরেলগী মখাদা (কাংখদা)	ডানু চায়	লৈতে	লৈতে
৪	খুংদা	পাক্কোমদা	খোংজিন্দা	তাওবা হুই চায়	লৈ	লৈ
৫	চিমবান্দা	নঙ্গদা	গুমাংদা	ওক চায়	লৈতে	লৈতে
৬	খুজেংদা	পুক, নিংগোং	ইংখোল্দা	যন চায়	লৈ	লৈতে
৭	লবাই লেম্ফদা	য়াদা	লৈকু লৈরাই ঈশিংদা	ইরোই চায়	লৈ	লৈতে
৮	নিংথুদা	লাইখক্তা কৈখাক্তা	লমজাওদা	শগোল চায়	লৈ	লৈতে
৯	লুচুংদা নিংঙোংদা	লেংকক্তা, লেংপাক্তা	কবুক্তা	শামু চায়	লৈ	লৈতে
১০	নিংথাং লেংবানদা	লৈমেঙ, পুকদ	ইযুংদা	মী চায়	লৈ	লৈতে
১১	লৈয়েংদা, লুচুংদা	নাকোঙ্গা, কোকা	মৈদা	লাইবু অঙৌ অঙম চানবি	লৈতে	লৈতে
১২	কোক্তা	নাকোঙ্গা লৈয়েঙ্গা	লাইকুদা	য়েন চায়	লৈতে	লৈ
১৩	খৌমিদা	খদাদা লৈয়েঙ্গা	কাঙরেল খাদা	ডামু হামৈ চায়	লৈ	লৈতে

থ বান	মিদা লৈবা	থবাইনা ফম্বা	লাইশিংনা লৈবা	লাইমাং শিঙ্গী চিঙ্গাক	ঈথুদেং মাপেন	লাই খুদেং নোং-লোম
১৪	পুক্কি মঙ্গুংদা	ভুঙ্গা, নঙ্গনগা	থোংজিবা	হুই চায়	লৈ	লৈতে
১৫	হকচাং পুম্বদা	কোকা, লাইবকা	শুমাংদা	ওক চায়	লৈ	লৈতে
১৬	নাক মদা	খুং খুজিন	ইংথোল অকোইবদা	বণ, হোদোং চায়	লৈ	লৈতে
১৭	লবাই লেম্ফদা	হকচাং মখুং মিউদা	ঈশিংদা	হরোই	লৈ	লৈতে
১৮	খুমিৎকা মিৎকা	থাংচেংদা	লমজাও লমহাংদা	শগোল	লৈ	লৈতে
১৯	খুজেংদা	যাদা	লোদা	শামু	লৈ	লৈতে
২০	শমগা ও ঙ্গিগা	লৈ, লৈখাদা	ইমুংদা	মী	লৈ	লৈতে
২১	থোংনম্দা	মিংথক্তা	মৈদা	লাইনা লাই চায়	লৈ	লৈতে
২২	ফেগন, কৈবাক	থমোই নাতোন্দা	লাইরুদা	য়েন, ফি চায়	লৈতে	লৈতে
২৩	খুনমগা নজন, ভক	থবাকা, পুকা	কাইবেন মথাদা কাংথদা	ঙাম্বুগা হামেঙ্গা শামু চায়	লৈতে	লৈ
২৪	য়াদা	থবাক্তা	থোংজিন্দা	হুই চায়	লৈ	লৈ
২৫	খুংনমগা খুতোনগা	খুং, খদাং	শুমাংদা	ওক লাই চায়	লৈতে	লৈতে
২৬	খুবাক মহৈদা	খুংচেংদা	ইংথোন্দা	যনগা হোদোঙ্গা	লৈতে	লৈ
২৭	লৈতোনগা শেগ্রাকা	খুংচেপক লেংবানগদা	ঈশিংদা	ইরাই লাই চায়	লৈতে	লৈ
২৮	চনিঙ্গা, মিউগা	নাগী নাতোন্দা	লম্বিদা	শগোল	লৈতে	লৈ

থবান	মিদা লৈবা	থরাইনা ফম্বা	লাইশিংনা লৈবা	লাইমাং শিঙ্গী চিঙাক	ঔথুরেং মালেম	লাই থুরেং নোং-লোন
২৯	শমদোম্দা	লাইপকা নাকোঙ্গবা	লবুক্পা	শামু	লৈতে	লৈ
৩০	মিংকা শমথোঙ্গদা	নাংতানগা, চাইক্লঙ্গা	ইমুংবা	মী লাই	লৈতে	লৈতে

থৌরম্বু থৌথিনা থৌওম্বা থৌপুংনি বোদনাথবা অতুনিদো —মানি মানি ২॥

অমুকও মুমিংবা থবানগা, থাগা থাবানগা পুম্নবা থোক্লগব পরম্ব নিংশিংশে—হায়বিও ২॥

মরোং মরুবা পুবদা থাবাম্না ১২, ২৭ ওইরবদি

থৌহোবা অকাইবা ওইগদব নোংমগী তংনবা

নুমিৎক থাবানগা তংনবা ফংবা

থৌহৌবদি নিংবা থুংপনলোইদো—তাকপিও ২॥

২ মশিং নুমিত্তা থাবান ১১, ১৬ ওইরবনি তংনবা ওই ॥
৩ মকাং „ „ ১০, ১৫ „ „ „ ॥
৪ অশিং „ „ ৩, ৮ „ „ „ ॥
৫ হয়েং „ „ ৬, ২১ „ „ „ ॥
৬ হংশিং „ „ ২, ১৭ „ „ „ ॥
৭ মশেং „ „ ২২ „ „ ॥

(২বা) লাইমিংথোই লাইলৈমা মঙাই তংনবা পরম ১ও হায়গেকো ১ লমদা, পোইন্থ থা ২শিদা থাবান ১৭ ওইরবদি থোহৌ থৌরোইবদা অকাইবা ওই ॥

২ হিয়াঙ্গৈ, থবান থা '২'শিদা থাবান ২০,২৫ ওইরবদি হৌবা/লোইবা তংনবা ওই ॥
৩ শজিবু থিঙেন „ „ ১১,২১ „ „ ॥
৪ কালেন, কাইরেন „ „ ৪,১১ „ „ ॥
৫ লা বন, ইঙা „ „ ৮,১৩ „ „ ॥
৬ মৈরা, বাকচি „ „ ১২,১৭ „ „ ॥

(৩বা) লাইমিংথোই লাইলৈমা মঙাইরোই তংনবা অমও হায়গে

শজিহু থৌরান, পোইহু অহুম অসি মরোং মরুন. পুবা হুমিং খুদিঙ্গী অয়ুক্কি হুমিং য়ুংথক খানব মতুংদগী হৌনা কোলুপ ৪বু হুপা তংনবা পিদো ।। তুদা কোলুপ ৪ অমা মশিং মরুনা তংনবা পিদো ।। নিংবা থুংনবা অকাইবা পিদো ॥

২ কালেন লাংবন, বাকচিং থাজা (৩) শিনা অয়ুক্কি কোলুপ ১০গী মতুংদগী কোলুপ ২ তাবা ফাওবা অসিং মরুনা তংনবা পি । মতুংদা কোলুপ ৪ অমনা হংশং মরুনা তংনবা পিদো ॥

৩ । ইঙা, মৈরা, ফাইরেন থাজা (৩)না অয়ুক্কি কোলুপ ১০গী হুংদগী কোলুপ ২ তাবা ফাওবা মকাপ মরুনা তংনবা পি। মতুং কোলুপ ৪ অমনা হান নারোনা পিদো ।।

৪ । মিঙেন, হিয়াঙ্গে, লমদা থাজা (৩)না হুংথক তাকপা কেলুপ ৯ তাখবা মতুংদগী কোলুপ ১৪ তাবা ফাওবা হয়েং মরুনা তংনবা পি ।। মতুংদা অহঙ্গা য়ুংখক খানবা মতুংদগী মশেং মরুনা কোলুপ ৪ তংনবা পিদো ।।

লাহাম থোহ লাইলেনা মঙাই হৌক্কি নোংমা নোংমগী তংনবা কোলুপ নিংশংশিদো—তাজগে ২।।

নোংমা নোংমগী তংনবা কোলুপ

১ । মরোং মরুনা পুবা হুমিং খুদিঙ্গী অয়ুক কোলুপ ১০ গা মথাই তাবদগী য়ুংথক খানবা মতুং কোলুপ ১ গা মথাই ফাওবা পি ।। মতুদা অাবদাঙ্গী য়ুংথকখানবা মতুং কোলুপ ১গা মথাই তাবদগী কোলুপ (৩) হায়বাই কোলুপ ৪ মথাই ফাওবা তংনৈ ।।

২ । মশেং মরুনা পুবা হুমিংতি অয়ুকী কোলুপ ৭ মথাই তাবদগী ৯ তাবা ফাওবা অহুগা হুংথিলগী কোলুপ ৩ তাবদগী ৪ মথাই তাবা ফাওবা অমা অহুগা হুমিদাঙ্গী কোলুপ ১০ মথাই তাবদগী য়ুংথক খানবা ফাওবা অমা অসি তংনৈ ।।

(৩) মকাপ মরুনা পুবা হুমিংবা অয়ুক কোলুপ (৩) তাবা ফাওবা অমা অহুগা হুমিদাঙ্গীনা কোলুপ ৭ মথাই তাবদগী ৯ তাবা ফাওবা তংনৈ ।।

৪। অসিং মরুনা পুবা নুমিংনা অযুক কোলুপ ৯গী তুদগী ১০ মথাই ফাওবা মতুং যুথক থানবা মতুংদগী ১ মথাই তাবা ফাওবা৷ অহুগা নুমিদাংগী যুথক থানবা মতুং কোলুপ (৩) তাবদগী কেলুপ ৪ মথাই তাবা ফাওবা তংনবা নি ।।

৫। হয়েং নুমিংনা পুবনা নুথিল কোলুপ (৩) তাবদগী নুমিং তবা ফাওবা ফৌ নুমিদা দনা নোংয়াই মতুং ১ মথাই ফাওবা ।।

(৬ হংশিং মরুনা পুবানা অযুক কোলুপ ৯দগী যুংথক থানবা ফাওবা৷ নুমিদাং কোলুপ ৯ তাবা তুংদগী কোলুপ ১০ মথাই ফাওবা তংনৈ ।।

৭। মশেং নুমিংনা অযুক নুমিং থোকপদগী কোলুপ ৭ মথাই ফাওবা অনা৷ মতুং যুংথক থানবা মতুং কোলুপ ১ মথাই তাবদগী (৩) তাবা ফাওবা৷ মতুং ৪ মথাই তাবদগী নুমিং তাবা ফাওবা৷ নুমিং তবদগী কোলুপ ৭ মথাই ফাওবা অমা৷ যুংথকথানবা ৪ মথাইদগী নোংঙানবা ফাওবা অকাহবা নিদো —খংজ.র ২॥

অমাওবা ওইগদবা ইতম্‌ তাকপিবা লোইবদুনা পরম অমা হোংনা নোইরক্লিদো পাওশাশিকো—শাশে ২॥

উরেপ উযুং মশক থনবা য়ুমশারোন

থোরমদি উরেপ উ যুংবু মশক থনবা উরেপ উযুং খিনবগী লাইরকচন অহুনিদো হায়বিও ২।।

যুম্বিরেল ৮ বু থিকংশং থাশেনা লৈমাইথক্তা অথোই অহেন নাইদনা কৈরা ৩ মথংলেংনা থয়গা মথক্তা যুম্বি ৮ বু থম্বিদো —থম্মি ।।

মাইয়োকথা হৈ-লৈ মৈরা মেক্রক মৈথু লাংনা লৈপাইদো "চিংউ শংদেন শানবা যুবিরেন ৮নক নযুম কয়াং মতাগী নুচিং

নোংদম খৌপুনববু নওম চাওবা ভাক্কনিনা লুচিংবা উযুং তম্নববু খংদরেদো, লুচিংবা যুম্বিরেল ৮ দগী য়াইফা নোংদম্বীনবা উরেপকী মশকপু ভূসি কোরৌবু ভাম্নবিতুনা হয়েং ইমুং ভানবদা পিনবিও" পৌনিজবদা উরেপ তমগদবা মশকপু খাইদগী থোইমা য়াম্না নৈবমগনি তাকপদা —তোকখি ২।

অহেনববু য়াওরমম্রনদি ৮ মকী মঙ্গুংদগী থোইচংবা খল্লগা মথৌবু শিংথাকনা উবেপ্প, তমগনি তাকপিশ্ববু নিংশিংনা মরু ২না নৈইবিদো—নোইরি ২।।

থৌবস্থু লোইতুনা থাজগী মাইরোন য়েংনা তস্বরু পাওশাশিকো —তাকপিও তাকপিও ।।

১। মৈবা, থম্বান, লাংবন থা অসিদা উবেপ তম্বদি মকোকা নোংপোক উংথোম্না অলাং পাংলকপনি, উহম্না চিংথৈ পানা হনগনিদো ।।

২। থুর নগা লাংবনগীদি শাপম্ব যুমশা, যুমহৌ, যুমলোইবা হুম লম্বা ১থৈ তৌগনু থোপাংদে—হায ২।।

পিহু চৈং, পোইনু, বাকচিং থা (৩) শিদা উরেপ তম্বদি মকোক্না মখা পাংনা থমগনি। উংথাম্না নোংপোক ওনগনি। নৈরকুনা উহুম্না নৈবমদ হনগনিদো। উরেপ্প হাইগৎপদা মাইবু যহোং ওনগনিদো। পোইস্থু থাদি মুংশিং নোংহুম নর্কনি অকা অপুন থানি নাগাই হায়দো- হায় ২।।

শজিভু, কাইরেন, লমদা থা (৩)শিদা উরেপ উমুং তম্বনা উকোক্না নোংচুপ উংথাম্না মথা পাংনা হনগনি ।। থাঙ্গংপদা চিংথৈ ওন্দুনা থাঙ্গংকনি ।।

কাইরেন লমদা থা ২শিদা শাবদি থবাই মহে্ং তাবা মুমনি পাংদে হায়দে হায ২।।

যিওেল৹ কালেন৹ ইভা থা (ত'শিদা উরেপ ভম্বদি উকোক্লা লারাং৹ উতোক্লা নোংপোক পাংনা লৈরক্নুনা হাইগংকনি। উহক্লা মস্থোংপাংনা হনগনি। উমুংবু পায়দদা কৌক্র ওক্লা পায়দুনা থাক্লংকনী।।

কালেন ইভা থা শিদা যুমহৌবদি খোইশাও ইরাং হৌবনি তাকপিবো—তাকপি ২।।

উচেক্কী পাওভ্রেল পাওতাক

উরেপ উমুংবু খিনবা মতমদা নোংদম্বনা পোম্বীদা৹ চেক্লাদা মুংভাই য়াইদা৹ অদা অনং ফঙ্গদবু খংজনবা পাওতাকখিববু নিংশিংনা মক্লনা নোংরকলগো পাওশ শিকো—তাকপিও ২।।

১। মথাদগী উচেক্লা অরাং পাংনা পাইরকপা মতমদা উরেপ উমুং তমজহৌরবদি মপুক মরা তপা পানবা৹ স্না৹ লুপা৹ রাত্তনা চাদা নওনা পুম্নমাক চংনফম্নি খংহনাববনিদো —মানি মানি।।

২। কৌক্র লমদগী মথালোমদা পাইরকপদা উমুংবু খিন্নবাদ খিলবা থোক্লবাদ মুংশিং নোংহুম ফঙ্গদবা য়ুমনিদো হোয় ২।।

৩। চিংথৈদগী মস্থোং লাইচি তক্লা পাইবা মতমদি পূক্লিং তপনা পাক্লগনে তাকপনিদো—মানি ২।।

নো চুপলোমদগী নোংপে কলোমদা পাইবা মতমদি মীশি মীনাবু ফঙ্গনি তাকপনিদো—

লাইমিংথোই লাইলৈমা মভাই চিংভ খোইয়ুম পুম্নমক—হারবিও ২।।

য়ুম শাদুনা নোংদম্বদা কংপা

লাইমিংথোই মহি স্নালেক্লা মহম লাইশঙ শাদুনা নেংদম্বদা কংলগা লৈনখিবা থৌরম্বু নিংশিংনা থৌরম্বু অনোই শাথোক্লরে নিংশিংনবা পাওশাশিকো—পাওশাশে ২।।

চিংউ থাংবাই মারহনবনা মাগী শারোই লাইবুংথৌ 'স্না ওস্নলৌরেল' কৌবা ২০গা লোইননা শিংজংহাইবিবু পাইহনা উরেপ উনুং তম্নবা খাঙেডন, শিংকাপ য়ুম্বিরেল, লোইমচিংববু শেম শাদোক্তনা থমে লৈরবা পাবেন পুম্বু থৈরম রেংনা শিংজং হাইবিনা মপুং মরা নিংখিনবা শেম শাশে—শাশে ২॥

শেম্বা শাবা লোইরবনিনা য়ুম কা ৯ বু পুনবা য়ুম্বীরেল ১৮ বু খিকপেং চাইনা হেক্কক লৈ মেক্রক বৈথু লংনা য়ুম্বীরেল উয়ুং তম্নবা থল্লশে—থনশে ২॥

ইপুং ওাল্লগা উন্নাই থংবা যংশীনা খুদোম (০) হেনগৎনা লৈরম্মীদো

উরেপ উয়ুং তম্নবা, য়ুমলেন পুনববু ফংলবনিনা উরেপ উয়ুং খিন্নবা থোপুরশে—থোপুশে ২।

খিন্নবা উখুনবু তৌরশে—তৌশে

হৌজিক্তি শজিক্তু থাজনিনা উকোকনা নোংচুপ পাংনা থমলশে, উংতাম্না মথা পাংনা থমললগা য়ুংখৎশিকো—য়ুংখৎশি ২॥

উহন্দি কৌএদা হনগদবনি অদুগা লাইবুথৌ ৩/৫না মাইবু চিংথৈ ওন্দুনা উয়ুং পায়ুদনা থাঙ্গৎকনিদো—থাঙ্গৎচগে ॥

উখুনগী মথুংদা খোহাংনা (ৎ), লৈতাইগদবা উমাইদা (ব) উতোন্দা (স) য়েকগা পুক্ৎ লৈপাহবা লোইরবনিনা ইতমগী পাওতাকপু অদুক তাক্সিকো—তাকসে ২।

মথালোমদগী পোম্বা চেক্লানা অবাং—পাংনা পাইরক্লে উরেপ উয়ুংবু খিল্লসে—খিনশে ২।

উরেপ উয়ুং তথা লে হরে, উরেম্ন তম্না য়ুম্বীরেল ১৮ বু ওনবা য়ুংতুনা লচেক য়াবানা তোংলগা লক্ক অয়োলবু ফংদনবা থাংডেনবু পান্না খিল্লাসদো / খিনসে ২॥

স্না য়ুম্বি হাপ্তুনা য়াং নম্মশে—নমলে ২।

লোইখোম পন্দলি ফাতুনা হুমদাং য়ানশে—হুমদাং য়াল্লে ॥

য়াচেং উরা থারশে—থাজয়ে ।।

উরা থাবা লোইববনিনা লিক্লা নোংবু কয়বা ফক্লাংবু থানবা শত্থু য়াঙ্গেন—তুম্মৌ, শিংওূৎ—শিংনাং কাল্লু য়াল্লুরশে—য়ানশে, কানশে ।।

তুম্মৌ য়াঙ্গেন শিংনাং কানবা লোইরতুনা মুংশাদা কৌবা ৭নি শুরবনিনা মতু, লাংশিল্লম্মনি খোমজিন্দুনা নঙ্গী ২ রাই অহুম্না কোনবা মপুন মপুন শারো পুল্লে ২।।

রাই অহুম্না কোনবা মপুনবু নমপুং অমা হায়সিদা—হায়বিও ২।

নমপুং ১০/১০ বু মপুন শানা পুন্দুনা থমশে—থমজরে ।

মপুন ১০বু নাম্বা কৌসি—কৌসি ২।

চৈশিং থিনবা মপুন শনা পোংমা—লিকা অমা কৌনা নংনা নংবা কালু য়াল্লুবা শি নাং তুম্মৌবু পৈশিল্লো পৈরে ২।।

য়ুম কুপ্না ফক্লাং থাবদা কানবা কনম পয়া, চেপ্তা পয়া শিনবা রানৌবু রাচেং মশুং মারি থোক্লা থায়হনা 'হংকে' কৌনা মকু খেৎলশে—পয়া শিজবে ।।

উরা মথক্তা নমপুং লংথৎলশে—থাংগৎচরে ।।

ইয়ুম লাইশঙবু কুপ্না শাই চেল্লশে—চেঙ্গরে ।।

ইথক্তা মথং মথং মকোকপু হুইকাপ অমা চৎথৎনা মতোম্না শাইদা বুপ্নবা হোৎনরশে কুপ্রশে ।।

য়ুম লাইশঙগী শাইগী মতোনবু কয়বা শাইথাং হাপশে—হাপশে ২

শাহ ককশে—ককশে ২।

লাইয়ুম্বু কা ৯ য়াৎনা ফক্লাং থারশে শিংওূৎ শিংনাং মপুন পুরকলো—পুরক্লে ।।

শিওূৎ মপুন থোক্তুনা রাচেং চপশে চপলে ।। পয়া পুল্লো—পুল্লে ।।২

ফক্লাং রাইতৈনবা মালেম চথিংসে—থিংসে থিংসে ।।

তৈবা লোইরবনিনা ইনিংথোং ইমাংথোং প ল্লসে —পাল্লসে ২॥

য়ুম্ শেম্বা শাবা লোইরবনিনা নোংদম্বদা কৎনবা য়ুমগী মপান ইংথোল লৌরি য়াৎলশে—য়াৎসে ২॥

য়ুম লাইশঙগী মমাংদা মিৎ শাথোকনবা মুংঙাইনবা 'ঙেংলো হায়না লৈতেম্না শেমশে – শেমশে ২॥

য়ুমদগী চথোকপা হল্লকপদা থোংচং চংথোক্লবা থরাই থোঙাইবু চিংথৈ মিৎলমদা ফংসে—ফাৎশে ২॥

য়ুম শাবগী থাগা রাঙদা লেমহৌবা লমবু য়েন্নথাক কৌবনিদো। পিক্না থুনা লৈংহৌবা লম্ 'য়েন্নাথাক য়েন্নথ' কৌসিদো – কৌসে ২।

য়ুমগী নোংচুপ থংবা লমলেম্ য়ুম্লিংথেল কৌসি। মচুদা নজি ২ পোৎলি পোথমকম্, ওইসিকো—ওইসে ২॥

পোৎলি পোথন্নবা মফম্ 'কৈই হায়বা শঙ অমা শানা থমশে—শাশি ২॥

লাইবম তিল্লন অয়েৎ অথোং লাইগী থোংলম্, পিনবা নঙী ২ ইংথোলগী লমথৈগী থোংলম্ থংনবা পনশা লৈথোম্না মাইগে মরিবু 'লেথম—লৈপল' লৈনাপ লৈথিংশে—থমশে ২॥

শেম শাবা লোইরবনিনা শঙবু নোংদম্বা মপূদা লৈরাংজকুনা খিকপেংনা থৌখনবু কোরৌ খুদিঙী তানকংনবা লাইশঙবু কৎলশে —কৎলসে ২॥

কাম্বী মেফুলিংনা মৈমাংদা নোংদম্বগী কাইরেল লাইরু কৌনা লৈহুনজরশি—লাংজরে ॥

ইমাং থংবা কয়াৎপূ খাথংবনা 'ফমলেন মাঙোন' কৌশিকো— কৌবিও ॥

অরাং থংববু "নাকথা কাইরেল" হায়শিকো—হায়শে ২॥

থেলেংঙা শাইটিনগা লোম্নবা মফম্ " য়িচুম তাকম চুরি" হায়শি—হায়শে ॥

ঈমাং থোঙ্গা তাইনবিবা কাগী খাথংবনা 'লুখুম কাইরেল' কৌ'স—কৌবিও ।।

অরাং থংবনা "চম্ব কাইরেল" কৌগেকো—কৌবিও ।।

মৈফু লিংবা লৈফমগী খা থ বরু "লপলেলক।" হায়শিকো —হায়শে হায়শে ।।

অরাং থংবরু "মাংশোক কাইরেল' কৌশিকো—কৌশে ২।।

মরিগুবা বাইরেলবু "শঙ্গাই ফমলেন" হায়শিদো—হায়থে ২।।

মঙাওবরু "লনলৈমা কাইরেলফম কৌনা থমশিদো— থমশে ২।।

তক্কগুবনা "হিরৈমাগী কাইরেল" ফমনিদো—মানি ২।

তরেৎওবনা য়াইবৈমাগী নিপানগুবনা "অকোং তত্তাবী অয়াই কংদবীগী কাইবেম্নিদো—মানি ২।

মাপনগুবা কানা "অরাম যিকৌ লৈমাথেল" কৌনা থমশিদো—থম্বিরে ২।।

লাইমিংথোই লাইলৈমগী মঙাই পুম্বা শংলেনবু মপুদা কংচবা লোইরবনিনা থৌরম অমবু হোংনা নোইরক্লেদো পাওশাশিকো —পাওশাবিও ।।

লৌড়বা পরম তাকপা

চিংঙ মহারাবনা শলাইলেনগী বাথনবু খংলতুনা বাংব্রেনগী শাদোং ইরোই খবোবীবু বাযরগা মাগী শাদোং শিলঙ ওাংঙ কৌবা বণগা পোৎপা শেমখিদো—শেমখি ২।।

চিংঙ মৈরম থপ্লাংবদা য়োৎথোল য়োৎ, থাংচৌনচিংবরু শিংতুনা অরাংপা লৈতনা শাহন্দুনা থমলেদো—থমলে ২।।

লোংঙা কৌবা বানা পোৎপু শাইদো শাই ২।

উহা কৌবা উনা 'লাঙ্গোন' হায়বা মশক অমবু শাইদো—শাই শাই ।।

লাঙ্গোন মচিন্দা মালেম্বু হোগাইনবা য়োৎনা য়ৈথোক্তুনা 'লোংখুম মশকপু, তোপ্তুনা চল্লে—চনখি ২।।

পামেন উযুংনা য়োংচৈ শেম্মগা লাঙোন্দা হুক্তুনা মখোক হাপ্পগা য়োংচৈ মতোন্দা কাপ অমা হুৎনা মকম অহমদা হক্তুনা থমম্মদো—থম্মি ২॥

য়োংচৈবু লঙোন্দা চনবা=পনবদা পামেন কুহিনা "বাইথুমিং" থাব হায়ন উচা থাম্লেদো—থাই ২॥

অদুবা লোংপুদা হুক্তুনা 'লুমচৈ' হাপ্লেদো—হাপই ২॥

এত্তং পযাক্ষী থৌরিনা "লুমচৈ থৌরি—লুমি" হাপইদো—হাপই ॥

লাইনগী পযানা য়েংথাংলি হায়না কিবন থৌরিগুমা শেমহুনা পোংপুদা হুক্তুনা য়াম্লেদো—য়াম্লি ২॥

উনপা লাইচবু শেম্মিন্দা পুন্নমক বাংতনবা শেমহুনা লুংবা মহ রাংনা নোংদম্লেদো—হাযবিও হাযবিও ॥

যনপোং থোয়বা

অচা অথকপু মবাং কাইনবা (লৌউবা) কৌবা শিল্লম অমা থৌপুংগ, নোংপোক যম্লোকচাউদা চাক্তারিবা মখেবু লাইবুংথৌ অমংম্মা শক্ল ম্মাবা ২/২ না পোংমা শাহুনা থৌগু শিলংশি হায়হুনা যনপোং গপু জনবা ফংহুনা থম্মিদো—থম্মি ২॥

নংনা নংনা লৌ শাম্লিংবা মকমদা ঐথোয় পুম্বশে শিলংনহুনা লৌউনশি মহারবা ঐনি মরুপী তেংবাং থৌপুজবনিনা হৌলম্মা হানবগী মঙ্গংদা লুতুংনা থংহৌনবা লৌফম্ 'অহোং লৌকোল' কৌনা লাকনিরা থান্নুংশি — কাইরেনগী মওানি পানবা সিরেমা ইমাগী ইরাং থৌরোইবা কোরৌ অসিদা লৌতাগে যনপোং ৭০ লৌপা থিয়, বাংতেম্মা লেপ্লেদো—লেপ্লে ২॥

লাইনিংথৌই লাইরেমা মণাই পুম্বা—হায়বিও ২॥

কাইরেনগী ৫ নি পানবু অসিং—য়ুমশাকৈশা মুমিৎপু ওইরতুনা শিন্নেমা ইমাগী পুক্ন থৌনি লোইরগা মালেম ইমাদা লৈকবু নিঙ্গবগা মালেম্, থিঙ্গাইনবা যনপোৎলোই ৮ না শুবা লৈকপু. "অহাং লৌকোন চাকশৌপু" কৌনা মালেম্, থিঙ্গাইনা লৌতাবা হৌথিদো—হৌখ ২।

লৌতাবদা শৈরাও পাওশানখিববু শৈশক্না মরুনা নোইবগী থোঙনশিংকা—শৈরাওবিও ২।।

লৌতাবদা পাওশাবা

"হে তাও যনপোৎলোই, মালেম থিঙ্গাইবা হৌরেদো
হয়মলে হয়মলা হে হৌ হোয়ানগেদ হৌ ।।
তিংকোই পুমথাং লোলবু, থিঙ্গাই হোগাই হৌরেদো
হোই তাও হোরেদো হৌ হা হৌ" ।।

লাইমিংথেই লাইলৈনা পুনা তিঙ্গোই পুমথাং লোলবু হোগাইবা অহানবু "য়োৎসম অহানবা তাবা" কৌখিদো—কৌরি কৌরি ।।

অহোং লৌকোলবু হোগাইবা লোইরতুনা 'কারন থাবা' হায়না অমুক মালেম্বু হোগাইদো—হোগাই ২।।

অহমলক শুন হোগাইববু "লৌওন অহম থাবা" কৌনা হোগাইরগা মুংশাদা কৌনা কংহন্না থনখিদো—থম্মি ২।।

চিংউ মুংবামহারাবনা লৌফম্বু লৌরি—শেঙ্গোই শানা থম্মিদো—থম্মি ২।

উরেল উচাও অহকপা থন্নগা খুনিং কুইবা ককতুনা ময়াইদা হুৎলগা মশা মশাগী লম অমা শাংনা উনা—য়ানা মথোকপু পান্দুনা মশকপু (তোকতু) কৌনা তেংলৈ অচৌববু রৈথাইদুনা কুপহন্নগা কংহন্দুনা অমুক থম্মিদো—থম্মি ২।।

ইভারগা মক হুনগনি থম্মিবা হুংবা মহার'বগী থৌবন্ম ইমা হুংম্মু ভুমদ মাংদবীনা উরহুনা থোপাংগে নিংহুনা লইলেমা অমবু হ্রীং লাইয়েকা নাওযোম থানা ওম ঐং হ্রীং শ্রী' ক্লীং হো +সো ফৌওইবী নংবু কদোবিবগে কৌবদা ইমাগী লুমলাংথেন্দগী চোংথোক্লুনা থৌভাইনা লৈদে'—লৈথি ২।

ইমানা হায়দো লাইলৈমা অহোং অচাওবী সুবল অরেং বানহৌবী ম্না লুপা খোংনেৎনবী ইমানা 'ফৌ' হায়বা মশক থোকহনবিহুনা হুংবা মহাবাবগী থৌবাং। থীকারকবা তাইবঙ্গীগী থবইগী ভংনফম্মু ওহনবা থৌশনবিবো নোংদম্মিদো— শ খোকথি শা থ কথি।

ফৌওইবী ইমানা থৌপুনা মোবশা—পাইত্রি—থাও ২বু পুথোকুনা লেংফাইনা মহাবা'বগী লৌকম চাকশৌপুদা লাকইদো লাকই লাকই।

চিং উবনা উংদুনা ইমা বংদি লৌকম অসিদা কদৌবা লাকইবা হংবু "চিং উবনা লোড়বা শিল্লংবদা মউ চারি ওইবিনববু ভেংবাংজগে নাকচবনি" বাথুম্মীদা—থুম্মি ২।

ইমা ঐগু করি করানা ওইসিগে খন্দুনা লৈজরম্মিবনি তাকপিম্মু হায়দো—হায় হায়॥

চিং উ পা ২বা পাইত্রি অসিদা লৈবমগনি মশক অহু মথেনা চাউনরই শংবু থৌচবীন পাওশানা পাইত্রিবু হুক্লোকতুনা পাথ পাথ ২।

মহাবাবনা পাইত্রি মহুংদা খুং থিংজিন্দুনা য়েংবদা নিক-শিন্দুনা খুংলাক অমা পুথৎলকইদো—পুথৎলি ২।

১। লাইলৈমা মশক অশিবু করি কৌবনো হংববু "চিং উবা ঐদি শাথোরকপদা ভাইবনা মশক অহুগী মমিং থংজত্রি চিংউবনা মনিং তম্বীও"॥ অহুদি ইমা মশক অসি হুংনগু থংহৌনবা ইমাগী মিংবু লৌনা কুমজাগী চাজা য়েন্দং ওইনবা থবাইবু হিংনবা

চিঙ্গ ক ওইনা নোংমথদা কৎলগা চাজনবা ওইনা 'কুমথী কৌ' কৌনা মরু ওইরগে র'ত্তেমহুনা কুমগী কৌবু পাইত্রি হবু শেমহুনা থম্মিদো—থম্মি ২।

২। মহারাবনা অমুক হুমহুনা য়েংবদা মশক অমত্ত লৈরমহুনা খুৎলাক অমা পাইখৎলক্লে ইমা অসিমনা কুমজা চুপ্পা চাজনবা মশকশিবু 'ফৌলেল' কৌরগে রাত্তেমহুনা থমখিদো—থম্মি ২।।

৩। অমুক হুম্বা খুৎলাক অমনা 'কবোক কৌ' কৌরেদো —কৌরি ২।।

৪। করি লৈরমখিগবা থম্বা হুম্বদা খুৎলাক অমা পুথোকপবু মোমথাং কৌ= চাহাও অচৌবা কৌখিদো—কৌই ২।

৫। অমুক হুমহুনা পুথোরকপা খুৎলাক অমনা 'শংশংবা' হায়দা—হায় ২।।

অশুম্বা মহারাবনা হুমজিল হমজিনবদা থেংনবা মশকপু মমিং থোম্বা থনপোৎ লোই খুদিংদা য়েন্দুন' মরু তানবা থম্মিদো —থম্মি ২।।

লাইমিংথোই লাইলৈমা মঙাই পুম্বা—হায়রিও ২।।

কালেন শিল্লংবা

হুংবা মহারাবনা হুংমু তুমদা মাংদবীদা মালেম্বু কুপহল্লগা কোইনা সনা ভাল কালেন থাজ অসিমবু থম্মগা ইতা মপুং কাবদা মরু চাইনবা থমজগে নিংডি অসিবু য়াগদবা খোঙ্গুম মিৎয়েং তাবিও রাহোয়েদো—হায়রিও ২।।

হুংমু তুমদ-মাংদবীনা মহাক্কি লোইনবী লাইলৈমা হিকুবী, য়াইকুবী, হীরৈমা, নোংথোংলুবী, তমথেংলুবী, অথোয়্, অরৈব্, অহুম্, নিপানগা লোইননা থারৈ পুংদা কুমলক্লুনা মাপী হাক থোম জিপ তাশিন্দুনা তেংবাংথবু পাওশাশিকো—পাওশাবিও ২।।

"হো ইতা মঙাইরোই, ঐখোয়না শিলঙ্গ লংবশে
চিনগোই নোংদম ইবুংবু গুক্রবা, কাওবা কাওথুম খুজিনসে ॥
তেংপাক লালু শাবদা নিংথি চংখোম্না পক্লিবসে
কিগাও থম্না খুম্বুনা, অসিগী মায়য়োকথাবু ওইগুবসে ॥
লাইবুংথৌ সিংনা বাখুম শৈওক্লে—

হে খোইনৌ মঙাইরোই
চিঙ্গাই পাওশা তানবংবা
নিংথি খোইচং খোইদাজৈ
হোয়ানপেদা হৌ ও হোয়ানগেদ হৌ "

বাখুমখিদো—খুম্নি ২।

অগুম্না পাওশানহুনা হাপু পৈশিম্না মৈ থাদোকহুনা থাহু হুম্না লৈহাও কানবা থমহল্লিদো— থমহল্লি থমহল্লি ॥

থাজা য়াইখুত্তোন— ইঙা থাবু য়োৌরহুনা কুমগী নোংবু ইতারক্তনা মহারাবনা মক হুম্বা খোরাংখিদো— হায়বিও ২॥

হৌজিক্তি লৌকম্বু চৈশিং নাইনা মক হুম্বা শাশিদো— শাশি শাশি ॥

লৌরি শেন্দোই অনিনা কোইরিবা অসিনা (লৌশেংগী) অমা হারশিদো— হায়সে হায়সে ॥

লৌশেং ২না পাকপা শাংবা খরৈ লৌকমবু 'লৌগুং অমা' কোপকে— কোশে কোশে ।

লৌগুং ২না 'মরাক অমা' হায়সে— হায়সে ২।

মরাক ২না পাকপা শাংববু 'পারং' কৌনা খরৈ চৈশিংবু শাশিদো—শারিশ, ৩।

লৌগুং ১দা চাইনবা ফোবু খুংলাক ৬৪বু ইতিংলগা ইচুম্বু কংহল্লগা হুপ হুপলাংনা কুপ্তুনা থমলগা লৌকম্বু নৌহৌনা খোই দাক্লগা মক হুনগনিদো—তাকপিও ২॥

মউ মশাঙ্গীবু ফুরুপা নৌহোনা মউ চারিবু শগ্গা লিংনবা লৈত্তৗবা কৌ খুংলাক ৪৩ বু মক হন্না চাবি মপাল লোগানিদো —থোপুজগে ২॥

মক চাইনবা ঈশিংদা নোংমা ভিংলশে—তিংশে ২।

ইগ্গুংদগী লোখংলগা ইচুম কংলগা হপ হুপলাংনা কুপ্পনা ওমলশে—ওংশে ২॥

অহিং ওগ্গা লেল্লবনিনা লোকশ্যু খোইদোক্না উকায় তকনা লৈত্তেম মায়হন্নগা কৌতিংবু চাইরশে—চাইশে ২॥

লৈত্তেম মায়রবনিনা ফুরুরোইদবা অসিনা 'পামকেন চাইবা' কৌশি অত্তুগা মউ চারি লোনবা খগ্গা অসিবুনা 'লোহোন হুনবা' কৌনা থগ্গসিদো—থমশে ২॥

লাইমিংথোই লাইলৈমা মঙাইরোই যনশেন যনঙাকশে—ঙাকশে ২।।

লোকমবু হংজুনা ঈশিং ফ থোকতুনা অমুক অনৌবা চনশিনশে —চনশে ২॥

লো লিংনবা লোহোন কোইরশে—কোইশে ২॥

লিংবা হুংঙাইনবা মরাদা পকপা লৈবাক হাপুবু খোংচেপ্তা কন্থোকশে—কনথোকশে ২॥

লোহোন খুংলাক মঙা মঙানা পুরুশিন্না হারৈ হামুল শানা থমশে—থমশে ২॥

যনপোংলোং লোকম্যু লোখোইনা উকায় তকশে—তকশে ২॥

ইনাংবু কানবা ইথোংবু খিনা থমশে—থমশে ॥

লিংনবা লোহোন লোকরশে—লোকরশে ॥

লোহোন হারৈবু লোঙং—শঙমবু থুংনবা চাইনা থমশে—থমশে থমশে ॥

লাইলৈমা লাইবুংথৌ ১৪ লোবু শিংথশে—

লৌবু লিংহুনা লৈথবা—লাংবন থা কারহুনা মহৈ মরোং চুমা চৈচিং শানা লৈনরবদা চরোংবু যেংনা হরাওনা পাওশানখিবা তমজনা ইখুং নখুং খুত্তোলবু পালোইনা চোংহনা শানশিকো— শানশে ২॥

য়াখংলোইনা চৈপল পার খোয়নৌশিংনা কোকশেংলাং খুাংজি কা লাইবুংথৌনা কিবুন কৈরেংনা লাইরেম্বীনা থুাংলি নিংথৌনা কোকশেং মচি লাংনরে ॥

লাংবন কারে ইংশো
মারো কারে ইকশো
হে তাও খমজা খমলে
হে তা চিংগোই ইথুংনা বাখিবা
কাবনা মাইরোক থাশিবা
নংবু ঐবু খোইহুং (লিকোল) লাংলশে ॥
হে তাও খোইনৌশিংনা বাখিবা
করিনা মাইরোক থেলশিবা
নখোই ঐখোইনা খোইতানা
উবেলবু তম্মা লাংনশে
হে তাও ইকশো হয়ম হেযানসে ॥

(৮) লোকপা মৈরা যন্দুবা

লাইবুংথৌ লাইলৈমা পুম্বা লাংবন থাবু চংবদা হুমবি কমদম ফৌন[+] খে ইঙা শানা চৈচিং শানরক্লবদা মোংদম্বদা কংনবা মক ২না লুচিংনা নোইবব পাওশাশিকো--পাওশাবিও ॥

থুল--লাই ১৪ মক চাকথাং—থাঙ্গোলবু পায়হুনা মহৈ মরোংবু মপালগা লে ইমনা ককশে থাওশে--থাওশে ২॥

খ[illegible]পু মডা মড়ানা মপুন শানা মুংশাগী মতানবু চানবা শন্না [illegible] ॥

খুদাপ পন্বা লোইবখনিনা ফৌরু ফংনবা খুদাপ্ত ফক্লেন মখক্তা থমশে— থমশে ২।।

খুদাপ দৈ রঙ্গনা লাইবুংথৌ হনা ফৌখোন থৌরিনা ফৌদিবু হাবনেরে —হায়রে ২।

শাম উকাপী চৈরোং পায়রিবা লাইবুংথৌ ৪দা পকহৌববু ওম্বা ওম্বা কাউন্তুনা য়েখাইল্লগা লাইলৈমা পুরুদা পিরু পিবে ২।।

লাই বম্বীশিংনা চাইথোকহন্দনা পিরুকইববু নিকথা কম্বাতুবা থম্মিদো— থমজরে ।।

ঠৈয়েথবা লোইববনিনা ফৌগাম ফৌচুম্বু য়াওদনবা পাম্মেন কুরাইনা শাবা "ফৌইনতোংবু" পায়রুনা লাইবুংথৌশিংনা তাখংশি অহৌ। লাইরেম্বীশিংনা য়েংদোকনম্না শাবা "হুখাইবু" পায়রুনা হুমদোকশিকো— হুমশে ২।।

ঠৈবা হুগা লোইববনিনা ইরাম যাইদা পুবশে হোল্লশে— হোলশি হোলশি ।।

লাইনিংথোউ লাইলৈমা মডাইপুম্বা হৌজিক্তি ফৌবু লোকপা লোইরবনিনা শিনগুনখিবা কাওবেলশিংবু ফুবা চৈবা লাংজখিবা করাবু কোক্লবা থানৌত্তান মৈবা থাগী নোংমা পানবদা কুবদম ফৌবু থংবা মতাম্মাবনা কুম্বী ফৌ কৌনা নোংদম্বদা কংলপা শিনগুনখিবা কাওরেলশিংদা মনক্ত ইম্নাং পুকম্না "মৈম্না মন্দুবা" কৌনা থৌপুশি নোংদমখিববু নিংশিংনা মরু হনা নোইরকলে ঐখোইশু নোই শ —নোইশে ২।

নোংদম্বগী কাইবেল লাইশঙ্গী মমাংদা কুম্বী ফৌবু কৌহৈনা নোংদমরদা কংলগে —কংশশে ২।।

নোংদম্বদা লৈহুনবা ফৌ অসি কাওবেলসিংদা পিজহুনা নখোই ঐখে ইবু লৈমাইথক্তা তুবসে —তুবসে তাকপিও ।।

খুংফাং ১০ব লে মতুনা থৌনিবা —শিজগে ২।।

কাওরেলগী মখোং ৪ বু শোক্তনা লুরাইদা শোকশে—শোকচরে ২।

কাওবেল মটেবু পায়রুনা লাইবক্তা কংলগা মশা পুন্না হায়দোক হুমদোকশে—নাক্কে কচরে ২।।

থৌরম অসে কুমজা থুদিংগী মৈরা থাগী নোংমা পাবদা। "মৈরা যন্দুব" কৌনা কুমগী ফৌবু নোংদম্বদা কংলগা শিনডবদা য়াওথিব কাওরেনবু পেক্করগা পুক্রম লৈপাইনবা থৌপুনি য়াক্তেন্নখি বু লোইরহনা মরু রনা হৌখ্রবা থৌরমু পাওশারক্লে তাসিকো—তাশে ২।।

লাইবু থৌ লাইলেমা মডাইপুন্না—তাকপিও ২।।

হৌজিক্কি কুশন্না কুপ-ত্রং=খিয়াইগী থাগী মপুংদা লৌলোকপবু লোইরক্লেদো— নোইশে ২।।

থাজালেল=পোইঃ চংলবদা লৌ লোকপা লোইরহুনা কুমজা ১ বু লেনবা চিঞ্জাক ওইনবা "ফৌলেল" কৌনা কৈরুংবদা শিন্দুনা থমহন্নিদো—থাম্মি ২।।

থানৌতোন=বাকচৌং থাবু শোক পাইদনা থম্মগা থাস্কুংশি—ফাইবেল থাগা হুম্ম পানবদা কৈরুংবগা কুমদম ইমা কৌওবীগা পুক্রম লৈপাই থৌনরগা কোথাইনহুনা গুবল, গুক, য়াক্লোক, মশক অহুম্মু পুথোক্তনা 'চেং' কৌনা কৌদগী লৌথোহুনা মৈরু শিংনা চাকি মশকপু পুথোক্তনা চাহনখিববু নিংশিংনা মোইবনিদো—মানি ২।।

ফৌ শুবশে—শুশে ২।।

শুবা লোইরবনিনা য়াক্লোক্তা শনদোক্তনা মরু অহাম্বু থপ্তনা লোথোকশে—লৌথোকশে ২।।

চেঙ্গী মরক্তা ফৌ য়াওববু লৌথোক্লবা থৈশে—থৈশে ২।।

চেংচন্না কংলবনিনা ভংবা চানবা থোংলশে—থোংশে ২।।

ফুরেল চাকথোক থুবু থাঙ্গংনবা চুকলেল অহুম য়ুংশে–
য়ুংশে ২।।

কাম্বী হৌনা লাইজা খরা হাপ্তুনা চেংগুরগা কাম্বী মথক্তা
থাঙ্গত্তুনা থমশে—থমশে ২।

চাকশোরে মহুম থুম্মগা নাকদা য়াইরগা তমলেন—লুকোইবু
মখল মথেন থোংলসে—থোংসে ২।

তারা চাকশু থোংলে মথেল সুকোইশু লোইরবনিনা
নোংদম্বদা কংলসি—কংসি ২।।

নোংদম্বগী লুকমনবু ইপুক ইক মাইতানা চান্নসে কংলসে–
তানকংলসি ২।।

লুকমনবু কংবদা ইমা অকোংতম্বা অরাই কংবী ফুরেল
বাংলোল তরেৎপু সাথোকপীনা অরৎপা লৈতনা চিংউ পুম্বদা
য়েনথিবদো ঐথোইশু নিংসিংনা ফুংঙাইসিকো—ফুংঙাইশে ২।।

থোইনৌ ইমানা তুথবা ইপুক থোইচং থোইদানা তানফংলসে
ইপূকলোই চনিংলোই নকা ইকা থোংথিঙ্লোই
থোইমা য়াম্মা মকেরে কবোক পোক্লম মকালাম
থোইমা য়াম্মা মকেরে মকেরেদন" ।।

চিংউ পুম্বা অসিদগী চাক এনগাং চাবা হৌরেদো লৈহৌনগ্রবা
পুম্বারিবু থম্লসি মরুনা কংলৈ পিনঙবু পুবগী পাকল শানবগী
নমক্তা পাচু লোইয়িন শাথোবকেদো—হোয় হোয় ।।

মরু ২গী পাচু লোইয়িন শানবা লোইরতুনা মহুম লাইশঙদা
নোংদম্বগী থোথম্মা লৈথ্রবনিনা খাবা তাওরোইলাই তরং লৈম্না
লৈত্তোনসিনা লিথাং মথাং থোইরৌ লিরৌনা পুকমথিববু তনজনা
থোগনশে—থোগনশে ২।।

লাইবুংথৌ লাইলৈমা পুম্বা হুমমৈদা নোংদম্বনা লাইবাও
পাচুনথিববু সিম্বারকপদা নথোই ঐথে যনা খ দবনা চোঙ্গা চোঙ্গা

হে মালেম অত্তানবা অতিংকোক্পা অমখনু য়োমহল্লে অমা ছায়বা কুংলে'.লুনগী লুমলাংথেলদা "উ' ইকু'কেং ক্লাচিং' অমম্বা কৌনা মুংশিংপু নাওয়োম থানা খম্বু হৌরক্লেদো— হৌবিও ২।

মুংশিংকি মমিংবু "উমবিক ওক কুক উং" কৌনা মনিলগী মশকপু নাওয়োম থানা খমগে ।। লৈচিলগী মমিংবু ইং লুং সং তরেং লিয়োগী' কৌনা ঈশিঙ্গী মশকপু নাওয়োম্না থম্মিদো— থম্মি ২ ।।

ঈশিঙ্গী মমিংবু 'উং লৈছিন পুমচিন পুখলেল লিক্লাপুল ইয়োম্বা তরং লাইঙ্গা' কৌনা মালেমগী মশকপু ইনাং ওইনা য়োমজুনা থম্মিদো - থম্মি ২।।

মালেম লৈমগী লাইমিংবু 'লৈহিংসং ইপুংথোক ইম্মাবী মীরাঁহীং লৈয়োগী' লৈপাতাও কৌনা থম্বগা করম্না ইডাঙ্গ লৈশ.শিবনো থক্লেদো—তাকপীও ২।

লুমলাংথেলদা ইরিক কোঙ্গোলগুন উথবা ল ইশক ৪৭ত্তা লুমলাংবু থম্না 'উ,' লাইয়েক য়াৱাবু ভ'হনা কাপ্পদা মুংশাগী মনিলদগী তরং=ঈশিঙ্গা মশক্পা চাঙ্জো লাইদনা চাওহনা হপাকথক্পা তাওহনা লৈরে ।। 'য়েং' লাইয়েক য়াৱাবু ভং.ল, ঈশিঙ্গা মথক্পা কংবী কংনাওবু খোর কনা হঙুংবুঙ্গা ইনাংবু কঙ্গা মরাদা পক্তনা 'ইশঙ্গী মশকপু' থোক্লে ।। ভং" য়াৱাব, ভংবদা ইশং পুখন, অমগা অমগা পুনশিন্নহনা ইপাক্পা তাওহনা লৈ.র ।। মশক অহুব. উবদা 'লৈপাতাও মালেম ইমা কৌনা 'লৈহিংফা লৈফা ওং.লৈবি ভোমশে ন মরিনফা পাওপানা মাঙেম্বু ফানা থনলেদো ।

মালেমগী মশকপু ফংলবদা ঐগী শাখোকফম ফংলে ইশক ইওংব, ইডাল নৈণানা থম্বা হোৎনরগে নিংলক্তনা উংলো য়াই বিলেল নোংলুমগী মশক্পা 'হয়ম লাইশোনা লাওহনা থিকলেল

ওম না নাওয়াম ওইবা অনহনী মশক ওইবা চিংউ অথোইবা ওইবগী লাইমিংবু " উম কিক ওক কুক উং " খমুং তেংবানবা রাতেম্বরিদো চিংউ অঙানবা —তাকপিও ২।।

সুংশিংতা শাদোংলিবগা মৈ-ঈশিং-মুংশিং-মালেম-লৈচিল মরম মঙাগা পুল্লগা অমা হায়বা রাহোকম ওইনম্বিবা অহুনী লাইমিংবু " উংলো রাইরিরেল কুং নোংলুম " হায়না অথংবনা শিংথানম্বিদো— চুম্মি খ'দরবদি অমম্বা ওইনা লৈবনি তাকপিশি মথংলে'ম্বা ।।

কুং নোংলুম কৌবনা অমত্তা ওইনা লৈববু নিংঙমদরেদো " ঐ ইথম্তা লৈরেনা ঐবু লৈ হায়বা কনা উদে থংদে কমদৌনা থংহনশিগে খনম্দ। থম্বীগদবা চৈশিংবু লুমলাংথেলদা হায়া তানকংভিদো —চৈশিংবু কয়া ফখিবনো ?।।

অমা হায়বা চৈশিং অহুদগী লাইথমলেন কাওবা হায়বদি অমদগী লুম কুনগা মাথোইবু লুম্নাংদা ফংইদো—খংজরে খংজরে শাওশাবিও ।।

চৈশিংদি কংলে মশক্লা করি কমদৌনা শাথোকশিবা লুম্নাং থাবদা ইরিক কোঙোনগুম্না কুনগা তরা (৩৫)বু উরেং মশকতি উরে লোইনগদবা য়াইবি। মাবা ইথোলবু কমদৌনা শাকোদবা থনবদা ইরিকী মশকম্না তরাগা অমি ফংইদো—ফংইবা মশক অহুম্ব করিনো তাকপিম্ন ।।

ফংইবা মশক্তি 'ক দগী 'ক্ষ' কাওবা অহুগা আ ই ঈ উ ঊ ঋ ৯ এ ঐ ও ঔ অং অসিনিদো— খংজরে ২।।

খমুং ওইরিবা রাথনবম্ব ইঙাল লৈশানবা চাইথায়না থম্বীরগে খমক্লেদো—কুবিও ২।।

ওইগদবনি পাওতাকলিবগী নাকোঙ্গা বাহংজবগী নাকোঙ্গা অমতা ওইসা চিংউ মহাক্না খজবা পুরানি অতুব্, নোংদম্বনা নোংলোন্বা ঐব, শাথোকপিবদা ইথৌ নোংদম্ব তাম্না শিনবিখিবনা মরাখংব্, বাত্তুনা পাওখুমজববা বাহংজবগী ইতম্ব্, তানফংনখিদেদো নোংলোনব্, ইঙান লৈশাবিরম্বগা মালেম ইমাব, ইঙান লৈশানবগী নোংথোদগী থকথাখিবনা হান্নখরে থোদাগী ইতম্ব্, হানখিদবনা কোরৌ অমতা লৈচং বাহানা তাজাগে নিংজবব, নিংজবতা থোপুরা লৈরিদো: অতুব্ কোরৌ অসিদি নোংদম্বনা তম্বীতুনা ইকমলাংদা কম্বানবিবরেদো বাহৌ বাহংব, নকমলাংদা হুম্না হংকরি লংক্কা পায়ে, ওইবিগনু নোংদগীও বানিংদো—নিংনবিয়ু ২॥

লাইমিংথোইনা পাওশাখিবব্ মরু ২না নোংদম্বগী মিংকি কুমৈ ওইনা মিং, খাং, থুংনা নোংহনা কংবিদো পাওশাগেকো —পাওশাবিও ২।।

লাইমিংথোইনা হে চিংউ অথোইবা মুহিং নঙান্তনা মালেম শিন্না তাইবং হকপু অনৌ য়েম্নিং চোংহম্না ইতম তহুম্ব, য়েনবিনা মতিক মঙানব, হাপ্পিবা নকমলাংদা হংজরগা পুরাব, বাহোম্না বাহংলিদো পরম খজিকপু পাওশানশি নাকোং অমতা ওইবশিংনা বাতেম বারেপ ওইনবা পাওশা বাহৌনখিদো—বাহৌনবিও ২॥

হে চিংউ মালেম অঙানবা তেংবানবা হায়বা মশক অসি করি কমদৌনা লৈরম্বগে হায়বা মশক থংদনা মৈ, মুংশিং, ঈশিং, মালেম, নোংথৌ লৈচিলগী মসক মঙা অসিনা অমতা ওইনা তাশিন্দুনা ওম লাইয়েক্না নাওয়োম ওইনা অমাং অতা নাইদবা অমা কৌবা তেংবানবগী হৌরকফম মরু লেমফু ওইবনা হুংশিংবী মথক্কা কাইরেল ফম্বাল ওইনা লৈরগা মশক মঙংব্ হায়ফম থংদনা অমম্বা কৌবা চিংউ অতুনা য়োমহুনা লৈরম্মিদো —তাকপিও ২।।

লৈশানবদি মইদগী লোংখিবা মউ মপাল অনি, অমনা অহুম শায়েঙখিবনা লৈহৌনখিবনিদো মশক্তি 'ইতম অহুম্নি' পাওশানা তাকনখিদো—হায়বিও ২।

৬। পাওশাবা লোইরগনা থবাই পিচা আপকমানা পুবা লৈকমদা থকথংলিদো—থকথংহনবিও ২।।

লৈকম অহুদা লৈবা চিংউ সংগ্রং তকুপ তরংবনে, লৈফুরেল কিনাইবনে, ভাভোই কৈয়াখীনে অহুম্না লাইমিংথোইবু চংলকপা উবদা অহাও অথুবু মাইয়োকথানা কাইরেল শেমহনা মুংঙাইনা পাওশানা পোথানৈদো—হায়বিও ২।।

পাওশানববু লোইরহনা লৈহৌ নোংহৌ ৰাবু হংবদদি ৰাথুমদনা তাংজা লুরা লৈদো—লৈহনবিও ২।।

লাইমিংথোইনা ভাইশাক কৰি ৰাথুমলকদগে ভাইববু ৰাথুম লকহনা চিংউ অহুমমক লৈহৌরো হায়রদগা লৈকম অহুদগী অমুক থকথংনরে—থকথকহনবিও ।

৫। তাখা খোংচোমনুবীনা পুবা লমদা চংলকপা উবদা চিংউ মিকুরুহিংহিং কৌবনা মাইয়োকথানা ফম্নিরবব, লাইমিং-থোইনা ৰাহংবব, ৰাথুমদা খংনবগু ৰাহংদবনা লৈহৌরো থনম্মগা হুমিংবা পুবা লৈকমদা অমুক থকথংখিদো—থকথংহনবিও ॥

৬। লাইমিংথোইনা চংলকপব, উহনা হুমিংনা 'ওম হ্রীং হ্রীং মঙাং হৈশোকল।' কৌবগী মশকপু মালেমু সিমা তাম্না কমহনা লাইমংবু 'নোংলাংলেল অপোকপা তরং ভাং ভাম্ভাং মিংতরং' কৌনা ফদাল্লাংলম্বদগী হৌগদুনা লাইমিংথোইবু কোঁজিন্দুনা মুংঙাইনা পাওশ,নৈদো—শানবিও ২।।

লাইমিংথোইনা ৰাহংবদা হুমিংনা খুমখিদো "চিংউ অথোইবা ৰাহং অহুদি কনানা থংবব, ভমলোই লৈথিবনা থিরগা তাকপিরনা তাকপিরগা ৰারেপ ৰাতেম্নবব, এইনা লাইরকচনরী পুৰাব,

ইথোবু — ইভা, য়িক্তৈন কুম থাবু শাবা নোং লিক্লা উনবু তাহন্নবা চুমিংকী, ময়াম্না নোংনা লৈবা লৈকমদা খুংলরগা ময়ামবু হোংনা লৈহনবু ফানা 'লিকলী মওবু' লৌনা মিংহুনবু চুনথাং থাংনবা নোংদম্না খম্বীরম্না খোম্নম অহুদি খিংহৌদরে" হাইদো— হায়হনবিও হায়হনবিও ॥

চিংউ নংনম্ন বাহংবনিনা লৈফম অমদা চংলগে" পাও-শারম্লগা তিলবাওরেলনা পুবা লৈকমদা থকথংলেম্লো— থকথংহনবিও থকথংহনবিও ॥

২। মক্তম অতুদা পুবা চিংউ লৈহকলেল লৈশৌবনে, থিন-বীনে, কামরিবনে ল ইলৈবা য়াইলৈমনে, লাইলৈমা খাবীলুকোইনে চিংউ মওানা লাইমিংথোইবু লাকপা উবদা কাইরেল শানা ফখালহল্লিদো— ফমহল্লি ॥

লাইমিংথোইনা থৌবম্নু হংবদা মখোয়দি শিম্থাবদা য়াওদ-বনিনা থিনবগী ইওমম্নু নত্তবনিনা থংজদৈ লাইমিংথোইনা থংবিগনি বাখম্না লৈমিন্নেদো— লৈামহনবিও ।

তাইহাক ফাম্মিন্নবদা ফরি থোইনা ঙাংনদে মক্তম অসিদি অনিতুবা নাকোং থক্ফ'ম্ন হায়রম্মগা থাদোক্তনা তাওরোইনাই মানা পুবা মকমদা বাংংগে হায়তুনা থকথংনখ্রে— থকথংনখ্রে ॥

৩। থানা পুবদা লৈমিন্নারবা চিংউ কারে লৈরংম্না ঙাং-গ্রম্না কৌবগা চিংউ ২না তান্নহুনা মখোই অহুম্না মাইয়োক থানা বাহৌন্নথিবদু নিশিংনা ৩ রু ২ না তোইহুনা নোংদমগী মিংয়েং থোগল্লদো— খৌাল্লি থোগাল্লি ॥

তাওরোইলাই থানা ৫ হেলিম "হাইমিংথোই নোংদম অহুবু এখোয়না থংজবা নত্তে থংদ উদবু থংহনবিরম্মু" হায়দো হায়বিও হায়বিও ॥

থাগী ৫ হেলম হাবদা লৈহৌনখিবা পুবাবু পাওশানা "তেংবানবা অসিগী হৌনফম মউদি অমা হাঁম্নবনিদো ইভাম

হোইরৌ লাওবা লোইরহুনা পুথাবু শৈশক্লা খোঙবু লেংবু নোইনা থৌগল্লে ঐখোইগী শাকোই খোংলমু নোইরগে—নোইসে ২॥

মরু ২না লুচিংনা লাইবুংথৌ লাইরেম্বী ১৪গা লোইননা মাইয়োকথাবু কোংনা কৈরে শৈশকপগী ওয়াংঙী মথাবু লমথনা শৈশকলে পাওগাশি ভায়োকো—চাজগে ২॥

লৌউ-শিংউবা ফিশা লোনশা য়ুমলিংনা শিঙ্খীবা লোইরহনা মরুনা মশাগি ২দা হায়খিদো—হায়বিও ২॥

শারি ২ মরু চেংবানবা অসিগী মউ হৌরককম খংলবরা খংলবদি খংদবা ভাগ্রিবা মফমু তাহন খংহল্লু, মশক মউবু নপা ঐদা হংয়উম্নু, পাওদম হানবা পারিদা চৌ লমা হানবা কংলৈ পনশা ৯না লৈনা ওইরিবা নপা ঐগী কাইরেল অসি শিন্নরমগে নোংদমখিদো—নোংদমখি ২॥

য়াথংবু ফংলবদা লাইমিংথৌইনা মশানৌদা হায়দো। "ইশানৌ কোংনে তনৌবা থৌওয়বা থৌপুরুশি খংদববু বাহং ঝাতামহুনা খংহন্নবা থৌপুরুশি" হায়দো—হায় ২॥

" ননাওদি পাঙ্গন শোল্লি লৈকোই ফুংইনবা ওয়লকওই মরুদা পাওপাবনু তাজয়গা খংজবা ওইজগে" হায়হনা লৈহৌইদো—লৈহৌই ২'।

লাইমিংথোইনা মরু ২বু পুরুষমগা নোংচুপ পাংনা থোরক্কনা চিরা ৪বু, কোইনা য়েংওম্নগা লৈমাইথক্তা লৈযি ১ চিংহনা মফম অসিদগী হৌবা ওইজগে মালেম ইমানা খংখিযু হৌকম — হমফম ওইগে নিংহনা নোংথৌ তম্না চেল্লা 'কুরং' কৌবনু, নিংশিংনা শাদোংহনা থকথংখিদো—থকথংখি ২॥

লাইমিংথোইনা নোংথোং কোইবা

১। লৈচিল্লা পুবা লমদা থুংলে মকমন্নুদা লৈবা চিংউ "খোংওালেনগা" উনহনা য়াহংনবদা "লাইমিংথোই নোংদম্না

লাইবুংথৌ ৯দা লাংলে ।। ইমা লৈশিরেন্দা লাংবা লংথে লৈযোম্না লাইবেগী ৭না লাংলে । লৈকং লৈরাংলবা পুম্নবু কাই-থনা থৌকা থৌয়েংবাশিংদা লাংথনা " লৈলাংবা " কোইরে ।।

২ । নোংজ্জীবী মচুগী কিশেংপী লুরেল লৈচাও চিনবী ৮. লিকং শাহবোং পাযনা নংনা মাংদা থা. ক দা থাং কানবা. ট' কানবনা তুং থংনা মহেংলগী হৌনা লেপ্লুনা থৌখনগদবগী ডাইরে ।।

কৌক্রুবগী হৌনা চোং ২. উলুব পাযবী ২ (কোকথুমগনি) ছমাই পাম্মবা ২ গনা লুচনা অথাং পাংবদা শম্ননা লাইবুংথৌ শলাই কোকয়েৎপগা নিংথুম থাংলিকাবী কিয়াই নমথাং লুথুম্নবীগা থাব্রং লেপ্লুনা ডাইনরে ।।

শনিক লাইনৌতাবীগা হৈরোং লৈমগা ২না রাকৎ রাহৌম্না মক্ক ২ বু লাইচ.থনা মক্ক ২ বু থোরক্কনা লাইচিদা চোং থাল্লিবদা চথনা লেপরে ।। হৈবোং লৈমনা " লাইবুঙ্গী মাইযোবথ বু " হৈরাং লৈরাংনা থারে ।। শনামহি পাখংববু থেরক্কনা মহেংগী ট পাযবগী কুংদা যেৎ ওই কাযদনা লেপ্লে ।। শনিক লাইনৌ তাবীনা শনিক নিক্কনা রিরি রি পাওশানা মক্ক ২বু থৌখল্লিবা পুম্নগা ক'রক্কনা মপারি ২গা তাইনরে ।। পেনা খোংবা. খুংখোংবা. খোইরৌ লিখৎপা—নরান পেরে খোংবগনা লুচিনা লাইবুবু ২বক কোইরে ।। অহুমলক শুরকপদ কৌব্রলাইচি য়ৌবকপদা শনিক লাইনৌতাবীনা থামথনা থম্মগা শনিকপু লাইশঙ মমুঙদা থম্মরে ।। মোইরেংজাম্বনা লাইবুং মাইযোক থারিববু মাংওইনা লাইশঙবু মাংথম্না নোংদম্বব নিংশিংনা থৌখনগম্রে ।।

৩। চিংউ পুম্বা অশৈবনা হোইরৌ পাওশানা নোংদম্বগী মকমদা লৈহৌনগ্রবু থাগোম্নরক্কে পাওশানবমকো—শাজরোই ২॥

লাইবুংথৌগা লাইলৈমগা পাচু তম্না শান্নখিববু নিংশিংনা কংলশি —কংলশি কংলশি ।।

পাচু লেইয়িনত লাইরবনিনা পোংলোই শমপোংপু থবহনা রাকোকলোনবু থক্তিক নিংশিংবদা অশোই অরান লৈখিববু কুপিনবা বাহোম রাকংলসিলো—রাকংসি ২।। রাকোকলোনবু হায়জ খৌনিনা ৭ নি চনবগী হরাও তয়াম্বা থৌরোইরে ।।

৮নি চনবা ১০নি পানবা মকাপ মরুনা পুবা জুমিংকী হরাও তয়ামবা

অতিয়া মরুগী নোংমগী থৌখননা লাইবুংথৌ ওম থরাইনা মাগী লইবুংথৌ ১৪গা লোইননা থৌকারক্লে ।। ইমা লৈশিলেল লৈপুন্নীগী খোংরা মৈবমদা লৈবা নোংকোবী মচুগী কিরোন শেংবী "শ্রী শ্রী শ্রীং শ্যাং থারৈমা" কৌবীনা মাগী লোইনবী ওম তমথোংজংগা ওব নোংখোংম্বীগা লোইননা কারকতুনা নোংমতুগী শাম্নগদবা কুমৈবু অতিয়াদা রাহোমহল্লে ।।

নোংলমগী পাওবু থোংনাংথাবনা লৌতুনা মোইরেংচাম্বগা শনিক লাইনাওচাবীগনা ঙুংথিল থৌরমগী রাত্তনা শেমতুনা অনুকি থৌরম লোন্নরে ।।

৮নি চনবগী ন্নুংথিলগী থৌরম

১/ নোংদম্বগী থৌখন কানরক্লবদা মাইবীনা অনৌইলোম্না মাইয়োক থারে ।। থোইবি ফাবনা লাইবুংথৌসিনা লোইননা চিরা ৪দা চিথ-নাম্বদনা কারক্লো হায়তুনা "হোয় লাওবা" থংহল্লে ।। চিংউ থোইযুম পুম্বা কানরক্তুনা মাগী ২ কমকমদা কম্নরবদা চিংথৈ মরুনা নোংদমগী নমতা লৈ উহং লৈয়োম্বু কাইহনা চিংউ ৫দা লাংলে ।। মতুংদা অতিয়াদা লাংবা লংথে লৈয়োম্বু

উ:লৈপুংদগী লাবা খিয়াং খোঙ্গা খোরক্লনা ওইথংবা খোংনা কংলৈ লাম্মা হানবা থেলদা লেপ্লে৹ য়েংথংবা খোংগী খুনিংনা য়েংথংবা খুউদা ভানা থাংহুনা ওইথংবা খুবাক খুৎশা মভানা হুৰুচাঙ্গী কংলৈথেলপুংদা উপ্পা থম৹ য়েংথংবগী পামবোম্মা হাই-গৎতুনা খুৎশা মভানা থঙ্গাল লৈনা শানা লোংনা লুবাই হামুলগী ময়াদা হাপ্পা শাকোংলে — ভাকপিও ২॥

শাখোক শাফোং অসিবু করিগুংবু শাকোংবনো ভাইহাক থৱগা নোংথৌ অহাংবদা ।চোংথংহুনা কপ্পিদো৹ মভান্না লৈচু৯না থবী য়ুমগুম কোইনা লংনা খোকপবু য়েংলুবদা ময়াইদা ভংহুনা ভারিগা লাইবুংথৌ অনগা লাইলৈমা অমগা খোকইদো ।।

ঐখোয় অহুম্না তিনু লিকানা ফগান্না পাওশাপি য়েঙ্গা লৈবা নংদি ঐগী ইমিং উং লৈহিংবা কোৎবগী মশক্তি৹ ওইদা লৈবী মংদি হামং 'লৈফা ওমঞ' কোবগী মশক্তি৹ ঐদো কুং নোংলুম উংলৌ য়াইবিরেল নিদো৹ নবাভানিনা ঐগী সিম্বা খৌৱমহোয়ো ঐদি নোংদম য়াইবিকোম্দা। তেমরগে ওম হ্রীং হ্রীং শ্রীং শ্রীং শলাইলেল অমম্বা৹ ইথেলেল লাইওইবী নবাভানি লৈহৌম্না থনম্মগা থকথংখিদো ॥ মউ মপাল তেংবানবগী পোক্লকমাদ শলাইলেল অমম্বা ইথেলেল লাইলৈমনিদো মালেম অভানবা ভাবও য়াতেমলেদো ।।

নোংদমবু ভাবদা ভাইহাক খোৱেপ্পুনা ইতমবু 'মুনিং যুংথক খানবা' কৌনা নোংলোনবু কংজরে ॥ নোংলোম্দা লৈবা চিংউ পুংনা পাওশাবু ভাবদা 'য়াইংংশ য়াইকংলে' লাওইনা মুংভাইহ-নরেদো — মুংভাইহনবিও ২॥

মালেম অভানবা লৈবিহৌয়ো ঐগী খংদা উনবা খিবিকপু হংজহুনা ভামকগে হায়রম্ব ।। মালেম লৈমাইনা থকথারক্লেদো — থকথাবিও ২॥

ব হৈক্নদা চংতুনা লৈয়ি অমগা চিংথবা ঐনা পাওশা চাক্লকদগে লৈফম তকক্তি গুরে তলেৎপু শুনবা লৈথা য়োবৰা থকথ ব়গে হায়তুনা লৈয়াইদগী লৈথারোন্দা থকথাখিদো— থকথাবিও ২।।

লাইমিংথোউনা লৈখারোন্দা চংলকপা উবদা লৈথান্দা লৈবা 'হুং লৈরংলেন লৈপূবা। ঙানবা ঙাস্থালেন' কৌবনা থংলহুনা নোংদম্মিদো— নোংদম্মিও ২।

"লৈহুং লোঙ্গা অরিবা তিলশং তিলপুকথৈ তোক তরবা চিং কিং সন য়েং তরবা ওমবাং লাইয়েঙ্গা নাওয়োম থাবা তরং লৈসনা লৈতোবসি তুবি শাংথা লেংনা নপুক লুকলাংথেলবু কংলৈ পিনবঙাদা লৈনা কোঞ্জিল য়াংকিপ্লিবা নংনা লাইমিংথোউগী কাইরেল কথালবু শ থোকউ" নোংদম্মি দা— নোংদম্মি ২।।

থাবা তাওরোইলাইলাই —লৈতোলসিনা শাওনা বা.হান্মি নোংদম নংতগী খুদাতা ওইজগে থৌখল্লবনি কনা অমগী খুদা থাজরোই' বাখুল্লা মশা তনিক তনিক্কা শাথোকইদো—লৈহুনবিও ২।।

থাবা তাওরোইলাইনা থোইশাওবৰু নেমথনা থোইচংনা য়াহনগে নিংহনা নোংদম্বগী মহাক্কী মহাক ওইবা হুং লৈরংলেন লৈপূবা ঙানবা ঙাস্থালেননা থাবদা খুবাক অমুক অমুক থুহুবা থেমনৌ থাকাইখবৰু নিংশিংনা মরু ২ না লুচিংনা নোইরক্লে ঐ,থাইও পাওশা নোইশে — নোইশে ২।।

অথিংকোরে খিংকোরে
খিংকো লাংলৈ খিংকোরে
লাইলেল কোকপা খিংকোরে
হে হৌ তানহে হৌ নেনে নেনেনে
রিরি রি রি রি রি রিরিরি ।।+

লাইমিংথোই লাইলৈমা মতাইরোই—হায়বিও ।।

মফমগী পাওশা তাবদা তবং লৈরম্না লৈরোনশি তাওরোই-লাইনা শাওবর ওমদরেদো—থেম্বীও ২।।

তাওরোইলাই মহাক্না মহাকী মহাক ওইবা তিলবিরেল ১বু পুথোক্কনা লিরো থোইরোনহনা লিগাং মথাং নাইনা "হৈকোই ফকশা, হুম ফকশা, লাইয়েং ফকশা" লিরোল ফকশা ১বু পুথোক্কনা কাইরেলবু শারগা মযাইদা মশাবু লোত্তনা লৈরগা মকোক্না নোংথো পানা থাংগৎলগা কোম্থা-থেকথারক্কনা চোং শেকপিন থানরপম্না থান্দুনা লৈখিদো—লৈহনবিও ।।

পুথোকখিবা তিলবিরেল ১বু হয়্গকো—হায়বিও ।।

তিলবিরেল ৯ :— ১দি তিলবিরেল কোই, ২না লাইরিলেল, ৩ থারিরেল, ৪লিলদাওরেল, ৫ তাওরোইলাই, ৬ তিলমুরেল ৭ তিলশড়রেল, ৮ লিঙ্গ ..বা, ৯ তিলথাংরেল কৌইদো—মাবি।।২

লাইমিংথোইনা চংলকপা উলদা হুং লৈরংলেল লৈপুবগী থৌপুনবা লৈখা পুবা লাইপুংথৌ ৮ক মরিবা, তাংমরিবা হাইশোম্বা, মুংমারিবা, পাম্মবিবা, তুম্মাহাবা, থুংমারিবা, মাথিবা। লইবুংথৌ ৮না থাবা তাওরোইলাইবু কোইশিন্না থুংপাক তালি থাজুমা পাওশাখিববু পাওশানিংকো—পাঙশাশে ২।।

পুরুমা পুরুমা লিখাও থাও
হং হং থংচিন্না নাইত গনিনরক্না
চুংজং লানং হায়বদা
কাকয়েন থুংনাশন চচুন্দ
নিংথিরে নিংথি র ।।
চিংউ মতাইরোই পুম্বা হায়নিও ২।।

পাওশাবু তাবদা থাবা তাওরোইলাইনা ইকাইজইনা লিরো ১বু হল্লোক্কনা মথনা লোন্দুনা "লফকশা, থাংমেং লিপুন,

হৈকোই লৈযেক, লাইয়েং লৈং য়ক, চকপি ফিরোই, লিশি খোই-শিনা" লৈরোং ৪৮ (নিফুনিপাল) বু থোক্লা কম্বালবু শাত্নলা থক্লা চোং শেকপীন মথোন ৯বু তোকলেন লিপুন পুথোক্লা থক্লা থাম্না লৈরেদো — লৈহনবিও ২॥

লাইমিংথোইনা চঙলকপা উবদা লৈথা পুবা ময়না কম্বাক্লী হৌগত্না "লাইমিংথোই চংবিশি" পাওশানা খুংশম্নহুনা খুদাবু লাংলেদো— লা বিও ২।

লাইমিংথোইনা কম্বাগ্রবদা হক্তী লৈনম্ব ফংজবদা মওম্মু চাওনা লৈববু থানববদা ব'না উক্লদো— হাফ্বিও ২॥

লাইমিংথোইগী মওম ফংলদা খোইশাওবা ভয়দনা উলগুম্না ঈংহুনা মিংম্না হবা চেম্না বাহোম থাকংলকহদো — রাকংপিও ২।

মরু ঐগী ইয়াকবু টোর্কপিও শাগী মপোক্লা পোকপনা নঙবু থংহনদেদো নঙী খুদাংগী এইজগে ইবালবু কনবিনা খোইচং লৈতানা ফশিও লাংজর নহেংথাদা পাওগান। থাকংলিদো — কংপিও ২।

পাওশাবু তাবদা লাইমিংথোইনা লৈতানা মরুগা কম্বাল লাংমিন্না পাওশানহুনা লৈনম্নবক্লে ॥

লাইমিংথোই লাইলৈনগী মঙাই পুম্বা— হায়বিও ২॥

লাইমিংথোইনা লৈশাবোন্দা থাবা তাওরোইলাইবু তোংহুনা মরুগা পাওশানা কোয়না থৌয়েংববু লোইরহুনা পরম অমা লৈনা নোইরক্লে। অশৈবমু পবম্ব নিংশিংনা শৈশক্লে, ঐখোয়মু মরু মগী তুংইন থোথন্না পাওশানা নোইশিকো— নোইশে ২॥

খোঙ্জেল থোকপনা অহল নাক্তা ফমজনা মরুগী!
কাংথোং কোয়জবা

[illegible] ২য় খপারি কোঙন তুথোকপনা মন্নাখা লাইমিংথোইনা লৈকোয়বা [illegible] খনবদা খোইশাওনখিবনু তমজনা মোইশে— মোইশে ২॥

অমক মিতৌ খাথনা থুমহৎখিজনা বা ঙাংদনা মুংঙক মুং- ঙংজনা উবোং মাখোংদা ফমজনা চাপনি থকনি নিংদনা তুফক-তুকাই [illegible]লৈবেদো— লৈবনবিও ২॥

খপারি কোঙন তনৌবনা তুফক তুকাই চম্না মতম অহুমদা বা ঙাংদনা লৈখনু উরহুনা ইমা লৈশিরেম্না খাহংবিদো— হংহনবিও ২॥

কোঙন তুথোকপনা "নচাবু মুংশিবিজুম্না তোইনা তোইনা হংবিবা নতাবা পুম্মগা অকোইনহুম খাগত্রা খঞ্জনা থুমজদবনি" [illegible]দো— থুমজনবিও ২॥

"পাজি ইচাবা খাবনা করি, মুংঙাইবনা করি নোংদম্বনা তম্বা চাকজি হায়নু ইমাদা হায়বিদো— হায়হনবিও ২॥

ইমা খাখদি লৈকোয়বা লোয়রজনা তেংবানবগী হোৎরকফম ইঙাল লৈশাবকপনু পাওদমলনিদো, নচা ঐদি ইঙম লৈজদবনা মাবা লৈকোই মুংইবনু মাওঙমদে মরুগী থৌদাবু পাওদম [illegible]বনি [illegible]বম্নি" হায়দো— হায়হনবিও ২॥

পাজি তোঙে তনৌবা কাংথোং কোয়বা হায়বদো নয়াম্বনা [illegible] লৈবগী মতমগী খবাম্নদা থম্না কাংথোংবু থংনবা কোয়বনি [illegible] লৈতবা মংদি তেংবানবগী শাথোকনফম ওইবা নোংদম থৌবাবু থৌখুবনু ওইনা ইঙাল লৈশানম্নিবা নপা মরুগী কাইরেলবু [illegible]না [illegible] লৈপাইনা খাথুমজবনা অহলগী নাক্তা ফমজবনা

থিংগাং ওইনা পাওদমজবনা অযোল অবাক্ত লৈতদ্ধুরি [illegible]বু থাদে ০।। পুক্কম লৈপাইনা মা হংবাবু বাখল লৈকংলো নোংদম্বীদো—নোংদম্বীও ২।।

ইমা মবম অহুদি ইমাদি কমদোনা খংড্রিবা ? হংদ্রিদো—হংহনবিও ২।।

নমা ঐদি 'নহাক, মহাক্কী হক্কী মশক্তি নম্মা ঐগী হক্কংদো ঐহাক হায়বা তেংবানবব শাথোক্কবা নোংদম্বা মপুর কিজনবা ইশক্তি 'লুপাক্কি' মক পাখৌ লৌপানা 'মহাক' হায়বা 'পুপা মথুমনিদো' তম্ভ তুক্টীদমন্বা 'নহাক' ঐহাক, মহাক' হায়দো 'মচং লুরাং খুমন' হায়দো ইতমু ওহুম—অযুক, গুংথিল, য়াচংবা, হায়দো, নুমিদাং, অহিং, নোংঙাল্লমদাই' বৈনা মউ লেমযুদগী মপাল মশা মরেংবু শন্না ইঙাল কৈশানরিবা থোংস্থু য়াওজবী ঐনি খংলো নোংদম্বিদো—নোংদম্বীরে ২।।

নোংদম্বু তাজরবদা বোজল তুথোবপনা চুংথিল পোণ্ড হুল্লকপদা মক ২ না কাইরেল্লিবা যম্বাদবু য়েং ওইনদা ৭ লক কোয়রগা মালেমদা কোংয়াং চৈনা তাবগুম মক ২বু পুক্কম লৈরেদো—লৈরে ২।।

পারি কোন্দ তনৌবা করিমুক্টীবু পুক্কমগে চংলকপা হংজিদো, মক্কনা—হংজি ২।।

নয়াথংবু থৌপুনা রাকং লৈরাংজগে লৈকোম পুক্কমক্তি খুমখিদো—খুম্মি ২।।

পারি তাদবণ্ড তাহনশি পাওশা করিনো নোংদম্বীদো—নোংদম্বি নোংদম্মি ।।

তেংবানবগী হৌরককম মক্কদি 'নক্কাক ঐহাক মহাক' না লেমযুনি ।।

পাম্বি কমদোনা ওইখনো খংদনা নপা থ্রুংগা লপা পাওশাবিও হায়দো — হায় ২॥

হে মরু নোংদম্বী থৌদাবু থৌশিনবা লুমলাংখেলবু শাথোকলিবা চিংউ অমা কৌবা উংলৌ মাইবিরেলনা লেফ্ং ওইনা রাধন থৌরাইরগা 'মউ উপাল' ২বু চারি মউ লিংনা থম্লং ওইববু ইঙাল লৈশা নোংদম্মা থমলো নোংদমখিংবু মালেম কোরৌ ২গী মরু লেফং ওইহনা শাথোক্লিবনি অহন্নগী পম্মৌ পলেম ২গী কাইরেল ফাংখোংবু লৈকোহ থাগোম্না লৈপাইজবনি বাহোমখদো— বাহোমখি ২॥

পাওশাবু তাবদা মরুনা পাথংবা স্না কোঙ্গল ভুথোকপা নংদি পাওশাবু করি কদাই কমদোনা কংজবা হংখিদো—হংহল্লিও২॥

মরু ইমাগী নাক্তা লৈচং বাংহংজবদা ইমানা কুখি পাওফাকলিহনা থংজবনি থুমখিদো— থুমহনবিও ২॥

মরুনা লৈমাই থক্তা তাবিবা মপান্নবু কোনখংহুনা পাবু থংবা —পাখবা অহনবী নাক্তা পাওতাবা মরুগী নাক্তা চংনা থোৎম্নবা থোপুবা অসিদগী 'হৌ লম্মা হাববা কংলৈ পুংমাইয়োনবী' কাইবেলবু নঙ্গী ওইজরো নঙ্গী মরুম থংগা লৈশ্রগে শিন্নহুনা কবাল থক্তা থাঙ্গৎহুনা কমহল্লেদো— কমখি কমখি ॥

লাইবু থো লাইরেম্বী পুবা — হায়বিও হায়বিও ॥

মরু অ'নবু কাইরেল কম্বালবু থাদোক্তনা 'লাইখুম্বিন যোইরেনফমদা' চিংউশিংগা কম্মিমনা লৈখিববু নিংশিংনা নোইংবকইদো পাওশাংশকো— পাওশাবিও ২॥ ।

অতিয়া মরুনা লানবোনখেনবু নিংশিংনা থৌরম অমদি শিনপাংলে, অতুবু লাইমিংথোইদি হনকত্রি, লৈখারোম্দগী লৈযাংলেন্দা কারব্দবশিবু কমদৌশিবা থম্নুনা লাইমিংথোইবু কৌহুনা শিংরম্মগে ও ইখিদো—ভাইবিও ২॥

পাখংবনা লৈবাক্কী রায়েন থৌদাগী থোইনা খন্দনা নিংঙক নিংঙকপনা থৌওইহনা লৈখিলবু নিংশিংনা নোইহনা কংশি নোইশিকো –পরম খাযনা তাকপিও নোইশে ২।।

পাখংবগী থৌখনবু নোংপোক অঙাই চহ্ন সনাখোংনাং লৈমমা লুপ্তিনা মঙাইরোই লাইলৈমা ১৪ গা লোয়নহনা লৈফম ৭তা কোয়না নোংমা নোংমগী হরাও ভয়াগ্না থুদিংবু লোয়নগা চঙনফমদা চংলগা মরুগী ফম্বালদা লাইলৈমা ১০না থৌখম্না মতুঙ্গী শাম্নফম লৈফবু যাংনা পাওশানরগা হম্নফমদা হম্নাখবা অহুনিংদো—মানি ২।।

মরোং মরুনা পুবা কোরৌদা চিংখৈদা লৈবী চুমথা মচুগী ফিরোল শেংপী খাবী য়াংদেগা৹ খোংত্রাইবী ২না শিন্দুনা শাম্নরগা মরু ২না কপ্পালথক্তা য়েংগা ওইগা কমলগা লোইনবী ১৪ না থৌখম্না থুংঙাইনা রাতেম্নাঘবদো শাম্নশে— শাম্নশি ২।।

মশিং মরুনা পুবদা নোংপোক অপাম্বগী হৈকোন্দা লৈবী কুমহৈন কানো ফিশেংপী চাকশৌবীগা৹ চরৈম্নগা ২না শিন্দুনা শাম্নাখবদো শাম্নশে— শাম্নাশ ২।।

মকাপ মরুনা পুবদা নৈরম হৈকোলদা লৈবী নোঙ্গৌবী মচুগী মচুনা ফিশেংপী কানো লেংতংবী ভমথোং লৈমগা৹ নোংথোংম্নবীগ ২না শিন্দুনা শাম্নববু ভমজনা শাম্নশে— শাম্নশে ২।।

আসং মরুনা পুবদা থ। মাহৈদা লৈবী থাগী মচুনা ফিশেংবী তরিংম্নগা পিশিনখোম্বীগা ২না শাম্নবদো শাম্নশি—শাম্নশি ২।। "উমু লৈমগা, সাক্সিনী ২না শিন্না শাম্নচিবন্ন নিংশিংনা শাম্নরশে — শাম্নাশ ২।

হংশিং মরুনা পুবদা নোংচুপ্তা লৈবী কুহিগী মচুনা কানো থানা কোলখাং ফুরিং লেংতংবা "হরৌং লৈমগা৹ পিথ্রাহবীগা ২না শিন্দুনা শাম্নরগা কংলোইয়াম্না পোথাখিবনু নোইশে — নোইশে ২।।

মশেৎ মকনা পুবদা অরংদা লৈবী বাহোং মচুগী মচুনা কিংশেংগী " আপোং লৈমাগা. হিলৈমগা " ২না লুচিংনা লাই-লৈমা ১৪ না থোৎনা থাজা ১২গী চংলম ৬ পু পরমং থায়না নোংমদা পুনা শাকহনা লৈরশি বাতেমা থোহোংগদবগী মাই-য়ে কনা লৈরাংলক্লেদো—লাংবীও ২।।

(লাইমিংথোইনা লৈখাদগী লৈমাইদা থুংঙবা)

২ । লাইমিংথোইনা "হু লৈরংলেস লৈপুব"গা পাওশানবৃ লোইরতুনা হৌসমা হানবদা ফম্বানবা অতিয়াগী মকমদা বাকংলগ হায়তুনা থকথংহল্লেদো · থককংহল্লো ২।।

থোৎম্বু নিংশিংনা মক ২না নোংদম্বগী কুম্মে ওইনবা থোথলাক্ল থোরম্ব নিংশিংনা পাওশাগেকো—পাওশাহিও ২ ।

লাইমিংথোইগী মঙম্ব উবদা লৈখাগী মঙ্গনা থাহনা লাইবুংথৌ ৮না মৰ ২বু মোইরম্বগা থিরকপবু পাওশা লিংরোম্না থিনশে—থিনশি ২।।

" হিংকায়ে হাহোই হা হা হা
হে হে হাসো খোইবৌ লিখংপা
হোই হোই হোই হয়ম হোয়াসো
হেলিলা হেলিলা খোইবৌ লিখংপা
হয়ম হয়ম হিংসো হিংসো " ।।

লাইমিংথোইনা লৈখারোম্নগী কারক্লগা লৈহৌফমদা চংজুন ৭জনবা লৈরি ১ চিংলগা হায়খিদো—হায়হনবিও ২।।

মালেম ইমা লৈকম অস্বিু ' বাহৌ বামোই লংদাইপু ' কৌনা মঙমা মফম্ব থংনা থারো বাতেমখিবমু জমদবা লৈতবা ওইহনশি ইমানম কুবিও হায়খিদো—হাযবিও ২ ।

থৌদা পাওমেমবমু লোইরতুনা " কংলৈ পুংনাইযোন্দা ' চংলগে থগ্রহনা নোংপোক পাংনা য়েংলক্লেদো—য়েংদও ২।।

মশানৌবা মরুপী কম্বাল থক্তা কম্বালনা লাইলেম্মা ১৪ বু থৌদানা শামছুনা লৈবগু উরক্লেদো—উহনবিও ২॥

কল্লিমো লমচং অসিদি থবশি খাশি থৌজিংদে ছুংদা লমচং অসিনা লৈবাক্কি মাংনবগু হৌনা শিঙ্খানৈদা থন্দুনা অশাও মিংয়েংডিদে—য়েংজল্লো ২॥

মনাওবু রারকে থন্দুনা চংলম থৌলিংদবা লৈরন্দু খংগনি হায়হনা খোংকাপ কল্লাও হুমা লাওরকলেদো—লাওবিও ২॥

লাইলেমা ১৪গা মাখোংনাং লৈমগনা চেনগছ পান্থংবা ঐখোয়না থৌখল্লিডেদা নয়াশনা কৈদৌবা ওশোই হায়হনা খুজং পানলাইবা পাখংবু কোইশিমা থম্মগা থাবী মাংদনা লিরোল পাওশাবু লাইলেমা ১৩না শৈওক পাওয়েংনৈদো—পাওশাবিও পাওশাবিও ২॥

"কেকে ক্রে—মোমো,
লাদোই শাবা—শ্যাও শ্যাও,
তোকপগা কাম্বগা—কৈগা য়েনগা চাইনবা
য়েনখোং কত্তে—চাশিল্লো
লাইগী য়েন্নি—চাকদে
মোংদম্মা মউ থাদনা—চারি পান্দোং লিংনবনি।
হা ইপু মেক্কোকপা
নংনা মাঙে মাংলিডৈদা
মোংদম্মা মউ লিংওম্না
চারি মপাল শয়বনি
সে সে থাইনৌশে শয় লাংনা থাইনৌশে
হু নি নিয়োরো কাংথং তারোলো,
শান্তগী থরোগা য়িমখোম্দগী শনাগা
সে সে থাইনৌশে শয় লাওনা থাইনৌশে ॥

লাঙ্গোই শাবা শ্যাও শ্যাও
শাবন লমথোক্লা কোয়না লমখংবা
অরিংবু শোইদোকশে অনৌববু শোইজিনশে
চিংয়, পান্ন অমুনবা হৈ
সে সে চাজরা সে সে পিজরা
হা মিরাবো শবানরেদো ॥

লাইলৈমাশিঙ্গী পাওশা লিবোল তাবদা লাইমিংথোই অহোইনচুম থোইশংগরে—শাবিও ॥

লাইলৈমাশিঙ্গী মনাক্তা চংলোই লাইমিংথোইগী বাশক্রি চংওয়স্তু বাশক মাংখলো থৌগুবা ঐবু খংদবা শানা পাওশাবা শানৌ নবী চৎখিহংবু চুমথোক্ক নৌবনি নংনা পাম্বক্সবা ফম্নায়কুত্ত কাদনবা লেফম অশি মখদি মথক মথা ওস্নাগ খন্দুনা খোং ওইনা কংলৈনা নেৎ যেৎকি খে দোম্না থ রাহং ডাংডোইচীদা খং খা মাইথৈদা মডমহৌনা নমথাংকু। মালেম্ব লপত্রে হায়না খা পাংনা চেম্রক্কনা হায়জরকই—হ য়জহনবিও ২॥

লাইমিংথোইগী মডম উবদা পাখংবা মিৎয়েংবা ভংদবনা পাংনা উইশঙ্কা খোং নাম্মা থাঙ্গওনা চেনচিংদবগী মঙঙ্ম্না "তেংবানববু মুংভাই য়াইফংনবা দেদম। শেহিংবা নংবু পাওতাক্রদে শাওবিও। মুংভাই য়াইফংবু ননাওগীদমক্তা নোংদম্ব-নবু চিংউ নংনা নোংদম্বীবা নত্তরা। ননাওনি হায়তুনা কুবি নোংদম্বীগ্রগা হৌবদা মড ইরি অতুক তাথি খোইশাওরবদি ননাওবু কমদৌনা যাইফগদৌবনো নফমলাংদা নিজরি ননাওনা" হায়দা হায়হনবিও ২॥

পাওশাবাবু তাবদা লাইমিংথোইনা "মবাহৈদি মুংওল্লি অতুগা মঙংদি চেমশিংনগে মতাঙুম তৌবশিদি থকশি কাবন লমথংদে" শাওহুনা মাংহল্লনা হোংনরক্লে—তৌহনবিও ২॥

মরুনা লাইমিংথোই থাম্বা

লাইবুংথৌ লাইলৈমা মঙাংপুম্বা—হায়বিও ২॥

লাইমিংথোইগী থৌওং উবদা পাখংবনা মাইগৈ ৪ চিন্না ৪ চেন্দুনা মরুব কৌদুনা কনবিনবা তোইনা তাইনা কৌইদো —কৌবিও ২॥

পাখংবগী থোঙ্গেল তাবদা কদৌরবনো থন্দুনা লাইখুম্বিন য়োইরেন 'শঙদগী যেংবদা মালেম্বু খা পাংনা চেপথরম্বা লাই-মিংথোইগী মঙন্না মৈবি শঙাইশেন পাইবম্বা উবদা থম্বা নংদনা মপুংগ' পাংনা থাং কুপাশেং ফেৎ মিরাং থাং' কৌবনু পাযদুনা হায়বদা লাইমিংথোইগী মশকপু তাশনবা নংহৈদদুনা হায়খিবা থাংহাইনা হায়খিবনা থংকক ৬ থোক্লা কঙ্নুনা মতুপ ৭ থোক্লা কন্দুনা মলেমদা মতুপ ৬ থনম্মগা মতুপ মকোক্লা লোংথো পাংনা শকখংথরগা মাংখ্রেদো—মাংখি ২॥

থোরম্নু মরু হনা লুচনা লোংবদো—লোইর ২॥

মরুন কনানো এগী খু ও থাংনা মাংহনবা ঙমদব। কনানো থরাকপা নপারি লাইমিংথোই নথংহনা মহাক লৈরবদি কনানা থরকপা মপারি লাইমিংথোইন থংদুনা মহাক লৈরবদি কনানা মঙন পিনাংনি হায়দুনা মচানা চথখিবা মাইগেদা য়েংশকহন্দো—য়েংনি ২।

মরুনা লেংকপদা ওয়াংবেনাই থাদা কাইরেল থানা থুপ্পুনা লেবু চাহন্দো—উহনাবও ২॥

মকম আসদা উনাদি য়াবরোই চিংউ কনা উহন থংহন্দনা থেমনৌ পাওশারুগে হায়দুনা খা পাংনা কুমথখিদো—কুমথখি ২॥

লাইমিংথোইবু থিবা চৎপদা মরুনা লমগী মমিং থোল্লম্বা

কম্বাল শংবা পাখংবনা মরুবু য়েংলকপদা উপ্রদুনা কদোমদা চংথবানা শিবকহন্দো—য়েংনা য়েংনা থিরকই ॥

মরুবু খ পাংনা চৎখি থংলদুনা নাবোইননা চত্তুনা মরুপী মাংদা খত্তুনা ভাইখিদো—ভাইনবিও ২।

মরুনা থংলগবু "অচচা মশিদে মাগীদা ময়েংবা (চিংমাল চিহাইবা) মহাকখক্তা চারি নপাল থাবিবা লাইমিংথোইগী মরুমদা লজরবনি" শাওনা চংলক্তুনা "পারি চিরোল থাহৈবা নপা ঐগী শমুক থংনা কৈবগদি বমদৌরিবা" হংভিদো—হংবিও খ,খীও ।।

নচাবু থাদোক্তুনা চৎলিখিবু মরু যাওরবদি কংলৈপুংদা লৈবা ভংজরবেই পাওশানা থান খদো—মানি মানি ।।

চিবোল হৈবা নংবু থাদুনা চৎ ।। মচে নযাংগী লাইমিংথোইবু খিবা চৎপান নযাংনু হায়জবদা যাবিবনা মতমদা কৌরিরকে নংনা থামজবা মযম্বু শগু পক কৌন নংবুনা চিবোন চিনহায়বা কৌনা লেহোবো থনাংমগা থাংশ কহৈদো—ং ২ চৎহনাবিও ।।

মরু ২না পবম ১ থাংনা লাইবা—উবে ২।।

ইমা লৈশারেনগু নরবু যংবপদা খা পাংনা চৎত্রে থংলদুনা থ হোদো মত ন পৃথবান—ভ ভাবিও ২।।

ইমানা লাকপবু মথনা অমুনা হদপ পা পাকেল উজাও অমগী মরুমদা ন নৈবা চং দো—চৎহনবিও ২।

ইমানা উজাও মরুমদা হোখবু হংববপদা মরুদ লেরমজবদা পামেন অতুবু মরুবু থৈদোকখি হায়হনা "পামেন থৈবোং" কৌরখিদো—কৌর কৌরি ।।

মরুনা চথরকপদা রারহুনা উ অমদা ভাদুনা লেববু ইমানা উরহনা হরাওনা কৌদুনা চেনশিলবইদো—চেন শকহনবিও ২।।

ইমানা চেনশিল্লকপা উবদা মরনা ভপাল অমা ওইনা হোদুনা লৈখদো—লৈহনবিও ২।

ইমানা পামেলবু মরুনি খন্দুনা কোন্দুনা পুরুম্বদদি মরুদি লৈরনদরে, লৈনা লোৎখৎরেদা হায়দুনা 'পামেল হৈনৌ' কৌরম্মীদো —কৌরি ২॥

মরুনা অমুক 'তাওজিং হৈশাং' ওইনা লৈববু ইমানা উরদুনা তাওজিং পাম্বি অদুগী মখোংদগী মতোন ফাওবা য়েন্দুনা লৈরাঙ্গী মশক্ন্না লৈরম্ববু 'লৈরাং কুন্দোন' কৌরেদো— কৌরি ২॥

লৈরাং কুন্দোন্না য়েৎশিল্লকপদা থাংবা ওমলক্লদুনা হৈশাং পাম্বী ওইরম্বদগী 'য়ারৌ' শাদন্না চোংথোক্লুনা চেল্লেদো— চেলহনবিও ২।

ইমানা তাইজববু পাওশারন্দনা চেনবিবদি 'য়ারৌ শঙাই" নঙ্গা পাওশানদিংবে তান্নগে খন্দুনা তাম্লেদো—তানবিও ২।

ইমানা শত্রু য়াঙ্গেন মরক্তা মরুবু তান্নবদা শত্রু য়াঙ্গেন্না থেৎপদা ইমাগী হকপু ঙৈডাং পাকত্তরুখি হায়দুনা শত্রু য়াঙ্গেন খরবু 'ঙৈ' কৌনা হৈন লাইশঙ কুপ্লি খল্লিদো—কুপি ২॥

ইমানা মরুবু তাম্লরবা য়াবদুনা নোংমাচুপ্না পামেন অমগী মখোংদা য়াথন্দুনা লৈরিববু "পামেন নোংনাং কোরি" কৌরেদো —কৌর ২॥

মাইগৈ ৪ চিন্না ৪ বু কোইনা মরবু য়েংবদা উদ্রাহনা কদায়দা লৈরমগবা খন্দুনা লুকথারকপদা মরুদি কাওরেন্না কুন্দুনা লৈবগুম লৈরম্বদা ইমানা কোনদুনা ইরা চেন্না খোইজিখাদগী মুংশি মুংঙোন থৌরিনা লিফা লিপুন্না বাহোম রাকৎনখিদো— রাকৎপিয়ু রাকৎপিয়ু ॥

ইমাগী রাকৎ তাবদা "তেংবানবগী ইমা নাবু লৈথা খোংশানবা নত্তে তাংঙম্বা নপারিবু শেন্না চংপনি" পাওশানৈ অদুমুক্কী লৈরুবু 'তাংপাং' কৌথিদো —কৌরি ২॥

মরুগী পাওশা তাবদা ইমানা মপারিবু কৌরকইদে।— কৌহনবিও ২।।

"পারিও লাইমিংথোই নমা ঐবু পাওতাক্তা
লৈথ্ৰপ লোজনখিবু চিংউ ইচাগী লাইরকচনা,
সুপীচাবু ওইবা নমা রাথন থেলবীনা
পারি ইচাগী লাইরকচন লুতিনবু খঙদেদো
নৌনা শাথোক্রনবু মরুগী থোদাবনা হানখিবনা

কৈরা থক্তা পনজনা খোমলাংবু খবোংতমা ইচাগী মাইথোং থাজ তাওরোইলাইনা তমজনা ইলং লংনা শাথোকপবু উহৈরমদবা থুপ-চনরিবা কদাইদবু লৈরিশবা, থুংশি কাইনা মৈশা লাংনা কৌজবু লুকুংনা থৌপুনহন্নু— কৈরাথক্তা কৈবন্না খোমলাংবু থন্না ইন্দুনা ইচাগী চেংলৌবু উজ থংজনখিগে কৌইদো— কৌবিও ২।।

ইমাগী পাওশাবু তাবদা লাইমিংথোইনা খুম্মিদো—খুম্মিও ২।।
নচাদি থাজগী লৈফমদা লৈজবিএ
মালেমদা কুমহুনা তাংওমলবা খোমলাংবু
তানকংজগদবু নোংদম্বনা নোংদমবিরমদ্রে
নয়াথংবু থৌপুদে লংজ ইরানবু কুবিও
নচানা শাথোক্ররগা মরুগী নিংজবা
রৈথাই থিঙাই চংলম্বু শাথোক্তা তারনি
নচা ঐবু লাকচররোই কুবিও"
হায়দো— হায়হনবিও ২।।

মচাগী পাউথুম তাবদা মরুনা অমুক হায়দো— হায়বিও ২।
"পারিও লাইমিংথোই ইগানা
লৈথ্ৰপ কৈউথৌলিবা অহনা
নপা ঐনা নিংজবা পুরুগী
থোকাইবা অসাংবদি অহনি

ঐনা নিংজবা থোৗদা থোৗশিন্দা
নপাবা নামুং চংলবদি থোৗশিন্নি
নশানৌদা কংলৈবু পিবদি
পাওদম মাংওইনখবগী পিবনি
নপাদি শিল্লম নামুং লংঙখিদে "
থংহন্নদো—থংহনবিও ২।।
লাইমিংথোইনা খুম্মিদো—খুম্মিও ২।।
" ইওম শোল্লি চংলরোই
পাওদমলবা ইতওদা তাজা খংজবা ওইজগে
লৈহৌবা ইনাওনা কংদৌনা
পাওদমবু থংনা হাল্লিবা" খুম্মিদো—
অহল নাঙ্গা কয়হুনা
নমা মরুদা হংজবা
পলেম্মা শিন্তাক নোংদম্মা
পাওদমবু থরা হানখিবনি
নপা ঐদি কদৌদো" খুম্মিদো—

পাওশাবু তাবদা লাইমিংথোইনা ইচিন ইনাও লৈমিন্নরিদৈদি হৌরিমী তাঙবা—

মচা ঐবু থৌরম পুনা লৈকোইবা চংথি থংদবা নত্তে অচাব মিরাই নাইনা চায়োক নাওকোনবা অসিদি মুথত্তবা য়াদে হ.য়হুনা নোংথৌদগী থাকলাওবা মথুংতা থাংলেন " ইশা থাংদি চিনাইবা শ্রেক শ্রেক মিরাংথাং পায়হুনা চোথরকলে— চোংথহনবিও ২।।

মচাগী থৌরমবু উবদা মরুনা পাড়ি থাদা মাংহনাহাররু চোংথহনা ফাদগা লেমাইথক্তা তামিন্নরকই মকম অহবু "লাইমিংথোই থাবা থোংদাকম" হায়দো—হায়রি ২।।

লাইহরিংথোইনা যাওলবগী তাররবদা অবাবা রাখল্লিদো—খনবিও খনবিও ॥

করিনো ঐনা চৌকলিবা থৌরাং ইথুংগুনা ইমাবু মাংহনগে থৌরাং.ওবা চৎপম অশিবু খোঙবা মকম লৈরে। ইমাবু মাংনবা চৌকবা ইশক অশি মাংহনগে হায়রবা মকম থংদনা মাংখ্রেদো—মাংহনবিও ২॥

মরুনা হৌজিকতা কোনশিনা কাংববু কদোমদা কয়মা মাংখিবনো মাইগৈ শিন্না য়েংনা থিরকইদো—থিহনবিও ২॥

তিংথৌ মতোমবা ম. ব. ও. শ. ক. ন লাইয়েকশী তরুকনা নাওয়োম থানা লৈরেবা মশিবু ঐনা করিনা নাওথেমশিগে থল্লিদো—থনবিও ২॥

"লাইমিংথোই অরিবা মহি স্নালেন লিন্না পুনশী মসুংদা লৈবাও" নংবু কদৌরিবনো লাও তাদবনা তৌবরা কৌবিদো কৌবিও ২।

পক্সৌ পলেম শেম্বী ইবাতানা
কৌজবু লৈহন শাথোকহনা
লাইশঙ মকা কাইরেল সিংথ যদা
থৌঙমজিবা থুদিংদা
পোম্বীগুম চিকপীবা চেম্রাগুম পাওমেনা
তিমু কশান লাংথিশে
মহি স্নালেন ইপা অরিবা
পক্সৌ পলেম অনিনা নংবু
তিলুক কশান লাংমিন্নশি লাও"

পাওশানা কৌইদো—কৌবিও ২॥

মরুনা কৌববু তাবদা থোক্রোই খন্দুনা মচু মতান্না 'ভাংঙানবা শ.লৈনবা, স্না অহিংবা, নাপু, শংথাংনবা, অঙৌবা, থরো অসনবা লৈচু ৭ ভা উতলা লোঙবা লৈরেদো—লৈহনবিও ২॥

মরুগী মথাই পুবা মরু অহনা চিঙোইনখিবনু পাওশানা নোইরি পাওশাগেকো—শাখিও ২।।

মরুনা লাইমিংথোইগী কাইরেল সেকম ১০৮ বু নোংদমনা কৌঙবনু লাইমিংথোইনা থাখুমদেদো—খুমহনগনু ২।।

মরুনা করিনা থেমশিগে থম্বুনা হায়দো " লাইমিংথোই নংবু করিগী অহুক থোইশাওবনো নংনা শিনবা থৌশিল্লা নপা ঐনা ফংজবতনি চৎলম অহনু লাইরিকচল্লা হায়দো—হায়খিও ২।।

লাইমিংথোই খুমদেদো—খুম্বিনু ইঁ।।

মরুনা অমুকত নোংদম্মিদো। পারি নংনা মাংনা তাকনবা থৌশিন্দে তুংদা থংজহৌশনু তাকপিবনি অয়াল লংজা লৈতে থোরকও কৌইদো—কৌখিও ২।।

লাইমিংথোই মঙান উংদপুংদগী মঙাল ফাওবা লোংনা লৈথ্রেদো—লৈহনশে ।।

পারি নংনা নিংউরিবা চৎলম অহুগী কোক্লনবা ঈশেং ঈথোং লৈতে ঈশেং থুদিঙ্গা লংজবু কোকপিনবা মাইতাবিবনিদো মতিক মঙম লৈ.ত। হয়মনা লোইহল্লনা চং কৈদোম্বু খায়না পাল্লবদা ইচানা য়ুমলেন পুবদা ইহুম ল ইশঙ থুদিঙ্গী মপু ওইনা তেংবানবগী ইমানা তোর। মায়োক থানা শাইদাংনা লৈতবা পুবগী অয়োক অকনবু নোংদম্না লৈতমদো ইচম অচুদা কোক্লম্লি হায়দো—হায়খিও ২।।

মমাবু মাংহল্লগে নিংওবগী মরাল্গী কৈলোম মম্লিনা লৈপা-ল্লবদা ফালম খুদিংদা থোইহুম তাইথানা পলেমগী থোমলাংনা নাওয়োক্লা শাথোক্লবদো পারি নংদি য়াওনবু তানজংবত ওইরনু হায়খিদো—হায়খিও ২।।

লাইমিংথোইগী মরুগী পাওশাবু তাঁবদা লংজবগী মথক্লা অমুক্লা হেম্না লংজরে থন্দুনা মরু ২ গী মাংদা খুংশা ১০বু লোমহনা শাথোক রাহোমখিদো—রাহোখিও ২।।

মরু নয়াথংবু থৌপুজগে থৌরম অমদি ঙমজরোই থৌওইদবা নংচদে কুবিও হায়খিদো— হায়বিও ২ ॥

পাম্বি নংনা নমাবু তোরা মিংথম্মা নত্তে তেংবনবগী ইমানা মচাবু তোরা মিংথম্মা নাওকোজবনে তাকখিদো— তাকপিও ২॥

মরু ঐবু লৈকা মিংথম্মা কোনবিগদবা লৈজদে লৈরবস্থ ঙমজরোই য়াদেদো— য়াহনবিনো ২॥

লাইমিংথোই নংবু কনানো নপা ঐগী অমংথেল— লকা অসিদা কনা উবগে য়েংহল্লিদো— য়েংহনবিও ২॥

মরু ঐহাক্কী ঐহাক ওইবা মশকপু লৈ থুমখিদো—থুমহল্লো ২॥

বংলথল—লুবাইগা, অমংথেল—লকাগা, শজুমথেল—কময়াগা থেগ অহুমদা অমুক য়েংউ হায়দো— হায়বিও ২॥

মথক্তা মরু লে ময়াইদা ইমাবু ফাম্মি, খাদা নচা ঐবু ফাম্ম থুম্মিদে— থুম্বিও ২॥

পবন অহনা লাহামংথোই ফমদবা য়াদবানি নপা ঐনা পাবি নঙ্গী নমাংদা তোরা মিংথম্মা লৈগে ইমিংবু হয়ম মরু হাহাবেঙ্গ" কৌনা ইচানা ঐগী কুংদা নোংদম্বা ওইনা ফাম্বিরো, উত্তম অমদা অমাইবনা নকাদা চংনা বাকৎনবদা নামুং পাওশাবা মশাকা ইচাগী নামু চংশন ওইখিববু মহুৎশিম্মা পুখিবা ওইনম্বশি ইচাগী ,মরাল লৈরস্থ হায়খিদো— হায়বিও ২॥

লাইবুংথৌ লাইসৈমা পুম্বা-- হায়বিও ২॥

হে মরু নয়াথংতবু থৌওম্মা শিলও লৈকোয়জবনি কমলেন অরাংববু পামজবা নত্তে মরুগী নাক্তা লৈজবতা পামজহনা শিনজরুবনি নয়াথং করি রাংলিবা শিম্বাবিরো থৌপুজরগে য়ারেদো— য়াহনবিও ২॥

লিক্লা পুলগী মহুংদা লৈবা মহি স্নালল তেংবানবা অশিব থম্বিবদো থংনবদি নোংদম্বীবে অম্বু পাম্বি নংনা অরাংবদগী

চোংথরকপা লৈকম অসিবু "ম্লাঙ্গোই পলাপবী" কৌজগে মকম অসিদা 'খাখোং, লাইখোং, মরোংখোং' খোং অহুম্বু য়াংনা থম্বিও নোংদম্মিদো—নোংদম্বীও ২॥

নোংদমখিবা থৌরম্বু নিংশিংনা মম্ন ২না নোইরক্কে পাওশাগেকো—পাওশাবিও ২॥

কংলোইমা কৌবম্ব লৈনা হাপ্পনা য়াংপা হোৌরেদো—হোৌবিও হোৌবিও ২॥

খাখোং, লাইখোং মরোংখোং অহুম্বু য়াংলে মশক্তি চংনিংহেনবা, মরি লিশাবা, তপোপ তয়াংশাবা কৌবা শিংলিগী মশক্লি—মানি মানি ॥

খোং (৩)গী পরম্বু য়েংনা লাইশঙ ৬পু শুমবা থম্মিদো—থম্বীও ২॥

মশক্তী মরোংখোংম্ব লৈবা ১৬ পান্না মমিংবু 'মুংবাখেন' কৌইদো—মানি মানি ॥

মকম ১না মরোং মশা ১২ য়াংনা মমিংবু 'অনংখেল' কৌইদো—মানি মানি ২॥

৪শুবা লৈকমদা মরোং ১০ য়াংনা মমিংবু 'কংলৈ খেলপুং' কৌনা য়াংলিদো—য়াংলি ২॥

৫শুবা লৈকমদনা মরোং ৮ হাপ্পনা ২না খাদা নম্মা পুরগা মরোং ৬না থক্না থম্না মমিংবু 'পুনলাখেল' কৌনা য়াংলিদো—লৈ লৈ ॥

৬শুবদা মরোং ৪ হাপ্পনা মমিংবু 'শাজুমখেল' কৌনা লাইথোং ১০৮বু শুনবা হাপ্পা লোইরেদো—কংপিয়ু ২॥

শেমদি শেম্বিরে খুঞ্জাও লৈচাওনা পাঞ্জনবা হাপ্পীদবা অসিদা খোইদত্রী নোংদম্মিদো—নোংদাম্বও ২॥

খোশারোলগা টিমেন—টাগা পুখোকপা

মরুগী খোদাবু থৌঙমগে হায়দুনা বাঙোই লাইকোনগী মঙ্গোং মাইপৈদা লেপ্তুনা খোরম্বু নিংশিংলক্লে—কৌবিও ২।।

লইমিংথোইগী য়েং থংবা খুবাক ময়াই খুজেং ইরোং তমুম ফাংবদগী টিঙেন তমা চোংথোক্লুনা মখুৎত ওইনা পায়রগা মচিন্না মপেম তম্না উং, মতোন্না নোংথো পাংনা থাজত্তুনা মরু ২গী মাংদা চেনশিল্লক্লে-চেনশিহনবিও ২।।

মরুগী বাক্তা তপ্না চংশিন্দুনা টাবু শেগাদা য়েপ্তুনা পুরুম থৌনিদো— থৌনিহনবিও ২।।

পুরুম্বা লোইরগা য়েংথংবা খোংবু হারদোক্লুনা মালেমদা চোংদুনা (৩ লক হোংনা নেংলে, য়েংথংবা খোংনা ছোংদুনা নৈবাক্তা (৩)লক থিল্লগা মালেমু (৩) লক হোত্তুনা মতিল মকাং নৈববু তাম্থোক্লেদো—তাম্থোকপীও ২।।

ওইগী খোংনা ছোনা (৩)লক থিল্লগা (৩)লক হোত্তুনা "অনব মহা তিনমু কত্তবা" নৈববু তাম্থোকইদো— তাম্থোকই ২।।

য়েংকি খোংনা অমুক ওইনা অমুক শেত্তুনা মাইগে ৪বু চোং চোংদুনা য়েথাই খিঙাই পুমমক থিংলে করি করা কত্তবা লৌরগে কোইনা থেং ডঃদো—য়েংবিও ২।।

অমুক য়েংগী খোংনা (৩ লক খিন্দুনা ছুংদা কত্তবা চংলকদববু থিংবিদো—থিংবিও ২।।

ওইগী খোংনত্ত অমুক হোত্তুনা থিংউিদো—থিংবিও ২।।

খোংথিন ২রক থিল্লক্লগা তিনমু লাইমু কত্তবশিবু টাথিন ২রক থিল্লিদো—থিনবিও ২।।


মাইগে ৪বু থংবা লোইরদুনা খোংলম্বু হোংনা বাঙোই কাইরেপ মথং তম্না (৩ লকপু চেনশিল্লক্লুনা য়েংনা (৩)লক ওইনা (৩) লক খিল্লমগা শেগাদা টাবু য়েপ্তুনা মরু ২বু পুরুম্না খুৎতাও নৈচ ওনবা থারোই থৌপুনরে—খোপুবও ২।।

চিংউ মচাইরোই পুণ ১ক ২ৱ থৌরম অমা হেৎনা নোইরক্লে থৌরমদি নথোয় ঐথোযনা য়াওখিবা পূবাখিত্রনিদো পাওশাবিও ২॥

অতিয়া, লৈশিরেল্গী থ্দা ওইবা লাবব, লাইমিংথোইদা পীবা

ঐগী কাইরেল খুদিংদা থ'নদবা মানা লৈবা খুদিংদা ঐগা থানদবা তাওরোইলাই থাবশে ইচাগী কাইরেল ওইরো কাইরেল অমদনা নপা ঐনা নমাগা তোমা মিংথম্ভনা কমজরগে মকম

(তাওরোইলাই মহিরেল তবং লৈস্না লৈতোনসি)



অসিদা ঁলিক্রা পুনগী মনুংদা লৈবা মহি স্নালেনগী ৱাঙোই লাই-কোল কৌনা লাংজগে, ইমানা নহুম অসিগী লশলেলকা লৈমা কাজাও য়ানকমদা মিংরেংনা কোজন লৈফররশি" নোংদম্মা মপারিবু খুজেং শালোইনা তিলু কম্বামখিদো—হৌখি ২॥

থৌরগু চিংউ পুখনম তারক খংলকফুনা থৌখন লৈকানখিবরু লোইরক্লেদো— মানি ২॥

পা-থংব কোরকপা

মক ২গী মভাইরোই পুম্বা নখোয় ঐখোয়ত য়াওনা থৌপুরখিবা থৌরব, নিংশিংনা মক ২মা লুচিংনা নোইরক্লে অশৈবা যোইরেংচাবনত শৈশক্লে ঐখোয়ত নোইনা পাওশাখিকো— পাওশাবিও ২॥

লাইমিংথোইনা ফম্বাল্লবনা চিংউ পুম্বমা থৌথম্না কোয়না মিৎয়েং তাওখিদো—তাই তাই ॥

মকগী থৌপ্পন চিংউ পুম্বদি নৈকা থৌখল্লি ইশানৌদি উদববু কংদে ফম্বান থাদোয়কপা য়াদবনা য়াওরদত্রা হংভিদো—হংভি ২॥

নশানৌদি ময়াম্বগী থৌখনগনি লাক্লগা চংববু কিহুনা শামুওক্তা পন্দুনা লৈওল্লি মরুনা হায়দো খুম্বিও ২॥

মরুগী বাবু তাবদা লাইমিংথোইনা মশানৌবু থোইশাওনগম্ব মহুম পুংশে নমীনি চিংলাক চিখিম্লহুনা প্লরশানখি থোক্লা লৈচংলকউ কৌইদো—কৌবিও ২॥

ময়াম্বগী বাকৌ তাবদা পাখংবা মশানৌনা শামুওক্তগী লাক্লুনা বাঙ্গোই লাইকোন্দা কাইবেল্লীবা মরু ২ ময়াম্ববু পুংশা লোমহুনা পুক্লমা লৈরেদো লৈখি ২॥

পা-খংববু উয়হুনা মরুনা নয়াম্বগী কাইরেলগী খা থংবা উরেপকী বাং থংবদা ফবনা ইতম (৩) দা নয়াম্ববু থৌনি বাহংনা থৌরম পুম্বদা চনিং তম্বা চংক লৈপাইক্লো নোংদমখিদো— নোংদম্বীও নোংদম্বীও ॥

মরুগী বা তাবদা পাখংবনা ময়াম্ববু থৌনি পাওশারকইদো—

"লাইমিংথোই নোংদম্বা মরুনা লিক্লাপুনগী
মহুংদা চোংশিন্না লৈববু ঐবু য়াওহরে
কুবি নোংদম্না পুসিনবিও কোয়ো অসিদগী"
পুক্লমীদো।

মনাওগী পাওশা ভাবদা লাইনিংথোইনা ম্যাংদগী হৌগৎতুনা উরেপ পারিবা উমংবু পুরিবা খাংজেনগী মথক্তা পুরিবা খাংজেনগী মথক্তা পুরিবা স্নাখুবী য়াংপুবা " কৌনরিবদা কাইদোংলুরগা কুমলক্লা তুরিবা মনাওবু কোক্লিম্না নোংদম্বীরেদো—নোংদম্বী ২।।

ইশানৌ পা খংবা শংলেনগী কারল নোংইপ্পা " লাইরু কাইরেল " কৌবা অসি নোংদম্বা মরুগী কাইরেল নোংদম য়াইবিকোল" হায়বহনি কাওগয় অওয়া চিংঙ্ মওাগী কাইরেল য়াংবা ভাকপিরুনা কুমজা (৩)বু হুংডাইনা বাঙ্গোইলাইকোম্বা " লৈরেদো—লৈ ২।

লাইমিংথোই লাইলৈমা মচাইরোই—হায়বিও ২।।

হৌজিক্তি মরু ২ না পুবারিবু মখংলেংবা নোইরক্লে পাওশানসিকো—পাওশাবিও ২।।

লাইমিংথোইনা মশানৌগীদমক্তা হৌলম্বা হানবৰু পিবিরেদো ভুংদা লাকদবা আবা আনংবু ভাকথোকপিংবা অতুদি ননাওদি খংজবা নত্তেদো। খংজহৌনবা য়ায়েজ পাথাপ্প। চুম্বা ভাকপীরম্মু য়াথংনৈদো—য়াথংখি ২।।

বাংগোই লাইকোনদগী কংলৈ থোংগাবা

মরুগী থৌদাব থৌগ্গনা বাঙ্গোই লাইকোন্দগী হৌ লম্মা হানবা কংলৈপুং মরোম্বা থোঙ্গানবা চিংউ পুম্বদা নোংদমখিদো—নোংদম্মি ২।।

চিংউ ত্রথোয় পুখনা থৌথম্মা থাজা শাওক্লে·· শজিভূগী হুগ্নি পানবা হয়েৎ মরুমা পুবা অয়ুক য়ুংথক ভানখংলকপা মতমদা লাইমিংথোইনা য়াইদা মরু ২না য়েংকা ওইগা থং পা-খংবনা মাংদা থানা শনিক লাইনৌভাবীনা মাংদা শনিক নীক, অশৈবা মোইরেংচাম্বনা পেনা খোং, খুং খুং অচিবনা খুংবু খোং। খোং-ভারেম্না .থাইরো লিখংলাং ইবাংথেম্না পুংমাইশাকপৰু চৈবুম্না ফু,

মহারাবা অমদি হুংম্ন তুমদ মাংদবী২না মাংদা লাইবুংথৌ থঙ্গো, মাঙ্গো ২ না থাংদা থা, চিংথৈ মরু গা ফৌরূচি চেংচা মিংথোইগা নোংপোক অচিবগা (৩) না বোথনা পাওশা চিরোল লাও মরুগী অমদি ইমাগী লোয়নবী লোয়নবা পুন্না থৌথরা পাওশানথিববু পাওশাশে—

"হৌহে হা হা হা
চিংতেতে চিংতেতে নতেহু
মরূগী থূংচেং পায়দুনা
চিংনা চিংনা নোইবদি
উইতেবা উইতে
তেহু নতেহু নপ
চিরোল পাওশা হৈজবা
য়াইফং পাওশা তানফংনা য়াহোই
কংলৈ খোঙ্গানরেদো য়াহোইয়া"

লাইবুংথৌ লাইনৈনা পুন্না য়া য়া তৌনা কাররুপনা কংলৈ য়োৎরেদো—যোৎরে যোৎব ২।।

কংলৈ যোৎবদা লাইমংথোইগী কাইরেল অমা মরু ২ গী লাইশঙ্গী তুংদা শাইনা মশানৌগী য়াইফবা নোংদমা লম্বা হানবদা ফম্বা হৌখিদো—হৌরে ২।।

মরু ২গী মঙাইহরোই পুন্না মরূ ২বু চোংথোং লিংনা "পাচুলোই য়িন" শান্নরক্লে—শান্নরে ২।।

পাচু শারবা লোইরদুনা শঙলেন লাইশঙদা হজিনরে ঐথোয়গী থাবা তাওরোইলাইনা মরু ২বু পুররা পাফন শানা কোৱৌ থুদিং কাওদনা থাগোন্নথিববু তমজনা কংলশে—কংশি ২।

খোইরিফাবনা মাংথানা পাফল শাবযু লোইরবনিনা থৌথর পোংলোই শেনপাংপু থয়া অরান অহুই পুন্নবু ঙাকপিনবা

'রাকোকবাবু' হায়জরশে— হায়শে হায়শে ॥ রাকোক বাবু হায়জবা লোইরগুনা কিশেৎ লৈতেংবু হোংনহনা নোংমগী হরাওবা লোইরে ॥ হয়ম হয়িচং চং ॥

৯নি চনবা থাক ১১নি পানবা অসিৎ মরুনা পুবা মুমিৎকী হরাও থৌরম ॥

অয়ুকী নোংদম্বগী থৌরম চংনবগী থৌরমবু থোইরিকাবগা শনিক লাইনৌতাবীগা হৈরোং লৈমাগনা শিল্লাংতুনা শেম শারে ॥ চিংথৈ মরুনা নোংদম্বগী হৈকং লৈকংনবা থৌরাংলে ॥ ইমা লৈশিরেলগী থৌরমবু মথা মাইগৈদা লৈবা ফিতুনা থাগী লৈচু শেংপী ফিয়াঙ্গী নমথাং কানো কুময়িন কোনথাং শাককপা লিংবী ওম ঐং হ্রীং শ্রীং ওংনা নাওয়োম ওইবা থোঙাইবীনা মাগী লোয়নবী লাইনৈমা তারিৎলুগা পিশিনখোম্বীগা লোইনতুনা অসিৎমুমিৎকী নোংদম্বদা কংনবা কুশৈবু রাকংহনখ্রে ॥

শালাইলেনগী থৌরম ফিঙৌ শেংপা লাইবু খৌ ১৪ গা লোংননা চংলে ॥ নোংমতুগী শাম্নগনবা পরম্বু মরুনা পাওশাহুনা থৌকারকপা পুম্বদা থংহল্লে ॥

(মুংথিলগী থৌরম)

১। শনিক লাইনৌতাবীগা হৈরোং লৈথাগনা মপুগী মাইরেংকথা অনোইলোন লাংলে ॥ মথংদা লুাইরেম্বীশিংনা অনোইলোনবু মথন মথা লাংলে ॥ ফিঙৌ শেংপা লাইখুংখৌ ১২ ফিঙৌ কুময়িন কানো লৈতেংবী লাইনৈমা ৮ গনা ফিশেৎ লৈংতাংনা থোঙাইনরে ॥ চিংউ চিথাহৌবাশিংবু হোহুনা থৌগারকও চিরা ৪ দা হোই লাওনা কৌরকলে—

হয়মলে হয়মলা ও হয়মলা
হযুতে হোয়াতে ও হোয়াতে ও হোয়াতে৹
হাউংহুং হাউং হুং কংলৈ স্না পুংমাইয়োন৹
লফু লাগুম মঙান শামদে৹
শংশংগ্রো শংগ্রোপিলো শংদ্রোক্‌ফা৹
পান্থগী থরোগা ইংখোল্দগী স্নাগা৹

রাইনৌশে বাইনৌশে শবলাংবৈ রাইনৌশে কাংথংতারাবো৹
শাবন লমথোক্লা কোইনা লময়েংবা
চিংঙ্গাদা পানবা অমুলহৈ৹
শেমজবনা চানবা হৈ৹
সে সে চাজরো সে সে লৌজরো শাযানরেলো
হৌ হে হৌ হোই হা হা হা
হেরিলে হেলিলা ও হেলিলা ।"

হোই লাওবা লোইরদুনা থোংনাংথাবা চিংথৈ মরুনা নোংদম্বদগী লৈরাং উহৃং লৈযোমগা মরু ২দগী লংথৈ, লৈযোম নমঙা লৈয়োম ২পা কাইরগা উহৃংলৈবু নোংদম্বগী অমা থাক্লগা অতিয়াদা৹ লৈশিয়েন্দা ইয়াঙ্গেমগা৹ শঙলেন মপু লাইমিংথোইদা৹ পান্থংবা কোঙ্গল তুথোকপগদা লংলে ।।

লমঙা লৈ লংথৈ, লৈয়োম্না লাইবুংথৌ ৯দা লাংলে ।। ইমাদগী নমঙা লৈ লংথৈনা লাইলৈমা ৭ক্তা লাংলে ।। লুমাংদা লাংবা লৈরাংবু কাইদুনা থোইরিফাবনা শনিক লাইনৌভাবীবানা লাইচং লাইরম্বু থৌয়েংনা লৈশক থায়না লাংদুনা থৌথন পুগনবা পুম্বু ভাইজরে ।।

লাইশঙগী থম্বোংদগী হৌনা ফিঙৌ শেংপী শেংক শেনখা৹ হুমাই কাংহাই থৌথনবী ৮৹ মাংদা টা পায়বা ফিঙৌ শেংপা ২৹ লিকং তেল পায়বা ২৹ শাইরোং পায়বা ২৹ মাংদা পুংথৈবা৹ খুংথোংবা৹ খোইরৌ লিথুংপনচিংবা থৌভাইনা লৈরে ।।

লিক্লাংদগী হৌনা চোংখানবা ২. উলুক পায়বী ২. হুমাই পাংনা লাইবুংথৌ ২. মথংদা লাইবুংথৌ ৭ লাইলৈমা ৭না লুচিংনা লাইবুংথৌ লায়োই শিংলোই. লাইলৈমা নিংথুম খুংলি ফাবীগা খাপ্রাংননা লৈরে ।। হৈয়োং লৈমানা লাইবুং ময়াই কারন্দা মাইয়োকথা লাংলে ।। শনিক লাইনৌতাবীনা লাইকে খংনোইলোম্না মরু ২বু কোরো অসি নোংদম্বগী মিৎয়েং থৌখনা লাংনবা লুচিং থৌপুবিরো বাকত্তুনা খুৎলোনবু লাংহুনা মরু ২বু লেংখোবক্তুনা মাবাং ল ইচিদা চংহুনা চোং খান্না লৈরে ॥

লাইমিংথোইগা পা-থংবগা ২শু খোরক্তুনা থাং ফাল্লিবা ২গী তুংদা লেপ্তুনা ভাইরে ।। মরু ২না লেপ্লরবদা লাইনৌতাবীনা শানিক নিক. অশৈবনা পেনা খোংহুনা মর. ২ গা ইতুং থৌখন পুম্বগবু রিরিরি হায়না চিংখত্তুনা য়ে য়ে য়ে হায়না মপারি ২গা মর. ২গা তাইনহল্লে ।। শনিক পেনা. খুং, পুং. খোইরো লিথং খোং বৈহনা লাংবু বু ওলক গুরকপা কৌরু লাইচিন য়োরকপদা কোয়নবু লেপ্তুনা পেনা খোংবনা লাইবুং ময়াইদা চংলক্তুনা মাইয়োকথা থাবিববু মাং ওইনা লাইশঙদা মাই ওনশিন্না লেপ্তুনা 'হোইরো পাওশানা' হায়জরে ।। পাওশা শৈরাওবা লোংবহনা মশা নোইনা খোংথাংনরে ।। শানিক লাবতৌনহৈনাগী চংউ পুম্ববু অশৈবনা কোরো অসিগী থৌখন শৈহৌ শৈশকনা পল্লনাকানা হইনরক্লে ঐখোয়গু পাওশানা অনোই খোংকাপা থনরসিকো—খোংকাপ নারাইতারশে ২।।

লাইবুংথৌ লাইলৈমা পুম্বা লাইবুংবু শাকোই গুরহুনা মরু 2না লুচংনা লাইবুংথৌ ৭ লাইলৈমা ৭ কা লোয়নহুমা ময়াইদা চংহনা নোংদম্বগী মিৎয়েংবু নোইনা মরু 2না মশানৌ মচিন মনাশদা শিন্নবিহুনা নোইরিবা অসিদো নোংদম্বনা মিৎয়েং তাবিনবা পুম্বানবু কাওদনবা পাওশাগেকো — পাওশাবিগু তাজ.গ ।।

লাইমিংথোইনা মশানৌ পা থংববু খুজেং পালোইনা কংলৈ পুংমাইয়োনবু ৭লক হুম্না বোর্যশিন্দুনা চিংউ খুবম ১০৮বু শুনা লৈরবা তুংদা লাকপবা পুম্নমক থ'নবা তাকপিখিদো—তাবপীু তাকপীু ॥

লাইবৌ পরম নম, তাইব ৭প. শ'থে কনবা নোংদমবা

মরু ২গী মতাইরোই পুম্বা তাকপীও তাবপীও ।।

মরু ৭বু লহৈ পরম অমা হেংনা নেইবক্লে হায়বিও ২॥

থৌবর্মদি মরুনা মপাবি পা-থংবদা নমু তাংবং ৭তং শেমগৎ শাগৎলু হায়বদা পা থংব-না শে.—শাখিবা অতুনিদো—শেম্বীও শাবিও ॥

১। মরুপী থোপাবু থৌপুবনি হায়হনা মশক অমা শাহনা মরুদা কংলে। পারি অসিদি 'তাম্ন থারাম মৈকান চিনপাকপীনি' অহবু শেম্মরানিনা ইতম অমদা মথৌ নোংদমশি থাদোকথো হায়হনা থাদোকখিদো—থাদোকখি ২।।

২। অমা অমূক শেমহনা পুবক্লে অহও 'লমগি খুম্ন ওকপি থাম্নাপী পুচং লৈনাওতাবীনি খুমগী খুম্ন চিন্দুম্বীনি' মিংথোনবিহনা থাদোকখ্রেদো—থাদোকখি ২॥

৩। অমাশু শাহনা কংলরে।। মসিদি কোলুপ ইতম্মু থৌপুগদবা 'কাইরে য়েম্নি' হায়হনা থাদোকখ্রেদো—থাদোক্লে ২॥

৪। অমামুক পুরক্লে, মসিদি "হংঙোইগুম্না শাথোকইদা মকুম মথা শুদনা মরোল য়াম্না শুরোইদবা মশক্নি' হায়হনা থাদোকখিদো—থাদোকখি ২।।

৫। মশক অমশু শাহনা পুরক্লে, "পারি নংবু নমু তাইবং শাও হায়রগা মখুৎ মখোং য়াওদবা ইরোম্নংদা লৈগদবা মশকপু শারকইদা অহবু ইতম অমদা মওম্নু নোংদমগে, নমু শাদমদা পারি থৌথংদবনা শারকপা মশক্নি থংনবা মমিংবু "লেম্নৈ নম্নু'

হায়গে ভরং ইশাক্তা থাদোকখো" হায়দুনা থাদোকখিদো—থাদোকখি ২।।

৩। অমক্ত শাহুনা পুরক্লে, "য়োঙ্গ্‌বা খোরম্নীদা মশক অসিনা নমু তাইবং ওইবা য়াবা হৌনদে খোৎনবা ইচানা শেমজবা মশক অসিদি ইতম অমদা পাম্নি নঙ্গী লোইম্নিনবু ওইয়ো" তাকপীহনা উরক বারক্তা থমগ্রেদো—থমখি ২।।

পাম্নি কোন্দে তনৌবা নংদি তমলবোই লাইমিংথোই নয়াম্বু থাগোম্না কৌরু তাকপীহনা ময়াম্বু কৌরুইদো—কৌরুই ২।

মরুগা লাইমিংথোইগা তান্নহনা নমু তাইবং ৭পু শাথোক্লবা থৌশিনবা

চিংগু মঙাইরোই পুম্বা মরু ২বু পরম অমা হোংনা নোইরক্লে পাওশাগেকো—পাওশাবিও ২।।

মনাওগী বাহোম বাবু তাবদা লাইমিংথোইনা য়োইরেল লাইখুন্দিন্দা লাক্তনা মরুবু নৈপাইনা বাহংজবদা মরুনা নোংদম্মিদো, "লাইমিংথোই হৌলম্মা হানবা অসিগী অসাই অসম হাপ্পা থোপুনবা নমু তাইবং ৭ তা শাথোকনৌ কৌবনি" নোংদম্মিদো—নোংদম্মী ২।।

নমু তাইবং ৭ হায়বা অসিবু কনাবু মিতম্না শাসিবনো হংজিদো—হংবিও ২।।

পাম্নি খংদা উদবা নৈতবা চিংগুনা হংবিরে ননিং থুংনবা পাওশাসে খোইজংনা বাতা বালৌবিয়ুকো, "কোরৌ থক্তী ইঙাম্না নং ঐদা তাবিবা ইচং অসিগী ইশকপু, নশকপু নতৌ হওংবু তমজনা নৈনাইথক্তা মিতম্না নৈম্নিবা অসিবু শাদম্না ৯শক ৭ভং শাথোকউ" নোংদম্মিদো—নোংদমখি ২।।

লাইমিংথোইনা, "মরু মশক মথোংদি নোংদম্বিরে অচুম্ব মউ মচাক্লা করিনা শাথোকচৌ হায়বনো কুবিও" হংডিদো— হংডি হংডি ।।

লাইমিংথোই নগী নহুম লাইশঙ ওইরম্বা হকচাং লৈমাইথকা খিকথরম্বা মতুপ ৭ পু লৈমাইদা তাহনা লৈবশে উবদা নপা ঐগী সুংশি সুংওন, থোইশাও তুমুংবগী খুদম ওইরিবা মশক ৬ অসিনা নমু তাইবগী হকপু শাথোকনওম্মু" নোংদম্বিদো— নোংদম্মি নোংদম্মি ।।

নোংদম থৌদাব্ব থোপুনা মতুপ ৭ পু কংলৈপুংদা তাববু লৌকুহনা লৈমেংনবা থোয়েংলেদো—য়েংহনবিও ২।।

লাইমিংথোইনা থম্মি, "লৈমিদী ৬ তনি শাগদবদি ৭ নি কমদোনা থোকহনশিগে" থম্মিদো—থম্মি ২।।

লাইমিংথোইগী অমংথেম্নগী থকথারম্বা অসিনা লৈমি মচাসিদগী হেন্না চাওনা লৈরম্মিদো—লৈহনবিও ২।।

অমং থদগী লৈমিনা লৈমি ২ থোক্না থায়হনা লৈমি ৭পু শুনবা য়েন্দুনা থম্মিদো—থম্মও ২।।

লাইমিংথোইনা লৈমি ৭পু শুনা থম্মবু নিংশিংনা মরু ২ বু লৈনেং লৈমেং লৈতানা নোইরক্লে ঐথোযও নোইশে—নোই শে২।।

মরুগী মচাহৈরোইশা— হায়বিও ২।।

নমু তাইবং মিতম্মবা থমম্ব উবদা মৈথায় থিঙাইবা লাইশিংনা মথোয়গী মথৌব হৌরশি থম্মহনা য়াঙ্গোল 'মহামনিক তেপাক' কৌবদা তাম্মহনা লাইমিংথোইনা নমু তাইবং শাথোকদৌরিববু ভমদনবা নেৎথায়রুশি হৌনা শাদোংনা থোংদাম্বকইদো —থোংদাথি ২।।

থৌরম্মু মরুনা উরমহনা মরুগী খুবীগা থদোম্বীগা অনিগী মমরুগী মশক অমব 'তাওবা হুইচিন হুইম্না থৌবা' কৌনা

কোথোক্তুনা শগোলনা চংলক্তবা মাইকৈব্ পাওক্তাক্লবা থাবক্লেদো—থাক্লকখি ২॥

লাইমিংথোইনা পামবোম ২বু ভিংবা চেনশিল্লক্তুনা পাইশিল্লক ইবা শগোলবু খংলিদো—খংলি ২॥

লাইমিংথোইগী অবাবু উবদা মারহনবনা লৈমি ৭ পু মশাইকোন্দা পুশিন্দুনা নোংলোন পথেৎপু শাবা চিংকমদা থরক্তুনা থাংমৈনা কুপশিল্লগা মনাক্তা উবু শেম্বা শাবা শানা শিংজং হাইবি পায়রুনা লৈমিবু ভাক্তুনা লৈদো—লৈহনবিও ২॥

মকমত্তুবু ইকম ‘ নোংলুমকোল ’ কৌইদো—কৌই ২॥

ভাওবা হুইনা শাগোলগী চেনশিল্লকপা মাইগৈদা ভাম্না তাম্রনা খোংববু লাইমিংথোইনা শাগোলবু ফানবা হোৎনববু মশানৌ পাথংবনা উরহুনা থাংবাই উক্তবা মারহনবগী মশক মাম্না শাথোক্তুনা শগোলবু কাগে চেনশিল্লকইদো—চেনশিনহনবিও ২॥

থৌরমত্তুবু নোংপোক অভাইবা চনু স্নাথোংনাং লৈমনা উরহুনা লোথ্‌'ম মিংহুল্লকইদো—থাম্বীও মিংহুনবিও ।।

“ক্লীং সংতে হীংতে লাইরেক্লা নাওয়োম ওইবা মার্জিং পা-থংবা শগোল ফানবা থৌরিদি য়াওদনা কমদোনা কাদৌরিবা ভাইবিথো ফিকে লংলম ৭না লিফাই লিতারিবা থ্রাংলি অসিনা কাবি পুনবিও লোথাম্না থ্রাংলিকোনশিন্দুনা পিথিদো—পিথি ২॥

মার্জিং পাথংবনা লংলম ৭না কাইরিবা থৌরিবু কোম্মোই শাম্না পাইশিল্লকইবা শাগোলবু ভম্না লংভিদো—লংভি ২॥

কোম্মোইদা থুরে—থুরে ২॥

লীতোন পায়হনা চীংলে—চীংলে ২॥

শাগোমরে য়েংথংবা পাম্বোম্না মভক্তা কোল্লে—কোল্লে ২॥

শগোল মখোঙদা লোংথ্রো য়েংলে—য়েংলে ২॥

ক'দৈ লাইশঙদা পুরে—পুরে ২।।

শাগোলদী মতু কোইরে-কোইরে ২।।

মশা করে—করে ২।।

মথৈ থাঙজল্লা শমৈবু কক্তুনা লৌরে—লৌরে ২।।

খুজিল ৪মু করে—করে ২।।

ব যেদ কুচু শঙলেনগী লৈকবু য়াত্তনা অভিন্না মরুনা নোংদম্মিদো—নোংদম্বীও ২।।

য়াঙ্গোই মহামনিক তেপাক কৌবা নংবু য়ৈথাই থিঙ্গাই ল ইনা হায়রুবগী থৌপুবশি তৌরম্ থৌদা থৌশিনববু লোইদরি হায়না বাতেম্নখিববু নংনা থৌকাওনরক্তনা থৌপুবশিবু চিংউশিংনা নিংশিংনবা ওইনা বারক বাতেম অহুক থৌহৌবনি বারৌগম্ব নংবু বারকপা লৈকম অসিদা লম্বা হানবা কংলৈগী 'কুচু শঙলেন' কৌনা কোরৌ অসিদগী থম্বা হৌরশি নোংদম্না থাদোকখিদো—থাদোকখি ২।।

চিংউ মারহনবনা লৈমি ৭পু পুরক্তনা লাইমিংথোইদা শিন্নদো—শিন্নরে ২।।

লাইবুংথৌ লাইরেম্বী পুন্নমক—হায়বিও ২।।

লৈমি ৭পু লাইমিংথোইনা পায়ন্থনা খোঙনা নেত্তনা শাবা য়ানবা য়েংলেদো—য়েংশে ২।।

লৈমি ৭পু অমমম লৌহনা খুবাক ময়াইদা হাপ্তনা মিতম শাবা য়ানবা খুবাক ২না তাশিন্নে—তাশিনসে ২।।

তাববু লোইরহনা মিতম্ববু হায়গেকো—হায়বিও ২।।

লাইমিংথোইগী কংলোইয়া মহুনা মুরৈ শংথাংনরিবা লৈনা ২ পানবা, লাংয়েন ৭ না পুবা লৈফমদগী থাইনা থকথারম্ববু 'কোং' লাইয়েক্না নাওয়োম্না মমু তাইবং অমবু মচুবু মুরৈ শংথাংবা —নোংথৌ মচুবু শাথোক্না মিতমা হৌরেদো—হৌখিও ২।।

মকমহৃবু 'মিতমদুং' হায়দো—হায়রি হায়বি ।।

নমু তাইবং শেনগৎ শাগৎপদা মশা মউবু তিংনা শাগৎলি হায়না "মিতিং" হায়দো—হায় হায় ।।

শাজু-খেল কোবা মরোং লৈনা ৪ পানবা মচুনা ভৌনা ভান্না নাপু মচু ওইবা মফমদগী খায়থরপা লৈমিবু 'সং' য়াবানা নাওয়োমচুনা হুমিৎলৈগী লৈচুবু শাথোক্লা নমু তাইবং অমত্তু মিতমলেদো—মিতম্বীও ২।।

কংলৈ খেলপুং মরোং লৈনা ১০ পানবা মচু মভান্না ভাংভ্রানবা স্না অহিংবা' লৈচু ওইবা মফমদগী খায়থরম্বু অঙ্কহং হাবানা নাওয়োম থাত্রা মচুনা ভাংভ্রানবা স্না অহিংবগী লৈচুবু শাথোকংনা অমত্তু মিতমলে—মিতম্বীও ২।।

লুম্নাংখেল কোবা লৈনা ৮ হাপ্পগা ২না থাদা নম্না ৬না থক্লা থম্নিবা লৈচুনা ভৌনা শাংথাংনা হানবা লৈকাদা থকথ রম্বু 'নং' য়াবানা নাওয়োম থানা মচুনা পাংচৌবা থরোগী লৈচু হাপ্পা নমু তাইবং ১ত্তু মিতমলে—মিতম্বীও ২।।

লুংবাখেল কোবা মরোং ১৬ পানবা মচুনা লুপানা পদাং খোংনা লংবা লৈফমদগী খায়থারম্বু 'লুং' য়াবানা নাওয়োম থানা মচু মভান্না মুনা বাওখাংনা নোংথৌ মচু মানবা নমু তাইবং অমত্তু মিতমলে—মিতমবিও ২।।

অমংখেল কোবা মরোং ১২ পানবা লৈচুনা অভাংবা থম্বাল লৈচু ওইবা লৈফমদগী খায়থরম্বু লৈমি ২ থোক্লা অমনা 'উং' য়াবানা নাওয়োমনা মচুনা 'অমুবা' খেমচুবু শাথোক্লা মনা মিতম থমলেদো—থম্বীও ২।।

অমনা ভা য়াবানা নাওয়োম থানা মচুনা 'লুংচে' ভাংভ্রানবা শাথোক্লনা নমু তাইবং অমত্তু মিতম্না থম্মদো—মিতম্বীও ২।।

নমু মিতঙ্গবু ৭শুনা য়ংপা লোইরহনা লাইনিংথোইনা লৈমেংখিববু ভমজনা মরু ২না নোইয়ক্লে ঐখোয়গী থৌপুনা ভুংইনসিকো পাওশামা—পাওশাবিও নোইসে। ২

মরু লৌগী মঙ্গইরোই পুম্বা—হায়বিও ভাকপীও ।।

'শ' লাইয়েক হাপতুনা কংলৈথেলপুং খোইদৌ লৈফম্ব য়াংশে—য়াংশে ২।

'ক্ষ' লাইয়েকপু হাপতুনা কংখোং ২, সেগা ২বু য়াংনা শারো—য়াংচরে ২।।

'হ ক্ষ' লাইয়েক ২বু হাপতুনা থিবাক লো পুম লৈবু হাপলে হাপলে।

হকী লাংদাই পুম্বচা 'ক,ল' লাইয়েক ২বু চুহিং হাইনা থমলো—থমজরে ২।

'স' লাইয়েকপু হাপতুনা 'নিংসা' হাপলো—হাপলে ২।।

'ঙ' লাইয়েকপু হাপতুনা খোঙ ২ কৈকল, খুউ, খুপোম খুচং, খোঙপাক, খোঙপা ১০বু য়াংশে—য়াংচরে ২।।

'ভ' লাইয়েকপু হাপতুনা 'পাম্বোম ২বু পাম্মা খুৎশা ১০বু য়াংশে—য়াংশে ২।।

'ও ল চ,ন' 'উ,হ' লাইয়েক ৬না কংলাইয়া লৈনা মরে ২ পানবা মচুনা চুমথাং অশংবা মানবা কোক লৈফম্ব য়াংনা লাংযেন ৭পু থম্বা য়াংলে—কোক হায়না থমজরে ।।

'ও, হ' লাইয়েক ২না মিৎ ২বু হাপতুনা য়াংলো—য়াংচরে হাপচরে ।।

নমু ভাইববু শেম্বদা ইপাল্লাংদা থমগদবা পুম্বদগী কোম্মা শেম্মী হায়হনা ইপানগী লাইমিংবু (কোক) হায়দো—মানি ২।।

'দ' লাইয়েকপু হাপতুনা 'শম্বু হাপলশে—হাপলে ২।।

'থ' লাইয়েকপু হাপতুনা থবাকী শক হুমদাংবু হাপনা য়াংলশে—য়াংচরে ২।

'ক' লাইযেকপু হাপতুনা খুউকাং শরু হাপলো— হাপচরে ২॥

'খ' লাইয়েবপু হাপতুনা খুম্বিং, খুনিঙ্গী শব্দবু হাপলে— হাপলে হাপলে ॥

'গ' লাইয়েক্তা ঙঙ্গন য়াঙ্গী শব্দবু হাপ্লশে— হাপ্ল ২॥

'ছ' লাইযেক্তা কমখোং ২ বু চুয়িন—চুহিং হাইনা শব্দবু হাপ্লশে—হাপশে ২॥

'ট' লাইয়েবপু হাপতুনা নাকোং ২ বু য়াংনা হাপ্লশে— হাপচরে পাঙ্গরে ॥

কমখোং ২ বু চুমিন হাইনা থমলিবা লুগী মথাদা 'ঠ' লাইয়েকপু থংনা মিউবা মিউবিবু' পানবা য়ানবা শেমশিকো— শেমলে শেমলে ॥

শিংলিবু মথৌ পরম খায়না মিংলুনা হাপখিববু নিংশিংশে — হারবিও ২॥ ১মরি লিশাবা— শুমরু—শিংলি মৈরোম্বা কৌইদো কৌই কৌই ॥

২দি চংনিং হেনবা, ৩ দি তপোপ তয়াংশাবা, ৪দি য়েংকি মিত্তা মিক্তারং মিতিংনু ৫ দি ওইগী মিত্তা মিৎচিয়োং মিহিংনু; ৬তি নাকোং যেং থংবদা শংহো চিংথৈ লাবা, ৭তি ওইরব নাবো দা শোহিং শামাদোল য়াংবা,,

৮দি থুংচিবিক মৈরোম্বা, ৯দি কোক্তা ভিংলিশং কৌনা থারে 'স' লাইয়েকপু থম্না লুবাইবু হাপলে—হাপলে ২॥

মিৎ ২গী মরক্তা ক্লীং লাইয়েকপু হাপতুনা নাখাংবু শেমলে —শেমলে ২॥

ঙং লাইয়েকপু লুবাইগী মথক্তা হামুলথেলবু থারে— থারে ২॥

ক্রং লাইযেকপু হাপতুনা নোংমমখেল কৌবা লাইবকপু থারেদো— থাবিরে ২॥

হ্রীং লাইযেকপু লাইপকী মথাদা পিশুম ২বু শানা মরক্তা থারেদো — থাবিরে ২॥

মরু ২গী মঙাইরোই পুবা—হায়রিও ২।।

লাইমিংথোইনা লোইরগে নীংতুনা শিংলিগী মথক্তা ভীওবু শানা মাওয়োম্না হাপলেদো—হাপ্লীও ২।।

লুগী মথক্তা তোঙ্গী মশকপু হাপশে—হাপশে ২।।

তোঙ্গী মথক্তা উশগী মশকপু হাপশে—হাপশে ২।।

উলগী মথক্তা পুরাম্বু হাপলে—হাপশে ২।।

হকপু শাগৎপা লোইরতুনা লাইমিংথোইনা মমু তাইবং লৈচৎ ৭ কী হক্‌চংদা নোংদম্বগী মহুম লাইশঙ ৬পু শাবিহনা খোংলোন ৯বু থাবিরে—থাবিও ২।।

লাইশঙগী মমিংবু অমদি 'কংলোইরা' কৌরেদো—কৌএ ২।।

২দি 'লুংবাথেন' কৌরে—কৌএ ২।।

৩দি 'কংলৈপুং' হায়দো—হায় ২।।

৪দি 'লুমলাংথেল' হায়দো—হায় ২।।

৫দি 'অমংথেল' কৌইদো—কৌএ ২।।

৭তি 'শাজুম্বথেল' কৌরেদো—কৌরে ২।।

শেম্বা শাবা লোইরতুনা মালেমথক্তা মথংলেংনা মশক ৭পু থম্মগা মরুনা রাকংলেদো—কংলি ২।।

মরুনা চিংউশিঙ্গা লোয়নবা চংগুক্তুনা মশক ৭পু মিৎয়েং তারগা নোংদমীদো—নোংদমীও ২।।

লাইমিংথোই মশক ৭কী লৈচৎ উবদা নিংথিরে। লুহুংনা খংলকুবা লৈফম অসিবু হৌদম্মা হানবা 'কংলৈ শিরেপ্পুং' কৌসি মিংহুম্লিদো—তোয় ২ লৈফমু মাউদনা লৈরি ।।

"মশক্কি চংখোক্লে অহুবু তাবয়েদে। তিংলি-য়াংলি হাকথি হাকাম শৈরাওদবা অসিদা খোইজংলগা খোয়দদে মশিবু পারি নংনা কুবি নোংদমলো' হায়দো—হায়খি ২।।

থৌরম অতুদি নচাগী হওম নচ্চদে মরুনা কুবিনা লৈচং কয়াল্লাংবিরো। নওম নতান ৬পু শাকোংনা কাইরেলনবা নচানা নহুম লাইশঙ ৬পূ নথোংখাদা লাংজরি কংলিদো…কংলি ২।।

লৈ, ঙমি থোই পোম্বম অসিদি নওম্নি অহুবু ইচাগী থোদাবু থেংপুনা ইওম্ন শাম্মোংনা ফমলগে ইতম্ন থেওম্নক্ত তুনা পারি থাকৌরকপদা চংলক্ত্না নমু তাইবংবু শাথোক শাকোংননবিও নোংদমলেদো —নোংদম্মি ২।।

নমু তাইবও মশক ৭পু য়াইদি হাপমবা যিরেম্নংদগী কাংলৈ উন্দ্রাগী—য়েন কয়ানগী মথা থংবদা কাইরেলবু য়াংনা থম্মিদো—থম্মি ২ লৈরি।।

মরুগী থুদোংনা মশক ৭কী লুরাইদা নমফাম্ননা লাইবুংথৌ লাইলমপা লোয়ননা চংখিবা মশকপু হাবগেকো তায়বিও ২।।

লুরাইদা কৌম্ন অশিবনা থোংথিং থোংহাংনা ফমলেদো —থিংলে থিংলে ২।

য়েংথম্বা পাম্বোম মরুদা রাংত্রেমা ফমলেদো ফম্মি ২।।

ওইথম্বা পাম্বোম মরুদা মাজিংমা ফমলেদো—ফম্মি ২।।

ওকথোংদা লিকচাউ শিথা হুংবা মহারাবন থোংথিং থোংহাংনা লৈরেদো তাকপী ২।।

থবাক্না থাংজিংনা কাইরেল য়ানা ফমলেদো ফম্মি ২।

থোয়দোদা অতিয়ানা লৈরেদো—লৈরে ২।।

অমংথেলগী মথা ওইথবী 'ভপোপ তয়াংশাবা' শিংজিগী মথাদা ঈমু নমথাংনবী হুংমু হুমদ-মাংদবীনা ফমলেদো—ফমলে ফমলে ।।

চনিং হেনবগীমনাক য়েংলমদা ইরোংলৈমনা ফমলে—ফমলে ফমলে ।।

থোরম্ন উবদা কংলোইয়া কৌবা লাইশওদা তেংবানবগী মপু নোংদমনা মালংবা হুংশিংপু লাইমিং ১০ কৌবিদনা "হামুল কাইরেলক্ষম কৌবদগী চাইথায়হনা থকী মফম পুরমক্তা থুংহল্লেদো —থুংলে ২।

শাথোক্লবু থোঙমত্রবদা " লাইমিংথোই য়েলথু য়েলথাক-য়াই থোয়েংবব নলিং থুংজিবরা থোঙম হাপ্পীয়োগবা" পাওশানা অতিয়ানা তোইনা কৌরকইদো…কৌশিনবিও ২।।

মরুগী পাওশা তাবদা মরুনা চাইথোক্লগা মালংববু নিংশিং থাগোন্না অমম্বগী মশক ওইবা " হুমলেল শিদবা য়াইবি সিদবা॰ য়াউবি হাংমাইবা॰ মালং লৈপুবা॰ মালং লৈয়াবা॰ মিস্তোংলেন॰ তনিক তশোইব ॰ ইথৌ লাংবা॰ য়াকৈ ইহুনবা॰ মনম ফোং— মহাওলো কৌবা মালংবা ১০ বু কৌহনা মতম্বু খোপুহন্না নোংমাই য়েলথাক ৭ কি খুঞ্জিলখাদা খুৎমাওবীগী খুঞ্জিন্না য়াৎলগা কাই-রেল্বু থানা চংবা চৌশিদো—চংখি ২॥

শাজুপ্থেলদা 'শ্রীং' লাইয়েক্তা তিলুথানা লৈয়েদো—লৈবে ২॥

লাইবুংথৌ লাইলৈমা পুম্বা লাইমিংথোইনা চাইথোক্লনা লৈফম ৬গা হাপ্পীহনা সিন্থাখিববু মক্ক হনা নোইনা শাদরমক্রে লৈফম্বু নিংশিংশিকো—নিংশিংশি হায়বিও ॥

লৈরে॰ লৈনা ৪ পানবা শাজুম্বথেলগী লৈকম খুদিংবু লাইমিংথোইনা মতম্বু চাইনা থম্মিদো—থম্মি ২॥

লুরাইদা থংলে লুরাই পায়য়ো—পায়রে ॥ মশকপু ওম লাইয়েক্রা নাওয়োমা লৈদো=লৈরে ২॥

হাগুমা কিশিফমদা থংলে কোক্রেল্দা পায়রো=পায়রে ২॥

মশক্তিউং লাইয়েক্রা নাওয়োমলিবা শৈরেং শাথোক্লবগি মশক্লিদো—মানি ২॥

পিগুম হগী মরক্তা থারে পিগুম পায়রো—পায়রে ॥

মশক্তি হুাং লাইয়েক্তি মশক্লি=মানি ২॥

লাইবক ময়াইদা থারে লাইবক পায়রো=পায়জরে ॥

মশক্তি কুং লোংলুমগী মশক্লিদো—মানি ॥

লাইবক মথক শমখোংদা থারে শমখোং পায়শে=পায়রে ২॥

মশক্তি শ্রীং লাইয়েক্তি মশক্লিদো···মানি ২॥

পিগুম য়েৎথগী মথক্তা থারে য়েৎথম্বা লাইবক্তা শোকশে—শোবচরে ॥

মশক্তি হুং লাইরেক্তি মশক্তিদো—মানি ২।।

ওইবগী পিগুন মথক্তা থারে লাইবক ওইদা পায়রো—পায়রে ।।

মশক্তি র০ ও গী মশক্তিদো—মানি ২।

নাথাংদা থারে নাথোং পায়রো—পায়রে ২।।

মশক্তি ক্লীং লাইরেক্তি মশক্তিদো—মানি ২।।

লুখমদা পায়রো লুখমদা থারে—পায়রে ২।।

লুখমগী মথা য়াংলেনগী ময়াদা থারে পায়রো—পায়রে ২।।

ওকংথোংদা থারে ওকথোং পায়রো—পায়রে ।।

মশক্তি ওন লাইরেক্তা নাওয়াম থাবা হুংবা মহারাবনিদো মানি মানি ।।

খুংচেংদা থারে খুংচেং পায়রো—পায়রে ২।।

অমংথেন্দা থারে শদোন পায়রো—পায়রে ২।।

মশক্তি তেংবানবগী মপু মউ লেমফু ওইবা উংলৈহিংকা কৌবগী মশক্তিদো—মানি ২।।

কংলৈ থেলপুংদা থুংলে খোয়দৌ পায়রো—পায়রে ।।

মশক্তি 'লৈকা ওমএ০ ওন শনা খবলে খাং.' কৌবা অতিয়া মকগী মশক্তিদো—মানি মানি ।।

খোং ২দা থারে খোং পায়রো—পায়রে ।।

মশক্তি ওম হিং ক্রফ ফাহিং চিংউ থানা চাওবগী"মশক্তিদা০ ইরোংলৈনা থোথক্লিদো—থোথক্লি থোথক্লি ।।

কমথোংদা থারে কমথোং পায়রো—পায়রো ।।

মশক্তি তেংবানবগী ইমা রাং লৈশিরেল লৈপুবীগী মশক্তিদো—মানি মানি ।।

লুখলাংথেন্দা থারে খোয়দৌ মথাদা পায়রো—পায়রে ।।

মশক্তি ঐং লাইরেক্তা নাওয়োবী শিংরুমা খুহোংতানবী লৈমারেনগী মশক্তিদো—মানি মানি ।।

লুংবাখেন্দা থারে থরাক পায়রো—পায়রে পায়রে ।।

খোরম্বু মরু ২না নোইরক্লে লাইমিংখোইনা হরুংদা মহৌ মহৌ লৈফমখিবা খোরম্বু নিংসিঙ্গেকো হায়রিও ২।।

লাইমিংখোইনা মখোং ২গী ময়াইদা কমলগা 'নিং নিং নিং' পাওশানা য়াকৈরে। রিরিরি পাওশানা চিংখৎলুনা পিগুম ২ গী মথক্তা লৈবা ছৌং। লাইবক ময়াইদা লৈবা কুং। শমখোংদা লৈবা স্নৌংবু থাগোম্না নিংশিংলক্লে ।। থরাই য়াইবিলেম্না নোংলোন্দা ৭নি লৈরগা থাদা থকচিনলে। লাইমিংবু 'থবি শিদবা' মেরুবনা 'মিংথাদো তিলথাকসং' কৌবৃ কৌথরুনা য়েৎকি মিং। য়েংাক খুমিং। ওইগী মিং। খুমিঙগী খোয়রিতং কৌবদা মফম থুদং কাইরেল থাহুনা য়াকৈহুনা মশকপু মেগী মশক্না কোইসিন্না ফম্বিদো—ফম্বি ২।।

লাইমিংখোইনা হেক ফম্বদা নমু তাইবং ৭পু তিংলি য়াংলিরে 'উংভা' লাওরে। খোঙ্গুম পুম্বনা 'মিহিংলে। মিহিংলে' লাওনরেদো—লাওনৈ লাওনৈ ।।

মহৌ মহৌ হরুংদগী হপাল্লদা ফাওনা শাযুরিববু 'মিহিং' হায়দো—হায়রি হাযরি ।।

মিহিং তানরৈবা। হাকথি শৈবাওনবা হায়না পাওশানৈদো—হায়নৈ হায়নৈ ঐখোয় পুগা ।।

নমু তাইবং ৭পু লুনা চেকশিন্না খোইচং খোইদানা মগুম্বু য়াংনা নোংকোয়ো ৭দা পুন্না শাথাক্রবি থংহোনবা শাখোরুবা লৈফম্বু 'হৌলম্মা হানবা লুরাং নোংফংপুং' কৌরেদা—কৌই ২।।

মশক ৭না মিহিংবু তানয়েরক্তুনা হাকথি হাকাম চন্দুনা তিংলি য়াংলিববু খোইযুমশিংনা উরহনা হয়াও তয়াম্না মরু ২গা লাইবুংথৌ লাইনৈমা ১৪পবু অনোই শাথাক্না পাওশা শৈশরুখিববু ঐখোয়গু পাওশানা নোইশে—নোইশে ২।।

"উয়িতেবা উয়িতে মিকিহিং মিকিহিং
চিংত্তেতে চিংতেতে নপঙ্গু ওবা ॥
অঙ্কো শিরিং কিরিং কেতুরে
অঙ্কো শিরিং কিরিং কিরিং
নোংতা কাংবিরু লিকশুন ওবা ॥
কিরিং শিরিং শরুরিকা নোংতা কাংবিরু
লুংপিলেল পুরিং হয়ম ওবা ॥
উয়িতে লুংতরেংবি সংথুপ্পা
উয়িতে উয়িতে তেম্বু চিংতেতে চিংতেতে ওবা" ॥

লাইমিংথোই লাইলৈনা মত্তাই পুম্বা মরু ২বু লৈঃহৌবাবু মথংলেংনা নোইরক্লে থোরম্বু পাওশাগেকো—পাওশাবিও ২॥

৪ পা-থংবনা নমু মিতম্বা অমাবু হুত্নুনা থেঙ্গুরুং চীওদা থমখিবা

নখোইনা নোইনা শাথোক্লরিঙৈদা কংলৈ খেলপুংদা শাথেক্লবা চিংঙু নমু তাইবং অমাবু পাখংবনা চিংঙু কনাবু থংহন উহন্নুনা থেঙ্গুরুং চীওদা থমখিববু নিংশিংনা নোইবনি পাওশাগেকো—পাওশাবিও ২॥

চিংঙু পুম্বনা হরাও তয়ামরম্বদগী নমু তাইবং মিতমখিববু য়েংবদা মশক ও তা মত্তাইরম্ববু হুম্না হুম্না থিবদা ফংদবদনী লাইমিংথোইনা রাকংলিদো—রাকংলি ২॥

লাইনিংথোইনা চিংঙু পুম্ববু য়েংবদা পা-থংববু লৈবা উদে উম অসিদি ইশানৌনা ওইরে কদোনগে হায়বনো' মাইগে কোয়না লুমলাং থানা য়েংঙিদো—য়েংবিও ২॥

থোরম্বু উরহুনা নোংদম্মি, চিংঙু পুম্বনা তাল্লুহনগু ফংলরোই লৈরে থংলবগু লোৎবা চংবা ওম্মোই তোগে নিংবদা মালংবনি, মাংহনগে নিংবদা কানৌ লৈগী মওমি, ইশানৌনা শাওবা নেমগা

তিলুক লৈকম্নিভৈদা বাহোম বাহংবা নমু মহাকি মণ্ডপ থাশি নোংদম্নিদো—নোংদম্নি ২॥

লাইমিংথোইগী নোংদম পাওশায় তাবদা চিংঙু পুম্বনা লাইখুদ্দিন মোথৈরেল শঙুলেন্দা চংলক্লুনা মফদা পাওদম্নিদো—কংশি ২॥

চিংঙু পুম্বা থোরম তুংদগী থংনবা পাওশাগে তারোকো লাইমিংথোই মহিস্নারেল হায়বা মহাক অসি থরাইবু হিংহল্লিবা 'তরংওমথিগী' মশক্কি, লৈশাতাও থাজ তাওরোইলাইগুম তিলু থানা কম্বানবনিদো পুম্মকপু চনিং ইংনবা মপাল ময়া তানবা কুঁব নোংদম্বিবা মশক্লিদো—মানি ২॥

মশানৌ কোঙল তুথোকপা পা-থংবনা 'শাম্বুবি মৈগী মশক্লিদো' চিংঙু হুমিংকা তিলু থানা কাইরেল্লিবা মশক্লিদো—মানি মানি ॥

থৌজিক্কি ইপাম্নাংদা শাকোংবা চিংঙু ঈশিঙ্গী মশক লৈশাতাও থাগী মশকপু তিলুম্বিবা লাইমিংথোইগী হক্তগী শাকোংবা নমু মিতময় শাম্বুবিগী মশক ওইবা পা-থংবনা মরাখগা তিলুনা বায়েল থোঙুবনু পাঁমজহনা থোইদাজবা লৈফম থোয়েংনা পুজবনি লৈবাক অসিগী লুচিংবা ওইবদি শাম্বুবিগী মশক ওইবা মশানৌনা ওইরশম্ব অহগা থাগী মশক ওইবগী হক্তগী শাথাইরিবা মশক ও অসিনা অসাই অশম্ব 'ওইখিজুনা লৈকম অসিগী লাইমকচৎ—চৎলম লুজিন ওইরশি নোংদমখিদো—নোংদম্নি নোংদম্নি ॥

চিংঙু পুম্বনা মরুগী নোংদম থোয়া থোপুজগনি বাভেমমৈদো—বাভেম্নি ২॥

লাইমিংথোইনা কোয়ৌ হরি ওবগী নোংঙান তু উবা ইতমদা চিংঙু পুম্ব পাওশাবা থেজুং চোঙী চৗয়াঙদা থৌহু মশক্কা নাওবাবু লোংবা থমহুনা অজো অঙ্গা' পাওহংনা শামহুনা

লৈবে ঐগ্বাযনা লেকোই লিকানা নোংদম্নরুশি পাওশানা চিংঙ্
পুম্বনা চৎখিববু মরু ২না লুচিংনা নোইরক্লে নোইশিকো—
নোইশে নোইশে ।।

মরুগী মঙাইরোই পুম্বা—হায়বিও ২।।

চিরা ৪ মাইগৈ ৪ বু লৈচু ৮ গী ফিরানবু য়ুংঙ্ মালেম
কোবৌবু হুনা চুকথানা ফারশে—ফাগে ২।।

ভঙাংবা লৈচুগী ফিরান পুঙোই লৈনা ৯ থোনবনা নমু
মিতম্বগী মঙম্ব তম্না মযাইদা নমু খুন্দা হানবগীদমক্তা মুংলসে—
য়ুংসে য়ুংসে ২।।

নমু খুন্দানববু রাহংনা মঙম্ব খঙ্গাও লৈচাওনবা পাওশানা
নংঐগী ইথোবু থৌপুন বাবেপ রাতেম্না লৈফা লৈথম্না নোংদম্ব
খুজেং শালোইনা শিন্নবশে—শিন্নরশে ২।।

চিংঙ্শিঙ্গী থোশিন উবদা লাইমিংখোইনা নমু মিতম্বা
অপিচাগী মাইয়োকথাবু তম্না য়াহিপ য়াত্রাবগী মমাংদা ইশাইকু
অমা তৌবিদো—তৌবি ২।।

ইশাইফুবু তৌবা উবদা তেংবানবগী ইম্বা লৈশিবেন্না মঙমদগী
লাইমিংবু ' উং ই হিং সং ইপুংশ্লোক য়িয়াবী মিম্নিহিং লৈয়োম্বী'
কৌনা লৈফম অসিদা তরং লাইজনা ইকোম্ব ইমাই চোম্না
ইহৌনা লৈঙম্মীদো—লৈয়ে ২।।

থৌরমশিবু নোংপোক লোইরং পানফবী স্নাখোংনাং লৈমনা
খংলহনা হকী কংলৈ থেলপুংদগী মঙম্ব তরং হৌনা লৈনাবু ১০৮
(চালুপ অমগা নিপান) পানবা মচুনা স্না অহিংবা মচু ওইবা
থম্বাক চামা নিপান হায়বা মশক অমা পুখোক্ননা ইকোমগী
ময়াইদা থম্না খেঞ্জোংগা লোইননা হৌরক্ননা থম্বান অমা
[illegible] — [illegible] ২।।

লৈরিক্লা কোয় বিবা থমচেত্তগী ইরিক অঙৌবা অমা কাপ-থোকলক্তুনা মিরাং তিংবগুম্না তিংহনা নমু মিতম্বগী মচিন্দা তাহনা থোয়াং ইনবগুম্না পিথকলেদো পিথকখি ২।।

থোমলাংবু শাথোক্লা খোংনাং লৈমনা ইনবিবনু উবদা লাইমিংথোইনা মাইয়োকথারু ৭ শুনবা ইকোম ৬কা অমুক তৌহনা থম্মিদো—থম্মি ২।।

পা-খংবনা নমু মিতম্ববু থৌহথক্তা থম্মগা ' অঙোয়া, অঙারা ' লংনা পাওশানা শানাহনা লৈদো—লৈএ ২ ঐখোয়গু য়াওই ।।

চিংঙু পুম্বনা খুংশম্মনা কোয়হনা মাহং পাওশানখিববু নিংশিংবা ওইনা পাওশাশে লিশম্মরো—শম্মরে ।।

হয়মলে হয়মলা, ও হয়মলা,
অরাংগী নোংচুপ লংদাই চৌঙলেম্দা,
শলাইলেনগী লৈকমদা
আঙাংবু হুম্মি শুবনা
থৌহু থক্তা হিপ্তুনা
রায়েল নোংদম তাল্লিবা
পম্থৌ কনাগী নোংদম্মা
পলেম্বু কনানা থৌপুনা পোকপনোদে ।।
নোংদম্মা মউ থারগা
চারি মপাল লিংবনে
পা-খংবগী নোংদম্বু
নোংপোক লৈমনা থৌপুনা শাৎপনিদে ।।
চিংঙুবা ঐখোয পুম্বগী
কুবি রা:য়ন বিনবা
চিংউবু ভিলু লৈকম্মা
নোংদম্মা মউ থাবনিদে ।।

হুমিংনা কারিগৈ কারোদো
খবিনা ভিলবগুম নিন্দুনা
ভিং ভিং চাওরসে
শিডেম্না শন্না শাংপগুম
ভাউজিংনা চুম্না পানবগুম
শন্না চুম্না পাল্লশিদে ।।
লাইচু ভিঞ্জ্র লাকফদে
নমথিংহংভাই লৈকরোই
শলাইলেনগী লৈফমদা
চিংঙ্গুবু বায়েল থোদনা
লৈবাক্তি য়াইফা কুবনা
লৈকল লৈভাক নোংদম্না
লৈমাই খুন্দা লৈহান্না
লৈপু লৈভাক নোংদমলোদে ।।
পাওশানা চিংঙ্ পুম্বনা লৈথম বাভেম্নরেদো—বাভেম্না থৌশিনৈ ।।
লাইবুংথৌ লাইরেম্বীগী মভাইরোই পুম্বা মরুনা নোংদমখিববু পাওশাশিকো—পাওশাবিও"২।।
আবাং থেঙ্গং চাউলেন অগুপ্পা
চিংঙ্ নমু লৈমাই খুন্দা অহানবা
নোংদম্না মউলিংভম্না চারি মপাল খাওম্বা
ওম এং মিংলেন ম্না নোং তরেং ভিংম্নংরেম্বা
চিংঙ্ কৌব্র লাইলোংবা
ওম হাই চিংপা হাই ফাহিং"
মিংলেনবু কোরৌ অসিদগী লৈহুন তমলগে, নংনা কংলৈ মেনগী ফম্বাল চুকখোং অমা ওইনা নঙ্গী লোইনবা লাইবুংথৌ 'হাহিং অসনা' কৌবনা লুচিংবা ১৪ অসিগা লোয়নইনা

লৈবাকপু য়াইফনা শেমগৎ শাগৎপশে নংথৌ নঙম্বু ওইনা ফগ্নো নোংদম্না শিন্নহনা থম্মিদো—মানি ২ থমখি ।।

শিন্নবনু লোইরম্মগা চিং৬ পুগা হৌলম্মা হানবদা হন্নক্না মিতন্বা ৬ পু কোপ্তিন নোংদন্নবা থৌয়েংনৈনদো — য়েংনৈ ২।।

খুরেম্বা ফম্নবদা লাইমিংথাইনা হায়দো. " চিং৬ পুগা লৈফম অসিদা মিতন্বা ৭পু কোরৌ অমগী লাইমিং লাংয়েন ৭ না শাখাইনা তিনু শাকোংনৈ নিংশিংজনবা লৈফমু 'নুবাং নোংফংথেল মারু শাউ ৭পু শাংনফম কৌনা কুমজা খুদিঙ্গী হায়জা নিজা চংনফম ওইয়া থম্মি বাউইরেদো—ফাতেমখি ২।।

লাইবুংথৌ লাইবেন্নী পুগা হৌজিক্তি মরু ২বু চোংথোং লৈরিৎনদুনা লোইয়িন পাচু শানাররে লৈফম অসিদা শাকোইবা খাম্নশিকো—খামজরে ২।।

মরু ২বু পাচু লোইয়িন লোইরদুনা মতুম লাইশঙদা মপুগী থৌখন চংখ্রবনিনা ঐথোয়সু চোংথোং লৈরিৎ কোপ্তিন্না কংলৈ পিনরভাবু শংবা 'তবংলৈন্না লৈংতালসিনা ' মরুগী ফাংথোঙবু কোয়না পুরুমখিবু তমঙ্গনা থৌখনশে কায়কদেকো— থৌখনশে ২।।

ফাংথোঙ কোয়বা লোইরবনিনা নঙ্গী নঙ্গী মপা ইপাবু কাইনদনা অমুক লৈশে—লৈজবে ২।।

লৈংকোয় লৈশারকপনা মথোং ফমলেনবু য়োরবনিনা লাই-বুংথৌ লাইলৈবা পাচু শাদম্নবাশে—শাওপাখিও ।।

মাইগৈ ৪বু পাচু শাদম্না থৌখল্লেদো লাইবুংথৌ লাইলৈমা তুলু খাইনা য়াম্না তৌনা শমজিন খাইনা লৈকোইশে—কোয়শে ২।।

তুলু খাইনা চংহনা মরু (৩) বু পুরুম্না থৌখন পোংলোইবু থমলশে—থমলে ২।।

বাকোক বাবু লৈনি বাহোম্না লংজা অয়োলনখিবনু কোকপিনবা বাহোমজসে—বাকৎসি ২।। হয়ম ।।

১০ নি চনবা হয়েং মরুনা পুবা থাজ্রা ১২ নি পানবগী থোইমা য়াম্না হরাওবা

ইমাগী থৌখনবু ষন্থোংদা লৈবা ফিরোম্না অঙাংবা ককোই মপানগী কুময়িন কানো পোংলোই শেংপী ওম হ্রীং হুং হ্রীং থিংবা লোইথোম্বীনা মাগী 'লোয়নবী উমু লৈমগা শজিবীগা লোয়ননা কোরৌহূগী থৌখন লৈরাংনবা রাজনা শেমজয়ে ।।

মপুগী লুয়াং খেন্দগী শিন্থা বাখনবু থৌপুবা শলাইলেন অমম্বা =অতিয়াগী থৌথনবু বন্থোংদা লৈবা ফিরোম্না কৈচোন অঙাংবা শেংপা ওম লাইবুংথৌ যুহানা মাগী লোয়নবা লাইবুংথৌ ১৪ গা লোইনতুনা থোপুই ।।

ইমানা কোরৌহূগী নোংদম্বনা মিংয়েং তাবিনবা পরম্ উমু লৈমা শজিবা ২বু রাকং রাহোম্নহল্লে ।।

মরু ২বু অযুক্কী থৌগনবু কাবকতুনা শঙলেম্বা ফয়রে ।। শনিক লাইনাও তাবাগা হেবোংলৈমগা ২না হেরাং লৈরাং পুনরকপবু নোংদম্বদা লৈরাংনবা মাহয়োকথা শেমতুনা 'উহংলেং লংথে'গী লৈয়োম (৩)বু শেমতুনা থম্বা লোইরতুনা খিকপেংনবা নাহাহফুবু পুশিল্লকতুনা থোইরিফাবদা পারে ।। থোহারফাবনা হহোলোলবু পাওশানা নাপাগা শিংবাগা হফুদা লুপতুনা খিকপেং চাইবা লোইবগা মরুদা রাহোমলে ।।

থোংনাং থাবা চিংথৈ মরুনা মাইয়োকথা পুম্বু নোংদম্বা মপু 'উংলো য়াইবিলেপা' কংলে ।। উহংলৈগী লেয়োম্বু নোংদম্বগী নমতা লৈরাং লংথে লৈয়োম অমনা আতওয়াদা লৈয়োম অমনা ইমা লৈশিরেম্দা লাংলে ।। থৌরমবু লোইরতুনা পুংথম্দা থৌখনগদবা থৌরমবু চিংতু পুম্বদা খণ্ডহল্লে ।

১০ নি চনবগী নুংথিলগী থৌরম

শনিক লাইনাওতাবীনা লাইশঙ মাঙদা থোরকতুনা নোংদম্বা মপুদা মাইয়োকথা অনোইলোন লাংলে ।। মথংদা লাইরেম্বীশিং

খোঁরকুনা অশৈবনা চিঙু মঙবু তেংথা শৈশক্না থৌখল্ল ।। ঙাংব, পোংলোই শেংপী লুরেল লৈচাও হান্নী লাইলৈমা ৮ গু কারে ।। ফিডৌ কৈচোল শেংপা লাইবুংথৌ ১২ গু কারে ।। পুমথিং ফনেক শেংপী = ফিদোল শেগা য়েপ্পী নিংথুম খুাংলি ফাবী, ফিয়াই নমথাং কোকথুম লেংকাইনবী লাইরেম্বী ২গু কারে ॥

খোইরি ফাবনা শৈহৌনা লাইবুংথৌশিংনা শৈগক্লা চিরা দা কোযনা চত্তুনা চিংঙ কনা লৈহৌরিবগে খোংলেংলক্লো লৈহৌনথিবা পরম্বু পাওশানগদৌরে তাক্তুনা ' হোই লাওবা ' হোরে ।।

খোংনা থাবনা উহং লৈপোপ ১তং থাক্লম্মগা অতিয়াদা ১, লৈশিবেন ইমাদা ১, ইবাস লৈমা = ইশাইকুরেলদা ১, লাইমিং-থোইদা ১, পাখংবদা ১ লাংলে ।।

অতিযাগী নমথ লৈযোম্বু কাইহনা লাইবুংথৌ ৯দা লাংলে ॥ ইমাগী নমঙা লৈয়োম্না লাইলৈমা ৭তা লাংলে ।। লুখাং লৈখাংবু কাইহনা চিংঙশিঙ্গী লাইরকচন য়েংহনা লাংলে ।।

২ লাইবৌ শানবা থৌপুবা

মস্তোং পুনেম্বা লৈফমদগী লাইমিংথোইগা পাখংবগা ২ না তুংদা, মাংদনা থাংফানবা ২ না থৌখন, থাঙ্গী মাংদা কুমথিন পোংলোই শেংপী লাইলৈমা লুরেল লৈচাও হান্নী ৮, মাংদা টা পায়বা ২, লিরুংতেল পায়বা ২, শাইবোং পায়বা ২, না থোক্তুনা ডাইরে ।।

লাইচিদগী হৌনা অরাং শাংথনা মাংদা চোং থানবা ২, উলুক পুবী ২, হুমাই পায়বা ২, মথংদা লাইবুংথৌ ৭না শমথনা লাইবুংথৌনা য়েং, লাইলৈমশিংনা ওইথম্না শমথনা থৌডাইনরে ॥ শনিক লাইনৌ তাবীনা লংখৈ খুরকলৈ য়েপ্তুনা শকলেন মাংদা লাইচিং লাইকৌ অনোইলোনবু মাইযোকথারে অসিগা লোই-না

পেনা খোংবনা য়েরেয় রিকো রিকো খোংলে ।। খুংলোন অমতং পেনাগী মরোল তাবদা লাইশঙদগী মরু ২ণ্ড থোরক্তনা লাইচিগী চোং খাম্লিবগী মনাক্তা চংহনা লৈরে ।। শনিরু পেনাগা লোইননা মরু ২গা লাইবুংথৌ লাইরেম্বী পুম্নগা চিংখং লক্তনা মপারি ২গা শন্নরগা শনিক অমদি পেনানা খায়গী মাংদা থানা লাইবুংবু ২ মরু শাকোইরগা শাকোই (৩) লরু শুরকপগী কৌক্র লাইচি পাংবা য়ৌরকপদা শাকোইনবনু লেপ্পগা পেনা। শনিরা লাইবুং ময়াই কারপা চংহনা পেনানা হেহিরো পাওশানা অনোই খোংথাংনরে ।।

লাইবুংথৌ লাইলেম্মা মণ্ডাইরোই পুম্বা হায়বিও

অশৈবনা হৌরবা বাম অশৈ খোংকাংলাংনা শক্তনা মরু ইমা লুচিংনা অনোইলোপা মপুরী মিংয়েং তানবা শাথোক্লরক্লে। থৌরম্ব কাওদনবা নিংশিংপে হুম্বি চুমদে বাখুম্না তাওকো— তাজর্গে খুমজগে ।।

খেঙ্গং চৌওলেম্বা নমু তাইবঙ খুম্বা অহানবা চিঙ্ক লাইলোওবা কৌনা পা-খঙবগী তিলু থানা থনম্মগা কওলৈদা হুরুকনা লাইখুম্বিন= য়োইরেলদা চিঙ্ক পুম্বনা থৌখল্লবদা নোওদম্মিদো—নোওদম্মি ২।।

লাইমিংথোইবু লৈহৌবা নমু তাইবং মশক ৬পু মাগী মাগী মচুবু শিন্তাক্লবিহুনা চিঙ্ক পুম্বনও খংহৌনবা লুরাং নোংকংথেলদগী লৌবিরুবনা ফগম্বা নোংদম্মিদো—নোংদমখি ২।।

থোদাবু থৌপুনা মশক ৬পু লোকহুনা মথংলেংনা থমহুনা মরুবু য়েংহন্নপা মিংহুনবিনবা রাকংলিদো রাকংলি ২।।

পারি ইচাগী হরুপী শাথোকপা নমু ৬ অসিদি নশাবৌগী অশাই অশম ওইনবা মমুম ৬পু খাইনা লম্বাহানবা অসিবু থাইনা বায়েন থৌপুহনশি নোংদম্মিদো—নোংদম্মি ২।।

ইচাগী কংলৈ থেলপুংদগী শাথোকপা 'অংকহং' লাইয়েক (৩)না নাওয়োম থাবা নমুবু নশানৌগা তিন্দু থানা লৈঙ্গবনিনা মশক্কী লাইমিং লৈচুবু পাথংবনা লেপচবা অংকহং মঙাং ঙাংবরেল পা-থংবনা মৈতৈঙ, কোঞ্জন-হুথোকপা হৌলম্বা হানবা কংলৈ পুংমাইরোনগী লুচিং থৌপুবা পিবালেল ওইহল্লশি নোংদম্মা থম্মেদো—থম্মে ২॥

ননাওনা তিলুখ্রবা মিতম নমু কৌক্রু লাইলোংবনা চিংঙু পুবগী নোংদম্বা ওইনা "আরাং কৌক্রু অগুপ্পা লৈমাই খুন্দা অহানবা" কৌনা কংলোইয়া শনা থেঙ্গুং চাঙ ওম মিহিং তোং-টৈরা মিহিং তোংনা নিক' লৈহুম্না লৈয়ো নোংদমলেদো—নোংদম্মি ২॥

মথং অমামুক শাথোক্লরে মরু ২বু নিংশিংনা পাওশাশিকো—শাশে শাশে ॥

কংলৈ কম্বান মেনগী মথক্তা লুচিং পিবা পাথংবগা ঐগা তিন্দু লৈফম্বা মিংলেনবু 'ওম হুম চিক' কৌনা কমলগে পাওশাখিদো—হায়খি ২॥

নমু মিতবা ৬সিবু মমুম য়েলনা পিবা হাপ্তুনা মরমলেনগী লুচিংবা ওইনা মথংলেংনা থৌপুহল্লশি পাওশাইদো—হায়বি ২॥

চিংঙু পুম্বনগু ময়ূম লামুংদবা মশক্কা লুচিং পিবা ওইনা লৈহুনববু লাইরকচনগু কায়দনবা ঐথোয়নগু য়াজরে বাখু মখিদো—বাতেশখি ২॥

মঙাইরোই পুম্বা লাইমিংথোইনা নমু মিতবা ৬পূ পুশিলক্কুনা মরুদা কংলিদো—কংলি ২॥

মরুনা ইচাগী লুমলাংথেম্বগী থাজগী মচু মামা ঙানবা নং লাইয়েক্লা নাওয়োম্বা অসিবু 'ওম পৌপ্রুলেল' লৈহুম্না অতৌ পানবা কৌনা হো শেলোই লম্বা হানবনা কোনবা মথেবু কংলৈদা

কানবা অতুগা হৌ বাইরং লম্মাহানবনা কোনবা মথৈনা মথুম লৈবু থৌকনবা বায়েন থৌলি'নবা শিন্নতুনা পিখিদো—পিখি ২।।

মথং শজুম থেলদগী শাখাইনা মিতম্বা 'সং' লাইয়েকনা নাওয়োম্বা মচুনা সুমিংলৈগী মচুবু তমজরিবা অসিদি ওম আং তালবালেন লৈহন্না নমু লুবাংগী লুচিংবা হাপ্তুনা হৌ থাংবাই লম্মা হানবনা কোনবা মথৈবু কংলৈদা কানবা অতুগা হৌ লোনলোই লম্মা হানবনা কোনবা মথৈনা থৌদা থৌপুহল্লশি নোংদাম্মদো—নোংদম্মি ২।।

অতুগা ইচাগী লুংবাথেন্দগী শাখাইবা তুং লাইয়েকনা নাও- য়োম্বা মচুনা লৈচিন মুবাওনবা অসিদি ওম মিতম মুবাওনবা কোনা হৌলম্মা হানবা কেগে চিংশাংনা কোনবা লমু মথুম লম ওইনা থৌপুরগা হৌ লম্মা হানবা ভাংথোইনা কোনবা লম্মা কংলৈ খোঙ্গানবা থৌশিলহল্লশি নোংদম্মা থম্বিদো— থম্বি ২।।

৪শুবা ইচাগী আমংথেন্দগী শাখাইবা 'উং" লাইয়েকনা নাওয়োম্বা মচুনা অমুবা খেগী মচু ওইবা অসিদো ' ওম প্রাং তাওবুংলেন' কৌনা লৈরশম্মু নোংদম্মিদো—নোংদম্মি ২।।

অহুগা 'ঙা' লাইয়েকা নাওয়োম্বা মচুনা মুংচেং আঙাংবগী মচুবু ওইবা অসিনা 'ঙানবলেন' কৌনা থম্মশি হায়দো—হায় ১।

মথুম ২ অসি লৈফম অমতদগী থোকপনি শংজনবা ২মকি লমদি হৌলম্মা হানবা হৌপুরোইনা কোনবা লমু নবাঙানিনা বায়েন থৌপুরো হৌলম্মা হানবা লাংশোইনা কোনবা লমথৈবু কংলৈদা কানবা থৌশিল্লো শিন্নেদো—শিন্নে ২।।

কংলোইয়াদগী পুংথাকপা 'কোং' লাইয়েকা নাওয়োম্বা মচনা মরৈ শংথাংনবা অসিদি ওম কংদিংরোং থুনন শাখাইবা কৌনা হৌ লম্মা হানবা লানলোইনা কোনবা লমবু বায়েন

নোংদম্বা ওইনা থৌপুবা অহৃগা হৌ খাবৈ লম্না হানবনা কোনবা লমথৈখু কংলৈ থোঙানবা থৌশিল্লে নোংদাম্দো—নোংদম্মি ২॥

'অংকহং' লাইয়েক্রা নাওয়াম্বা কংবৈ পুংমাইয়োনবু পিবারেল লৈপুণা মৈতৈ৬৫ পান্থংবা নংনা হৌলম্মা হানবা চিংবুরোই তম্বুরোইবু বায়েন থৌদা নোংদম্বা ওইজরো. লুচিংবশিংনা পুরিবা লমদা পিবারেন্নী হায়তুনা নমথেক নমজানকরোই. মযুম লুচিংবনা থৌঙমন্দ্রতুনা রাকংনবদি কলৈ পিবানা থৌরম্বু খিনা বাতেতীনিদো নোংদম্মিদো—নোংদাম্মি ২॥

পিবা ৬না কংলৈ পিবাগী মশাই অশম ওইবিতুনা ফম্বাল থৌপুবা মতমদা পিবা ৬না ইশেং ইহৈনা ইরু মাইতাবিরগা মেন কম্বাম্বা ফম্বা থৌশিনগনিদো। চংলম অশি লৈচু ৭ না নাযুং চংলম্বু থৌপুনকরোই থৌকাই থৌপুরবদি নযুম. লৈবাকপু আরা লৈথম্বু তানকনগদবনি তাকপিদো—তাকপি ২॥

পিবারেলগী ওইথম ফম্বাল লাংবীশু মৈতৈ লৈমরেল সিমাই ফমলেল ৭কী ফম্বে লাংবী হাপ্তুনা চিং৬৫ ২বু লৈবাকি থৌরম পুম্বু শিন্নগনি নোংদম্মিদো—য়াঙরে।

ময়াম্বা লাইমিংথৌইনা লৈবাক্কি বাইফনবা শংলেন খুদিঙ্গী মথোং কাইবেল খুলিংদা ফবান্না নগাইকোম্মা শাইতাংনা লৈজবা পুম্বু বাইফনবা শিন্নাক নোংদম্মিও শিন্নেদো—শিন্নে ২॥

পাথংবা নংদি নয়াম্বগী মকবদা হংজরগা থৌপুজো থৌরম্বু নমথেক নমহাইনহনা থৌপুরাদি নগাগীদা নঙবা লৈবাকি তিনথোং লাইথাং পুম্বগী নাপু শিংগাম নাতুদো নোংদমথিদো—হায়খি ২॥

পারি ইগবু কোবৌ অসিদগী হৌনা নোংদম শংলেনবু থৌপুনা মযুম ৭পু লৈপক থংনা থম্মিরো শিন্নেদো—শিন্নে ২॥

লাইবুংথৌ লাইলৈমা মতাংপুবা—হায়শিও ২॥

মরু ২না লৈহৌগ্রদা পুরাবু মথংলেংনা নোইরক্‌লো লাইমিংথোইনা মযুম ৭পু থাখিবগী পরমবু থৌপুনরে পাওশা থৌপুশে—থৌপুশে ২॥

লাইমিংথোইনা শিন্দুনা চিংগু থঙ্গাং পনশাবনা য়োং খলোং মাইপাকপা ৭পু শাতুনা নোংদম শংলেম্বা থম্মেদো—থমে ২॥

লাইমিংথোইনা ফম্বান থোংদগী হৌনা মুংলোন লৈচু ৭কা য়োং খলোং ৭কবু মথংলেংনা মুংতুনা থাইদো—থাশে ২॥

লৈফম্‌ 'নোংদমথোং চংলম মুংকানথেন' কৌইদো—মানে ২॥

মঙ্গী লৈচু মুংদা ভাংবা পান্দা রাওথাংবা ১গা য়োং খলোং ১গবু লাইনিং (ঙা) মসিং কোরৌদা শাথোক ইহুনববু থাখিদো—থাশে ২॥

মুং ঙাংনা নাপু ইনবা অসিগা য়োং খলোং অসিমগবু লাইমিং 'সং' অসিং মরুনা পুবা মফমদা চারি মউ থাওমশে—থাশে ২॥

ভাংঙানবা ১গা য়োং খলোং ১গা 'অংকহং' হয়েং মরুনা পুবা মফমদা থাওমশে—থাশে ২॥

মুং অঙৌবা ১গা খলোং ১গা 'মং' হংশিং মরুনা পুবা মফমদা থারশি—থাশি ২॥

মুবাওনবা মুং ১গা খলোং ১গা 'হুং' মশেং মরু'না পুবা মফমদা থারশে থাশে ২॥

মুং অমুবা ১গা খলোং ১গা 'উং' মরোং মরুনা পুবা মফমদা থারশে—থাংশ ২॥

মুং মুরৈ শংথাংনবা=নোংথৌ মচু মানবা ১গা খলোং ১গনা 'কোং' মকাপ মরুনা পুবদা থাশে—থাশে ॥

শথাই ৭পু কৌশিন্দুনা হায়দো॰ "পিবা ৭মক মযুম পিবা হাপ্পদি হৌলম্ম'হানবগী লুচিং পিবানা নামুংদবা মশকপু খন্দুনা

হাপকনি। নমুংদবা লৈরবদি মযুম পুম্বনা থরহুবা পিরগী মা॥ মথৌবু কংলৈ পিবদা পিল্লগনি" নোংদম্মিদো—নোংদম্মি ২।।

"পিবারেলবু হাপ্পদা লাইরকচন চৎলমু বামুংদবা পাগী পুগী মশকপু কাইদবা থিরগা মযুম ৬ কী ইশেংনা ইরোম্ম। ইহৈনবিহুবা কথাম্নহনগনি" হায়থিদো—হায় ২।

বাতেম্নবু ম্রানরবনিনা লম্বা হানবদগী খলোংবু নঙ্গী নঙ্গী মচুবু লৌনহুনা মরুনা নোংদমখিবা মকমদা মুঙ্গা খলোংবু মুংহুনা। নঙ্গী ২ কাইরেলবু মাংনা থারশি নোংদম্মিদো—থাশে ২।।

অংকহৎ মঙাং তাংবরেল মৈতৈলু পাখংবা কোঞ্জন তুথোবপগী কাইরেলবু লম্বা হানবা কংলৈ পুংমাইয়োম্বা থারশে—থাশে ২॥

ওম আং তালবালেল পিবানা সং আশৎ মরুনা পুববু নুং বাওথাংনবা ১গা খলোংশিগা হোথাংবাইনা কোনবদা থরো—পিখি পিখি ।।

কোং মকাপ মরুনা পুবগী কাইরেলবু হোলাংলোই লম্বা হানবদা মুং শংথাংনবা ১গা খলোংশিগা কংদিরোংদা থুমল শাংপগী থুবমবু শংনবা থারশে—থাশে ২।।

নং হংশিং মরুনা পুবগী কাইরেম্না হো শেলোইনা কোনবদা মুংতো ১গা খলোং ১গা থাহম্বুনা ওম পোপ্রুলেল অতোপাম্বু শংহম্না থুবম থাশে—থাশে ২।।

লুং মশেং মরুনা পুবগী থুবম্বু কেগে লম্বা হানবদা মুং মুনা বাওবা ১গা খলোং ১গা থাবিহুনা নমু মিতম্বা মুংবাওববু শংজনবা থারশে—থাশে ২।।

উং মরোং মরুনা পুবগী থুবম্বু অমুবা মুং ১গা খলোং ১গা হোথুরোইনা কোনবদা নমু শ্রং তাওবুংলেম্না মযুম থাববু শংনা থারশে—থাশে ২।।

ঙা মশিং মরুনা পুবগী কাইবরুবু খুবমদি ৎিম্নবা মুংনা ঙাংবা পান্দা ম্না'থাংনবা .গা খলোং ১গা থাবিদুনা নমু ঙাংবেলবু শা'হনখিববু নিংশিংনা—নোইশে ২।।

মঙাইরোই পুম্বা মরু ২মু পরম অমা হোংনা নোইরক্লে পাওশা'গ তাওকো—তাজগে হাযবিও ।।

নমু ৭পু শাকোংদুনা মথৌ মশিনবু শিন্থাবে তুঙী লাকপনা থৌপুহৌবা য়ারনি থৌবম অশিবু হযম লাইশাম্নঙৌগী চিংঙ লাই হরাওবা কৌনা মপুগী মিৎয়েং ওইনা থমজববু অযুক্লি থোংনাং থাবদা খংদ্রিবা থৌবম অমবু পাওশাবিবেদো—পাওশাবিও ।।

মরু ২না চিংঙ শিঙ্গা লোইনদুনা ঠৈবু য়েংহনবিনি থৌপুবা ইপোক অমদি বাংজি অসিবু লুতুংদা কননা থৌশিনবিগদগে চিংঙ ইপোক শা'থোকপা চিংঙ মিক্ম নমু তাইবংনা লৈঙাকপদি উজাবে ।। পাচ যুমলি বিদুনা খোইযুম তাইবঙ্গী ইপাকপু খোইচং লৈতনা যেজগ থোইমং যাম্না হবাওবিবমথৌ তাকপিবকপবু তমজনা মরু ২না লুচিংনা বেনা মৌনা নোইদুনা চিংঙ মহাবদা বাহংখিববু তমজনা খৌখল্লিদো—থৌখল্লি ২।।

মঙাইবোই পুম্বা মরু ২বু খোইযুম তাইবঙ্গী ইপোকপু নিংশিংনা লোইযিন পাচুনঙন্না চোংখোং লিক্ননা শান্নবে—শান্নবে ২।।

চোংখোং লিংপবু লোইরদুনা মহুম্নংদা চংদুনা নোংদম্বগী থৌখন ফমখ্রেদো—ফমখ্রে ২।

মঙাইরেই পুম্বা মরু (৩)গী থৌখন ওইনা খাবা তাওবোই—লাই তরং লৈস্না লৈতোনশিনা মরুগী কাইবেলবু কোইদুনা পুরুমখিববু তমজনা লৈকোই পবেং অমতা ওইনা লাইবুংথৌ লইলৈমা থংনা থংননা লৈবোংশাশি তৎপা য়াদে ন'মুংইকো —খংজ'র ২।।

লৈরেং শাবা লোইরবনিনা মাগী ২ লৈকনু কায়দনা হুনরশে—হুনজিল্লে ২'।

অহুদি চিরা ৪ য়াবা ভৌনা পাচু য়ুম্বান লৈরাংলশিদো—লাংশে ২।।

পাচু য়ুম্বান লোইরবনিনা থৌথন পোৎলোইবু থমজিল্লশে—থমজ্জরে ২।।

হৌজিক্তি অযোল লংজথিববু কোকপিনবা অসিগী হরাওববু লোইরনবা রাকে'কলোনবু রাকৎলশে—কৎলশে ২।।

রাকোকলোন হুয়ম হোয়রাহে ।।×।।×

১১ নি চনবা হংশিং মরুনা পুবা নুমিৎ থাজা ১৩নি পানবগী হরাওবা

ইমাগী থৌথন :— নোংচুপ্তা লৈবী কুহি মচুগী কুমস্নিন পোৎলোই. কোনথাং শাককপা. ফিয়াই নমথাং থৌওনবী ওম হ্রীং শ্রীং ঐং লাইযেক্রনা নাওয়োম্বী কোংটিংলৈমনা মঙাইরোই পাওচৎনবী ইরোংলৈমগা পীথ্রাইবীগা ২গা লোইনহনা ইমাগী ফিশেৎ লৈতেংলে. লাইলৈমা ২না বোরৌগুগী হরাও থৌথনগদবগী মরমু রাকৎহল্লে ।।

অতিয়াগী থৌথন ঃ— উহি মচুগী ফৈচোল. কোনথাং ফুরিৎ শাককপা নমশা শলাইয়েৎপা ফিয়াই নমথাং থাংয়েপ্পবা লাইবুংথো উকোংজেম্মা মাগী লারোই ১৪গা লোইননা কারক্কুনা ফিশেৎ লৈতেং থৌখল্লে ।। শনিক লাইনৌ তাবী. হৈয়োংলৈমা. খোইরিফাবা. থোংনাং থাবা চিংথৈ মরুগনা অয়ুক্তি নোংদম্বগী হৈরাং লৈরাংবা লোইহনা নুংখিসগী লাইবৌ থৌরম্ব অতিয়ানা চিংগু পুরদা তাহন্দুনা হুনরে ।।

১। শনিক লাইনৌতাবীনা শঙগী মমাংদা অনোইলোন কৎলে. তুন্দা লাইলৈমশিংনা তুংইল্লে ।। থৌথন পোৎলোই

শমপোং পুনবা উহি মচ্‌গী কুময়িন পোংলোই শেংপী, ফিয়াই নমথাং খৌওনবী, লুরেল লৈচাও থেংপী লাইলৈমা ৮; কিওৌ কৈচোল শেংপা কোনখাং শাইচোনবা লিংপা, শলাই কোকয়েংপা নমথাং খ্যাংয়েংপা লাই পাখং ১২ কারক্লে ।। লাইরেম্বী কুময়িন পুমখিং ফনেক থায়েপ্পী ফিয়াই নমথাং কোকখুম লৈংহুমবী নিংখুম খ্যাংলি ফাবী ২৩ কারক্লে ।। য়াওগদবা লাইবুংথৌ ১৪৩ কারক্‌না ওাইরে ।।

খোইরিফাবনা ষম্বাংদগী হৌন' লাওনা কারক্লো পাওচেলে ।।

মাগী মাগী লাইরকচন য়েংঙনা থোংনাং থাবনা খুয়া থাগী লৈমনবু কাইহুনা চিংঙ্‌ দা লাংলে ।। অতিয়াগী লৈয়োমনা লাইবুংথৌ ৯দা লাংলে ।। ইমাগী লৈয়োম্না লাইরেম্বী ৭তা লাংলে লুখাংগী লৈবু কাইহুনা লাইরকচনবু নামুংদনবা চিংঙ্‌ পুম্বদা লৈরাংবা লোইরে ।।

ল ইবৌ থৌথন

কুময়িন পোংলোই শেংপী ৮গী তুংদা থাং ফানবা ২, লাইলৈমা ৮গী মাংদা টা পায়বা ২ লিরুং পায়বা ২, শাইরোং পায়বা ২, মা দা ন' খোংবা,, খোইরৌ লিখংপা পুং শেন য়েবনা থবে। লাই'চনগী হৌন। অরাং শমথনা চোং থানবা ২, উলুক পারবী কুময়িন পুমথিং থায়েপ্পী ২, হুমাই পায়বা ২, মথংদা লাইবুংথৌ ৭ লাইরেম্বী ৭ য়েং ওই কায়দনা লারোই শিংলোই শমথবে ।।

হৈরোং লৈমনা লাইবুংবু লৈরাংলগা লাইনৌ তাবীনা অনোইলোম্না মরু ২বু কৌথোক্‌না চোং খল্লিবদা পুরক্‌না থম্মে ।। লাইমিংথোই, পা-খংবও থোরক্‌না ষম্বোংগী থাং কাল্লিবগী তুংদা লেপ্পরে ।। লাইনৌ তাবীনা শনিক নিক অশৈবনু পেনা খোংহুনা মরু ২গা ষম্বোঙ্গা হুয়িনরে ।।

শনিকা পেনাগনা খাম্বী মাংথাবা লইবুংবু ২ রক কোইরগা ওসক শুরকপা লাইচি য়োরকপদা খাম্নগা অশৈবনা লাইবু ময়ায়দা চংতুনা 'হোইরৌ' লাওরগা খোংথাংনরকপদা হৈরোং লৈবগা লাইনৌতাবীগা ২না লুচিংনা লাইবুংবু কোয়রে ॥

মরুগী মতাইরোই পুম্বা — হায়বিও ২॥

মরু ২ না লুচিংনা লাইবুংবো লাইরেম্বী ১৪গা লোয়নবা লাইবুংদা চংভিবা অসিদো তেংবানবা অসিবু করি কয়রা চাদা বাওদাগদগে হায়গগিনি দা৹ অশৈবনসু শৈশক্রে ঐখোয়সু তমজনা পাওশাশিকো— বাহৌবিও পাওশাশি ॥

হয়ম লাইশোল্লিভৈদা মরু ২ না লুচিংনা চিংভ৲ লাই হরাওবা কৌনা শাম্নবু নোংদম্বনা খোইযুম তাইবং ইপোকপু শাথোক্ল-ভমখো তাকপিখিবমু বাথমরগা থৌগুনখিবা অতুনিদো— হায়বিও ২।

মরুনা "লাইমিংথোই নোংদম্বনা নোংদম্বা থৌরমু কাওদনা কোরৌ খুদিঙ্গী পাচুনবা হায়না লৈরাংশিদো অতুবু কমদৌনা খোইযুম তাইবং ইপোক হায়ববু কমদৌনা সাম্নগদবনো চংলী হংবিনবা কনা লৈতে" কমদৌশিগে হংশিদো— হংখি ২॥

মরুগী বাবু তাবদা লাইমিংথোইনা নচা চংচক্লগে হায়দুনা নোংপোন পথেং ৯বু য়োনা চংলিদো— চংখি ২॥

লাইমিংথোইনা থকংৎলকপবু হয়ম উংলো য়াবিরেম্না উরতুনা মহাকী মহাক ওইবা অমবু শাথাইতুনা মহাকী লৈচু ৭ তা শাদোংহল্লগা মালংবগা তিলু থানা অমম্বনা য়োমদুনা থম্মীদো— থম্মি থম্মি ॥

লাইমিংথোইনা হংলবদা খুমখিদো৹ "লাইমিংথোই থৌরম অসি লাইমিংথোইগী নামুং চংলম ওইরনি মুংবা মহারাবদা হংজরগা থৌগুনবা ওইবিরগা ইয়েকৌ লৈচু ৭ তা শাকোং মালংবদা তিলুনা অমম্বনা য়োমতুনা থমজরে চিংভ৲ লিকলাকু

লাইমিংথোইনা তাকপীরনা থোঙ্গা লম্বু য়াইবি কোপ্পা হনবিরকউ য়াম্নরহনা অমম্বনা য়োম্পিবা লৈচু ৭তা কাইদোংবা য়াইবিবু শিন্নরেদো —সিন্নবিও ২।।

লাইমিংথোইনা য়াইবি কোপ্পগী থেঙ্গৎ চৌঙদা থকথাররেদো —কুমহনবিও ২।।

কোরৌ অশিবগা মহাকী মহাক ওইবগা উনহনা থোরম পুম্বা তাম্নহনা য়াইবিবু থনস্লেদো —থৱিও ২।।

লাইমিংথোইনা কংলৈদা থুংলগা পাওদম্বদগী চিংঙ্ পুম্বনা শিন্দুনা মাগী ২ লৌরি হংখোল য়াৎহনা য়ুমলংনারবা আসানিদো —মালি ২।।

মঙাইরোই পুম্বা মরু ২ বা থোরম অমা নিংশিংলক্লে পাওলাগেকো —হায়াবও ২।।

লাইমিংথোইনা শিন্নরম্বা য়াইবিবু কোরৌনা মচা মনাও ওম্না। কোরৌ (৩) বু লৈমিন্নহনা 'উম কক ওক কুক ঙং' কোৌবিবু 'কোম্ন য়াহাবরেল' কৌনা চিংথৈ নোংপোকা লাই (৩) গী মশকম থন্দুনা লাইবিংবু 'থৌবা থোংঙারেল' লেহন্না মেক্লবনা 'লোকয়াহ লাইঙ্গি থোংবা' কোরে মেক্লবা ১না 'শালৈ তক্লনপ কৌনা লৈমিন্নববু মরুনা উরহনা লাইমিংথোইদা বাহোম্পিদো — বাহোম্নীও তাজগে ।।

লাইমিংথোই থোরমদি নপা ঐনা শিন্দুনা স্না থোংনাং লৈমগা নপানৌ পা-থংবগা, লাইবুংথৌ লাইরেম্বী অমমমগা পাচু য়ুমদিন্নরেদি হাম্নববু কমদোনা পাচু মউ থাগনি হাংবিদো —হংথি ২।।

লংজা অয়োলবু ঙাকপীযু থোরম অসিবু 'গুহোংবা' কৌরশি হায়দো —হায় ২।।

লু-হোঙ্গদোরিবী চনু অদুগী মুমিৎ অদুগী লাইমিংবু 'লুতিন লৈরাংবী' হৈহুনজরগে কৎলিদো—কৎলি ২।।

যুমলেপকদবা লাই পাখং অদুগী লাইমিংনা কোরৌ অদুগী 'লৈয়াবা' কৌনা পাবু পুবু রাকৎ থৌনিনা থৌপুনশি কৎলিদো—কৎলি ২।।

থৌরম্ব, থৌপুবদা পোকলেন শাংপগী হৈরাং লৈরাং লৈয়োম্না লৈকৎনবিও, অরাং নোংপোক চিংখৈদা কাম্বী ইরাওনা পী-পা ২ব রাশক রাতেম্নহনবিনি পীনা কুমম্বিন পূনখিৎ কিনেক শেংকনি, ফিয়াই নমথাং থৌওম্না ষম্থোং মাইথম্না কাম্বীদা বাতেম লৈহুনবিও নোংদম্মিদো—নোংদম্মি ২।।

লৈয়াবনা ফিওৌ ফিরোম শেণ্ডুনা নোংপোক চিংখৈ মাইথম্না ফম্বান রাতেম্নশি হায়খিদো—হায়খি ২।।

রাতেম্নবা লোইরবদা চনুগী শুমাং নোংচুপ থংবদা তিলু কাইরেল থানা লৈয়াবনা য়েংথম্না ফমলগা লুতিন লৈরাংবীনা ময়ুম লৈগী কুমমিন পোংলোই শেং নমথাং খোওম্না লুরেল লৈচাও চিন্না মরুগী কাইরেল৬ পু নিংশিংনা ৬ লক লৈকোই লৈরাংনরগা লৈকোই ৭ লক শুবদা মিউযেনবু নিংশিংনা য়েংথম্না কোহরগা ষম্থোং ওমা লেপ্লগা মরুনা লাথুপখিবা কুন্দো অঙৌবগী পরেং ২বু হুক্তুনা ওইথম্না ফম্বানম্বিরগা পরেং ১বু খাইহুনা লৈয়াবানা লৈরাংবীদা হুকপীরগা ২গী ফিচিবু কিশি হাইনরগা পাওশানা থেম্বগা ময়ুমদা চংহুনা শঙ্গাইথেম্দা ফম্বালগা অথুম অহাও চামিমহুনা লু-হোং-লুতিনগী লাইরকচনবু লোইগনি রাকৎখিদো—কৎখি ২।।

লাইখিংথোইগী থৌরম্ব, থৌপুনা অভিরানা নোংপোক অঙাই চনুবু পা-থংবদা লৈরাংহনবিহুনা মঙাং লুদা লৈহন্না লুতিম্নৈদো—তিল্লি ২।।

থৌরম অশিবু নিংশিংনা কাওদনবা মরুনা চিংঙ পুম্ববু তাকপিগ্রেদো—থংজরনি ২॥

মন্তাইগ্রোই পুম্বা হৌজিক্তী থৌরমু মথংলেংনা পাওশারগেকো—হায়রিও ২॥

খোইনুম্র তাইবং শাথোক্তবা কৌমু য়াইবিবু মিহিংলেল মিপোকপা কৌবা কৌক্রু অশিবনা হন্নি লৈমিম্বরগা থকথক্তনা থম্বাই পিচা 'শাকোং শারৈ' কৌবদা শিন্নহুনা থম্মেদো—কক্লীও ২॥

শকোং শারৈনা ইরিক কোজোনগী মশক্না নৌহৌনা "হোরিক থুম্লী লৈরোখী" কৌনা শজিক ঐমিং চোংহন্না কোরৌ ৭নি লৈমিম্বরগা ওম হ্রীং ক্লীং হুং লাইয়েক্না নাওকোম্রবু থারোই থাপাগী মফমদা অমুক থকথৈদো—থকথবিও ২॥

থারোক্ত থাপানা য়াইবিবু 'স্না লৈহিং চিক তুকুপলেং মিরেল য়াইবি লেংদবা' লৈহুম্না খোইচংনা কোরৌ ৭ নি লৈমিম্বরগা ওম হ্রীং শ্রীং লাইয়েক্না নাওয়োম্বক্ত ১মিংকী মফমদা শিন্নৈদো—সিন্নবিও ২॥

ওম হ্রীং হ্রীং সুমিংনা য়াইবিবু ওম রিক হোকুপ হংচো কৌনা ৭ নি লৈমিম্বরগা থাদা সিন্নৈদো—সিন্নবিও ২॥

ঔ ঐং ক্লীং থাজনা য়াইবিবু থবি শিদবা কৌনা মেক্তবনা "মিংস্বাসো তিলথাকসং" লৈহুম্না সুমিং ৭ নি লৈমিম্বরগা 'তরং ওমথিদা' শিন্নৈদো—সিন্নবিও ২॥

ওম লৈপুলে ভাস্বালেল তরং ওমথিনা য়াইবিবু 'হোয়ুং য়াইবিলেল' কৌনা ৭ নি লৈমিম্বরগা মৈগী মফমদা শিন্নৈদো সিন্নবিও ২॥

মৈ শান্নবি ভানহুহীং কৌবনা য়াইবিবু 'হোয়ুং হো' লৈহুম্না ৭ নি লৈমিম্বরগা মালংবদা শিন্নৈদো—শিন্নবিও ২॥

অমঙনা মোম্বা ই ছং সং তরেং লিয়োম্বা মালংবনা য়াইবিব, "মি মি হা" লৈহন্না পন্থৌ ওইগদবগী মকমদা থকচিন্না লৈখিবর, ওন্নবা চুপনপনা থকশিন লেপশিন" লাইমিংব, হাম্বিহনা ৭ নি লৈমিমরগা পা ওইগদবা পুম্নমক্তী লুবাই হামুল কিকমদা লেপ্পা লৈরহনা "থকশিন লেপশিন, কম্না লৈরহনা থকশিন কমসিন" কৌনা থাদরক্‌না লৈরেদো—কমদৌনা মহুৎ পানা খংজগদবা ।।

মতাইরোই পুন্না খোৗরম খংনবা থজিক পাওশাগে—শাবিও ২।।

পা-পী ওইবা পুন্না ঐখোয়শে শাথোকপা নুমিত্তী কুমজা ১৫ শুবগী মতুংদগী মপুগী লৈহন খোৗখন য়াদবা চংলম অমা তাক্‌খদো পানা খাজা ১ম্না মতুংদা নিনি অহুপা পীনা মতানি ইশকপু নুমিং থাব, য়েংকদে চংনরিবা লৈরাং অসিনা লৈশাং তমলক্‌বদি লৈরাং অহুনা তাশিন্দুনা য়াইবিগী কাইদোংকম মহুৎ শারক্কে খংনবা পানা পীগী ফিশোং অচংবা ম্নেংনা থোৗপুনখিবহনিদো খংজরে অহুব, লৈরাং অসিব, কনানা শাংহ-ল্লবা মচুনা কমদৌবা ঐগী ঐগী খংনবা তাকপীও ।।

মতাইরোই পুন্না ফুংনত্তু খংহৌনবা পাওশাগে তাওকো—তাক্‌গে

তেংবানবগী মপু উংলো য়াইবিরেস নিদবনা ইতম অহুম, পোংলেম্ন, তুথবা মতাং মরু হুং নিতেংলেস লুরাং মরু, ওম লুমলেন তুথবা খুমন মরু কৌনা অতিয়াগা লৈশিরেলগা ২ দা শিম্নহনা নুমিৎ থাব, পুথোকহুনা ইতম অহুম, থোৗপুনা তাকপীরিদো—হোয় ২।।

নুমিৎ থানা তিপুনা ইতম অহুম, থোক্না থাজা কোরৌ খুদিঙ্গা শিংথেক্না তাক্লিদো—তাকপীও ২।।

থাজা নোংমা পানবদগী তরানি পানবগী মস্থংদা পিবদি মঙাং মরুনা পিবনি মচুনা নাপু ঙাংঙ্নবনি লাইমিংনা 'সংকাম্ভ' কৌইদো—থংজরে ২।।

থাজা ১১ নিদগী ২০ ফাওবগী মস্থংদা শাংপদি লুরাং মরুনা পীবনি লৈচুনা নাপু অবাওবা লৈচুনি লাইমিংনা 'সংহেম্ভ' কৌইদো—থংজরে ২।।

থাজা ২১ নিদগী ৩০ ফাওবগী মস্থংদা শাংপদি খুমন মরুনা পীবনি লৈচুনা মুবৈ শংথাংনা রাঙবা লৈচুনি লাইমিংনা 'সংজাম্ভ' কৌইদো—লৈচুদি থংজরে পাম্থৈনা ফংগদবা কোলুপ ইতম্ভ তাকপীও ।।

মঙাইরোই পুম্বা মরুনা তাকপীখিদো নং ঐনা শাথোকপা থাজাদগী থাজা (৪) শুনবা থিবদা ফংবা থা অতুগী সুমিং থাবান্দগী কোরৌ (৩) বু শুনবা হঙ্গৎনা থিগৎপদা ফংবা সুমিৎ থাবান অহদা ওইররিবা ওইরকদবা সুমিৎ অতুদগী কোরৌ ২বু লৈথি লৈয়েংনা লৈগনি তাকপিখিদো— থংজরনি. ইরু পিবগী য়াইকববু তাকপীযু ২ ।

অংকুন্নি শাকুন্নি=ঈমাং ঈশেং পাঙশা

মঙাইরোই পুম্বা থৌরম অসি চিংঙ্নদি অয়াইবা খোইয়ুম তাইবংনদি ঙাইবদা রানবা থৌরম্নি কাওদনবা নিংশিংশিকো— তাকপীও ২।।

মরুগী নোংদদগী ঈমানা কোরৌ মঙানি লৈশাংপগী অহানবদি পলেমগী মশক্নি নামুংঙি—

নিনি চনবদি ঈচাগী মশক্নি—

লুম্নি চনবদি ঈতৈমগী মশক্নি—

মরিনি চনবদি ঈন্দোনগী মশক্নি—

মঙানি চনবদি ঈচনগী মশক্নি—

হুক্তি চনবদি ঈচাগী মশক্তি নামুংডি—
তরেৎনি চনবদি ঈমৌগী মশক্তি নামুংঙি—
নিপাল্নি চনবদি ঈনাওনু পীগী মশক্তি নামুংঙি—
মাপল্নি চনবদি ঈমা অহনগী (ঈচেগী) মশক্তি—
১০ নি চনবদি তালোইনি—
১১ নি চনবদি ঈমা ঈশেংনি—
১২ নি চনবদি পীপা ২মক্তি মরূপ্পী—
১৩ নি চনবদি ঈপা ঈশেংনি—
১৪ নি চনবদি ঈমা ঈশেংনি—
১৫ নি চনবদি ঈপাগী ঈশেংনি
১৬ নি চনবদি ঈপা ঈমা ২মকী অকবা হুমিংনি ।।

য়াইবিগী মশক লৈকনু অফ-ফত্তা হায়গেকো—হায়বিও ২।।

৫ নি চনবদি য়াইবিনা পাওম ২গী মরক্তা লৈ পীগী মশক্তি মফক্তে অচুবু থোঋংদবী পা—পীবু মশান শায়বা হুনবনিদো—হোয় হোয় ।।

৬ নি চনবদি য়াইবিনা মিৎ য়েৎথংবদা ফম্নি. নিপানি পুন্সিদে—

৭ নি চনবদি মিৎ ওইদা ফম্নি মুপীনি শাগী ভাগী লমচৎ চৎপীনি—

৮ নি চনবদি য়াইবিনা ডৌপাক্তা ফম্নি. নিপানি ঈপা ঈমা মশক খংদবা নামুং থোরম থোপুবা মশক্তি—

৯ নি চনবদি য়াইবিনা মাইথোংদা ফম্নি. মুপীনি চৎলম সুতিন থোখংবী য়েৎ ওই খংবীনিদো—

১০ নি চনবদি য়াইবিনা খোংদা ফম্নি. নিপানি মথৌনা লৈবা পুকচেল চাওবা মপোক্নীদো—

১১ নি চনবদি য়াইবিনা থবাক্তা ফম্নি. মুপীনী মথৌনা লৈবী শিঙ্গোং খংবী মশক্তি—

১২নি চনবদি— য়াইবিনা শঙ্কুমংন্দা লৈ য়েত্তা লৈরগা নিপা। ওইদা লৈরগা মুপীনি অংথাই চঙথোনবা মপোক্কী —

১৩ নি চনবদি— য়াইবিনা য়েখংবা মিত্তা কন্নি, নিপানি লুমলাং হেনবা মাঙ্গী ভুগী মশক থঙবা মপোক্কি ।।

১৪ নি চনবদি— য়াইবিনা ওইগী মিত্তা কগা মুমিংনি। মুপীনি। রায়েল করা বাকাওবী লুচিং শাকবী মপোক্কি ।।

১৫ নি চনবদি — য়াইবিনা হকচাং পুম্বদা লৈ য়েত্তা লৈরে নিপানি। ওইদা লৈরে মুপীনি। লৈনংকোম্দা য়ুমদিনবা লুচিং থৌরম থৌপুবা মশক্কি ।।

১৬ নি চনবদি — য়াইবিনা মিউকমদা নাওয়ানা থোংদা কন্নি। নিপানি। মাংহনগে নিংবদা মশা মশাদা মাংজবা চিংঙ, লাই খোইয়ুম তাইশংনসু মাংহনবা উমঙ্গবা রায়েন থৌপুগনবা মশক্কি — মানি ২ মরুনা হায়বিখি ।।'

মঙাইরোই পুম্বা অক্তরি শাকুরিবু তাকপীবা লোইবহুনা য়াইবিনা হক্কি লৈকম থুদীংদা চঙহুনা মিংহুন তশীথিববু নিংশিংনা পাওশাগোকো — তাকপীও ২।।

পন্থৌ ওইবগী হক্তা শাদোংনা শাথৌরিবা তেংবানবী মপুবু য়াইবিনা উবহুনা লুবাইদা লৈবা মুমিং ৫ নি শুরকপদা পীগুম ২গী মরক্তা থক্থারক্তুনা রাহং পাওশাইদো — পাওশাহুনবিও ।।

তেংবানবগী মপু য়াইবিরেল শিদবনা চথোক চংশিন শামবা মফম 'শানাচিন' নাতোনবু মিকু কোবা উচেক্কী মকোক মচিনবু ওইনা থম্বুনা "কুরংনা লৈপু লৈকমদা শামরিবা নংবু কনানো মিনাক্তা লাও পাওশানশি" হায়দো—হায়বিও ২।।

তাইবং কুম্মৈ শামগদবা "হে য়াইবি" ঐদি অহুদা লংকপা রাজি থোংছাংত্রী নংনা উননীংলগা ঐগী থোংলব য়েংনা থকথংরকউ নঙ্গুং নতম্বু তাইবা উমঙ্গগা নংনা কাইরেলনবা য়াংলিবা

শকমদা চ'তুনা লৈগে হায়রগু লৈগুম্ম ইতমু য়েংনা নংবু কৌরক নি'' খম্নগা শানাতুনা লৈদো—লৈহনবিও ২॥

পন্থৌগী হকচ'দা লৈববু থাজ। শুরবদা নোংদম্বিদো, ''হে য়াইবি তাইবং কুমৈ শান্নগদবা নংনা লৈরুনবা উরেপ উয়'বু তাকপীরগে হে থকশিন য়াইবিলেল' নংবু কদৌরিবগে'' পাওপানা হামুল থাফবদা য়েংনা কৌবিদো—কৌবিও ২॥

থক্তা কাইরেল্লিবা মকনা তারহুনা ''য়াইবি থকশিন'' নংবু শাথোবা মকনা কৌরক্লে নং ঐ লৈমিন্নবা ইতম নক্লে থকথক্লো হায়তুনা লিকলম তাক্লা থকথরক্লে—থকথাবিও ॥

য়াইবিরেলনা কংলৈ থেনবুংদা ফম্নগা 'রিরিরি' হায়না কৌতুনা 'রো বো রো' পাওশানা লাইমিংবু ''হোবি হোবা য়াইবিলেল' মিংতুন্না লৈমিন্নরেদো—লৈমিন্নহনবীও ॥

হে য়াইবী নপা পন্থৌনা ইক ইহুন্নবা ভাইববু অসী কোরৌ ১৬ নি শুবা থোক্নরে পন্থৌগী 'মিউবা লাইমিংথোই লয়োলাং' কৌবদা লৈরো তাকপীহুনা লৈবেদো—লৈবে ২॥

মভাইরোই পুম্বা ইমাগী মিউবীবু লাইরেম্বী তনৌ নুংত্রেম্বী কৌবদা নাওপীহুনা য়াইবিনা লৈরবদা হামুলদা কাইরেলবা নোংদম্নবু 'নিংনিংনিং' য়াকাইহুনা মতমু 'রেবেরে' হায়না থৈমথোক্ত্না য়াইবীবু ইমাগী পুক্লোই মীউম্নুংদা কোরী তেক্কোং শাবদা থাথাবব ইমানা লুপাগী তেক্কোং শাবদা থম্নবা 'রিরিরি' হায়না চংশীন্দুনা থমলেদো—থমহনবীও ॥

লাইমিংবু নীঙ্গোতলীং কৌনা ঈরীক কোঙ্গোলবু 'লাংবুং মনীকম্না' মিংতন্না থম্মীদো—থম্মীও ২॥

মভাইরোই পুম্বা থৌরম্বু ইমা লৈশীরেম্না উরতুনা ''নুংবু ভুমদা মাংদবী ঈমু নমথাভনবীবু কদৌর্রীবগে য়াইবী হামোইবগা য়াইবীরেলগা ২ দী পলেমগী শীনুংদা খুংলরে য়াইবীরেলগী কাইরেল নোংদমলো'' হায়দো—হায়রীও ॥

পাওশাবু তাবদা পলেন ওইগদবীগী য়েৎথবা খোমগী মখা খোমশাবীদা ঈগী তুংনক্ন থমমগা কংলৈ থেলপুঙ্গী মখাদা লৈবা মিহিং ২গী য়েং ওইদা লৈহনা লাইমিংবু 'ওমচিরিও ওম কাতু কাঞ্জরি অবিরা থক নশ কৌনা য়াইবিরেলবু 'রো' হায়না খামগা 'রে' হায়না কোঞ্জিন্দুনা 'নাকথঙ্গী' মথুং চন্না ঈগী মশকপু য়াওনবা থবাক মখা খোমশাবিদগী কাপথোকহন্দুনা ঈশি ঈযেন্না শাথোক্লরেদো—শাথোকলৈ ২।।

পলেমগী হক্লদা লৈবাচিংগু ৭গী মশক্লা শাথোক্লহনা হকী মশকপু শেমগৎ শাগৎনবা হোৎনৈদো—শেমগৎপা মশক চিংগুবু থংনবা পাওশাবিও ।।

মালংবদা কাইদোংবা লেংদা মাংদবা 'কুং নোংলুম' কৌবনা 'গুমরু—মরি লিশাবা—শিংলি লৈরোম্বা কৌনবু শাথোক্লনা শাগৎপী ইমানা য়াইবি নিঙ্গোতপীং কৌববু থম্বিবা হোবে—হৌবিও হৌবিও ।।

মরি লিশাবগী য়েৎলদা শিংলি 'চংনিং হেনবা' ওইদা তপোপ তয়াংশাবা থারেদো—থাবিও ২।

হকপুবা মরুওইবা শিংলি ১০ গুনবা শাথোক্লে—১. মিতুরেং মিহিংমু. ২. মিৎচরেং মিহিংমু ৩. খোহবিতিং. ৪. তপোপ তয়াংশাবা ৫. চংনিংহেনবা. ৬. চিংথৈলাবা সংহো ৭. শোহিং শমদান য়াংবা ৮. থুংচিরি ৯. তিংলিশং ১০. চেংখেকু. কৌবা শিংলি ১০বু লৈশা লৈথম্বা হোরেদো—হোবিও ।।

থশা লোইরবদা মরি লিশাবগী মথাদা তাওরোইলাই 'তরং লৈসা লৈতোনশি' কৌবনা চংলক্লনা লাইমিংবু ওম িলল তরেং তিল তরিং' কৌনা কোনজিন্না লৈরেদো—লৈবিও ২।।

তাওরোইলাইশিনা ঈগী মশক্লগী 'তিও' হায়বা মশক অমা পুথোক্লনা শিংলিবু নাওয়োম্না থমলেদো—থম্বিও ২।।

শাঙ্জিংনা 'ওম তিলকাপ হোথাহো' কৌনা ঈদগী লুগী মশকপু শেমগত্না হকী মশক মরোংবু মিতন্না থমলেদো—থম্মীও ২।

নোংপোক অপাম্বনা 'এরং' কৌনা লুগী মথক্তা 'তোংগী' মশকপু ঈদগী শাথোক্লনা লুগী মথক্তা হাপচিন্নেদো—হাপ্পিরে ২॥

কৌব্রু আশিবনা 'ওমচিবিৎ জি ভি' কৌনা ঈদগী 'শিংলি নাওরিগী' মশকপু হাপ্পিরেদো—হাপ্পিবে ২।।

থাংজিংনা 'ওম য়োকথাংবাই কোংটিং' কৌনা ঈদগী 'কুরাম্বু' শাথোকপিহনা হাপ্পিরেদো—হাপ্পিবে ২।।

কোঞ্জন তুংথোকপা—পা-খংবনা ওম শেল তরেং তন্নংবা' কৌনা কুং—উনবু ঈদগী শাথোক্লনা নাওয়োম থানা কুপ্পীরেদো—কুপহনাবও ।।

অতিয়া মরুনা উংঙ্ওম তুকুপ লেং পাওতাকপিগদবা কৌনা 'তুনিংথৌ শম্নাং খুজিনবু' শাথোক্লবা লৈরেদো— লৈবিও ২।।

য়াইবিরু থাজা শেল ১ ওরহনা মমিংবু 'শনারেল শনা তুকুপলেং শনা লৈহিংচিক তুকুপলেল' কৌবিহনা ঈদগী 'লাংপুং মনিকন্না' খোইযুম তাইবং ওইগদবরু য়োম্বিহনা চিংঙ্ পুহনা করি বাৎলিবগে থন্নেদো—বাথনবিও ২।।

হক লাইয়েক ৩৫, য়াইবি ১২, অপকবা ৯, তিলু ৭, চৈগা চৈরূপ ১৪ বু খুবোন থানা কোইনা হাপলপি বাতেম্নহনা থৌপুরকইদো— থৌপুবিও ২।।

চিংঙ্ মঙাইরোই পুথা তাইবং ওইগদবগী হরুংদা লৈবা চিংঙ্শিংনা তান্নহনা ইপাল্লাংদা থমথিববু নোংশীংনা পাওশাগেকো—তাকপীও ।।

লাইয়েক ৭৭ শীনা কাইরেলকম অমা লৈনা ২ পাল্লা মহুনা চুমথাং অশঙবা মাম্বা কংলোইয়া কৌনা শাজীতুগা কোইনা শনাভান কালেনগা থাজা ২গী মঙমু হাপ্পীরেদো—হাপ্পীও ২।।

লৈযম অসিগী মথক্তা হাযুন পু কম থারেদো—থারি ২।

মথাদালুব কৌবা থোঙ অমা থারে—থারি ২।।

'ও, হ' লাইয়েক ২ বু হাপ্না মিং কৌবা লৈফম ২ বু কাওনা হাপ্লেদো—হাপ্লে ২।।

মথক্তা শীগুম কৌনা ২মঙ থারেদো—থারি ২।

অনিশিগী নাকয়েক্তা 'না' কৌবা মফম ২বু চুস্তনা পাল্লেদো—পল্লে ২।

য়েৎ থংবা নাখোংদা থরাই পিচা শাকোং শায়েগী মওমু থারেদো—থাবিও ২।

লাইবক্তা লুখমগা ২গু থারে—থাবিও ।।

খোইয়ুম তাইরঙ্গী হক্সুংদা য়াইবিরেলনা চথোক চংশিন শান্নবা নাখাং নাতোব= শানাচিঙ্গ কৌবা লিক্লমু চুস্তনা নগুবা থারেদা—থারি ২।।

খৌরি কৌবা লিকলমু চুস্তনা লৈয়েঙ্গা তেংখলগা নপুনা খদাং চিনপান কৌবমু ফাংশিরে—ফাংলি ২।।

ক.ল. লাইয়েক ২না লৈফম পুম্বু শিস্তুংনা হাপ্লে—হাপ্লীও ২।।

হ, ঙ লাইয়েক ২না য়েৎলমদা 'ফিরাক নোংথুম' কৌবমু হাপ্লে ওইরমদনা 'পে' কৌবমু হাপ্না শরুগী মখা শিস্নুংদা হাপ্লীরে—লৈ লৈ ।।

ফিরাক পৈগী মথক্তা মরোং মশা ১৬ য়াংনা (লাইয়েক আ, ই, ঈ, উ, ঊ, ঋ, ৯, এ, ঐ, ও, ঔ, আং, ক, খ, গ, ঘ)মু কোইনা লৈনা পাল্লগা 'কাইরেল মুংবাথেল' কৌনা নোংদমগী ২গুবা ফম্বাল ওইনা থাবিদুনা মচুনা 'থম্বাল অভৌবমী' মণ্ডালগুম হাপ্লীদুনা মওমা য়াইখুতোন=ইঙা, লোইমুংয়াই=ইঙেল থাক্সা শেন ২গী মথৌ শাথোক্লবা থারেদো—থাবিও ২।।

ক লাইয়েকপু হাপ্তুনা শেগা ২ কমথোং ২মু য়াংলেদো—য়াংলি ২।।

য়েৎথংবা শেগাগী মথক্তা 'ভ' লাইয়েক্তা য়াংঙ্গেবগী কাইরেল থারে—থারি ২॥

ওইথংবদগু 'ভ' লাইয়েক্তা মাক্তিংগী খুবম্, থাতুনা খুৎনিং য়াংলে—য়াংলে ২॥

খুৎচং য়াত্তুনা খুৎশা ১০ থায়তুনা খুবি খুদোম্বী খুৎয়াই খুৎনিংথৌ খুৎনাওবা কৌনা শাথোক্কৎ্ খুৎপাক কৌনা থারেদো—থারি ২॥

খুংবাথেনগী মথাদা 'লাকা' কৌবা মকম অমা য়াত্তুনা লাইয়েক ১২ না (আং ঙ, চ, ছ জ, ঝ, ঞ, ট ঠ, ড, ঢ, ণ) লৈনা ওইনা যোমতুনা 'অমংথেন' কৌনা মচুনা ভাংঙানবা লংহনা মতম্ থাম্মুয়াই, লৈথম্বা (থরান, লাংবা)গী অহুমওবা কাহরেলবু থাতুনা যাংলেদো—য়াংনা থারি ২

যেংলমদা হবৈমগী লিকলম ওইরমদা হবৈমা ঈমু পানকেমবগী লিকুম্ য়াংলে—য়াংলি ॥

মথাদা থিবে থাও য়াংলে—য়াংলে ২॥

'শ' লাইয়েক হাপ্লুনা 'খোইবুং' য়াংলে

'স' লাইয়েক লিংশা লকম হাপসে—হাপশে ২॥

'ড' লাইয়েক্তা কমখোং কময়াদগী হৌনা কৈরু, কৈবাক, থুকাং, থুনাম, থুজং, থুমং, খোংপাকপু শেমতুনা খোংশা ১০বু খোংবী, খোংদাম্বী খোংয়াই, খোংনিংথৌ, খোংনাওবী কৌনা য়াংনা থমশে—থমশে ২॥

কমখোং ২গী মরক্তা 'ঝ' লাইয়েকপু থম্বীহনা শাম্নুবা, শানুবী—মিউবা, মিউবীবু হাপ্পশে—হাপ্পশে ২॥

মথাদা পেংখোঙবু য়াংলশে—য়াংপে ২॥

মওাইরোই পুম্বা খোইবুংদা চিংঙ, ময়াম্না থম্নহনা লৈখিবনু নিংশিংনা নোইশে—নোইশে ২॥

লাইয়েক ১০না (ত থঁ, দ, ধ, ন, প, ফ, ব, ভ, ম) না লৈনগী মশক্ক্‌সা কোইনা হাপশে—হাপশে ২।।

লাইয়েক ১০না লৈমাগুম কোইরিবা মকমদুবু 'হে কংলৈ থেনবুং' কৌইদো - হায়বিও ২'।

মথৌ মওম্‌ থানৌলেল—মৈরা, কুপসা কুপত্রেং—চিয়াঙ্গৈগী মওম হাপ্লনা মচুনা সা অহিংবা মচুগুম্না ভাল্লেদো - ভাকপীও ২।।

মফম অসিদগী মথা খুদোল অমা মথাই কুমলগা লুম্নাংথেন কৌনা লৈনা ৮ পানবা ২না খাদা খুদাগুম থম্বীদুনা লাইয়েক ৬না (য, য়, র, ল, ষ, শ) কোয়না অশওবা চুমথাংবু তমজনা মথৌ মওম্না থাজলেল=পোইম্নু, থানৌ:তান—রাকচিংগী মওম্‌ হাপ্লীখিদো—থম্মি ২।।

লুম্নাংথেন্দগী খুদাল অমা মথাই কুথানা লৈনা ৪ পানবা ফাইরেল অমাবু লাইয়েক ৪না (ব, স, হ, ক্ষ,) চিরা ৪ম। হাপ্লনা মমিংবু 'শঙ্গুমথেল' কৌনা থমখিববু মচুমা ভঙাংবা লৈচুনা লংবা মওম্না মৈছোবা মপৌনা খানুংশি=ফাইরেল, থাজলেং=লমদা কৌনা থম্মিখিদো—থম্মি ২।।

খোইমুম ভাইবং শাথাক্লবদবু শাফোংগদবা য়াইবিরেল শিদবু 'খেইদো লাইবারা' কৌনা থম্মিদো—থম্মি ২।।

খাশিবু পানবদা খা ২ গুবাম্মদো চিংশি য়াংলিদে—লেংদে ২।।

পলেমগী শিবুক্লদা খোঙলোন ৯বু য়াংদুনা লারৈ লাথুপ্না খোঙশং খোঙডাক্ল লৈখিবু নিংশিংনা নোইরক্লদো - পাওশাবিও নোইশে ২।।

কংলোইয়া কৌবা কোকপু পায়রা—

মফম অসিগী খোঙবু কৌক্ল অশিবনা 'স্নীং পোরান' কৌনা কম্মিদো কম্মি ২।।

য়েংখংবা খো[illegible] পায়রো ২শুবা খোং য়াংখে—য়াংখে ২।।

অর হনবদা 'ঈংগ্রিঅমাল' কৌনা খোঙ ভাকলে—ভাকলে ভাকলে ।।

চিংগু অসিনা ঈশিংগী লিকলমবু পুরে— পুরি পুরি ।।

অহুমশুবা খোঙ কাংনবা ঙইথংবা খোমথা পায়রো— পায়রে পায়রে ।।

মৈ কৌবা খোংকম অসিমক্তা কৌরুনা পোয়োন কৌনা ভাকপনিদো— মানি মানি ।।

মরিশুবা খোঙ য়াংখে হুংবাথেন থবাক মথা 'খোমশাবী' পায়রো— পায়রে ২।।

খোঙকমসিনা অভিনানা 'ওমহং মাপলমাল' কৌনা ভাকইদো— মানি মানি ।।

মঙাশুবা খোঙ য়াংনবা শদোনগী মথা থিবোং থাওগী মথক পায়রো— পায়রে পায়রে ।।

খোঙকম অসিদনা মাজীং পাখংবনা 'ওমবিয়ান' কৌনা ভাক্লিদো— ভাক্লি ২।।

তরুকশুবা খোঙবু য়াংনবা মশিংখোলী মথক্তা পায়রো— পায়রে পায়রে ।।

খোঙকম অসিদনা খোইরৌ জিখংপা খোংঙারেমা 'কাং' কৌনা কমলিদো— কমলি ২।।

৭শুবা খোঙ য়াংনবা হুংবাথেনগী মথক ওকথোং পায়রো— পায়রে পায়রে ।।

খোঙকমবু [illegible] [illegible] 'পুং [illegible]' লিরাং পরেং লেংমান 'খৌজেরা' কৌনা [illegible]দো— কনি কনি ।।

চিংগু অসি "আরাল হংকান" বু খোংদমগনবা মশক্লিদো— মানি মানি ।।

৮শুবা থোঙবু য়াওনবা পোইদো পা[illegible] — পায়রে ২॥

থোঙফমদু পুগদবনা তেংবানবগী ইথান। মথক্তু লেমপোং কাইরোঙ্গী মশক ওইনা ' ওম হোংলাইরেল লৈকুন্নী লৈহিংনপ ফাফা, কৌনা থোঙপুংদে

৯শুবা থোঙবু য়াওনবা শাজুবাখেলদা খুংশা মচাবু থমলগা ওইগী খুংশানা য়াওগুাঙ্গী মপা মরাইদা নম্বো ···নমলে ২॥

" থোঙকম অসি কত্তবা লৌথোকফম থোংলম ৪ না ঙলোন ২বু ফাংশিদো-ফংংলে ২॥

থোঙ্গী মমিংব মোইতান কৌনা মেরুবনা ' মোংসোংদা হোলিকরো ' লৈহৃমা থোংলম ৪বু থোঙ ২ বু থোঙহাঙ থোঙ খিংনবা তাওনাইলাই তরং লৈপ্পা লৈতোনশিবু ঙাকম্লিদো··· ঙাক্লি ২॥

মাইবিগী নিংবু ' হৈরোম লাংবুংবা লৈরুমা কাইরেল ওভা থম্মদো — থম্মি ২॥

তিংলি মাংলি মাম্মেদো — চুম্মি ২

খাশিং পানবদা থাজা অহুব, ওরম্মেদো — ওরে ২॥

থাজা ৪ চংলনি পজেম মমাবু শাদোংনা শাথৌরিবা মরুদা বাকৎলাশি হাসত্তুনা শিন্নরেদো···শিন্নরে ২॥

মতাইরোই " পূম্বা মরু ২না পমম অমা হৌংনা নোইমক্লে পাওশানশি:কা — পাওশাবিও ২॥

পজেম মমাগী হকপু শাথৌম্বিবা লাইমিংথোইদা থোইমুব তাইবং ওইগদবা হকপু নোংদম্বিরো মাহোম্বিদো — মাহোম্বি ২

নোংদম থোদাবু কংলবদা লাইমিংথোইবা মালংবদা কাইদোংনা মমিংবু (মুংশিংকী মমিংবু ") ১০শুবা লৈরুমা তাইবং ওইগদবা খুজিং থাদা ' সংপা " কৌনা কম্বালগা থকলম পাংনা মেৎলকইদে য়েংঙি ২॥

লাইমিংখোইনা তাইবঙ্গী হকচংদা মুংশিং ১০দা কাইদোংবগী মনিংদি হায়গেকো— হায়বিও ২॥

১ দি হুংলেন সিববা, ২ দি মালং হামোইবা, ৩ দি মালং লৈপুবা, ৪দি মালং লৈয়াবা ৫দি মালং মিত্তোংলেন, ৬ তি তনিক তশোইবা ৭ তি ইথৌ লাংবা, ৮ দি মালং য়াহিপ্পা ৯ দি মালং য়াকৈবা, ১০দি মনমকোং কৌনা ১০শিগা লোইননা চংলকইদো— চংহনবিও ২॥

কময়া পায়রো লাইমিংবু 'তিংথোইবী' কৌনা চংলক্লে— চংহনবিও ২॥

খুংচেং পায়রো লাইমিংবু 'পিলমকা" কৌনা চংলক্লে— চংবিও ২।

যেংকী খাযথা পায়রো 'লৈশং' কৌনা চংলে—চংহনবিও ২॥

ওকখোং পায়রো ওম খুম্বোংয়াই' কৌনা থারে—থারি ২

খুংবাথেন— খবাক্তা পায়রো ["শংং"॥ লাইশক ওইনা থারে থারি ২॥

অমংথেন্দা—সাকাদা পায়রো দংং লাইয়েক ওইনা থকচিল্লে থকচিনবিও ২।

খোইদোথক্তা চংলে মমিংবু 'থুংচিন্নিক কৌই—কৌই ২॥

কংলৈথেলবুং—খোইদো পায়রো লাইশকপু "খ্রীং" লাইয়েক্লা শাথোক্লা লৈরে—লৈরে ২॥

লুমলাংথেন—খোই মথা পায়রো 'হ্রীং' লাইয়েকপু শাথোক্লা থারে—থারি ২॥

মিউ মথক শাজুবা থেন্দা পায়রো—পায়রে ।

লৈফম অসিদা 'হো রো সো' লাইয়েক তদা খুদা ওইনা ফমহনা মোইনরকপা মুংশিং ১০বু চাইথাইয়হনা মাগী মাগী মথোব মোংদমা থমখিংদো-থম্বিও ২॥

কংলৈ লথেন্দগী ক্লীং, লুংলাংথেন্দগী 'হ্রীং', শাজুবা থেন্দগী 'শ্লীং' লাইয়েক অহুম নিং নিং নিং পাওশানা য়াকাইরেদো—কাইবিও ২।।

রি রি রি পাওশানা চীংখত্তুনা খোইয়ুম তাইবঙ্গী লাইবক মরাইদা ক্লীং শমথোং লাইবক্তা শ্লীং পীশুম ২ গী মরক্তা হ্রীং, য়েৎকী পীশুম মথক্তা 'হ্রুং' ওইদা 'রং' য়েৎথংবা শানাচিনগী খোংলমদা (হো রো সো) হোনা শাথোক্লবা থারে—থাবিও ২।

ওইথংবা খোংলমদা 'হো রো ও' লাইয়েকপু থারে—থাবিও ২।

'রো,ও' অসিনা শাথোক্লবা 'হো' হক্তিমবা নোংদম্মে—নোংদম্বিও ২।।

লুবাইদা ওম লাইয়েকপু থাত্নুনা হাম্লা কাইরেলদা 'উংয়েংঙং' লাইয়েকপু থারেদো—থাবিও ২।।

লাইমিংথোইনা শাজলম্নদা ফম্বান্না লুমলাং থানা কংলৈ খেলবুংদগী হোনা কংলোইয়াখেলবু য়েংনা নোংদম্বগী মহুম লাইশঙ ওপু থুংনবা কামলক্লেদো—কাম্বীও ২।।

য়'ইবিরেম্না নোংলোম্না ৭নি লৈরগা থাদা শিন্নরে লাইমিংবু 'থাবি' কৌই, মেরুবনা 'মিংম্বাসো তিলখাকশং' কৌনা 'উংয়েং য়েং য়েং ঙং ঙং ঙং' ম্রারাবু ঙংবদা হক্লুংদা লৈবা মুংশিং ১০বু অথোই অহেন নাইদনা মথৌ পুনরক্লে—থৌপুবিও ২।।

তানয়েরে নাওরেংলে লাইমিংবু 'মিহিং তানয়েবা' কৌইদো—কৌরি ২।।

খোইয়ুম তাইবঙ্গী লাইমিংবু 'নাওরেংবা খোইরিরি' লৈত্নুনা মরুগী মফমদা কৎলিদো—কৎপিও ২।।

লাইমিংথোইনা হায়দো, "চিংঙ্শা নখোয় পুম্বনা ঐবু তাইবং হকপু শংহনবশে তাইবং হক্তা মাংত্রিমথৈদি শংলগে অম্বগা চিংঙ্ পুম্বগু তাইবংনা মাংত্রিবমথৈদ্রি ঐবু থাদোক হন্দোকপিগনু নোংদম্মিদো—হায়বিও ২।

চিংঙু পুম্বনা য়ানরছুনা মাগী মথৌবু খৌপুনা লৈনরেদো— লৈরে লৈরে ২।।

হুকনুংদা লৈফম্বা মরু য়াইবিরেলনা অপিচাবু মুংশিনা কোঞ্জিনবিরে— কোঞ্জিল্লে ২।।

লাইবুংথৌ লাইলৈমা মঙাইপুম্বা মরুনা কুবিনা থমখিবা অসিদা অসি কোরৌগী থৌখনবু থমলগে নিংলহনা মরু ২বু পাচু লোইয়িন শাম্মরক্লে য়েংজবা ওইনা ঙহাক লৈখিশিকো— লৈশে লৈশে ।।

মরু ২বু নোংদম্বগী লাইশঙদা চঙথবনিনা ঐখোয়ঙ "তরং লৈম্না লৈতোলশি" তাওরোইলাইগী পাকলবু তমজনা কংলশে —কংশে কংশে ।।

পাকল শাবা লোইরবনিনা পাচু থৌখন লাংলশে— লাংশি লাংশি ।।

পাচু থৌখনবু লোইরবনিনা খৌখন পোৎলোইবু থমজিল্লগা লংজখিববু কোকনবা য়াকৎ যাহোম্মরশে— য়াকৎশে ২।।

য়াকোকলোন পাওশানা নোংমগী খৌখন লোইরে হয়ম হয়ম ।।

১২ নি চনবা মশেৎ মরুনা পুবা থাজা ১৪ নি পানবা শাবন লমথোকপা কোয়না লাইতানবা

অতিয়া মরুগী থৌখন :— য়াহোং মচুগী ফিরোল থাংশেৎ ফৈচোল শেৎপা লাইবুংথৌ য়ুচেংনা মাগী লারোই ১৪ গা লোয়ননা মরুগী লৈতেংনা থৌঙাইরে ।।

ইমা ইথৈলেল লাইলৈমগী থৌখন :— অয়াংদা লৈবী য়াহোং মতু মানবা ফিচুনা কুময়িন পোৎলোই শেৎপী 'ওম ঐং হ্রীং শ্রীং ঐং' লাইয়েকনা নাওয়োম্বী য়ুচেং লৈমানা মঙাইলোই

'অপোং লৈমগা হি লৈমগা'২না শেমশাহুনা মুংথিলগী লাইবোগী পরংবু অতিয়াদা থাহোমহল্লে ।। মক-২সু থারক্লে অহুগা চিংজ্ঞ পুথহু লৈরাংলে ।। শনিক লাইনৌতাবী গা হেয়োং লৈমগা অথুককি হৈরাং লৈরাংনবা শেম শাবা লোইরহুনা থে.ইারফাবদা রাকংলে । খোহরিফাবনা পোংপুম্বা খিকপেংনা শেংদোকপা লোইরহুনা চিংথৈ মক খোংনাং থাবদা থাহোরে ।।

থোংনাং থাবনা নোংদম্বগী নমচালেবু (উহং লৈ লৈয়োম্বু' লাংহনা অতিয়াদা লাংথে_ লৈপোপ ৯গী লৈয়োমবু লাংলে । ঈমাদনা ৭কী লৈয়োমবু লাংলে অহুগা ভাহাক লুমাং থানা তেংবানবা মপুবু পুরম্মগা খোইখুম তাইবং শাখোক্রবা থাংলম্বা মপোকপু শামরম্মগা য়াইবিকোন্দা থকখংথ্রনি পাওচেনববু চিংগপুথনা শিন্দুনা লাককদবা লৈরম্বা পুংবু শাবল লমখোকপা কোইনা লময়েং লমতাক্রবা শিম্মরে ।।

শ'বস লমখোকপা মুংখিলগী থোরব

রাহোং মচুগী কুময়িন পোংলোই শেংপী কিয়াই নমথাং খোওনবী লুরেল লৈচাও হাপ্পী কোনথাং শাককপা লিংপী লাই লৈমা ৮না থোপুনবা কারকতুনা মাগী মাগী ফমফমদা থোডাইনা লৈরে ।।

লাইলৈমা ৮গী মাংদা লিকং পায়বা ২০ শাইরোং পাহুবা ২০ খুংখোংবা, খোইরৌ লিখুংপা, তানয়েবা, মুংবা মহারাবা মুংমু তুমদা মাংদবী মাংদা থোথন (থংগ্রোগ মাংগ্রোগা)২ শিগী মাংদা ফিরান পায়বা ৮ ময়াইদা তাওরোইলাই তরং লৈসনা লৈতোনশিগী পাফলবু কানো হায়না থংলে ।। কাংচৈলোই ১৪ না কাংহ লেংদা থোংনা শগোল তোংনা তাইরে ।। লাইবেম্বী ৮গী ভুংদা থাও ফানবা ২. ট। চুং কানবা ২০ মথংদা য়েংতা লাইমিংখোই ওইদা পা-থংবা কোজনতুখোক ।। লৈরে ।।×

জিরমদগী হৌনা চোং থাম্বা ২, উন্দুক খুদোং খুদা পায়বী ২. হুমাই পায়বী ২. লাইবুংথৌ লাইরেম্বী ১গম্মা লুচিংনা শাংথা লেংথনা ভাইরে ॥ শানিক লাইনৌতাবীগা মৈরোং লৈমগনা অনোইলোয়া মাইরেকথানা অশৈবনগু মকপী মগ্য শৈশকরবদা মরুম লেংথোকসজ্জনা শামু অভোবা 'লোত্তোংকে' কৌবযু শাদোংনা লেংথোরকে।। মরু ২ না য়েংকা ওইগা থৌখলাং. শামুগী লাংদা লপা রি ২না থং. শামুগী ভুংদা চোংথানবা লাইবুংথৌ লাইরেম্বীশিংনা থৌখয়া শাংথা লেংথনা থৌখয়ো ॥ থোংনাং থাবনা শামুগী নাক-য়েত্তা থৌখয়া অশৈবনা শামুগী ভুংদা 'নোংমিন লোনবু' থোংনা থৌখল্লে লাইনৌতাবীনা শানিক নিঙ্গা লমচিংবা লেংথোরকপনা 'বাহৌ য়ারোই লাংদাইপু দা' থুংভগা নোংপোক ওয়া ফম্বামা শামুথ রুগী কুমথাহনা মাগী মাগী কনকমদা শযজি থাইনা লৈনরে ॥

(শাগোল কাংজৈ শামবা)

মথা রৈবা নোংপোক লেম্না পানচনফম চৌভবা পীগুম ফিভাং শেৎকনি ॥

১। পনভাকপা উকোংলেন।

২। পনভাকচন য়ুহা ॥

৩। পল্লকচন অভাইবা ॥

৪। লাংচৈ থবাই ॥

৫। পনচেঙ্গ পল্লকচন থৌভাইবা ॥

৬। পনচেনচন য়ুচেং ॥

৭। পনজেনবা কোংটিংলেন ॥

ওয়াং য়ৈবা নোংচুপ লেম্না কিভৌ শেংপা পনজনফম মপাচীঙ ॥

১। পনভাকপা নযু মিতম্বা নং পৌপ্রলেন ॥

২। পনভাকচন নযু মিতম্বা সং ভাবনলেন ॥

৩। পল্লকচন নযু মিতম্বা উং তাওহুলেন ॥

৪। লাংচৈ নযু মিতম্বা খোইরিকাবা ॥

৫। পনজৌম শারিকরন ভা চাওবুংলেন

৬। পাঙেনটন ৮০ কোং কংলিরোং

৭। পনবৌনবা ৯০ হুং পোরোং খোকহাইবা

চিংখৈ মক খৌংনাই থাবনা হুনতে কাংক্রেব হুন্দুনা মাইয়োকথানা শারহুনা পানখন ৭ খৌথরে লাইবু খৌবা পাক্ষ ৩ নমু তাইখংনা ৪ চন্দুনা শারবা পৌইরে ।।

২ওবদা মাইলেংতা কোনাচন ৭ না পোকপা কথোকপা চারহুনা শানিক নিকনা লমলাইবু লাংলে ।।

৩। চিংই খোইরিকাবনা জুতিংবা হোইলাওখে ।।

"হোহে হোই হা হা হা

হেরিলে হেলিলা, সিমা থোইমা য়ামা হরাওবা

হোই হোই হৌরিলে এ শয়ানবক্তে ।।

হেরিলে হেরিলা হোই হেঁ ষনা

হায়ুতে হায়ুতে সিবু থোইবা য়ামা হরাওবা

ও হোয়াহো

হায়ুতে খুলাইতে হোয়াহে ও হোয়াহে অলোএ অলোএ ও অলোএ

হাউং হুং হাউং হুং চিংয়া পানেন অদুনহৈ

শেমজবনা চানবা হৈ সেসে চাজারো—ও

শয় লাওনা লৈকানা—আ

সে সে লাংলসে শয়া লৈকারো

হোই হোই হোই ইয়ন হরাজো" ।।

৪। শানিক লাইনৌ তাবীনা লাইখুরী মাইয়োকথা লাংলে।

৫। নিকনা খুনা মাঈ অমী, পৌতাইফমদা তাইহুনা লৈনরবদা শনিক লাইনৌ তাবীনা শানিক নিকনা মক ২ বু চিংথোকনা মাখইবু ২ রক কোইরগা ৩ রক ওয়কপদা থামহুনা থমলে ।।

৬। অশৈবনা পেনা খোংহুনা মাইরোক থারিবগী নাক্তা লেপ্লুনা হোইরৌ ৌ লাওদোরে বাংলেন ভাইহাকপু ছুমিল্লা থৌভাইশিকো—য়াজরে ২।।

(অশৈবগী হোইবৌ)

হোইরেএ হোইবৌ-উ হোইবৌনরগে-এ

হুয়মহৈদা নোংদম থৌদানবদো—

থৌভম থৌশিন্নহুনা হযিচঙ্গী ইতমদা—

থৌশিন থৌরোইনহনা কোরৌ অসিঙুমিত্তা—

সিমবু খোইনা য়াম্না অনোই শাদম্না

নিংশিং থৌখন ফংজগে অয়োল্লকপবু

কুবি মিংয়েং ভাবিও—

ভরাং হায়বা কোরৌদা মরুগী নাক্তা

লৈহৌবা খোইয়ম তাইবঙ্গী মশক্রা

শাথোক্লববু থৌগনজবা কুবি মিংয়েং তাবিরো

হুয়মহৈদা নোইববু হযিচঙ্গা ইতমদা নোইরগে—এ

পলেমগী শিয়োম্নুং কংলৈথেম্বা লৈফম্বা—

মাইবিরেলবু নোংদম্বা থাজা ২বু চংবদা—

খোইরিরি শং থুলেল মিরেংনু কৌববু—

মপোক কালম্নু তাক্লে—এ

মরু ২গী মভাইরোই অশৈবনা নোইনা খোংথাংলে ঐখোয়গু শাকোই খোংথাংলশে—থাংশে ২।।

শাথোকদবা তাইবংনা সিয়োম্নুংদা লৈবা থাজা ৫ চংলকপা কাইরেল ৬তা ফম্বাল্লিবগা লৈমিন্নবনা থাজা ২শুরকপদা নোংদম্বিদো। "হে খোইমুম তাইবং অশিচা নঙ্গী ইপোক খোংলম অসি ঐগী শামগে নিংবা ইপোক খোংকম অহমগুবা ফালম অরোইবনিদো।" কাওগনু তাকখিদো— তাকপীও ২।।

তাইবং অপিচা-না হংজদো। হে মরু ইপোক অসিমদি খংজবে ইপোক ২ মদি কমদোবনো কুবিও"—তাকহনবিও ২॥

ঐদি লৈহৌতৈদা ইশকপু খংহন্দনা অমম্বগী মশক ওইনা লৈরম্মিদো অমসা গম্বনু 'খিক লন পোকথাযবা' কৌনা ইশকপু লেপ্তুনা হয়ম লাইশোন্না থকথঙনা ইথোবু থোমুনবা পা-গা পী- গা শাথোক্লনা কুম্মৈ শান্নগে হৌখিববু' চিংওশাথোক্লবা' কৌবনা অহানবনিদো—নোংদম্বিও ২॥

অনিশুবা ইপোক্লা খুংনা মেত্তুনা নমু মিতঙ্ক' ৭পু শেমগঙনা থমখিবা অহনিদো॥ থোরম অহুনা মালেম শিন্না থম্বদি রানবনি পী-পা নাইনা খুন্নানবগা শাথোকপা খোংলম অসিনা ঐনী অরোইবা ইপোকনিদো ॥ নংনা শাথোকলগা শান্নবা কুম্মৈবু লোইরগা নংনা শাথোবকপা লৈচুনী খোংলমদা হন্না চংনা তিনগদবনি, নঙ্গা ঐগা কাওদনা লৈগনি নঙ্গী কুম্মৈবু শান্নমিন্নশি' হায়দো—

থাজা ৬ চংলকপা মকগা লৈমিন্নবনা থাজা ও শুবকপদা তিলমু লাইমু ফত্তবা চংবা শুমদনবা ঈগী মশক্তগী 'মুখানাংঙা মুঙাং নাওবা শংপাকুপ' মি হুন্না 'কিকোৎ শংবা' কৌনা নাওফম্বু শাথোক্লনা অপিচাবু কিশেংশিন্নুনা নাওকানবিদা—কোনবিও ২॥

অপিচা নঙ্গী নমিংবু ওসিদগী হোবো অঙ্গো কৌরগে নংনা তৌবা পুন্নমক ঐনা তৌবা ওাক্তনি তাকপীহনা লৈমিন্নদো —লৈহনবিও ২॥

থাজা ৮ চংলকপদা অপিচানা "নয় থদি তাজরে অহুবু লৈকম অসিদগী হোংনা মকবু থাদোক্লনা চৎচবা ওমজরোই রাহোম্মিদো—রাহোমহনবিও ২॥

হে খোইগুম তাইবং ঐদি নঙ্গী হক্তা কাইরেল শানা লাইশঙ ৬পু খোক্লা ফম্বানগনি, মালংবদা অমুক শাদোংনা ইপান্নাঙ্গী

কুম্মেশু য়েঙ্গনি, নং ঐ লৈমিন্নগদবনা থাজা ১দা চঙ্গাইরে মশিদগী হেন্নবদি অকাইবা লাক্কনি নং ঐনা লৈবিবা মসিদগী খুদা খোংলম ও য়াংলিবা (চাওদপুং, পুসিপুং, অচাওপুং, গোক্কপুং) সিগী (সোং সোংদা হিলিকহো) কৌবা পোক্কপুং কৌবদা থোক্কদবনি অহংগা হন্নকমশু ওইহনা নঙ্গী কুম্মেনা লোইরগা চংনকম হন্নকমবু শুইগদবনি তাকপদো—তাকপীও ২।।

মতম অদুদা নংনা ঐবুদি উরবোই ঐনদি কাইদনা উগনিদো, নংনা ঐবু উগে থংগে হায়রগা নঙ্গী 'লুম্মাংথেন' কৌবা ঐগী কাইবল অসিদা মিংলাংনা ঐবু কাওদনা য়েংকউ 'কংলোইষ,' লাইশঙ্গী লৈনা অনিগী মিংলাংনদি উবা থিবা ফংলরেংই তাকপীদো —তাকপীও ২।।

থাজা ৯ চংলকপদা হোবো অঙ্গা চাইবংব 'লাওা। শংখুপ থুপ্রি' কৌবা নঙ্গা লৈমিন্নগদবা থাজা অমত্তা মচাইনে, অসিগী নোংমা হেক হেনবদা নংবু ইক্কনরকপা মুসিংপু চাইবগা নমিংবু কাওদনা লৈবগদবনি নোংদমখিদো—নোংদমীও ২।।

মরুগা লৈমিন্নবদি খংদ-উদববু লৈহন্দনা লৈমিলৈদো ঐগা শাথোকপ্রগা কনানা অমম্বা লম্বিবু তাকপীগদবা চিংদু অহুতদি তাকপীও রাহোম্মিদো - নিহনবিও ২।।

মরুনা নোংদম্মিদো, " খোইযুম নাওবা শংখুপ থুপ্রি' নং ঐনা লৈরিবা লৈফমম স নংনা শাথোকলবশু নঙ্গীদা অহুম লৈগনি, মফম অদুদা লৈরগা তেংবানবগী মপু পোকলেন শাংপবু চাবা থকপা থিদনা নিংশিংহনা তাইঙ্গী কুমৈ যেংনা লৈমিন্নরুগদবনি " তাকপীদো - তাকপীও ২।।

নংনা ঐবু কাওদ্রিবা মথৈ ঐনা নংবুশু কাওদনা যাইনিংকোলবু য়ৌনবা অন্নান থুরম কংনবা শিনগনি হায়দো — হ'য়নশ' ২।।

মরুগী পাও তাক্কী কংজবে ঐগীদমক্ষা অনিংবিলবা চংউনা কনানো কইবু .কৌবনো তাকপীও হংডিদে। ৫২ম ।।

হে নাওরা ৎরাই হবচাং ওইরিবা পুময়ক্কী মীরেল ওইরিবা চয়ুম 'শেবারম' 'কৌবয় ফগনিদে' লাংমংনা বুং হ্রী শ্রীং অমনা হ্রীং কুং শ্রীং অমনা শ্রীং হ্রীং বুংগী যারা শাথোকপা তো রো সো তহুমদা কাইরেনবা নোংদম্ববু কংজবনিদো তাকপীদো — তাকপিহনবিও ২॥

থবাই য়াইবী ২ অমগী লাইমিংথোই 'ওম লৈ নোংন তরেংবা তাংকং কৌএ. অংনা শ্রীং ওম হে মেচি শনা মুং তুরিকপা ৎ যৈবা ২বু অমম্বা লম্বীদগী লমজিংবনিদো — য়াইফরে ২॥

'য়াইবি ২ অমনা 'ওম স্না মুহন্ন নেং স্না মনিকথোম্বী ১না ওম সনা খমলেথম' কৌবা য়াইবি ২ সিনা অমম্বা লিক্লমদগী অঙানবা লিকলংদা পুবিরগা য়াইবীকোন্দা পুশিনবিও থংগোনা গনিদো — য়াইফরে ২॥

য়াইবি ১ দি ওম হ্রীং হ্রীং শ্রীং শ্রী কৌবা য়াইবিবেঙ্গ ২না ১তা ওইবা লিক্লা পুন্দা চোংশিনবদা ঐম্ন য়ংজারে নিংশিংগনি ॥ মফম অদু তেংবানবগী হৌনা শাৎনক্রমনি কাওগদু লাইমিংবা 'উং লৈহিংফা অমদি 'লৈফা ওম এ' অমদি কুং বোং লুম' কৌবা উংলো য়াইবিরেল অপোক অশি লাইদবা পুময়ক্কী লেক্ফনি কাওরম্ন তাকপীদুনা লৈনিন্নে — রাহফংলে ॥

মরু ২গী মঙাইরোই পুথা — লাইবাও

অতিয়া মরুনা বাখন থোদা অমা থোপুরক্ক — থোপুবিও ২॥

মরুনা হায়দোঃ 'লাইমিংথোই ইতম অসিম্ব নুংশাংমক্কে থাজা শেল ৯ চংলক্কে ফালম অসিবু লুহুংনা থংজনবা থোশিনবিও' নোংদম্মিদো — নোংদম্মি ॥২

মরু করি কমদোরগা থোরোইশিগে মথক্কে অহুম্ব মরুগী নেংদম ফংলবদি থোডয়া থোপুজবগে রাকংলিংদা — রাকংথি ॥২

কুমজা তোগদবা থাজা শাওনলেং থাজা শেলশু শাগদবা কোরো ২দা মঙাইরে, ইশানৌশু পিবা ফমলেনবু ফম্বান্দ্রিদো, থোপাংনবা ওইনা থাজা কোইনা সনা ঙানগী হুন্নি পানবা হন্নেৎ

মরুনা পুবা কোরৌগী ,নুংখিল পোপ্তা ছররুকপদা পিবা শিন্নবনা, ইত্তম্মু হোংনা থৌপুনবনা ফন্নগত্রা ৱাকৎলিদো—

লাইমিংথোইগী ৱাকৎপু মরুনা হোয়াবিহুনা তাদ-খণ্ডদব-শিংবু পাওচেন্নে— চেন্নি। ।

মরু ২ গী মতাইরোই পুম্বা মরু ২না লুচিংনা ফম্বাল তোংবা পন্নম্মু নিংশিংলক্লে পাওশাসে— শাশে ২।।

ফ.লবু য়াওগদবগী চিংগু লাইবুংথৌ লাইলৈমা পুম্বা ক্য়ানরক্তুনা ,মথৌ মথৌ থৌপুনরে— পুনরি ২।।

নং লাইয়েকী নম্ম মিতম্বা পৌক্রুলেল

সং ,, ,, ,, আংঙালবলেল

লুং ,, ,, ,, মুারও পোরোংখোকহায়বা

কোং ,, ,, ,, কংদিংরোং

উং ,, ,, ,, তাওবুংলেন

ঙা ,, ,, ,, চাওবুংলেন

মযুম ৬ না মাগী ২ ঈশেং পাক্তগী ঈশিংবু ঈরান্নক্তুনা ঈহৈনবা লৈনরে— লৈরে ২।।

লাইমিংথোইগী নোংদম পন্নম্মু কাইদনা লাইলৈমা, শজিবী, হৈরোংলৈমা, পৌথ্রাইবী লাইলৈমা ৪না ফিরোল ৭ লোম্না চিরা ৪দা পায়হুনা পা-খংবম্বু থকথন্না মযুম ৬না ঈহৈনহুনা মকোক মউ ঈতুম্না মাইতারেদো -- মাইতাবে ২।।

মাইগৈ ভাকপা থাংজিং, ৱাংব্রেন, মারহনবা, কৌব্রু লাইলোংবা ৪না মুংকেং ঈকোন্দগী ঈবান্নুবগা ঈহৈনা পা-খংবগী ইরু মাইতাবা থৌরোইবৈদো— লোইখি ২।।

ম্না খোংনাং লৈমগী মথক্তম্ম লাইলৈমা ৪ না থকখন্দুনা পিবা ৬না ঈহৈনা চিংগু ৪ নত্ত ঈবান্নুরগা ঈহৈনা হকশেংলেন্দা শেংডি— শেংডি ২।।

লাইলৈবা থিংবা লোইখোম্বী, চিংদে্রাইবী, চিংবা নৈপমা ওনা ফিশেং লৈতেংনা খৌখল্লিদো— খৌখল্লি ২॥

লৈমরেল সনা খোংনাং লৈমরী মাইখোংদা মাংলম্বু লৈকৎনা কুমযিম পুনখিৎ ফিনেক ফিবান কাংনা থাবা শেংলে, কোনথাং ফুরিং তাওরোইলাইগী মিৎপু য়েকপা অশঙবা শাককৃপা নিংথুম খাংলি খোংশি, খুৎশি, নাশি, পাম্বোম মাইরিকা ভাংভ্রানবা নমথাংনা খৌওনলাং লুরেল লৈচাও থেৎনা ফম্বান খৌখনবু ঙাইরিদো— ঙাই ২।

খোইবিকাবগা চেংঙংগা ২ না ময়াম্বা লাইখিংথোইদগী ফিনিজবা খাংলি লাইথন তাবা শেংতুনা লুরেন চিবোং হাই-নাইবা হাপ্পনা নো লৈশং মনা মপানবু থেৎতুনা খুবোম য়াই পাম্বোম মাইবুকানা লাইকুম নমথাংনা লেংযান খৌওম্না অশাই অশম্না থৌখম্না লৈবেদো— লৈথি ২॥

খোংনাং থাবা চিংথৈমকুগা নোংপোক অচিবগা ২ না ফম্বান মুংফানবু থানিনা লাংলে— লাংলে ২।

কাইবেল মখোং ৪ বু লাংতুনা ফা খোং ৪ বু নিকশিল্লে— নিকশিল্লে ২।।

মরুপ্নী মঙাইরোই মেন্থকলেনগা বু লাংশে—লাংশে ২॥

লুরেলগী মমংগা ফিরোই থিঙাম শুনবা কৎতুনা চিংঙ্ ২ বু ফম্বাল থঙা ফনসে— ফানশে ২।

লাইরেম্বী ওইথম ফম্বাল খৌখল্লে— খল্লে ২॥

লৈবাক নোংথৌ ভুবগী পিশারেলব মৈতৈঙ্ পা-খংবা মিংহুম্না চিংঙ্ পুন্দা শিন্নরে— শিন্নরে ২॥

তেংবানবগী ইমা লৈশিংরপনা সনাখোংনাং লৈমরু মৈতৈ লৈমরেল সিগাই ফনথোন তবৎ লৈপু লৈফমী কোনা মঙম ওবং হৌনা শিন্নরে—শিন্নরে ২।

মরুনা নোংমা খিঙা, পিগাহ্রেগা, লৈনবেন নবাঙাগি লা নিংবা পুৰু পি নিংখইনা হৌজগা থৌপুগনিংং, পিবানি হায়দুনা ঙঙ ন । ংগদগা থৌনমু থৌমুববদি লৈ-বাক্তী অৱাবা ওইগন চন নব বাংবদি নংগনা লৈবাকশিং পিবা ওইগৰকৌ পাব থঃবো — পক্র ২ ।

চিংঙ, পুৱা যেমুন পিবা । নগুং ঙৌগম হানবগী ফম্বালবু ফমফৰোই নঙ্গী নঙ্গী বাহ্রে । না লম যেনখ্রে নোংদম্মিদো— নোংদম্ম নোংদাম্ম ।

মযুম এলুপ পিনা ডনা থানবতন হৌ লম্মা হানবা কংলৈগী ফম্বাল মেনবু প খ বন। কংলেদে — কংসে ২ ।

নোংদম মরু পা নম থোই চলঙ্গনা নৈতৈওং মেন ফম্বালগী মিংবু অংকচং নৈতৈওং মেননানিক পাখং পিবাবেল, ওম নৈ নোংথাং তবেংবা চাৎেং কৌবা মা কোঙ্গল তুথোকপা ও নোদরেং মনিক ওৱা নি লৈনবু নথানা লাংজবি কুবি লৈযানা লৌবীও লৈহুনখিদো— হুলি হুল ॥

ওইথম ফম্বাসাংবা শিনাঙ ফমদেন লৈপুখী ওম পোকপীতু তকুপ তকুপ হাৎকুপ, হাওকুপ আউ সোবোংপা সিনথোম্বী আঙ্গি শংকুপলেন লাংফুলেম্বী, ওম মনা মনিক থাম্বী ঐং রং সিল্লমা হুীং অহোং অচাওবী যাবেল ওরেং বানশোবী নিংহুল্লিদো— মিংহুল্লি ২॥

মযুম পিবা ডনা হৈংলৈ পননবকতুনা মানা মানা পামজবা মিংহুনবু তমহুনা পকুমনৈদো — পকুম্মি ২॥

ফম্বাল তোংবা লোইবদুনা থোংনংথাবা চিংথৈ মকপা নোংপোক অচিবগা অনিনা যম্বাম হৎন্মী 'নিং নি নিং' হাকৈনা 'রিরিরি' হায়না মাংথানা কুচু শঙনমা পশিন্দুনা 'রো রো রো

হায়না থামহনা ফম্মিদো - ফম্মি ২।।

কুচ্ শঙবা ; ফমজবদা লাইমিংথাইনা অচা অথক পুশিল্লকু না চিংঙু পুম্বদা য়াহংখিদো—হংঙি ২।।

চিংঙু শম্বা চানা থরুরিগা পম্বমক্কি মনম মহাও থংবগুম মথং লংনা শিস্তাক বোংদম্না খোইয়ুম তাইবংনা শনথনবা কোম্নৌ অসিগী য়ুংথক থানবা ইতমদগী লাইমিং অমা হোংনা হয়ম লাইশোলবু কাওনদনা থৌহাংঙশি নোংদম্মিদো—নোংদম্মি ২॥

খোইয়ুম তাইবংনা পান্নগদবা ইচাগ কৈদোম ৪ থায়হনা হয়ম লাইশোল্লা অৱাল থুবমু ওইনহনা শেমগং শাগত্তুনা পানখ্রবা থৌনশ্নি হায়দো—হায়খি ২।।

কৈদোম ৪ অসিবু চুকথাবা লাইয়েক্পা হয়মতৈদগী মথংলেংনা লোইশ্রগা কৈদোম অমা চাওকই হৌরকই থানন্বা কৈদোম ৪গী লাইয়েকপ 'চং' লাইমিংবু হাপ্পা থ নরণি হায়খিদো—হায়খি ২॥

অসি থাজ কোইনা স্নাঙাবগী হুম্ম পানবা হয়েং মরুনা শবা য়ুংথক থানবদগী হৌনা কৈদাম ৪গী অহৌববু 'হয়িচং' কৌরগে হায়খিদো—হায়খি ২॥

হয়মতৈদা শাথোক্লবা মৈথৈবু চিংঙু লাইপোক কৌশি। মথংনা মেত্তুনা শাখিবা ৭ তুবুনা নমু মিতম্বা কৌশি। অহুমত্তবা ইপোক পাশী য়ুমলিংনা শীটা শিয়োম্নুংদা চংহনা তাইবং শাথোকপা মথৈনা 'খোইয়ুম তাইবং' কৌনা লেপনা থংনহৌরশে —য়াইফরে ২।।

থমগদবা কৈদোম ৪গী মমিং মথংলেংনা ১বা হয়িচং। ২দা হয়াচং ৩ শুবদা থুরা চং ৪ শুবা অয়োইবনা লাংবচং কৌনা থংনরশে—য়াইফরে ২।।

হয়িচংনা পানগদবনা কুমশিং লাপন ১৭ লিপন ২৮ হায়বদি ১৭,২৮,০০০ নি ।।। ইতম অসিগী মঙ্গংদা পানগদবগী মরেপনা মশাগী থুহপ ২০ (কুন) য়াঙ্গনি। পনাসিনা লৈগে

হীয়বা মথৌ লৈগুম্বা ওইবা। লাইনিং চংজক্‌ন্না উংলৌ য়াইবিরেল শিদবনিদো ।। লমজিংবিগদবনা অতিয়া মক, লৈশিংরেল লৈপুবী অনিনা লমজিংবিগদবনি তাকপীদো—তাকপি ।।২

লৈমরেলবু পাওশা তারম্বদগী ওয়ুক্তুনা মঙাইরোই চিং-চেংাইবীগা চিংবা লৈমগা ২ না থোখন্না লেংশনখিদো—লেংশিনখি ২।।

২ শুবা হয়াচঙ্গী কুমশিংনা লাপুন ১২ লিপুন ৯৬= ১২,৯৬,০০০ ওইশি মরেপনা মশাগী খুন্থপ ১৪, পুন্সিনা লিপুন ১০,০০০ ওইনশি নোংদম্মি,—নোংদম্মি ২।।

৩শুবা খুনাচঙ্গী কুমশিংনা লাপুন ৮ লিপুন ৬৪=৮,৬৪ ০০০ ওইশি মরেপনা মশাগী খুন্থপ ৭ পুন্সিনা লিপুন ১০০০ পুন্সিবা ওইনশি নোংদম্মি—নোংদম্মি ২।।

৪ শুবা লাংবা চঙ্গী কুমশিংনা লাপুন ৪ লিপুন ৩২= ৪,৩২,০০০, অসিদা পান্নগদবা তাইবঙ্গী মরেপনা খুন্থম তিদগী ৪ ফাওবা বাংবা, পুন্সিনা অরেপ্পা নাইদবা ওইনশি ।। চং অসিদা চিংও, নখোয়না তাইবং শাথোক্‌ন্না আয়া লৈখম তানবগদবা খোইয়ুম তাইবংবু তেংবাংবিও নোংদমখিদো— নোংদমখি ২।।

লাইমিংথোইগী পাওশাবু তাবদা মৈতৈনা " কৈদোম ৪গী লাইমিংদি তাজরে অন্থবু কৈদোম ৪ অসিনা লোইরগা করি থমদৌনা মিঙ্গৌনগবা " বাহংডিদো—হংবিও ২।।

নয়াথ্‌বু খোপ্‌ লৈয়াংনা তাকচগে পুক্নিং চংনা তাবিও —পাওশাবিও ২।

চং ৪না পানবা ওবগী লাইমিংনা ' কোহংকো ' কৌনা খিন্নুনা অমুক নোহোননা হয়িচংবু পান্নবদা পিবারেলবু ওইবিন্থনা লৈবাক মুংতাইনবা শাম্নবিও নোংদম্মিদো—নোংদাম্মি ২।।

কোহুংকোনা ৪লক শুরবু ' তয়োহংকো ' কৌনা শিঙ্গাবনু তয়ো হংকোনা।৬ শুখিত্নুনা তয়ো হংকো ৭ শারকপা হয়িচংনিদো পরমু নিংশিংনা রাহংবনু রাকৎচরিকুবিও পাওশাইদো—শাবি ২॥

চিংঙ্গু পুম্বা অসিগী থোৗরোইদি পাওশাশিনা রাজেমরশি লংজা পাওশানবা তাররনি লৈমারেলবু কমণ্ডদনা চংশ্রে পাওতাকবনা ফগত্রা রাংভৈমেদো—তেশ্নি ২।।

মরুগী মঙাইরোই পুম্বা লাইবুংথৌ লাইলৈমা ১৪না থোৗহৌনা নোইররক্লে পাওশাশিকো—শাশে ২ হৌবিও ।।

মৈতৈ লৈশরেলবু ফম্বান কুম্বদগী ভমদত্নুনা বাঙ্গোন শদুমত্নুনা লৈরক্লে—লৈরে ২॥

পিবুরুংদা মরুনা হায়দো৹ হে অপিচা অসিদগী হয়িচংবু হৌরবনিনা লৈবা য়াত্রে হায়ত্নুনা শেবা রাম তু কুপ্পাবু য়োমলিবা থোইরিনা থোহশেৎলিবনু ঈশিং য়ারা কৌনা নাওবা নংদি শিদা শাদোংলো তাকপীহনা তোংহল্লেদো—তোংহনবিও ২।।

মরুনা থোংহাংনা য়েংলক্লে নিংশা পায়ম্লো—য়েংবিও ২॥

চিংচেংইরী৹ চিংবা লৈমা৹ থিংবা লৈমা (৩)না লৈমরেনবু শাগোমরে—শাগোমরে ২।।

লেংজুম ২দা পায়ত্নুনা য়াংতেকশে—তেকশে ২।।

মুংথক খানদৌরে কন্না অমুক্তা শংনা য়াংতেকশে তেক্লে শংলে ।।

আহিং য়ুংথক খানবদা থোইযুম তাইবং শাথোকত্নুনা উংঙা হংঙা৹ হংঙা শৈরাওরে—লাওরে ২।।

ইরু মাইতানা থোংইরেল্লেদো লেল্লে ২।।

মৈতৈঙদা তাকত্নুনা আঙাংবা ফিরোম্না য়োম্বীহনা মৈতৈঙনা য়েংথংবা নাকোংদা লাইমিং মরু (৩) পিরে—পিরে ২।।

ফমলেনগী খা থংবা ফক্লাংশিথোংদা ফুহিংদা হাপত্নুনা মখুরে চেৎনা খুমত্নুনা নাওফম্বু ফুম্মেদো—ফুম্মে ২।।

মম্বোংদগী 'মৈকেমক্বী' কৌবা মৈবু কৌহনা মৈতিক মৈয়াইনা অপিচাবু কোপ্পিয়া পোথ হৈদো—পোথাবে ২।।

১। মক ২ গী মঙাইরোই পুণা ইতম অসিদা কোংটিংলেনগী নোংদমদগী লোইনবী হাওহুথুবু মচানিপা ২ পোক্ত্না ঈপান সুমিত্তা মমিংবু অহন্না পোংথা অত্তোনববুনা হৈনাওপোই কৌনা খৌনিদো—পোকই ২।।

২। মম্বোংদা লৈবা মুহাগী নোংদমদগী মুচেং লৈমনা মচানিপা হৈরাওবা পোকএ—পোকএ ২।।

৩। মখাদা লৈবা খোংঙাইবগী নোংদমদগী অঙাইবীনা নোংদম খুবা পোকএ—পোকএ ২।।

৪। নোংপোক্না লৈবা অঙাইবগী নোংদমদগী চিংকোইমুনা মম্বোইঙম্বা—মাম্বাংনিংথোউ পোকএ—পোকএ ২।।

৫। চিংখৈদা লৈবা থবাগী নোংদমদগী খোংঙাইবীনা সুপকাংবা পোকএ ২।।

৬। আরাংদা লৈবা উকোংলেনগী নোংদমদগী পুকশি খোম্বীনা পোংলেন খোম্বা পোকএ—পোকএ ২।।

৭। মৈরখদা লৈবা যুচেংগী নোংদমদগী চেংলৈমনা কুরাওবা পোকএ:দা—পোকএ ২।।

৮। লাইচিদা লৈবা চেংঙাগী নোংদমদগী কোংটিংলৈমনা নোংহন পোকএ—পোকএ ২।।

৯। নোংপোক শেলোই লুচিংবা নং পৌপ্রুলেনগী নোংদমদগী য়াইস্নানা পৌপলেন পোকএ—পোকএ ২।।

১০। থাংবাইগী লুচিংবা সং আংঙালবলেলগী য়াইলৈমনা কোমটিলাংবা পোকএ—পোকএ ২।

১১। কেগেগী লুচিংবা হুং য়াওবলেনগী নোংদমদগী হিংপোকপীনা পোয়োং খোকহাইবা পোকলে—পোক্লে ২।।

১২। থুরোইগী লুচিংবা উং তাওবুংলেলগী নোংদমদগী হিকুবীনা তাওবুলেল শিদবা পোকএ - পোকএ ২॥

১৩। ঙা ঙাংবাগেনগী নোংদমদগী হিরৈননা চাওবুংলেন পোকএ—পোকএ ২॥

১৪। লাল্লোইগী লুচিংবা কোং কংদিবোঙ্গী নোংদমদগী য়াইপোকপীনা কোঞ্জিলাংবা পোক্লে ২॥

কোরৌ থক্ত নৈবা লাইনৈমা ৩৬ না মহাক মহাক্কি মশকপু নৈয়াইলেন্দা লাবোই শিংলোইগা যুংলি নহুনা চাদা নাওদানা হরাওনৈদো—হুমাওনৈ ২॥

ইতম অনিবা লাইমিংথোইনা কৌব্রুবু কৌশিন্দুনা থম্মং ইভাল নৈশাবা পুয়াবু মথুংগী ওইবো নোংদম্মা শিন্নরেদো—শিন্নৈ ২॥

লাইমিংথোইগী নোংদম্ভু তাবদা কৌব্রুনা নয়াথংবু পুজগে কমলেমদি থাবিগ্গী ইভম নচ্চদে ব্রাকংপবু কৌব্রুনা নিঙকপা মতমদা মনাক্তা হেক্তা মরাক্কে বাতেম্মহুনা পুবারিবু শিন্নরে—শিন্নরে ২॥

মরু ২গী মডাইবোই পুন্না মরু ২বু লোইয়িন পাচু শাম্নরক্লে—শাম্নরে ২॥

পাচু লোইযিন শাম্নবা লোইরহনা নোংদম্বগী নাক্তা চংহুনা থৌখনখ্রে—থৌখনখ্রে ২॥

মরু ২না থৌখন চংখ্রবনিনা ঐখোয়গী খাবা তাওরোইলাইনা মরু ২গী কাইবকবু নৈরোং শানা থৌখনখিববু তমজনা পাকন শানা থৌখনশি—শাশে ২॥

পাকনলৈরোং শাবা লোয়রবনিনা পাচু শাদম্মা নদী নদী মপা মপাবু কায়নদনা নৈরশে—নৈজরে ২॥

(শাবন মরথে ওনা লাইতানবা)
পোৎচং অমসুং থৌরম

মরুগী মঙাইবাই পুম্বা পাচু শান্নববু লোইহুনা চিন্না ৪ থৌখন্না চংজবগু ডগাক মঙাইখো নোদর্শি, লৈবাক্কি আরাবা পিগদবগী তিলমু লইমু ফবশনা পাখিদা কোমথিদা লৈনবা য়াওরে অসিবু খায়বমদ্রাদ রঙম্নি হাখশে — ভানবিও ২॥

ফৌথুৎনাক ৭ না পোকপা করোক লুক ১গা হৈবা-অহাও-অথুমশিং থুবাম ১ শং না ১ না পোং না ৫ থক্ক। খায়হুনা চিন্না ৪দা ১/১৯ম থমলে। লাংবু মহাংদা করোক অথুম অহাও লফোই হৈবা লুক ৪ বু থা। ... থচং-ফংবনা থোংনাং থাবা মরুদা প ওংবশদগী মরুম ... পায়নবা ইমাগী থাংবু কিবক্লে ॥

হুয়ম হখিচং ৫ম পোকপী ম্না মানিকখোলবী পুরুমজরি নয়াথংনা লাই ... নে। দখিনা কাখন। ইখুংশু ওইগদগে পীবিও॥

মরুগী হ্যঙ্কবদগী ইমাগী হেখামনক কৌবা চিংথৈ মরোল ৭ খোকশবু শিন্নহন। পোংনাং থাবনা খোইরিফাবদা পিবে॥

লেনা খুং পুং, শানক যৈহুনা আরাং মাইকৈদা হৈখরিবা মফমদা হৈবাং লেয়াংবু লৈহন্না লাইতাইনবক্লে ॥

১। আরাং মাইকৈদা মাইয়োকথা লাংবদা মরুনা লাইশোনবা :— রাঙম লুচং থোপ্পবিবিবা বুরুম চিংলেন ম্না থেঙ্গুম চৌংনিদো। লৈবোল নোংলোন ৯ দগী ফত্তবা অয়েং অথোং লাইবু লৈকুম লৈতারকনি হায়বগীদমক্তা চিন্না অসিদা লাইচিংলেন কৌবনা ‘লাইকিংলেন কিংনাইবা’ কৌনা ফম্বিরিদো॥ থোংথিং থোংহাংবনা ‘বোংনিংথৌনা’ ডাকপিববু কেংয়ৌ অসিদা

ফংজবা হৈরাং লৈবাং লাংজববু কৌবিও ওবা ।। অমম্বা মরোল ৯দগী কাবক্কনি ভমদনবা হাযতুনা মাক্লিঙী শরোই ২০না ওমশনা ওমলৌবেশ কৌবনা ফম্লিবনিদো মথমথোক্তি ফম্লিও থিংবিও লৈরোন ৯গী চিবানি কোরৌ ৭মক্কি থোইযুম ভাইবং মথৈবু লৈমাত্তেক কৌবনে ভাকপি বা ।।

২। নোংপোক লুকাথেন্দা—নোংলোম ১ মক্কগী কুঃথি কুমগাংবা নৈবি শাগ্ ইশেল, অথ'ক হৠও ল'কনি, লাকদবু ভমদনবা হাযতুনা মকনা ল'থুপ লাৈর শাথোক্না লাইমিংথোই কোলশৈলেল কৌনা শাথোকপিহনা মমিংবু লৈফুলেম কিনাইবা কৌনা ফম্লিরিদো ।। থোংভাক থৌগুবনা কোকচিংলেম্না ভাকপীববু কুপি নোদম্না ভাকপীও তানফংজবা থবদংবু মাইয়োকথানা লাংজরি লৌবিও ওবা ।।

নোংথৌ শমম্বদগী থোরকপা পুঃদি লৈশেম্বদা য়াওবা ভাক্কনি, কৌকগী লাইমুংথৌ হংহিং অশনবা' কৌবা শারে । ১৪ লৈশম থৌযাওবগী মথোং চানবু ওইবিবা চিংঙ্ পুম্বনা নোংদম্বিও ওবা ।।

৩। নো চুপ পাংবা মাইয়োকথাদা—কোমৌ ৭নি থাজা ১২ নিবু লৈহাং লৈথিংবা অতুম্বঙ্গীদমক্তা মক লৈশিলেম্না মভিক মঙম্বু লৈহাপ লৈথরীবা নোংলোম ১ মক্কগী ফক্ববা অয়েং অথোং লাইবু ফাওরক্কনবা হাইবগী লাইমিংথোইনা মশকপু চিন্না অমাদা মঙম্বু লাৈর থানা মমিংবু 'পেংবী শানোই হিংশারিক কৌনা ফম্বাল্লি ।। থোংশংবনা চিংঙ্ 'থৌভাইবনা' থোংশংবিরিদো মফমথোক্তী মফমথোক ফম্বীও ভাকপীও অহু নোঙ্গীদমক অশিগী কোমৌদা তানফংজবা হৈরাং লৈরাং অথুম অহাও থরদংবু মাইয়োকথানা লাংজবনি কুবিও । মথোংচানবু ওইবদি থাংজিংগী

শারোই "ওম য়োক তিং কং রিং সংত্তে মৈরিকপা হাংসে" কৌবা শারোই ১৭কি মথোং চানবু ওইরিবনগু কুবিও ॥

৪। খা মাইয়োকথেন্দা— নোংখাক নোংখোংবদা মহে মরোংবু মাংহন্নবা মতিল মকাং ফত্তবু থোরক্কনি হায়বগী লাই-মিংথোইনা। চিরা অমদা মশকপু লারৈ লাথুগ্না মমিংবু 'শরাং নোংফুলেল কিং খিং কিংনাইবা' কৌনা ফম্বীববু মফমথোকী মফমথোক ফবিও হায়জফমদা হায়জনা মাইয়োকথাবু লাংজনা চংজরি কুবিও ।। মথোং চানবু ওইবনা বাংব্রেনগী লাইবুংথৌ শারোই লৈশেমঙৈদা য়াওখিবা "ওম শারোই শা হুং-লেল চাকাবা" কৌবা ২০মরুগু কুবি নোংদম্বিও ওন্না ॥

মফনা পুরুম লৈতাইবা লোইরহনা নোংদম্বা ওগী নাক্তা চংলে ॥ চিংঙ্গ ফৌরুতি চেংচা মিংথোইনা কবোক অকাবগী লুকপু ওইদা কোন্দুনা কবোক চাইনা লমজিংলে ॥ লাইনৌতাবী শানিক নিক, থুং পেনা খোং, পুং শেন য়ৈহুনা খোইরিকাবনা তেংবানবগী ইমাগী থাং হেরা মনিক থাংবু পারহনা থাং ময়াদা লাইশোল্লক্লে ॥

থাঙ্গী মপুক ময়াংদা— "ওম তাওরোইলাই নঙ্গী থাংমি রূপা থাঙ্গম মত্তাল নাইবা থাংনি, তকুপ নোংথাং কুপব্রেং হাই ওন্না" লাইশোল্লা নাল্লে ॥

থাং ময়াদা— "উতুং তিংবা হোক হিকহিক ওন্না ॥ ফলক শোল্লে ॥ চুমথাং পাই কৌবা খোংলম্বু শাথোক্লা থাং হাইহনা খেংশিং শিংনা অমুক অমুক চোংহনা চংলে ॥ নোং-পোক অপাম্বা—পাম্থোইবনা মন্থোং চিরাদা থম্বশিংবু মৈকৌবে ॥ চেংচা মিংথোইনা কবোক চাইনা লমচিংলে ॥ শনিক লাই-নৌতাবীনা শনিক নিক্লা লাইশোল্লে— "ওম মুগুরূবা লম্বুরূবা

মিরং খৌওনবী নখোয় পুম্বনা তিনমু লাইমু ফত্তববু ত্তাম্বোক-পিরম্ম, ওরা" মৈহৌরুম্মু য়োৱদা— "লাকদবা লাক্লিবা তিল লাই ফত্তবা পুম্বম্ম লৈথিংঙ্, ওরা ॥

চিংথৈ চিরাদা অপাম্বনা মৈহৌরে- চেংচা মিং-খোইনা কবোক চাইনা মাং থানা খোইরিফাবনা 'চুমথাংপাই" থাংলোন্দা হাইদুনা শনিক পেনা, থুং, পুং শেন যৈদুনা "তিনমু ফত্তবা লাইমু ফত্তবা মতিল মকাং লৈরিবা লৈফদরে মতুংদা তিলচা লাইতং পুম্বা লৈকা লৈতুম তৌফরোই" পাওশানা লাই-ত্তাম্না লাইথংলো।

৩। কৌত্রু পাংনা অপাম্বনা মৈহৌনা খোংরাইনহুনা লাইশোম্না লাইতানে ॥

৪। মৈরমদম্ম অপাম্বনা মৈহৌনা খোংরাইনহুনা লাইশোম্না লাইতানবা লোইরহুনা খোংনাংখাবা নক্সদা পাওদমলে। খোং-নাং থাবনা চিন্না ৪বু য়েংলগা মরু ২ দা লাইতান-লাইথংচবা লোইরে পাওদমজববু মরু ২না য়াবিরহুনা থৌরোইরে ॥

মরু ২গী মঙাইরোই পুম্বা হৌজিক্কু তিনমু লাইমু ফত্তবা লৈরম্বা লাকদবা পুম্ববু থা পাংনা রাংব্রেনগী মাংশোক লাংদা লৈবা কোর্ফান ফাঙ্গাও ফম্বী, চোম কাইরা শিবি, মনম হুংশা য়াইবীনা লৈতম্বী ময়া থাবাক ফাক্না থৌযাবীগী মথিক মথারক্কা হোইশগ্রেদো হৌজিক্কি হরাও তয়াম্না নঙ্গী নঙ্গী নকাবু কায়নদনা য়ায়া তৌনা খোঙ্গা লৈহল্লশি— খোঙ্গারশি ॥২

লাইপুঙ্গী থরাই খোঙ্গান চংলমদাইদা লৈথাম পামেন মনাবু মৈথানা মৈওক্লে। ফৌত্ত শুকপু কৈনা থমনা কাম্না লাইবুংদা চংলে ॥ খোংনাং থাবা মরুনা খিকশেং লাইশেং 'সনা লমওকপু' লাইশোম্না খিকপেং চাইরে ॥

শন্না লমওক পাওশ্না

কোরৌ নোংথৌরেল ও ও ও ঈক ঈক ঈক ॥

লাইরেল বাৈমতিং থৌম্না মিরেল থৌরাংববু ওওও ঈকঈকঈক।

থরৈ লেৈম্নৈ লকি

ঈমু ঈওাং লক্কিকঈ ঈ

লৈকু লৈরাই লকি

ছুরৈ কৌশিং কৌরাংলক্কি ভিন্নরম্নে এ এ এ ঈক ঈক ঈক

পলেম ইমানা ভরেং খোংফাংলৈনা

লাইরেল নংবু মিকৌরকপাদ

ঈরাহীং ভাঙ্গোইলাংনা খোঙ্গোবরা হায়ববু

খোঙ্গা থুফদবা লাং

হুম্নিং শেঙ্গোইলাংদা

থুগবরা হায়ববু থুফদবা লাং

মোংবা আউপ লাংদা

থুগবরা হায়বগু থুকদবা লাং

শনল মাইথেথিং লাংদা

থুগবরা হায়বগু থুফদবা লাং

লাংলোন পরম অয়াম্ববু

মিকপ লাকমেৎ থুম্নি

রাইরেল ভোংনা চরোৎ লাংথোন রাইনা

লাইরেস নংবু হীং হীং থিঙ্গারক্লেদা ও ও ও ঈক ঈক ঈক ॥

তুমি শেনচাওাং লাইরেল নানা রাংনা

হীং হীং থিঙ্গারক্লেদা ও ও ও ঈক ঈক ঈক ॥

নাহৈ খিকপেংবা লোইরহনা শঙলেম্না চংহনা থৌথন পোৎলোই লোয়শিন্দুনা লংজা ইরান পুম্বু কোকপীও রাকোক-নবুলো প'ঙশানা হৈরাং লৈরাংনহুনা থৌরাইনরে হয়ম য়িচংচং ॥

খঙ্গনবা :— সনা লমওক্লা শিজিন্নগদবা মরমদি লাই হরওরিবৈ মখুং লাইগী মপোৎ মচৈ পুরিবা পুরিবীশিংনা করিগুম্বা খুজিন খুংনাম্থোক্লগী নাম্থত্নুনা। লৈবাক্তা তাখিবা থোকলবদি মাইবদা তাকলগা মাইবনা লাই নাশেংনা সনা লমওক পাও-শারগা হল্লেগুম্না পুহনগনি৷ পায়হনগনি ।

অমনা চোং৷ হুমাই য়ুংহুনা চোংথোং লিংহুনা পাচু লোইইন শান্নবদা মাইবীগী ফিরোল নান্থখিবা৷ শম্বাক্লোং তাখবা৷ চোং হুমাই তুখিবা থোক্লবদা সনা লমওক পাওশারগা হাম্নগুম্না অমুক শেম শাগনি ।

অমনা লাইফম অমদা ঈকৌবা থৌরম পাংথোক্লরোই মুপ-মুপী লাই পুবা-পুবী মশিং গুদরে তৌক্লশি হায়রবদি লাই-মাংদা হিরি ভিংলগা সনা লমওক্লা পাওশারগা ঈকৌবগী থৌরম কায়দনা পাংথোকপা য়াই ।

অমনা লৈবাক্কী নিংথৌ অঙম-অথৌ ফমনাইবনা চংথোক-চংশিন সনা খোংলেংবদা নাতৈ চাদহুনা ফিজি ফিনানা লৌহুনা তু-তাবা থোক্লবদা৷ সনা লমওক পাওশারগা মকম অহুদা তাইরমগনি ।

থৌরম খরসি লৈবনা লাই হরাওবগী মাইবগী থৌবু পুম্নবা ওঝাশিংদি তঙাইফদনা সনা লমওক চৌন্দা পুদবা য়াদে শোইবা তাম্বা তম্বা ওমদবনিনা অহুপা নিংথৌগী মখুং থৌগন তৌবা মীদি পাওশা অসি চিন্দা পুবনা শোইবা তাম্বা থোক্লবদা পাওশা হৌবা ওমথোরবদি নিংথৌ অঙম অথৌ পুন্সি নুংশাংই হায়না মরুশিংনা থম্মীরম্মী ।

১৩নি চনবা থাক্সা ১৫নি পানবা মরোং মরুনা পুবা ॥
(লাইরোই)

১। তেংবানবগী ইমাগী থৌখন— চিংথৈদা থৈবী চুমথাং মচুগী কুপয়িন পোৎলোই শেৎপী ওম হ্রীং হ্রীং লাইয়েক্না নাওয়োম্বী পুকশি খোম্মীনা লোইনবী (থাবী য়াংদেগা খোংদ্রাইবীগা) ২গা লোয়নজনা মরুগী লৈরাংনবা পুববু শেম শাহনা লৈবে । শাম্নগদবা কুমৈবী থৌরম্ম মরুগী মফমদা পাওচৎনবাম্লে ॥

২। অতিয়াগী থৌখল্লা — চুমথাং মচুগী কৈচোল খাংশেৎপা কোংটিংলেন্না মাগী লোইনবা শিংলোই ২৮ গা লোইনজনা মরুগী কিশেৎ লেতেংবু য়াণ্ডনবা থৌপুরে ॥

৩। লাই নৌজাবীগা হৈরোং লৈমগা ২না মুংকেং পাত্রগী ঈরাম্বুরগা হৈরাং লৈরাং পুথা শেম শাহনা খোইবিফাবদা শিন্নরে ॥

৪। খোইবিফাবনা খিকপেং চাইনা পোৎপুম্না শেংদোকলগা লৈয়োম (৩)বু চংবী থ তোন ১দা থাইনা হাপ্পুনা খোংনাং থাবা মরুনা কংলে ॥

৫। খোংনাং থাবা মরুনা শেম শানা ঈকৌউদা তৌখিববু তমজনা উহং লৈপোন ৫না য়োম্বু উংলো য়াইবিরেন্দা লাংলে অউম্না লাশেৎ ৯দা য়োম্বা লংথৈ ৯বু অতিয়াদা লাংলে ॥ অরোংবা লাশেৎ ৭না য়োম্বা লাংথৈ ৭পু ইখৈলেল লাইলৈমা লৈশিরেন্দা লাংলে ॥ লুমাঙ্গী লুকথেনবু উংলো য়াইবিরেন্দা থৌনিনা থৌনিরে ॥

৬। লাইনৌজাবীগী খোংনাংবাববু পুরুম্না নোংদম্বগী খোংজাম্না থৌনিববু নোংদম্বনা পাওপীরে ॥

ছয়ুম উংউংউং নহানোং
ময়ুম লুরেল ও লুরেল কুবিও
চীঙ্গোই পাওরোল মরিয়িথৈ কোল অচৌবদা

চিংঙু অনিনা আমম লৈশালকুপী লমছোবও ॥
থিকলেন উংলৈনুংদা হুপ্লাংগুম মপালথা।
চারি মউলিংনা ইংাল লৈশা থোরোইবও।
খেরে নুঙ্গম তকুপাক্তৌ ফোইডিং মপাল-থা।
চারি মউ লিংন ইপোক ফালয় অনুপ শুনা
খোইয়ম তাইবং ইপোক অরেইববু শ দম্বা
চিংও, পুথন হবাও তাযাম্বা কিলু থা
চায়না চুম্ব আনাই শ খোংফা লাইন উহনবা।
খোইচংনগু থ ইদরেদো কুশিংবা নাংদম্বা।
ছমৈথৈদা উগুমদববু হয়িংবা উজ্জবমু ফংজরে
খোইয়ম তাইবং ইপোক্তৌ পাকুম পান্তৌ অনিনা
চায়াক নোংদম শাম্ভাবু কোনা অসি যেংলগা
তাংলৌ পাম্নুংলকপদা খোংবাই লা লাগা
তাইবং চিঙ্গাকপু কোংবো অসিদি পিজৌও
নযুম থোঙ্গু লকপী চ নিরতুনা গ ডাই পাওশনশে হম্রিচং ॥

(লুক্কুৎপা)

পাওচেনবু চিংঙু পুথনা থোপুনা শিত্রে। মৈতৈ লৈমরেল মা খোংনা লৈমনা কোংখংদবী। চৌগুলো। তইপ্রেমা। থোংজ্রইবী। নোংথোংহুবী। মোংশাংহুবী বাশরী লাইলেমা ৭কা লোইনতুনা মমা মশিং থিতুনা মথেল (চালুপ অমগা নিপান) ১০৮ বু শুনবা লাংলে ॥

পিবালন কোঞ্জন কুথোকপনা জুচিংনা নমু তাইবং পে প্রে-মেন। তালবালেল। পোরোং খোক হাইবা, বংদিরোং। তাওবু লেল। চাওবুংলেন পিবা ৬কা লোইনতুবা তরা মুকপু হোরে—থোংলে ॥ অরাই কংদবী যুরেল ৭ বানশোবানা ভেংবাংহনা লুক হোবা লোইরহনা মরু ২না মেৎ ওইদা থোখম্না লুক হারে। মহুংদা

মরু ২না লুচিংনা মথদা লইমিংথোই ফম্মগা চিংঙু পুম্বা থ প্রাংনা ফমহনা চ'নরগা কোরৌ অসিগী মথেল অসি তুংদগু কংলরোইদকো ভাংনহনা শুক মচিদা খংহনা মহৈ মহৈ যেংনরক-পবু উবদা অতিয়ানা ৱাহৌবকই।। 'চিংঙু পুম্বা অসিগী মথেল অসিবু কুনজা খুদিঙ্গী হরাও তয়াম্বা অরোইবদা নোংদম্বদা 'লুকাল্লন কংপা' কৌনা কংলগা ইথে য তানফংজবা ওইরশে ‖ ভসি অহিংদি চিংঙু পুম্বা যুমহন্দনা থোখম্না খোঙ্গা ইহুন তম্ববু তরং ঈপাক্তা কোইনা চত্নুনা থোয়েংখিববু তমজনগে ৱ'কযে—ত্তিঙ্গা তোং খুমু কাইদোই—নৌবু পাযহনা হীবী হীবাওনা হেন্দুনা নোংদববু লৈখিম্না থোবোইশি" ৱাংঙ্গে ।।

নুংথিলগী লাইবৌ থৌরম

১। চিংঙু পুম্বা কানরক্তুনা কমফমলাংদা কন্নরবদা লাইনৌতাবীগা হৈরোং লৈমা ২না মাইয়োকথা অনোই লাংলে ‖ খোইরিফাবনা চিবা ৎদা 'হোই লাওনা' পাওচেল্লে ‖ থোংনাংথাবা মরুনা লৈবাংববু কাইহনা লাইবুংথৌ ৯ লাইরেম্বী ৭ তা লাইরকচনবু যেংনা লাংলে ।।

২। লুৱল লৈচাও হাপ্পী চুমথাং মটুগী কু য়িন পোংলোই শেংপী ৮ থোখন পোংলোই পায়হনা। লাই পাখ' ফিডো ফৈং চ'ন শেংপা ১২গু থোখন পোংলোই শেংনা মাগী মাগী ভাইফমদা লেপ্তুনা নিংথুম খুংলি পুনবী লাই লমা লাইবুংথৌ পুম্বনা শাংথ নেথনা ভইরে ।। অনোইরোই পেনানা মরু ২বু লইচিগী চেংখ'নবদা চংহনা লৈরে। লাইমিংথোই পা-খ বগু মঙ্গোংদা থাং কানবগী তুংদা লেপ্তনা লৈরে।। লুপ ২বু মরু ২না

খন্না লাইবুংবু ২রক কোইরগা (৩)সক শুরকপা লাইচি য়োরক্পদা থাম্নগা অশৈধনা লাইবুং ময়াইদা চংদুনা 'হোইরৌ' পাওগানা হরাও থৌরম্বু নিংশিংলে।

৩। লাইবুংথৌ লাইলৈমা পুন্না অশৈবনা হোইরৌ লাওনা খোংথাংনবক্নে নোইরশে—নোইসে ২॥

মরু ২না লুচিংনা লাইবুংথৌ, লাইলৈমা ১৪গনা লাইবুংদা চংহনা লৈহৌ রাবু নিংশিংলক্নে পাওশাগেকো—শাবিও ২॥

ভেংবানবগী মপুনা পলেমগী পিবুরুংদা চংদুনা মরু ২ না থৌখনববু থোইমা য়াম্না হরাওনা য়েংলগা য়াইবিকোন্দা হনগ্রগে পাওচেনখিববু তমজনা নোইবনে—মানি ২॥

মপারি শাংপগী য়াইফা থৌরম্বু পা-খংবনা নোংদম শঙ্গলন্দা চংদুনা মরাম্বা লাইমিংথোইদা হংঙিদো—হংঙি ২॥

লাইমিংথোইনা "ইশানৌ ইচাগী য়াইফা থৌরম্বু নিবদি ভাইবং অপিচানা শাথোরকপা দুমিত্তগী ইরু ইদুনখিবা অহানবা দুমিত্তা 'ঈ মপাল থাবা' কৌনা থৌনিবিও' তাকখিদো—তাকখি ২॥

মরু অহুগী দুমিত্তী কাওরে কমদৌনা থঙ্গদৌবা হংঙিদো—হংঙি ২॥

"ইশানৌ ইচাবু হয়েং মরুনা পুবা মৈতৈঙন্না কম্বান তোংবা ওরাঙ্গী অহিংগী য়ুংথক থানবদা পোকপনা খোংকম অম্বু থিগংপিবদা কংবা অহুনিদো" তাকখিদো—তাকখি ২॥

অহুদি মরু ৩ নি চথরগা মকাপ মরুনা পুবা কোরৌদা ওইগদরা হাইদো—হংখি ২॥

মানি ইশানৌ মকাপ মরুনা পুবা কোরৌহদনি খুমখিদো—খুমখি ২।

মরুনা নোংদম্বীতুনা ইচাগী য়াইফনবা ভৌবিও ননাওনা মচাকপু বাক্তনবা হোৎনজগে হায়তুনা মচাবু শিনৈদো—শিনৈ ॥২

মরুগী মঙাইরোই পুখা অয়ুক্কি ইতমদগী ঈপাল হৌনি হৌরশি—হৌরশে ২॥

থৌরম্ব, মরু ২না লুচিংনা নোইরক্লে—নোইরি ২॥

শঙ্গাই মাঙ্গোনগী শিংকাপ ২গী ময়াইদা ইমাই চোনবা ইশাইফু অমা থমশে—থমশে ২॥

মনাক্তা মৈরা হৈরুক লাংশে—লাংলে ২॥

লৈরাং পরেং অমা পায়তুনা ইশাইফুগী মঙক্তা হুকশে—হুকলে ২॥

মালেম অঙাংনবা সুমিৎপু থাগোম্না চেং থোইদিং লৈ, তিংথৌ পায়তুনা (৩)লক লৈহুনশে হুনশে ২॥

নাওরা অসিচাগী মখিংবু পাগ্রংবা মিংহুম্না মপাল মউ চাওনবা খুৎশা ১০বু চেপনা লোল্লো—লোল্লে ২॥

নমথি হংঙাই কোকহল্লো,
তিঙ্গু লাইচু মাংহল্লো
মউ মপুং কাহন্না মপান শন্না শাৎহল্লো
হৈরাং চুম্না পানবগুম
মঙম্বু শন্না শাৎহল্লো, ঙালহল্লো,
তিং তিং চাওরো সুমিৎনা কাগে কম্নিগৈ
নওম্ব, তিং তিং কাহৌরশে,
অসি অরাংনা হৌরবগু
হয়েৎনা মাংদবগুম লৈহল্লো,
হাদা চিংঙু য়াইপুবা

চিংথৈ মালেম অঙানবা কুবিও কুবিও—কুবিগে কুবিগে অয়ুক্কি থৌনি লোইরবনিনা সুংথিল হায়থরকপদা অরা অনা ।দবা ৯বু ঈশাইকু খিন্নাচেং থোইদিং লৈ তিংথৌ

থৌনিবু লোইরবনিনা সুমিদাং ঈ-মপাল থাবা থৌরিঙু কাইদনা অমুক নিরশি— চায়বিয় ২।।

লাইমিংথোইগা মশানৌ পা-খংবগী ৭না মপারী অপিচা অলো অনা পাওশাড্রিববু য়াইকনবা থাগোনখিবনু নিংশিংনা শাদমশিকো— শাদমসে শাদমসে ।।

সুমিদাং ঈশাল থৌনি—

লাইমিংথোইনা ঈশাইফু লৈনা ৫ শুনববু চিয়া ৪ দা, লৈঙাকচৈ য়ুংহুনা লংচা ৭না কোইনা চেং থোইদিং লৈহুনখিববু নিংশিংনা পাওশাশে— পাওশাশে ২।।

ঈশাইফু মাংদা খিল্লো — খিল্লে ।।

চিয়া ৪দা লৈঙাকচৈ য়ুংহনা লংহিংলচা ৯না কোইশিল্লো— য়ুংজরে কোইশিল্লে ।।

ঈশিংশা মহিবু লৌহনা ঈশাইফুগী নমলোন্দা আঙ্গি ঈঙাল্ । লৈশাবা কানো হাপশে— হাপলে হাপলে ।।

ঈশেং ৯বু ঈকৌহুনা ঈশাইফুদা ঈহৈরো— হৈরে ২।।

চেং থোইদিং লৈ তিংথৌ পায়হনা লৈহল্লো— হল্লে ২।।

খুংশা ১০বু লোমহনা সুমিং থাবু পুক্কমা নাওয়া মমিং হায়হুনা চিংঙ ৫দা হায়জ থৌনিশে— নিশে ২।।

১বদা শাম্ন মকোক পানবা 'শাজুং তেলহৈবা কেতিকে' কৌববু লৈহনশে— হল্লে ২।।

২বদা— নুংবা মহারাবা চিংঙ পাঙ্গলবদা লৈহলশে— হল্লে হল্লে ।।

৩বদা— নুংমু তুমদা মংদবীদা লৈহল্লো— হল্লে হল্লে ।।

৪বদা— মালেম অঙানবা সুমিংতা লৈহল্লো— হল্লে ২।।

৫বদা— লৈশাতাও থাগী মকমদা লৈহল্লো— হল্লে ২।।

ইশাইফু ময়াদা পুদোন ৫বু থমদুনা থাবা তাওরোইলাইবু খোঁপুরিবৈদা অকাইবা পিরক্পনবা লৈহুনশে—হুন্নে ২॥

লৈঙাক লৈহুন লোইরবনিনা অপিচানা শাখোক্লরকপা খোংঙম্বু থিনা খোঁপুবশে হায়রিও ২॥

ভেংবানববু ইঙাল লৈশানরকপা উলো যাইবিরেনবু লৈরাংশে—লাংশি ২॥

নোংদম্বগী লুহলংগী শাখোরকপা শালাইলেন অমম্বা লৈশিবেন লৈপুবা ২বু নিংশিংশে—লাংজরে ২॥

মালেমদ তকাংথ রা শেম্বা লাইমিংথোইগা কোক্লিন-তুংথ কপগা বু থাগোনগি-থাপোক্লরে।

"লহন অশিদি ইনাওনা যাংগী নয়াম্বনা খোঁপুবনি ইচাগী যাইফনব খোঁপুবকপা চিংঙ শিংদি ইনাওন লৈহুনবীযু" তাকপীহুনা খোঁনিংখিব শবগ নিংশিংনা লাল শ-লাংশে ২।

লাইমিংথোইগা পাওশাবগা পা-খংবনা খুৎ লোমহুনা খোঁনিখি বু পাওশাংশে-শাংশে ২॥

লাইনিংথৌনা ম্নাইবী বাম্বা

১। লৈক্লহুনা কৌক্র অশিবদা শিন্নববু কৌক্লনা মুমিং ৭ নি লৈমিন্নখিববু নিংশিংনা কৌক্রবু লৈহুন্নো—হুন্নে ২॥

২। শাকোং শাবৈদা শিন্নহুনা মুমিং ৭ নি লৈমিন্নখিববু অনৌ য়েম্নিং চোংনবা লৈহনশে—হুনশে ২॥

৩। থরোই থাপাদা শিন্নহুনা মুমিং ৭নি লৈমিন্নখিববু নিংশিংনা লৈহুনশে হুনশে ২॥

৪। মুমিত্তা শিন্নহুনা মুমিং ৭ নি লৈমিন্নখিববু নিংশিংনা লৈহুনশে—হুনশে ২॥

৫। থাদা শিন্নহুনা মুমিং ৭ নি লৈমিন্নখিববু নিংশিংনা লৈহনশে—হুনশে ২॥

৬। তরং লাইক্লগী শিন্নহুনা শুমিৎ ৭নি লৈমিন্নখিববু নিংশিংনা লৈহুনশে – হুনশে ২॥

৭। কাম্বী মৈশাহুবিদা শিন্নহুনা শুমিৎ ৭নি লৈমিন্নখিবব, নিংশিংনা লৈহুনশে—হুনশে ২॥

৮। মালংবদা শিন্নহুনা শুমিৎ ৭নি লৈমিন্নখিবব, নিংশিংনা লৈহুনশে — হুনশে ২॥

মালংবনা পান্থৌ মপা ওইগদবগী লুবাইদা থম্বিরগা থাক্লা ১ লৈমিন্নবগা পলমগী সিনদা 'হোবি হোবা' কৌনা যাইবিবু থকসিনবব নিংসিংনা লৈহুনসে হুনসে ২।

লাইবুংথৌ লাইনৈমা পুং যাইবিব, পালেম শিমুং যৌবদা লৈশিবেল লৈপুবী ইমানা ঈগী মশক রাকনবা থম্বিখিববু নিংশিংনা লৈহুনশে হুনশে ২॥

ইমানা থোপাংখিববু উবদা লাইবুংথৌ মনা কাইরি লাথুপ থানা শেমগং-শাগৎপদ যাওবিববু নিংশিংনা লৈহুনশে - হুনশে ২॥

শিংলিং ১০বু মুং কৌবা লেংদ হুমদবা মালংবু নিংশিংনা লৈহুনশে — হুনশে ২॥

ঈদগী তিং শেম্বা তাওবাইলাই তিন তরেং তিনতরিং কৌববু নিংশিংনা লৈহুনশে – হুনশে ২।

লুম শেম্বা মাজি তিলকাপ হোথ হো কৌববু নিংশিংনা লৈহুনশে – হুনশে ২॥

তোংবু শেম্বা নোংপোক পাম্বোইবা এবং কৌববু থাগোম্মা লৈহুনশে — হুনশে ২॥

শিংলি নাওরিবু শেম্বা চৈক্র ওম চিবিৎ জি ভি কৌববু নিংশিনা লৈহুনশে — হুনশে ২॥

কুবাম্ব শেম্বা থাংজিং ওম য়োকথাং-বাই কোটিং কৌববু নিংশিংনা লৈহুনশে হুনশে ২॥

কুবু শেম্বা কোঙন ভুথোকপা সেন্না করেং তরংবা কৌববু নিংসিংনা লৈহুনসে - হুনসে ২॥

হুই শেম্বা অতিয়া থুপলং মরু পাওতাকপা কৌবরু নিংশিংনা লৈহুনসে - হুনসে ২॥

য়াইবিবু থাজা ১ গুনা শেমগৎপবু লোইবা ওমদতুনা স্নারেল স্না তুকুপলেং স্না লৈহিংচিক ফুকুপলেং কৌনা লাংপুং মনিক স্নানা য়োমতুনা থমলগা লাইবুংথৌ ৯না থম্নেদো—থম্নে ২॥

চিংঙু ৯না ঙমদববু উবদা নোংদম্বনা লুমলাংদা লাইশঙ ৩পু শানা থোংলোন ৯বু য়াংনা থম্বিও তাকথিবধু ৯না থোপুরক্রে—থৌপুহনাবিও ২॥

য়াইবি লাইয়েক ১২, ৫ক ৩৫, অপকমা ৯, তিপু ৭, চৈনপ ১৪না কোইনা লৈনা ২ পাম্না কাইরেল ১ লাংয়েল ৭ পু শানা থাবা হোরে কোক পায়রো - পায়রে ২।

কোকপু কংলোইয়া লাইশঙ কৌএ ॥ মচু অশংবা লৈচু মরোন ৭ ওইবা মতম্না শজিবু কালেন থাপী মতমু থমশিকো—থমশি ২॥

লুরাইবু য়াংনা মথক্তা হামুল কাইরেল থারসে—থাশে ২॥

ওহ লাইয়েক ২ বু হাপনা মিং য়াংলে মিংপায়রো—পায়রে ২॥

য়েত্তা 'হুং' ওইদা 'য়াং' হাপতুনা পীতম য়াংলে, পীতম পায়রো—পায়রে ২॥

কোক্কী নাক য়েত্তা নাবু য়াংলেনা পায়রো—পায়রে ২॥

য়েত্তা থরাইপিচা শকোংশারে, ওইদা থরোই থাপাগী কাইরেল থাশি—থাশি ২॥

মফমড়বু চুবা, নাখোং কৌশি—কৌশে ২॥

পীতম ২গী মথক্তা য়াইবিগী কাইরেল ফুং লাইয়েকপু থারে লাইবক পায়রো পায়রো ২॥

লমাই ৩৮৫গী মথাদি লমাই ৩৮৭ তা পাবিয়ু ।

থঙবা :— খোয়ম অশি অতাং ঈপান থাবা মতমদা অতাং মাগী থবাইবা লাকপদগী খোংকম ৮, মপানা অমুক পুবা, মপানা পীরগা মবানা থা ১০ পুবা লাইশিংনা মানা মানা ভন্না ময়খৌ হাপ্তুনা শাগৎলকপগী বারি, মুংশিৎ ১০গী মখৌ মশিন, শিংলি ১০ গী মখৌ মশিন, খোং ৯ দা পুরিবা লাইশিঙ্গী মখৌ মশিন, উন শেমলকপা, শরু শেম্বা, শম, তু খুজিন ভোং অশুন্না মাগী মাগী মখৌ পুনবগা মাগী মাগী মশিন পুনত্তুনা শেম্নরকপা ভাক্লনি । অতাং অদুগী মশাদা শেমলকপা লাইশিংনা হেন্না শেমখিবা, বাংনা শেমখিবা অথোই অহেন নাইনা শেংবিও হংহনা চেকাশন্না থৌনগনি ।

অদুগা কারিগুম্বা থংহোদবদগী ভুংদা শোইনাইবা মুংভাইতবা চিংনবা লাক্লবদি নোংহৌননা মৈ ইরাংতুনা ইরাংফু লাংতুনা থৌনিগনি । মশিগী কান্নবদি পুক্তা অতাংনা থা ৫-৭-৯ চংলকপদা থা অহু কাওবদা শেম্নরকপা হাপ্লখিবা মওমশিংবু মুপাত্তুনা লিবিহনা নত্রগা মুপী মশানা পুক্লিং চংনা তাক্লবা পাক্লবা ওমজরবদি অতাং অহু পোল্লক্লপা মতমদা মপোক মশক থংবা মপোক অমা ওইগনি । খোয়ম অশি থক্তি মকশিংনা ঐশুবনা পোকপা ইচাবু লেমনা মাংবা হৌনবা হাইনবদো অশিনি হাইনা থম্বীরম্মী । মতাং মতাঙ্গী মরক মরক্তা কান্নগদবা ওইরবদি থেৎ থেৎতুনা হাপচবনি । অপাবশিংনা মতাং চাদে হাইহনা বারোৗবা তৌবিগনু ।

মথক্তা শ্রীং লাইরেকপু থাহনা য়াংলে, মকসু লাইবক শমথোং—কৌশে ।।

লাইবক মথা পীওম ২গী মরক্তা হ্রীং লাইয়েকপু ইতম ও পুনবা চুক থশে…থাশে ।।

য়েথংবদা আত্তিয়া, ওইদা লৈশিরেলগী খুদানি কাওগনু —কাওরোই ২।।

লাইবক ময়াইদা নোংদম্বগী, শমথোংদা লাইনিংথোইগী পীওম ২গী মরক্তা মৈগী মশক্কী লৈকৎ লৈরাংজবদা খুৎশা ১০না শোকফদে—থংজরে ।।

উংলোয়াইবিরেলগী য়েৎ ওইদা অত্তিয়াগা লৈশিরেলগী লাইমিৎবু ওম হ্রীং হ্রীং শ্রীং শ্রীং কৌএ কাওগনু—থংজরে ।।

য়াইবিনা হক্ন্দা চৎথোক চৎশিন শান্নবা মফমু য়াংশে, নাতোন পায়রো—পায়রে ।।

মফমতুবু 'শানাচিল' কৌইদো—কৌই ।।

পীওম ২ গী মথা, মিৎ ২গী মরক্তা য়াইবিনা ভাইহাক খাংভি অত্তুগীবু নাখাং কৌনা লিকলম ও থম্মিবনি খংউকো —থংজরে ২।।

লাইবুংথৌ লাইলৈমা খদাং পায়মো—পায়রে ।।

চিনবান, থোনাও তেংথনম্ হাপ্ত্না য়াইবিনা থাগী কাই-রেলদা চংথোক চংশিন শান্নবা লিক্লমু য়াংলশে—য়াংপিরো ।।

থাবাক পায়রো—পায়রে ।।

মফম অশিদা চিংউ্ ৯না নোংদম্বগী ২শুবা কাইরেল থম্ববু নিংশিংশে—নিংশিংশে ।।

মফম অসিম্ব লাইয়েক ১৬না কোয়না হাপ্তনা 'মুংবাথেন' কৌনা থাইদো—থাই থাই ।।

ক, ল লাইয়েক ২না হকী মফম শিন্থনংনা থম্মিদো—থম্মি ২ ।

ক্ষ লাইয়েকনা কময়া ২ শেগা ২বু য়াংলিদো—য়াংলি ২।।

ক লাইয়েক্তা কোয়রিবগী মকখ, থবাক, সলোন, থোইথৌ পুক কৌনা থম্বীরে—লৈ ২।।

হুংবাথেনগী মথা মম্নংদা হ, ক, লাইয়েক ২ বু হাপ্তুনা কিয়াক নোংখুমগা পৈগা ২বু পাল্লেদো- পাল্লি ২।।

মথৌ মতম্, ইঙা ইঙেল থা ২গী মথৌবু পুনা থম্বীদো-থম্বী ২।।

সেগা পাযরো, প'খোম হাপশে পায়রে ।।

পাখোম পানসে—পাজবে ২'।

লৈকম য়াংনা খুনিং পাল্লো—পাল্লে ২।।

খুংশা ১০ বু যাংনা খুবী, খুদোম্বী, খুয়াই, খুংনিংথৌ, খুংনাওবী কৌনা য়াংশে—য়াংলে ।।

মশক্তি মওমখি য়াইবিরেল সিদবা, অতিয়া, লৈসিরেল লাইমিংথোই কোঙ্গয়াংবা চিংগু ৫গী মতম্ থম্বীদো—থম্বী ২'।

লেংজুম ২ পাযবো—পায়রে ২।।

য়েংথংবা পাখোম মকদা বাংব্রেন, ওইগী মরুদা মাখিং চিংগু ২গী কাইরেলবু য়াংনা থমসে—থমজরে ।।

য়েংকী খুংজোয়া থবাক মথা লাকাদা মখো, চিংগু ৯ থা ৩ গুবা কাইবেল থাখিববু নিংসিংসে—পাওসাবিও ২।।

লাইয়েক ১২না কোইনা হাপতুনা মহুনা অঙাংবা লৈচুবু সাথোক্তা মঙয়া 'থরান, লাংবন থা ২গী মতমবু থৌপুবা মকমবু অমংথেন কৌরেদো—কৌরে ।।

য়েংলোমদা ঈরৈমগী ঈচেল, ওইদা খিবোং থাও পাল্লে অমংথেনগী মথা খুংলোন ৭ কুম্না শ লাইয়েকপু হাপতুনা থোইপুং' পাল্লে, স লাইয়েকপু হাপতুনা খিংসা হাপ্লে নিংসা পায়রো—পায়রে ।।

'ক' লাইয়েকী কিহুপ মথা থংবা ২না মউ ওইহনা (৩) লাইয়েকপু থমতুনা কমথোং মথা কময়া পায়রো—পায়রে ২।।

থৈরু থৈবাক হাপশে—হাপশে ২॥

খুউ পায়ও খুউ কাং হাপথুনা খুবোম শাশে পায়রে শারে।

খুঙ্গেং পায়রো৹ খোংপাক খুজিনখাবু হাপনা খোংশা ১০ য়াংশে—হাপশে য়াংশে ॥

খোংত খোংবী খোংনাও কৌনা য়াংশে—য়াংশে ২॥

খৌরমবু উবদা চিংঙ৲৯গী ভেংবাংনবা ওইনা সুংবা মহারাবনা মিউবা পাগী মশকপু হাপলে সুংমু তুমদা মাংদবীনা মিউবী পীগী মশকপু হাপলে—হাপশে ২॥

মিউবা৹ মিউবীগী মখাদা মোইতান—পেংখোংবু য়াংলে—য়াংলে ২॥

মঙাইরোই পুশা খোইপুং পায়রো পায়রো ॥

য়াইথবরেলগী ৪শুবা কাইরেল ১ লাইয়েক ৯০না কোইনা শা অ'হংবা মচু মান্না য়াংশে৹য়াংশে ২॥

মথৌ মঙমবু মৈরা৹ হিয়াঙ্গৈ থা ২গী মঙমগু হাপনা থম্বিদো...থম্বি ২॥

মফমসিগী লাইমিংবু মিহিং সং সংদা অপাম্বা কংলৈথেলমুং কৌনা চিংঙ৲৯না শাইদো—মানি ২॥

চিংঙ৲৯না লৈফম অসিদগী খুৎদোল অমা মথাই কুম্বগা ৫শুবা কাইরেলবু শাখিবমু নিংশিংনা চনিং পায়রো...পায়রে

মফম অসিদা লাইরেক ৮না কোইরগা ২ অমনা থাদা ৬ অমনা থাঙ্গৎভুদা অকোইবদা হাপশে—হাপসে ২॥

মচু মঙানবু অশং চুমথাং ওইবা মঙমনা পোইশু৹ বাকচিং থা ২গী মঙমবু থম্বিদো—থম্বি ২॥

কাইরেল মমিংবু সোং সোংদা হিলিকহো লুমলাংথেল কৌনা থ'রেদো—থারি ২॥

কাইরেল ৬শুবা শানবা চনিঙ্গী মখা থুংদোন অমা মখাইদা পায়রো—পায়রে ২॥

লাইযেক ৪না চিন্না ওইরগা লাইয়েক হ৹র স ওদা থুদা ওইবা মওয়া ফাইরেল৹ লমদা থা ২গী মওংবু হাপনা সাজুম্বাখেল খোইদৌ সনলাইবা কৌনা থমখিববু নিংসিংসে সাজুবাখেল পায়রো—পায়রে ॥

মরু ২গী মডাইরোই চিংঙ, ৯না খোরন লোইবা লোইদাম থাজা ২বু শুরম্মে কদোদে নাওয়েংদে—লেংদে ২॥

চিংঙ, ৯না অমুক তান্নহনা কাইরেল ৬কী খোংলোন ৯বু য়াংমবা তান্নহনা য়াংখিববু নিংসিংসে—নিংসিংসে ২॥

মডাইরোই পুখা লুবাই পায়রো মকম অসিদা কৌক্রনা পোরান কৌনা খোংহাং খোংথিংনা ফম্মিদো—ফম্মি ২॥

য়েংথংবা থবাক পায়রো সম্বোন্ধী কৌবা খোংবু মান্নহনবনা উংতিলয়ান কৌনা খোংঙাক্লিদো—ঙাক্লি ২।

মকম অসিদা ঈসিজী খোংলমবু য়াংলিদো—য়াংলি ২॥
ওইথংবা থবাক পায়রো মকম অসিগী মখুংদা ৩শুবা খোংবু য়াংখিববু নিংসিংসি—নিংসিংসে ॥

খোংদি পৈ কৌবা খোংনি সংবনা পোন্নান কৌবা কৌক্রনা খোংসংলিদো—সংলি ২॥

৪শুবা খোংদি খোংসাবীনি খোংঙাকপনা অতিয়ানা 'হ মপলমান' কৌনা ঙাক্লিদো—ঙাক্লি ২॥

ওইথংবা পুক পায়রো অমংথেনগী মখা তম্না…পায়রে ২॥

৫শুনা খোং অসি থিবোং থাওনি অসিবু ঙাকপদি 'সগোল ফাবা মাজিংনা' বিয়ান কৌনা ঙাকলিদো—ঙাক্লি২॥

৬শুবা খোংদি মসিংথানি অসিবু ঙাকপদি 'খোংঙারেন্না কাং' কৌনা ঙাক্লিদো—ঙাক্লি ২॥

ঙকখোং পায়রো ৭শুবা থোং য়াংগে—পায়রে ২॥

থোংফম অসিদা চিংঙু লিকচাও শিবনা তক তক কৌনা খোংঙাক্লিদো—ঙাক্লি ২॥

থোংফম অশি অরান হুংবাথেন কৌইদো—কৌই ২॥

৮শুবা থোং য়াংনবা খোইপু পায়বে—পায়রে ২॥

থোংশিব লৈমা-রম্না হোং লাইরেল লৈকুপ্পী লৈ'তংনপ কাকা কৌবীনা মশকপু শিমপোং কাইবোংগুম্না শাথোক্তনা ঙাক্লিদো—ঙাক্লি ২॥

৯শুবা থোংবু কনখোং ২গী ময়াইদা পায়রো—পায়রে ২॥

শাজ্ঞম কৌবা কাইরেল অসিদা অচওপু, চাওদাপুং, পোক্লপু পুঙ্গপুং, কৌবিশু লৈদো—লৈ লৈ।

থোঙ্গী মমিংবু মোইত্তান কৌনা সোং সোংদা হিলিকাক্তা কৌবন থোংহাং থোংথিংবগী মথৌ মওম পুনা কম্লিদো—কম্লি ২॥

নুমিদাং ঙ্গ মপাল থাবা

লাইবুংথৌ লাইলৈমা পুন্না চিংঙু ৯না নুমিৎ পানবদা থা ৩শুবা নুমিৎ ওইরম্মদো—ওইহনবিও ২॥

তাইবং অপিচা ঙইববু তিংলি য়াংলিনা তানয়েদে—হায়বিও ২॥

চিংঙু ৯না খম্নবদা ঙম্মরোই খন্দুনা মক্তদা অপিচাবু শিম্লে দ শিম্লরি ২।

চিংঙু ৯গী বাবু তাবদা মক্তনা লাইমিংথোইবু অপিচাবু শাফোংনবা মক্তগী কাইরেল থারো হায়দো—হায়বিও ২॥

লাইমিং থোইনা থৌপুনা মশক্তি ১ তা ওইবা মমিংদি ১০ খোক্লা অমত্বগী মশক্লা য়োমলিবা মালংবগা লোয়ননা চংথিববু নিংশিংনা পাওশাশিকো—পাওশাশে ২॥

লাইমিংথোইনা নুংশিৎ ১০ গা অপিচাগী খুজিনথাদা খুংনাওবীগী খুংজিম্না য়াংতুনা 'সংসা' কৌনা কাইরেল থানা চংলে থোংপাক পায়রো—পায়রে ২॥

ওইথংগী কময়াদা "ভিলখোইবী কৌনা থারে কময়া পায়রো পায়রে ২॥

খুমজংদা পিংলুময়া কৌনা থারে খুমজং পায়রো—পায়রে ২॥

হেংথংবা খোমথাদা লৈশং কৌনা থারে খোমথা পায়রো —পায়রে ২॥

লুংবাথেন্দা খুম্মোংয়াই কৌনা থারে থবাক পায়রো—পায়রে ২॥

কংলৈ থেলপুংদা ক্লীং থুং চিরিক কৌনা থারে থেলপুং পায়রো— পায়রে ২॥

অমংথেন্দা দং লাইয়েক্লা নাওয়োম্মা থারে অমংথেন পায়রো —পায়রে ২॥

হ্লীং লাইয়েক্লা নাওয়োম্মা লুমাংথেন্দা থারে লুমলাংথেন পায়রো—পায়রে ২॥

হরস ৩ না খুদা ওইনা শাজুম্বদা থারে শাজুম্বথেন্দা পায়রো—পায়রে ২॥

সুংশিং ১০বু মমিং ২ থোকনা অফবা পুরা হুমলেন সুংশিং, ফত্তবা পুবা হামলেন সুংশিং কৌনা থামবাহনা সুংশিং ১০ বু লুংচংবা শিংলি ১০দা থমলেদো—থমলে ২॥

লাইবুংথৌ লাইলৈমা পুম্বা সুংশিং ১০ বু শিংলি ১০ দা থম্মগা থেলবুংদা ক্লীং, লুমলাংথেন্দা হ্লীং, শাজুম্বাথেন্দা স্লীং ৩ বু নিনিংনিং পাওশানা রিরিরি চিংখত্তুনা থকলোমদা চংখংশে—চিংশে ২॥

শমখোং লাইবক্তা শ্রীং হাপশে—হাপশে

লাইবক ময়াইদ ক্লীং হাপশে—হাপশে ॥

পীতম ২গী মরক্তা হ্রীং হাপশে—হাপশে ॥

নহাক ঐহাক নহাক কৌবা লাইয়েক্লি কাওগনু—থংজরে ॥

য়েংথংবা পীশুম মথক্তা হুং ওইথংবা পীশুম মথক্তা মং হাশশে মশক্তি অতিয়া মরু লৈশিরেল লৈপুম্বীগী মশক্নিদো—মানি ২॥

নাথাংদগী শংনা চিন ফাওবা খোংলম ২ দা স রহ ৩বু হাপশে—হ না নিংশা শাথোকউ নমুক 'হ'ন। লৈচংভ্‌ 'র ও'না অমুক শাথোকউ নোংদম্মা থাবিংবদো—থাবি ২॥

লুবাইদা ওম হাগুম্প কিকমদা ' উং য়েং ঙং ' ৩বু থারেদো—থারে ২॥

শিনবা লেইরহুনা লাইমিংথোইনা শাজ্‌ম্বা থেন্দা ফম্মগা কংলোইযা ভম্মা য়েরে, ফেশে—য়েংজারে ॥

য়াইবিরেম্মা নোংলোম্না থবি কৌনা মেরুবনা মিংস্বাসো ৫িলথাক শং কৌন (উং য়েং ঙং) পাওশানা ঙংভিদে ৩ংভে ২॥

অপিচাবু নাওরে হুয়া ' নাওরেংবা খোইরিরি ' কৌনা ৯দা শিন্নবে—শিন্নরে ২॥

চিংভ্‌ ৯না অপিচবু কোনশিনবগা লোয়ননা য়াইবিরেলবুত্ত থাদোকশিগনু নোংদম্মিদো—নোংদম্মি ২।

চিংভ্‌ ৯ না হরাওনা থানদনা ফম্বানবিয়ু লাওখি হায়বগী নাওরেংবা মিংহনবনিদো মানি ২॥

থা ৫ শুরকপদা অপিচাবু খোইরিরি শংথুপলেন মিরেংমু কৌনা কোঞ্জম্নিদো কোনবিও ২॥

অপিচা নঙ্গা ঐগা লৈহৌভেদা ইশক ইরোংবু লৈতনা লৈরম্বনি। ইপোক অশিনা নং ঐগী অহুম শুবা ইপোক্সী নঙ্গী কাইরেম্প ৬পু শুনা কারক্ত্‌না ঐগা অমুক লৈমিংশি বাতেম্মহুনা লৈমিন্নেদো—লৈবিও ২॥

অপিচাবু থাজা ৬ শুরকপদা মাংহনবা ভমদনবা কিকোংশংবা কৌনা নাওফম্মা য়োম্বীহুনা ' মুবা লাংঙা মুঙাং নাওবা শংপাকুপ ' কৌবিহুনা থম্বিদো থম্বিও ২॥

থাজ ৭ চংলকপদা অপিচাবু হোয়ো অঙ্গা কৌনা লৈনিরৈরেদো— লৈমিন্নবিও ২।

থাজা ৮ চংলকপদা অপিচানা মরুদা ঐবু থাদোকপীগন্নু হায়'দা - হায়বীও হায়বীও ।।

হে অপিচা নঙ্গা ঐপা থানবা লৈতনা লৈগনি নঙ্গী কাইরেল ও পু ঐগী কাই.রল কংলৈথেন, অবংথেন. শাজ্রবা থেন্দা লৈহুনা ইমিংবু শেম্বারা কৌনা নংবু খুমু তুং ইন্দুনা লৈগনি ঐবু কাওগন্নু সোং সোংদা হিলিক হো কৌবা পোক্লা থোংদা থোকতুনা হুন্নফমন্নু ওইনা থোকদবনি তাকপীদো— তাকপীও তাকপীও ।।

অপিচানা থা ৯ শুরকপদা থোক্লগনি খনবদা মুংবংনহুনা লৈদো— লৈহনবিও লৈহনবিও !

অপিচ'না মুংবংনববু উবদা হে তাইবং করিগুঙ্গীবু নাবনো ঐনা নংবু উনবা কংলোইরা কৌবা মফমদা লেংদনা লৈগনি। হ র, স ৩ খুদা ওইবনি ক্লং হ্রীং স্লীং হ্রীং ক্লং স্লীং. স্লীং ক্লং হ্রীং কৌরকউ লুম্নাং থান য়েংলকউ, ঐবু থানবা লৈতনা উনগনি" তাকখিদে।— তাকপীও তাকপীও ।।

মরুগী মতাইরোই পুম্বা চিংঙ্‌ থোংচান খুদিংদা মপাল মহৈযবু চুম্না পান্নবা মপাল মউলিংনা ঈপাল থাববু লোইরহুনা ১ক ২না লুচিংনা ধীরম মথং মথং পাওশানরক্লে নোইশিকো— পাওশাবিও পাওশাবিও ।।

থাজা ৯ সুরমদাইদা অতিয়ানা লাইমিংথোইদা থোকদবা মতম্বু কয়াম বাংলিবগে হংজিদো— হংজি ২।।

অতিযানা হংববু লাইমিংথোইনা "মরুনা হংবি তাকপী-দবঙ্গী:থাক্তবনি মরুগা লৈখিন্নবনা থা ৪ শিরোমনুংদা লৈম্নকপনা থাজ ৭ সুরকপদন্নু শাথোকপা ময়াবনি' খুমখিদো —খুমখি ২।

পারি নংনা ফৈদোম ৪বু য়াংশিবা নত্তুরা ঐদি নরুম থুপ্তুনা ইথোবু থাইজংতনি পারি ঐবু ঁহন খংহনবিরো নোংদম্মিদো— নোংদম্মি নোংদম্মি ।।

মরুপা ইমা মরুগা ২না থৌপুবিও নচাম্ব হিরি তোংদম্না পাওশাগে তামহুনা ভাইররে— ভাইরে ২।।

মরুনা থোইয়ুম তাইবংবু ঈশিং য়াবা কৌবীহনা থোইরিনা কিশেংপা নাওকম্না নাওয়োম্বব থোকদবা থোংবু তাকপিহনা থাঙংf গেদো— থাঙংপিও ২।।

লাইবুংথৌ লাইরেম্বী পরেং পরেং নদী নদী খুংশা ১০ না লোংজুম অনৌদা শায়ও— পায়রে ২।।

নিং তেক্লা চংলো মরুনা পোক্ল থোং হাংঙে· ঈশিং য়াবা লাক্লে কম্না শংডো— পায়রে তেকলে ।।

শ্বাং মেংতুনা শংশে মরুনা ইস্থোররে— শংশে শংশে ।।

নাওকম তারে· থোইরি কল্লে ফুমলে ইক মাইতাবিহনা চরৈ নমথাংনা য়োম্বিহনা পস্থো মপাবু লাইমিং অমা পিবা ছোরে— পিরে পিরে ।।

হে মরু পলেমগী পিবুকনুংদা কোঞ্জিম্না থম্বীববু তাইবং ঈক'ওনা তাইবং অসিদসু মকু থোক্লা শেম্বীরো থৌনিরেদো— থৌনি ২।।

থৌনি পরম্বু কায়দনা লিরুং তেনবু লৈহুম্না লৈঙাক য়ানিসে —নিসে নিসে ।।

মরু ২গী মঙাইয়োই লাইমিংথোইনা থৌপুনা মচা পাগ্রংবগী য়াইফনবা লাইবুংথৌশিংবু হায়জা পাওথেমখিবব্ব তমজনা মরু ২না লুচিংনা নোইররে ঐথোয়সু ভুংইম্না নোইশিকো—নোইশে২।।

লাইমিংথোইনা চেং· থোইদিং· লৈ, তিংথৌ, পায়রে ঐথোয়মু পায়শে— পায়রে ২।

"মরুগী মথুংকা হে 'লিরুংও নংবু পুক্ম্না থৌনিজরিএ কুবিনা কোয়ৌ অশিদগী· মঙাংয়ুমগী তাইবং অপিচা পাগ্রংবব্ব লৈঙাক লৈকম্না থৌপুনবিয়ো· ফিরাক নোংথাং কুপফেংশেং কৌবা নংনা লৈহুনসে— লৈহুগ্নরে লৈহুনরে ।।

অমুক তেঙ্গৈ শবু লাংসে— লাংসে লাংসে

তেঙ্গৈ ৯ নংনা তাইবং অপিচাগী কক্তবা অয়েংপা লাকদবা পুম্নবু থিংবিও 'ওম চাহিংনপকা' কৌবা। ৯শুক লৈহল্লো— হুপ্পরে ২।।

মরুগী মভাইরোই পুম্না চৌজিক্লী থোনিবা লোয়রবনিনা খিকশেং থাশেংবিনবা অপিচাবু থাংদোক্লসি— থংদোকচরে ।।

লাইমিংথোই মংকেদগী ঈশিংদা নাপীগা শিংবিগা লুপ্তনা খিকপেংঙ খিকপেংশিকো— খিকপেংজগে ২।।

উংচিরি, উংচিথোম, উংচিবাক, উংচিরিং, উংচিতক, উংচিসা, উংচিলা উংচিংখ, উংচিথুব ।। উংহৈ উংহৈ উহৈ ওমলৈনিংশা ইপুংথোক ইয়াবি মিরিহিং লৈয়োম্বী, উং লৈরংলেন লৈতকপা, লৈপুরেল ও ম্বারেং হুং ইপুংথোক ইয়াবি হুং মিরিহিং লৈয়াম্বী ওমহৈ ওমহৈ ওমহৈ ।।

লাইমিং থাইনা লংচা ৯গী মচিদা মরুমী মডালগী লাইমিং 'ওমলৈনোংথাং তরবা চাত্তেং' ৯শক পাওশারিবগা মশানৌদা পীরগা মপারি পাগ্রংবগী য়েংকী খুংচেংদা পুনবিখিববু নোইসে —নোইসে নোইসে ।।

লাইমিংথোইনা শ্রীং ক্রুক হাই শ্রীং ক্রুক হাই পাওশানা লিরং তেনবু লৌতুনা এক এক এক তিংসো হাই পাখংবা নংদি মৈপু মৈহৌবনিদা নওম্বু শামফদনা লৈরম্বা লাকদবা পুম্নবু থিংবিতুনা মরুদা পাওম্মুবগা অপিচা পাগ্রংববু নাওকোনবিরো 'মুক্তরবা লম্মক্রবা যিবেং থাওনবা নংথোয় পুম্না ডাকম্বুরো' শোনবিরগা থোইরিকাবদা শিম্নহনা তোলোক নমথাং য়েংনা লাইকানখিববু তম্না নোইরশে— নোইরসে ২।।

লাইনিংথৌনা অপিচাবু কুমদম কুমহৌরোনবু পাওশানা তাহল্লি. খোইরিকাবনা লাইতান্না চিঙ্খৈ ওন্না ১ কাপলে কাপশে —কাপলে ২।

নোংপোক অপাম্বদা শিন্নদুনা কাপ্লে– কাপশে ২।।

মৈরম পাংনা খপ্লাংবদা থৌনিনা কাপশে—

খা পাংনা ৱাংব্রেন্দা থৌনিনা কাপশে—

তংজিংদা থৌনিনা খঙ্খোং পাংনা কাপশে—

নোংচুপ অশিবদা থৌনিনা ১স্থ কাপশে—

লাইলোংবদা থৌনিনা লাইচিদা কাপশে—

থাংজাই মারক্নবদা থৌনিনা অৱাংদা ১ কাপশে—

তেঙৈ স্নয়দি তেঙ্গা থোংনা পায়রগা কাপ্পা য়াদে পাওদম তেঙৈর্না— কাপচগোই। তেঙ্গা থোনা নোংথৌ ওন্না উংলু পাওশ'গে — উংচরে উংচরে ।

নোংথৌনা কেংরৌ অসিদগী পন্তৌ ঈপানিদো. নচা অপিচাদি তাইবং থোকচরে নচাগী য়াইফনবা মালেম ঈমাবু ফিগাও থন্না হাপ্পীরকউ মত্তিল ময়াই পুংবু থিংবিও ।। তেঙৈদো মালেমঙানবদা অমুক ওন্নশে — ওঞ্জরে ওঞ্জরে ।।

তেংবানবগী ঈমা কৈয়ুরেল নপারি তাইবংসু শাথোক্নরেদো অসিদগী পক্লেমগী কৈরাথক্তা কোনদুনা ঈমাগী থোম্মাংবু খাৱোং থন্না ইনবিরো. লৈখাদনী নচাগী মাংহন্নবা লাকপা লাকদবা পুম্নবু থিংবিও" পাওশা লোইরদুনা খোইরিকাবনা লিকং তেনবু পুশিল্লক্লে— পুশিল্লে পুশিল্লে ।।

মরুনা লিকং তেনবু খুৎথেংননা লৌদুনা 'ওম চিতিম্নু ওম চিতিম্নু' পাওশানা থম্মে — থম্মে ২।।

চিংজ পুংনা হরাওরিঙৈদা মরনা শয়াংলোনবু তাহন্দুনা অপিচাগী ঈপা থৌনিবু খৌরেংহাইরেন পাসর মমাদা শিন্নবিদো —শিন্নরে শিন্নে ।।

ঈশেং খোৗরম

অপিচাবু মুযিং ১২ গুরহনা ঈশেং খোৗরম্বু খোৗপুরশে—তাকপীও তাকপীও ।।

অপিগাগী খুঞ্জিন• শম্বু খজিক কক্লা মমাব্ শমখোং উতিশেংনা শম্বান লাংবিরো— চেংবা লৈমগা থরৈমগা ২ না খোৗশনা শম্বান লাংনা ইক মাইতাবিরো ।।

অয়িংবব্ কাওথিনবা মুংশাদা পুখোকশে— পুখোকসে ২।।

শিংলম ৫ না মৈহৌনা চেং থোইদিং লৈহুম্না মৈহুম ১ যঙোং পাংনা 'উ মৈ কেম্বী'ব্ হুন্দোকশে—হুন্দোকলে ২।।

মৈহুম ১ অমুক পায়হুনা উংমৈমুৎশং' কৌবব্ মখা পাংনা হুন্দোক্শে— হুন্দোক্লে ২।।

মৈরম ৭ পু পুক্সমসি খুৎশা ১০ব্ লোম্নরো... লোম্নর ২।।

চিংঙ্ কাম্বী মৈঃত্রেং অরাবা
কোরো আস শাথোক ১২নি চংবা
মালেম অঙানবনা থিংথি, থঙ্গারকুপ।
নকমলাংনা থোৗনিজরিএ কুবিও ।।
পাপী পীগী ঈরক ভিলু থানা
শেমগৎ শাগৎনা তাইবং ইফাওনরিবা
ইমাগী হকুশব্ কোরো আসদগী শেংলসি
চিংঙু নঙান চাওবা নঙম হকপব্ পিনোও
অহনুদীদমক্তা থাকোনা কোঞ্জিঞ্জবনি
মিরম লাইরমলেন্দা তিলহনবিরো
মহুম লাইশঙ ৬ শাখোক্শব্
থিকশেং থাশেংনা লৈরাংজগে কুবিও ।।

মরু ২গী মচাইরোই চেং খোইদিং প য়রো লৈহনশে—পায়রে ২।।

খুং শানুবী তরংভাং কৌনদা লৈহনশে — হুল্লে ২।।

" " ঙালতুহিং " " — হুল্লে ২।।

" " ঙালতুঙাল " " — হুল্লে ২।।

" " তরংঙাল " " — হুল্লে ২।।

" " মৈহিংসন " " — হুল্লে ২।।

" " শংতরেং " " — হুল্লে ২।।

" " মুরাওম্ব " " — হুল্লে ২।।

লাইবুংথৌ লাইরেম্বী লৈহনবা লোইরকনিনা অপিচাগা মথাগা কাম্বী মৈওরহম্বুনা লাইমিংথোইনা নাপীগা শিংবীগা মুংকেং ঈশিংদা লুপ্পুনা থিক.পং ইচাইবিদে-- চাইবি ২।।

চাকউম পরম

মরু ২ গী মচাইরেই অপিচাবু থা ৬ চংলকপদা তেরা চাক-উমহন্নবা নোংদম্বিদো — নোংদম্বি ২।

মরুনা ফম্বানবা মৈ, ঈশিং, মুংশিং ৩ না ওইবা 'খুদাবু নিংশিংনা অপিচাগীদমক থাগোনখিববু নিংশিংনা নোইশে—নোইশে ২।

কাম্বী মৈশেং ৭পু থাগোম্না লাংশে -- লাংশে ২।

তেংবানবা মপু উংলৌ য়াইবিরেম্ববু নিংশিংনা পোৎলম পুম্ববু কৎলিদো — কৎলি ২॥

খোইয়ুম অপিচাবু খুদা মথক্তা ফমহল্লিদো--ফমলে ২॥

নাওরাবু খুবাক্তা মুংকেং ঈশিং থর হাপ্পুনা মপুক ঈশেং-হল্লিদো — শেংবিও ২॥

অহানবদা ঈশিং হাম্পুনা 'ও হাইচিংপা হাই কাহিং কৌক্রর কু কু কু" ॥

২বদা 'ওনউই ক্লাং চিংখং শ্রোং থাজিবে কুকুকু'।

৩বদা 'ওম মিরুহিং পুরৈচি চিংখৈ মরু কুকুকু' হাঙশ না মচিনবান্দা হাপলে ২'।

হে নাওরা পাশ্রংবা নমাংদা লৈরিবা লুকলেন অসিদো নোংদম্বগী লুকয়িদো কোরৌ অসিদগী ক্ষজো নোংদম্বীদো —নোংদম্বি ২॥

বুক্রুবী ওদং থোক্লবা চাক মরু খরদং মেংখাইদুনা তাশিন-লেদো—তাশিলে ২।

নাওরা লুমন তসি ইশা ইপুগী থবাইগী তুংনফম ওইনা চানবিবা চাকনিদো থবাইবু হাংনবা চাকলেন মমীংবু গুংগুংগুং কৌবনি মিহিং নঙ্গী নমীংদি মী মী মী' কৌই। চিনবান্ন নঙ্গী নমীংদি 'মম মম মম' কৌই কুক্রুবী ৫ শুনবা হনবীদো ইনশে-- ইনশে ২।

লংমু লংকাই য়ানবা নাক্তৎপা থৌরম

মকুগী মঙাইরোই পুন্না নাওবাবু কুমজা ও চঙলকপদা মৈফু লিনা ইশেংবীদুনা লংমু য়ানবীশে না পায়ও—পায়রে।

মেংখংবা চুবাদা কোইরেল্লিবা ওকপুরোইবু থাগোম্না নাক্তংক-স্থ নিদুনা লংমু য়ানবিশে -- য়াঙ্গরে ২।

ওইথংবা চুবাগী অকুৎপদা কাইরেল্লিবা ত্তাঙহুইরেংবু গোগোম্না লংমু য়ানবীশে – য়াঙ্গরে ॥

মহৈ তমবীবা

কুমজা ৫ চঙলে মহৈবু শিন্নাক নোংদমশে – নোংদম্বীও ॥

লাইমিংথোংইদা শিন্নদুনা লাইলোংবা কৌক্রনা মৈফুলিংনা খুম্বো ভানবী ঐং লাইয়েকনা নাওয়োম্বা মঙম ১২ বু পাওশানা

পাথ্রংবু হৌলম্মা হানবগী পুরারীবু লাইয়েকপু তম্মীহুনা থংহল্লিদো — তন্নি ২।।

কুমজা ১১ চংলহুনা লংচা ৯না ফাইহুনা লংকাই ৬পু ২ থোক্লা পুন্দুনা কিশি ০ ফাইনা লাইশক লাইমিং তাক্কুনা লেংয়ান থৌওন তম্মীদো — তম্মী তম্মী ।

কুমজা ১৫ চংবদা লংচা ৯বু ৩ থোক্লা কিশি ৫ পুন্না লাইনিং লাইশকপু তাকপীহুনা মালেম ইমাবু লৈয়াংনা সিংহাপ পরেং পাথবা তাকপীহুনা লংচা ৯বু ইকন ০ থোক্লা লেংয়ান থৌওনহল্লিদো— তাকপী তাকপী ॥

কুমজা ২১ চংলকপদা তঙ্কুরি শঙ্কুরি ইপা ইশেং, ইমা ইশেং পাচা লোয়িনপী পরম্বু থওহল্লিদো —তাহল্লে তাহল্লে ॥

মণ্ডাইরোই পুম্বা মরু অনীমু পাচু শাদম্মবরে—শাদম্মরে ২ ॥

মরু অনীবু পাচু লোয়িন লোইরহুনা লাইশওদা চওহুনা নোংদম্মবু থৌখনখ্রে — চংখ্রে চংখ্রে ॥

থাবা তাওরোইলাইনা মরুগী ফাংখোং কোইনা থৌখনখিববু তমজনা পরেং অমতা ওইনা শাংথা লেংথনা পাফল শাশে তংফদে — শাশে ২।

পাফল শাবা লোইরবনিনা পরেং ২ থোক্লা নঙ্গী নঙ্গী নপা নপা কায়দনবা খুবাক তালিনা=খুবাক খুহুনা যা য়া লাওনা থৌখনশে — লৈজরে ২।।

পাচু থৌখনবু লোইববনিনা থৌখন পোংলোইবু থমজিল্লুশে। অশোয় অঙাম য়াওখিবা পুম্ববু ঙাকপিয়ু হায়জশে — হায়জশে২ ॥

রাকোক্লোল র'ংকোক্লোল রাকোক্লোগা নোইংথ চাওখিবগা নিংশিং শাথে কচবদা চিথখিবা খিবিকপু লৈহাপ লিশঙ্গীছুনা কুবি মিৎয়েং তাবিও,—

লংজ অয়োল কনবিও,
নোংদম থোদা থোপুনা,
থোকাওদনবা হায়দুনা
নিংশিং শাথোক্লববু কুবি লৈকল্লবিও
হয়মলে হয়মলা ও হয়মলা
হয়িচংদা হরাওবা সিমা থোইনা হরাওবা
কুবি নোংদম য়েংবিও য়েংবিও য়েংবিও
সে সে শায়ানসিদা হয়ম হয়ম ॥"

(২ লাইরোই হুমিদাগী লাইরকচন)

থোংনাং থাবা মরুনা লাইমিংথোই মাকমৈদা পাওশাবগী মতুংইন্না অসিদি থাবান ১৫ পানবনিনা মৈফুবু মালেমদগী খুবোম খুনিং রাংনা চিরা ৪ থোন্না শিংলম ৫ না 'মৈহৌনা শয়িনা মপুং ওইনা লাইশঙ মাংদা মৈহৌনা চি থৈ মরুনা ঈহৌরান ৯ বু পাওশানা (তাইমচেন, পুংফাই, উথোক রাথোক, নাপী শিংবী, চুপ চুপলাং, নাপু সেম্বুনা চাইনা ঈচাইরে ॥ মহৌংদা, থাদা মৈচুম অমমম খায়রগা মৈরম ৭ পু লৈচুল্লে ॥

উং চিরি, উং চিখোম, উং চিবাক, উং চিরিৎ, উং চিতক, উংচিস', উংচিলা, উংচিখা, উংচিথুব ওমহৈ লৈরংলেন লৈতকপা ওমহৈ লৈপুলেল ভাম্বরেং চুংইহিংসং ইপুংথোক ইয়াবী উং মিয়িহিং লৈয়োম্বী তেনরসি ভালনরসি হাউং হায়েং উংহৈ উংহৈ ॥ পাওশানা নাইহেগনি ॥

মৈবি ৯ গী মমিং— ১। মথাদা অশংবা মচু মৈমুংশং কৌবা খায়গনি ॥ ২। মহৌংদা মৈকেমমুবী কৌবমু খামগনি ॥

৩। ঙাংঙ্রানবা তরুংঙাং কৌবা ওয়া ।। ৪। ঙৌনা ঙানবা ঙানতুঙান কৌবা ওয়া ।। ৫। সনা অহিংবা মানবা ঙালতুহিং কৌবা ওয়া ।। ৬। ঈশিং মচু মানবা তরংঙান কৌবা ওয়া ।। ৭। মুনা শংথাংবা মৈহিংশল কৌবা ওয়া ।। ×

মৈথি ৭না ফত্তগা পুম্বা কাক্কদবা লৈরম্বা খৈবিকপু উংকুম্না মাংখল্লে ।।

লৈহুনবা লোইরম্বনা চেংচা মিংথোইনা চিয়া ৪দা মৈহৌরে থোংনাংথাবনা অথুন অহাংও মায়য়োকথানা লাইঙাল্লে ।। ১বদা আবাংলাইচিদা। ২বদা নোংচুপ যম্বোংদা। ৩বদা নোংপোক চিংখৈদা। ৪বদা খা খৈরমদা মথং মথং পাওশানা 'শাবন লম-থে কপগী' থৌরমগা চপ মান্নবা তৌগনি ।।

চেংচা মিংথোইনা কবোক খুংলাক ৭ দা লোকপবু ওইদা চপ্পা পায়হুনা শনিক পেনানচিংবা য়াওনা খোইরিফাবনা ইমাগী থাবু পায়তুনা লাইশোন্না 'চুমথাং পাই খোংচোংনা' যম্বোংদগী হৌনা চিংখৈদা কৌব্রুদা খা মৈরমদা থাংদোনবু ৩ লক হাই-দোকতুনা তিনমু লাইমু ফত্তবু তা.ন্ন ।।

কৈ য়েন শাগোকপা শান্নবা

"লাইমিংথোইনা থেংনাং থাবদা মরু অসি শান্নগদবা থেংরম অসি মাংনবা ১ য়াইফনবা ১বু অনী থেক্লা ফনবা হরাওবা খুদিঙ্গী লোইবা নুমিত্তা ইশানৌ ইচিল ইনাওগা 'লাই-লৈবা চগা খোক্কখিৎবু তমজনা লৈতাই নোংদাই লৈরাংবা' কৌনা শান্নসি" হাযথিববু তমজবনি ।। লাইলোংবা পাখংবগী মথৌ পুনা য়েলবু শান্নে ।। থাংজিংনা কৈবু শাহুনা লৈরে ।। কোংচিংলেনগা হাওহুথুগা। য়ুহাগা য়ুচেং লৈমগা থেংঙাইবগা।

৩৬

অঙাইবীগা, অঙাইবগা চিঙোইনুগা, থবাগা থোংঙাইবীগা, মুচেলা চেংলৈমগা চেংঙাগা কোংতিংলৈবগা, উংকোংলেনগা পুকসিথোম্বীগা, লাইবুংথৌ লাইনৈবা ১৬ না কোইশিন্দুনা য়েন্না চংনিংবা মফমদা চংহুনা চেনগনি কৈনা য়েনবু কংথবদি ফত্তে য়েন্না চিথৈদা কৈনা মথোংদা লৈরবা মতমদা পোথাগনি ॥ পাখংববু পুশিন্দুনা লাইমিংথোইনা হোইয়াহল্লগা মফদা পুরম্মা লোইগনি ॥

খোইরিফাবনা	—	কে ক্রে কে
লাইবুংথৌনা	—	মো মো
লাইরেম্বী না	—	য়াঙ্গোই শাবা
লাইবুংথৌনা	—	শ্যাও শ্যাও
খোইরিফাবনা	—	ঙোকপগা, কাম্নগা
লাইরেম্বী	—	কৈগা য়েলগা চায়নবা
খোইরিফাবনা	—	য়েলখোং ফত্তে চাশিল্লো
লাইরেম্বী	—	লাইগী য়েন্নি চাফদে
লাইবুংথৌ	—	নোংদম্না মউ লিংনা চারি মপাল থাবনি ।
লাইরেম্বী	—	কে ক্রেক কে
লাইবুংথৌ	—	মো মো
লাইরেম্বী	—	য়াঙ্গোই শাবা
লাইবুংথৌ	—	শ্যাও শ্যাও
লাইরেম্বী	—	হা ইপু মেক্রুকপা
লাইবুংথৌ	—	নংনা য়াঙ্গে য়াঙভীবৈ
লাইরেম্বী	—	নোংদম্না মউ থাবনি
লাইবুংথৌ	—	অরিববু শোইদোক্লো
লাইরেম্বী	—	অনৌববু শোইজিনশে
লাইবুংথৌ	—	হা মী মীরোলো
লাইরেম্বী	—	কাংখংদবু তারক্লো
লাইবুংথৌ	—	পাত্তগী থম্লোগা
লাইরেম্বী	—	ইংখোন্দগী সনাগা

লাইবুংথৌ — বাইনৌশে বাইনৌশে
লাইরেম্বী — শেমজবনা চানবা হৈ
লাইরেম্বী — শে শে চাজরো শে শে পিডম্রে।
লাইবুংথৌ — শয়া লাওনা বাইনৌশে
খোইরিফাবনা — হয়ম হোয়ামো কেক্কেক কে
লাইবুথৌ লাইরেম্বীনা — মো মো ॥

কৈপা য়েনপা য়ানরহনা মরু ২ মী নাক্কা পুশিন্দুনা চিনু বাবু পাওপানা খৌরোইরে ॥

খেঙ্কো পাওশা শাননবা

খোইরিফাবনা খুবাক তালিনা শৈরাওরে লাইবুংথৌ লাইরেমীশিংশু খুবাক তালিনা শৈখুম্মে ॥ পুং শেল, পেনা, খোইরো শিখংপনচিংবনা খোংচোংনা শৈওক্করে ॥

খেনচোরে খেনচোরে, খেনচো লাংমৈ খেনচোরে,
অচি চিরো চিচিরো,
হামেং খেনচোং খেনচোরেহে,
খুয়োলও লৈখোংকাই, মরিও লৈয়োম্বী,
চিঙ্গোই লিক্লা বাইবংখু,
কোকাই মোইদাই অচোংডাক,
চিথাং থাংমৈ অচোংডাক,
খোইনৌও তুথরো, নাওবা মীখোয়না খুমপে,
হঙ্গুবা লৌও লৌও,
ইপুকলোই চনিংলোই,
খোইমা য়াম্না মকেরে,
কবোক পোককুম মকলাম,
খোইমা য়াম্না মকেরে ॥

থিংকোয়ে থিংকোবে হৌথাংনাইদা চেন্দুনা সিন্না থুংনা তুথবা থোইয়া য়াম্না মকেরে, হে নাওরা শমদোন থম্বাই মিরেল লিখাও থাও

কাকয়েন খুজিন চু, চু, চু,
লা.ঙ্গাই তোংবা কাইবংবা—হা
নংনা তোংবা য়াংদেদা—হে
লমগী পানা থোংশাংবী—হা
নংবু শাইবা য়াংদেদা হে
ইনং হমাং হাহৌনা খুবাক হাহৌনা
থি কোয়ে থিংকোবে লাংবেল কোকপা থিংকোয়ে
হে হৌ তানহেহৌ ।।

নহা সিংথোই ইপুথোই হাম্না লিখোই খোই
ইভাথোই মুরাখোই হৌনশে হৌনশে ॥
যোইবু বাওন শুনাংদা
সিংড্রেনা মপান শারেদা
শিনৌনা ময়াই কারেদা
নচিন লাল্লোই অঙম্বা,
নোংঙান চবৈ র'য়েনবা,
কদাইদবু তাগবা,
নোংপোক চৈমা কোন্দগী—তান্দগী
যোইবু রাওম শুমাংদা তার রো (২)
হে হে লাইলৈমা লাইনিংথোই কামারে কামিরশিদা,
আংতৌগা—হকদা চৈহৌবা—হৌনসে হৌনশে
রি রি পাওথেম রি রি বি, য়েংলোইননা রি রি রি,
লাংশম কুমশম লাকপবু,

থাংলৈ ই.লৌ মাদবু অকুপা অকুবী কুবি শেনবিও লোইবি রিজেসো মিরিথুম মিরিথুম হে .হৌ রি রি রি থুম থুম থুম হুরম হুয়াহে হরিচং হরিচং ॥

শিদ্রেংনা মপান শারেদো
লাইমিংথোই খুংশ মুরারে
থেঙ্গওও অভাংপো
ইনম পোল্লি মুংকাইবোই
থেঙ্গনমপোন নোই নোই
ঐথোযনা রাথ জবরু চিংবি লোইয়া মলোইয়া
লমলোই খরোই খজিবএ খজিক খাচম চম চম ॥
হুইত্রি য়েপশে—ময়েপশে
য়েলবু য়েনগে—ময়েলগে
য়েনবু লৌশে—মরৌবশে
থেঙ্গওও লৈবাকপো লৈবাক মরোন থাহনশে
ইনম পোল্লি থৌয়াংবোই
থৌপুদবা য়াদে থৌপাংলোই
থোইমা থৌপাংদবগু
নথৌ নগুম্বু লাকপনি পোদবা য়াদে পো ॥
ওকথবী মৈকামলো
ইচিন তুম্মি কামলরোই
এনা মৈকাম লুবদা
কাম্বী হৌবা গুমলবোই কাম্মরোইদে ॥

মরু ২গী মও ইরোই পুম্বা ওকথবীনা মৈকামহনা মালেম চাকথোকহনগে থৌহৌখিবাগু মৈহৌরিরোই ইচিন তুম্মি কাম্মরোই খুমথ্রেদো - খুমথ্রে ২॥

খেঙ্কো পাওশা শাফাবা

হৌজিক্কি খুত্তাও লৈচাওবা চাকহোং ফিহোংনবা লৈশেম্বদা য়াওখিবা চিবা ৩খু তাক শেম্লিবা শারোই ৭১গী য়ারো শাদান শাফানা শারেন চম্ববা খৌপুশে—খৌপুশে ২।।

য়েলহৌভৈদা মরুপী খৌদাবু খৌপুনা শারোই ৭১গী চিঙ্গাক নোংদমখিববু কানবা চৎপবু নিংশিংনা য়ায়া ভৌমা পাওশাশিকো —পাওশাশি ২।।

হো য়া য়া য়া হোয়া—

পেমা নংম্বু কনানো পেমা কনানো,

নোংখৌ অহাংবা লৈক্কমদা লংনা ভায়া হাইনা হুয়া লৈরিবী

পাইবা ঐনা খোইচংনা খোইদারিবী

পেম্মা নহাকপু কনানো ।।

হোইদা নভাবা—

নংনা লৈহুম হুন্দুনা ঐবু পুন্নাং কাইহল্লে চিংভবু লিফা লিপূনবা লাকপনি—দে ।।

নমুং নতম্বং ভইদরি ভোংগমদগী নমুনা নমু তোলোক চিন্দরি কোলবদগী ভাখানা কোনবালৈ কানবা লাকত্রি ময়াবু কাবাক খত্রি, লমলাংপুক্তী কাকহৈনা মনা হুমাই শাদরি গুক্কা মপাল শারগা য়াঙ্কোক্কী মহে য়াললগা পাইবা খোইচংনা য়ারৌনশে ।। য়া য়া হোয়া ।। লাইনিংথোই লাইলৈমা মভাইরোই শাথংশে— থংলে ২।।

কারো কারো — কারে কারে ।।

কনানা কায় -- য়াম্বনা কাই ।।

করি শানো — য়াঙ্কোক শানে ।।

মাইবীন। শাবু পুহনা পাওশানা লাইমাংদা চংলক্লে —

"লোম্নরু লোম্নরু

খাওরুরু খাওরুরু

কোইদিং কোংশে মকোংলগে

য়োংনাখোংনা লৈতনা

লোম্নরু লোম্নরু

খাওরুরু খাওরুরু"

(শারোই ৭১দা শারেন খৌনিবা পাওশা)

শাবু লৈমাই থক্না তুহনা থম্লগা মরুদা য়াম্লোক শাবু ক্যাবাক্লা ক্যমদোশিংগে য়াহোম্লিদো॥ মরুনা খুল্লাও লৈচাওনবা লৈহৌদৈনদগী মথোংচানবু ওইনা লৈঙম্বা শারোই ৭১ শাচন লৈবাংনা খৌনিবশি বাতেম্মবু।।

হৈরাং লৈমানা শারেল চম্বা খোঁপুরে—

হযন লৈহৌ নোংহৌদৈনদগী

লৈবাকপু যাইফা নোংদম্বা

মথোংচানবু ওইঙম্বা লৈঙাক লৈপুম্বিবা

লাইথুংথো শারোই ৭১ বু

থানিল মরোং—(মুমিং মমিং হায়গবি) মরুনা পুবগী অহিং কোলুপ ইতমদা নিংশিং থাগোন পুক্ম্বা শারেনবু শাজম লাংনা খৌনিজরিএ কুবিও ।। হে চিংঙু, অথোইবা মালেম্ব লৈহৌনা মুংঙাই যাইফা নোংদম্বা মাইগৈ ৪গী গুংদাই ৪দা ফম্বিবা লৈঙাক লৈকনবিবা ৪ নও কুবি নোংদম্বিও শারেন শাচনজরগে তাম্বিও খংদিও খুন্দাইদগী আরা অনং পুবিবা কোম্ব শারোই হাহিং আসনবা কোবা ১৪বু লৈবাক্তি যাইফনবা কুবিও ।

মার্জিংগী শারোই ওম থিয়াং সনা ওমলোরেল কৌবা ২০ বু লাংচরি ॥

থাংজিং শারোই ওম য়োকতিং কংরিং সংতে মৈরিকপা হাংশে' কৌবা ১৭ মক লাংচরি কুবিও ॥

বাংব্রেনগী শারোই 'শাহিংলেল চাকচাবা'—চাথাবা কৌবা ২০বু লাংচ'রি ॥

মক ২গী মতাইরোই লৈথৌ রাবু খজিক নিংশিংনা 'হৃৈ কোল্লো' খুনশিকো—খুমগে ২॥

ঔগ্রী থাগোম্না লাইরোইবা

ঔগ্রও কোললো— ও, লম্বা লেনদা
মতাইমদা কোল্লো এ — হৃৈ কোল্লো।
কংলৈয়োলদা পুংমাইয়োন্দা কোল্লো—
য়োইময়াইবু ভাওদনবু কোল্লো—
অঙানবু মাথোন থৈবু তাওদনবু কোল্লো—
লংজথৈবু সনা খোংদোনবু কোল্লো— হৃৈ কোল্লো।
থবি শেলকোই অপাম্বু কোল্লো—
চিংউ নমু মিতম্বু, খোইয়ুম তাইবং শেম্বু কোল্লো— „
খোইয়ুম তাইবং পোকপবু কোল্লো— „
ঐখোয়বু শেম্বা নোংশাবা মৈবু কোল্লো... „
মোংপোক লৈমা চনু তৌরিল লৈমা চনুবু কোল্লো— „
মালেম হৌবা লৈরাই শলগী
তুংকোইবা চনুবু কোল্লো —
পাইখাগিনি খুঙ্গেইগিদি পালেম সিন্না।
পীথাং সিন্না কোল্লো— „

নাওয়াকপীবব, মৈব, কোল্লো
মপললেন কোরৌ নোংথোবা চনুবু
নোংথোংবা চংবু কাল্লো — হন্দে কোল্লো
মালেম লুম্বা চংবু লৈবু লুম্বা চনুবু কোল্লো
সনাগীদি নুংকোইগীদি য়োইময়াইগীদি
তাওদনবদি কোল্লো ,, ,,
নুমিৎ ওল্লবদা, যুমনিং ওল্লবদা কোল্লো— ,, ,,
চেল্লবা থারবদা মাংদা থারবদা কোল্লো— ,, ,,
লোইজিং লুম্লবদা চাংবু লুমলবদা কোল্লো— ,, ,,
য়োইময়াইদ তাওদনবদি কোল্লো — ,, ,,
লোইঙ্কা হন খসং; হয়ংঙৈগী মালেম হৌডৈগী
কোরৌ নোংবু হৌডৈগী কোল্লো— ,, ,,
পোইরৈ শেমডৈগী লৈগা শেমডৈগী ,, ,,
লৈবু শেমডৈগী ওমলোতোন লৌথিবনা
পুক্লুং থাগী হৌনা থাগী থাংপাক থাগী
থাবেন থ দগী শ লৌ লেপল্লবদা এলাং
লেপলবদা এলাংলাংবদা কোল্লো— ,, ,,

পুংয়াল্লবু মিতমলববু মহৈ পাল্লববু অঙ্গো তঙ্গা পাহবু শাদম্নরকলববু শমাদোন অয়াংবনা পুকনুংলিবু হৌরাইবা দিবু নেথতুনা মাংহন্নবা থৌগুখিবদো মরি বাগী নেথাবাগীবু কোল্লো।

হৌনখিডৈদা ওমলোতোন লৌথিবনা য়াইবি হৌরে; তিংথাং শাওরে শামদোন অয়াংবগা ওমলোতোনগা মুক্না লেংকাই চন্নরে; মোংবা খুরৌ য়েৎনরে অওম্বা তানশিন্নরক্লে নাম্বোক-তুনা শমাদোন অয়াংববু মাইগৈ শিন্না চেল্লকপা; নোংপোক লৈমনা উহনা কিগে খাংলি হুন্দুনা বাকং বাহোক্নরক্লে

শমাদোন মশা পানববু তান্নবদি ফংওম্মোই খাংলি থৌরী অসিনা কোংতাই লাবু শেমদুনা মওক হুক্না চিংবিও পিনরে।'

খাংলি খোঁম্বিবু হুম্না লাংবু শেনহনা লিতোন পায়না চিংহনা মণ্ডকপু শেগাদা য়েপহনা খুমাংদা খুরৌচন কুচুপুংদা থমহনা বারক বাংজম থোঁহোরে ।

খুঙ্জিল মশা কক্লে। মকোই মমান—মত্তু মশোং কক্পিরে। অবৈ মত্তু ককথংলে কুচু বায়েন শঙলেনবু থম্বা হোরে খোইনৌ মৈবু লাংক্তং শংনা কোইনা শংনা লৈশং চীংদা কোল্লো—হঙ্গে কোল্লো

চিংজ্ঞ লাইবু লাইবুংথৌবু কোললো— " "

নমু মিতঙবু মমুম মচু য়েলুপমাবু কোললো— " "

খোইবম তাইবং শাথোক্লববু কোললো— " "

ওমজাম্নগা চিংমাবগা মমোম্বীগা মরাংবীগা

ঔগ্লাংদা; শানৈ লাংদা লাংজেংবাইনা লিতোনবাইনা কোললো—

কোম্নরমগী মকোম্বোক্কী কোললো— হঙ্গে কোললো

হযমা শোইয়ানরকপা হয়িচংনা কোললো— " "

কে ম্নরুপগী মকোম্বোক মথংলেংনা কোললো " "

চিংজ্ঞবা হয়ম কৌবদো হয়িচংনা কোললো— " "

নোঙারোল পাওশা

লাইবুংথৌ লাইলৈমা হৌজিক্তি ঔগ্র মিকোনবম্ লোই-রবনিনা নোংদম্বু 'নোংদম য়াইবিকোম্বা' থিম্নবা লাইরকচনবু থাগোম্নরশে— তাকপীও ২।।

থোরমদি তেংবানবগী মপূমা মশক মওংবু থংহন উহন্দনা লৈবদগী কোয়ৌ মালেম্বু থম্নবা হোৎনবদা 'তরং ওমথি' ঈশিল্লী মশকপু পুথোকতুনা তরংগী মথক্তা কোঙ্গোল ওইনা তাওনা শাথোকপা; কোঙ্গোল অঙ্কী মঙ্গুংদা চংহনা বাকয়ে—হিগাবু ওইনা তোংহনা তরং ইপাক্কী মথভা কোইনা তাওহনা লৈরম্মিদো—লৈরম্বী শিংথানৈ ॥

তরং ইরুং পুংবগী সৈশাতাও=বাসেন্দ্ৰ জিংবত্ত্ৰা থমগা মশক মওংবদ্ খংননবা লৈথক লৈথা লৈরাই মরোল তদ্ পুখোকফি খংনবা শাথুপ ফিহপ ॰ বদ্ পুখোকতুনা লৈরাইলেপ্পা লেপ্পীদো —মানি মানি ॥

লৈরাইদগী নোংথৌ পাংনা থকথত্ত্ৰা মক শনাইলেনগা ইথৈরোনগা ॰ বু পুখোকতুনা মতম, শিজ্জনা অমুক্তু থকথংশিন্থনা "নোংদম রাইবিকোল" কৌবা কমাশথিবা নিংথৌপা খুদিংবু মরু ২ না বাত্তনবা থৌপুনা লৈরাই লেপ্পা থম্মিদো —থম্মি থম্মি ॥

রাইবি কোপ্পা লিহনা চাবা থকপা মাইজ্জা মাদম্ব মামা মিংজবা মওস্থ্ কুমৈ ওইনা য়েংহনা লৈদো—লৈ লৈ ॥

থৌপুরিবা মরু ২ না মপুগী মিংরেংবদ্ পোম্বারগে কুনী শাথোক্করকপনা নৌহৌনা থৌপুহৌরশু তাথনবীহনা নোং- লোম্নগী তরংথক্তা মাতাবা, তরংদগী হৌবা মতম, থিরশে— থিনশে ২।

মণ্ডাইরোই পুরা নোংদমনা তরংথক্তা তাওহনা মালেমদ্ থবা মারগম্বা য়েংশিনবু থোথন কুংইনবনি থনথিহনা পাওশা অরোইবা খুদিঙ্গী হৈয় হৈয় হৈয় 'হায়না থদ্বুকো—থদ্বজশে ২॥

বাকয়েও বাকয়েও ... হৈয় হৈয় হৈয় ॥
তিঙ্গা নংবদ্ হোপ্পেদো ,, ,, ,,
নোংদম্বা লাইমিংথোইবদ্ হোনবনি ,, ,,
তরংঙা তরংঙা —

শৈরাও ৫ শুবদা লাইশংদা হীরি লিজোবদ্ থুংলে ॥ থোংনাং থাবনা বাকয়ে খুংদগী মকবু কোজিনা শংলেপ্পা কমালহল্লে। শনিক লাইনৌ তাবীনা তুং ইললবদগী শনিক নিকহুনা হৈরোং লৈমনা থকথন ৯ গী লৈনাবদ্ পারহনা নিকলক্লে।

নোংপোকরোল লাইনাওতাবীগী পাওসা

" হয়ুম উং উং টুং টুং টুম টুম টং টং
শালাইলেম্মা নোংলোন কাগে হায়রে— এ
হায়া। ঙ্গাপোন পাওপুরা — পুরারো পুরারো" ।।X


থোংনাং খৌবা মরুনা খুংলোমদুনা পুরকনৈ
"অয়েং খারা ফংলৈ তাওবা "
ভুইমিংতবা চৌংশাং-ওবা।
লাইমিংথোই অরিবা নোংদম্বও।
নোংলাইগী মরুপ্পা লৈরিবা লাইমিংদি

মীমীমী পীংপীংপীং অকোংহৌং লয়োল্লাং তনৌবদা শাদোংবা হোরেপো অতিংথম কুং নোংলুম ওরা ।X


পাওশানা য়েংথংবা থুদোম্বীব 'থীং' হায়না খিনগংলগা খুংলৈথুনা 'থম' হায়না হায়থতুনা 'হয়ুম হয়িচং' লাইশোম্মা হয়িচগী লাই হরাওবা লোইরে । X।।X

লাইহরাওবগীদি মতাং অসিদা লোইরে ।

লাই হরাওবা



ঙেংবানবা মপু নোংদবগী কাইরেল




শল ইলেল অমম্বা (অতিয়া সিদবগী কাইবেল খুদা)

লাই হরাওবা

লমায় ১১২ শা ১৩৮ শা শ্লোক চপ মান্নে সোয়দা হাপচরে।

পাহু লোইয়িন



মাইবী ২ মা শারব

মাইগে ৪ মা চোং মুঙনি য়েংনা লাইমিংথোইগী কাংলুপী

ওইনা লাইরেম্বীগী কাংলুপী।

থোংথিং খোঙহাংবগী লাইরকচন

অশিং মরুনা পুবা ১৬নি পানবগী অয়ুক্তা চিংঙুশিংনা থৌখনবা লাকপদা লাইশঙবু থোংথিনা লৈরম্বু উবদা থোংনাং থাজদা হংডি। থোংনাং থাবনা মরুনা নোঙ্গাবদা মরু ২ গু য়াওখিবামে মরু ২ না লাকত্রি মখৈদি থোংহাংবা নামুংডি তাবশীতুনা চিংঙু ময়ামশু মরুবু হল্লকপা ঙাইখি ।।

অসিং মরুনা পুবা থাঙ্গা ১৮ নি পানবগী নোংডাল্লমদাইদা নোংদমনা মরু ২ বু য়েংনা তাবশীখি ।। " মরু ২না ঐগা লৈমিন্নবা থোইনা হেন্নদি নুংঙাইজে অতুবু লৈযাইরেন্দা মরু ২ গুবু ঙাইনবা অসিদা অমুক পম্বা খামজবা ওমজদ্রে অতুবু কোরৌ ২তদি পাওশানখিশি ।। মরু ২না হল্লক্লগা তিনবিগদবা মকমদি মরু ২বু ঐনা ফংঙখিগা ' শঙ্গাই পুন্সিবা কৌবা মঙাং হৈখোক হৈঙাং লাঙ্গীং ' কৌবদা লৈবাবগা নুমিত্তা কাইবেল তিলুথানা লৈবিহুনা ঐনা খোইয়ুম তাইবং ইপোক্তা শাথোক্লনা শামবু মরু ২গী কুম্মে ওইবিও ঐনা হল্লকপ। মতমদগু তিনখিবা মফম অদুদা য়াওজগে পুশিনবিয়ু " ।। অগুম্না ঙাংনতুনা লৈমিন্নববু থাজা ১৯ নি পানবা হয়েং মরুনা পুবগী অহিং য়ুংথকী মতম ওইররে ।। অতিযানা নোংদম থৈদাবু থৌপুনা মখল ম.থল ঙাংনরগা হৈযেংকা-হংশিংকা শিন্নগা তু উরকপদা কুমথারক্লনা শঙলেন্দা চংতুনা কম্বাল্লবে ।। নুমিত্তগী থৌখনবা চিংঙুশিংনা থোঙ্গী নাকৈ কাববু উবদা মরু লংলকমাম্লে থন্দুন লাইমিংথোইদা বাকংলরে ।। লইনিংথৌইনা কেক্রু লাইলোংবু থোংনাং থাবগী খোইরিফাবগী ২দা পাও পীংল্লে ।।

খোংনাংথাবা খে.ইরিকাবগ থুংভারদুনা লাইনৌ তাবীগা হৈরোংলৈমগা ২ গা মুংকেংদগী ঈশিংবু ইরান্নরগা খোইরিকাবদা পীরে। খোইরিফাবনা ফু ১দা নাপীগা শিংবীগা থাদরে অমুগা ফু ১ দনা তাইমারেং নারোংবগা পুংফাইগী খোক উ. খোকরা-নাগা হুপ-হুপ্লাঙ্গা. নাপু শেম্পুগা থাদদুনা খোংনাং থাবদা পীরে।। মরুনা ফু২গী মঙক্তা পায়দুনা ঈহৌরোল ঃ বু কৌরে অমগী লৈ থরা ফু ২ তুদা থাদরে ।। খোইরিকাবনা তাইমরেঙ পুংক'ই য়াওবা ফুব, পায়দুনা চিংঙ,. খোইমুম তাইবং পুম্বম, থাশেংবিরে ।।

লাইনৌ তাবীনা শানিকপু নিক. খোংনাংথাবনা ন.পীগা শিংবীগা যাওবা ফুব. পায়দুনা খুবাক ওলক থুদুনা নাউ অহোবদা ইচাইনরে ।।

খোইরিফাবগী লাইশোল ঃ—

উংহৈ ও হাউং ও ওম হৈ ও
কোরৌ মচি ঈনা থিকশেংনরে
বাংবা নানৌ ঈনা থাশেংনরে
উংহৈ ও হাউং ও ওমহৈ ও।।

খোংনাংথাবগী লাইশোল ঃ—

খুবাক ওলক থুদুনা—ওম কুং লাইমিংথোই
নোংদম্বা ওম কুং তেংবানবগী ইমা
লেংথৎপীরো ওয়া ।
খকপেং চাইবদা—উংরেং য়েং ভংভংভং ওরা ।।৩
য়াবা অহুম্বা থাশেংজবা কুবিনিংদা.
নঙম, লৈহকপা চিংঙ,নি
হায়রুবদা লোইনাইরবা
নোংদম্বা বাহৈ খজিক নিংশিংজবা

আদান অহুইনা মথক মখা।
ওয়না পাওশাগ্রবত্ত নঙন্থু থাগোঞ্লবনি
নিংবিনা কুবিনা তাবিও

মরুগী শয়াংলোন

হয়ম হয়ম হয়িচং চং ময়ুম লুরল লোক, লুরেল খুবী লোক, মান্তক থয়াই লোক, চিঙোই পাওরল্লি মরি ইথৈখোং অচম্বা কেমৈ কাপ্পা হাথাবা পোম্বী নাওথেম চীঙ, থোঙ লুংঙম চীং, লাইথম্বা ৭না হুয়গা লাইবুংথৌ ৯না ওকলোবা চীঙ, লাইবুংথৌ ৯না হুয়গা লাইহুরা ৭না যাযৌবা চীঙ, থুরা ফিবুল ভাইরোই চীঙদগী হৌমিয়ররুবা চিংঙ, লাইমিংথোই চিংঙ, য়াইনি য়েলহৌতৈগী য়েলহৌ মচিনগৈগী অমম লৈশা হাল্লকপা য়াইবি ওমথি হুমযোইনা খেরে মুঙোই তকুপহৌ। ফোইদিং নোংথাং তরংলেল, তরং লাইজা ইপোকপা। লাইমিংথোই চিরাইলোই অহেনবা। কোম্বৌ কাপ্লিগা মালেম্মু কুবিবা। আবাংবা নোংথৌবু পাঙ্গম্বা। হপ্লাং মপাম্বা চারি মউলিংনা। মিশেমপোং কাইবি আহুম লুঙোই পরিং লাংশমথা। উকক মাইথোংয়াম্না মালেম্মু শাথোক লৈহৌরকপা। চিংও নশকি নঙ্গেংবু লেপ্লহনা। তেংবানবু থম্নগা উহলগে খনবিজুনা। য়াবা লাইমিংবু হয়ম পাওশানা। অকংবা কাইরেল ফম্বানবু থ না। লৈফম্বু হৌশম্মা হানবা কংলৈপুং মাইয়োন মিংহুন্না নশক নওংবু ওইথংবা খোংনা লৈমাইদা নেৎ, য়েৎথংবা খোঙ্গৌ খুনিংবু ওইগী খুউদা ভানা থেক্লা থাঙ্গৎপা। ওইথম্বা পাম্বোম খুংশা ৫না থম্বাল লৈনাবু তমজনা কংলৈথেলবু কুপ য়েৎথংবা পাম্বোম খুংশানা খুবাক লোংনা হামুল থাক দা থম, নওম্বু লুয়াং রাতেম্মা থৌবম পুম্বু নোংদম শৈরেংনা নোংদম শাকোংলকপা, চেংলৌ নশকপু লাংবন থাইনুনা খোদানবা

থমগে নিংবা পুম্ববু লৈয়াইলেন্দগী. খুৎলোং থৌপুনা অহাংবদা থকখত্তুনা ইঙাল লৈশানবা থৌপু থোহৌরকপা. চিংঙু মউ লেক্ষ ওইবা, য়াইবিলেল উং লৈহিংকা কৌবা. অমদি লৈকা ও এ কৌরিবা, অননা কুং নো লুম কৌবম্বনা নহাঙ মরাক হায়বা মশক অনীবু. শাথোক শাফোংবা লৈকমবু. শলাই পুন্সিবা কৌনা ফম্বীতুনা, মথৌ মওমগী লাইযেকপু. ওম. হ্রুং হ্রীং. শ্রীং শ্রীং: শলাইলেল অমম্বা ইথেংলল লাইলৈমা. লৈবাং লৈছুম্না থম্বিরম্বা চিংঙু ও. নোংদম থৌদাবু শিম্বা থৌয়াংনববু কোরৌ থক্তা থৌশিন থোরোইবীতুনা. মালেম লৈকুম থোং- দারক্তুনা লাইমিংবু, ইপা অতিয়া মরু. ইমা লৈশিলেন কৌনা লৈয়াইলেনবু য়াইফা নোংদম্মা ইঙাল লৈশা লৈথম্মা শাম্বিরম্বনগী নোংদম য়াইবীকোন্দা থকখৎখিবদা, চিংঙু পুম্বনা নশকপু উদযদা বা থকপা পোখাবা নাইদনা. মিরেলবু নিংশিং থাগোম্না লৈবম্ব বসি কোরৌ ৫ নি চংলক্লেদো অহিংবু থাজনরগা ৬ নি মচাবা রাই ৫ নিগা খানা ৬পু শুনা নোংদম্না ফমান থোং হাংবিরক্লেদো চা নঙাইরোই পুম্বনা য়াইবী কোন্দগী নোংদমু করি নোংদম্বীরকপা ংবিও. নচা নঙ পুম্বনা তাজখংজনিংতুনা থৌখন লৈকা থৌপুনা াইজরিএ কুবিও ।।

লাইরোই মতুং ৫ নি কোনবগী অতিয়াগী থৌখন

থোংনাং থাবগী পাওশা. লাইনৌ তাবীগী শনিক মথোম্ম াবদা থোংবু নাতৈ কাংলক্লে ।। চিংউ পুম্বনা হৈরাং লৈরাং ,ঙ্খো ওনবা শাতোন ১ দা উহং লৈপোপ ৫ য়োমহুনা থমলে । ংবি লাশেং ৩ব উপ্পা লাংথৈ লৈপোপ ৯. লাশেং ওনা াংনা য়োমহুনা লাংথৈ ৭পু য়োমহুনা থমলে ।। ঈশিংশা রেংবগী. উরাইপানগী মহি তকতুনা থম্মে ।। থোইরিকাবনা

নাপী শিংবিগা লুগু্না খিকশেংনা থম্মে ।। থোংনাং থাবনা হৈয়াং লৈয়াং পুম্বু লৈশিরেল লৈপূবী শালাইলেন অমম্বা. উংলৌ য়াইবিরেম্দা কংলগা উহং লৈথোব্, মক ২ গী মমক মরাইদা লাংলে ।। লৈ.পাপ ১না অতিয় মকদা. লৈ:পোপ ৭না লৈশিরেম্বা লাংলে ।।

হৈয়াং লৈয়াংবা শোয়রবদা ঃ—

হংশিং মকুন' পুবা গুমিংকী থৌখন লুচিংবা লাইখুংথৌ উকোংলেম্না য়ুচেং. কোংচিংলেন. অঙাইবা. থবাই. থৌডাইবা. য়ুহাগা লুচিংনা চংলক্কনা থৌখল্লে ।।

লাইরেম্বী লুচিংবীনা — কোংচিংলেমা. য়ুচেং লৈমা. পুকশিংথোম্বী. অঙাইবী. থারৈমা. থৌডাইবী. থিংবা লোইথোম্বী ৭না ইমাগী থৌখলে ।

পা—থংবা পিবাও নমু তাইবং চিংঙু ময়াম্না থৌখম্না চংলক্লে । ময়াম্বা য়াওরকপা উদহুনা কদাইদা লৈখগে কৌবিক হায়না থোংনাংথাবদা হংতি ।। নপারি লাইমিংথোইদি মকুনা চংখিবদা হৌবি হাংবিরমদে মপানা য়াদবা মচানি খন্দুনা মকনা লেংখিবগী শুনিঙগী নপারিগু থোকখিবদগী উনজ্রি কুবিনি ।। ইপারি মহাক য়াওম্রাবদি ঐতনা ফম্বা থৌঙমলোই তাকপীহুনা থোইম্রিকাথনা কৌরুহনা লাইমিংথে ইবু চংলক্কনা মরু ২বু পুক্নরে ।। মকনা থাকৌ বাবু হংলক্লে, " ইপা অরিবা গুমিগুা কাইরেলবা থাদা থকচিম্না লিক্লা পুনগী মমুংদা লৈবও নংনা নপা ঐবু থাদোকপীগদু পারি নংবু লৈংহৌই হায়বগী থকথরকপনি যথোংদা কাইরেলনা ফম্বালো নোংদম্বগী থৌখন থকথংলুবগী বাহোম পাওদমজয়গে চিংকু পুম্বত তাবি থংবিরো ।।

"লাইমিংথোই, কংলৈ পুংমাইয়োনগী পিবারেল নমু মিতম্বা ৭ থোইয়ুম তাইবং পুম্বা ঐনা নোংদম্বগী থৌখন হুংবু ইন্নুবদি শাইগী

ওইবা পাওজেল অমত্তং তাকপীরকই, হয়মধৈদা হয়াও অয়াম্বু হৈয়াচংদা থোপুনা নোংদম্বগী মপোক অহমগুবা অয়োইবা শাথোকপু হাপতুনা কুমজা খুদিংগী চিংঙ্ঙ লাই হরাওবদা শানতুনা নোংদম্বু কুমৈ য়েংহনবিয়ু" মসিবু চিংঙ্ঙ থোইবুন তাইবত্তনা করি হায়বা ?

মরুগী পাওতাকপু ফংলবদা, মরুনা কুম্বিবগী মকু থোক্না কুমজা খুদিং থোপুজবদা নোংদম্বগী মপোক শাথোক অয়োইবব শানবা শাল্লকবব মরু ২না ঐ ঐগী কাইবেদ্দা কুমজা নাইনা শাল্লকবব হৈরাং লৈরাং লৈতুনা মরু ২ নত্ত নোংদম্বগী থোথন কায়দনা মিংগ্গেং তাবিও বাক্তেয়রে ।। চিংঙ্ঙশিংবা কুমজা খুদিঙ্গী ইবাঙ্গানিবু থোরম খুদিংদা থোরম্বু য়েংনা য়াওজৌ তাকপীবা য়াজরে অতুগা এপহৌধৈদগী ঙাংনখিবা লাইবংথৌ ৯০৭ লাইহুরা ৭ অসিবু কোয়ৌ থোথন কায়দনা লৈনম-হৈনম লৈরাংজনি লেপনরে ।।

লাইরেম্বী ৭ না বাহোংশি :— মরু নোংদম থোদাব খোশিনবা মহাক নহাক ওইবা লাইবংথৌ পুম্বগীদি মরু ২ গী মরুমবু থুপ্পা ফখাল লাংরা তাকপীরে লাইবুংথৌ ৯ লাইরেম্বী ৭ কীমু হৈমন-লৈমন ফংজনবা তাকপীরে অহনা মরু ২না থুপপ্রবদা ঐ.থ.য় ৭ না করদৌনা লৈগদগে। তাকপিরম্মো ?

৩. লোইশবী নখোয় ৭তি, তেংবানবগী ইমাগী কোয়ৌগী থোইঙবু শুচিং থোঙ্গবী মথং লেংনা থমলিবনি হায়বগী পাও-শ দবানি ।। নখোয ৭পু থোবাবী লিক্রমদা লৈবী চিংচেং ইবোগা চিংবা লৈনা।। নখোয ৭গী লোয়নবা ১৪।দি মতমপুম্বদা খানবা ইলেতনা লৈগদবনিদো ।। হরাও তরাম খুদিংদা ফিরোল লৈচুবু

নোংদমা শোশিনবিগদবনি ।। চিংউ শিংনা মাগী মাগী লাইবুংদা নখোয় নীংথায়গা লোয়নদুনা হরাও তরাম্না শানাবনু থাজা ১গী মঙ্গদা মথংশিংনা থাজা শেলবু পবম থায়না শানাগদবনিদো ।। নখোয়গা লোয়নদুনা ইবাগানিদি কোরৌ তম্বনা হোং হোংনা নঙ্গী নঙ্গী হুকোল লৈকোন্দা শানাহনা লৈমিন্নগদবনি নপুক তাথৌবিংসু নাংদম্না রা.তমদে ।।

থিংবা ওন্বীরাক্তেম্বা :—

মকুগী নোংদম্বু তাবদা মৈতৈ লৈমরেল সিদাবা ফমথোন ৭ লৈপুং লৈফম্বী নোংপোক লোইরং পানফবী, মনা খোংনাং লৈমনা মহাক্কগী লাইলেমা অমা কৌথোক্লনা মমিবু ' থিংবা ওন্বী ' কৌনা কৌরক্ল লইলোংবদা মমুং মতম চারগা=(মথৌ মওম লাক্লগা) কংলৈ খোঙ্গানহন্না চম্ব নিঙেঙান ওইনা মশাইকোন্দা থম্মো তাপীকহনা লাইলোংবনা মশাইকোন্দা থিংবাওন্বীবু লোত্তনা থমখি ।।

চং ফৈফেদোম ৪বুশুনবা রাহোম্বা ।।

লাইমিংথোই পবম অমগম্ভ নোংদমলকইদে', " নোংদম্বগী ইপোক্তি শাথোক্লা শানাবা উজরে অতুগা শাথোক্লরিবা মশক অতুনা পানজানগদবা ফৈফেদোমদি শুনবা য়াংশিদ মাইগেশু চিরাগু ৪ান হপোক শবু থংনবদি লৈথক, লৈথা, লৈরাই খায়না অয়ুক, মুংখিল, য়াচংবা হায়না মুংদাংরাই, আহিং, নোংঙাল্লমদাই হায়না নহাক ঐহাক মহাক মহাক হায়না থম্বীবগুম থম্বী ও ।। অসিবু কমদৌশিগে ঐগী ইঙমদী থোক্তেদো ।। নোংদম্বগী থৌদাবু থৌপুনা চং ফৈফেদোম থায়না থমজগে কুবিও ।।

১। কৌমি কী হুয়িংনা সংলকপা তাইবং কুমজাবু ২৭ শুথরেদো ॥ চং অসিনা পানগদবনা কুমজানা লাপুন ১৭লিপুন ২৮ = ১৭,২৮০০০ ওইদুনা চং অসিগী তাইবংনা মপুঙ্গিবু মনিং তম্না পাম্বরগা হয়াংবা ইতবদা হুমবা ওইরশি। চং অসিনা লোইরগা হয়াচং কৌনা চং অমা চৌনা অমুক য়াংশিদো ॥

২। হয়াচং কৈফদোম অসিনা কুমজা লাপুন ১২ লিপুন ৯৬ = ১২,৯৬০০০ পানজনা মশাগী কুম্মেবু মশানা য়েংজনবা থমজরে।।

৩। মথংদা খুয়াচং কৌনা কুমজা লাপুন ৮ লিপুন ৬৪ = ৮,৬৪০০০ পাজহনা তাইবং কুম্মেবু শানাবিহুনা পামরশনু ।।

৪ মথংদা লাংবচং কৌনা লাপুন ৪ লিপুন ৩২ = ৪,৩২০০০ পাজহনা তাইবং কুম্মেবু শানাবা য়েংবিরো ।।

লাইমিংথোইগী মওম তাবদা চিংঙশিংনা বাহোম্মে—য়াংশিবদি তাজরে হয়িচং, হয়াচং, খুয়াচং, কৌবা চং ৪না লোইপ্রগা কম্নি অমুক কৌনগদবা ?

চং ৪ অসিনা পানবা লোইববু 'কোহংকো' কৌনা শিংথেক্লরশে। কৈদোম ৪ অসিনা পানবা, ৪ শুবা=কোহংকোনা ৪রক চৈকাববু 'তয়োহংকো' কৌনা তাইবং কুমজাবু লাতিং ১ লাপুন ৭২ লিপুন ৮০ = ১,৭২,৮০০০০ শুরে খংনরশে ।।

তয়োহংকোনা চালুপ অমা হেক শুবদা 'থয়োহংকো' কৌনা চৈশিংনা লাম্নুং ১ লাতিং ৭২ লাপুন ৮০=১,৭২,৮০০০০০০, ওইরশে ।। থয়োহংকোনা চালুপ অমা শুবদা 'শোহংকো' কৌনা কুমজানা লাকক ১, লাম্নুং ৭২ লাতিং ৮০=১৭২৮০০০০০০০০ শুরনিদো ।। শোহংকোনা চালুপ অমা শুবদা হায়বদি ১,৭২ ৮০,০০০০,০০০০ শুবদা নোহোননা অমুক শেমহুনা নোংদম্বগী

কুইশ মিংযেংবু খোঁহৌশি বাতেয় । পাওশা অসিনগী হেনকদরে হুয়ন হয়িচ, চং চং য়াইকংলে ।। পাওশাবা লোইরবুনা চিংডা নমু পুরমক মরাম য়াইদা হুন্নরে ।।

লাইশিংবা হরাওবা তমজহোবা

১নং হয়েং মরুনা পুবা কোরৌদা লাইরেম্বী উমুংলৈমগা শজিবীগা ২না অতিয়াগী মফমদা বাকৎলদুনা যম্বোংদা লৈবা ককোই মপান অভাংবা শেৎপী ওম হ্রীং ক্লীং হুং হ্রীং থিংবা লোই-খোম্বীনা লুচিংনা য়ুহাগী হেকোল লৈকোলগী লুচংবী লাইরেম্বী ৭কা লোয়নদুনা মরু ২বু খোথম্না থোইমা মান্না লুংতাইনদুনা শান্নরে ।

২। হংশিং মরুনা পুবগী অমুক্তা পাউচংবী হৈরেংলৈমগা পীথ্রাইবাগা ২না বাকৎলদুনা নোংচুপ হায়মদা লৈবা ওম হ্রীং শ্রীং ঐং লাইয়েক্না নাওয়োমগী মেরুবা ওইরিবা কো টিংলৈমনা কুহি মচুগী ফিরোম্বনা শেৎদুনা ইমাগী খোঁযন লুচংবা ওইনা অতিরাগা লোয়নদুনা উকোংলৈনগী ইকোল হেকোপা মরু ২না খমগুম্বী মশক্তগী হডান লৈশানবা থুমং, থা, ধবাহাপচাবু পুথোকদুনা খম্নবগী পরমু নিংথিংনা নোংখোংনাক নোংলাওনা মৈবি শভাইশেন পাই, শকোং শরৈনা নোংদম্না থরোই থপানা নোংখাইনা ওকপুরোংনা ওমডা, তাওহুইরেলনা লেংওবু লোথাম্না লৈথমথিবধু শানদুনা লাইবুংথৌ লাইরেম্বী ৭কী নিংজবু থুংহন্না শান্নরে ।।

৩। মশেং মরুনা পুরগী অমুক্তা পাওচংবী পোংলৈমগা, হিলৈমগা ২ না বাহোমলদুনা অবাংদা লৈবা বাহোং মতুগী ফিচু শেৎপী ওম ঐং হ্রীং শ্রীং ওন নাওয়োম্না মেরুবা ওইবা

মুচেং লৈযনা লুচিংবী ওইহনা মুচেঙ্গী হৈকোন লৈকোন্দা অতিয়াগা লোয়নহনা মুমিং থাগী পরম্ব খায়না মরাক, মযুং লাবা অমোম যেম্না থাঙ্গ শেল ১২গী লাইমিং। হন্নি নারোং ৯ক্কু নোংলোক্কা কাইরেল থম্না 'তাওরোইলাই তরংলৈস্না লৈতোনসি' কৌবনু তোংহনা শাগৎপী শাগৎপা পুম্বগা লোয়নহনা হরাও তয়াম্না কুওাইনরে ।।

৪। মরোং মরুগী অযুক্তা পাওচংপী থাবী য়াংদগা খোংঅাইবীগা ২না বাহৈামলহনা চিংখৈনা লৈনী ফিরাম্না চমথাং মচুগী কিশেং লৈত্তোংবী ওম হ্রীং হ্রীং ওম লাইযেক্কা নাওয়াম্না মেরুবী ওইবী পুকশীখোম্বীনা ইমাগী থোৌথন লুচিংহনা উকোং-লেনগী হৈকোল লৈকোন্দা অতিয়াগা লো নহনা মালেমদা থকথারক্লনা লাইমিংথোইগা কোঞ্জন ছুথোকপগা ২না থৌপুনা থেজৌ পরম ৯ শাথোকপা, থাবা তাওরোইলাই তরং লৈস্না লৈত্তোনসিবু লৈখারেলম্দা কুমহনখিবা থৌরম্ব নিংশিংনা শানরে ।।

৫। মশিং মরুগী অযুক্তা পাওচংপী চাকশৌবীগা চরৈম্বগা ২না বাহৈামলহনা নোংপোক্তা লৈবী অশংবা ফিচু শেংপী ওম ঐং কৃং ওম লাইযেক্কা নাওযোম্না মেরুবা ওইবী অওাইবীনা ইমাগী থোৌথন লুচিংনা অতিয়াগা লোয়নহনা অওাইবগী হৈকোল লৈকোন্দা চৌওলোন ৯ বু নাপ্পা, লাইমিংথোইনা মম্নাইকাবী ঈথোঙ্গী ঈশিং থকলুবদগী অশিবা কৌখিবা অশিরোই চৌওলেন নাপুনা কোবি, কোত্তৌ, স্না, হিয়াই মচু মখন মখনবু পুথোক্কবগী পরম্ব নিংশিংনা শানরে ।।

৬। মকাপ মরুনা পুবা আযুক্তা পাওচংপী তমথো লৈমগা নোংখোংহুবীগা ২না বাকংলহনা মৈরমদা লৈবী ফিরোম্না নোঙ্গৌবী মচু শেংপী ওম হুং শ্রীং আং থৌরমনা ইমাগী থোৌথন লুচিংনা

থাংবাইগী হৈকোল লৈবোন্দা অতিয়াগা লেয়নদুনা আবাং পনশা মবু থোনবা৹ থাংথাংবু থিংনা নো চুপকা অবাঙ্গা চূম্নন হাইনবা থেঙ্গুং চাউগলন থাদুনা মিকুনবগীদমক্তা কুরম্ব চাউ লমপানপুংবু থাদুনা মশানৌ পান্থংববু মরুনা হৌলম্মা হানবদা পুরক্লনা লৈমিম্বিবা পম্বু নিংশিংনা শানবে ।।

৭। অাসিং মরুনা পুবা অয়ুকী পাওচংপী তরিংন্নুগা পিশিনখোম্বীগা ২না বাহোমলদুনা থা মাইগৈদা লৈবী থাগী কিচুবু শেংপী ওম ঐং হ্রীং শীং ওম খোঙাইবীনা লুচিংনা খোঙাই বীনা খোঙাইবগী হৈকোল লৈকোন্দা মরুগা লোয়নদুনা চাউবা পনশা নাম্বা নোংপোক থোং থিংবা৹ লোংচুপ উরান্দুনা আবাং থোং থিংবা৹ চিংঙু শিঙ্গী খুবম লিংদুনা থম্মখিববু তমজনা শানরে ।।

মতুংদা অমুক লৈফম ৭ পু কোযনা থাজা শেল ১২ গী মথৌ মওম্বু শান্নরগা কেগে থাঙ্গা কোলবু ইন্নুংবুংদগী থাঙ্গত্তনা থমখিববু মিংশিংনা শানরে ।।

অতিয়ানা চিংঙু পুম্বগী কাইরেল্ল থাবিবা

চিংঙু লাইরেগী লাইবুংথৌ ১৪ মক নখোয় ঐখোয়না থাজা ১২গী চংলম ৬কা মথৌ মওম্ব শানবা অসিদা কোরৌ খুদিং খোকাংদনা শানামিন্নশি ।। কৌব্রুনও মশাইকোন্দা শানজগে হাম্নরবনিনা নখোয় ঐখোয়না থোপুকদবা য়াদেদো ।। থাজালেজ্ঞা হুম্নি পানবদগী হৌনা অরোইবা থা অসিগী মতুংদা লোইজগে নিম্নি৹ নখোয় ১৪গা ইবাঙানিগা উম্নবা হোৎনরুশি ।। মরুগী বা তাবদা লাইবুংথৌ ৯ লাইরেম্বী ৭ না তাম্নদুনা লাইমিং- থোইগা পাংথংবগদা বাহোমলুদুনা রাকংলি । " মরু নঙাইরোই

১৪গীদি কুবিরে, ঐখোয় লাইবুংথৌ ৯ লাইরেম্বী ৭কীদি নোংদম্বিদে, কাইরেল ফম্বানবা উমংলাইনা লৈরাংবা অদুদা ঐখোয়বু্রাওরুবা নামুং চৎলম ওইবরা কুবিও ” ।। নোংদম মরু লাইমিংথোই কংলৈ পিবা পাম্খংবা লল্লেমা সিল্লেমা নখোয় চিংগু ১৬ তি থৌরম খুদিং লুচিংবিগদবনি হায়দুনা হায়দবনি, নখোয়বু নত্তনা চিংগু কনানা থৌরম্বু কাওদনা শিংথা শৈশক ওমগদবনো । ইবাঙানিগী লৈচিন্না চিংগু কনানা থেংপিগনি ইবাঙানিগী লাইশঙদি চিংগু নখোয় ১৬ কি নাহম লাইশঙনি” তাকপীদুনা লৈমিন্নরে ।।

কৌব্রু হরাওবা হৌবা

১। হৃযিচঙ্গী কুমশিং ৩৫ গী থাঙ্গালেংলমদা কৌবগী হুম্নি পানবদগী হৌনা হরাও ভয়াম্বা হৌনবা কৌব্রুনা বাকৎলরে । মরুনা তাকপী, “ কৌব্রু লাইলোংবা হয়েং থাজ্ঞা ২নি পানবা হুমিদাংদা চিংথৈ ওনবা লাতোন ১ দা লৈতুম ১গা লৈ অঙৌবা ১গা হাপ্পু্না উহুং মখোংদা তেংবানবগী মপুদা বাকৎহল্লু ; বারোম্বী হুম্নি পানবদগী থৌখনবু ফংজগে থকথাবিরক্তু্না কুবি মিৎয়েং তাবিররাও বাকৎকনিদো ।। অহুব লাইবুংথৌ ৯ লাইরেম্বী ৭তি কনাগী লৈচিনবু চিন্দে থেত্তুদো অসিবু কমদৌশিগে ? থোংনাং থাবনা’’অহুগীদমক্তা লৈয়োম ওবু লাংজরিবনি ।। উহুং লৈপোপ ৩গী লৈয়োম্না নোংদম্বা মপুদা লাংলগা চিংগু ৫ দা কৎচরি । লাংথৈ্ লৈপোপ ৯গী লৈয়োম্না মরুদা লাংলগা চিংগু ৯ দা লাংভি, অহুগা লৈপোপ ৭ কী লৈয়োম্না লাইলৈমা ৭ তা কায়দম্বা লাংজরি ” । মরুনা হায় “ থোংনাং থাবা অহুবুনি নংনদি খংবিবগী থৌবুবিবা চিংগু্শিংনা ইহুং শিম্না হরাওবদা ঐগী

লাইরঙচংবু থৌপুবিরেংইন্দ্রা অতুক নিংশিংজবনি" ।। চিংঙু
পুন্না লাইবুংথৌ ৯ লাইবেথী ৭ কি দমক্তা মরু ২ দা কংলগা
হৈরোং লৈরোং পুম্বু লাইবুং খুদিংদা থৌপুজগনি রাভেঙরে ।।

(থেঙ্গ্রম চৌওদা হরাওবা)

লাইলোংবনা লুচিংন খোইথুম তাইবংনে নমু মিতম্বনে তিলু কম্বান্না কুমজা ৩৬ চংবগী থ জংলেংগে - সমদাগী ৩ নি পানবগী থুংথিন্না য়াইবিরেল শিদববু যাচংবকোন্দগী কৌখনবা থোংনাথাবনা লৈহৌনা ৭৩ চেংঙৌ কাহ পং। হৈশাংনা কাংখিন তম, উহং লৈপোপ ৪ না চিবা ৪ দ লাংশন থা, স্না চৈনা থনতম, লুপা চৈনা পাদম্না হিচন যাংচম্না উহংনা ১ না লৈথেং ওই, ভুম্নৌ মনা ৭ না পুন্না ৯ ইযোকথা খৈমোম ১বু থুংশা ১০না উপ্না লোংনা পায়তুনা নোংথৌ ওম্না হুনগঙনা ইমুংবদা থকথাহল্লে ।। লাইনৌ তাবীনা শানিক নিক্তুনা লৈয়োমগা হৌরী লংহৌঙ্গা শম্বনা শানিক নিক্তুনা নোংদম্বব হায়জ রাহৈনা কোঞ্জিল্লে ।। মরু ২গী মাংদা লাইলোংবগা চিংবা লৈমগা ২ না ঈকৌফুরেনব পুহনা থাকোল্লে ।। হৈরোং লৈমনা ইরানফুরেন্দা ঈশোকলকপব চিংচোাইবীদা শিন্নরে ।। চিংঙু পুম্নমক কানরক্তুনা থেঙ্গ্রম চৌওলেন লাইবুং লাইশঙদা থমমে ।।

মরু ২না মপুগী যেং ওইদা থোখল্লে ।। লংথৈ ৯ব অউপ্না লাশেং ৩না য়োমহুনা নমঙা লৈয়োম কৌনা অতিয়াদা লাংলেই ।। আরোংবা লাশং ৩না যোম্বা লংথৈ ৭ পু ইমা লৈশিরেন্না লাংলে ।। মপুদা লাংবা লৈযোম্বকাইতুনা ১ — অতিয়াদা (১) ২—লৈশিরেন্না ১, (৩) লাইমিংথোহৈদা ১ (৪) মৈতৈঙু

পা-খংবগা ১. (৫) ইরান লৈনদা ১ লাংজুনা উহং লৈপোপ ওমু কাইগনি ।।

অতিয়াদা লাংবা লৈপোপ ৯ নাঃ—

১। স্লীং মহি প্নারেল লাইমিংথোই ষস্থোং ক চাও পুমাবা ॥

২। ওম লৈনোংখাং তরংবা চাতেং কৌবা মৈতৈঙ্গু পাখংবা ওবা ।।

৩। ওম কুরুমলেন কিংনাইবা চি ঙ্গু কৈরুংবা ওবা ।।

৪। ওম শাকুরি হঙ্গবা চিংঙ্গু য়িবাংথেল পুংমিন্নবা ওবা ।।

৫। ওম কোরিং রিকো চিংঙ্গু অশৈবা পোইরৈ মোইরেং চান্বা ওবা ।

৬। ওম মিবেল ম্নাইবি কোঙ্গিনবা চিংঙ্গু খুং খুং অচিবা ওবা ।।

৭। ওম শ্রীং রাং খোইরৌ লিথংপা চিংঙ্গু থো ঙাবেল ওবা ।

৮। ওম স্লীং হ্রীং কং লাইয়েন্না নাওয়োম্না মেরুবা চিংঙ্গু অশিবা—

৯। ওম বাং তরংলৈম্না লৈত্তোলশি চিংঙ্গু তাওরোইনাই খাবা পাখংবা কংলৈ পিনমঙাদা লৈবাও লাংজরি ওবা ।।

ইমাদা লাংবা লৈপোপ ৭ নাঃ—

১। ওম ঐং হ্রীং নাওয়োম্না মেরুবী চিংঙ্গু চিংচেন্‌ইবী ওবা ।।

২। ওম হ্রী ঐং চিংঙ্গু চিংবা লৈমা ॥

৩। শ্রীং লাইয়েন্না নাওয়োম্বী ওম ঐং হ্রীং শ্রীং ক্লীং হোসৌ লৈমা আহোং অচাওবী— আবাই কাংদবী ওবা ।।

৪। ঐং লাইয়েন্না নাওয়োম্বী লৈনোত্তাবী পুরা পুরারিবু শাককোংবী ওম হ্রীং হোসৌ খস্থোংঙানবী ঐং হ্রীং শ্রীং ক্লুং হোসৌ সিলৈমা ওবা ।।

৫। খোংবানুবগী মিরেল হিংহুনবগী মঙম হাপ্নি ওম ঐং শ্রীং ক্লুং লাইরেম্বী ওম ঐং শ্রীং ক্লীং ফৌওইবী চাকশৌবী ফুরেল লৈমা ওবা ।।

৬। ওম হ্রীং শ্রীং হুং ইবৈমা ইহিংশং ইপুখোক ইয়াবী মিরিহীং লৈয়োম্বী কোরৌ মালেম শিন্না কাইরেনবা ওরা ॥

৭। ওম নোংপোক লোইরং পানকবী অঙাইবা চন্নু শাংফবী ফংলেন ৭ পু লৈপুবী ওম পোকপী হু তকুপ তকুপ হাওকুপ হাওকুপ ম্নাখোংনাং লৈম্না ওরা ॥ লৈহুম্না লাইরকচন কায়দনা থাজা ২৭ নি পানবা ফাওবা শামহুনা হরাওরে ॥

২৯ নি পানবদা চিংঙ্ পুম্ব। ফম্বান্না লৈবাকী অরা অনং কোক্রুববু খগববু থাংজিংনা মাগীদমু হরাও থৌপুজগে ব্রাহোম্মি। হয়েংদি কুমজা ৩৬ পু শুহনা কুমজা ৩৭ কী চৈহো ১ শিঙ্গারনি ; থাজা শাওন লেংনা শজিবুনা পানবা হুমিঙগী হৌনা ইমা মুংমু হুমদ মাংদবী লানজেং শাফবীবু হুমিং ১০ নি চুপ্পা লৈঙাক লৈকনবীনবা পুরুম্বগা মতুং থাজা কোইনা শানা ঙাম্বগী কালেনগী চিংঙ্ শিঙ্গা লোযনহনা মিরেন থাগোম্নহনা হরাও তয়ামশ ব্রাতেম্নরে।

১বা থাজা শাওনলেঙ্গী=[শজিবুগী]নোংমা পানবদগী হয়িচঙ্গী কুমজা ৩৭কী চৈহৌদা চিংঙ্ পুম্বনা মানা মানা কংনিংবা অচা অথক পুনরকতুনা ঙেংবানবগী মপু উংলো য়াইবিরেল শিদবগী মফমদা কংলগা ইমা মুংমু হুমদা মাংদবীদা হৈকং লৈকংলে। মতুংদা হুমিং থাবানগী মতুং ইন্না মৈফু লিংনা থাগোম্নরে। ইমাগী থৌথনবু মিংম্নেংবিনবা থাং, টা, অরাম্পাই লিরুং, শাইরোং, মুক্তা, লমজেল, মাংজোংনচিংবা শান্নহনা থাজা ১০ নি পানবদা লিকাপ খোইকাপ খুংচুম্বা তাম্নহন্দুনা পুরুম থৌনিবা লোইরে ॥

থাংজিংগী — থাঙ্গা কোইনা শানা মতানগী—ইকাঙেনগী ৩নি পানবদগী হৌনা লাইরকচনবু থোপুনা মরু ২গী থোথনা থাংজিঙ্গা কোইরেপ্লবগা ২না নোংদমগী মিরেনবু থাগোগ্না চিংঙু পুখগা লোইনহুনা খোইনুম তাইবং মপেক ছশানহুনা চাদা নাওগা কুবি নোংদম ৯ শিপ্তাকনা হরাওবহুনা নোঙ্গা শেথিল্লে।

৩ বদা — থাংয়েন পাশথংবগী হরাওরে।।

৪ বদা — নোংপোক থা মৈরম থপ্রাংবনা শিন্দুনা মাগী লাইবুংদা হরাওরে ।।

৫ বদা — নোংপোক অপাম্বনা মাগী লাইবুংদা হরাওরে ।।

৬ বদা — থোংনাংবনা লুপিংনা চিংঙু কৌকচি চেংচা মিংথোইবনা মিরেল থাগোন্নহুনা হরাওরে ।।

৭ বদা — থাংবাই মাবহননবনা পুচিংনা হরাওরে ।।

৮ বদা — থাজা থানৌলেন—মৈরা থাগী ১১'ন পানবদগী হৌনা চিংঙু লৈরেমবু মরু ২না পুরুন থোহৌনা থাজ ১৫ নি পানবা থাপুং খুমত্তা থোরোইবদা মরু ২ না লোইনবা সিঙ্গী ইকোন্দা চত্তুনা সানথিবা পুবাবু নিংশিংনা থৌরম্ব লৈরেমদা লেইহন্না খৌ নাইরে ।

৯ বদা — থাহুংয়াই— থরান থাগী ১২ নি পানবদা মরু ২না ফুরেল লৈমা হীং অকোং তত্তবী অল্লাই কংদবী ইথৈলেন লাইলৈমা লৈশিরেল লৈপুবীবু চিংঙু পুখনা অচা অথক অহাও অথুম পিজ পিথকতুনা অরাংপা লৈহন্দনা শিল্লাক নোংদম-খিবু নংশংনা পুরুম থোননা হরাও তয়াম্নরে ।।

১০। থাজা থানুংশি—কাইরেন থাগী মোংবা পানবদগী হৌনা মরু ২না তাম্নহনা ঈশাইফু থিন মৈফু লিংনা চিংগুগ শিল্লবা খুম্বোংঙানবীবু পুরুম লৈপায়না লৈবাক্তি মহৈ মশিংবু হৈনা পাঙ্গনববু থৌনিহনা থাজা ৫ নি পানবদা লোইহনা পুক্মবদা লৈহৌরাবু নিংশিংলক্নহনা নোংখোং নিক হৈ থি শঙাইশেন পাইহনা শকোং—শারেনা নোংদম্বা থরোই থ প'না নোংখাইনা ঙক্পুরোইনা ওকওয়া তাওহুইরেংনা লেংতম্না থৌপুববু শাংথোক্ল-হনা শিল্লেনা খুম্বোংঙানবীগী মাইয়োকথা কুমৈ ওইনা লাংহনা হরাও তয়াম্না মুংঙাইনরে ।।

মতু'দা মপারি লাইমিংথোইদা নোংদম্মি "হৌজিক্কি নচিন ননওনা থৌরম পুম্বা শিলহৌরো, মৈতৈগুগ পা-থংবা নংনা নিংবা পুম্বা নয়াম্বদা বাহংজরগা থৌপুজো, হৌজিক্কি হৌলমা হানববু লৈকোই লৈম্নেংনরুরগে" হায়রম্বগা নোংখো পাংবদা থকথংথিহনা চিংগুগ নুখিত্তা তিপু কথাম্না তেংবানবদা খোইহুম তাইবংনা শানবা কুমৈবু য়েংহনা লৈক্রে।। হয়ম হন্নিচংচং ওবা ।।

চিংগুগ লাই হৈকৎ লৈকৎনবা লাইমিং মেরুবা

১। চিংগুগ শাজুং তেলহৈবা— ওম পিশান্ন-কেতিকে কোবা পুরুমজরি। য়েথায় থিজাইবা পুম্ববু চংগুকপা ঙম্রনবা ঙাকথোকপীও থৌরম অসিব্র আম্যাং আশোই থোকাইনবা তৌবিন্ন চিংগুগ শাজুং তেলহৈবা ।।

২। চিংগুগ মুংবা মহারাবা — ওম শেলতমং-তমেংবা চিংগুবু পুরুমজরি...তেংবানবগী অম্বাবম কোরুবা থৌরম থোঙনা পুবিও চিংগুগ মুংবা মহারাবা ওবা ।।

৩। লাইরেম্বী নুংশু তুমদ মাংদবী:— ওম শংথুপলেল নুংত.ম.বী ঈমা থোজান হৈবী থৌরম পূম্বদা থোঙমদবা লৈতবী থৌরম অসিবু থৌঙম থোপুবিও।। ওং নু মু তুমদমাংদবী ওবা।

৪। চিংঙু নুমিৎ:— ওম হ্রীং হ্রীং চিংঙু নুমিৎপু পুরুম লৈপায়জরি।। কোরৌ থুদিংমু শাখোক ফম্বা'গা ত ইগং কুটৈ বু থৌমেংনা য়াইফানোংদম্বীও ওম আম্বংবা চিংঙু তম্বং হুই মালেম অঙানবা ওবা।।

৫। চিংঙু থা:— ওম ঐং ক্লীং চিংঙু থাবু পুরুম লৈপায়জরি। তেংবানবগী পূক্লিং হকচাংবু থোইচং লৈতানা থৌরম পুম্বা শিন্নাক নেংদম্বা থৌরম পুবু থৌকাওদনা কুবি নোংবম্বিও ওম উম লৈনিংঙানবা লৈশৌ লৈপীবা ওবা।।

৬। নোংদম মরু:— কুং নোংলুম থিকলেন উ লৈ নুংদগী চিংঙুবু পুরুমজরি।। মরুগী য়াথংনা লাইনিং শাওশানা হৈরাং লৈরাংবিহুনা থোঙম্বা লৈফম্বীও, ওবা।।

৭। তাওরোই থাবা মোঙ্গা অরিবা:— ওম কোং খোং পা পী ময়েক নিক নিক নিক লোং লোং লোং, রোং রোং, লৈলোং, চিক পান ফানফান ক্রে ক্রে ক্রে, শ্রে শ্রে শ্রে, কু লুম লুম লুম, সো রো রো রো, থুপ থুপ থুপ, পুরুমজরি।। থৌরম্বু য়ৈখায়বা পিঙ্গাইবা চংলকপা ঙমদনবা নমৈবু নয়াবা চিকহুনা লৈকোই পনশানা তাকপীরো।। ওম বাং তম্বং লৈম্বা লৈতোনশি তুবী লৈরোং শানা কংলৈগী পিনমঙাদা লৈবা ওবা।।

৮। মৈতেঙু পা-থংবা:— ওম লৈনোংথাং তম্বংবা চাতেং কোবা পুরুমজরি।। ওম মেনমনিক পা-থংবা মৈতেঙু মা কোঙ্গন হুথোকপা শাথোক্লা পুরুম লৈপাই থোহোবা কুবিও ওবা।।

৯। **লাইমিংথোউ :—** হো হিক রোহিক লোহিক মোহিক সনা ভান তবংবা মো কৌববু পুক্রমজরি ।। মরুনা তিনবা ইপক-দা পিঙ্গ র কুবিও শ্রীং স্না অহিংবা লিকলা পুনগী মনুংদা লৈবা ওরা ।।

১০। **মরুনা নোংশোল্পা লৈবগী লাইমিং :—** ওম হ্রুং হ্রীং শ্রীং শ্রং শালাইলেন, ইথৈলেল লাইলৈমা পে-কলেন পোকপা পুক্রমজরি ।। ইন্ড্রাল লৈশাবা শলাইলেল অমম্বা ইথৈলেল লাইলৈমা শলাইলেন অমম্বা শলাইলেন অমম্বা ওরা ।।

লিয়াইদা লৈবগী লাইমিং :— ওম স্না মু হেমু নোংম্না মনিক খোম্বী হুং স্না খমলেথম পুক্রমজরি ।। মরু ২না লৈতিনকমদা তিজরগে ওরা ।।

১১। তেংবানবগী মপুগী লাইমিং :— উংলৈহিংফা নোংদম্বা পুক্রমজরি ।। লৈফা ও-এ কৌবা নকমলাংদা চংজরি। কুং নোংলুমগী মশকতুম্বু ওইবিরবগী উংলৈম্নুংদা থম্বিরো ওরা ।।

উংলৈহিংফা, লৈফা ও-এ কুং মোংলুম উংলো য়াইবিরেল শিদবা ওরা হয়ম ।।

লৈতাক লৈকল্লিবা উমংলাইশিঙ্গী লাইমিং ।।

১। **কৌব্রু লাইলোংবা :—** ওম মিংলেল শনা নোংতরেংবা তিংমুংরেম্বা পুক্রমজরি ।। নোংদম্বগী চারি মপান থানা খুম্বা অহানবা ওরা ।। লাইমিং ১ না ওম হাই চিংপা হাই ফাহিং পা-খংবা লাইলোংবা কৌবা কংলৈ কম্বালথোংগী লৈতাক চুকপু ওইরিবা হাইবা হম্বা তৌবিগনু ওরা ।

লাইবুংথৌ শারোই ১৪গী লাইমিং :—

হাহিং আশনবা শারোই লাইলোংবা ১৪বু পুক্রমজরি। লৈশেম নোংশেমলৈদগী লৈতাক লৈকনবা ওইবা ওরা ।।

চীঙ্গী লাইমিং— আং চিরিক সনা খেং্‌গং চীঙবু পুক্রমজরি ॥ বংলল ইয়া পুংথাইরোন কৌবা কুবিও ওবা ॥ ×

চীং অসিদা লৈবা অতিয়া মরুগী লাইমিং :— নোংথাকলেন নোংনিংথো কৌবা চিংঙু অতিয়া মরুবু পুক্রমজরি ওবা ।

মরুগা লৈমিন্নথিবা লাইমিংথোইগী লাইমিং :— স্লীং মিহিং-লেন নি পাকপা চিংঙু লাইমিংথোইবু পুক্রমজরি । ওম লাইলোংবা চিংঙু লাইমিংথোই অশিবা ওবা ॥ ×

মার্জিংগী :— ওম ক্লিং সংতে হিংতে চিংঙু মার্জিং পাখংববু পুক্রমজরি । শাগোল মহাং মনিকপু ফাহুনা বায়েল কুচু লিংখিবা কংলৈসনা কম্বালবু শংখিবা ওবা ॥

শরোই ২০গী মমিং :— ওম সমা ওমলৈরেল লাইবুংথৌ শরোই ২০ বু পুক্রমজরি ॥ লৈহৌ নোংহৌদগী লৈতাক লৈপুরকপা ওবা ॥

মারজনবগী :— ওমরি ওইসম্না পারি শোমপা কোন্দে মৈরিক কৌবা পুক্রমজরি । নমু মিতম্বা নোংলুম ৭পু লোংপীহন কম্নবিরকপা ওবা ॥

মার্জিং চীঙ্গী :— ওম ফোং ফোং যোং হাই হাই ; ওম ফোং ফোং ফোং হাই হাই ; ওম ফোং ফোং ফোং হাই হাই ওবা ।

চীংবু লাৎপদা — শা-ভা ঈ থোকপগা লোয়ননা লাৎকনি ॥ চিংঙশিংবু পুক্রমবদদি ঈ থোকপা শানচিংবা য়াউকদে নামুংতি ॥ পুক্রম থোন্নিবস্নু য়াদে ।

বাংবরেনগী লাইমিং :— ওম হিং ক্রক ফাহিং ক্রক কংকা কৌবা পুক্রমজরি । হৌ লম্মা হানবগী কম্বাল থোঙ্গী চুকলেন অমবু ওইরিবা বাংব্রেন পাখংবা পুক্রমজরি ওবা ॥

বাংব্রন চীঙ্গী :— ওম হোরিক ওম হোরিক কৌবা পুক্রমজরি । চিংঙু বাংব্রেন পাখংবনা কম্বাল্লিবা ওবা ॥

শারোই ২০ গী :-- ওম শারোই শাহিংলেল চাকাবা কৌবা কুমজরি। লাইবুংথৌ শারোই চাকাবা ২০ বু লৈহৌঊৈদগী লৈঙাক লৈকনখিরকপা ওবা।

ওকমু তুবু পাথংবা :— আং রং তকুপ তরংবা কৌবও পুরুমজরি ওবা ।।

ওকমু চৌংগী— খা পুংলেল খয়িংথৌ কৌবা পুরুমজরি কুবিও খমহিংচি ওবা।

লোক্লংথৌ — ওম খাহিংসনা সিংখিরেল কৌবা পুরুমজরি। ওম নোমুপ মিহিংচি খানা চাওবন ওবা।

থাংজিঙ্গী :— ওম উই ফ্রাং চিংথং শ্রোং কৌবা পুরুমজরি। হে থাঞ্জিং কোইরেল লাই কুং কোং মো-ও মুংনিং হুংমো কৌবা কুবিও ওবা ।।

কোইরেল লৈমগী :— ওম পোকপীতু ইমা কোইরেল লৈমা ওবা।

শারোই ১৭ কি :— ওম য়োক তিং কং রিং স তে মৈরিকপা হাংসে কৌবা শারোই ১৭ মকপু পুরুমজরি। হো লম্মাহানবা কাংলৈ সনা ফম্বাল থোঙ্গী চুকলেন অমবু ওইরিবা ওবা ।।

থাংজিং চিঙ্গী— শাতোনবা লায়োল লাংতাবা কৌবা পুরুমজরি। সনা লুপা, শামু অঙৌবা, লোংশাবা শাথোকপিবা কুবিও ওবা ।।

মোইরাং চৌঙ্গী— কোংকুক ফেং ফেং, কোংকুক ফেংফেং কোংকুক ফেং ফেং, কোংকুক ফেং ফেং কোংকুক ফেংফেং ওবা ॥

লোইরবা

খুংগদবা

লাই হরাওবা হাইনরিবা অসি শরুক অহুম থোক্লা থাইরিং অমনা লাই ঙাক্লা হরাওবা অমা, মথংদা মীগা লাইগা পুন্না হরাওবা অমা, মথং হৌজিক ফাওবদা মী হরাওবা হায়বা অমা অসুন্না অহুম থোক্লা লৈ। অহানবগী লাই ঙাক্লা হরাওবগী মতম অসিদি শিংথেক্তবা হয়মগী মতমদা লাই অমনা লাই অমা—মুপানা মুপা, মুপীনা মুপী মানা মানা পামজবা পুথোক্লহুনা নোংলোন্দা লৈ। মালেমদা তারবা মতমদা লৈবাক শেম্মবা মতমদা মাইগৈ ৪, খুংদাই ৪ থুংনা চাইহুনা লৈনখি। লৈথারোন্দনু লৈবা য়াবা লৈনখি। হাইবদি নোংদম্বা ঊংলৌ য়াহবিরেল শিদবনা অতিয়াগা লৈমরেলগা পুথোকই।

লৈমরেন্না মুপী খুদিংমক মাগী লাংওন ওইনা পুথোকই। মালেমদা লৈতারবা মতমদা আতিয়ানা লাইমিংথোইগা কোঞ্জন তুথোকপা পুথোকই। কোঞ্জন তুথোকপা—পাখংবনু লৈমরেন্না অপোকপমক্লি খন্দুনা তাইবঙ্গী চাদা নাওদাবা মচামক্লি হাইনা নাওকোনবা হৌখি। লাইমিংথোইনা মাগী লাংওন পুথোকই, লাংওন্দুনা অমুক লাংওন পুথোকহুনা লাইগী শাগৈ চাওথোকই। পা-থংবসু মাগী লাংওন তুবি কাংলুপ পুথোকই। অসিদা নত্তনা অমগা অমগা ফুনবা চাইনবদগী অঙ্ক-কত্ত লাই মশীং নাইদনা চোংথোকখি। মথংদা হুয়ি চক হেক মোঁবদা পাংংবনা মচা পাগ্রংবা পোকই। মতম অসিদা হরাওবদি লাইগা নমু তাইবঙ্গা পুন্নগা হরাওই। খুন্নচক্কী ঈথুম্মুবগী ঈকংলবা মতমদা তাইবং ঙাক্লা হরাও থৌরম পাংথোকলগা লাই মখৈনা কুমৈ কুমৈ ওইনা য়েংবা হৌদোকখি। অসুন্না চত্থরকপনা লাংবচক

হৌজিক তৌরিবা অসিদি মী হরাউবা হাইবমক য়াই। তৌবদদি লাইশিংনা তৌরম্ববু কায়দনা চখরি হায়বগী মখিংতা লাই হরাউব বাদনি।

থৌরম অসি লাংবচক্কী থাগেম্নগী মতম ফাওবা কায়দনা চখরি। মথংদা চিংথংখোম্বা, চন্দ্রকুটি সনা হাক্কক ফাওনদি য়াম্না মপোপ থোইনা কাইদ্রি। সনা হাক্কক অনিদগা, মতুংদদি মতম মতমগী অখও অচৌশিংনা মাপী মাগী মপুকথোক্কী ব্রাহ্ম-বাতা খরা হাপচিল্লগা হরাউম্নবগী বাফম থেংনৈ। হোত্ত লাওবা, তাংখুল মুরাবাগী থৌবম, থক্তা য়াওরমদবদগী চুৰাচান মহারাজগী হাক্কক্তা নিংথৌগী য়াথংদি মযাওবা কৈরাক্কী থোক্না কায়রোইদবা লৈম্নবদি হাপ্পা য়াউ হায়বদগী হাপ্পখিবা ডাক্তনি।

লাই হরাউবা হায়বসি লৈথক, লৈযাই, লৈখাদা লৈবিবা লাই মী, শা উচেক লেংঙ পাল্লিবা পুম্নমক নো দদগী মখাদগী পুম্নমক শাথোকপনি শাম্নবা লীলা, কুম্মৈবু লাই হরাউবা কৌই।

হোই হাওবনা মী, লাই, শা-উচেক লেংঙ-পাল্লিবা পুম্নমক মপুগী কুম্মৈ-লীলাবু য়েংবা লাকও হায়না কৌবনি।

লাউবগী মওং ঃ— মাইগৈ ৪, শুংদাই ৪, লৈথক-লৈখা মফম ১০ দা লৈবা লাই, তাইবং, শা-উচেক্রচিংববু পাউ জগ্নরনি। মফম অসিদা মপুগী লাইমিং শোন্দুনা ময়াথং নো দম্না তেৎ নবা অসিবু খমন্নং ওইরম্বদগী কমদোনা ইতাল লৈশানা লৈংকপনো মরমদুবু কাউদনা খওজনবা ইপূক নপুকপু হরাও তৌগাওনিম্না হায়না পাউজেনজবদা লাইরেম্ব, মীরোলবু অশৈ খেৎথংলাংনা মাইগৈ চবু পাউশারগ হঞ্জিন্না লাইমাংদা পাওহন্নগনি।

লাইরেম্বী মীরনা হোই লাওবা :—

হয়না— হৈরিলে হৈয়িল্লা ওবা হৈয়িল্লা।
হয়ুত্তে হয়াত্তে ওম হৈয়াতে।
অঙোয়ে অঙোয়ে ওম অঙোয়ে।
হা উংহুং হা উংহুং বংলৈ স্না পুংমাইয়োন
লফু লাশুম মঙান শামদে
সং সংত্রো সংত্রো পীলো সংত্রো ফা।
পাঙ্গুগী খয়োগা ঈংখোলদগী সনাগা
রাইনৌশে রাইনৌশে শর লাংবৈ রাইনৌশে।
সাবল লমথোকশে কোলবা=কোইনা লময়েংশে।
হামি মিয়ো-য়ো কাংথং তারয়ো।
চিংয়া পাখেল অমুল হৈ শনজবনা চানবা হৈ
সে সে চাজয়ো সে সে লৌজয়ো সয়ানশিদা।
হোই হো-ও-ও ওম হয়িল্লা।

হাপচিল্লকথা :—

হোই হোই হোই হা- হা- হা
হেরিলে হেশিল্লা হে হেলিল্লা।
হৈয়াহে হৈয়াহে হে হে হৈয়াহে
ইহৈ অচৌবা শগোলরবা

নিং:থৌরেনগী সগোম্মি
মমৈ গে গে লাওবন চুনরে চুনরে
হোউ পেম্মা পামদে অচৌ মচলশে
মচ'ৈরেমা লৈশ'ম্ব হিঙোইঙ্গুং
চফুংম্বু চফুংএলা: হুং
ঙ'প্রেম্বা উকাবা উ:তান লোম্মিদো।
থ'রাইনা লৈচুম্মা মক ফংঙিদা ;
ঙাইবং চম্ব নকানী তাংজগুক্কা ঙাইরম্ব।
ঙ'ইরম্ম, ঙ ইরম্ব, সে সে সনা য়ানসিদা।
সয'ন্ত্ব সনশেংনা সে সে সয়ানসিদা।
হা। ইই, লৈপনিংথিবে কো'য়াংম্ব নিংথিরে
শাবল লৈবি লৈ'থ দা কো য়াং লৈপৌ শাঙোনসে।
হা। ইই। থো'না চম্প্র য়ুনী খুদোল
পাম্বুগী খুত্তা থবাইবু থম্বা ছ'শিনবা।
শা কো'না প্রেক চাগম্বু মত্তু চোমগনি।
নি'খৌ যে'বী চাগম্বু নবিং ঙ'ওগ'নি ।
হোই হে'ই হে'ই, হোই হা হা হা
শিবু খো'ইনা ফুংহাইবা
শিবু থাইনা হবাওবা লৈখিএ লৈবনে
শে শে শে সয়ানশিদা

হয়ম হয়ম হয়ম হস ।।

ব্রাকোন পাওখা

বাকোল্লো বাকোল্লো চিংদগী বাকে'ম্না
জমদা তাগে হায়রক্কে
বাকোম্না কাপ্পা লিক'প্পা
বা কান কপনোই হোই
বাইনৌও বাইনৌও বাইনৌনা শযা শা
ব ইনৌও ব'ইনৌ নামুশরিবে

